অথৌ অমস্বুং অঙম অথৌশিংগা লোঈননা ফমিন্নতুনা কংলাগী রারম খন্নরিঙৈদা তথেলগী চাক্লা মনিক্লা নিংথৌ খুরুমজরখি। মখোঈ, তথেলগী নিংথৌনা খুদোল তন্নকপা ফিবোল, মণি-মুক্তানচিংবা কতুনা পাউ পুন্নমক তম্বহু তাবগা, তমথীবা শাগী শবাক্তুম্বা, মৈচ্রাং পাইববা লানগী নীন্-খোংবা তাবা যাদবা মৈতৈ নিংথৌ ওইবনা মনাই ওইবা খোংজাই কাংলুপকা লুচিংবা নিংথৌদা মৈতৈ নিংথৌগী খুদোল পীবগা তথেলগী লোইপোৎ খামগন্নু হাঈনা যাথং পীখি। হাঈবিবা য়াথং অতু খোংজাইশিং অতুনা যানীঙদবা অমদি লমতেনবা ওইবদগী ঙাক্লক্রুবদা মৈদিংঙুনা শাও-নীঙবা অমস্বুং খোঈশাওবগা লোঈননা মৈতৈ লৈপাক পুন্নমক হুপ্তুনা লৈপাকী থৌগাই পুবা পুন্নমক তিন্দুনা লৌকুস্থ কুস্থ তম্পাক কৌবা চীঙগী লমদমদা লান্দাখি। লোইবী লৌকুস্থ কুস্থ মতম্পাক হাঈনা কৌবদি কদি মবমগীনো? খারম খোঙয়াঙ, হাঈনা খঙনবা চাঙমীশিংনা তুংদা খাও য়ান্দুনা মাঙদা লৌখোংননবা লাঙ্গোন ইন্দুনা মশাগী লৌবুক্তা ফৌদী চোঈনা লংতুনা পুমহুন হুন্দুনা মথক্তা লৈপাক্লা কুপশিল্লববু চীঙগী খুন্নু ময়াম্না মথক্তা চাক্তশিল্লবে। মখোঈ খ রমগী মরোম্দা খুন্নুবু কুস্থ হাঈনা কৌই। অতুনা খুন্নু ময়াম চাক্তাই হাঈতুনা পোম্বী কুস্থতা হাঈনা কৌববু লোনগী মওং-মতৌ অয়ুম্বা থিবশিংনা কুস্থ তম্পাক হাঈনা কৌখি। মৈদিংঙু চাঙথঙখোম্বনা খারম খোঙয়াঙচাগী লৌবুক কুস্থতাদা মৈতৈগী

য়িল্লনা ময়াং য়ানা ঙৌতোং ওইবা মবম্থৈ থোংনাং চীঙলম্ খাথা ওইবা মরম্লেন্ লম্লেন্ থোংথোক্ ঙাপুরম্ মরোং মাঁকোব্চা সিল্হৈবা কাই-পুরম থারিক্ লম্কাইবা মসাইকোল্ মৈতেংঙু সেন্বী খাকেম্বা তাওথ পল্ থোংনাং ময়াং পম্লে, লম্লেন্ অমচি নুংলাইকোন্ তাংখুললৈহৌপোক্ কপুই মাল্থক্ মচন্ মুঙনাং তাওবী নোংলম্রাই-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহালনোং হাওনু লাসংনু সাফাবিনা লোইবা থাকুপ মপুং য়াঙ্গৈদা ১০ চারাল্লুবগী মরাল্ রোন্তেরক্পদা লোল্লোই য়িয়েবানা লাইজা মথি নাই য়িমু মঙাও হৌঙলবগী লাইজা য়িবান ঙমদা ১০ চাথংদনা নোংমল্লে॥ মথংলেন্না

তেঙ্গোল শাহুনা লানথোঙ শিন্নবে। লাইফমগী নোংশাহম্বা নঙদি মমিং চৎলবা কুংবা খুনবু মৈনা পুমচাক চাকহন্দ্রিবা ফাওবা লানবন্দা হল্লকনু। খ রমগী অখাং-অরাঙগুবম্না লান্দাগনবা নঙদি মা কুনা তারবা সিময়োল খুনবু থুগাঈদ্রিবা মথৈ লান শোক্কু। অংল্লুপকী মেবা শঙ্গাইশেন পাই-বগুম লান্দাগনবা নঙদি সেংতাক হাওখুন পুমতুম তুমদ্রিবা ফাওবা নমাঈ লৈরক্নু। নহারুপকী চাঁঙলাইগুম লান্দা হৈবা নঙদি মেখু হাওখুল্ থুগাঈদ্রিবা মথৈ তুংহম্নরক্নু। ফুঙ্গানাই লোইসঙগী অপাইবা লিল, তাং-লৈগুম লান্দা পাইবগুম্বা নখোঈদি লেনখাঙচাবু তাবগী হাংখ্ং থুগাঈবা ফাওবা লান শোক্কু হাঈনা য়াথং পীরগা লাইগী মগুণ ... মৈতৈগী মবুংঙোদি চীওগী খোংজাই খুলশিংদা তীংখংগী পল য়ানথাই ..., কুরাও তীংখংগী উখোঙ ফুক্তুনা শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ ... ন্না, চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখৎলগা থুমনবনা খংনং তা লৈতঙ্গাঈ ফাওবা ... ন্দুনা খুন তুম্না মৈ থারগা অচাকপা মৈতান্না য়ুনগী শাইজিন্দা পকহন্দুনা য়েক্কবা লাম্মী তুম্না হাতুনা লান্দাখি। লানথমহু ফাবা লানফাদি খোংজাইশিংগী মিংথৌ অথৌবা খম্বগা মাগী নুপী হাঁগোক মচুগী ফিজোল শেংপী লৈসোক লৈয়োমহু উহী নোংজং লৈনাখাঙ কৌবাগা হাংলম্ম। অহুদগী মৈদি ঙু লোইনাই কৌবা চীঙথঙখোম্বা তুমল্ লোইচনবা খম্বা ফাবা কৌখি। অহুগা বজ্রগুম খাক—লাওবা মৈদিংঙুদি কোন্নুদা হন্দুনা অমুক হুঙাইনা

মিংহ্রে সানখৈববু থাংখুল্ লৈহৌমাবু ৱোইনা সানুংনঙমলে ॥ অহু- নোংগীবু নুঙনাং থাওবা নোংমলৱাই-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মপারী পোইরৈ নিংথৌহন্‌বা মৈতেংঙুচা নুঙথোন্‌বগা অঙৌবা লোইযম্বগা থোংনাং কাম্বা লাম্ন্থৌয়াঙ্ ফানরম্বু নাইনন। লম্‌লেন য়িবং থোংঙাইপান্ থোংনাং খেবুচাংরে। কৌবদি কদোনোংগীনো। থোংনাং কাংথাপাই লৌনাইদবনা ৱাকৃয়ে হিয়ানবদা। তোংচেং নৌখপ লো, থমনা ঙারেল্ চিন্থেং ৱাকৃয়ে মচি চঙ্ মরা রুকু হল্ হিয়াঙ্ নাপা... ওজ হৈতবগী রুনৌ খোঙ্‌চা সম্ ঔরি লিয়াই ...নাপচ হৈতবগী ৱাব্‌রে মখ্‌নংপু নম্ লেদা

— — — —

থুংলখি। লাইগী ম...ক চেল্লবা নি... অসিগী চঙ্...পাঙ্গহুনা ...দাবগী ৱারোলদি অসিনস্থ লোইদ্রি। খা মাঙ্গকৈবোমদা ...রিবা ...মদম অমব খম্লাংবা পারমলান, ইবেং পুরমলান, লেমলৈ ঙারাকোন, নুভর্দা মহিথেন হাঙ্গনা কৌখিবদি করিগীনো। মমাঙঙৈগী মতমদা, পুন্নমক্রী মবুধৌ ...ইরবা চীঙখোঙ্ পোইবৈতোন্না চীঙ অমম্ভুং তম থুংনা চত্তুনা অশি-অন। লৈবোঙ্গ- দবা, অনা-অয়েক চঙলোঙ্গদবা, খুন্দাবা য়াবা লম ...রিকপদা, লম্লক শঙগী শঙশা শাহুনা, শাতানবা, ঙা ফাবশিংনা তৌবগুম লৌশঙ্গী মমাঙগী শরুক খন্দুনা উপল্‌না পোপহল্লগা লৈহুনা ফারগা চরোৎ ইনা মাঙশোক্লোমদা য়ান্দুনা ইমোম-ইরেন্না কুপ্পুনা লমল্লক য়ারেকশঙ্ শারগা অহিং লেকখিবা, নুংদাং লেনখিবা মতমহুদা, শিহুনা মৈ থাখিবা কুইথ্রবা, উং ওনথ্রবা মপা-মপুশিংহুনা মফমহু লান্দুনা চৎখিরম্মা। অহুদগী খম্লাং পারমলান, য়িরেং পুবমলান হাঙ্গনা কৌখি। অহুগা নবুধৌ, লাইগী থাক্তা চনগদৌরবা পোইরৈতোন্না শিথ্রবা লৈখিদ্রবা মপা-মপুশিং অহুনা লান্নসন্থ হাঙ্গনা অঙৌবা নুঙঙৌনা পৈহুনা থাবিরম্মী, অহুদগী নুঙপৈ হাঙ্গনা কৌখি। হাঙ্গরিবা নুঙপৈ অসিবু লাম্ভোক্লগা লৈবা মৈতৈ নিংথৌ পাখংবগী মহী-ময়াই চেনবা চরাইরোংবনা, নুঙ্ থাহুনা হিদেন শেম্বা, তিংতৌ ফুরুপকী খোংমী-লাম্নী ময়াম নাংহন-থাকহখিবা, ঙারা হাঙ্গবা ঙা মখলহুগী মকোল্‌ওন্না য়ান্না লৈবা হিদেন্দুদা নবুধৌ চরাইরোংবনা মমিং

থোংনা পুরক্এ॥ অদুনো, গীবু থোংনাং হিপুচাঙ-ও ভৌনা কৌববু পোইরে ভাবা থিবনা থোংনাং খেবুচাঙ-ও ভৌনা কৌএ। তম্পা রাংঙম্লোন্ মাপ্লং লান্থাবী মরান্ মুহোং থোংদোংঙৈদা ভা চা মখোঙ খুনবু থৌতু মুঙ্পাক্শক্তা য়িবম্বা মৈংঙু মুঙনা ভংথৈন লোইবী সোক্পাও ঙম্বনা থোংনাং ময়াং লান্তাগে হায়ঙৈদা। গঙা চুংকোই যাইরোইবা সরা সোচুম পা য়েবদা তম্পা য়াইদারাংনা হেনখোইব চুঙবু সরা তুরৈ ওঈওঈ সেল্ থাঙলেন্ মখুৎমু চংলৈ মৈরাববু পাঙলেন্ নামে যেপ্ লাইরেল্ তিল্মেল্ মখুৎমু চায়াই থোংনা নানৌবানা ভাওথবন খংপাক্ তিল্লাইমেল্ সয়েং পাম্বোম্ তিং চীঙনুং নোংথাং কুপ কুম্ তপু চাঙমভোন্দা খৌসাথববু

চৎলবা চাঙমৌশিংবু কিবিদনা হাও ময়াম রাশানবগী পানবরু খৌশাবিদনা, চুঙ-ভানচিংবা খুৎলাঈস্তু পোঈনদনা ডা যাগা ডাবেলনা হিগী মতুপ থন্না হাপ্তুনা ডাবানা পোঙগী মতোল ফাঙন হাপ্তুনা হল্লকপদা খুমন যেক্তা য়োঈবা হাঈনা কৌবা, হাওবমতোন লৌথীব, যাংবা কাঈবা থাঙয়ান কনবা হাঈনা মিংথোন্নবগী ওথাং ওইবা, নোংদানবা, তেমাঈ থিনবা, কম ওইবগী মচান্নুপানা সনাগী থাওজাও পুদুনা খোঙনা লাকপদা মহৌ ফাইবোক্চীঙদগী চেম্থবকপা ঈচেলগা নুঙকোন চীঙজাওদগী চেম্থবকপা ঈচেলগা অনিয়কপু ফৈনা লাল্লকপদা ঈবানবা ঙমদতুনা লৈরিঙৈদা মৈদিংঙুনা হিদা হাপকত্তুনা পুবিবকখি। অদুদা মৈদিংঙুনা খোং, অনিগী ঈচেলবু ঈপাক্ অমতদা তুনা পুল্লপ পুনশিন্নরে হাঈদুনা শোল্লম্মা। অদুদগী তুবি হাঈনা মফমদুবু থোন্নখি। তুবি হাঈরিবা ঈরোংসিবু থংনরিবা ময়াম্বা অহন কমসোল্ অমম্পুং মনাও অতোনবা হেমকাইগী নৌফমশি লাম্থোক্লগা লৈবা তুমল সাইপুঙ কৌবা খুন্দা মৈদিংঙুনা ভাংখংগী পল য়াম্থেক্তুনা, কুরাওগী উযুং ফুক্তোক্তুনা, চুঙগী মরেপ ৬০ চোংথত্তুনা শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংলগা, খংনং ভানা লৈতঙাঈ ফাওবা লেংদুনা লান্দাবদি তুমলগী খুন্দিন্নকম শঙ থুগাঈরে, সাইপুঙগী মাশিংবু নেত্তুনা চৎলগা হাৎলে। লানফমদুদা সাইপুঙগী নিথৌ সাইচুংলোংগা

ঙম্লোন্নবা ক্বাই কানা চোং মকুরোক্ ফৈনা সম্না যোংনাং তম্লৌরেন, নোংচুপ, খিং খিং নারেংচৌং থোংনাং থাকারা ৱুতোংলেল্ তাংবা খোল্-লোন্চৌঙ্ থোংনাং অমুবা মাল্চেংস্নুচানা চৌঙয়া নাপক্ সারোল্ য়িল্না লম্থিবদি পাংকানে পাংতান্নাই ঙান্বা অতোন্বা হাওবা লোইনেৎপা মথুরোন্ পাংঙন্ মতম্পাক্পু নাইনেনা মাইপং চৌঙ্ মাঙলবু নম্দা হুন্না সেন্বী তেখাও লান্তাবদি তেখাও নেৎচৎ য়ান্লে, মোরাল, য়াকা চাইরে ॥ হুয়েল, লান্নিকিদি রাখোপ, পুরুরা অথৌববু কাইনহুন্লে ॥ অহু-নোংগীবু লাইরেল্ মৈতেঙ্ লোইনাই কৌবা চৌঙ্গঙ্খোম্বা তেখাও মোরান্ ঙম্বা রাখোপ্ পারুরা অথৌববু কাইনহুনবাংও তৌনা কৌএ ॥

তুমলগী নিংথৌ চামাঈঙাং অথৌবগা অনিসিনচিংবা মী ২৯ হাংখি। অহুদগী লাইরেল মৈদিংঙু লোইনাই কৌবা চৌঙথঙখোম্বা তুমল সাইপুঙ ঙম্বা, লানফমদা চামাইঙাং ফাবা হাঈনা কৌথি। নিংথৌ অসিগী চুঙ্-তা শেন্নহুনা লান তৌন্নথিবগী ৱাফমদি অসিনস্নু লোঈদ্রি। অৱাং নোংচুপ পাংবা মাঈকৈরোমদা শাংনা চৎলগা লৈৱিরা ময়াংগী ৱানানা ঙৌদোং ওইৱিবা লম, থোংনাং ময়াংগী মখাদা লৈবা লমদম, থোংথোক ঙাপুরম হাঈনা কৌবা লম, থবক-ইনখাং য়াম্না হৈবা মরোং মাকোকচা কৌবনা কু পুবা মফম, থারিক লমকাঈবা কৌবগী লৈফম অসিদি মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা থোনখিবা ময়াং পন্নি। অমচি নুঙলাইকোন কৌবা, তাংখুল লৈহৌপোক হাঈনস্নু খঙনবা মফমসিবু কবুই মান্থক্কী মচন নুঙনাং তাওবীগী শিফম হাঈনা কৌবদি করি মরমগীনো? মমাঙ্ ঙৈদা হাওনু লাসংনু শাফবী কৌবীনা থাকুপ কৌবা চৌঙদা চেঙ ৱাল্লুবদগী হল্লকপদা ঈয়েবী কৌবা তুরেলনা ঈহৌরকপগী ঈচেল ঈরৈ কম্না চেল্লমহুনা তুরেল লানবা ঙমদবগী চরা হেন্দুনা শিখি, মাগী মপুরোইবনা থিরক্কুনা য়েংলবা মতমদি তাংখুলগী লৈহৌরা পাম্বী ওইনা হৌরম্লে। অহুগী মরমদগী নুঙনাং তাওবী নোংলমরাই হাঈনা কৌখি। নিংথৌসিগী মচানুপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবা নুঙ্থোন কৌবগা অঙোমগী লোইয়ম্বা কৌবগা অনিনা

লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেল, চুঙ্সেল্ মরাহৌদি অসিস্থুং মতোম্দে ॥ লোইবী ওম্লোন্না চীঙ্লেন, নাতৈনা লোইবী লোক্লাওবুং হেম্বা চরৈরোক্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ নম্ মৈতেংঙু সেন্বী খাকেম্পনা চারা রাহায়না অচেপ্ পাওমেল্নগে হাইনা মরাল্ থৌচৎলক্পদা লোইবী লাওহুম্ লাও হেম্বা খোংহুম্ খোংববু লাইরেল্ মৈতেংঙ্না য়িদাইরেমসিং-ও রাইবা সাবাওখোল্ হুয়েল্ লাল্লাওখোল্লা হায়না পাওহুংববু মদাইরেম্ লোইবী মরম্বুনা লাইরেল্ কোরৌ য়িনোংথৌ ও রাইবা সারাওখোল্ হুয়েল্ লাল্লাওখোল্ব নত্তে হেম্বা পাম্য়ান্বা লোইবী লৌখোৎপনে হায়না পাওমেনখিএ ॥ অহুনোংগীবু লংলেন্ লোক্লাওবুং-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী চীঙ্খাং লাল্লবদা লাইজা মথি নাই য়িমু মবাঙ্ হৌঙম্বু লাইবেল্ মৈতেংঙ্না তয়িম্সা লাইজা মথি

ময়াংগী কাম্বা কৌবা অথৌববু ফাখিবা মফম লাম্হৌক্লগা লৈবা লমদম্বু লমলেন ঈরং থোংঙাইপান থোংনাং খেবুচীঙ কৌবদি করিগীদগীনো ? ময়াংগী কাংদাপাই কৌবা মপুক লৌথুপ-লৌকোই লৈতবনা হি শানবা উ য়ানবদা, হিগী মওং শেম্বা, ঙারেন মচিনগুম হিগী হিরুবাক শাগদববু উহু মচি চংবনা উগী মবুক হন্দোক্লগা হিযাঙগী হিবান অনিবু শাজবা হৈতবা অমস্থুং উগী উতোন্দা পুন্দুনা থৌরা তিংহুনা চিংবম্থু হৈতবদগী হি শানবা উ অহু লেংথোং নাহুনা পুরকখি। অহুদগী থোংনাং হিপুচীঙ হাঈনা কৌববু অশম্বা পাম্বশিংনা থোংনা খেবুচীঙ হাঈনা থোন্নখি। মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অহল মাকলং লাম্থাবী কৌবীগী লুহোংবা থিললকপদা মহাক্না যৌরক্লম্বগী থুবম খঙনবা মশাগী খোঙ্গুল য়েক্লুনা থম্লম্বা মফম, মৈদিংঙু মুঙনাং তৈনহৈবা লোইবা ফাবা, সোকপাও ঙম্বনা ময়াংগী লমদা লান্দাগে তৌবদা শম্নগম্বা মউনগী চুঙ্গোঈ, চুঙ্গোঈগী লৈতেংলিধা মরুশিংগী ময়াঈদা তম্ফানা হাজং য়ৈহুনা লৈতেংলবা চুঙ্গোঈবু খুৎ ওঈনা পাঈহুনা হকচাং ঙাক্লবা শেন্নরগা চংলৈ মৈরাবা কৌবা মাগী থাঙ্শাংনা তুংদা য়েপ্লগা, ময়াংগী চানা ময়াঈদা তৈহুনা ফজহনবদগী

নাইবা অসিদি খোইমা চবৈ তাকুম্‌এ হায়না পাওমেন্‌ ঙম্‌এ ॥ অহুনোংগীবু হেন্না চরৈরোক্‌-ও তৌনা কৌএ ॥ লম্‌লেন্‌ র্‌ত্নারোক্‌ কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ মৈতেংঙু সেংবী খাকেম্বনা পামেল্‌ উনাম্‌ তানা তল্লা পরেং সাববু সামু খুৎফাং লোইনা থিবম্‌এ ॥ তল্লা র্‌খিবোক্‌-ও কৌববু পোইরৈ তাবা থিবনা লম্‌লেন্‌ উত্রারোক্‌-ও তৌনা কৌএ ॥ লম্‌লেন্‌ চেক্লাপাই কেকে থুম্‌খোংলেন্‌ কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ ময়িম্‌ লোইবী মারেম্‌না থুম্‌বু তেক্‌-ও কৌএ ॥ কাখিববু পাই-ও কৌএ, অহুনোংগীবু তেকলাপাই-ও কৌএ ॥ পোইরৈ তাবা থিবানা চেক্লাপাই-ও তৌনা কৌএ ॥ কেকে মোইরাং নিংথৌ য়িম্‌থু পোংলেন্‌হনবা খোংলেন্‌ মখুৎফানে ॥ নয়ু মৈতেংঙু লাইরেল্‌ সেংবী খাকেম্বনা মবাল্‌ থৌচৎলক্‌এ হায়ববু নাতাবাবগী লোইবী চীঙ্‌সাং থল্লবনা মাওবী পোম্‌সংয়ান্‌ উপাল্‌ পোপ্‌তেক্‌

মীয়াম্না মশক খঙনরবা, নিংথৌ মাগী তাবু খুবাক্তা িন থাকুনা চেৎনা পাঈবগা, পাম্বোম তিংহুনা চাঙন্ন দা নো থাঙ্‌ কুপ্নগুম পাক্তিনগী নোংথাঙ কুপহন্দুনা তবুঙ্‌ চীঙদোন্দা খৌশাহুনা চাং যেংলম্বা চাঙগী খেনগা লোন্নবা চীঙগক্তগী খাই (ববাক) তুবেল লান্থাক্লগা, অমুক মৎ (মকু) তুবেলম্ভু ফৈনা শমহুনা ঈবাল্লগা নৈবা ময়াংশিংগী কম্পাক্লা উবা লৌফম, মঙান্না নোংচুপলোমদগী শলগী মায়ে লোনবগুম লে শিন্দুনা লৈবা চীঙ, ময়াংগী খাকরা উনা রাংবা মফমদা লৈবা নামশিংগা লোন্নবা চীঙ্‌, ময়াংগী অম্‌বা মালচেংস্নুচা কৌবনা চঙয়াগী মনাক নক্লা চৎলগা লম খিন্নবদা ফংগনি হাঈনা থিরগা ফমদবা মফম, হাওশিংগী লোইগী লোইপোং লৌবা ঙানবা অতোনবা কৌবগী নৈফম ওইবিবা পাংঙনশিংগী চম্পাক্লমবু কোঈথোক্লগা, মাঈবঙ চীঙবু হুংদা চনম্লগা মীরৈপাক্‌ তেখাওগী লমদা লান্দাবদি তেখাওশিংব নেং ং নেঙ্খতুনা য়ানথুরে, মোরানশিংগী খুনগী খুন্দিন্নফম থুগাঈরে। অহুগা লানফমহুদা রাঘব পুরুরা কৌবা অথৌববু হাৎলে। অহুদগী লাইবেন মৈদিংঙু লোইনাই কৌবা চীঙথঙখোম্বা তেখাও মোরান ঙম্বা, রাঘব বরুরা অথৌবা হাৎপা হাঈনা মিংথোনথি।

লৈ লম্লেক্ পাম্সঙ সা সাতাল্ লাম্কাইফম্বু তাওখংঙম্এ। অদুনোংগীবু লম্লেন্ মাওবীরোক্-ও তৌনা কৌএ॥ লম্লেন্ মাওবীরোক্ মৈতেংঙু সেনবী থাকেম্বা তেংকোল্লেনবু নাতৈননা লোইবী সাইতোল্ অতোনবা মরৈপুঙদা লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইনাই চীঙথঙখোম্বনা সৌতি নাকুলম্ থিন খেরে মাঙয়িল্না খোকলাং তুংসোল্না লৌক্লৌ সৌখেৎ থোইনা পস্থেং-থবদি সাইতোল্ য়াকা চাইরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি সাইতোন্ মনিংথৌ হেম্বা সাইচুংলেং লোইবী লমকন্ থৌববু কাইনহুন্লে॥ অদুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইনাই কৌবা চীঙথঙখোম্বা কৌবদি কদৌনকো মৈতেংঙু লোইবী সাইতোন্ ওম্বা হুয়েন সাইচুংলেং ফাবাও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু হুয়েল্ সাইচুংলেং ফাবা সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেন

নিংথৌ অসিগী চুঙ্-তা পাঈহুবা শোক্লখিনা লানফমগী ৱাবোলদি অসিনস্থ লোঈবা নত্তে। চীঙ্গা হেক থংনবা চীঙ অমগদি কোঈনা চংলগা লৈবা মফম্থু, লোইবী লোক্লাউবুঙ্ হেম্বা চরৈরোক্ হাঈনা কৌবদি করি মরমগীনো? নবুধৌ খাগেম্বনা চারা খুনগা রা হাঈনগে, অচেপ্ খুনগা রাবী শান্নগে হাঈহুনা লাকপদা চীঙ্মীশিং অদুনা লাও খোংহুনা লৈরম্লবদা মৈতৈ নিংথৌনা শা-লান্ লাক্প্রা হাঈহুনা হংবদা নিংথৌগী মনাই চীঙহু পুবা লম্বুনা শা-লান্ লাকপগী লাও-খোংবা নত্তে, চীঙমী-শিংনা পামলৌ উবগী, লৌয়ানবগী লাও-খোংবনি হাঈনা তাক্লম্মী। অদুগী মরমগী লোক্লাওবুঙ্ হাঈনা কৌখি। চীঙ অদুগী চীঙখাঙ্ লাম্থোক্লগা ঈহৌরকপা তুরেলনা ঈচেল-ঈরৈ কন্না চেল্লম্ববু উবদা মৈতৈ নিংথৌনা ঈনাইশা তুরেলগী ঈচেল-ঈবৈ কন্না চেনবা অসিদি চরৈ ফিশা তাবগুম্মী, হাঈনা হাঈরম্মী। অদুগী মরমদগী হেম্বা চরৈরোক হাঈনা কৌখি। অদুগা লমলেন উত্রারোক কৌবদি করি মরমগীনো? মৈতৈগী মবুংঙো খাগেম্বনা, উপাম্বীশিংনা মিংয়েংগী পংখৈ য়ৌনা পরেং শানা হৌখিববু মখুৎ থুবাংনা পাঈ-পাঈহুনা থিরম্মী। অদুগীদমক তল্লা উখিরোক হাঈনা কৌববু রাহৈ নাতৈ চাবা থিবশিংনা লমলেন উত্রারোক হাঈনা কৌখি।

মরাল্হৌদি অসিনস্তুং মতোম্দে॥ নয়ু মৈতেংঙু লোইনাই কৌবা চীঙ-থঙ্খোম্বা সারেল্ নোংসা খ্বাংদানবদি পোইবৈ তান্থোং ময়ুং কুই লেম্বথোং মফৈ পাক্পকী পোইরৈ হৌনা মরম্চৎ রাংঙম্ সিকুম্লম্ সরা পল্কেল লম্ পোইরৈ য়াইথোঙ সাহুল্লম্ পুরোই লৈকোইবা মথৌ য়াংকেম্লম্ চঙ্রুদা খমন্নুং পুঙচি ৭ মক্ থোঙ্ঙাক্ অসিথেল্বু য়ৌরুদা য়োইথোঙ চীঙ্লাংমৈ য়েন্পং ফাইপং হৌববু চঙ্লুদা নয়ু তুবি য়াইনোংতা নোংদা লাইবেল্ পাখংবগী মমাইবা কোন্তে নাক্থঙ মাইগ। লৈন্নুং খাবা লাংথংচাগা ২ মক্লা পোইবৈ সিকুম্বা রাংঙম্ সরা তান্ববু তোইখিগনে হায়বগী য়োংপী লুরোই থা কাপতু লৈখৈ লেংনা খমন্নুং লৈথোঙ থিংবা লম্বু চঙ্লুদে॥ ঙাংচং মম্বীরোক্ চাঙাল্ চাহুম্ গোংবু লাল্লুদা তন্বা মুক্তম্থেলবু নেৎলুদে॥ মিরেন্ লন্হামপুঙ পুঙকোইরেন্বু কারুদা তয়ুম্ ঐখোয়স্তুং

চেক্লাপাই কৌবা লমবু কেকে থুমখোংলেন কৌবদি করি মরমগীনা ? চীঙ্মী মারেমশিংনা থুমবু তেক হাঙ্গনা কৌই, কাখিববু পাই কৌই, অহুগী তেকলাপাই হাঙ্গদা কৌববু রাহৈ নাতৈ চাক থিবশিংনা চেক্লাপাই হাঙ্গনা কৌখি। মোইরাং য়েক্কী নিংথৌ য়ুমথু পোংলেনহনবা কোবনা শেল্লম্বা অমস্তুং চাবম্বা অথোইবা থুমখোংনি। লাইগী মতাক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌ খাগেম্বা লাক্লে হাঙ্গবা তারবদা চীঙ্শাং থন্না লৈরিবা চীঙ-মীশিংনা মোওবী/মৌবী রা অশংবা য়ান্দুনা উপল্ উনা পোপ্ফন্দুনা লৈরগা মথক কুপ্তুনা লম্লক্তা লেক্লবা শঙ, শা তানবগী পামদা শাবা শকাই শারম্মী। অহুগী মরমগী লমলেন মৌবীরোক হাঙ্গনা কৌই। মৌবীরোক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বনা তেঙ্গান শারম্বা মফম্বু কোইথোক্লগা সাইতোন কৌবা চীঙ্গী কোন্না তাবা খুল্দা মৈতৈ নিংথৌ চীঙথঙখোম্বনা শৌতী কৌবা তা মখলনা নাকল্লোমদা, রানা মখোক পানবা খেরে কৌবা তানা মাঙ-লোমদা তাজান্ চীঙ্হুনা তুংলোমদা তাথোক্লা ইন্দুনা লোক্চপশিংনা খেৎপগা লোঙ্গননা লান্দাহুনা লাম্থেংনবদি সাইতোন্গী খুন্দিন্নফম্ থুগাঙ্গরে। লানফম্হুদা সাইতোন্গী নিংথৌ চীঙ্গী লম লৌশিন্নবা সাইচুংলেং

কারুবোঈ॥ চাঙ্ঙা লাংথাক্পাপু থুকদা লম্পুন্ সাবাওখোল্বু তাকদা পিস্নম সাথৌখোল্বু নাতাদা লৈবক্ সাথৌবা খোংবাল্ লাল্লুম্বাবু থুখিদা সিংনা চোম্জাও স্নুবা কপাক্ যেনতং হাইবনা হাইখিদা খমনুং পাংথি যাম্বা সরা কোল্খল হকপাবু চৎলুদা সম্পুম্মানা থোংসাবা সম্লাংমানা পাম্বে সেম্ববু লাল্লুদা কোংগোই যিনমথি খোইযা রুভংপৌবপু য়েংলুদে॥ খমনুং যাইথোঙ সিংস্নবা সরা তেৎনৌ লান্পন খন্বা মস্নুমাংবু নেৎলুদে খমনুং মাক্মা লৌওন্বী অমন সাম্বা মীথেম্বানা পাওথেম্ববু পাওযাদা হৈবাং তাইপোম্বা খোংপাল নরা পিনিনহৈ হৈবাং মচেৎমাবু চাকবগা পলেম পন্থৌ পিকাওহৈবু লাইবেন মৈতেংঙু লোইনাই কৌবা চৌঙথঙ-খোম্বদি চাকদে॥ হংঙাই কোন্থ নুবাবী হিসলম্ খমনুং মফোং কৌববু হাংখি। অহুদগী লাইরেল মেদিংঙু লোইনাই কৌবা চাঙথঙ-খোম্বা কৌবসিদি কৈদৌনকগবনো মৈতৈ নিংথৌ লোইবা সাইতোন্ ঙম্বা, অকনবা লানফা সাইচুংলেং যাবা হাঙ্গনা মিঙ্গৌনখি। মৈতৈ নিংথৌ সাইচুংলেং ফাবনা চুঙ পাঙ্গিহুনা লান শোরুখিবা লানফমদি অসিনস্নু লোঙ্গবা নত্রি। নবুধৌ, শাগী নিংথৌ নোংশাগুম খ্বাজেংবা মৈদিংঙু চৌঙথঙখোম্বদি মযুংনা শাংবা মবাক্সু পাক্পা মৈতৈ কংলৈ পুঙমযোনগী মৈতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না মী শিরগা থরাইনা চৎনবা লম অশিবনা তাকুবা মফম, অশিবশিং মশা পোৎলোঈফম, অশিবা হকচাং লোঈশিন্দুনা মথৌ-মঙম্ তৌবা মফম্সু চঙ্ঙদবা, অশি লৈপাক্কী পুঙ্ ন মক্কী মচা ওইবা থোঙ্ঙাক অশিথেন্বু য়ৌকদনা, অশিবশিং থুংফম ওইবা চাঙগী চৌঙমৈ, য়েনবঙ-ফাইবঙ কৌবা নাপীশিং হৌবা লম্বু চঙলুদনা, অহুগীসু মথক্তা নবুধৌ নোদো লাইরেল্ পাখংবগী মাইবগী খৌ পুবা, তুং হন্দ্তা লৈবা কোন্দ নাকথংমাঙ্গ কৌবগা, মৈতৈ লৈপাক্কী রাংমা, খা মাঙ্গকৈ-বোমগী মহৈ পুন্নমক হৈবা খাবা লাংথংচা কৌবগা অনিমক্তা মৈতৈ লৈপাক্কা মী য়াম্না শিগনি হাঙ্গিহুনা য়োৎপী থাজিন্দুনা রাচেৎকী কাপ্তু লেংশিন্দুনা অশিবগী চৎফম লম্বী থিংজিল্লিবা মফমস্নু চঙলমদে। অহুগা

হিরান্‌ববু লাল্লুদে ॥ লাইজা লুরেল্ পুল্লাং খিল্‌ববু থক্‌লুদা খমন্নুং চৌঙখু-রেম্বা মচীংজিন্ সরাঙ ঙাইনথেল্ হন্‌বা হন্নু অমল্ সিকুম্‌খিবনা খমন্নুংলম্ অথাপ্পা সরা লম্‌না তাম্ববু করম্ য়োৌসিবনো হায়না চৈস্নু ঙাইরল্‌ননা অন্না-পোৎথেল্‌বু য়ৌরুদা খোইমা নাকোন্‌নুংগী থৌহু নুঙপাক্ লম্‌লোইরাই সনা ঙাসেন্‌পাৎপু নয়ু মৈতেংঙু শ্রীভৈগ্যচন্দ্র নুংনাংখোম্বদি কুম্‌লুদে ॥ খমন্নুং থাংহল্‌বা পুঙ লাইকোক্‌চানা পুরোইখোল্‌বু তারুদা খমন্নুং পুঙফু নোংফাইচৌঙ্‌বু কারুদা কাসা পাওতাক্তা নোংখৌ সনা কৈরাক্ থাবা খোংরাই ৭শুবা চৈরৈ ফিঙৌ কুপ্পাবু কারুদনা ॥ হাওরৈ নোংচুপ্‌লা পাংবরম্ গঙ্গা তির্থ য়িরৈমবু নাতৈননা শ্রীনরোতোম্ মহাসয়গী ফম্বীরেন্‌

ঙাংচেং মন্বীরোক কৌবা মফমগী চাঙাল, চেঙ্‌নাং থোংবা চারা চাহুম্না শাবা থোংস্নু লাল্লুদে, নুপা ওইবশিংনা নাপলনা ময়াই কাহুনা শিনি-নানি খঙ্‌দনা কানবা, তম্বা মুক্তম থেল কৌবস্নু কারুদে, অহুগা মী পুম্নমক্কা হাম্‌নফম ওইরবা লম্‌হামপুঙ্‌স্নু কারুদে। অহুনা মনাই ঐখোঈস্নু কাজরোই-চীঙ্‌ঙাদা থরাইগী লাং থাকপহুস্নু থুরুদে, লম্বুল তুরেলগী শা খোংবগী মখোলস্নু তাখিদে, অহুগা পীশুমদা শা থোক্লকুবা শাথৌবগী নিন্‌-খোংবস্নু য়াওদনা, লৈরক্তা শা থোরক্লবা লাও-খোংবা, খোংবান্দা লানফা ফানবা লান শোক্লনবা লুম্বদস্নু য়াওদনা, শীঙনাং মরক্তা লৈবা মখুত্তা শরিক্ পাঈহুনা থেন্নগা কবাক্ থাঙ্ পাঈহুনা হাইহুনা কক্‌থৎপদস্নু য়াওদনা, অশি লৈপাক্কী পাথা-কোমথীনা থল্লবা লম্বা, অশিবগী তোপ্পা তোপ্পা লৈনবা লৈফম য়াম্লবা লমহুদস্নু চৎলুদনা, শম্‌না অমনা থোং শারগা শম্‌না অমনা পাম্বৈ ওইবা বৈতরনী তুরেলস্নু লাল্লুদনা, কোঙ্গোই কৌবা শলবু ঈশিং মন্নুংদা হাৎলগা থম্বদগী ঈশিং নমথীরকখিবা অহুগুম্বা মফমদস্নু চঙ্‌লুদে। অহুগা অশিবগী মশীং থীবা অশিবগী লমদমদা লানশিন্‌বা য়াদনবা য়োৎকী পল খাবা থেম্বস্নু লমহুদস্নু খোঙ্‌দারুদে। খমন্নুং কিকোই লৌওনবী কৌবী অশিবগী খপ্রাংচাক কৌবা উচেক ওইহুনা মীবু শুন্দ্ৰাতুনা মী থেমদোকপা হৈবীনা থেম্বস্নু য়াদনা, অশিবশিংদা পীজনবা হৈ, মচেৎ অমতং চাবদা ইমা-ইপা

শ্রীপাটক্ষেত্র লৈমঙন্দা সাল্‌থুপ্‌পা শ্রীবৃন্দাবনগী কল্‌প বৃক্ষ পামেল্‌ ঋখাদা লৈতাউ-রি ওইনা সান্‌ফোংলবা লিক্লাই নিংথৌরেল শ্রীভৈগ্যচন্দ্র লোই-নাই কৌবা চাঁঙথঙখোম্বদি চোইনৌসনা মিংছুনগীবু চুনবনে ॥৯॥

নয়োল্‌ মৈতৈ লৈমা অতোল্‌ লোইয়ম্বা চহু খয়োইরোল্‌ লিক্লাংখোম্বা মপাম্‌ লম্‌লেন মদাইমা হাওরৈ নোংপোক্‌লা পাংবরম্‌ লম্‌লেন্‌ হুইপুং লমন্নুংসি ঙাংচেং চাঁঙলুকোক্‌ পোনবা রুবিংচাং লিক্লাইথোক্‌ য়িফুৎকোন্‌ মৈতেংঙু কাইনৌ য়িরেংবা মকাইফম্সু নাতৈননা লৌপাল্‌ রারুতাও থৌছু নুঙকারেপ্‌ পান্‌বা কৈরানচাঁঙ নোংয়াঙ্গী অসিং সোইথিংবাচা অদোন্‌ থিং-কোঙ্গ য়ারা সোইচেপ্পাঁচা মরৌপাল্‌ পোইরৈ সেরা মাইরেন্‌বা মকাইফম্‌ নাওবা থিচাম্‌পাৎ নোংপোক্‌ রাইরং চাঁঙঙামাঙ থুনল্‌ সংখুপাং ॥ চাঙখোঙ

কাউবা খোংবান লুক্লাংদা হৌবা মতাই পোংথোক্‌পা হৈ, অঙাংশিংনা মমা পীয়ু হাঙ্গৈনা নিনবা হৈ অছুবু মৈদিংঙু চাঁঙথঙখোম্বদি চারুদে। হংঙোইনা হি শঙবা লমগী অশি লৈপাক্কী হিরানফমস্থু লাল্লুদে। অশিবগী ঈশিং থক্লবা খরুং খিনবা ঈশিং পুনগী ঈশিংস্থু থক্লুদে। অছুগা অশি লৈপাক চৎননবগী লম্বাগী মচান্দা লৈবা অশিবা ময়ামগী ঙাইনফমদা শিরবা হনুবশিংনা অশিবগী লাপ্লবা লম অসিবু করম্না য়োগদবনো হাঙ্গৈছুনা চৈশু কৈরেং-ভুরেং শুছুনা চৎলগা অরাবা পোত্থানবা মফমদস্থু য়োরুদে। উমংশ্রামংগী নুঙপাক্‌ ঙাক্লা তাবা ঙা য়াম্না লৈব। মফমদস্থু নবুধৌ মৈদিংঙু শ্রীভাগ্যচন্দ্র, নুঙ-নাংখোম্বা কৌবদি কুম্মুদে। অশি লৈপাক্কী অরা-অনা খাংহনবা মফমদা লাইকোক্‌চানা পোৎলোঙ্গৈবগী মখোলস্থু তাদা, অশি লৈপাক্কা পুংগী পুংখোন তাদনা, মতম খর কাইছুনা লৈবা চাঙস্থু কারুদে। মৈতৈ নিংথৌনা শিবগী কাসা পাওতাক্‌পস্থু তৌদা, থাক্‌ ৭ হাপ্পুনা ফিঙৌনা কুপ্পুনা অশিবগী লাইরৈপাক কানবা থৌরম লাংবস্থু য়াওদনা, নোংচুপ মাঙ্গৈকৈ পাংবদা লৈবা গঙ্গা তৌবা তির্থবু লাম্লোক্লগা শ্রীনরতম মহাসয়গী অথোইবা মফম, শ্রীপাটক্ষেত্র কৌবা মফমদা নোঙ্গাখিবা শ্রীবৃন্দাবনগী কুইনা পুন্সিরবা উগী উখাদা লৈপাক্লা তাউছুনা লৈবা উরাঙ্গম লাঙঙাল-

পোইবৈতোন্ খুন্থোক্লোই পোক্নাওভা খুন্ফাওলোই লাইসনা য়িম্মাথে থোংবম্ মনাও তিংবিচাম্বা চনিংহেন্‌বা পানপান্না পান্‌বা খুৎখুম্সঙ্‌দা নংপেল্ লাইনাবাসু চাইবা ঙাইফা মফমথি রাইচেন্ খাইচা চপ্‌ নারী হুংভাই য়াৎ থাংলেন. পাইজা তাকৈনা মুক্‌হন্দনা কাবুক্ মফম সেম চোম্লাং কাউবা মনাসি মফম্ ভাঙনা লৈমা-রুকুম্ খৌচোনবা মিংহুন্ থানু পাংলেন, মুদা পোংনা খুনভরাই প্রোংলেং ময়িম্নাক্ থৌরা মসাই-কোল্ নবাং নোংফুবো অমথা য়িপুং পুক্কোই মহুমন্নুংগী নোংয়াই চুঙ্‌লেন্ ফেল্মরক্কা চাংথৈ লৈনাথোংগী লম্‌হৌরক্‌পা মতোংয়াই লুংপা অহল্‌বনা

মলক্‌পা লক্রাইগুম মতোন নাইববা শ্রীভাগ্যচন্দ্র লোইনাই কৌবা চাঙ্‌-হঙ্‌খোম্বা বৌবা নিংথৌনিদি সনা ফদোংলবগুম্বা মিংথোল্সিগা চানরবা মিংলেন্নি।

নলেনবৌ মৈতৈগী লেপাক রাজবা খুনগী লোই য়াম্না খোম্বা য়েক্কা নিংথোগা খয়োইবোল লাংখোম্বা কৌবাদি নোংপোক মাঙকৈ পাংব-বোমদা লৈবা ভইপুং লৌবা চাঙ্‌ মচ্ ভাংনা চেংশিল্লগা মক ইকোক্ কোক্রবা চঙ্‌, উচেক্‌শিননা উ চিংগা চঙ্, লাক্লাই থোকপা, ঈফুৎ লৈবা মফম, লৈদিংপু লাইনা ইরোলগী লৈফম ওইরম্বা মফম্ব কোঙ্‌ঈথোক্লগা লৈবা লৌবানগী রাজা রানী মচানা লৈবা লৌ কৌবা মন্ডপ কুপ্পা মুঙ্ য়াম্না য়াংনা খুংবা লৈনা চানবিনা চাঙ্ খমন য়াইথিংবগী মুপী সোইথিংবাগী মচা, খুনগী থিংজমগী ... ইচেগ্নাগী মচাগা লোইফম মনাত্তা লৈবা মৈতৈগী সেরাগী মাঙ্গৈবম্বগী লৈফম, অতোপ্পা মীচান্নবা পাৎ, নোংপোকলোমগী চাংঙাগী মমাঙ খুমন লৌবা সংগু, কৌবা পাং, পোইবৈতোনগা খুন্থোক-মিন্নকপা পোইনাউতাগা লমনমিন্নবা, লাইম্নাগী য়ুমদগী অমা থৈদোক্‌না পানবা পোংমগী মনাও তনবিচাম্বা চনাও হেনবনা মপাম্বোম্না নমহুনা কৈ ফাবগা সমন থনখিবা লমদা নংপোক্কী লাইমনু চাইরুংদা ফারিবা মফম থিং লেংলৈক্রিবা পরাং চপনিন্দুনা নারাগী তাইনফম য়াৎলগা পাইজগী মথম এমুক লানাইন্দনা বাগী কবুক্কী মফম শেল্লগা নায়ানগী

ৱুসোই য়িরাৎফম্গী লম্কা হৌনা খুল্ গারাই অংলোল্ কোক্চা হিরুবনা কোইবরক্ খুমল্ লাংয়েন্ সিনাইশ্না ঙাক্পবম্ অথৌ ত্রোংকন্সা মা তুয়া লৈমা পিতোঙ্গ্লাংবী মরমখৈবু অসৈনবা মপাগ লম্লেন্ মদাইমা হাওরৈ খানা পাবরম্ চোংম্ চোংথাপম্ চন্ন খাইম্ খাইথিবচন্ন তোং-কোল্ ৱাইবৌ থাংবী ফুম্দি নাতৈকাংবী লোক্লৌ পান্নেন্ হৌবা সরা ৱুৎসিংতাবীনা পুঙখঙৱাই মথিং মাবম। তেল্হৈবা মসাইকোল নোংয়াই মগাইবা সন্থোং হাওরোংতা পুংমাঈথিং কৈং গমাইনা য়েন্পা সোইপাই মকা য়েল্মোম্ সোইখিংমগা কাইবৈ য়েন্হিং থানা খুনিৱাই কাইরৈ য়েরুম্ ১৫ থুমচা ৫ কোক্ মথিং মাবপা তেল্হৈবনা কাপচগৱা

মফম খঙনা য়াত্তুনা লৈমা উরুম খাওজোনবীগী মনিং গোনবা থাঙ্বু কোক্রা থাঙ্গতুনা পুবগা খুন্দাংবা মফম, তোংলেংশিংগী খুন্দাফম, থারা-শিংগী লৈফম, চক্পগী সরাং নোংকুরেনগী শিংনা পুনকোই কোঈশিনবা মফমদগী খুম্নগী চুঙ্ময়াম হুন্নবা মফমগী চাঙখৈগী মঙাল লাকপা মফমতুদগী হৌনা লাকপা লুংবা অহনবা কৌবনা কংলাগী উংশাঈ ঈরাৎফমদগী হৌনা খুন্দাবা মফম, নোয়াইগী কোকচা হিকবা কৌবনা ঙাক্লিবা লমদম, খুমন লাংয়েন শীন্নাইশু কৌবনা পাল্লিবা লম, মকোক কনবা অথৌ কৌবগী মপাঙ্গী লমখৈ মনুংগী ঈশিং লৈবা মফমগী মপাল, পীতোল লাংবী কৌবী মৌ অমগী য়িংখোল্গী লমখৈবু শৈথাত্না মতীক মগুণ শক্পী, থা-মাঈকৈরোমদা লৈবা শীঙথানবা লম, চোংম্ হাইনা কৌবা পান্বী অহু থাবা ইমুংগী নিংঙোল, থাইম্ কৌবা সম থাঈদোক্লবদা শাথীরবা নুপা অহুগী মচানুপী, মখাংদা তুঙ্গাল্ য়ান্দুনা, ফমগী মতাই হাইগৎ-কাংখতুনা ঈশিংবু ঈপোম মকোঈ মকোঈ হৌহন্দুনা ঙা ফানা ফানা উৎথিৎ কৌবা উচেক্নী লৈফম ফাওবা চৎপীনা খঙখি-হংনখিবা মফম, মবুং মাকমা কৌবা তেন্ শীজিন্নবদা হৈবগী মশাগী লৈফম ওইবা মফম, খুমন য়েক-সল্লাইগী মাইবা ওইবশিংনা সন্থোংহ ওরোংতা পুঙ্গী মমাঈ থিংজিন্নবা কৈ থৌবা মফম, য়েল্ লাবা, খুমন মরোন্দা সোইপাই

কাপচদে॥ থিংপাইদুম লৈমা সাইরোনচেক মখোল য়াংলৈ তাওবা হুই খোংখোল, সংসঙ, থোক্‌পা চেক্‌না মরাল, চাক্‌রাইগব্রা চাক্‌রাইনঙম্‌দে যাওরৌ সা তোক্‌পা তোক্‌মু মৈসাংবা খোংপাল লৈপুং কোইচ্রাওবা থোংলেন, লম্‌কা সানা য়াওচক্‌প্রা য়াওচঙমদপুং অতোল লাইফেংবা খুল্‌নারাই মপাম্‌ লমলেন, ১ খন্নদা তুনেম্‌ ২ চৈবত্তনা অসৈ লম্‌নেন্‌ সকপা চন্নু নয়োল্‌ মৈতৈ নৈমা খয়োইরোল লাইরেন মৈতেংঙু হোঙ-নেমযোঈ খুল্‌চাওবব্‌ লপা সিলম্বুবল, থাঙলেন্‌ পাচাহন্দা লৈনাম্নুং কাহল্‌দনা লাইবেন চাঙখোঙ পুযোক্‌লোই পোইবৈ খুল্‌কারোই লৈন্নুং আখা সিল্‌হৈবা অতোল্‌ লোইয়ম্বা চন্নু, নয়োল মৈতৈবৈমাবু মপল মরালয়াই নোংয়াই মসাইকোল্‌দা মপলনা কোলোই মিংগোন্‌বদি লিক্লাং-খোম্বীও তৌনা কৌএ॥ লাইসরা খাঙ্গবক্‌কোল অথবা নোংদা লাইরেল

কৌবা অমগা. অমোম সোইথীং কৌবা অমগা য়েলহি থাহুনা খুন্দাফম থিবা মফম, যেনগী য়েকন ১২ কোক্‌পা য়েন্নাউ ১৫ ওনবদা মবু মাক্‌মা তেলহৈবা কৌবনা কপকদ্রা হাঙ্গবসু কপখিদে। গীংবাঙ্গজম শাগৈগী মৌ অমনা ওনখিবনি হাঙ্গনা লৌবিবা উচেক, মখোল হুইনা খোংবগী মখোল চপ মান্ননা থোকপা (অমু কাক্‌হেন কৌবা) উচেক্লা মহুম তান্না পাইশি পাইঙমদে, তোক্‌নু কৌবা মচু মুবা মমৈ শাংবা লৈপুঙ্‌দা লৈগনবা লম অনিগী মবক তাইনফমদা থোকনবা শানা চাগে হাঙ্গরবসু চাবা ঙমদবা লৈপুঙ, খুমন নিংথৌ অদোন লাইফেংবনা খুন্দাবম্বা মফম, লম অবেম্বা অনি খন্নদবা তরেল ঈচেল অনিনা খাঙ্গদোক্নদবা মফম্বু লৈশি লৈথোন্দুনা শৈশক্লবা কাংবুশিংগী নিংডোল নবেঙ্কো মৈতৈগী মবেম্মা খুমনগী য়েক ওইবা নিংঙোলদি মৈতৈগী মবুংঙো হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাবা (নাওথিংখোং) কৌববু নুপা ওইবশিংগী অথোইবা শীনফম, গাঙগী মপা চাহন্দনা, লাইগী লাইফম - তীনফম ফত্তবশিংদা চঙ্‌হন্দনা, নিংথৌগী হকথেংনবা মশা কন্নবা লোঈনবা মনাই ওইতুনা খমন লৈপাক্তগী মৈতৈ লৈপাক্তা কামিন্‌-নরকপদা শেন্নরকখিবা লৈন্নুং আখা কৌবা শীনফম্‌ খুদিংমক্তা হৈ-শিংগী

পাখংবা ফম্তোংখোং অচৌববু কাববদা লাইরেন্ মসাবী লোইনাই কৌবা চীঙথঙখোম্বনা কোলোই মিংছুন্বদি সেন্বী পাইখু পান্থাবী-ও তৌনা কৌএ॥ নযোল্ মৈতৈবৈমা সেন্বী পাইখু লান্থাবীদি হাঙবৈ নোংপোক্লা পাংববম্ খোইযম চীঙঙ্ পুথিবনা তালোই হুযিন্বলম্ হেম্বা রাবচীঙ থৌবাল্ লাইজা য়িম্কুবু নাতৈননা লোইবী মচীঙ কা কসোম্ তানদবা লম্বুই খঙনদবা সোক্পাও মনিন্ নাইবা হেম্বা খুলগংত মকপু লোইবী মবান্ তাক্লা সনা খোমহানবদি হুয়েল্ লান্নিকিদি তামকেং লান্থোযাংবু কাইনা হুন্বা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মসাবীগীদমক্পু সনা খোম্হালবদি অসিস্তুং মতোমদে॥ হাঙরৈ নোংপোক্ খানা পাংবরম্ লম্লেন্ হৈবেম মবক্সি কোল্যা তৈ তিংপাল অতোল্ লোইযম্বা নোং মল্রাইবু নাতৈননা লম্লেন্ লৌসি-লৌ থম্লান যিমৈ সম্না হৈবেম্

চাদা-নাউদা ওইবা খুমনগী লেমজনফম্ ওইববশিংগী নিংঙোলনি। নবেন্ধৌ ইবেম্মসিবু মপামগী মযুমদা খুমনগী মবম্দা মপা-মমানা থোনবা মিংদি লীক্লাংখোম্বা হাঙ্গনা কৌই। মৈতৈগী লৈমা-নিংথৌগী যম্বাল তোংফমদা কংলা মেন তোংহুনা যম্বাল কাববদা মবুংঙো মৈতৈ নিংথৌনা থোনবিবা মিংদি সেনবী পাইখু লানথাবা (আরাগী পাইখু কৌবা ফুকপ্পু লানঙম্বা) হাঙ্গনা থোল্লি। নবেন্ধৌ মৈতৈগী মবেম্মা আরাগী পাইখু কাংব ঙম্বীনা নোংপোক মাঙ্গৈকেদা লৈবা পুথিবা কৌবা লাইনা মাগী হুপী মনাক্তা যাওং ইনবা মফম থোবাল্ তুবেলগী হৌবকফম রাবচাঙ্বু থৈদোক্লগা লৈবা চীঙগী খুনশিংবু মখোঙ্গ মখোঙ্গী চিঙথকশিংদা কাখতুনা মাকুংনা তাবা কসোম খুল, যাম্মন্দুনা মশক খঙ্নদ্রবা লম্বুইথুন অমস্তুং মমিং লৈববা সোক্পাও খুন, খুঙ্গং অহুম্মক্তা খুন তাক্পমথৈ লান্দাবদি তামকেং কৌবা অথৌববু মাঙ্গথীবা পীথি হাঙ্গবা মিংথোল যংখি। মৈতৈ নিংথৌ ওইবিবা মপুবোইবগীদমক্তা লানফম লাম্থেনবদি মসিনস্থ লোঙ্গইদ্রি। খা-নোংপোক পাংবদা লৈবা হৈবেমগী কংফাল অমস্তুং ঈশিংগী মবক্তা খুমনগী লোঙ্গয়ম্বনা শিথিবা মফম, ঈশিংগা কংফালগা তাইনবা মপাল ওইবা

নিংঙোল্‌খোংদা সনা খোম্‌হাল্‌বদি চয়েল লাননিবিদি ওইরা মীবোংখন্‌ মংকী লান্‌চিংবব্‌ কাইনা হুনবা ও তৌনা কৌএ॥ মৈতৈরেমনা সনা খোম্‌হাল্‌বদি অহুম্সুং মতোম্‌দে॥ হাওবৈ নোংনেম, লাইনা পাংবরম্‌দা লোইবী চীঙথাং লান হেন্না তম্‌খাং কেল, হিরোব লাইচম্‌লাল্‌ চীঙসাং নাপোম্‌ সম্‌না এক্সাপুত্র যিবেল্‌পুংবু নাতৈনবা নিকক্লি মপুংয়াইদা সনা খোম্‌হাল্‌বদি হুয়েন্দ লান্‌নিবিদি পামেন্‌ উতোল্‌থক্কা য়াহিপ্‌পা চরৈ কোইসেৎনবা নিক্লি নিক্লিনি বিব্‌ কাইবা হুনবা-ও তৌনা কৌএ॥ নায়োন্‌ মৈতৈরৈমা হুনেল নিক্লি ফাবা সেন্‌বী পাইখু লাম্থাবী পাইমা সনা লিন্‌কোইগী॥

মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ (খৃঃ ১৭৯৮-১৮০০)

॥ ৪৬॥ নয়ু মৈতেংঙু লাবৈনচন্দ্র সিংহ তৌনা কৌএ॥ নয়ু মৈতেংঙু লাবৈনচন্দ সিংনা মখেই নেংপা মযাই কোইরেন, তোংলবদা

লোঈয়ম্বগী শিযমবু কোইশোল্লগা সবা লৌসিগী লবুক্‌, থন্না লান্নবা মফমগী ঈশিং মপান্দা শমডিল্লগা লৈবা হৈবেম খুকুপ্‌কা নিংঙোলখোংদা লান্দা-বদি আরাগী অথন্নরবা মথেই মঙ্গ কৌনা অখৌবব হাৎখিবী হাঈবা মিংথোল ফংখি। মৈতৈগী মাবম্মসিনা শোরুখিবা লানফমদি অসিনম্ভু লোঈদ্রি। নোংনা নেমথদুনা নৈপা অরা মঈকৈ পাংবগী চাঙ্‌-তম পুন্নমক লোঈনা লাম্হোক্লগা, চাঙগী নোক্‌ লাই, চাঙ্‌যা-থেনযা পুন্নমক ফাওতুনা চৎখ্রগা লৈবা কাপুত্র তুরেনাব থেদোক্রগা লৈবা নিক্লি (মিক্র্বা) কৌবা খুঙ্গংদা চান্দাকবদি উংলো মযুন শাতুনা নৈবা, ফিনা কোঈশিন্দুনা শেৎপা নিক্লিশিংগী নিংগৌ নিকনিংথৌব্‌ ওন্না হাঈবা মিংথোন ফংখি। নবেঙ্কৌ মৈতৈ মাবম্মা নিক্লি যানা, সেনবা পাইখু লাম্থাবাগী শেংলবা পলেম পীবুরুংদগী॥

॥ ৪৬॥ নবুখৌগী মিংনেন্দি মৈতৈগী মবুংঙো লাবন্যচন্দ্র সিংহ হাঈনা কৌই। নবুখৌ লাবন্যচন্দ্র সিংহনা কংলা মেন ফমতুনা ফম্বাল তোংলবদা অশিংপা নোংশিংকী মহুম ওইরিবা শঙ, পৃথিবীগী ময়োল্‌ ওইবা

মাল্লং নোংন্থুম্‌ঙগী মালেম্‌ লৈমায়োল্‌ খু খুং নানৌরোক্‌ পুরুম চীঙ-খোংনেম নযুরা চীঙখোঙ্‌ পোইবৈতোন মাহৌ চান্‌নরোক্‌ মালেম্‌ লৈনেম্‌থক্‌ কোরৌ নোংনেম্‌থক্‌ লোইরন্‌ খুন্‌বারোক্‌ নিংসোং মাও-গীরোক্‌ মাল্‌থক্‌ থাযাইবোল খানিং লোন্‌বা চাঙ্‌ মহৌ লোইনেম্‌ কোই লাইথা চাবংলৌ॥ নযু লাইবেল্‌ নাওফবা লম্‌থল্‌ সারোল্‌পুং তিঙি রাফোংলাক্‌ লাবা নাংলৈথম বংমা থোন্‌ ৭ লোনলাংমৈ থাবৌ থাবা লাংনফম্‌ চাঙলোন তমলোন্‌ সুনবম্‌ লৈমা পুন্সি নিনথম্‌ রুংসোই য়ি বাংফম্‌ যোইবেল্‌ সঙবাখি বনৌ মনাই সুম্‌তা পাল্‌বু ফৌপোম খোকলোই হৌ লংনা মাফচাও প্যেল্‌ মপান্‌ লিক্‌ তৌবেল্‌ খাংপক্‌ সাবনগী॥ রোক্‌লেন যাকানা লাইবেল্‌ পো পৈববু থাংলেন নাফাল্‌

খুং খোংহুনা অনৌবা উনা-রানা চোংখংলকপহম শেমখিবা লোক, মখোঙ্‌ নেম্বা পুকমচাঙ বৌবা চাঙ, নবুগী পুবন্‌ লাইগী ঙমথং ওইবা পোইবৈতোন্না মহৌশাগী ওইবা নমচংপু লনা চাননা তৌবম্বা লোক, মালেম পৃথিবীগী অনেম্বগীসু মথক, অশিংবাগী নোংদোন্নসু নেমথরকপা মফমগীসু মথক, অংগোইবা লোইশিং মনা ওইবা খুন শেমলিবা লোক, মাওবী রানা মর্নঙদা শোংনা হৌবা লোক চঙ তা মথোন্‌ লোনবহম লোল্লিবা, লাইন ঙ, তান্ন ঙগা লৌতনা লোনশিন্নবা চাঙ, মহৌ কৌবা লোই পীবা চাঙমাশিংনা লৈবা, লোইনা খনা চা অরংবগী লৌফম, নবুধৌ লাইবেন নাওদংবনা মথক শা মথং নংন লোন্ননা শেল্লম্বা অরাংবা লম, তাংয়ি (৩ এ।) কৌবা পাওা ইবা উ চরা লোং-লাউঙ্‌না লৈবা মফম, নুপা ওইবশিংগী অশি লৈরুবা মফম, ম্ধান ৭ লক লোন্ননা থোনগংলবা. মে লৈবিবা কংলা, থরানিচাক-নুমিংলচিবা ঈবাংনরিবা মফম, চীঙ অমসু, তমগী মরোন পুন্নমধা সুনা লৌববা মফম, নিংথৌগী নুপীশিংগী পুন্সি নোংশা নবা ঈবাং খৌনা তৌনরিবা মফম, উশোইগী লাইগী লাংননবা লাইফম, লৈপাক নিংথৌনা লোতুনা থম্লিবা লাইখৌ-তীনখৌ তৌবশিংনা ইল্লিবা লাইফম পল্লবা মফমদা শালিবা শঙনা

হাই কওং য়োংহকচন্ লাইখোং লম্মহল্ খাখোং লম্নামুং তুবি মবো-খোবু তুবি তৌসেং সেংথানা হুপ্লেন্ খোম্সি লোন্ববু কোয়ৌ ন্নমিং মনা খোংগোন ও তুঙে হৌ য়াওয়ৌ য়িমত্রারোক্পু লোক্লেল্ মঙান্ নাইনা খুল্পাএ হায়বগীবু লাইবেন্ কোলোয মমিংথোংবু মৈতেংঙু লোইবেন্খোম্বা-ও তৌনা কৌএ॥ মৈতেংঙু লোইরেন্খোম্বগী লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেন্ চুঙ্সেন, মবালহৌদি হাওবৈ নোংপোক্লা পাংবরম্ থৌবাল, য়াইবিপোক্ য়াইরি সম্তাংপাল্ নেম্বী রুসাংতাবু কান্না চোংরাইরং নামুল্চাঙ নিংলেন্ তাপংযি রাইরং অয়েম্বা থেল্বু নাইতৈনা নিংলেন্ কক্মযাই রাইবং রুচিমৈ কৌবদি কন্দৌনোংগীনে॥ লহাননোং নযুরা চাঙখোঙ পোইবৈথোন, খুন্নী পোংমহল, খুন্নুং থোইচখা অরিবনা মংংবৈম। লৈনাওংতাবী খুন্ন ঙানবা মাপু নিংথৌ চন্নুকা ২ মক্না সেন্বা সিদবা কনো নাদবা হেপু খুনযিকববগী মবান, রোম্তেংবক্পদা লৈমা লৈনাও তাবীনা চাঙ্লেন, নাপোম্ মমৈ হুইখিবা অসিদি

লৈরিবা মফম, সহরগী ময়াঙ্গ ওইনা শুপচিন-তাইশিন্দুনা পাল্লিবা মফম, ফৌগী মপাম্বী ময়াম পুল্লপ পুল্লপ ফৌগী মকা চাওনা হৌবগুম্না, লাংপাম্বীনা মউ-মকা চাওনা হৌহুনা অথোইবা পু কৌবা তৌ-শীংনাংশিংনা মপান্ মউ ফজনা নাক্ নাং লাউনা হৌজিন্দুনা, অথোইবা তৌশিংনা যুম শাবদা পৈবগুম কবক্ কবক্ ইন্ননা তৌহুনা শোংলবগী মযা অথৌবা হৌবক্তুনা নাইতোম চৎপা ওক্ ওইববা ওক্চাওশি, অমস্তু, ফুমদা-হাওদী মরক্তা লৈবা লাইবেনশিংনা ময়াম পৈবগুম পৈহুনা লৈরবা মফম ওইরবগী নাপী ফান্দোক্লবা থাঙ্ হাইত্তুনা যোৎনা লৈপাক ফান্দুনা লাইখোং, কৌবা কংলা মনুংগী খোং, অথোইবা মবোংখোং কৌবা খোং অমস্তুং খাখোং কৌনা খোনা চেল্লিবা লাইফম ওইবা তৌ-শীংনানা কুপশিন্দুনা হুপ্না মবোন মবোন লোন্দুনা থাগৎলববু নোংমতদা খোং অহুম্মকপু তেংহুনা শেল্লগা শাশিংনা মকোন ওইহুনা লৈবল্লবা লোক অহুবু খুন্দাবা যানা নাঙগীনবা মফম ওইনা শেমহুনা খুন্দাথি হাংবগীদমক লাইগী ওইনা

চিবা মমৈতোল্‌বু করম্ মাল্‌বু মাল্‌বনো হায়না সোল্লম্‌এ॥ অচু-নোংগীবু রাইরং রুচিমৈ-ও তৌমা কৌএ॥ লম্‌লেন রুচিমইবু নাতৈননা নিংলেন ককমৈয়াই লেংখু লম্‌পাক্তা লাইরেন মৈতেংঙুনা চুঙলোঙ ঙক্তা ছুক থাংলেন নামৈ য়েপ খেরে মাঙয়িন্না খোক্লাং তুংসোননা খৌসাথবদি হেন্না থুম্বী মরেম্ য়িম্‌কন চাওবা হেন্বা লাল্‌হৌববু কৈথেল্ চুরাই লাংকুম্ থুগাইরে হায়তবর্‌া॥ লাইরেল্ সনা মচুঙসেল্ চুঙসেল্ মরাল্‌হৌদি হাওরৈ নোংচুপ্‌লা পাংবরম্ লম্‌লেন, চেংলৈ লুরাং-য়ি হোঙনেম্ লুরাং নিংথৌ পুনসিবা চেংলৈ কুমসাবা লাইবেল্ লাইপাং ঙাওবা থিক্‌লেন খোম্‌পুম্ হাঙবী মপাল্লী কম্‌পোং ঙাথিবা য়িংফুই তোল্‌না লং লেন্নুং থাংক্রী য়িরালববু লাক্‌তরে হাযনা পলেম্ মমানা প্রেম্ থারুক্‌নন৷

অথোইবা মতীক-মপাঙ্গল চেল্লবা নিংথৌ অসিগী মমিংবু মৈতৈগী মবুংঙো লোইরেনখোম্বা হাঙ্গনা পোনখি। মৈতৈ মবুংঙো লোইরেন্‌খোম্বনা চুঙ পাঈদুনা খুৎশু-খুৎলাঈ লোঈননা লান তৌখিবা, লান্দাখিবদি নোংপোক মাঙ্গকৈদা লৈদা থৌবাল য়াইর পাক হাঙ্গবা, য়াইরীনা শম হৌবগুম পানবা, শীঙনাংনা উশাংবা তাবগুম তাখিবা মফম্মু লাম্হোক্তুনা, নাদা য়ানবা নায়িনবু মুন্‌খিবচাঙ, নিংঙেন কৌবা পাউ তারবনক্তদা পঙশিন্দুনা লৈবদগী শিজখিবা মফমদগী হৌরকপা তুরেলনা চেনবা লম্, নোংপোক মাঙ্গকৈগী খ্বাইদগী হেন্না চাওখৎলবা চাঁঙগী থেল্ লৈরিবা মফম্মু থৈদোক্লগা লৈবা লম্মু নিংলেন ককমৈয়াঈ রাইরং উচাৈমে কৌবদি কৈদৌবগীনো? মমাঙঙৈদা নবুধৌ ওইবা লাইগী ঙম্‌থং ওইরবা পোইরৈতোন কৌনা, অহানবা খুনগী অহানবা মী ওইবা, অরিবনা য়োক্লকপা অবিবগী মচা ওইবা, অরিবা মতমগী মী অচুনা মতৈমা থোকপা, অরিবা ঙান্‌বা য়েক্কা মপু ওইবা নিংথৌগী মচানুপী, লৈনাও তাবাগা অনিমক্কা আরাদা অশিবা লৈংবা, কবোদা অনাবা চঙদনবা হৈবু পাল্লিবা লমবু খুন্দা-লেতানবা ...বকপদগী মযুম্লোমদা হল্লকপদা মৌগী শাঙদা চল্লবা লৈনাও ...বানা, চা...গী না...য় লোঈবোঈ লোঈবোঈ হাইখিনা অনিচ উ... ... ম ...

মুংসিংখোং চীঙ্মুং খারো লইহন্‌বা মসোইফম্ লাইকম্ ঙাখুল্‌সোই লুরাং হৈনিং চংনিংসোই তাওচীঙ্ হৈঙাঙ্লোক্ পাখং হৈথারোক্ কাওরেন্ সিখৈরোক্ কাইরৈ সিয়েংলোক্ পাখং হৈথারোক্তা য়াহিপ্‌পা পান্‌বা য়েক্‌লাবা কৈরেন্ য়েক্‌তৈবা পান্‌বা খুৎনা সোইরবস্থ কৈরেন্ য়ানা হৈবা, কৈরেন্ য়ানা সোইরবস্থ পানবা খুৎনা হৈবা পান্‌বা মঙাইরোই সারেল্ মহিসাংবু য়িমু তোংতম্ চিংনা থৌনাবা ঙাংচেং মম্বীরোক্তা নাওয়িবা অরাং কৌবা মেরারোক্তা নাওংৈবা পানবা থাকুবা কৈরেন্ মুংনাংবা য়িমুং সোইয়াইমাদা কাওরেন্ সন্‌পোই থি তেক্‌পী রোক্‌তান্নবা য়াংলৈ তাওবা হুইপোই চাবা পান্‌বা অথৌবা কাম্বা কৈ-নিংথৌ কৈরেন, ব্রুম্বীসা, চীঙ্ঙা পল্‌কোইবা সত্থ নাফম্বা হাওনা য়িশং খক্‌তবা সা পানবা মনিংতম্ কৈরেন্ মরাং হৌনা পাখং হৈথাখোংদা য়াহিপ্লবা সাবু লাইরেল্ মৈতেংঙ্না ময়ু চীঙ খোঙ লম্‌কাই ঙম্বা পান্‌বা কৈতান্‌লোই য়াংলৈ তাওবা হুইপুরোই পু খোইমা নারক্তা পান্‌বা খোংকুল্ থিদা কৈরেল,

---

হাইথখিবত্থ মান্নখ্রেদা হাঙ্গনা হাঙ্গত্থনা শোল্লম্মী। অত্থদগী নোংপোক্কী উচীমৈ হাঙ্গনা কৌখি। উচীমৈগী লমদম থৈদোক্লগা লেং লেংনা, লেং শুপচিন খুজিন্না চৎখিবা কক্‌ময়াইগী পাক্লবা লম্হাংত্থদা মৈতৈগী মবুংঙো অথোইবা লাইগুম্বনা ঙক্তা চুঙ্গী মরা হু চিন্দুনা পাঙ্গ, অথোইবা থাঙ্-শাংনা তুংলোমদা য়াল্লগা রানা মখোক্ পানবা তানা মাঙ্লোমদা শীঙ্ত্থনা পুরগা তাখোক্লা তুংলোমদা থংহল্লগা লান্‌গী লানথৌ শাত্থনা লান্দাবদি চীঙ্গী লমদম থুংনা পাল্লিবা, ময়ুমগী লম কনশিনবদা হাল্লেংদ্রবা চীঙ্মী অকন-অথৌবশিংবু, কৈথেল রা-রা কাঙ্গরবত্থগুম থুগাঙ্গখি, হাঙ্গ। অথোইবা লাইগী মর্তাক চেল্লবসিনা চুঙ্ পাঙ্গত্থনা লান্দাখিবদি নোংচুপ মাঙ্গকৈরোমদা লৈবা চেংলৈ য়েক্কী লম্‌গী মকোক্-মমাঙ্গ/ঈমাঙ্গনা রাংখৎপা তুরেল, হোঙ্নেম কৌবা পুন্সি শাংলবা লুরাংগী নিংথৌত্থনা লাক্লিবা কুমজাদা চেংলৈগী লমদম্বু য়াইফনবা লাই খুরুমত্থনা লাইথৌ-তীম্থৌ তৌখিবা তুরেল, অথোইবা লাইগী লাইবাও ঙাইহাক্ লৈতনা শন্দোক্লিবী

চেকপ, চোংহন্দা লিরু য়াফক্ লৌদা কোংয়াং কৈফক্ য়ুংদা পান্‌বা কৈরাং থাদা, পান্‌বা থারুক্ হারাইরোই নমু পোংপুম্ ৪ দংবু পান্‌বা চীন্‌কোই চল্ য়িমু তোংতম্ চিংনা পান্‌বা মখেরাং সারেল্ হিসোই সাইনা পান্‌বা মণ্ডাও হৌরববু লাইরেল্ থংচীঙ মথোক্‌লাং খোক্‌লাং মন্নুংচং লৈপু চারাখোক্ সনা খোক্‌খৈ লম্বু মখুৎস্নু খুৎপাক্ তিল্লাইমেন্ লাইরেল্ কপ্লাক্ সেংচৌ লেপ্ পান্‌বা কৈতান্‌লোইনা চক্‌মোম্ মৈগা থানা পান্‌বা সাথৌরবগী পান্‌বা ঙাওহুম্ ঙাও কৈরেন্, খোংহুম্ থোংনা চোংথোক্‌লক্‌পা পান বা থন্নুং থিংনা চৈপিরে, পান্‌বা লুতুরে ॥ কৈরেন্ খাংলেল্লে, লাইরেল্ মথন্না পান্‌বা লাচুপ্‌লে কৈরেন খাংলেল্লে ॥ অহু-নোংগীবু লাইরেন্ মৈতেংঙু লোইরেন্‌খোম্বা কৌবা লৌচিংকোল, চীঙকোল্ কোল্লাংমৈগী পাখং হৈথাখোংগী পান্‌বা কৈরেন্ ফাব-ও তৌনা কৌএ ॥ নয়ু মৈতেংঙু লোঈরেন্‌খোম্বা পান্‌বা কৈরেন্ ফাবদি চোইনৌ সনা সিংহুন্‌গীবু চুন্‌বনে ॥ × ॥

লাইবাও তাওবী কৌবী, নুপী ওইবীগী থক্কী শরুক য়াওদবীনা মচানুপা কমবোং ফুরুপ্তা পোকপা ঙা ফাবা, নুপা ঈন হুনবা লৈন্নুং থাংগ্রী কৌবনা ঈশিং শোকপা চৎখিববু লাক্রে হাঈহুনা মমা ওইবীনা মমিত্তগী মপি শিন্থনা কপ্পুনা পুক্লীঙ, নুংশিনা ঙাইখিবা থোং, চীঙ নুংগী লাইরেল লৈপাক ইনগন্‌বগী মচানুপী ইবেম্মা লাইখুরেম্বীনা খুনথোক্-খুন্দারম্বা মফম, লুরাংগী নুপা চাওবরী কৌবগী ঙা ফাফম শোঈ ওইবা, মমাঈ থকপা, চোংগন-থৎকনবা লাইনা ঙা খুনবা শোঈফম, লুরাংনা মপুক্লীঙ হৈনীঙ,-চঙ্‌নীংনা ঙা ফানবা শোঈফম, হৈঙাঙ কৌবা হৈনা হৌরিবা লোক্, পাখংশিংনা হৈ থাবা লোক্, শনশিংনা শিবগী খৈনবা লোক্, য়েনশিংনা শিরগা য়েংনবা লোক্, পাখং হৈথারোক কৌবা লোক্তা লৈবা কৈগী মখলদা ময়ামগা মান্নদবা অথোই ময়েক্লা লাংলবা কৈ, মখুৎনা শোঈরবস্নু ময়ানা লাকপা, ময়ানা শোঈরবস্নু মখুৎনা ফাবা ঙম্বা কৈ, মাগী মশা ওইবা কৈগী জাং অমমুং মাগী কাংলুপ ফুরুপ, ময়ী-মতা ওইবশিংবু মশাদগী

নয়োল, মৈতৈরৈমা খয়োইরোল মেতু লোইথোম্বী রাইরং লম্লেনবী মপাম্ লম্লেন্ মদাইমা নোংয়াই চাওবপুং, অতোল্ সাংবয়াঈ নোংয়াঈ হাওরম্তোন, অতোন্বা য়াংবা কাইবা থাংয়ান্ কন্বা থাংলেন, কোম্‌ সংলম্ মচি হাওরম অহন্বা লুতুরাইবু নাত্তেননা ময়ম্ ফুবা লাইমকোল্ পাসিয়ারা খগ্‌পন্থীবী মিংয়েং পাল্তম্চীঙ্ কোংয়াং চৈঙ্গুখেল্ চীঙ্পা উতংপোক্ সেপুরৈমা কোল্থাং ভাওবী মচীঙ্জিন, লাংকোই সাকোল্

ঈ চুপ্তুনা হাত্তোকপা, ভাংচেং মম্বীরো · কৌবা মফমদা লোক্তা পোকপা, অরাংলোমগী কৌরুগী লমথৈ মন্নুংদা লৈবা মেরালোক্ কৌবা লোক্তা চাওরকপা কৈ, মথা, মথা মথা থাগৎলবা, মতু নুঙ্গুম শিৎ নাল্লবা কৈনা অহিং নোংয়াঈ অমদা মকোন্দা য়ারেক্তুবা শন থিবা, অহিং নোংয়াঈ অমদনা অচৌবা ওক তান্নতুনা ফাবা নত্রগা য়ুমদগী চথোক্লকপা হুই চাথোকপা, মথৌনা ফরবা কৈ, শাহিং চাবদা কাম্লবা কৈশিংগী নিংথৌ ওইরবা কৈজাও, হাউম্ হাউম্ হাঈনা চোংলগা উম্গন–লাক্নবা শা, চীঙ্য়াগী পলগুম্বশিংগী মরক্তা কোঈনা চাক্তাহুনা লৈবা. শহু হাঈবা চীঙগী নাপীশিংগী মরক্তা লুমহুনা লৈগনবা, হাওনা পাম্বীদা পকপা ঈশিং শংত্রিক শংবহু মশাদা পক্তুনা–চোক্তুনা অহুম লৈবগুম তৌবা. মনীঙ মখা তন্না অপাম্বা মওংদা তৌহুনা পাখং হৈথাগোংদা লৈবা শাবু লাইগীমভীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো অসিনা মবুধৌ ইবুংঙো লাইমকী ঙমখং ওইরবা লমগাই ঙম্বনা হৌদোক্লম্বা কৈ তানবদা লোঈনবা হুই পুবা হুইরোইশিংবু নারক-শীঙ্লক্তা থৎহন্দা, কৈগী খোঙ্গুল লীহুনা থিদনা, কৈ অহুবুসু মখোঈগী হৈনবী চেগপ্ চোংহন্দনা, অফবা লী তংখাঈ খাদোক্তুনা পুল্লবা রা কৈনা কক্তুনা য়ুংদনা, কৈলাং থাক্তনা, কৈগী কাংলুপ হোঈদোক্লবা মী ৪ খকপু লাক্তুনা ঈ চুপ দগী ঈরাং হৌরবা কৈ অহুনা মীশা অহিংবহু শাঈহুনা, মীশা চারুবদগী ময়াই কারক্লবা কৈবু লাইগী মগুল চেল্লবনা মাপী হেক শাগোম্নরিবা খোক্রানা মখোক ওইবা, পীক্লপ তৌনা শাবা, নিংথৌ মানা খোঈদাজরবা, লৈপাক পুনবগী থোদাংদা শীজিন্নবা, নল্লবা লৌগী

অপাইবা কোইথুচীং কম্‌ৼপা য়িসোক্ লায়্যাগেল্ পাসি পানেম্‌ৼবু হান্নেং সেন্‌রা মীয়িমনাক খোল্‌ৱাং থাইৱাংবা মকাইফম ৱিরোংলৈমা খান্বী ঙন্বী মদাইরেম্ সনা পোন্‌চেং সাবী ৱাইরৌ থাংদবীনা লম্‌লেন্‌ লোল্লোই লুসেক্‌সা সেক্‌সা খাংৱাই থেক্‌পা চানা লম্‌কন্‌ৱাই মৈতেংঙু তুবি চৱাই-ৱোংবা লোইবী হাওদা পাংদা মনিংথৌ চীঙচারোং মীরোংখন্‌বু কাইনা

মখোক্ ওইবা থুংলাঈতুবু খুবাক্তা তিন থাক্নুনা পাঙ্গীরগা, কপ্লাক্না ফৈগন্‌ শৌগতুনা ফিবম শেমতুনা লেপ্পগা কৈ তানবদা লোঈনরিবশিংতুনা লম্মৈ থাক্নুনা কৈ তান্থোক্লকপা/শাথৌরকপদগী ইঙাও ঙাওরবা কৈনা খোংতুনা চেন্থোক্লকপদা কৈ অতুগী হুকচাং মন্নুং ফাওনা লেংনবা তানা থিল্লে, কৈ অতুগী মকোক লৈপাক্তা তাহল্লে অমস্তুং কৈ অতুবু অশিবা ওইহল্লে। লাইগী মগুণ চেল্লরা নিংথৌতুনা মথন্তনা কৈ অতুগী মথৱাই মমি লৌরে। অতুদগী লাইরেল মৈদিংঙু লাইরেনখোম্বা, কৌক্রু লমদমগী লৌগী মচিন ওইবা চীঙ্‌না কোঈশিন্দুনা কোল্লিবা চীঙ্‌গোল, কোল্লাং মৈ কৌবা শরুক্কী হৈথাখোংগী কৈ ফাবা হাঈনা কৌনখি। নবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো লোইরেনখোম্বা, হেন্দোক্ থোইদোক্লবা কৈ ফাবদি সনা ফুদোংলবা মিং-লেনসিগা চান্নবা নিংথৌনি।

নবেঙ্কো মৈতৈগী মবেম্মা খুমন য়েক ওইবী নিংঙোল, মেঙ্গে লোই-খোনবী নোংচুপলোমগী লম লৌশিনবীদি খুমনশিংনা নুংঙাঈ-য়াইফনা পান্‌বা লমদমগী খুমনগী হাওরমতোন অতোনবা কৌবা পুকচেন য়াং-মনবদগী অকাঈবা লমচৎ চৎখিবা, থাঙ্‌না য়ানগনবনা থাঙ্‌খুমদগী থাঙ্‌ কোম্না শত্তোকখিবা মফম, ময়াম্বা অহন্‌ হাওরম অহনববু হাংখিবা মকম্বু কোঈথোক্লগা লৈবা ফুবা হাঈনা কৌবা লাইরেন য়াম্না লৈবা বঙ্গদেশতগী খুন হোংলকপশিংগী নিংঙোল পাসি য়াৱা কৌবী মিহৌ-চাওবীনা য়েংখিবা চীঙ্‌, চৈগু ওইননবা ৱাশিং য়াম্না হোবা, উতং কৌবা ৱা য়াম্না হৌরিবা চীঙ্‌বা কৌবা সেপুশিংগী মবেম্মা কোনখাঙ্‌ তাওবী কৌবী নাপদা নাইন্‌ শিবিগী চীঙনি হাঈবা চীঙ, অতুগী মচীন, লাংনা

হুনুবনা য়োংমু হৈথিবা য়োংসেন্ লম্‌থোইবা ককয়োং খুন্‌লান্‌ববু চীঙ্‌বা য়োংফারম্ কুম্‌নারোক্ অচন্‌বা তাওজিং খুরেল্ হৈপুংপোক্‌পু অসৈনবী হেম্বা লাংতে লৌ লৌমন্‌লাং লোইরেন্ সনাপুং য়াংকেল্ সোইবীরোক্তা নারোইবা নিংসোং মাওবীরোক্ মালতক্ মসাইকোল্ খানিংলোন্‌বা চীঙদা খৌসাবা নোংয়াই হাওরমতোন্ লাংবাকোই চিরৌফবী নোংয়াই মৈতৈ লৈমা মেতু লোইখোম্বী রাইরং লম্‌লেম্বী পাইমা সনা লিনকোইগী ॥ *

কোঙৈশিল্লগা ফাবা শগোলনা লাংদা থুবা চীঙ, কম্বোং কৌবা মী ফুরুপকী মমিং থোনবা ঈশিং-ঈচেন্না শোকপা লাং পাম্বী হৌবা চীঙ্‌গী ময়াদা লৈবা থেল্, বাঙ্গলা দেশতগী খুন্ হোংলকপা কাংবুগী চাদা নাওদা পনেমন্ কৌবা হামেং শেনবগী ময়ুমগী মনাক. মখোল রাং, রাহৈ ঙন্না ঙাংবগী ময়ুম শাবা মফম, ঈরোঙ লৈমা খাম্বী ঙম্বী লাইরেম্বীগী মনাই পোনচেপ্ য়ানবী, তুঙ্গোল য়ান্দবীনা লোল্লোই লৈয়াংকী শা ওইবা নাওশেক্কী মখাঙ্ থেক্কুনা ই কন্নবা মফম, মৈতৈগী মবুংঙো চয়াইরোংবা কৌবা ; চীঙ্‌গী পাংদা কৌবা লমগী নিংথৌ, মী খৎনগনবদা অখন্নবা চীঙ্‌চারোঙ, কৌববু মাঙৈথীবা পীখিবনা, হৈথিবা য়োংমু, য়োং মরক্তগী অথোইবা ৎইরবা খুন লান্দুনা লম্নক্তা চৎকনবা অপিকপা য়োংমু চীঙ্‌বা চীঙগী য়োংশিংগী অকা-অকুম তৌফম ওইবা অথোইবা লোক, অপিকপা হৈবুং কৌবা হৈনা পানবা মফম্বু শৈথাহ্নবা শৈশক্লবী, লাংভে চীঙ্‌মীশিং লৌ ওইরম্বদগী শিৎলবা লৌ য়াংগেন পাম্বী য়াম্না হৌবা কংলাগী লোইম্নেন সনাপুঙ্, মাওবী রানা মনীঙ্‌লোমদা শোংনা হৌবরা লৌফম মালতক্ হাঙৈনম্বু কৌনবা মফমহুদা খানিং মিকোনবগী লাইশোন শোনফমদা লান্দাবা খুমনগী হাওরমতোনগী চাদা-নাওদগী খাঙৈথরক্‌পী খুমন য়েক্কী, মৈতৈগী মবেম্মা ওইবী, নোংচুপলোমগী লম লৌশিনবী মেতু ঙম্বীগী পলেম্ পীবুরুংদগী :—

মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (খৃঃ ১৮০০-১৮০৩)

নয়ু মৈতেংঙু মধুচন্দ্র রাক্লেন্ তোংথাইগী লিক্লাই খোইবুং সারোং-নবনা সেল্লে য়িরুতোং পোইরৈ য়িরাই খল্‌না মুংনাংমথোই নেংলবদা ময়ু হন্ন য়িরেংচল্ লিক্‌লাই কৌরোং পান্‌পৈনিক্লবা থোংলেন্ রাংখৈ-রাক্‌পা আনন্দ সাই নোংপোক্ লৈরি খোম্বনা লাইরেন্ কোলোয় মিংহুন্‌বদি সেন্‌বী লৈহৌ হিকান্‌বা য়িনুং সোইয়া ইমাগী কংলৈ লম্‌কন্ খৌবা পোইরৈ তম্‌লেন্‌খোম্বা-ও তৌনা কৌএ ॥

॥ ৪৭ ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু ময়ু কোলোয় মিংহুন্‌ফবা, লাইরেল্ মৈতেংঙু অরাং কোরৌ নোংশু নাহা লিখিংতেল্‌কুম্বগী লাইরেল্ সনা

॥ ৪৭ ॥ নবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো মধুচন্দ্র কৌবা রাগী ময়াঈথংবা মতাংগুম্বা মতুম তাবা লীক্লাইগী মথোঈগী মওংগুম্না মশেনবগী তেংবাংগী মথক্তা পাল্লিবা, মবাই ওইবশিংগী মতেং পীহুনা পানবনা নিংথৌ ফম্বাল কারবদা অহল মতম ওইরবা মবুধৌ চংপদা চৈশুগী মতেং লৌরবা নিংথৌ শাগৈ অহল ; অনন্তসাই কৌবা রাংখেরাক ফম ওইবা, নোংপোক লৈরিখোম্বা হাঈনসু কৌবনা মৈতৈগী মবুংঙো মাগী মিংথোনবদি কবো-শিংগী অরাংবা আশাবু হি কানবগুম কাম্থোক্লম্নগা অহিং অমখক্তা মৈত্রা-বাক্কী লম খোপচিনবদা থৌনা ফবা, মৈতৈ লৈপাক্কী তম্পাক্কী অথোইবা মফমু লৌশিনবা হৈবা তমলেন খোম্বা হাঈনা মিংথোল্লি।

মধৌনা মমিং থোনবিবা লাইগী মতীক ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, অরাংবা অতিয়াগী বজ্র তারমদায়গী নোং থাকপগুম্না লীরুংগী মখোল থোকহনবা তেনগুম্বা অসিগী চুঙশেন্নহুনা শোক্লখিবা লানফম-শিংদি—নোংচুপ মাঈকৈরোমদা লৈবা চীঙ অমবু লোইচীঙ, রারোঈচীঙ কৌবদি করি মরমগীনো ? য়াংগেল কৌবা পাম্বীগী মমৌ ওইরিবী ফৌগী লাইরেম্বী ফৌওইবীগী মতা তরুকমক্লা অশিবগী লৈপাক্তা কানবগী

মচুঙ্সেল চুঙ্সেল্ মরাল্হৌদি হাওরে নোংচুপ্লা পাংবরম্ লম্লেন্ লোঈচীঙ্ রারোইচীঙ্ কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ য়াংমোম্ মাহুইবোই নাই লোইমোম্ ফৌরোইবী খোইনৌ মাতা ৬ মক্না খমুনুং কানেখোল্ সরা কারৌখোল্বু নাচুংঙম্দে ॥ মৈপা মৈচিংখোল্ খোঙ্খোং পোৎ-থোক্খোল্ ঙাংচেং লৈতক্খোন্বু নাচুংঙম্দে ॥ ময়িম্ থোংনাং কারোক্লৈ ময়াং কাফাইরৈবু ঙাংথরুসে হায়না লোইনা স্নুনা ঙাংনরম্এ ॥ লম্লেন্ লোইচীঙ্ রারোইচীঙ্-ও ভৌনা কৌএ ॥ লোইচীঙ রারোইচীঙ্বু নাতৈননা লম্লেন্ সারম্ লাফুক্পোক্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লুরাং লোইনাই য়াওসা ভানবা সানৌ মচিন্ মনাঙনা লাবা খুমল্ পু য়াংতৌ

মখোল উচেকশিংগী লৈপাক অতিয়া মথক্তা কানবগী খোঞ্জেনশিং তানীঙ-লম্দে। মৈ লৌনবা মৈবা চিংবগী মখোল, থোংখোঙ, কারল লম্বুবা কৌবনা পোত্থাবগী নাখোকপা মখোল, ঙাংচেং কৌবা লমগী মীশিংনা লৈপাক ভৌবগী মখোলশিংবু তানীঙ্লমদে। নোংচুপলমগী মীশিংগী লোক্-তাইদগী কাখৎলগা লৈবা, ময়াংশিংনা মথক্তা কাখত্নুনা ফাইহনা লৈবা লৈবাক, কারোকলৈ-কাফাই লোবা লৈপাক্তা ওংলুরসি হাঈনা মমুৎ ভানা, জ্ঞান তানা ঙাংনরম্মী, অহুগী মরমদগী লোইচীঙ্-রারোই-চীঙ্ হাঈনা কৌখি। হাঈরিবা লোইচীঙ্ রারোইঙীঙ, অসিবু কোন-থোক্লগা লৈবা লমবু শানা চৎনবা লম্বী শারম লফুপোক্ হাঈনা কৌরিবা অসি করি মরমগীনো? লুরাংগী মী পুন্নমক্কা চাননবা য়াওগী শা তানবা য়াওশা তানবা কৌবগী মচীন-মনাঙনা শাগী খোঙ্গুল খঙবা শাহুই পুরগা শাশিংনা চৎখিবগী মরম লীরকপদা মচী অমথক্তং পানবা নুঙ্পাক্ মরক্তা লৈগনবা শা, শাঙাইনা লান্দুনা চৎখি, অহুগা মফমহুনা লফু পাম্বী অমস্থু হৌহনা লৈরমখি। অহুদগী লমদম অহুগী মমিংবু সারম লফুপোক্ হাঈনা কৌখি। লাইয়িংথৌ য়াঙ্গোই নিংথৌগী চীঙ্দগী চেম্থরকপা ঈচেলবু তুইপল্ হাঈনা কৌবদি করি মরমগীনো? শোংবু কৌবা চীঙ্মী ফুকপা মখোঈগী মবোন্দা ঈশিংবু তুই হাঈনা কৌই। ঈশিংনা ঈথক্

সারম্ লিখিডৈ য়াওরৌ চীয়েন, তোম্পোক্পা থৌহূ মুংপাক্ কোইরু রানা লান্খিএ॥ পুনুং লাপান্মস্মুং পোক্লমএ॥ অদুনোংগীবু সারম্ লফুপোক্-ও কৌএ॥ খোইয়ুম্ য়াংকোই নিংথৌ মচাংলেনগী সিন্থয়ীবু তুইপন্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ ময়ুম্ লোইবী সোংফু হাওনা য়িসিংবুদি তুই-ও কৌএ॥ লাইজা মথি নাইবা য়িমু মরাং হৌববুদি পুনম্ কৌএ॥ খোইমোম্ লাইচৌরোক্ তুপুন্ লোক্চাও লোক্পু কাননা চোংনা য়িপুহল্ কোইনিংথৌ সল্লম্ মঙামবা বাম্বা সল্লাওবা ময়িম্নাক্ খোইমোম্ য়াংকোইনিংথৌ মকাইফম্বু ঙম্লোন্না মুংসাই খুল্লেন্লৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ য়িরোং নৈমা থাম্বী ঙম্বা লাসিং লৌপামফবী য়াম্লা য়িতম্, ঙম্বী থৌবাল্ হুম্চিন হুময়াবোংবু তান্না খন্বীগা মদাইরেম্ চোইনৌ সনা পোল্চেং সাবী রাইরৌ থা দবীগা মপারী য়াংকোইনিংথৌ-ববু চৈরে নাহোং সা পাইখু লেংহাননা সমু নম্দা পোনা মপল্গী মাবা

ঈপোম লোইননা ঈচেল-ঈরৈ কন্না চেম্ববুদি পুনম্ হাঙ্গনা কৌই। অদুগুম্বা লাঈজা ঈশিংনা চাওবা তুইনা পুনবা অচৌবা লোক্পু লাম্থোক্লগা খ্বাইদগী ইহান হান্না ঈশিংগী ঈরম পুখিবা কোই। কোইরেং কাংলুপকী নিংথৌ, শনগী শল্লম শেমখিবা, শাহিং চাবা শাশিংদগী শা-শল শোক্তনবা লাউ-খোংহুনা ঙাক্-শেনখিবগী ময়ুম মনাক্তা লৈবা য়াংগোলনা ইকোই কোইশিন্না হৌবা মফমগী মবুংঙো ওইবা য়াঙ্গোই নিংথৌগী ময়ুম শাফমগা থংননা লৈবা লমবু মুঙশাঈ খুল্লেন্লৈ হাঙ্গনা কৌবদি করি মরমগীনো? লাইরেম্বী ঈরোঙ, নৈমা, থাম্বী কৌবা লমবু জয় তৌহনা লৌশীঙ, লৌপাম্ কৌববু ফাবী, য়াম্লা ঈতম্ কৌবা লমস্থ ঙম্বী, থৌবাল চঙ-শিনফমগী মচীন-ময়া য়োনা ঙাকপী-শেনবীরিবী লাইরেম্বীগা, মখ্বাঙদা তুঙ্গোল থাংবগী মহুত্তা পোনচেপ ওইনা য়ানবী লাইরেম্বীগী মনাইগা অনিনা লাইরেম্বীগী মচা নিপা লাইয়িংথৌ য়াঙ্গোই নিংথৌবু ফিনা নাহোং শাহুনা লেংবান্দা খাও য়ানবগুম পোহুনা মমাগী খোঙ্গুল লাহুনা খীরকপদা মুঙবু চাক্ ওইনা শাঈহুনা চাক্ ইল্লম্মী। অদুদগী মুঙশাঈ

মাখোংগুন লিরকঙৈদা খৌহু নুঙ.বু সাইনা তরা চায়িল্লম্‌এ ॥ অদুনোং-গীবু নুংসাই-ও কৌএ ॥ সাংয়ি-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ খুন্নোই লিতাংসাং লাইখোং তাপুং চীঙ্‌চাওরিবু ময়ুম, লোইবী মারেম্না খোইমা লিরেনতোল্‌বু সাং ও কৌএ ॥ সাং পাক্‌না তাইনা হৌরম্‌এ ॥ অদুনোংগীবু সাংয়ি-ও ভৌনা কৌএ ॥ থংকা কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ য়াওরৌ সানিংথৌ কাম্বা রি খোক্‌লাং লেংদা খোংবা ২ মাকা মথং মথং কাখিএ ॥ থংকা-ও কৌববু পোইরৈ তাবা থিবনা থংকান্-ও কৌএ ॥ থংকান্ সাকারম্‌বু ঙম্থংননা লম্‌লেন্ লৈমতাব্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ হোইতোম চন্ন লাংহৈ খোইবী অসেম্ কন্না নাকোই কাংবী অসা কন্না চেংলৌ মিৎথোংলোন্নবীদা লোইবী তাপং মনিন্ নাইবনা পাওহুংঙম্‌এ ॥

হাঙ্গৈনা কৌখি । শাংযি হাঙ্গৈনা কৌবদি করি মরমগীনো ? খুনোইগী লৈয়াং লমদমদা হৌবা লী, ভাইখোংগী তাপুঙ কৌবা চীঙ্‌দা হৌবা লীবু মাবেম কৌবা চীঙ্‌মীশিংনা নাপী-শীঙবী ওইবা লীবু সাং হাঙ্গৈনা কৌই । সাংনা লম পাক্না থন্না হৌরম্মী হাঙ্গৈবদগী সাংয়ি হাঙ্গৈনা কৌই । অদুগা থংকা হাঙ্গৈনা কৌবদি করি মরমগীনো ? কাম্বা কৌবা শাগী নিংথৌনা লী মবেংবান্দা থোনগতুনা পুবিবা অনিখক্না মথং মথং ওইনা থংননা কাখি । অদুগী থংকা হাঙ্গৈনা কৌববু লোনগী নাতৈ চাবা থিবশিংনা থংকান হাঙ্গৈনা কৌখি । থংকান হাঙ্গৈবা, শাশিংনা কানবা মফমগা হেক থংনবদা লৈরিবা লমবু লৈমতাক হাঙ্গৈনা কৌখিবদি করি মরমগীনো ? হুইদ্রোম নিংভোল লাং শীজিন্নবদা হৈবী, খোইবী কৌবী শেম্বা শাবনা হৈবতনা শকথীবী ওইবী, তৈবা-য়েকপা হৈতবনা অউববু মম্নিং উইশিন্নীঙ্‌হনবীদা তাপং কৌবা মনিং চৎলবা চীঙ্‌মীশিংনা, মাঙ্গী মপাক্না খোঙ্গৈরীখোম্বা নিংভোলসুচানা অশিবা শীঙদা চনখি শিখিবা লমহুবু কদায়দনো হাঙ্গৈনা হংলম্মা । মচেম লাংহৈ খোইবীনা মখুৎনা থিন্দুনা তারুম্মী । অদুদগী লমলেন লৈমতাক হাঙ্গৈনা খঙ্‌নখি । লোনলোইগী লৈয়াংকী অখোইবা লমদম লৈমতাকপু তুবৎ লাল্লগা লৈবা চীঙ, লোইবী লৈসোক্‌পুঙ্ কৌববু

মঙ্গুনিংথৌ খোঙ্গইয়িথোম্বা নিংঙোল্‌সুচা লম্বু অমল্‌পুকা থারববু নোংমল্লি হাইববু কন্দাইরাইনো হায়না পাওহংঙম্‌এ॥ মামোম্‌ লাংহৈ থোইবীনা সামু খুংনা পিন্‌না তাক্‌লম্‌এ॥ অদুনোংগীবু লম্‌লেন্‌ লৈমতাক্‌-ও থোম্লৈএ॥ লম্‌লেন্‌ লোইলোই লৈমতাক্‌পু ফৈনা সম্‌না লোইবী লৈসোক্‌পুং হেন্বা মুংনাংথেল, কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ মুমিৎ নিংথৌ চম্লু থৌদু লোক্‌লাংলৈমা থিক্‌লেন্‌ থানা পানবী মকাইফম্‌দা থৌতু তুনান্‌বা চেংচা অরংবনা নাওনৌববু ময়ুম্‌ লোইবী মারেম্‌না মুংনাং-ও কৌএ॥ তৌসাং-ও কৌবদি কপুই হেন্বা লোইরেম্বগা হাওচেং মুংবুচাগা ২ মানা কবুই ঐগী য়িরম্‌থৈ হেন্বা য়িসাইকোন্‌নে হায়না থৌতু মুংবু তৌও কৌএ॥ অকুইববু সাং-ও কৌএ॥ অদুনোংগীবু তৌসাং-ও কৌএ॥ লোইবী তৌসাং মপুংয়াই হেন্বা মুংনাংথেল্‌ মসাইকোন্দা লাইরেল্‌ মইতেংঙু তম্‌লেপ্‌ খোম্বা, অরাং নোংসু নাহা লিথিং তেল্‌কুম্বনা লাইরেল্‌

হেন্বা মুঙ্‌নাংথেল্‌ হাঙ্গৈনা কৌবদি করি মরমগীনো? মুমিৎকী শাগৈগী নিংথৌগী ময়ুমগী নিংঙোল ওইবী থৌদু লোক্লাংলৈমা কৌবী, মথীক-মথা ফবীগী ময়ুম শাবা মফমদা অঙৌবা, মচুপকুপ্পা মুঙ্‌ অরংবা মচু কারবশিংনা য়াম্না খোকপববু মুঙ্‌নাং হাঙ্গৈনা কৌই। অদুগা তৌশাং হাঙ্গৈনা কৌবগী মরমদি কবুই কাংলুপকী লোইবেম্বা কৌবগা হাওচেং কাংলুপকী মুঙবুচা কৌবগা অনিনা, কবুই ঐগী লমগী অরোইবা ঐখোঙ্গগী লমনে হায়না মুঙ্‌বু তৌ/তাও কৌবা অকুইবা/অশাংববু সাং হাঙ্গৈনা কৌবা মরমদগী তৌশাং হাঙ্গৈনা কৌখি। তৌশাং কৌবা চাঁঙ্‌গী লমদম, চাঁঙ্‌মৗশিংনা খুন্দাবা মুঙ্‌নাংথেল্‌ কৌবা লমদমদা অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো, নোংথক্কা থাকপা নোংগী তেল, নোংমৈ শীচঙগুম্বা তমলেন খোম্বা কৌবা নিংথৌনা মথুম-মরাং হৌনা. লাইরেনগী মমৈনা লেং-শুতুনা হাই-হুম্বঙম তিংখংগী পন য়ানখাঙ্গদুনা, মতাইদা য়ুংবা তাই-নম্বিদা চুঙ্‌গী উয়ুং শঙ্গোক্তুনা, চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখতুনা, শনগী ময়াং-কোংগী অশাংবা ১০ লাম্না চোংদুনা, থংনং কৌবা তানা লৈতঙ্গংগাই

থিংকু মথিনাই তুবি মৈবু ওৎনা সাইবা পল্লেন্ য়ান্ সেক্চুপ্ পল্তাই সৎ চুঙলেপ, ৬০ চোং কাওরেন্ শন্থাং ১০ লান, খংনং লাইতং লেংনা খৌসাথবদি মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল, সাইবু মৈতাল্ পক্ চৎলম্ ফাল্সাং থুম্না পম্হেংথবদি তৌসাং য়াকা চাইরে নুংনাং মপুং তাকলে॥ হুয়েন্ লান্নিকিদি লোইবী তৌসাং মনিংথৌ তৌমরিংবগা নুংনাং মরৈমাবা নুংকারেংবা অথৌবগা হুয়েন্ লান্পু ২ মপু কাইনা হুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেন্ মৈতেংঙু তম্লেন্ খোম্বা কৌবদি কদোনকো লোইবী নুংকা-রেংবা হেম্বা তাওরিংবা ফাব ও তৌনা কৌএ হায়দবরা॥ লাইরেন্ মৈতেংঙু পোইরৈ তম্লেন্খোম্বা সেন্বী লৈহৌ হিকান্বা কংলৈ লম্কন থৌবগী লাইরেল্ সনা মচুঙংসেন্ চুঙ্সেন্ মরাল্হৌদি অসিন্থুং মতোম্দে॥ হাওরৈ নোংপোক্লা পাংবরম্ মৈতেংঙু থোংনাং ময়াম্বনা

লেংখাঈহুনা লান্দাবদি, ময়ুম মৈ থাহুনা য়ুমগী শাই ফাওবদা মৈতাল অচাকপা পকহন্দুনা, খুনগী চৎনা-লোনচৎকী লৈঙাকপশিংগী ফম্ফম ফানশাং ফাওবা য়ানখাঈহুনা লাম্হেংনবদি তৌশাং খুনগী অহল-লম্মনগী ফম্ফম থুগাঈরে, নুঙনাং খুনগী খুন্দাফম পুম্বা থুগাঈরে। লানফম অসিদা ফাবদি তৌশাংগী নিংথৌ তৌমরিংবা কৌবগা নুঙনাংগী খুল্লাকপা নুঙকারেংবগা অনিসিনি। অহুনা লাইরেন্ মৈদিংঙু তমলেন খোম্বা কৌবসিদি কাম্লদে, হাঈহুনা নুঙকারেংবগা তাওমরিংবগা ফাবা হাঈনা কৌনখি। অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌ তমলেনখোম্বনা মীরৈপাক্কী লমখৈ লানশিনবা, মৈতৈপাক্কী লমখৈ চাওথোকহনবগী চুঙ্-তা পাঈহুনা থেংনখিবা লানফমদি অসিনসু লোঈবা নত্রি। নোংপোক পাংবা মাঈকৈ রোমদা মৈতৈগী মবুংঙো থোংনাং ময়াম্বা, গরিবনিরাজনা অম্রাপী তেঙ্গোল মাপলবু য়েন্দেম মকা শোইবগুম, অশংবা, পোমলিবা মৌবী রা য়ানবগুম য়াম্বতুনা লাম্হেংনখিবা লম অমম্ভুং হাঈরিবা নিংথৌসিনা লানফা য়াম্না ফাখিবা মফম, আরাগী লম্ সোংস্থুক্কী নিংথৌ লান্দা থৌনা ফরবা চাহোং কৌববু ফাখিবা লম ; হৈতুপ হাঈবা হৈহৃ য়াম্না পানবা, সোংম্বগী

খামরন, তেংকোল্ ৯ মক্পু য়েনদেম্ থারাম্ সোই মাওবী পোম্সঙ, য়ান্বগুম্ পন্থেংলম্ নোংপোক্ রাইরং পামহৈবনা সেন্বী লান্ফম্ থানরম্ সেন্বী সোংসুক্ মনিংথৌ চাহোং লান্থোয়াংবু হৈনা হৈনারম্ তাওচীঙ হৈতুপ্পোক্ নোংখল্ চায়োম্ থোক্ কোম্না ফাংতেং তরৈথোক্ লাল্লুম্ কোম্হৌথেল চাখা মচি কারোংথেল্বু নাতৈননা মচি খোইবু ফক্সারম্ নারুম্ খারৌ চীঙ্কারম্ ৭ চীঙ্ফৈ কান্না চোং তোল্ফৌ থম্লাই চীঙয়াংসম্ কবো স্থাং খুল্ফম্লেন্ হেন্বা তাপং মপুংয়াইদা লাইরেল্ মৈবু ওৎনা পম্থেংথবদি তাপংপুং য়াকা চাইরে ॥ লম্য়ৌ নেৎচৎ য়াল্লে ॥ হুয়েল্ লাননিকিদি তাপং মনিংথৌ আম ৭ থাঙসাবগা মারুন্বী লৌখোৎ সুকা লম্য়ৌ মরৈমাবা আমো তেল্হৈবগা মক্ক্র স্থাং খুল্লান্বস্থং হুয়েন্ লান্পুম ৪ মাপু কাইনা হুন্লে ॥ অতুনোংগীবু লাইরেন, মৈতেংঙু লোইবী তাপং লাম্থাবা মকক্র স্থাং খুল্লান্ববু কাইনহুন্ব-ও তৌনা কৌএ ॥

হিংনবগীদমক চানবা চাক্কী চয়োম পুথোকখিবা, কোম্বীগী মনা য়াম্না মরোং মরোংনা লৈশিনবতু লৌথোকখিবা, লাল্লুমতুনা মকোন্দগী থোকহল্লকবা থোখিবা চীঙ্গী থেল্, অরিবশিংগী খ্বাইদগী মচী ওইরবা করোংথেল্বু লাম্থোক্লগা লৈবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা খোইবু হাঈবা ফক শাবা লম, উনা মরক্তা লুমতুনা লৈবা খারৌ কৌবা লিনশিংনা চীঙ কানবা মফম ৭ চীঙফৈ কৌবা মফম্থু লাম্থোক্লগা, তোনফৌ থম্লাইগী চীঙ শমতুনা চৎলগা কবো স্থাং শানশিংগী অখোইবা খুন তাপং হাঈনা কৌবা চীঙগী খুন্দুদা লাইরেনগী মমৈনা হাই-হুম্বগুম্না লান্দাবদা তাপং খুলগী খুন্দিন্নফম থুগাঈরে, লময়ৌগী মীশিং খোঙনা নেৎলগা য়াম্থুরে। অতুগা লানফমসিদা তাপংগী নিংথৌ আম কৌবা থাঙশাবগা মাগী নুপী লৌখোৎনু কৌবীগা লময়ৌগী আমো কৌবা তেন্দা হৈ-শিংবগা মকক্রসাং/মক্রশান কৌবা লম কোইবগা মখোঈ মরিমকপু হাৎখি। অতুদগী অখোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেনবা তাপং লাম্থাবা মকক্রসাং লমকোঈবা ফাবা হাঈনা মিং থোনখি। মৈতৈগী মবুংঙো অখোইবা লাইগী মতীক-ময়াই

লাইবেল্ মৈতেংঙু পোইবৈ তমলেন, থোম্বা অৱাং নোংম্ নাহা লিখিং তেনগুম্বা লিক্লাই মোইবুং সাওনবদি চোইনৌ সনা মিংহুন্‌কিবু চুনবনে॥

নয়োল্ মৈতৈবৈমা চিনফুরোন, থাংয়িচেংলৈস্ হুয়েল অরুৱা ফাবী-ও তৌনা কৌএ॥ মপাম্ লম্‌লেন, মদাইমা লম্‌লেন, লমপুন, ৱাইবসি-ও কৌবদি কংদৌনোংগীনো॥ নয়ু লাইরেন, মৈতেংঙু লোইনাই থৱানথাবা ৱাক্‌য়ৈ খোংরোইনন। তোংচেং পাংল্লাইননা অয়ুক্ চামাইৱাংনা হুয়েল লান তাকংঙৈদা নোংয়াই হাওতারাইবা অতোন, হাওতা কোইবা অরোন লিক্‌মাবা য়াইগিং করোংস্ নিংঙোল কোন্নুসুবু তানফংলুৱবগী লান্‌কা সমু তুংরৈদনা লৈনা পুবকঙৈদা মানপ, মতিন, চোৱম্‌এ॥ লম্‌লেন ঙানপ,পীখোং-ও গোন্নৈএ॥ ঙানপ্পী খোংলেন, লাইজা ভুথুপমদা তাংজা লুৱেন্‌তোনবু থাংলেন, মখুৎস্নুনা সোইৱম্‌এ য়ুসোইরোক্-ও থোন্নৈএ॥

চেনবা অতিয়াদা খাক্লিবা নোংগুম্বা লীক্লাই মোইবুংগী শাওং-শাদানবা তমলেন থোম্বা কৌবদি সনা ফুদোংলবা মিংলেন অসিগা চানরবা নিংথৌনি।

নবেঙ্খৌ মৈতৈগী মবেম্মা থাংযি য়েক্কী চেংলৈ কাংলুপকী শুথাং ওইবী চীঙ ঙাখম/শৱাংথেম / হাওবোকচম / কোন্থৌজমগী নিংঙোল ওইবী লানফমদা আরুৱা ফাবী হাঙ্গনা কৌই। মহাক্কী মপামগী লমবু লমলেন লমবুন ৱাইবসি হাঙ্গনা কৌবদি করি মরমগীনো? নবুধৌ, অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, মী পুম্নমক্কা মরী মতা থোক্লবগুম চান্নবা থৱানথাবা কৌবা নিংথৌনা অয়ুক ঙন্না চাক চান্নগা হি তোংহুনা নৌ পাইহুনা হোম্বরক্তুনা লান্দারুবদগী হল্লকপদা খুম্ননগী অদোন হাংতোরাইবা কৌবা হাওগী লমশিংদা কোঙ্গহুনতা লৈবা অরোনবা লীকপু মাহুনা য়েংবা য়াইথিংবম শাগেগী করোং কৌবগী মশু নিংঙোল ওইবী কোন্নুগী মশুবু থেংহুনা ফারক্লগা মখুৎ তুংবুম্নদনা মাঙলোমদা পুল্লগা পুরকপা মতমদা মনপ মতীন ইচো চোৱম্মী। অহুদগী খোং অহুবু ঙানপ্‌পীখোং হাঙ্গনা থোনখি। ঙানপ্‌পীখোংগী থেক্‌চিনবা খোংলম মতেক অমদা মখুত্তগী থাঙনা মঙক্ সোইৱম্মী, অহুদগী য়ুসোইরোক হাঙ্গনা

মহি মনাইনা ঙাংনা তারমএ য়িহাংলা—ও কৌএ॥ লম্লেন, য়িসোই-রোক্ য়িহাংলাবু নাতৈননা মৈতেংঙু সেন্বী কিয়ামবা লম্বুন ম্নুংথোল্ ব্রাই পুংলেন, মাখুৎফা মৈতেংঙু পোইরৈ খুলমোম্বা মতাইরেম্ সিংজা কৈরেল্হন্বা মোমন্নু তালোই মরুম্বী চক্পা থোংচা৺চন্নু তোংপোল্ রাইরৌ থাংবী লোংলেন, খুত্তা স্নুবীনা লেম্লৈ ঙাতানোংদা অরা পোথা-পুংবু ঙম্থংননা লম্পুল্ লম্সন্বা হেকপ্সি হেসোল্ববু লম্ঙাক্পা তুবী মসোংচাওবা লম্থল্ মীতম্ হব্পা অচৌ পাইবু লোন্বা অসাং লম্নু থন বনা তুবি হিকুম্নক্পা য়িরেল, চাব্থোক্লক্পাবু লোইবী থাংখু থাংলেন্ তো'বা ফিহুম্ ফিদাইচন্নু য়ারা মশিং স্নু চক্মোম্ তেম্খাং লোন্বীনা সাংতিং মৈতৈ তেম্না চৈবী তেম্ঙেনম্ তুবি খালেল্লম্ ল্যাইরেল্ নুতুরাইবু পুমনা চন্না অসৈনবা চন্নু য়োইকামু কামু অতোন্বা

থোনখি। মহা-মনাইনা ঙাংনা তারম্মী অহুদগী ঈহাংলা হাঙ্গনা কৌখি। ঈসোইবোক-ঈহাংলাবু নাম্নোক্লগা লৈব। মৈতৈগী মবুঙো কিয়াম্বনা অপুনবা লমগী ওইনা মুঙ্ থোন্দুনা থন্নম্বা মফম অমস্নুং মহুদা থোল্লম্বা পুঙ, মৈতৈগী মবুঙো পোইরৈ খুলখোম্বা (খৃঃ ১২৬৩-৭৮) গী মনাই শীঙগৈ পান্নবগী নুপী চকপা থোংজাংগী নিংঙোল, খ্বাঙদা তুঙ্গোল য়ান্দুনা খুত্তা লোং পাঙ্গহুনা ঙা ফানবা থোল্লকপা মতমদা অবা পোত্থারম্বা পুঙগা থংননা লৈবা লম, লমপুনগী লমবু শেন্নবিবা লৌশিনসি হাঙ্গরবস্নু লৌশিনবা ঙমদবা লমবু ঙাক্লিবা মশোং কারবা, চাওবা-শাংবনা লম য়াম্না কল্লবা, হেন্দোক-থোইদোক্না চাওরবা, শাংবনা লম পুন্নমক পুমথুং থুংনবা লাইরেননা হিদেন তাফম মপাগুম্বদা কুম্লকপা, ঈশিংদা মচিঞ্জাক থিবা থোক্লকপদা থাংখু-থাংলেন কৌবা চীঙদা খুন্দাবশি গী নিংঙোল ফি মতুম মতুম তাইশিন্দুনা শেংবী মশা লুম্বগী থাশীং শুরবীনা ফি শানবা তেম্না য়ানখিবা মফম, লাইরেলহুগী খাঙঙেনফম ওইখিবা লাং রূসহুনা শিখিবা মফম্নু লোঙ্গনমক চিথদনা শৈথাহুনা লৈশি—লৈথোঞ্জবশিংগী নিংঙোল, য়োঙ্গকামু কামু অতোনবা কৌবদগী শমথরকপা চাদা-নাওদা

য়িমাদগী শিন্নরক্পা তাল্থোং চীঙ্ঙাখনপম্চন্নু নয়োল্ মৈতৈরৈমবু মপাল্ মরানয়াইদা কোলোই মিংহুন্বদি থনি-ও কৌএ ॥ তুবী ফমতোংখোংবু কারবগা লাইরেল্ মসাবীনা কোলোই মিংহুন্বদি য়োইবু কংলৈ মৈতৈরৈমা হুয়েল্ অরুব্রা ফাবী পাইমা সনা লিন্কোইগী —॥

মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খ্বঃ ১৮০৩-১৩)

॥ ৯৮ ॥ নয়ু মৈতেংঙু চৌরজিৎ-ও তৌনা কৌএ ॥ হাওরৈ নোংচুপলা পাংবরম্গী ফানলোক্ ময়িম্নাক্ ব্রাইরংপা মপুংয়াইগী লম্কা হৌনা তুবি ফাম্মোইমিং লাইরেল্ ফল্লাংইমৈবু তোংলবদা পোইরৈ খুলচামা তায়িম্নাই চামানা লাইরেল্ কোলোই মিংহুন্বদি লাইরেল্ মৈতেংঙু নোংচুপ ব্রাইরং পাম্হৈবা হাওখৈ মীখোম্বা তাক্লেন্ লান্চাইবা কংলা চেন্কা য়াংবা মালং হুংসিৎ কাওকুম্বা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ সনা মচুঙসেন্ চুঙসেন্ মরাল্হৌদি মসানৌ চীঙ্খোং য়াইমাবা মারজিৎ লাংচেং মাথোক্লক্পনা তুবি ফাম্মোইমিং লাইরেল্ ফল্লাংমৈবু মুন্কে হায়না সংলৌ থৌরাংলবগী সেন্বী চংনা খোম্কবো

তাম্মোঙগী চীঙ্ঙাখম্ নিংঙোল ওইবী মৈতৈগী মবেম্মসিবু মপানা ময়ুমদা থোনবা মমিংদি ধনি হাঙৈনা কৌই। মৈতৈ কংলা ফম্বাল তোংলবদা লাইগী মতীক-মগুণ লৈরবা মপুরোইবনা থোনবিবা মিংলেন্দি লৈপাক্কী ময়োন ওইরিবা কংলৈগী মবেম্মা ওইরিবী অরুব্রা ফাবী হাঙৈনা কৌবিসিগী পলেম পীবুরুংদগী — ॥

॥ ৯৮ ॥ নবুধোগী কোলোয় মিংলেন্দি মৈতৈগী মবুংঙো চৌরজিৎ হাঙৈনা কৌই। নোংচুপ পাংবা মাঙৈকৈরোমদা লৈবা ফালোক / ভাল্লোক কৌবশিংগী ময়ুমগী মনাক, নোংপোক-নোংচুপ্পা পানবশিংগী মফমদগী লাক্লগা ঈশিংগী মবুংঙো লাই ওইরবা মৈতৈ নিংথৌশিংগী অথোইবা ফম্বাল, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌশিংগী শগাঙৈ পাবলথক্তা তোংলগা মৈশা লাংহনবা কংলা ফম্বালবু তোংলবদা মৈতৈ লৈপাক্কী

পাক্লা তাইনা লোল্লাই মযাই থাইনা সেনবী লান্‌কবক্‌পাব্‌ যোইব্‌ [illegible]ম[illegible] বাঙম্‌লোন্‌ ব[illegible] [illegible]স্তনাং মহু মে। বাহন্‌বা [illegible]ল্লা বুযোক কোল, কেকে হযিংবা হযিংবা ফানখো লোল্লোই ব্রুফোপাৎপু ঙমলোন নাইতনন। থো[illegible] [illegible] যাহচমপ[illegible] [illegible] হেবো খো হেচুবাইনাই হায়চৌবা মযিম্‌নাক [illegible]ল্লোই থনবী। অচেনবদা সেংবী তেংকাল লিংববু লাইবেল মেতেংঙুনা তুবি হিংসু মযি নাই [illegible]লাইবেল মৈবু ব্রোৎনা লাংবাই খোং ঙইনলা কাংহং ব[illegible]চাই প[illegible] [illegible]মকুন্‌ থুগাইবে॥ সেন্‌বা তুংইনবা কবা মাং[illegible]বক্‌পপু থুমন পুযা[illegible]। পুয়স্ত [illegible]ত্তারম নি[illegible] লাইতো পুবা স্থগী তাংজা [illegible]বল[illegible]নব বক্‌[illegible] কণ্‌বা [illegible] ককুবা লম্মহন্দা সেনবা নানবা[illegible] থা[illegible] [illegible]যল্‌ লা[illegible] নিবিদি ববো [illegible]নচিংবা লক্‌ত্রা অথোবণা

[illegible] নাইতানা নি[illegible]থৌমাগী মিংলেন মি[illegible]নজবদি অ[illegible]াইবা লাইগী ম[illegible] মহণ চেল্লবা মেতেগা নুংঙে নোংচুপ বাইবং পামতেব। হা[illegible] কৌবা লমগী [illegible] খোঙ্গ, তাক[illegible]ন [illegible]বা লমদী ম বু লান্দা মাঙ্গৈথাবা [illegible]ব, থুনমব হেক্তা থাডনা ব[illegible] [illegible] [illegible]ভোংবা, লো শিংবুম যাঙ্‌বা কাঙগুম্বা হান্দনা নিংথোঙে। লাইগী [illegible] [illegible]ববা নিংথৌ অসিনা চুঙ্‌ পাঙ্গৈহনা, চুঙ্‌ শেন্নহনা লানযম মাযোক যাথিবদি মন ঙঙ্গুপা থাইনা নাক্তং কৌবা, মপাঙ্গল নথৌনা বনখংলবি[illegible]না মেতেগী অ[illegible]বা য[illegible] [illegible] নি[illegible] মফম শিন[illegible] হাঙ্গৈহনা অবাগী [illegible] খে[illegible]। [illegible] পুবহনা লোল্লোই [illegible]যাংবা নয়া[illegible] যাংবগা আব [illegible] [illegible] লান্দাবকপবু নি[illegible]মনা। যমথান ব ব [illegible] নিং[illegible]গা [illegible] নি [illegible] ঙইবা লাহবেম্বা পাঙ্গোইবা [illegible]ঙ্‌, নবু [illegible] [illegible]নবগী উ যো[illegible] [illegible] উম, মোইবা হযিবা হযিবা বোংশিবু থাথিবা খো, [illegible] হগী উফোৎপাৎ বো[illegible]। মহ[illegible]গা হেব [illegible]নদগী [illegible]দোবক্লগা [illegible]বব, খ বা[illegible] অথোইবা পঙ্গোঙ ঙক্টীবা যাহগী [illegible] চন্নবা যাহচ[illegible] [illegible] হৈবা খোজমগী হুগাহুগী [illegible] ঙহবা হানচেনা [illegible]হুগা [illegible]গী ননাব, লোল্ল হবে[illegible]গাদি [illegible]দগী হেন্না [illegible] [illegible] খুন্দুদা [illegible]

সোক্পোং লান বগা ংখান লানমিংনাইগা ৩ মনা চিংনা ছুয়েল লানপুম ৭ মাব া চ লুহে কানা ো ঙ্গবেইবাদা হুয়েল লাল্‌-হোইচিল্লে॥ অহুনে গীন লাহ , ে ঙ সে ানযাম্ব থাব ও তৌনা কৌএ॥ লাহবেল সনা মচ ঙ চুঙ্‌ মবালহৌদি অসিস্থং মতোম্ হা বে না না হনা পা ম ম্ ন্ মদাইমা অরাং কৌবা ম্মহল্ বৌব চা বাঙ্গ ে চানা ক রাই যম্‌থিবা সংলৌ নাকাবম্ কৌক্রু ম া ি হপো কৌব সেবা চাজুমস্থবা চাজুম্ লোঙ্গবা িথ অ াউ াংস্থ ম্পম্‌ নিং ভানবা কৌব লাংলা ওথ ে ু া াং থে মদাইবম নোংবাল্‌ হাওবা াংববে হ চে ্বি থহ্বা া ন্‌ যাইশন যাইচিন্‌বনা

তেঙ্গে াশ্রবনু অ া হনা া চেনং নৈতৈগী ঙ সিনা লাইবন॥ ম হৌ হ খু খু ন হংগা মঙেল হ হ ঙহুনা যাঙনা ো ঙঙহুন স া ে বাগা নকম মন ইথঙ্‌ থঙহৌ ন ম ন হ চাহ চ ন পত আরা তেঙ্গা থুগাঈবে। অরাগা মতু ইম্ন গী ন কপা লাম্মীশিবু থুমনগী পুর বা পুবন নাবন া থ ন না যা াই া পুরাম্ব কৌবগী মঙব খি হাই গীদন। ফু অঙ্গনা নথিবা মফমদা আরা লম্ম মশা হঙ্‌দনা হ া অহুগা া ব হনা বা লাম্মাগী লুচিংলকপা লবক্রা অ বগা সোক্পো ান্দা যাঙনা থৌনা ফবগা ওথোন হাঙবা ান্দা মান চংশ অহন আনচিনা লাম্মা ৭ থক ফ বগা মঙক কহুনা চুঙগ হবাদা কহুন ন লানবাও তমখি। অহুদগী অ থাহব া হা ন ন মথ হ চেন্নবা তৈগী মনু ঙো আরা লাম্মা মথাম হ ংপা হাঙ্গন বৌখি। অ যাইবা ল হগী মহ চেন্নবা নিংথৌসিনা চুঙ্‌ পা হুনা লান তৌথিবা ান্দাখিবগী রাকনদি অসিনস্থ লোঙ্গদ্রি। ো না নেমহুনা ো াহা না ে বা নাঈবে, অরালোমগী লম মতাই অমা, অরা গী কোক্রু চঙজাওগী নখৈ মনুগী অথোইবা

মৈদিংঙু চৌরজিৎ

নোইমু থুমপোৎ পুনা রাংকোল্ লোই থৌরুতৈদা ময়িম্ লোইবী মারেম্না থুম্বু ময়োন্ কৌএ॥ ময়োন্ থুম্বু ককনা তংলম্এ॥ অহুনোগীবু লোইবী থুম্তংপুং লোইবা থুম্ময়োল্ মপুংয়াইদা লাইরেন্ মৈতেংঙু নোংচুপ্ রাইরং পামহৈবা মালং নোংসিং কাওগুম্ব। নিংথৌরেলনা খোক্লাং তুংসোন্না সৌদি নাকা নম্না। সৌখেৎ মাংরাইনা অদোন্ লোখাম্বা লাল্হাইনা রাংঙম্ দিকবা লানহৌ তম্না সাইবা পল্লেন্ য়ান কুরাও পন্তাই সৎ চূংলপ ৬০ চোং কাওরেন্ সনখং ১০ লান্ খনং লই০ নেংনা চুংডলে ও মপল্ কুম খেবে খাচিন্ কাইনা পন্থংথবদি মরাল্ থুম্বী মৈমাংচন্ সাইবু মৈতাল্ পক্ চৎলম ফানসাং থুম্ মৈথু নোংলোন্ কানা লোইবী মবৈ কাই হেম্বা মপুঙ্ থাকলে॥ হুয়েল্ লান্নি-কিদি লোইবী পনজাং পা খারাচোং অচোংবা খারাপোন্ অপোন্বা চুঙচি

লম কৌরুগী নিংথৌকোন অমসুং কোন্নুগী লৈমকোনগী নিংথেমচাশিংনা খুংদাফম থীবা কক্রাই কৌবা, য়েনসাং নাগী য়াম্না ফজনা হৌবা লম, কৌরুগী লমখৈগী মতৌন ইথ থবা লৌফম, অরাগী চাজুম পাঙ্গবী চাজুম ও লোইবী মমি শাইপো কৌবীনা লৈবা মফম, খাংসুরাকপম অকোঙ্গী মচা নিংডোল, কৌবা লা নোংইঙম্বী কৌবীগী পল্লেম পীবুক-নুংদগী শাৎলকপা অঙোম্ / লুরাংগী হংওবা কৌবা, মৈতৈগী মবুংঙো নাওথিংখোংগী মনাই ওইবা চকফি / চিনফি শেৎপা, য়াইপন্না লৈ ওইনা চিনবা নুপাহুনা অথোইবা লোইপোৎ ওইবী থুম মতোং ফানা নিংথৌগী পুকৈগী লোইপোৎ থৌরুরগা লাকপদা মারেম্ হাঙ্গনা খঙনবা চীঙ্গী ফুংপনা থুমহুবু মচেৎ ফতুনা তংলম্বা : মখোঙ্গ মারেমগী ময়োন্দা থুম্বু ময়োন কৌই, ময়োন, থুম্বু তংই হাঙ্গবদগী থুম্তংপুঙ, কৌবা চীঙ্, থুম্ময়োল হাংনসু কৌনবা চীঙ্গী থুল অহুদা অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংচুপ রাইর পামহৈবা, নোংশিংকুম্না য়াঙ্লবা নিংথৌরেলসিনা তানীঙনা তুংলোমদা, তাজিন্না মাঙ্লোমদা থংহল্লগা নাগী-শীঙ্বী নম্-নমহুনা থুমনগী লোখাম্বা কৌবনা লানফা ময়াম

লাইগম থাংবগা তালেই মকুখী কাবং লানমিংনাই তেৎনৌ চৈস্ত পাল্লাইনবা সম্লা হিমতান্ লোম্বীগা ২ মাবু কাইনাহুল্লে। অতুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেং ঙ নোংচুপ রাইবং পামহৈবা হুহেল্ খাবাচোং ফাবা ও তৌনা কৌএ। লাইবেল মৈতেংঙু নোংচপ রাইবং পামহৈবা হাওখৈ মখোম্বা তাকৃযেন লানচাইবা ক ... চনক যাংদি চোইদৈ সনা মিংহুন-কীব চুনবনে॥ *॥

নযাল্ মৈতৈবেমা খযোইবোল কোংবী নোংপিল চাইবা সেনবা তেখাও লানথাবী হুয়ল্ অকুবা ফাব মপাম নোংযাই চাওবা পুং অনেল

হোইরকপগুম, মৈতৈ ইবোমগী লুপানা লানফা ফাবগী মতৌ মহুনা তীংখংগী পঞ্জাও য়ানখাদহুনা- কুবাউনা পনগী শাইনফমদ যুবদা শল্লোকুনা চঙগী মবেপ ৬০ চোংখতুনা, শনগী মযাঙলেনগী অশাংবা ৩০ লান্না চোংহুনা, থুমনবনা খংনকৌবা তানা লৈঙ্গাই ফাঙবা লেংহুনা, চুঙগী মপালগী মসা কুম্না নাগী শাজীন ফাওবা কাঙ্গবা মখৈ লান্দাবদি হাওশিংগী মযুমশিং মৈনা লাঙ্গোই চনহন্দনা মৈনা পুমথুম থুমহন্দুনা যুমগী শাইজিন ফাওবদা অচাকপা মেত্তান পকহন্দুন খনগী খুন্দিন্নবগী থাবিবা ফানশাং মযাম মৈনা পুমচাক চাকপগী মৈথুনা তম্ভিএদ, শাইখংপগা লেননা চীঙমীশিংহুগী শনবান নৈপা কহুন হাংশিংগী শন শাক। অহুগা লানফমহুদা খুন অহুগী শনঙাকপা খ ... অচে ... ন অপোনবা কৌবা চুঙগী মচাদ। লাইশম তাপ্পুনা মৈ ... গা মাগী লুপা যোংকী চৈশু পাঙ্গবী, খ্বাইদগী হেন্না রাংব। ওদোন্দা নোব। কারং বৌবাগা অনিবু হাংখি। অহুদগী অথোইবা লাইগী মংগ চেল্লব। মৈতৈগী মবুং ঙা নোং-চুপ রাইবং পামহৈবা লানফা খাবাচোং ফাবা হাঙ্গনা কৌনখি। অথোইবা লাইগী মতাক লৈংবা মৈতৈগী মং ঙ নোংচুপ রাইবং পামহৈবা হাওখৈগী মী খোম্বা, তাকয়েন লানযম ঙব্বা, থুনা শাঙন। কংলা ফম্বাল তোংবা হাঙ্গবা নিংথৌসিদি সনা মুদোংলব। মিং নসিগা চপ চানরবা নিংথৌনি॥*

নবেম্কৌ, মৈতৈগী মবেম্মা, খুমন য়েক সলাইগী নিংঙোল ওইবা,

সাংবা য়াইগী খুমল্ কংলা তোং নোংয়াই পাচাপুং–ও কৌবদি কদৌনোং-গীনো ? নোংয়াই পাচা অচান্‌বনা লমলোই সেল্‌কু অচান্‌বা থৌতিংলোই তালোই তুমুনরা মিনৌ তাংথরাবু রায়েন্নবম্‌এ ॥ অহুনোংগীবু নোংয়াই পাচাপুং-ও তৌনা কৌএ। মচল্ পোংন্নুখম হনবচা কায়ন্বা নুফে সেং-চৌনবনা নাম্‌তাইরাই মচন পোংন্নুখম ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লচাগনো, যিবেম্ লাইবা খববা পাওনবা মমোম পেংন্নু নুকোন্‌বা চন্নুগা মথন্ অখাই খাইগিদবগা খোইপু লৈসাংখোংগী লেমৈন ঙা-ওলন্‌বগী মবান্ ওন্নবকপদা ডৌরোক্‌পা ০ স্নুচা মসাইকোল্‌বু নাইননা লমলেন্ থবোইব লোক্তা মচই খঙনদববু খঙনবে মমাল্ লমদনবু লমদনয়ে হাখবগী মপন্দে নবু দাজা যিকাই রাগী লমলে লৈতাং সুম্মোইকোল্‌দা

নোংমদোল্ পোক্লিবা নুমিৎপু ঙন্বী নোংথিলগাইব, মৈবৈবাক ভেখাও লান্দাবা, নানফা অকরা ফাবীগী মপাম্ লম, খুমনশিংনা চাওরক্-শাংনকপা : কস্ম খুমন কংলা তোং, নোংয়াই পাচাপুঙ হাঈনা কৌবদি কবি মবমগীনে। খুমনগী মপা মচা ওইবা শাবনবা কৌবগা মাগী লম চংশ্নাকপদা লেইনবা। ববক ইনখাংদস্নু লোপনবা থবক অমস্নুং শেল কন্নু স্নু হ ক্ষজবা, অচান কৌববু, মতু মনা মুখিবা, মাগী মৌগী মনাক্তা লেরুস্নগী রাথোরুহুনা রায়েন তৌবন্স অহুগী ময়মদগী মফম অহুব নোংযাই পাচাপুঙ, হাঈনা কৌখি। মচ পোংন্নুখম কৌবা লমগী কাবাম চাও বা হন্নুবগী, মচা নুপীগী মফেংগা, মফেগন্ ওঈনা মুক্তুনা লেপকনবনা। নাম দবাংপা মফস্নু মচন পোংনখম হাঈনা কৌবদি করি মরমগীনে ? মমাঙ ঙৈদা ইরেম লমগী লাইব ৗবা পাও ওস্থাং ওনশিন তমগনব। নুকোনবা কৌবগী মচান্নুপী পেংন্নু কৌবাগা মথানগী অখাঈ খাঈখাবগা খোইবুশিংগী মমম লৈশাংখোংদা ঙা নল্লোল্লুবদগী মযুমলোমদা হল্লকপদা ডৌবোকপা স্বাসুচা কৌবগী লৈফস্নু লাম্নোক্লুগা লৈবা থরোই-বিদাক কৌবা মফমদা মমৌ খঙনদববু খঙনবে. মকবোক কৌনদববু কৌনরে হাঈবগীদমক্ মপুরোইববু ইকাইজবদগী লৈতাং য়ুম্মোঈকোন

১০ চাথংদা লাইজা যিথক্তা কোরৌ থোইনা হেং রাংপল্ পাংনা য়েংনা লহাননোং অতোল্ লাইকা বা মস্থুমাং [illegible] রতোমাপোক্তা য়াকাচেক্ ল্যাল্লোই পাওবিতেক্তা লাইচা হিবাই ওল্ [illegible] খংওপ্ রাইনা চা- গোক্পা চেক্ পৌবাল রাপেং পোল্ [illegible] লাংওনখিযে। অহু নো গীবু মচল পেন্নুখম [illegible] মচন পেন্নুখমব [illegible] লম্লেন মীকোক্চই কেবা ই লম্মন [illegible] গীনো। থাংঙা সোক্সোম্বগা বমপো। [illegible] পুন্সিবা [illegible] তাউচীঙ্ নানোবা [illegible] মামোম হৈবু খঙনদা মত্থ হৈব [illegible] সানা থাংঙা সোক্সোম্বগী [illegible] চাবে [illegible]।

কৌবা লমদা চাক চাদা, ঈশিং [illegible] নোংমদাল অতিযা য়েংহুনা; মমাঙ্বৈদা খুমনগী লাইকা বা [illegible]বগী [illegible] হৌবা অচৌবা তেবা পাম্বী মংক্তা [illegible] চক, না ল্লাই লৈ [illegible]। পাও- বিতেক্ কৌবা মফমদা ঈশিংগী মপান্দা হুপ্লৌনা মথ্ [illegible] মথমদা মচা কোকপা উচেক, খৌবালগী উফে কৌব না [illegible] মানবা উচেক ওইনা ওনখি। অহুদগী মগম অহুগী মশিং মচন পোন্নুখম হাঙ্গনা কৌখি। মচন পোন্নুখম [illegible] লৈবা মফম্ব মীগী মকোক্তা চাইবা কোকচাই হাঙ্গনা কৌবদি কবি মবমগী [illegible] থাংঙা ফুকপক সোক্সোম্ব কৌবীগা কম্বোং ফুকপকী [illegible] কৌনগা অ[illegible] খুমন [illegible] পুন্সিবনা থাবম্বা, ম[illegible] ইনৌ নৌবা, চান্দা যাম্না থুমহনব। হৈব [illegible] চামিম্নবা মতমদা মচন [illegible]শিগী হৈগী হৈশক খঙদব। মব [illegible]শিংগী হৈগী মহাওবু থানদবদগী মনৈনা ফুহুনা খুদম [illegible]বা শা, ফুবা লাইমকোন কৌবা লমদা চাক্তাবা শানা থাঙ্ঙা সোকনোম্বাগী মথীক মথা ফোইহুনা চাখি, মহুদগী লমদম অহুবু ফোইজাঙ্ হাঙ্গনা কৌখি। অহুগা কৈ অহুনা মহাক্তা শরু-শযাঙ্শি ব ময়ান, চিকথাঙ্গ চিকথাঙ্গহুনা চাঙ্গখ ঈবে। অহুগী মরমদগী মাগী মকোক্তা চাইবা, কোক্চাই হাঙ্গনা কৌনখি।

[illegible]ংচা মকা[illegible]লুবু পানবা য়াথং চননা [illegible]জা লুরেল্তোন্বু চাইখাইরাএ॥ অহু[illegible]গীব নমু মকোকুচাই কোকুচাই লম্মাইল্ ও [illegible]ৌনা কৌএ॥ লম্-লেন্ মকোকুচাই কোকুচাই লম্মাইন লৈ[illegible] য়ম্মোইকোল্ লাল্লোই পাও-বীতেক্ লম্লেং পাওকন্কোনবু অসৈনবী ময়ু [illegible]ইবী খুরাম পাম্বা লাংব-কেইন মি থা ফবী [illegible]নবী [illegible]খাও [illegible]ম্বাবী হুয়েল্ অরুৱা ফাবীগী পাইমা [illegible] লিন্[illegible]ইগী ॥ * ॥

মৈদিঙু মারজিৎ (খৃঃ ১৮০৩-১৯)

॥ [illegible] মৈদিঙু মারজিৎ ও [illegible]ৌনা কৌএ॥ নয়ু মরাউং পান্বা [illegible] পোইরে খুলনিংথৌ ওইরবদা মদাইরেম্ পোইবে [illegible] লাইবেল কোলোই মিংথোল্বদি নাইবেল [illegible] ক [illegible] সানুৱে সাথোবা য়েথাং নেৎচং

[illegible]চাইগী [illegible] য়ুম্মোইকোল, পাওবিতেক, পাওরুম-কোয়চিবা [illegible] শেথাহুনা [illegible]জবা, মবুঙ্গো [illegible]ইবা খুরাম পাম্বগী ঈদগী শম্[illegible]কপা, মারাইলম [illegible]খাও লান্দাবা, [illegible]নকা অরুৱা ফাবী হাঙ্গনা মি থোন্নবা[illegible]গী [illegible]গীঃ ।

[illegible]৯। [illegible] মিংলৌদ [illegible]ইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মব[illegible] মাবাওং হাঙ্গনা কোই। নবুধো মারজিৎ, কৈগী মরক্তগী মা থ্বাইদগী হেন্না লাক্কনবা কৈজেং[illegible]খ্বনা মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ওই-রবদা মৈতৈগী [illegible] নাহজাগী [illegible]ন চামা চামনা অথোইবা লাইগী ময়াই চেল্লবা নিংথৌসিংগী মমিং থোক্নবদি অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো মেন্ কৌবা লমগী ময়ুম মবুমদা চঙ্ হুনা য়াম্থবা, সমজ্রবু শাথৌরবা, য়েথাং লৌবা লমগা মাশিংব্ থোঙপাক্লা নেৎলগা য়াম্থৎপা ওম্বা, ইবাবংা তুরেলদা ঈকজবা, কোংমদা কৌবা ফুরাগী মনুংদা লোৎপা, অঙৌবা নুংচৌশিংদনা নুমা লেপ্না লুপাগী চাঙ ওইনা উবা শাংথু শাংলাখৌ কোবা চাঙ্দগী গোঙ্কম হৌরকপা মৈতৈগী মবুঙো নোংপোক

যানবা ঐরাবতি নাইজ। যিবেন্‌পুংদা সানথেংবা কোংমদা থুরা লাই-ফম্‌লেনদা সানথুপপা। সাংখু সাংলাখোৌ খোৌহু কপার্চাঙ্‌গী লম্‌হৌবক্পা। মৈতেংঙ্ নোংপোক্ রাইবং পামহৈবা ঙ তৌনা কৌএ। মবু মৈতেংঙ্ বেখে তেন্‌হৈব। হুয়েল্ কালামুং ফাবা কোলোই মিংবু মিংহুন্‌ফবা লাইরেল মৈতেংঙ্ নোংপোক্ রাইবং পামহৈবগী নাইরেল্ সনা। মচুঙ্-সেন চুঙসেন, মবালঙন্দি নোংনে পাবম কৌবা লৈমচা কৌনু লৈমচানা কক্‌যাই ফমথিবা থংলৌ নাকারংবু কৌব্রুগী মতোনদো। মমি তাইপোং কৌবি সেলকী চাচুম সুব। চাচুম লোইবী ময়িমফম অকোঙ্ খাংসুরাক্‌পম নিংডোলব। কৌবা লাংলোইঙম্বা হুয়েন নানাবা থব মসাইকোল লাইরে মৈতেংঙ্ কিযাম্ব। ন্যান্‌খো না। সামু লুরা থাবু তেখাও

রাঙ্গবং পামহৈবা হাঙ্গনা কৌই। মবুদো মৈতৈগী মবুংডা বেপ ... হৈবা কৌবা (গন্ধিবানিরাজ) ... নফা। কালামুং ফাবগী মমিং লোইহুন নিং ... ন্না, অথোইবা লাইগী মতৌক-মযাই চেনবা মৈতৈগী মবুংডে নোংপাব রাঙবং পামহৈবগী খুত্তা চুঙ্ পাঙ্গহুনা চুঙ শেন্নহুনা। থেংনখিবা লানফমদি লাইনা। লৈবিবা মাঙ্গকৈ, অরাং নোংচুপ থংববোমদা। লৈবা কৌব্রুগী নিংথৌকোন অমসুং কৌন্নুগী নৈমকোনগী নিংথেমচাশিংনা খুন্দাফম থিবা ককুযাই কৌবা, য়েনশাংনাপী যান্না যজনা হৌবা লম, কৌব্রুগী লমথৈগী মতোন ইথং থংবা লৌফম, আরাগী চাজুম পাঙ্গবা, চাজুম মডা লোঙ্গবী মমিং তাইপোং কৌবিনা লৈবা মফম, খাংসুবাকপম অকোঙ্‌গী মচা নিংডোল, কৌবা লংলোইঙম্বী কৌবা লানফা লাংকাবা ফাবাগী মযুম মনাক, অথোইবা লাইগী মতৌক মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংডো কিয়াম্বনা লাং-থোংসা কৌবা শামু, মবেপ রাংবা শাবু তেখাও লৈপাক্তগী ত্রিক্রু-লৈকরগা। পুথোক্লক্‌পা মফম, লুরাংগী শিমবিং নোঙ্গাবা কৌবানা অরাংলোমদা। লৈবা অরাংবা লাইবৈপাক কাখিবগী লম্ব। ওইখিবা মফম, মচানুপা সুদা কৌবা ঙা ফাবনা কপ্লম্ব। মফম, লুরাং নিংডোল মতাঙনা অরাংবা লাইরেবাক কাখিবা মফম অসিবু হেন্না নয়াঙ্‌খাং হাঙনা কৌবদি কবি

মপুংয়াইগী সাতিক্লম্ লুরাং সিমরিংবানা অরাং কোবৌ নোংকাবম্ মপাবি সুদা ঙাতাবনা মাকৃপলম্ হুংবান লুরাং চন্নু খোইনৌ মতা ৬ মনা অরাং কোবৌ নোংকারাই লমলেন্, হেম্বা ময়াংখাং-ও কৌবদি কদৌনো গীনো। লুরাংচন্নু খোইনৌ মতা ৬ মনা মসাবী হাওকু তাও-হুইবেংচা হুই-ওক্ রানবা ৬ মাবু মাবা যিখোইগী যিখোঙ্গুনবু লিবক্কবা হায়না থাংনা থাংনা চৎলম্এ অতুনোংগীবু ময়াংখাং-ও তৌনা কৌএ॥ লোইবী ঙম্থংনববু চাঙৌবোক্ ও বৌবদি কদৌনোংগীনো॥ খোইনৌ মতা ৬ মনা • চায়োম থোক্লংবগে চায়োম মচাক্থাক্পু ঙৌনা তাবমএ॥ অতুনোংগীবু চাঙৌপুঙ ও তৌনা কৌএ॥ লম্লেন্ নোংফৌ চীঙলুখুম কৌবদি কদৌনোংগীনা॥ খোইনৌ মতা ৬ মবু কোরৌ য়িনা

মরমগীনো ? লুরাং নিংঙোল শামন লৈংমান্নতুনা মতা শান্নবির্বা ৬ অতুনা মখোঈগা শকখঙ্ মাঈখঙ নজববা হাওকু কৌবা মা ফুকপকী হুই-ওক্ লল্লোনবগী মচাশি হুই-ওক্ রানবা পাখং ৬ মকপু মখোঈগী খোঙ্গুল লীবক্কদ্রা হাঈনা থাঙ• থাঙ• তং। তপ্পা) চৎলম্মী। মতুগী মরমদগী মফম অতুবু মযাঙখাঙ হাঈনা কৌখি। মতুগ হেক থংনবা চীঙবু চাঙৌরোক হাঈনা কৌখিবদি কবি মরমগীনো ? মখোঈ মতা ৬ অতুনা চয়োম থোক্লুনা চাবা মতমদা চাক্লা ঙৌবোক ঙৌনা তারম্মী, অতুদগী চাঙৌপুঙ হাঈনা কৌখি। অতুগা নোংফৌ চীঙলুখুম হাঈনা কৌবদি কবি মরমগীনো ? মখোঈ মতা ৬ মকপু অতিযাদগী ঈশিংনা লংথরকপা নোংথক্কগী নোংনা তাবকপদগী পুমচোৎ চোৎলবদা, নোংহাং-থ্রবা, নোংশা থোক্লক্লবা মতমদা নুংশাগী মৈশাদা মখোঈনা ইল্লকপা মফিবু ফৌরম্মী। অতুগী মরমগীদমক মফমতুবু নোংফৌ চীঙলুখুম হাঈনা কৌখি। লোইবা থুমতংপুঙ্ হেম্বা থুম্ময়োল্ কৌবদি কবি মরমগীনো ? মীনাই মাঁশল পুন্নমক লোঈনা হুপুনা চীঙগী চীঙখাঙ্ কয়া লাম্থোক্লুনা, লোক তাই কয়া ঈরাল্লগা মকুবোক চীঙজাও কাখৎ-লগা জিরি তম্পাক তাতুনা নোংচুপলোমদা লৈবা নুমিৎ তাফম, নুমিৎ

ফেন্ রথক্ রাংবন্, য়িনা লাওথরক্ কোরৌ ফেলচুনা রাংপল চাহচোৎ-নরবগী কোরৌ মথোং হাঙ, রাপল্ মথোং থিঙ খ্রবদা ক্কোরো নোংসা মইদা চরৈ মায়িনফিবু ফৌবনএ॥ অহুনোংগীবু নোংফৌ চাঙ পুখুম্-ও তৌনা কৌএ॥ লোইবী থুমতংপু হেম্বা থুমযোল্-ও কৌবদি কদো-নোংগীনো॥ তয়িম্ নাইচা হুম্বা লোইবী চীঙ খাং লান্, য়িরোক্ লাইচম্ কান্না চোংনা মকুবোক চাঙজাঙ কা জিরি তম্পাক্ তা নোংচুপ্ খিং খিং নাংসেংচীঙ, ঙানবা তোন্বা হাওবা লোইনেনবা মখুরোল্বু নমদা হুল্না: কামবন কাথুল্বা অচংবা র্ বাপী নাচীঙ, তুম্কোল্বু নাতৈনা লাইরেল মপা মৈতেংঙুকা চংবী মকৈবেল্ কৈবেল্ মাখুৎফা, চন্দ্রপুর কৈথেল্লেন্দা পোইবৈ েংকোল . লিং, লখিপুর খুনফম্লেনদা রাংঙম তেংকোল ১ লিং, তেরাপুর খুনবী অচংবদা পোইবৈ তেংকোল্ : লিং শ্রীপাৎ খোংসা অচৌবদা রাংঙম ম যাম্, ত্তিন, বোরাক্ লাইজা ভুসাং

মঙান্না উনারক্তা লেবগুম তৌবা মফম, ঙানবা ফুরুপকী অতোনবা পুগী হাওবা কৌবনা লোই চাবম্বা মফম্বু নাম্বোল্লগা লৈবা কামরনশিংগী কাখুনবী কৌবা অচৌবা খুন্, উরাপী কৌবনা চীঙহুন্না ইকোই কোই-শিনবা চীঙ্গোলবু কোঙ্গথোল্লগা লৈবা লম, অথোইবা লাইগী মভীক ময়াই চেল্লবা মপা ইবুংঙো মৈতৈ নিংথৌগী চঙবী লফু থাবা লফুগী লায়োক কোন ওইবিবা চন্দ্রপুব কৌবা মফমগী কৈথলদা মৈতৈগী তেঙ্গোল অমা লিংলে, লখিপুরগী খুন্দারিবা মফমহুদস্তু মৈতৈগী তেঙ্গোল অমা লিংলে, শ্রীপাৎ চৎনবা খোং শাংনা লৈবা খোংগী মপান্দস্তু মৈতৈগী মীযাম শিন্দুন' ববাক তুবেংগী খোংলম ইধুনা মৈতৈ তেঙ্গোল মাপল্ [illegible]বদা মমিং চৎনবা মংংঙৈ পার্ক ম শিংদি লাংতকুবা অমস্তুং মি-পাইবগা লোঙ্গননা মখেঈগী নিথৌ মাইবংচ ঙদ। পানবদি মযাং ময়াম পুল্লপ শিন্নহুনা মীংনা পুমযোম যোংশিন্নহুনা লৈরবদা অঙৌবা ফি শেৎপা নোকথি লক্ষ্মণসিংগা শেলগী মমল তিক্কবা নোকথি রামসিংগা লোঙ্গননা মযাংগী বামজংকী কৌবা নোংমৈ তোপ পুবা মশীঙ, থীবা

য়িল্না পোইরৈ তেংকোল্ ৯ সুনা লিংলবগী ময়িম, খোংনাং মনিন, নাইবদি ময়াং লাংতক্না থোংনাং লাংফেন্নরবদা খোংনাং মনিংথৌ মাইপং চীঙ.মাবদি ময়াং পুন্না তিন্ থোংনাং য়োম্লোই হৌ নোক্থি লক্ষনসিং চরৈ ফিঙৌ সেংপগা নোক্থি রামসিং তাংগা মলতিক্নবগা নোক্থি রামজংকীসুঙ পুবা মমিং থিঙমদা সিফাই খুদোং সুবাবু মপুম্ পাঙম্দা থোপথি রাকৃতং খোং নাকান্না পুংতোং য়ৈ পেরে সানাই খোং সামু মমিং থিঙম্দা তোমাল পুংজাও মবা হৌ বোরাক্ লাইজা য়িয়াহেপ্ নোংপুর লম্জাও খোল্না খংলম্লবগী রাংঙম্ তেংকোল্ ৯ মাসু পোইরৈ মরাং হৌ মৈবা লাকোন অপাইবা থাবা লানচেন্ মৈকাপ্পীবু সঙাইসেল্ সাফু তম সেনবী তপথাং ঙম্ববু রতোং মৈসু ে াই মৈবা য়াকাব.রোইনা পোন্বী সেন্পাং পাইকুম্ কাপসিল্লবগা লাইরেল্ য়িবনা হোইসেল্লম্ সনথোং মাইনা হোযযাল্লম্ ফেন্দ্রা লোকোন্চিন, কোনচিন, নোংহুম্লম্, নোংচুপ্ র.বা কোংয়াঙ্গী মপাবী থাবা নহা লাইরবনা য়িল্লুম সোক্তোংনুংগী

ঙমদবা লাক্ষীশিং, 'খুদোং' / রাইফল পাঙ্গবা সিফাই মপে মশীং পাবা ঙমদবা মশি পুতুসা থোপথী কৌবা রানা শাবা যন্ত্র খো হুনা নাগ্গা কৌবা পুং য়ৈরম্বা পেরে অমসুং সহনাই খোংহুনা শামু মশীঙ. থিঙমদবা মখে তোংহুনা খৌদোক্লগা অচৌবা পুংজাও লেপ্তুনা থীন্দুনা বরাক তুরেলগী ঈশিং মপান্দা নক্না চতুনা নোংপুব কৌবা লমজাওহু পুমনিন, নিঙ্গা ঙাইহুনা লৈরম্বদগী মৈতৈ তেঙ্গোল ৯ মকসু লানগী মখোই কাবগা লোঈননা অপাকপা মপাক্না কোনশিন্দুনা শারগা মৈগী অপাইবা মশক ওইনা থোকহনবা, থাবা কৌবা থরাম্মীচাক ফাওবনা লানজেন্নরবা, মৈকাপ্পীবু নোংদোন্দা শঙ্গাইশেন মেটিওবস) না য়াঙ.না পাইবগুম পাইবগী মতৌ তমহন্দুনা তপথ-ইংথহুনা লৈরম্লবা মীরৈপাক্কী লমদম অহুবু উতোংদা মৈ হেন্না থুনা অমসুং য়াম্না হাপচিনহন্দুনা ময়া কারিবা মৈগী মপৈগী মওং ওইহন্দুনা সেম্বাং কৌবা উচেক্না য়াঙ.না পাইবগুম থুনা য়াঙ.না কাপশিল্লগা নারবা অথোইবা লাই লাইরেন্না অন্না-অন্না

হোইহৌবম, কেকে থংচীঙ লিরাচৈ সনথোংথোই তাববু কেকে থেৎলৌপুং ঙাংঙোই হাওতম্খোং মোইরাং তুরেল্লু লোইয়ম্ চাবু হোংবা মসাইকোল্ কোরৌ অখোং নিংথৌচন্নু রাংপাল্ অবাইলৈমা মথিম্নাক্ হাওন্নু লায়াঙন্নু পুঙ্সঙ্বী পুঙ্তম্রাই খায়িবা নুপাংবা রাইকোইবম্, কা রেল্ চীঙ্‌-লোইবা সম্থোক্লম, লিকমপোগা লন্কুরম্, তুবি রূন্না তোপ্পা লাইরেল্ রূননা তিংবা পুংবু তোইরাংবর্চীঙ্ কাংসোইবা সাকৎপল্ নুংনাং তেল্হৈবা খুন্তারায় খুতেক্পী লাইকারন খুমু মাইরেন্বা পুংলেন মখুৎফা থোংনা তখেল্পন্দা পোইরৈ তেংকোল্ লিংলে॥ লাইফম্ নোংসা লান তান্বা নঙ্গা অহল্লুপ্ মৈরি লানতান নঙ গা তয়িম ফুংগানাই অচান্বা তাংলৈ লানতান্নবা নঙ্গা পানা ওম্মা নঙখোইদি লিতান, সকাং লম্কাং খুল্কং ও মকপু মরাল্ থুম্বা মৈমাংচন্না পনথেংলুরো॥ লাইরেল্ ঐদি খাবম্ কোরৌ নো সিঙ্চঙ্বু লানতান্নবা নাহাকুপ চীঙ্লাই লানতান্নবা

খোঞ্জেনগা লোঙ্গনবা লমদম, শম্থোংগী মাইবা হোই লাওহুমা লৌয়ানফম্, ফেন্দা হাঙ্গনা কৌবা কাচিন্ ওইবা লৌবুক্, নোং পুম্বা নুংশিংনা হুমহুনা শিংপা লৌবুক্কী কাচিন ওইবা লম্, নোংচুপ্লোমদা লৈবা উরা কোঙ্‌য়াম্বী কৌবীগী মচানুপা থাবা কৌবা লাইবরবা অঙা না য়েন্পাক্কা কুপশিন্দুনা লৈরিবা মন্নুংদগী পাওখুন্নকপা মফম, কেকে কৌবা মোইরাং লৈপাক্কী লায়াত্তা হৌবা থংচীঙ্ চাঙ্গী রাগী চৈ মানবা লানা শাবা লীচৈগী পোথোক সম্থোঙ্, মাঙ্গৈকেদা য়াম্ন পাম্না থম্নবা তাবুবু, কেগেগী মীশিংনা থেৎলৌপুঙ্ কৌবা, ঙাংঙোই নায়াৎকী মীশিংনা হাওতমখোং হাঙ্গনা খঙ্নবা মোইরাং তুরেলগী চৌসকফম মন্না, লোইয়া-তময়াদা ময়ুম ওইবা, চান থক্লবা হোঙ্না, মরাং কাইনা লৈবা, লোইয়ম চাবু অহোঙ বা কৌবগী ময়ুম-য়িংখোল লৈবা মফম খোংলাওরিবা নোংমদোলগী নিংথৌ সরা-রেলগী মচানুপী, লীক্লাগী মবেম্মা অরাইলৈমাগী ময়ুমগী মনাক, হাওন্নু লায়াঙন্নু কৌবীগী মশাগী লৈকম ওইনবা লৈপুঙ, থোঙ্গত্তুনা শেম্বা পুঙ্বু সঙ্ন্নুনা লৈবীনা পুঙ, থোল্লম্বা মফম, থায়িং সাল্লাই/ফুরুপকী হক্তিম্নবা

নঙ্গা ২ মাপু ভাইবোইননা লাইরেল্ ঐদি হাওযৈ নোংচুপ্‌লা পাংবরমগী লৈরিক্ সৈপুম্ মনিন্ নাইবা হেন্বা খুল্কং ২ মাপু হেম্পা মরৈ কাইনা পম্লেংকে হায়না হুয়েন, লাম্হো' সিন্নববগা লাইবেল্ মৈতেংঙ্তি চুঙলোঙ ঙক্তা হুক্ তিলমেল খাংতপ্ পাই মুতু চনা লাংমৈরেন্বী মনকৌ থাঙ্বু থাঙ্লেন্ নামৈ যেপ্পা খৌসাথবদি লৈরিক্ সৈপুম য়াকা চাইবে॥ সকাং লমকাং মরাল্ থুম্বা গৈমাংচন নুংকোৎ পাম্তানবে॥ লোইবী সকাং লুপ্লাক্পা অমল্ সিমিংনবা চৌসিকুপ অথোবা, য়াওবৌ সামিংনবা সচিকুপ্ লানমিংনাইগা মাবেম সথংমা হেন্বা লেংকুম্ব লোইবা লেংঙাকুপ হুয়েল্ লানপুম। মাপু কাইনা হুনলে। অতনোংগীবু লৈবিক সৈপুম্ ঙম্বা সকাং লিতান চাইবা নুংকোৎ লমকাং নেৎচৎ যান্বা-ও তৌনা কৌএ॥

পাম্বনা হক্তিনখিবা লমদম, চাঙ লোইবা হাঙনা মিংথোনবা অরোইবা শন্না পোকখি-থোবকখিবা মফম, লীকম্পোং কৌবা অকনবা লানা চানবীবগুম হৌরিবা লম, ঈশিংখোংগী মপা ওইবা লাইবেলগী মউন্না য়োমশিন্দুনা তিংবা পুংবু য়ৈখিবা অরাংবা চাঙ্, শা কৎখিবা কাংসোইবী হাঙনা কৌবা মফম্, নুংনাং কৌবা মনুংদা পানবা মী ফুকপকী তেন শীজিন্নবদা হৈ-শিংলবা মুপা নুংনাং তেলহৈবা কৌবনা খুন্দাখিবা লমদম, খুৎতেকপী কৌবা লাইশিংনা কখিবগী মবম / লম্বী ওইবা লম্বেল্না লৈবা মফম. মাইরেম্বম যুম্নাক্পী খুমু কৌবনা থোল্লম্বা লৈপুঙ্, নোংচুপলোমগী থোঙ্দা নাংনা চগুংননা লৈবা তখেলশিংন্ চঙ্ঙক্তনবা শাবা পন্দা, মৈতৈগী তেঙ্গাল শারে। "লাইফম পানাগী নোংশাগুম্না লানফা ফানবা তান্নগনবা নঙ্গা, অহল্লুপ পানাগী মৈবিগুম য়েক্লবা মাংহল্লগে চাকথেল্লগে হাঙনা লান্দাগনবা নঙগা, ফুঙ্গানাই লাঈশঙ্গী শঙ্লাকপা অথোইবা অচানবা ইনাই ওইবা, তাংলৈ কৌবা অপাইবা লিনগুম য়েক্লবা লাম্মী তান্নগনবা নঙ্গা, পানা ৩ মক্কী লাম্নাশিং নখোঈদি নিতান, সগাং অমম্বুং লমগাং কৌবা খুঙ্গং ৩ মকপু য়ুমকৈ পুম্নমক মৈ থাবগী তাম্বী তাম্বা ফাওবগী মঙংদা লান্দারুন্নো। নিংথৌ ঐদি খাবম পানা সঙ্লেন্

লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেন্ চুঙ্সেন্ মরাল্ওনদি অসিস্থুং মতোম্দে ॥ হাওরে নোংপোক্লা পাংবরম্ নিংলেন তাপঙ্য়ি লেংখু লম-মপাক্ নিংলেন্ লম্মচুম রাইরং খরাইকোল্ তেংলৈ পন্তাইগন্, লারাক্ খাংতৈথোম্ মৈখু নোংলোন্ কা মৈরি পোল্না থেম্ চীঙ্লেন্ কোইরেল্ খাংনা পোনতিং য়েনা নোইন্নু থুম্চাস্থু তান্নফম্ খুমল নাওস্থু হকচাঙবা লাল্লোইরম্ মরোই অতে ঙারাস্থু রাইরং সেংকম্হনবগা মবোই হাওবা নুঙ্তেক্চা চেংলৈ য়িনাহল্বগা ২ মনা খোইমা নারোন্মুংদা মীকপ্লম্ রাইরং অরেম্বথেল্দা লাই রল্ মৈতেঙ্না পন্থেংথবদি হুয়েন্ লান্নিকিদি হেম্বা খুল্লেল্ লৈগী মৈতৈবস্থু লমচিংবগা খুল্লেল্ কপুইঙম্ হেম্বা কবোক ঙম্ হুয়েন্ লানপুম্ ৩ মনা চিংনা হেম্বা লানপুম্ ৯ মপু কাইন্হল্লে,

---

লাকপা অতিয়াদগী বজ্র তারকপওম খাক—লাওনা লান্দাবগা, নাহারুপ পানা সঙলেন লাকপা চীঙ্লাই কৌবা শা অহুনা য়েক্রুবা তানবগুম লান্দাবগা অনিমক অসি লোঈনবগা নোংচুপ মাঈকৈরোমদা লৈবা লৈরিক অমস্থুং সৈপুম কৌবা চীঙ্মগী থুঙ্গং অনিমকপু মথোঙ্গী থুঙ্গং থুগাঈবা ঙম্বা ফাওবা লাস্থেংনরুগে", হাঈনা লানগী লাম্থোঙ্ শিন্নরগা অথোইবা লাইগী মতাক-ময়াই লৈরবা মৈতৈগী মবুংঙোদি ঙক্তা চুঙগী মরী হুকচিন্দনা য়াল্লগা খৎনা তাগী ময়াঈদা পাঈহুনা, লাং- মৈরেম্বী কৌবী মুতু শাগৈগী নিংঙোন্না মচা নিংঙোল থাজবগী থাজমন মনকৎ মংকৎ ওইনা পীহনখিবা থাঙ্, য়েপ্পনবা অতেনবা থাঙ্বু তুংলোমদা য়েপ্পগা লানগী লানখৌ শাহুনা লাস্থেংনবদি লৈরিক অমস্থু সৈপুম অনি- মক্কী লৈঙাকপগী তিন্নফম শঙ্লেনবু থুগাঈরে। অহুদস্থু নত্তনা সগাং অমস্থুং লমগাংগী য়ুম পুন্নমক তুন্না মৈ থাবে। নুংকোৎকী মী পুন্নমক চীঙগী পাম ফাওবা তান্নহুনা হাৎলে। সগাং চীঙমী খুনগী লুপ্লাক্পা অশিবগী রাহৈ য়াওনা মমিং থোনবা চৌশিকুপ কৌবা অথোবগা শাগী মমিং লৌহুনা মমি থোনবা শাজিকুপ লান্দা মমিং চৎলবগা মায়েম কুরুপকী সথংমা কৌবগা, চীঙ্মী লেংকস্থু অমস্থুং লেংঙাকুপ কৌবগা

হায়দবরা॥ লাইবেল সনা মচুঙসেল চুঙসেল মরাল্‌হৌদি অসিন্সু মতোম্‌দে॥ হাওরৈ নোংচুপলা পাংববম্‌ লাইরেল মৈতেংঙু নোংপোক্‌ রাইবং পামহৈবনা থাংয়ি পুথাঙ অঙললৌবু পাখং নাওরা খুরাইথোং মুরা সামল্‌ তোংথিন্‌যেবপু লৈনা ফংলক্লবগী চানৌ হুইচিতুবু কংলা চা চা নোংদা ময়ু লাইরেল্‌ নাওফংবা নম্‌ ক্‌ সারোল্‌পুং তিংয়ি রাফোং-লাক্‌ লাবা নোংলৈফম্‌ চাবেন্‌ লাংয়েন্‌থক্তা নোংলাং মখোঙ্গী নেংনা ময়াই কোইরেন্‌ তোংনা ফম্‌ফমলিডৈদা তুবি কোকিল্‌ খোন্‌দান্ননা পাও-মেল্লক্‌এ॥ তুবি ফম্‌থৌ যিঙাইবোই লাইবেল্‌ নিংথৌ য়িহিক্‌সাং য়িমা তোলনা পোকপা লাইরেল্‌ তোংনা য়েনবা তুবি হৈবাং য়ির্‌সা লাইরেল্‌ তাওচাঁও য়িহৈকোল্‌ খাইচেং লেংনা তিনবা লেম্‌চেং লেম্‌না ফংবসিং-ও॥ লহান্‌নোং য়িচি থম্বল্‌ রাকা থোংনং মবৈপাক্তা সাল্‌থুপকে য়িলতালখি-ডৈদা লাংকোই ঐগী য়িথুনেং মোরা মুক্‌সুঙম্ববু মুলহৌরা য়িয়ু মৈতেংঙু

লানফা মঙামকপু হাংখি। অতুগী মবমগীদমক লৈরিক সৈপুম ঙম্বা সগাং লিতান মাঙ্গথীবা পীপা, ক্ন কেং লমগা নেতুনা চংলগা য়াম্থুবা হাঙ্গনা কৌখি। অখোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা নিংথৌ অসিগী চুঙ্‌ পাঙ্গহুনা, চুঙ-তা লোঙ্গনবদি মনিনসু লোঙ্গদ্রি। নোংপোক মাঙ্গ-কৈরোম পাংবদা নিংঙেন তাংয়ী, লেংখু লম্পাক কৌবা নিংঙেনগী চুমদ্রিং চম্বা লম, নোংপোক্লোমগী রাচেংকী খবাইগুম্না কোনখংলিবা, লৈপাক লৈতুম্না পনগী মতাঙ্গদা ইনা ওনখিবা, লাগী মরাক শেত্তবহুনা মথ্বাংদা পুথুং থুংনা য়েংলিবা, মৈখুনা অতিযাগী নোংগী মরোল্‌ মবোল্‌দা কারিবা, মৈরিনা পোন অমদা হাপ্পবা মপোংশিং শুংহুনা তোকহল্লিবা, চীঙশিগী মকোক ক্তা হৌবা শঙশিং য়ান্দুনা মৈগী পোনশিংগী মনুংদা শুজিন্দুনা হাপ্লগা পীগী মশক ওইবা লোই, তম্পাক লোইগী পোংনা লোইনু থুমসু লৌফম ওইরিবা লমদম, খুমনগী নাওসুচা কৌববু লানফা ওইনা ফারগা হাংখিবা মফম, নাওসুচাগী মরূপ-মপাং অতে ঙারাসু কৌবা নোংপোক মাঙ্গকৈদা খ্বাইদগী ইহান হান্না উ-রাগী মখোঙ-

লাইরেল্ সেনবী থাকেম্বগী লাইরেল্ সনা মহাক্থক্তা পোইরৈ তম্মদা তানা পম্থেংলঙৈদা কংলৈ পুংময়োনগী লেমগোং লম্-মখা রাংকোল্ পুকৈথক্ য়িয়ু চেকসঙ্ নুংচান্বা যিবেং পুবম্ সিল্না সঙ্ থম্লাং পাম্নি লেংনা ফম্ অরাং কোরৌ য়িমরুগী থৌতু নানবা নুংনাংনা তাববু লাইজা য়িরোইন্না তাঙথব পবু রাইবা তেলকৈখাগী য়িয়ু মৈতেংঙ্ রেখে তেলহৈবনা সামু খুংনা লোবনা থৌতু নুংথমফম্গী ময়াং খাল্লে লৈতৌফম পোইবৈ খুনঙম কোন্বু মিংযেং সান খৈরুবগী থাঙ্সা মতম্ পাল্কুম্লে ময়াং মপুংতাক্ থোংনাং মরৈ কাইনা পন্থেংসে হায়না য়াহৌখোল্গী পোইরৈ খুল্চা হৌ মৈতেংঙ্ কোবৌ নোংসারাইকুম্বদি লাংকোই খোং ংইননা অরাম্পাই চেপ্থেৎননা চুঙ কোই সরা চাংম্ পাংয়েববু সরা তুরৈ রোইরোই সেন, চাথাই থোংনাং নাঙনৌবানা তাঙখংবা তাবু সারেল্ য়েংলম্ পায়, থাঙ্লেন মাখুৎসু লোক্লুং লাকাববু খুত্তা পাইনা পোইরৈ

য়ুংতুনা সেঙ্গম (পোৎ ংম্নবা, য়ান্নবা) শাখিবগা, মাগী মপাং হাওবা মুঙ তেকচা কৌবা চে লৈ যেক্তী ংশি দা খাইদগী ইহান হান্না ঈরুজবগা ২ মক্লা নাপী-শীঙ্বাগী মরক্তা হাপুঙ্ মনুংদা কপখিবা লমদম, নোংপোক-লোমগী রাইরং অরেম্বাথেল হাঙ্গনা মিংগোন্নবা মফমদা অথোইবা লাইগী মতীক লৈরবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লানগী লানবন্ শোক্লা লান্দা-রকখিবদি লানফমতুগী লানফা ওইনা চীঙ্মীশিংগী অথোইবা খুলশিংনা শারিবা লৈপাক পান্বা অমগী মৈতৈগী লম্বু ওইরিবা লানফমতুগী লুচিংবগা, চাঙগী অথোইবা খুনগী কবুইঙম কৌবগা, চাঙ্মী কবোকৃঙম্ কৌবগা লানফা অহুম্মক্রচিংবা চীঙমী লানফা ৯ মকপু্ হাংখি, হাঙ্গবসি হাংরিবসিনি। অথোইবা লাইগী মহী-ময়াই চেল্লবা নিংথৌ অসিনা চুঙ্ শেন্নবগী, চুঙ্ পাঙ্গতুনা লান্দাখিবগী রাবোলসিদি অসিনস্থ লোঙ্গবা নক্রি। মীনা থুংনা তাখিবা লমদম, নোংচুপ মাঙ্গকৈরোম পাংবদা অথোইবা লাইগী মতীক চেনবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংপোক্লমগী মঙালনা শোক্তুনা লংখৎপা মফম্দা চীঙ্দা পাম হাইবগুম নোংপোক্চাশিংবু

থায়াং কোন্তাই লোন্পা পুমনামপু ঙাইরাইননা ॥ খংলৈ লম্থাতম্ হরি মিংলেন্ সোন্না ফুচিন্নরবতা ময়াং য়াকা চাইবে থোংনাং রাইজন্নবা ময়াং ফময়ান্নরে ॥ হুয়েন্ লান্নিকিদি নোক্থি লক্ষ্মনসিং অথৌবগা রামসিং তাংকা মল্তিন্নবগা ২ মাপু লাইরেল্ থাংলেন, মখুৎস্নু লোক্নুং লাকাবনা রোইত্রৈ সম্কা খোম্ য়েংত্রে থাংবা হাইনা লুরবা কাংতে থি খৌনাও লোন্থোং লেন্, রুপল্ সামা কক্ তৌথোপ্ খর্নথাংননা লাইরেল্ মমাই হাওরে নোংপোক্ পাংবরম্কী মরাল্ ওন্তুবাকুপদা নম্ পোংপুন ৪ পু সামু পান্নোইনা সনা চোঙ্লেন খান্ তুবি চুপ্পু থোই লাইরেন্ লাইবু ল্যাংনা চিনপাল্ কাংমৈ খুকা য়াচু সাই মযু চেচা নুংকোইবীদা হুয়েল্ লাল্হোইচিল্লে ॥ অতুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙু থোংনাং ময়াং ঙন্বা

য়াম্বথিবা পামহৈবা মারজিৎনা পারা পুরী মথং মথং থঙ্থতুনা ফৌ চারক্লবা অঙল্লৌগী লৌফম্ব মতম ওইবকুনা অঙাংগী রাখল খ্বাইগী হেন্না থন্নবা মতম, লৈশাবী ওইরকপগী নাঙ্নবগী রাখলনা চাওখৎলক্পা মতমগী চৈথেং ফালতুনা থুনমক খাওবতুনা ফৌ লোক্লবগী হুইগী হুইয়া মানবা চেঙ্ মচঙ্গী চনৌহুবু লৈপাক নিংথৌগী ওইনা চানবা মতম, পোইনু থা য়োরবা মতমদা মবুধৌ অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা নাও-ফংবা কৌবনা শা অমগী মথক্তা অমা লোনখৎলগা শানা মথক্তা থংহুনা থোনগৎলম্বা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল তোংনফম, কলা মেন ফম্বাক্. তিংম্নি কৌবা পাত্তা তাবা, লমডান্নুনা পুক্লীঙ্ রারোল ফোংদোক্লবা খোংবা মফম, নুপা ওইবশিংগী নুমিৎ চুপ্পা লৈনবা/লেন্নবগী মফম, লাইরেল থাও-রোইনাইগী অথোইবা মচী অনিগী তাইনফমগী মথক্তা, লৈবা নোংমদোন্গী মথোঈনি থন্নবা মফমতুদা নেত্তুনা লৈরিঙৈ, মালেমগী ময়াঈনি লৌনবা মাঈকৈ অকোইবা পুন্নমকী তুংনফম ওইরিবা মফমতুদা যমলিঙৈ, হাঈবদি কংলা ফম্বাল তোংল্লিডৈদা ঈশিংবু পীনবিরিনা লাইগী ময়াই চেল্লবা নিংথৌহুনা কোকিল কৌবা উচেক্কী মখোল্গা মান্ননা হাঈরবথি। নিংথৌ ঐগী থবক্কীদমক্তা হাপ্পা ফম পাঈবিবা ঐগা লোইনবিবা ঈছাহ

থোংনাং য়োইকোল্নুং ময়াং লইকোইরেল্ তুপ্যা তুলি লৈমায়োন্দা খাল্লে কোম্চাও তৌবা কংলৈ পুংময়োন্গী ময়াং খাল্লে ফুন্বা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ থোংনাং ময়াংঙম্বদি চোইনৌ সনা মিংহুন্কীবু চুনবনে॥ * * ॥

নয়োন্ মৈতৈরৈমা নোংসুরোন্ খুমপোংসু মপাম্ লম্লেন্ মদাইমা কৌবা য়াইথারম্ তামাং লম্মহল্ ফুম্লৌ লম্নুংসি কৌবদি কদৌনোংগীনো ? লহাল্নোং হয়িঙৈদা হোংনেম লুরাং নিংথৌ পুন্সিবনা খাবা লৌহাম্তেং লমতেং অহামসোইগী মরাল্ খুল্হোংঙৈদা সনা য়াইকা হুল্, লুপা য়াইকা চল্না পাদম্লমএ॥ অত্নোংগীবু কৌবা য়াইহুল্লম্-ও তৌনা কৌএ॥ তামাং লম্মহল্ ফুম্লৌ লম্নুংসি-ও কৌবহি কদৌনোংগীনো॥ য়োইরুম

ওইবগুম্বশিং, অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেনবা নিংথৌগী মশা, মহকচাং ওইরিবশিং, ইমা অতোম্বীনা পোকপা ইনাওন্নুপা, নিংথৌগী মনাও অতোনবশিং, অথোইবা লাইগী মতীক চেনবগুম্বশিং, নিংথৌ ঐগীদি ঐনা হৈ ওইরগা উশা ওইনা ঙাকপীরিবশিং, নিংথৌ ঐগী হৈগী মশক্কী হৈকোন ওইবীরিবশিং, মশা মতোন্তা লেপচবা ঙম্বদগী খাঙ্গদোক্লবা য়ারবশিংনা [illegible] তিল্লিবা, লেমথোক্পা-চাওথোকপা হৈরবশিং, চৌঙ্-লেম্না [illegible] মমাঙ্গী চহি খরগী মতমদা ইয়াম্বুংনা নিংথৌ ওইববু কল্লক-খম্বনবদগী মৈতৈ লৈপাক্তা লৈবা য়াদহুনা নোংচুপকী থোঙ্দা চনাংগুমা কুংনা তারিবা ময়াংশিংগী মরৈবাক্তা তাংজফম লৌগে হাঙ্গহুনা চেনবগী মতমদা ঐনা তোংনবা শগোল মোরা (মশা পুম্বা পুমডৌ ঙৌবা) মুকসু ঙম্বা কৌববু মুলহৌবগী রাফম, ইবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো, অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা, মীরৈপাকপু মাঙ্গথীবা পীথিবা খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা মৈতৈ লৈপাক্কী তম্পাক্কী লমদমদা তারক্লুনা লান্দারবা মতমদা লৈপাকসিগী কোন্নুং ওইরিবসিগী ময়োল ওইরিবা লেমথোং কংলৈগী লমগী রাংমদা, খাদা হৈবা লৈম-নিংথৌকোল্গী পুক্কে ওইরিবা মফম রাঙ্গোল্ল

তাইন্নু লৌথিবী খাম্বী মৈচেনৃবীগী কাইরং নোংচংফুবু য়াংলে তাওবা মহুইচানা তাওবা খুল,চেন্ননা ফুরেল্ চেপ্না হৈরবগী য়োইক্লম্ তাইন্নু লৌথিবীনা রারোইববু য়াংলে মনম্ সিন্না পাল্লুরবগী তাওবা লাইখংননা খোইমা নারোন্নুংদা সান্থুপ্লুবদি চক্মোম্ খাম্বী মৈগা রাইরবগী মপল্ নুংবান্ ময়ুমনাক্পু মৈবী তাংকোই পাই মৈখু নোংলোন্ কানা পম্বেংলবগী নুংবান্ মপাচা লুরাং ময়েল্লুনা হে য়িমোম্ খাম্বী মৈচেনৃবীঅো, খাম্বী মৈনিংচিং চক্মোম্ ওন্তে হল্রাইমৈনা হেন্বা ময়িমনাক্ লোইবী মসাইকো-ল্বু মরাল্ থুম্বী মৈমাংচলনা পন্থেংলবগী ময়িম্ লোইবী কোইরেং মনিন্ নাইবদি চক্মোম্ খাম্বী মৈবম্ থিনা য়োইক্লম্ তাইন্নু লৌথিবীদা রাসা লন্সা রাকীবু পম্বেংলবগী হে লোইবী যিপাচা হেন্বা য়িবুংঙাইশিং-ও

/রাঙ্গোইদা ইবধৌনা লুনা-চান্না তৌজরবা চেক্লা শাবা চেক্শঙ্, ইবুধৌ-শিংগী চংনরক্লা থৌবমগী মথং চত্থনবা থবক-থনা শিন্নবা শঙ্, লৈখিদ্রবা ইপাগী মরী শরেং লেংহুনা চত্থনবা থৌরম শিল্লি-লাংলিবা মফম, অরাং মাঙ্গৈকেদা লৈবা নোংমদোম অতিয়াগা চাংদম্নবা কৌব্রু চীঙ্গী লমদমগী তুবেল মরুগী মহুপ কুপ্লবা অনানবা নুঙ্ ময়াম লৈবদগী ঈচেলগা লোঙ্গননা তাম্ভথবকপা নুঙ্বু, কাপখিবগা খুদক্কা হেক্তা পানবা তেঙ্গৈশিংগী থম্ফম কৈ লৈবা তেনগৈখাগী মফমদগী ইবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো লীরি অমসুং লীরুং শীজিন্নবদা হৈ-শিংলবা (গরিবনিরজ) না মখুৎমরুা লোক্তুনা নুঙ্ খিল্লম্বা মফম অত্থুগী মনাক্তা ময়াং, কছারী / ডিমাচা / ডিমাসাশিংনা খন্দোরুবা লৈপাক তৌরম্বা (কোম্, খোংবান / খোংলম) মফম, মৈতৈ লৈবাকপু ঙম্লে হাঙ্গৈবা তাক্লবা খুদম থম্লম্বা মফমবু ইমিৎমরুা উকবদগী শাওনীংবনা থাঙ্না মশা পানবগুম থাঙ্ হাইরিবা মীশক অত্থুগা মান্ননা খোঙ্গশোওহল্লে। ময়াংগী মরমত্থু মাং-তাকহন্দুনা মখোঙ্গগী মরৈপাক কাঙ্গবা ফাওবা লাম্থেংননবা লান্দারুসি হাঙ্গনা হৌদোক্লকপদগী মৈতৈ লৈপাক্কী খুন পুম্নমক্কী মী পুম্নমক হৌহুনা লোঙ্গনা লানগী থৌরাং শেম-শাররদা নোংদোম্লদগী তারকপা শাগী নিংথৌ, পাম্দমখিবদা শোঙ্গদবা

ৱাসা লন্সাননবা তেৎনৌ য়োৎৱাল্লু নোইন্নু থুম্ তাইরু কাওরেল্ সন্তিক্লুথিগে হায়না মরাল্ থৌচল্লুঙৈদা ॥ হাওবা য়াংকোই তোম্পোক্পা য়াংকোই সোইসেন্বা ও মক্তা ৱাইথুংলুৱে ॥ হে য়িমোম্ তাইন্নু লৌথিবী-ও ৱারম্ করি লৈবগী য়িৱাল্ করিগী য়াংকোই য়িমকারক্পানো হায়না পাওহংঙম্বু হে য়িন্থ নিংথৌ হাওবা য়াংকোই তোম্বা সোইসেন্বা ও মা-ও নমোম্ ঐদি থাম্বী মৈরাইরক্কী ৱাসা লন্সানবা লেম্লৈ ঙাংক্কে, নোইন্নু থুম্ তাইগে, তেৎনৌ য়োৎৱান্গে, কাওবেল্ সনতিক্কে লাক্এ হায়না পাওখুম্লবদা হে মোমন্নু য়োইবুনাই পেম্মা ও ॥ হাওবা য়াংকোই তোম্বা

নোংশাগুম্বা মৈতৈগী মবুংঙাদি শগোলনা মখাঙ্ ওইহনা (তোংহনা) শগোল শাবন্দ আবাখাই চেপ্পা খেত্তুনা চুঙ্গাঈ হকচাং কন্নবা খুৎলাঈ, সাচুম নাকল অনিদ চাপ্পবু খুৎ ওঈনা পাহনা হকচাং ঙাক্লবা শেম্মরগা, চানা ময়া দা লৈংহনা নৌনা পোল্লকপগুম নংঙীজহল্লবা তাবু খুৎ য়েৎনা পাঙ্গহনা মখুৎ চারবা অং ইবা থাঙ লোক্লুং লাকাবা কৌববু পুরগা মৈতৈ লৈপাক্কী য়াঙনা হাই হুমগনবা মথাবু শোক্কনবা কোন / ধাতু মচেৎ তাইশিন্নহনা ঙাকংলক্লবা হাপ্পা পুন্নমক্কা লোইননা, খংনা লৈবগী মতৌগুম থুনা য়াঙনা নাম তুম্না হবিগী মিংথৈ শোনবগা লোঈননা মাঈকৈ অনিমক্কী লান্মীশিং চেনশিন্নহনা লান্থেংনববদা ময়াংগী লৈঙাকথৌগাইগী মুমিৎ খুদং কাহনা ত্রিন্নফম শঙ্ অহু থুগাঈরে, ময়াংগী মীশিংবু ৱাই হুনবগুম হুন্দুনা, মাগী মাগী মফম মফমদা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎলে। লান্ফম অসিদা নোকথি কাংসিং অথৌবগা, শেল ময়েক্কী মমলনা পোৎ লৈনবা তিক্লবা বামসিংগা অনিমকপু লাইগী ময়াই চেল্লবা নিংথৌ অসিগী মখুৎ চারবা অংইবা থাঙ্ লোক্লুং লাকাবনা খুৎ ওঈনা মশম খোমজিন্দুনা পাঈরগা, খুৎ য়েংনা থাঙ্ হাইগত্তুনা ঙক্শমগী শরূ মরক্তা থাঙগী নাতৈ চঙ্ফম শিহনা য়াল্লগা খনাওগী লোন / ৱা ঙাংবগী থোঙ্ ওইবিবা মফমহু লেংত্তুনা উপল্ কৌবা উগী মশা অম্মা কক্লগা তৌগী থোপ / উপু / পোন / পোনচেপ্পা হানুবা অককপা কোক্তু উশাদা

সোইসেন্‌বা ৬ মা ঐখোয়দি পাহাং নোংচেং ৱোই খারা থম্‌নুং ওইবা মসেন্‌নে কৌবা য়াইরেক্‌-ও চীঙনুং নোংফাইৱো হায়না থৌখাল্লবগী য়িন্নুং সোইয়াইমাদা সাইবা যিয়াম্না তিংখং খোঙচংনা সিঙলেন্ সেংথনা লৈরাং খাইথনবে॥ কৌবা নোংকা সোইরবদা খুবোই সোইসন্‌বা ৬ মানা কাওবেল্ সংপু মা তেংনৌ যোৎপুম্‌না লেম্‌দৈ ঙাপোৎমা সেম্ তিমেনা পুন্ মক যোইনা খুগোম পিনা মবাল ওন্থেবক্লবদা লোইবা কেইর মনিন নাইবশিদা ৱাসা লন্‌সাবে। অৱাং নোংমতোনকবু লাওথবক্লে॥ হে লোইবা হাও পাখংসিং-ও মৈৱারক্‌পু চল্‌হৈদে লাইজা য়িৱাকস্থ লৌহৈদে হাযনা লাউথবক্‌পাবু হোয়য়াদনা

পোন লেংহুনা মীযামদা উহন্নবা (থাংহুনা) পুবকৃখি। মহু পুহুনা নিংথৌশিনা মমাদ নোংপোক মাঙ্গৈকেবোমদা ওন্দুনা মযুমলোমদা হল্লকপদা মপুঙ ফাববা মা ৫ গা হকচাং থেংনা ঙাননা সনাগী মযেক থোকপা চোঙ থান্দুনা, অথোইবা লাইগী মতংক চেল্লবা নিংথৌহুনা চাঙ-লেম্না মাঙ্গৈথোঙ হাইগৎনা মৈথু হাদাকফু ফান্দুনা অমদি পনা ঙাংসং ঙাংনা হাহুনা মবুথৌ ইবুঙো হেনা থশীবশ্ব। চেঙজা নুঙগোইবী কৌবা লাইবেম্বীদা লান্দা কক্রকৃপা লাংশিংহু কত্তুনা লান্‌বাও তম্লগা অশিবা লানফা ওইবশিংহুগী মথৱাই মমি কৌহুনা লাইবেম্বাদা শিন্নবে। অহুগী মবমগীদমক অথোইবা লাইগী মতাক মযাই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, নোংচুপ থোঙগী লম্বীবোমদা লৈবা ময়াংশিংবু মাঙ্গৈথীবা পীবা ‘মযাং ঙম্বা’ ময়াং লৈপাক্কী মযাঙ্গৈদা কোঙ্গৈশিন্দুনা লৈবিবা অথোইবা অহেনবশিংনা য়োকখৎ-শৌগত্তুনা লৈববা কেন্নংগী লম, তুব্যা তুলা / দোলা (লাম্মী মপৈ অমা ১০০০ যৌদবা) না লৈবা মযাং লেপাক্কী ময়োন্দা অচৌবা কোম /থোং/খোংবান তৌবা, মৈতৈগী সহব ময়াঙ্গৈগী ময়াংশিংনা তৌবম্বা কোম ফুনবা হাঙ্গৈনা কৌই। অথোইবা লাইগী মতাক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংচুপলোমগী ময়াংঙম্বদি সনা ফুদোংলবা মিংলেন অসিগা চানবা নিংথৌনি ॥ * ॥

লাইজা য়িরানূঙৈ কাওবেন, সনস্থ লেম্লৈ ঙাপোৎ অমগা তিমেল্ তাপুল্ অমসুং পুম্না মাংলে ॥ অত্নুনোংগীবু কাওরেল, সন্না লাইজা য়িদা তুম্লে সল্তুম্-ও কৌএ ॥ তেৎনৌ য়োৎপুল্মাসুং পুম্না মাংলে হায়বগী পুম্মাং-ও কৌএ ॥ লেম্লৈ ঙাপোৎমসুং পুম্না মাংলে হায়বগীবু পুম্মাং-ও কৌববু পোইরৈ তাবা থিবনা ফুম্লৌ-ও কৌএ ॥ লম্লেন ফুম্লৌ

নবেঙ্খৌ মৈতৈগী মবেম্মা নোংসুরোন (খুম্বোংময়ুম চন্নু) খুম্বোংগী মশু ওইবীগী মপাম লুম মচেৎ অত্নবু কৌব্রুগী য়াই থারকপগী মরম লমশিংগী মরক্তা কুইববা তা মাংখিবা লমদম পুম্মাং মাংলে হাঈবগী মুংশিরবা লমদম ফুমলৌ হাঈনা কৌবদি করি মরমগীনো? থাঈনা মমাঙ্ঙৈ কুইখ্রবদা হোঙ্নেম কৌবা লুরাং য়েক সল্লাইগী কুইনা পুন্সিরবা নিংথৌ অত্নুনা খাবা য়েক সল্লাইগুম থৌওং গোদো খুদিংদা হামচৎ-হামপোইনবনা লৌফম ফাওবা মরু হান্না লোঈনা তেংনবা পাল্লবা লমদেংগী মরু নত্রগা মচাক-মপোৎ / মঙা-মথুম হাল্লবা শোইফম (ঙা কাফম) দগী য়ুমহোং-খুনহোংলকপা মতমদা কোনয়াই-সনাগী য়াই হুন, লুপাগী য়াই কত্তুনা মফমত্তুদা পাল্লম্মী। অত্নুগীদমক কৌব্রুগী লৈয়াৎ মনুং, মনুংদা লৈবা য়াইহুল্লম হাঈনা কৌখি। তামাং লুম্মহন ফুমলৌ লমনুংশি কৌবদি করি মরমগীনো? লুরাং নিংঙোল তাইন্নু কৌবী ফত্তবা লৌদা থিহুনা লৈবী, অচাকপা মৈ চেন্দুনা পুবী হাঈনা মিং-থোন্নবীগী লুনা চান্না থমজরবা লং/ফি মচু শংবদা শীজিন্নবা উ পাম্বী মহীগী ফু / চফুবু মশামক্কী হুইনা মখোঙ্না চেন্থ্রহুনা চফুহু চেপ্লহুনা মহী হৈদোক্লবগী লুরাং নিংঙোন তাইন্নু লৌথিবীনা রা হেক ওইবমখৈ শাওহুনা মৈহুম্না লংবদা হুই অত্নুগী মনঙ্গন্দা পানবদগী হুইহু খংহুনা নাপী-শীঙবী হোবা মরক্তা চঙহুনা মশা থুপ্তুনা উইহন্দনা লোৎলুববু নাপী-শীঙবীশিং অত্নু মৈ চাকখৎলক্কুনা, মপা নত্রগা মপাগী ময়াম্বশিং ওইবা লুরাংগী ময়ুম য়িঙ্গোল পুম্নমক, চাওরবা মৈজাও অমা হৌরহুনা নোংদোন্দা তাঙ্গোই পাইহুনা মৈখুগী মপৈ মপৈনা অভিয়া মথক্তা কাখৎপগা লোঈননা মৈ

লম্মাহনবু নাতৈননা লোন্লোই য়িকম সেন্বী কমেং খুল্ফম্লেন্বু পুম্না চন্না অসৈন্বা চন্নু নোংস্নুরোন্ খুম্পোংস্নু মুংখোং মুংযাং লৈগী কৈখোঙ্ কাইবৈমা অরাং কোরৌ নোংকাবীগী কাইবৈ ময়েল্চানা রোইখিচেক্ সিঙ্লেন্ তুংথাং লৈ র্ফৈ ফাল্তোংখোই খোইবা লাইযিচাক্ য়েক্ফবা পামেল রোহরাই থোংফবা র্নিং ভাং মন্নুংদা রারিবৈ সেন্বী নোই-নিংখোই মৈতেংঙ্ কিযাম্বদা যোইনা খুথোল্ নিংথোচন্নু মপাম্ হুয়েল্

কন্নবগী অরাবা মাঙ্গৈযোক্লববদা যেনবী অমত্তগী মকম ময়ামদগী ওনমিন্ন-বকপা শাগৈ-খুম্নাক তিন্নবা মকমশিংগুম্বা লুরাংগী মপা-মচা ওইবশিনা, হে ইমা, ইচে-ইচল মৈ চেন্নতুনা পুবকপী-ও, চাকখ্রবা মৈগী মৈখাক্লা নৌনা চাকখৎলকপা, অমুক হন্না চাক্লকপা মৈনা চৌঙ্দা পানবা ঐখোঙ্গীগী যুমগী মনাক, হিঙ্গোলগী মন্নুংদা লৈবা, পুমখুম থুমহৎলবা মৈগী মৈমাঙদা তাতুনা তুম্না চাকখ্রবদগী কন্নবা মাঙ্গৈয়োক্লবদা চৌঙ্মা কোইরেং কৌবা মমিং চৎলবা ফুকপ্তি মৈ চাক্লকপগী মৈনা লাকপা মবম-লম্বী অমস্নুং মৈগী হৌবক্কম থিবক্তুনা লুরাংচন্নু তাইন্নু লৌথিবাদা মৈ চাক্খিবগী লনশিং থুমশিংনবগী রাফম ওইনা তকশিল্লববগী, হে চৌঙ্মী ইপা ইচা ওইবা ইবুংগী মঙাই ওইবা চৌঙ্দা পানবশিং ও। নখোঙ্গীগী লন-থুম শিংননবা যোৎ রান্দুনা যোন্, থুম তিক্লুনা তাইথোক, শন লৈববগা য়োন তৌতুনা লল্লোন-ইতিক তৌকখিগে হাঙ্গীনা থবক-ইনখাং চৎখিরম্মী। য়াঙ্গোই হাওবা কৌবা লম্মাংদোংগী মতোমতা চেনবা য়াঙ্গোই তুরেন্দা ঙা ফাকম শেমতুনা ঙা ফাবিবা মাওই ৬ কা মনাক্তা থুংলখি। "হে ইচন/ ইচে তাইন্নু লৌথিবী-ও! করি রা লৈতুনা অমস্নুং করি মরম লৈবদগী য়াঙ্গোইগী মা ঐখোঙ্গীগী যুমসিদা লাক্লিবনো?" হাঙ্গীনা হংবদা' হে ইপ্পা /ইবুং য়াঙ্গোইদা পানবা তোম্বা শোইশেনবা কৌবা ৬ মক, নচন-নচে ওইবী ঐদি মীগী মবল মথুম মৈনা চাকহল্লুবগী লন-থুম শিংননবা ঙা, থুম, য়োৎ শন্নচিংবা লৈ-যোন্দুনা লল্লোনগে হাঙ্গীবগী ঙা তিক্কে, থুম তাইগে, য়োৎ রানগে, শন লৈগে হাঙ্গীতুনা লাক্লিবনি, হাঙ্গীনা খুম্নবদা, "হে নুজা

লান্নিকিদি সেন্বী মাইমোম নিংথৌ লাসম্লার অথৌববু মপাম্ লোন্লোই মস্থমাংদা র্ুই পৌতোংলোম্না অহোং লাল্লু তৈনা স্থংবচম্ মৈতৈবৈমা খুমপোংস্থ, লম্লেন হুইচাতাক্ লৌরুম্কোন্দা পান্বা লৈ তুবি খোইহৌরৈ সিংলেন্ তোন্পুংলৈগুম্বী পুন্নং সেল্বরা সেনদনা লম্লেন্ ঙাম্নুরালদা পান্বা লৈ রোক্লেন্ লাবা খুবৌরৈ লাইরেল্ লাবা লিয়েৎলৈ

ওইবী, ইতৈ ইনাও ওইবা য়ারিবী ইবেম্মা-ও, ঐখোই য়াঙ্গোইগী তোম্বা শোইশেনবা ৬ মক্তি যুম পানদনা ইপা হাংলবা খান্না কৌবা ঙাম্বুনা মতোমতা অতিয়াদা খোংবগুম ইতেম ইতোমতা লৈব ঙাক্তনি", হয়েং ফাওবদি লৈথোকখ্রো, অহিংসিমদি লেকখ্রো" হাঙ্গনা খাম্বদগী অহিং অথেংবদা শা-তিংখ্না ফিদা যানবগুম তিংখংনা খেড়গী তোংশাদা চঙ্বগুম হকচাং হকচাং নকশিন্নতুন, মগী লৈচা শেৎন-খাঙ্গনতুনা পীনব-গুম হকচাংগী লৈবাং লৈচা শেৎন খাঙ্গনতুনা পীনরে। মথং নুমিৎকী নোংঙাল্লবদা খুরোই সৈযাংকী শোইশেনবা ৬ মক্কা শন ১, য়োং মপুন ১, ঙা ঙাপোৎ ১ শেমতুনা তা ৬ কা থদোন ওইনা থুংশিনা পীরক্লুতুনা ময়ুমদা হল্লক্লুবদা চাঙ্দা পানবা মমিং চৎলবা কোইরেং যুকপ্তা লনশিং-থুমশিংলে। মঙমতুমত্তদা রাংলবা নোংদোনথকগী মালপাও লাউথবাক্লে, "হে চঙ্দা পানবা হাও-পাখংশিং, খঙ্হৌদন মৈনা চানখিবা, ঈশিংনা থুমখিবা লাইগী রারক অতুগী মমল লৌহৈদে", হাঙ্গনা লাওথরক্লুবা ফাওবদা য়াদতুনা লৌরবদা মখোইনা ঈশিং নাল্লকপদা শনস্থ, ঙাগী ঙাপোৎস্থ, তাগী তাপুনস্থ পুন্না মাংখ্রে। অতুগী মবমদগী শন্না ঈশিংদা লুপ্লে / তুম্লে হাঙ্গতুনা শনতুম্ হাঙ্গনা কৌখি। যোৎ মপুন অমস্থ পুম্মাং মাংলে হাঙ্গতুনা পুম্মাং হাঙ্গনা কৌখি, ঙাগী ঙাপোৎ অমস্থ পুম্মাং মাংলে হাঙ্গতুনা পুম্মাং হাঙ্গনা কৌববু লোনগী নাতৈ চাবা থিবশিংনা "ফুম্লৌ" হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লম ফুম্লৌবু খৈদোঙ্গা লৈবা লোনলোই লৈয়াংকী ঈরম ১স্থং মীরৈবাকচা কয়েংশিংনা খুন্দারিবা অথোইবা খুনফম্স লোঈনমক্ চিথদনা ঈশৈদা শৈথাতুনা শক্লিবশিংগী নিংঙোল নোংস্থবোল খুম্বোংস্থ, মংখো

লৈরাং চুম্বুললৈগুম্ হেনমোইবী ময়ু নোংস্থু অহন, অহন্বা সরাং নোংফু মহুমমুংগী চাঁউ,ঙু আইতে য়াইমাবা সনা য়িবু চিরৌফবী মপল্ মরানয়াইদা কোল্লোই ম্রিংথোন্বদি শ্রীভৈগ্যবতি-ও কৌএ॥ লাইসরা খাইরকুকোল পাখংবা ফম্তোংখোং অচৌববু কাববদা লাইরেন মসাৰী লোইনাই কৌবা চাঁউ্থঙখোম্বনা কোল্লোই মিংথোংবদি থোংনাং মাইপং লানথাবী ছয়েন্ অরুবা ফাবি-ও কৌএ॥ থোংনাং মাইপং লান্থাবী

মুংয়াং (হৌজিক্কী ম্যাম্মারগী ক'লে অমস্তুং খম্পাৎ ডিভিসন অনিদা লৈবা লমশিং) লৈপাক্কী কৈখোঙ, কাইরৈমা কৌবী চঙ্না শ্বর্গ কাখিবীনা লোঈজবা য়েন্না ওইখিবা উচেক, লুতু, শমজাদা থেংনবা লৈ ওইনবা, উগী উফৈদা খোইগুম্না তোংৰা, লাইচাককুম্না মরিক্ মরিক্ থোক্লা লাংবা, লেপ্রোসি থুংবগুম্না, মফুৎ মফুৎ অঙৌবা পক্পগুম লাংবা, উনা শাবা উতোং / কেপকী মনীঙ থংবা মথোনগী উ'তা'দা পাম্মুনা লীহুনা থম্নবা লৈ, মীরৈবাক্কী নোইনীংখোই কৌবা উচেক্কী মতুবু মৈতৈ মবুংঙো কিয়াম্বদা মুংশিনা খুদোল তমজখিবা নিংথৌগী মচানুপী, মপানগী শাফা লানফাগী মথৌনা মরিংজেন্দি আরা / কবোগী মাইমোম কৌবা মফমগী নিংথৌ লাসাম্লার কৌবা অথৌবহুগী অককপা মকোকপু লোনলোই লৈরাক্তা লৈবা মপামগী য়ুমগী শুমাঙ্দা, উই কৌবা রাগী মশাংনা লোন্শিন্দুনা ফৈরা শারগা য়ান্দুনা মথৌনা মরিংজেন উৎনবা শা-য়ু খাংহুনা চাক্-ঈশিং য়েন্দুনা অহোঙ্পুঙ্ থোনবগী থৌরম পাংথোক-খিবশিংগী নিংভোল ওইবী, মৈতৈগী মবেম্মা খুম্বোংস্থু, হুইচাতাক লৌরুম-কোল কৌবা অথোইবা লমদা শাৎপা লৈ, ঈশিংবু পীনরিবা লাইগী মতীক-ময়াই লোঈনরবা মৈতৈ নিংথৌনা খোঈদাজবা/পামজবা, অরাংবা মতোন পুংবা উগী উতোম্দা শাৎপা লৈগুম্বী লৈরাং, শক্কী মেনখৎনবা মনা য়াংনা, ভানুয়ান কৌবা অথন্নবা লমদমদা শাৎপা লৈ, অচৌবা ওক্ লাৰগী !মখোঙ্দা হেক্তা লৌশিনবা লৈ, লাইরেল লাবগা হেক্তা য়েৎ-শিন্নবা লৈ. লানশা শগোলগী মকোক্তা থেৎপা লৈতে", চুম্বুল কৌবগুম

হুয়েন্ অরুবা ফাবীনা লাইরেল্ মসাবীগী সনা খোম্‌হাল্‌বদি সেক্‌মাই য়িম্‌মৈসম্ কোইরেল্ সম্‌চা রোই অঙৌবা নিংথৌ তোম্বানা য়াওরৌ সায়েংকাই হৈরেম্ নিংঙোলখোংতা সনা খোম্‌হাল্‌থবদি হুয়েল্ লাম্নিকিদি আরা তমেং ফাবী-ও তৌনা কৌএ॥ মৈতৈরৈনা সনা খোম্‌হাল্‌থবদি

লৈতেং ওইনা ফজরবী লৈগুম্না শক্‌হেনবী, মবুখৌ খ্বাই পুন্নমকী পুকোক্ ওইরবা, অতিয়াগী মরী শুরিবা, হুমিৎনা থোক্লকপা মাঙৈকৈরোমদগী হৌরক্‌পা. চক্‌পাশিংগী শরাং কৌবা, সোরারেলগী অতিয়াগী ফু/চফুগুম্না কোঙৈরিবগী মন্নুংদা মহুম / ময়ুম ওইরিবা মফমতুগী লাইশিংগী মবুংঙো ওইবা আইতে য়াঙৈমবা কৌবগী ঈবু চীনা লৌহুনা পোক্লকপী অসিগী মপাগী ময়ুম, মপামদা থোনবা মিংলেন্দি, শ্রীভৈগাবত্তি হাঙৈনা কৌই। লাইসরাগী হাক্তকগী থাঙৈদোক্লকপা, পাখংবনা ফম্বাল তোংখিবা, মখাদা অচৌবা খোং লৈবা ফম্বালবু কারবদা হাঙৈবদি মৈতৈ নিংথৌগী নুপী / লৈমা ওইরবদা অথোইবা লাইগী মতীক চেন্নবা .মপুরোইবা, পুন্নমরু। মরী মতাগুম থন্নবা কৌক্রুগী লমথৈ মন্নুংদা লৈবা চীঙ্থাংবু লান্দাহুনা লৌশিনখিবা চীঙংথংখোম্বনা থোনবীবা মম্নিংদি ময়াং কছারীশিংগী কোন্নুং মাইবোংদা লান্দাবী লানফমহুদা অরুবা কৌববু লানফা ওইনা ফাখিবী, ময়াংগী মাইবং লাম্থাবী হুয়েল অরুবা ফাবিনা অথোইবা লাই- গুম্নবা মপুরোইবগীদমক লানফমদা লাম্মীশিংদা য়ুখোম (অক্তিংবা/পুক্রয়ু) থক্রুবা পাত্রদা হৈ হৈহুনা পীরগা লানগী শরুক য়াখিবদি—সেকমাঙৈ তুরেলগী মমৈ লাম্হোক্তুনা অকোঙৈবদা লৈরিবা লমশিংবু চাক্লিরা/ঙাক্লিবা /পাম্লিবা (মতম্ থরগী মপু ওইরিবা, লম্বাল / থাজনা লৌরিবা) ওইনা অঙোম য়েক্কী তোরা কৌবা শাগৈ অমগী নিংথৌ/পীবানা শা ফাননবগী- দমক শা য়েংনবা / লুম্নবা শারিবা শগাইনা লৈবা মফম, হৈরেম্ ফুক্রুপ (লুরাং য়েক্)কী লৈপাকমচাগী মন্নুংদা লৈবা নিংঙোলখোং কৌবা মফমদা লানগী শরুক য়ারুবদি লানফমহুদা ফাবা লানফাগী মতুং ইন্না আরা তমেং ফাবী হাঙৈনা মিঙ্গৌখি। মৈতৈগী মবেম্মসিনা শরুক য়াখিবা

অতুস্থং মতোম্‌দে ॥ লম্‌লেন্‌ হৈরেম্‌ কেরেচীঙ খুল্‌চাল লাল্লুম্‌থেল, চারু তাংসোই পন্দা সনা থোম্‌হাল্‌থবদি হুয়েন্‌ লান্‌নিকিদি খামরন্‌ অঙেচা সনা য়েপ্‌কাং তুপ্পবু কাইনহুন্‌বী পাইমা সনা লিন্‌কোইগী ॥ ** ॥

মৈদিংঙু চীঙ্‌লেন্‌ নোংদ্রেনখোম্বা

রাজা গম্ভীরসিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪)

॥ ৫০ ॥ লিক্লাই সনা খোম্মাতোন্‌ চরৈ ফিচি হোংলাতোন্‌ র্‌নৌ কোম্তে কোন্না হুন্‌কুম্বা শ্রীগম্ভিরসিং, লাংকোই সামু ফাবা-ও তৌনা কৌএ ॥ তুবি ফাম্মোইমিং লাইরেন, ফল্লাংমৈবু তোংলবগা পোইরৈ খুল্‌ চামা তয়্‌মনাই চামনা লাইরেল্‌ কোলোয় মিংহুল্‌বদি তুবি চীঙ্‌লেন্‌ নোংত্রেন্‌ খোম্বা-ও তৌনা কৌএ ॥ * ॥ মযু খোইমোম্‌ লাইয়িংথৌ

লানফমদি মসিনস্থ লোইদ্রি। অথোইবা লম ওইরবা হৈরেম ফুরুপকী কোম্থং তাগী চীঙ, খুঞ্জানশিংগী লানফা ফানবা লুমহুনা (নত্রগা লান্দা-রকপা ঙাকথোক্লবা) লৈরিবা চীঙ্‌গী থেল, হৈরেম কেরে / খেরে চীঙ, খুঞ্জান লাল্লুমথেল্‌ কৌবা মতাং মতাং পানবা চরুনা পন্‌ থিংবা মফমদা লানফম শরুক য়াবদি লান্‌গী লানফা মোন্‌-খামের কাংলুপকী অঙেচা কৌবা সনাগী য়েনপাক্‌ / পে খান্‌বা / তুপ্পবু মাঈথীবা পীথি। অসিগী পল্লেম পীবুরুংদগী ॥ ** ॥

॥ ৫০ ॥ লিক্লাইগুম্না ফজরবা নিংথৌগী মচা, পলেম খোম্লাং খ্বাইগী মতোন ওইনা থকপা, হোংদোক্লবা ফিগী খ্বাইগী মতোন ওইবা অকোন-বনা তেনশিনহল্লবা, অনৌবা উগী ময়োন কোন্না যিনগৎলকপগুম্বা, ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইরবা গম্ভীরসিং, লাঙ্গোই শামু ফাবা হাঈনা কৌই। ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্বা মৈতৈ নিংথৌশিংগী মোইবুংগী মমিং কুম্লবা অথোইবা ফম্বাল্‌, অথোইবা লাইগী মণ্ডীক-মণ্ডপ চেল্লবশিংনা ফম্বাল্‌

রুরেল্ রুথা নিংথৌ রুথা লাংকা ফাবা মোরা অতোনববু খুনেৎনবা শিংলেন্ লাকা ফম্তোংবা চীঙ্লেন্ নোংতাই নিংথৌগী খোইমোম্ সনা মিংলেন্বু মৈনা রাইনা মিংথোংফবা লাইরেল্ মৈতেংঙু তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা কোরৌ নোংসিঙ্চঙ গুম্বদা কোরি পাথং খোংক্লম্বা কাপ্রাইরাংনা তাওবা সেন্মনু রাংনা সেম্বা লিক্কুম্বা লাইরেল্ অকল্ হয়িংচেং মালং নোংসিং কাওকুম্বা তুবি লিক্লাই নোংথৌরেল্ তেন্তোং

তোংহন্দুনা মৈগী মৈশা লাংহনবা ফম্বাল্বু তোংলবদা মৈতৈ লৈপাক্কী খুন্নং ১০০/১০০ অমসুং মীনাই ১০০/১০০ না লাইগুম্লবা নিংথৌসিগী মিংলেন মিংথোঙবদি তুবি চীঙ্লেন নোংত্রেনখোম্বা হাঙ্গনা থোক্লে। পাম্ন—পীম্ন ওইবা ওম্বা মবুধৌ, লাইশিংগী নিংথৌ ওইরবা অথোইবা উশিং থারিবা পুন্নমক্কী মবুংঙো উ-থাবা লাংকা কৌববু লানফা ওইনা ফাবা, শগোল মোরা / অঙৌবা মশা য়াম্না খিংলিববু তোংবা, উগী উয়োন ওইনা শাংপা লৈগী লাকা / লৈকাদা ফম্ফম ওইনবা লাই পুন্নমক্কী অথোইবা নোংমদোন অতিয়াগী থৌওং থৌদৌ পুন্নমকপু অফ—ফত্ত তাইশিল্লিবা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী মিংলেন অথোইবা লাইমিংবু মতুং তানা লৌহুনা মিংথোনবা অথোইবা লাইগী মতীক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো হিংননবা ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্লবা চীঙ্লেন নোংত্রেনখোম্বা কৌবা অতিয়াদগী তারকপা বজ্রদা কোরৌগী পারবা থাঙ্না য়োম্বাগুম্লবা হেক্তুমক কাপথোক্কনবা লাং হাপ্লা, সেন্না শাবা খুৎলাঙ্গ, হেক্তুমক ফত্তবা চঙ্হনবা ওম্বা লাংনা শেম্বা লীরিগুম্বা, অথোইবা লাই ওইবগী চাও-থোক-লেমথোকচবা লৈত্রবা নোংদোলগী মফম খুদিং থুংবা নোংশিৎ / মুংশিৎকুম্বা, ঈশিং মপী/মবুংঙো ওইরবা লিক্লাইগুম ফজরবা নিংথৌরেল, নঙ্গন্দা পোক্লিবা চা তৈবা তেন্দোং মনুংদা য়াওবা, ক্যাং কৌবা লমবু ওম্বা মতমদা শীজিন্নখিবা তেঞ্জেংগুম্বা, মবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো অথোইবা লাইগী মতীক ময়াই চেল্লবা, আরা-কবোশিংবু ওম্বগী 'সেনবী' মিংথোক্লমাই লৈতেং-লবা খাগেম্বগী ম্না- খুৎমক্লা পাঙ্গরম্বা লোক্লুং. লাকাবা সম্না কৈথেল্

নম্পো চাম্বমুংগী ক্যাং লম্ঙম্ তেন্কুম্বা মমু মৈতেংঙু লাইরেল্ সেন্বী খাকেম্বা থাংলেন্ মখুৎসু লোব্নুং লাকপা সনা কৈথেল্ ও থোইবা থাংগুম্বা লিক্লাই নোংথৌরেল্-ও হুয়েল্ লাল্লাও খোল্বু তারবগা মালং মখেরাংগুম্বা রাইরা সারাওখোল্বু নাতারবগা খাক্পা তেন্মৈসমকুম্বা লিক্লাই নোংথৌরেল্-ও লোইবী চীঙ্বুরোইবা হেম্বা তম্বু কেলববু লাংলেন্ কোংয়াং রাপুক্ খাইগুম্ থোথাবা লাইবেন্ মৈতেংঙু লিনরাই লান্থাবা মুংথেল্ চামরোদা খৌশাবা নোংচুপ মাইপংচীঙ্বু চীঙ্মুল্ খৌবা সেন্বী তম্লোৌরেল্ কপুক্ পামেল্খাবো কানম্বা পেংরোন্চাবু

অহম হেম্না লিংখৎপদা শীজিন্নখিবা থাংশাংগুম্বা লিক্লাইগুম নীংথীজরবা নিংথৌরেল ইবুংঙো, লানথেংনবগী/থেংননবগী লাম্মীশিংনা লাওবা খোঞ্জেল তাবমক্তদা নোংশিংনা মথুম-মরাং হৌবগুম লান পান্নবা, শাফাবগী শানা খোংবা মখোল তারগা অথাক-অরাও লোঙ্গনরবা তেন্দগী কাপথোরকপা মৈনা মথং মথং শম্থিবগুম্বা লিক্লাইগুম্নবা অথোইবা নিংথৌ-ও, চীঙ্গী লমদম্বু লোইরিবা চীঙ্শিং অমসুং তমগী লমদমবু থন্না লৈরিবা তম্মী-শিংবু অথোইবা লাং (শীঙ্নাং), উক্রোংগী ময়াঙ্ ওইবা লাংলেন কোংয়াঙ্ রা মবুক তংখাঙ্গ খাঙ্গবগুম্না রায়েল থোদা তৌরিবা অথোইবা লাইগী ময়াই চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো, তম্পাক্কী অরাং-নোংপোক্কী শরুক লিন্নাই লৈরাক্তা লান্নুনা মুঙ্না পরেং পরেং থোনবা চামিরো কৌবা মফমদা লানকম ওইনা শোরুখিবা, নোংচুপ্তা লৈবা কছারীশিংগী কোম্নুং মাইবং কৌবা চীঙ্বু মুন্দুনা লৌবদা থৌনা ফবা, মীরৈপাক কবোগী তম্পাকলৌ, কবুক্ ওইবা উগী উখাদা শন্দোক্লিবা লৌফম, কানম্বনা হন্নিং ওনবা মকম্সু তুবৎ শন্নগা ইরাবতি তুরেলগী ধাতু য়াওবা লৈপাক্লা লৈরিবা সনা শুংদোকপা য়াবা ঈশিংনা চেল্লিবা লমদমু থাঙ্না নাপী শীঙ্বী য়াম্মুনা হাইদোক্লগা ইংথী / নিংথীগী সেল্লোইতা কৌবা মফমদা লান্দাক্নুনা লান্ থেংনবা, অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো লোজ্জাই লৈয়াংকা কৌক্ত চীঙ্গোলগী তুরেলগী হৌরকফম মঙ্গ ওইবা

ফৈনা তুপ্ য়িন্নাবতি কোন্চংলৈ সনা হাকোক্ য়িবু থাংলেন্ নাকা হাইনা য়িংথি সেংলোইতাদা খৌসাবা লাইরেল্ মৈতেংঙ্ লনলোই কৌবা য়িমরু চীঙ্পল্ পলন্নাইরুদা থৌতোংবা, পোইরৈ তানথোং ময়ুং কুইববু কাপ্মা থাবা রাংঙম্ মফৈ তেল্লববু হুইমা থাবা লাইরেন্ সনা মচুঙ্সেন চুঙ্সেন্ মরাল্হৌদি হাওরৈ নোংচুপ্লা পাংবরম্ মথুন্না য়িরেল্পুংবু কাননা চোং চাতিংগা য়িম্মৈ সম তোসোং চীঙ্কৈ তুপ্না পান্নবা পথারি মপুংয়াইদা লাইরেন্ মৈতেংঙ্দি থাংলেন্ মাখুৎসু খেল্লৈ মৈরাববু থাংলেন্ নামৈ য়েপ্ লাইরেল্ চুঙ্লেন্ মনমথাং রাইরা সামিং কৌনা চুঙ্ হুয়েল্ লান্সিং ফানচুঙ্বু সন্না তুরৈ রোইরোই সেল্ তুবি তিমেল্ মথুৎসু রন্না পালতোংরা কোংখাংনাবু লুরুকন্না খোক্লাং তাংমিৎ ৯ পান্বা য়ুংসিৎ কোইরেং তাবু তিমেল্ তারৈ হংকোই থিনা পাল্লা পথারি মপুংয়াইদ৷ খৌসাথবদি পথারি য়াকা চাইরে, পাল্লা নেৎচৎ

চীঙ্পল্ কৌবা পনশিংগী শম্নফম মরুদা মচা–মনাইশিংগী থৌনা হাপ্পিখিবা নিংথৌ, মৈতৈ লৈপাক্কী তাম্থোং থোনবা ময়ুংগী অশাংবা পুম্নমকসিবু কাপ অমথক্তা ওইনা লৌবা, নিংথৌজাগী লৈপাক্কী লেমথোং থোনবা মফৈ / মরাক শাক্তবসিবু হুই অমথক্তা ওইনা শীঙ্থানরিবসিনা লাহগী শক্তিগা লোঈননা চুঙ্ শেন্নহুনা, তা খৌশাহুনা লান্দাখিবদি নোংচুপ্, মাঈকৈরোম পাংবদা লৈবা মথুরা কৌবা অচৌবা ঈশিংগী ঈপাক্পু লান-থোক্লগা চাতিংগা কৌবা পাংকী চিংখ–লেম্থা লৈহৌরিবা মমৈবু শম্লগা তৌশোং কৌবা চীঙ্ লাম্থোক্লগা খুন্দারিবা পথারি পধারী কৌবা মফমদা অথোইবা লাইগী মতীক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা নিংথৌ মাগী মখুৎ চাবা অথোইবা থাঙ্ খেল্লৈ মৈরাবা কৌববু নাকন্দা য়াল্লগা নিংথৌ মাগী মশা কন্নবা অথোইবা চুঙ্, শা ফাবগী শামিং কৌবদা শীজিন্নবা চুঙ্, লানফম্দা লা·ফা য়াম্না ফাবদা শীজিন্নরবা চুঙ্বু ওঈনা পাঈহুনা হকচাং ঙাক–শেল্লগা, ঈশিংগী মপু ইরিবা লাইগী মিংথোল ফংলবা নিংথৌসি মশাগী মখুৎ খুৎলোঈন্নবা তিন, মেন্দুনা পাঈবা তা; উল্লা

য়াল্লে, তারাং ফুরা য়াইহুল্লনরে। হুয়েন্ লাম্নিকিদি থোংনাং লমকন্ থৌবী রোংচাঙ্গি কাসা খৌসারী লাইরেম্মগী মদাইরেম্ থোংনাং মমাইবা পামেল্ কারোং লেপ্তম্ য়ুং মাল্বী সাখৌ থৎ মেল্লাং তন্বা মনাক্ মেৎ নমু পোংহিং চানা ঙাওনৈবা সম্লাং—তানা তাংজা মরৈ তম্না থাংসাং খুৎসুনববু কাইনা হুন্লে॥ অতুনোংগীবু লাইরেন্ মৈতেংঙু নোংড্রেন্ খোম্বা লাইসা পথারি হিংচাবগা অরোক্সা পথারি নমু পোংহিং চাবগা হুয়েন্ লান্পুম্ ২ মক্পু কাইনা হুন্বা-" তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু চীঙ লেন্ নোংড্রেন্ খোম্বাগী লাইরেল্ থয়াং মথৌমল্ চুঙ্‌সেন্ মরান্‌হৌদি অহুসুং মতোম্‌দে॥ থোংনাং ঙম্লোন্না ময়াং নাতৈনা ময়াং চাল্লই মপুংয়াইবু নাতৈননা থোংনাং সেম্খর তায়েৎ কসারি মপুংয়াইবু

কৌবা উচেক্না মথক্তা ফান্দা ফঙ্গুম তোংনবা রা, রানা মরু লুক্থনা পানবা রানা শাবা, রাতাং মমিৎ : পানবনা "খোক ওইনবা, য়ুংনা শিত্তুনা পাঙ্গৈরগা কোঙ্গনা ফাওনবা লেংবা তাবু পাঙ্গৈহুনা তা খৌশারকপগী লৈথোক্ লৈশিন্ তৌবকপদা পুরু ঙ দা অকি হঙ্গৈাইবনা থনহন্দুনা পাংঙল / মুশ্লীমগী পাল্লা পথারী কৌবা মফমদা লান্দাহুনা লান শোক্লবদি পথারীগী লৈঙাং—রায়েলশঙ্ থুগাঙ্গৈরে, পাল্লাগী মীশিং নেত্তুনা চৎলগা য়াম্থরে, তারাংগী লাইশঙ্ মচেৎ মচেৎ তানা থুগাঙ্গৈরে। লানফমসিদা ময়াংশিং লম কনবদা থৌনা ফরবী বোং-চঙ্গী হাঙ্গনা মিংথোন্নবী সরা-রেলগী মমাঙ্‌দা লানগী লানখৌ শাখিবী লাঙ্গৈরেম্বীগী মনাই ময়াংশিংসী অমাইবা, মশা অনি লোংবা উবু লেপ তম্না য়ুংলগা শল লাবগী মঙক্ কক্তুনা, হামেং লাবগী মখনাও মেথত্তুনা, অহিংবা মীগী মীশা চাহুনা নিশানা অঙাওবা ওইরগা মুংঙাইজবা, মকোক্তা মশম জটা তাবগী হেন্-থরক্পা মশম্না লিম্না মরৈ হা-হা তম্বগুম হাই-হুম্বা, মথুত্তা থাংশাং পাঙ্গৈবু হাংখি। অহুদগী হৌহুনা অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙ্‌লেন নোংড্রেন খোম্বা লাইগী শা ওইরবা, লাই তোংলবা লাইশা ফুরুপকী পথারীগী হিংচাবগা খুল্‌লগা য়োল্লকপগী -

কালনা চোংনা তিসর চীঙ্মৈ সমনা পুরগাসারি মপুংয়াইদা লাইরেন্, মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বনা খৌসাথবদি কসারি মপুং কাইরে, কোৎথ্বা য়াকা চাইরে॥ হুয়েন্ লাম্নিকিদি থোংনাং কসারি মনিংথৌ র্ চিরা লাম্থৌয়াংগনা চিংনা ময়াং ৪০ মকা কাইনা হুল্লে॥ অতুনোংগীবু তুবি চীঙ্লেন্, নোংত্রেন্, খোম্বা থোংনা র্ চির লান্থৌয়াংবু কাইনহুনব-ও তৌনা কোঅ॥ উচির লাম্থৌয়াংবু ফাবগী লাইরেন্, সনা মচুঙ, সেন্দি অতুসুং মতোম্দে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ বাগ্রক্না থাংয়েনা খাচিপুর খুন্ফম্লেন্দা খৌসাথবদি খাচিপুর চংনা খোম্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি ময়াং তুলরাম্ মসানৌ চিত্রাম্ কাসারি পাঙল্ লানচিংববু কাইনহুন্লে॥ অতুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্

অরোকপা কৌবা ফুরুপ্কী পথারীগী মীশা হিংনা চাবগা লানফা অনিমকপু ওম্বা / হাৎপা হাঙ্গৈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙ্লেন নোংত্রেন খোম্বগী লাইগী মগুণ ল্যোঙ্গৈনবগী মথা য়াঙ্না লাম্হেংনবগী মথৌমক ওইনা তৌবা, চুঙ্ শেন্নহুনা লান্দাবগী মওং-মতৌদি মসিনসু লোঙ্গৈবা নত্রি। কছারী ময়াংশিংদগী থৈদোক্লগা তখেল্ / ত্রিপুরীশিং লম্গা হেক থংননা লোম্নবদা লৈবা ময়াংশিংগী লমদম চাল্লই কৌববু কোঙ্গৈথোক্লগা, ত্রিপুরীশিংগী শেমঘরতারেং কৌবা কছারীশিংগী লমদমবু লাম্থোক্লগা তিসর কৌবা চীঙ্গী মমৈ শমজিন্দুনা চৎলগা লৈবা পুরগসারী হাঙ্গৈবা মফমহুদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিবা লাইগুল্লবা চীঙ্লেন নোংত্রেন খোম্বনা লান্দাখিবদি কছারীশিংগী খুঙ্গং কাঙ্গৈরে; কোৎথ্বাশিংগী লৈঙাক্শঙ্ থুগাঙ্গৈরে। লানফমসিদা ময়াং কছারী নিংথৌ উচিরা লান্দা য়াঙ্না থৌনা ফ-নচিংবা ময়াং লাম্মী ৪০ হাৎখি। অতুদগী হৌনা ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা ময়াংগী উচিরা অথৌববু হাৎপা / ওম্বা হাঙ্গৈনা কৌখি। উচিরা অথৌববু ওম্বগী অথোইবা লাইগী মগুণ লোঙ্গৈনরবা নিংথৌসিগী চুঙ্ শেন্নবগী থৌরমদি মসিনসু লোইদ্রি।

খোম্বা মথুবা যিসম্ থৌবা খাচিপুব যিমচং যাংবা চিত্রাম্ অথৌববু কাইন হুনবা ও তৌনা কৌএ ॥ লাইবেল্ সনা মচুঙ্সেন্দি অহুম্সুং মতোম্দে ॥ থোংনাং খাকাবাবু তোংদেন্ তাংবা খোম্লেনচাঙ্ ঙানবা অতোন্বা হাওবা লোইনেনবা মংবুরো থোংনাং মনল্ চংসুচানা চীঙ্য়া লৈতোই সারোল্ য়িন্না লম্থিবদি খংগত্রা খংদব্রাইবু নাতৈননা কুলি থুম্কোংলেন্ কুমাব ফুসাবা মকাইফম্ তুম্মুং লংলামনা খোইবেল্রাই লম্লেন, তিল্লান্ কৈথেল্লেন্–ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ মরুপ ফ্রিংকী লন্রোন্বনা

অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোসিনা বাগ্রন্না কৌবা লমগী মীশিংবু লান্ শোক্লা শোক্লনা কছারীশিংগী কোন্নু ওইবিবা অথোইবা খুন্ খাসপুবদা লান্দাহুনা লাম্থেংনবদি খাসপুবগী মীশিংবু হিংনা ফাবে। লানফমসিদা মযাং তুলারামগী মনাওশিংনা বঙ্গদেশকী কছারীশিংগী লুচিংবা সিতারাম কৌববু হাংখি। অহুদগী হৌনা অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা, ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙ্লেন্ নোংদ্রেন খোম্ব, মথুবাগী ঈশিং থৌনা ফনা লানবা খাসপুব যুমথা চঙ্হুনা যেক্কবশিংবু য়াম্থৎপা সিতারামবু হাৎপা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌসিগী চুঙ শেন্নবগী থৌনমদি অসিনম্ভ লোঙ্গইদ্রি। মযাংগী খাকবা/খাংগ্রা কৌবা উগী উতোল পুংদবনা মমাঙ্গ ওম্থোকপা চাঙ্, ঙানবা যেক্কী অতোনবা হাওবা কোবা, লম্মা দোংগী লমব লোইপোৎ লোবগী লৈফম্, ময়াংগী মালচেংম্ভ কৌবনা চীঙ্যাগী চীঙ লৈপাক, তোঙ্গহুনা চোঙ্গনা তানিবহুগী মবম ইন্দুনা খুন্দাফম লম থিবদা যংগদ্রা হাঙ্গবগা ফংখিদবা মফম্থু কোঙ্গথোক্তুনা চৎলগা কুনি কৌবা অথোইবা থুমখো লৈবা, চফু শাবশিংগী খুন্দাফম্, ওংগী নংজা অমনা চাবোকপদা অঙাংগী মখোঙ্গ লেন্নবা মফম্থু অথোইবা লম্ টিল্লাইন কৈথেল্লেন হাঙ্গনা কৌবদি কবি তৌবা লুমিত্তগীনা? মৈতৈগী মরুপ ওইবা ফিরিঙ্গী / তেলঙ্গা / মলেস / ঈঙ্গ্রেজ / বৃটিশ, শম্লোনবশিংনা রানা যৈহুনা হেনবা, মখোঙ্না নেত্তুনা তোংবা হিগী হিশঙ্ / হিজ্জগাং শাবব তিংকি হাঙ্গনা কৌই।

ৱাক্‌য়ৈ মখুনেৎ তোংচেং হিসঙ্ সাববুদি তিংকি-গু কৌএ॥ তিংকি মহিচাবু থাংলম্‌এ॥ অহুনোংগীবু তিল্লান কৈথেল্‌লেন্‌ গু তৌনা কৌএ॥ বোরাক্‌ লাইজা তোরৈথেক্‌ তিল্লান, কৈথেল্‌লেন্দা লাইরেল্‌ মৈতেংঙ্‌না লাংকোই খোঙ্‌-ৱোইনা খুতোং থি কাপ্‌ কুংনা থা, থাংলেন্‌ খেরাং থাংনা পন্‌থেংথবদি তিল্লান্‌ য়াকা চাইরে॥ হুয়েন্‌ লান্নিকিদি থোংনাং পোংমৈ কাপ্পা কৃপরাম্‌ অখোবগা জিল্লাদার কচে থাংসুবগা ২ মনা চিংনা হুয়েন্‌ লানপুম্‌ ৯ মবু কাইনাহল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্‌ মৈতেংঙ্‌ তিল্লান্‌ লানথাবা-গু তৌনা কৌএ। লাইরেন্‌ সনা মচুসেন্‌ চুঙ্‌সেন্‌ মরানৃহৌদি

মখোঈগী হি তিংকিবু থাংলম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী টিল্লাইন কৈথেল্লেন হাঈনা কৌখি। বরাক্‌ তুবেলগী ঈচেল্‌গী খোংলমগী থেকচিনবদা লৈবা টিল্লান কৈথেল্লন্দা অথোইবা ল্যাইগী মতৌক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুং-ঙোনা শগোল্‌ তোংদুনা নোংমৈ রাইফল্‌ থুনা থুনা থিন্দৎপগুম কাপ্পুনা, থাঙ্‌গী মখে লাংনা হাইদুনা লান্দারগা পন্নাঙ্‌ থেংবা ফাওবা ল্যাঙ্গেংনবদি টিল্লানগী লৈঙাক্লবা মীয়াম তিন্নফমশঙ্‌ কাঈহল্লে। লানফমদুদা ময়াংগী নোংমৈ কাপ্পা কৃপারাম অথোবগা জিল্লাদার থাঙ্‌ পাইবা লান্মাগী লুচিং-বগা ২ মরুচিংবা ল্যান্মা ৯ থক হাংখি। অহুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা ল্যাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো টিল্লাইন থানেংথা হাঈনা কৌখি। অথোইবা ল্যাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌগীগী চুঙ্‌ পাঙ্গনগী মঙং চুম্বা, চুঙ্‌ শেন্নদুনা লান তৌনখিবদি মপিনস্থু পোঈদ্রি। থ্যাই (বরাক্‌) ঈচেল্‌গা হন্ন-ৈনননা লৈবা নামদমগী মপান্দা লেপিবা অথোইবা লম মচেৎ অমবু মকুরোক্‌ লোকচাওয়া অঃঙাঙ্‌-অয়াংখুন হাঈনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? থাঈনা, মমাঙ্‌দৈ কুইশ্রবদা চাঁঙ্‌জেং নারল্‌ পাঙ্গনবগী মচানিপাশিং মমিৎ পানবা ঊগী মমিং লৌদুনা মমিং থোনবা থৈবোং অহনবা কৌবগা, চানন-নবা মরম পেরকপা ফৌগী মমিং থোনবা মোলথৈ অংগানবগা ২ মকপু ময়াং ফৈত্রি কৌবগী মচানুপী লৈরি-লৈসং খোম্বী কৌবী মমানা, "ইচানিপা অনিমক, নবুধৌ, অহানবা

অহুস্সুং মতোমদে ॥ লমলেন মদাইমা গাই য়িতৈপাল্ মকুরোক্ লোক্চাও য়ি অহোং অরাং খুন্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লহান নোংহয়িঙৈদা চীঙ্চেং নায়ল্ পাঙ্গনবা মপাবি পামেল্ য়ুমিৎলোইবু মিংথোলন্বা থৈপোং অহনবা থাংয়ি ফৌমিংনবা মোল্থৈ অতোন্বগা ২ মাপু পলেম্ মমা ফৈত্রি থোংনাং মমোম্লোন লৈরি লৈসং-খোম্বীনা য়িপারি য়িবুংঙো ২ মাও ॥ নয়ু থাংয়িবা মকাইফম্ নপল্ চেংলৈবা ময়িম্নাক্ পোইরৈ তানথো ময়ুং কুই লেম্থোং মফে পাক্পাবু য়িল্তাল্খো হায়না সাম্ মাংদা থানা থিল্লক্‌ঙৈ, পলেম য়িমা পোক্মাবী-ও লাইজা যিখৌ লাংঙে হায়না পাওমেল্ববু পলেম মমা পোক্মাবীনা তাপুং লোক্চাওরেন, অসিবু লাইজা য়িরৈতে হায়না পাওখুম্লিঙৈ খোইমোম্ চীঙ্ঙুরা মরল্লুকী চীঙলেন্ লোক্মাই থন্না লাইজা য়িসৌখৎলক্এ ॥

ফৌ থাবদগী থাংয়িবা কৌবনা ময়ুম মকৈ লিংলম্বা মফম, নপা চেঙ্খোকহনগী চেংলৈবা থোনবশিংগী ময়ুম্গী মনাক, ময়ুং শাংবা মফে পাকপা পোইগী লৈপাক্, মৈতৈ লৈপাক্তা চৎলো" হাঙ্গনা মমাঙ্ থানা পুহ্নুনা থিল্লক্পদা, "অপোক্পী ইমাও ঈশিং খৌবাংঙে", হাঙ্গনা হাঙ্গরবদা পোক্চবী মমাহুনা, "তাপুং কৌবা অথোইবা, অচৌবা লোক অসিদদি ঈশিং লৈত্রে" হাঙ্গনা পাউখুম পীরিঙৈদা পাগী শক্তিস্তু লৈবা, পীগী মতীকস্তু লৈবা চীঙ্গী মবুংঙো ওইবা অথোইবা লাইয়িংথৌগী থৌজান্দগী অথোইবা চীঙ্ অহুগী লোকমাঈ অহু থন্না ঈশিং শৌগৎলক্লম্মী। অপোক্পী মমা লৈরি-লৈশং খোম্বীনা, "ইচানুপা ২ মক-ও, হৌজিক্তি লাইনা থৌজানবিরে" হাঙ্গনা শোল্লম্মী। অহুগী মুমিত্তগী খোইমোম মকুব্রোক্ হাঙ্গনা কৌখি। অহুগা অহোঙ্-অরাং ঈতৈ মপাল্ হাঙ্গনা কৌখিবদি মপা থাংয়ি ফুরুপকী মী ওইবশিং মরম, মৈতৈ লৈপাক্কী লম ওইনা কুইনা ওইরক্লবা থোইমু অহোঙ্বী কৌবনা ঙাফাবদা লোঙ্গনবা শল, থোইমুগী ওইবগী হেন্না থোইনা মচী পাক্লবা 'থরো' কৌবা অরাংবা শলগী শন্খোঙ্গুলগুম্বা ময়াং লৈপাক্তা তাইনরবা জিরিগী লম্নদমদগী

পালেম্ মমা লৈবি লৈসং-খোম্বি না পাবি হিপুংঙ্ ২ মাও খোইমোম্ লাইনা কুবিরে হায়না সোল্লম্মে॥ অতুনোংগীবু খোই মাম মকুরোক্-ও তৌনা কৌয়ে॥ অহোং অরাং য়িতৈ মপাল্ ও কৌবদি মপল্ থা গিবা মনমলেন পোইবৈ লম্তাংসাং থোংনাং চিবি মবমলেন, খোইনু অহোঙবা ভাগা-সল থোইনু গোইকাপাক কাওবেল থাগা অরা বা তাংজা মখোঙ-কুনগুম্বা মপল তাজা মখোঙখুল্বু পোইবৈ মৈতৈ রোম্না লাওনা হোংনা তাক্লম্এ। অতুনোংগীবু অহো অগা ঈতৈ মপাল্ ও তৌনা কৌএ॥ অহোং অরাং ঈতৈ মপাল্বু নাইবা ওম্লেম্না লম্লেন্ মদাইমা থোংনাং তম্লোরেল্ চিবি কামবংখা কৌবদি কদৌনোংঙ্গীনো॥ খোংনাং মমিংথৌ পদখোর নিংথৌবেল্গী মদাইবেম্ পানোক্ যারা সিঙচঙ লেদা

মপাগী খোঙ্গুল লীনবা মৈতৈ লৈপাক্কী মাঙৈকে ওন্দুনা লাংনা হোঙনা লাক্লম্মী। অতুগী মুমিত্তগী অহোঙ অবাং ঈতৈ মপাল্ হাঈনা কৌখি। অহোঙ অরাং ঈতৈ মপাল্গা হেক লোন্নবা লৈবা লমবু অথোইবা লমগী মচেৎ-মতাই অমা ওইবা ময়াংশিংগী অথোইবা তম্পাক্লৌ জিবি কামরংখা হাঙ্গনা কৌখিবদদি কৈদৌঙৈদগীনো? ময়াং তখেনশিংগী নিংথৌ ওইবা পদখোব কৌবা অথোইবা নিংথৌগী মনাই পানোক্ কৌবা শীঙজং লেংবান্দা থোনগত্তুনা পুবগা উ অচৌবা থিত্নুনা যানবা উপী উজাও উয়ানবগা থাংযি য়েক্কা খোজবোম্বা (খোংচা লোন্বা) কৌবগী মচানিপা, ল্লোনলোই কৌব। লৈযাং, কৌত্রগী লমদম মন্নুংদা লৈবতুগী তুরেলশিংগী হৌরকফমদা লৈরিবা চীঙশিংগী মতুং ইন্দুনা মমিং থোনবদা য়াম্না পক্লবা চীঙজেং নাবল্ পাঙ্গনবনা তুমি হাঙ্গনা কৌবা মী কাংলুপকী পাসা হাঈনা খঙনবা লৈপাকপু চৎকে হাংনা হিবু কৌবা চীঙদোল্ তুবং লাল্লগা, উদি হাঙ্গনা কৌবা, খম্খোই কৌবা মফমগী তুবেলবু চোংবগুম লাল্লকপগা ওক্ক উন্নরম্মী। উপী য়ানবা ময়াংগী উয়ানবতুনা, "নাপী-শীংবী মরক্তগী উগী মনাক্তগী থোক্লক্লিবা নঙবু লাইবা, মীরা, নশক শাথীনা থীবা, পীশক পীকপা নঙবু কনানো?" হাঈনা হংলবদা, "এহাক

থোংনা পাংমল পিথি রুযানবগা থাংযি খোংচংবাংবা মপাবি লোন্‌লোই কৌবা যিমকন্দা চীঙ্‌মিংথাংবু চুনবা চিঙচং নাবল্ পাঙ্গনবনা তুমি মপুংয়াই পাসা মবৈপাক্‌পু যিলতালক হায়না হিবু চীঙ্‌তোল্ ফৈনা সম বুদি খমখোই যিবু কালনা চেংলাক্‌পগা লম্‌বোকনবে॥ থোংনাং পিথি রুযানবনা খোইমা নাবোন্দুংগী পামেল রয়া হেপলক্‌পা নঙবু খোইমোম লাইবা নমু পোংলা চেংলৌ হন্না খুবা নঙবু কনানো হায়না পাওহংববু ঐ ন পোইবৈ চিঙচং নাব। পাঙ্গংনে পোইবৈ যিপাবম্ রাংঙম যিপুবমবু কবিগী পামল্ ববক্ চঙনা তল্লা হোযাল্লম্বনো, থোংনাং

চাঙ্‌জেং নাবল্ পাঙ্গনবা হাঙ্গবহুনি, মৈতৈ ঐখাযগী ইপা-ইপুগী লম অসিদা হৌবিবা উপ নশিগী মবক্তা চঙ্‌হুনা কবিগী উ যাল্লবিবনো? মযাং নখোঙ্গী নবম নত্তে, মৈতৈ ঐখোঙ্গী ইবমনি।" হাঙ্গৈনা হায-ববদা মযাংগী উগী মক্ক তুপহনবা শীঙ্‌জং লেংবান্দা হাইগত্তুনা পুবিবা অহুনা, "উগী মতোন বক্তুনা উগী মমি ম। শৈথাহুনা লাইনাং-লাইশোন তৌনগা উ যাল্লিবা ঐগী উয়ানফমদগী উ চিংন্দক্লিবা অসিদা কবিগী রা যাম্না ঙাল্‌বিবনো", হায়ববদা, য়াম্বত্তুনা তুপ্পবা উগী মকক্তুদা মনা হুত্তুনা চিংননবা থৌরী লোল্লগা মখা।হুনা থল্লবা উ অহুবু মবেংবান্দা থোং-গত্তুনা থাঙ্গৎলগা, "হে, মযাং রুচিব কৌবশিংগী লচিংবা, মযাং নখোঙ্গী নবম্নি হ ঈনবুদি নঙনা যানংগী লেমহৌববা মখাক, উগী অতুপ্পা মতুপ্তুনা বিচাব তৌবসন্নু। মযাং নখোঙ্গী লমনি হাঙ্গববদি উগী মতোন্দা হুৎলগা থৌবী লেংশিন্দুনা উ অহুবু চিবদা নখোঙ্গ মযাংগী নিংথৌগী মনাক যৌবা ঙম্লবদি নখোঙ্গ মযাংগী লমনি, অহুগা চিংহুনা পুবা ঙমদ্রবদি মৈতৈ ঐখোঙ্গী লমনি খঙনশি" হাঙ্গববদা উ অহুবু থৌবী লোন্দুনা পুল্লগা চিংহুনা পুবা ঙমদ্রবদা, মৈতৈ নখোঙ্গী লম ওইবে, যাল্লুবা উসিগী মমল পীবগে" হাঙ্গৈনা উচিব লমগী লমজিংবনা সনা চীঙ্‌গুম পৈ, লুপানা চীঙ্‌গুম লৈপুঙ্ শানা পৈহুনা উগী উযালমল পীবম্মী। অহুগী হুমিত্তগী উচিব উমল থিনবম, থংচী পাত্র ৭ ঙম্বা পামেল উয়াল্লম হাঙ্গৈনা কৌববু

নরম্খৈবু নত্তে পোইরৈ য়িরম্খৈনে হায়না পাওমেল্ববু থোংনাং সিঙ্চঙ্ য়াওন্না লেংদা থোংবা পামেল্ রুক তুংপা তল্লা তোল্পক্ লৌ পামেল্ মিংথারাওনা তল্লা ঐগী রুযান্ফম্ পামেল্ হোইসোল্ফমদা করিগী চিন্কোই য়াম্না পাওমেল্ল পনো হায়না পামেল্ রুক তুপ্লবা থংচি নালোংনবগী তল্লা রুখা থানা থম্লববু পামেল্ লেংদা থোং তল্লা হোইসোন্না হে থোংনাং রুচিব লম্চিংবা থোংনাং নরম্খৈনে হায়রবদি তল্লা নঙগী নয়াল্খাক্ পামেল্ অতুপখারনা বাচুমস্লনো, ময়াং নঙগী নরম্খৈনে হায়রবদি থোংচিং নাবেং লোন্না পামেল্ হোয়চিংববু থোংনাং ননিংথোবু য়ৌববদি ময়াং নরম্খৈনে তল্লা হোইথেম ওম্দ্রবদি পোইরৈ য়িরম্খৈনে

থোংনাংশিংনা হাঙ্গনবা, ময়াংশিংনা লোন্নবা মবোলনা জিবি চাংকৎলম হাঙ্গনা কৌখি। জিবি চাংকৎলম্না লাম্থোক্লগা লৈবা লমবু কামরংখা হাঙ্গনা কৌখিবদি করম্না নুমিৎ-থাদগীনা? ময়াংগী পদখোব কৌবা নিংথৌগী মনাই পাওং। বাঙ্গালগী মুসলমান পাস্তোল, চূহি চাং তমহুনা, চিনিগী অরুম্বা ওনববু ফংনবা হৈগী মশক ওইববা চুদগী চহি শুম্বা মী হাঙ্গনা কৌববু কামরংখা হাঙ্গনা কৌই। কামরংখা, চ শুক্ফমগী মনাক্তা হেক থংননা লৈবিবা লমবু অথোইবা উবাপিল্ কৌবা পাৎকী মপানগী লমদম, শ্রীবার লম্পাক হাঙ্গনা কৌবদি করি নুমিত্তগীনো? থাঙ্গনা, থাঙ্গনা মমাঙ্ঙৈগী লাইশিংগী মবুংঙো ওইবা, ইকাইখুম্নফম ওইববা বাম কৌবা অথোইবা মী অতুগা ঈ খেগৎলক্লিবা মনাওনিপা নাঙন কৌবগা লোঙ্গননা মাগী নুপী সিতা লাইগী মবেম্মা ওইবাগী খোঙ্গুল লীবকপদা ময়াংশিংগী লমগী মওং-মতৌ য়েংহনা ফম্লিঙৈদা, ঐগী নুপী সিতা কৌবীগী ফজবনা তিল্লবা শকম, লফু লায়োনগী কুচুগুম্না লেপ্লবা ফিবম অতুব উবা ফংদ্রেদকো হাঙ্গনা শোলখিবম্মী। অতুগী নুমিত্তুদগী উবাপীন্ পাৎলেনকোন শ্রীবার লম্পাক হাঙ্গনা কৌখি। উরাপীন্ কৌবা পাৎকী লমখৈ মনুংদা লৈবা শ্রীবার লম্পাক কৌবা মফমদা বিলাট (বৃটেন, লণ্ডন) লৈপাক্কী ল্যাকপা কেপ্তেন দরূপ (ডেভিড স্কোট) কৌবা বৃটিশ লাম্মীগী লুচিংবনা,

হায়রবদা খোংচি নারেংলোন্না তল্লা হোইথেম্ববু হোয়াদ্রবগী পোইরৈ নরম্থৈবু রোইরে পামেল্ রূমল্ মতুপ্ পিগে হায়না রূচির লম্চিংবনা সনা চিংকাপৈ লুপা চিংপুঙ্ সানা পামেল্ রুতুপ থীরম্এ ॥ অতুনোংগীবু উচির উমল্ থীবম্ থংচি পাত্র ৭ ঙম্বা পামেল্ উয়াল.লম্-ও কৌববু থোংনাং মতংথানা ময়াং সৈসরুপা চিরি চাংকৎলম্-ও তৌনা কৌএ ॥ চিরি চাংকৎলম্বু নাতৈননা কামরংখা-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ থোংনাং পদখোর নিংথৌরেল্গী মদাইরেম্ পাঙ্.ল্ থারুক্ পম্পুতোল্ চুহি চাংকা তাল্ চিনি খলকা ওল্ তাওচিং চুচপলোই-ও কৌববু কামরংখা-ও কৌএ ॥ কামরংখা চুচপলোইবু ময়ুম্ থোংনাং ময়াংনা ঙংলোন্ নাতৈননা লম্লেন্

"হে মণিপুরগী খ্বাইদগী মপোন ওইবা মফমদা লৈবা রুংগী মথক্তা হাবা ফম্বাক্তা ফমদুনা নিংথৌ ওইবগী ফম্বাল তোংদুনা লৈপাক ঙাক্লিবা-ও, ময়াং নিংথৌনা শীন্.বা থৌশিন্না ইরাগী লান্মী তেঙ্গোল মপুঙ্ ফাবা অমগা লোঈননা মকখান খুনলেন্ সালতেপ কৌবা কৈথেলবু মখোঈ ময়াংগী মথমনি হাঈদুনা নোংমৈ তোপ্লকা মখোন্না পৃথিবীগী লৈমাঈ পুন্নমক্কবু নিনহন্দুনা. অতিয়াবুম্বু পুমথুং থুংহন্দুনা, নোংমৈ রাইফল, থিন্দতুনা ফাওদোক্লগদবা খুৎকাপ্তা য়াম্না থুনা কাপ্তুনা য়াম্না কন্না লান শোক্নবু ওঁথ্রাশিংসি হনখিবা তৌদ্রে" হাঈনা লান নেক্লবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লৈপুং লমগী লৈঙাক্লিবা কিয়াংগী লমগী মাশিংবু মাঈথীবা পাঁখির্বা ক্যাংচাঈবাগী মচানিপা, লৈপাক মনুংগী লৈরোন্না মশাগী শক্ত ওইবা, লৈপাক্তা মথক্তা লৈহাওগী মরোন্না মশাগী মতোং ওইবা, মশা শাবদা লৈপাক্তা অংবম্বা শকক্তা শানকপা কাও (শল্লাবা), শামু কৌবা শাগী মকোক্ মতোন্দা তোংলগা ঈশাংগী অথোইবা লাইগী মশক্তুম্নবা মৈতৈ নিংথৌদুগী মখুৎচাবা অথোইবা থাঙ্.শাং, য়েললৈ/ খেল্লৈ মৈরাবা কৌববু অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্লবদুগী পুন্সিগী নোংদম ইরিবা লাইবক মপাদা যুংখতুনা পাঈরগা, ঈশিংগী অথোইবা লাই-গুম্বদুগী তিন্না মেন্দুনা চেংনা পাঈবা মথুং চানবা তা, মনা লুকখদুনা

ৰুৱাপিল্ পাৎলেন্‌কোল্ শ্রীপাব লম্মপাক্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাননোং হয়িঙৈগী চাঙ্‌ঙ্ শ্রীবাম থোইখোইবগা মসানৌ লখোন্ লাংচেং মথোক্‌লকপগা ঙাইবোন্‌না মসানৌ সিতা লাইবেম্মগী তাংজা মখোংখুল্‌বু লিরক্‌ঙৈদা থোনাং লমদম্ যেংনা ফমফম্‌লিঙৈদা য়িসানৌ সিতা লাইবেম্মগী চেংলৌ সক্‌পান্‌থোং পুনুং লেপ্পান্‌থোংবু করম ৰুদ্রবনো হায়না সোলমোইবম্মে অহুনোংগীবু ৰুবাপিন্ পাৎলেনকোন্ শ্রীপার লম্মপাক্-ও তৌনা কৌএ॥ ৰুবাপিন্ পাৎলেন্‌কোন্ শ্রীপার লম্মপাক্‌তা বিলাতি লৈময়োন্‌গী লম্‌হৌরকপা দবপ কপ্‌তাল্ লান্‌চিংবনা হে মণিপুর সনা লৈময়োন্‌গী সুকং লৈকোই ফম্বা-ও থোনাং মনিংথৌগী সংলৌ মথৌরাংনা ঔৱা লানলোই মপুম্ ফাববু ঙাইবোইননা মকরাল খুল্‌বী

পান্‌বা ৱাগী মথোক / মপাননা শাবা, ৱামিৎ পানফম মতাং ২ শুনা পানবা, চাঁঙ্‌মী ধুকপ কোইনেংশগী খুন্দা লান্দাবদা মাঙ্গীপাকপা পীনখিবা তা অহুবু খুবাক্তা তিন থাক্তুনা মেল্লগা চেংনা পাঙ্গীবগা মৈতৈ লৈপাক্কী মথৌনা-মবিংজেন্ ফবগী লমচং চৎপা, নিংথৌজা শল্লাইগী অয়াঙ্‌বা মথাদা ধাতু মপাকশিং তাইশিন্নহুনা হাপ্পা অকন-অথৌ পুন্নমক্কা লোঙ্গীনহুন্না ঔৱাগী দোলাই তোবা, সনাগী মমল য়াম্লবা পে খানবা ঔৱা লাম্মী ময়ামগী খোঙ্‌থাংদগী হেনগত্তুমা লাকপা ঔৱাগী লাম্মাগী পোখেপ / পখেপ কৌববু মশাগী দোলাই মথক্তা তোনা তোংনা অথোইবা লাইগী মগুণগী চেল্লবহুগী মখুৎ চারবা তা'হুনা থিন্তুবে। উবাপ্পীন কৌবা পাত্তুগী এলকা মনুংদগী শগোল তোংহুনা লাকপা ঔৱা শগোল লাম্মাগী লুচিংবা কানেউল কৌবা অথৌববু হাৎলে। বোৎ কৌবা নাইতোম তারবা চীঙ্‌গী শম্ভৌ কৌবা লমশনশিংগী মচা ফেংফমদগী লেক্‌য়া সোইতাংপো কৌববু ফাহৌই। শ্রাবা কৌবা তুবেলগী মমৈ ওইবা লমদম্‌দগী সনাগী পে খানবা ঔৱাগী অতোংউন কৌববু মখুৎনা ফংনা থাঙ্‌না য়ানলে। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিংগী অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈ নিংথৌ চাঙ্‌লেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বানা, "লীক্লাইগুম্মা

অচংবা সাল্‌তেপ্ কৈথেল্‌লেন্‌বু থোংনাং মরম্‌থৈনে হায়বগী ভোপ্ মাল্‌লেম্ লৈবু খোল্ অরাং কোরৌ নোংবু খোল্ খুতোং থিল্‌কাপ্ কুংনা থানা হুয়েন, লান্‌সোক্লববু খাম্লন্ মমাই লৈবিদরে হায়না থৌনেক্লাগী লাইরেল্ মৈতেংঙ্‌দি লৈন্নুং নৌমা ক্যাংচাঈবী মপারি লৈমুরোম্‌না লু রোইসা লৈহাওরোল্‌না ভোং-রোই-সা মাকেম্ লৈরেম কাঙগী লাংকোই ভাংজা লুরেল্‌তোল্ তুবি থাঙ্‌লেল্ মখুৎসু খেল্‌লৈ মৈরাববু লাইরেল্ লাইপক্ খেল্‌লাই থোং তুবি ভিমেল্ মখুৎসু কেৎয়াং নাবু লুরুকখোক্ খোক্লাং তাংমিৎ ৯ পান্নবা কোইবেং খুনঙম্‌তাবু খুপাক্ ভিল্লাই মেন্ পোইবৈ অথৌ লিচা হেপ্পা রাংঙম্ থায়াং কোনতাই লোন্‌বা পুন্নমবু ঙাইরোইননা ঔরা তুলাই তোংবা সনা থিল্লেন্ খান্‌বা ঔরা খোংথোই-

---

লংলবা নিংথৌগী শাগৈদা পোক্লবা, খাঈদোম্ররবগী মবক্তা য়াওশিবা, অরেম্বা অচৌ-অশাংগী মরক্তদি শীঙ্‌থারিবা ইনাও ইবুঙো নবসিংহ, লংলবা মোইবুংগী মওংগুম্না হকচাংগী ম ং-মঙৌ / থিবম ওইবা, মৈতৈ লৈপাক্কী সেনাপতি, নোংশাগুম্না লানফা ফানবা ভান্নহুনা লাম্দাবা হৈবা নহাক্তি নিংথৌ ঐগী হকচাংগী ওঈথংবা ভংখাঈ / শরুক ওইরিবা, ঔরা নিংথৌগী মচানিপা রাশক চেৎলবা পতিংমেন্দা কৌবা থাকন / সেকপীন মথোন অহুম্ খানবা, লাং পাম্বাশিং মবক্তা শমহুনা চৎপা নাতোম চৎপা ওকুম্না কনবা, শগোল ভোংহুনা লাকপা পতিংমেন্দা অথৌববু থাবা হাঈনা কৌরসি হাঈহুনা কৌখি। অহুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা, ঈশিং পীবিরিবা অথোইবা লাইগুম্নবা চীঙ্‌লেন্‌নোংদ্রেন্ খোম্বা, শ্রীবার লাম্বাবা, ঔরাগী লান্মী লুচিংবশিং-পখেপ, কানেউল্, লেকয়া সোইতাংপো, অতোংউন্নচিংবা থৌনা ফববশিং ৪ মকৃপু হাৎপা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌসিগী চুঙ্ শেন্নহুনা চুঙ্ পাঈহুনা শোক্লখিবা লানফমদি অ সনম্বু লোঈবা নত্রি। তোংদোইদা (খৃঃ ১৭৬৫ গী বিসেনপুরদা লৈবা লম অমা) পাল্লম্বা ঔরাগী নিংথৌনা অরাংদা লৈবা পোইশিংগী লৈপাক মৈতৈ নিংথৌবু ঐখোঈ

রক্পা খামরন পোগেপ্ লান্‌চিংবা হুলাই লেংবুক্কী লাইরেল্ তিমেল্ মখুংস্নুনা চৈপীরে। রবাপিন পাৎলেন্‌কোন্‌গী ঔরা লাংকোই খোং-ওইনবা ঔরা লম্‌চিংবা কানেউল্ অথৌববু কাইনা হুল্লে॥ রোৎ চীঙ-তোম্‌পোক্ কাওরেল্ সলথৌ চিফেংফম্‌গী লেকয়া সোইতাংপো অথৌববু হৈরোয়ে॥ শ্রীকাং য়িমৈরম্‌কী ঔরা অতোংরুল্ সনা য়েপ্‌কাং তুপ্পবু থাংলেন্ খুংনা ফংনা য়ানুহংলে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু তুবি চীঙলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বানা লিক্লাই য়িসানৌ খাইচেং লেংনা তিলবা লেম্‌চেং লেম্‌না ফাংবরক্কী শ্রীনবসিংহ লিক্লাই মোইপুং সাদানবা পোইবৈ সেনা-পতি নোংসা লান্‌তানবা নঙদি লাইরেল্ ঐগী সমু ওইরম্ থংবা ঔরা নিংথৌ মপারী পতিংমেল্‌দা রাশক্‌পা সনা য়িল্লেন, ৩ খানবা ওক্‌লেন্

ঔরাগী লাম্মী মপৈ অমা পুহুনা ময়াং লৈপাক্কী তম্পাক্তা লান্দাহুনা ময়াংশিংবু মক্ল ফংনা মাংহল্লুচো হাঈনা থৌদাখিববু ময়াংশিংনা মখোঈদা লান পাংঙ হাঈহুনা মখোঈনা মতেং পাংবদগী ঔরাগী লাম্মী য়াম্না শিতুনা লান্দা ঔরানা মাঈথীবগী শাংতুনা ঔরা নিংথৌনা ঔরা লাম্মী তেঙ্গোল্ অচৌবা অমা পুহুনা মৈতৈ লৈপাক্কী তম্পাক লমদমদা লান্দা-কংবা হা না য়াথং পীবদগী ঔরা লাম্মাগী লুচিংবা পখেপ, অতোংউল্ অথৌবা অনিনা লুচিংহুনা লান্দাবকপদা মৈতৈ লৈপাক্কী য়ুম্নক্তা চঙহুনা মৈতৈ খুনগী মতোন্ ইথং থংবা য়ুম ফাওবা থুংনা কোঈনা চতুনা ফি শীঙকাপ্ থাবগুম ওন্দুনা, কংলাগী য়ুমগী অরাংবা ফাওবা তমহুনা লৈপাক্কী ময়ুং থুংনা নৈবক্লবদা মৈতৈ লৈপাক্কী লাঞ্জেম্নববশিং-খুঞ্জেম্নরবশিংনা; "অখোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা, অহিয়া নিংথৌ শবারেলগুম মৈতৈগী লাইবক নোংদম্বীবিবা, নোংদোন্দা থোক্লিবা নুমিৎকুম্বা—ও, নরৈপাক ময়ুংনা শাংবা মফৈনা পাকপা লমদম অনিদি লৈপুঙগী মখাঙ নিবৃপগুম, য়োৎকী মচী নাইবগুম অরাবদা তাংস, কোংবগী অথোইবা লৈপাক তৌবগুম্ চীঙ ভাগুম্বা চীঙ হুম থোনবগুম অরবা নংলে, চীঙয়া-তময়াগী উগী উংখঙ খুদি মক্তা উ অচৌবগী খাঈদোক্লবা শীঙগী মরোল মরোল

লাংসম কাওগুম্বা লাংকোই খোঙ্ওইনবা পতিংমেলদা অথৌববু ফাব-ও তৌনা কৌএ॥ অতুনোংগীবু লাইখেল্ তুবি চীঙ্লেন নোংত্রেন, খোম্বা শ্রীপার লাম্থাবা ঔর্রা পখেপ্ লান চিংবা কানের্ল, লান্ য়ৈাংগা, লেকয়া সোইতাংবো অদে বিগা থামরন্ অতোরল্ অথৌবগা হুযেল্ লান্পুম্ ৪ মাপু কাইনহুনব-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙফেল মরালহৌদি অসিস্নুং মঙাম্দে॥ ঔর্রা তোংতোই মনিংৌনা মযুম্ অরাং পোইরে মৈতৈ নিংথৌদি ঔর্রা লাল্লোই মপুঙ ফানা থোংনাং তম্দা তানা ময়াং মখৈ ফংনা পন্থেংলু রো থৌসিখিববু থোংনাং লান্নেব্রগী থামরন লান্য়াম্ সি ঔর্রা লান্কা মাংলবদা থামরন্ লান্লোই মপুং-ফানা রাংঙম্ তমদা তানা পন্থেংলরো হায়না থৌসিরাগী ঔর্রা পো থপ

থানা পৈবগুম অরা-অনা তাববশিংনা, "লাইবক্কী নোংদম তম্থবিবা অথোইবা লাই ওইবীবিবা ইনিংথৌ, ঈশিং পীনবিবা লাইগী মশক্কুম্রবা চীঙ্লেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা-ও, কনগী মযাং লৈপাক্তা লৈরিবনো ? ময়াং মখোঙ্গী হাক্কী, কছাবী মখোঙ্গী মদমদগী মৈতৈ লৈপাক্তা লৈখোঙ্ (লৈপাক পানবগী মঙং) কাঙ্গৈবিবনি, লৈপাক মথক-মখা ওল্লিবনি হাঙ্গবসি কবি কাউথোক্লিবনো ? অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌ নঙগী অথোইবা মফম, য়াওবৌ, খুনকাম্ মচীন-মনাওনা লম্লাং লম্দাইবম্বা মফম, বংলাগী লম ; খুবাই লৈয়াংকী পনগী মখা, রাংখৈ লৈয়াংকী পনগীদি মরু, অথোইবা থোঙ্ ওইরিবা য়াইস্কুল লৈয়াংকীদি খুন্গী মতোল, নুংঙাই য়াইফনা পাল্লবা খ্বাই লৈয়াংনচিংবশিংদি অরাবগী মৈবী তাঙ্গোই পাইরে, মৈথুনা অতিয়াগী মবোল মবোল্ শীনবা থুংলে। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌ নঙদি নমাঈ মৈতৈ লৈপাক্লোমদা ওল্লক্কুনা নয়ুমলোমদা হল্লক্লো, নরৈপাক্তা লাক্লো" হাঙ্গনা কপ্লবগী মীকপ্-খোলবু তারবগী অথোইবা লাইগী মতীক মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো. ঈশিং পীনবিবা অথোইবা লাইগুম্বা চীঙ্লেন্ নোংদ্রেন, খোম্বদি, নিংথৌ স্নাপুক্লীং শাওগৎ, নিংথেমগী শাওনীংবগী মখৈ ফংনা, শয়েং পাম্বোম তিংহুনা,

লান্চিংবা অতোংরুল্ অথৌবনা হুয়েল্ লান্কা চিংনা পোইবৈ য়িমলক্ চঙ্ রাংঙম্ খুম্তাল্ লোম্না মোংবা সিংকাপ ভন্ কংলা যুম্লেপ্ তম্না তান্থোং লম্ফৈ চেল্লবগী পোইরৈ হাথৈবা রাংঙম্ খুন্চেন্বনা লাইবেল্ কোনৌ যিনোংথৌ কোবৌ নোংপুমলেন্গী অপান্বা-ও নপোইবৈ তান্থোং ময়ুং কুই নোম্থোং মফৈ পাবপবু পোইবৈ পুঙম্খাং নিক্ হেৎনৌ চিদাই নাইবে, কোংবা লৈবেন্পোৎ চঙ্ঙা চীঙ্জাও থোন্-কুম্বু লান্নংলে পামেল্ রুখাংখা তম্য়া লোক্মাই খুতিংদা রুপী থাবোল্ পৈগুম্না লান্নংনবসিংনা লাইবেল্ কোরৌ য়িনোংথৌ তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা-ও থোংনাং মবৈপাক্কা কগী হুয়েল্ লান্থা-ন্বিনো॥ থোংনাং মস্থংনাং মযাং মীঙাকক্কী পোইবৈ লৈথোং কাই

থাংনা মসা পানবগুম্লে। থৌনা লিংজেন পানবা মী ই মবিগা লোইননা সনাগী সেক্পিন (নিংথৌগী ছাটিন) থান্, থৌবনা অথোইবা থাঙ্ পাঙ্গবনা নাকন : মক্তা চেকশিন্না ঙাক্তুনা : পেবে, সহনাইনচিংবা খোংহুনা, মোইবু, হৌনা কম্লগা অথোইবা লাইগী মহুৎ চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌনা মবৈপাক্কা হল্লক্তুনা, মযুমদা লাক্লবদা, লোইবী অরাংখুল্ হাঙ্গনা কৌখিবদি কবি হৌখিবা থুমিত্তগীনো? থাঙ্গনা মমাঙ্ঙৈদা শাগী নিংথৌনি হাঙ্গনবা. অচৌবা নুঙ পাক্ মবক্তা লৈগনবা, মচা অমত্মক পানববু খোই-দোম অহনবগা. মনাওন্নুপা নুরাং লোইনাই য়াওসা তানবগা ২ মক্কা শাগী মতু ইন্দুনা তান্নরকপা মতমদা রানা-চাওনা তান্নবক্রুম্মী। অতুগী থুমিত্তু-দগী লোইবী অরাংখুল্ হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মহুৎ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চীঙ্গী লমদম অরাংখুল্বু য়োববদা, নিংথৌ ঐগী ইনাওন্নুপা হকচাং তত্থাঙ্গ অমা ওইবিবা, ইপাগী শাগৈগী মচা ওইবিবা অথোইবা রাগী উতাগী ময়াইগুম্না য়াম্না ওইবিবা, ইকাইখুম্নীঙ ঙাই ওইববা নবসি হ, লীক্র, ইগুম যজববা যুবাব জ যমথোন্ ওইবিবা, নিংথৌগী হেক ঙম্থ দা লৈবিনা, হকচাংগী পাঙ্গল ইনথংলক্লিবা নহাক্তি, লোইপোৎ পুন্নমক্তগী অথোইবী ওইরবী ফৌ, ফৌগী মবেম্মা ওইরিবী ফৌওইবা

ৱাঙম্ চিতাই নাইববু কবিকী ৎৌকাওববনো ? লাইবেল্ নঙ্‌কী যাওবৌ নখুনেৎ খুল্‌কাম নকাইফম্— খুবাই পল্‌মখা, ৱাংথৈ পল্‌মক. থোংলেন য়াইসাকুল্ কাইবী খুল্‌দোল্‌লেন্ খ্বাই মনিন্ নাইবদি মৈবি তাংকোই পাই মৈখু নোংলোন কাবে, লাইরেল নমাই পোইবৈ মৈতৈ পাংনা নবাল ওন্তেবক্ নাচীঙ, হল্‌ৱাইবক-ও হাযনা মীকপ্ খোল্‌বু নাতাববগী লাইবেল্ মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্‌লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বদি তুবি খোই ৫৫ লাইবেল্ তিল্লাং মখোই শাও সযেং পাম্‌পোম্ তিং থাংসা মতম্ পাল্‌কুম্ নমু পোংপুম্ অচংপা ৪ মবু সমু পাল্লোইননা সনা সেকপিন্ খাল্ থাংলেন্ যৌথৌ ফাল্ পেপে সানাই খোং মোইপুং থিল্‌কাম্‌না তুবি মবান্ ওন্তেবক্ লাইবেল মচাং হল্‌বাইবল্লবদা লোইবা অৱাংখুল্-ও কৌবদি

লাইবেম্বী অমসুং মাগী মতা ৬ মকা মযাংগী লৈপাক্তা চৎলগে, মখোইগী লৈপাক্তা লৈকবগে হাঈনা চৎখিবা মতমদা লেল্লবা মফম্বু মৈতৈ লান্মী খরগা লোঈননা লান থেংনরু। কমেংগী ফৈনা লৈবিবা চাঙবু লান্‌না খামবন আবা লান্মাবু হোঈথবকুউ। অঙোম্‌গী লুৱাংবা কৌবা লাইফম শঙলেন, লাকপা অচানবা নঙ্‌না তুপুল্ কৌবা তুবেলগী খোংলম ইন্দুনা চৎলগা ইবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো সেনবী খাগেম্বগী চঙবী লফুগী কৈ ওইবম্বা কৈনৌবামদগী আবাগী মনীংলোমদগী খোমগৎলকুউ। অথোইবা লমতুপ অমবু খোংঙাখুল্ থোংগোক ঙাপুবম কৌবদি কবি তৌখিবা মুমিত্তগীনো ? মৈতৈগী মবুংঙো মী পুন্নমক্কী মৱী-মতাগুম্বা থৱানথাবনা লানলোই লৈযাৎকা অথোইবা লম ঈযৈবীদগী ঙা ফাবা মতমদা ঙা যায়া ফামন্‌বদগী ঙা পুবা-হোনবা ঙমদবা মথৈ লেংবান্দা থোঙ্গত্তুনা পুবদা পোৎপু / পোপু তেক্লম্মী, অত্থদগী থোংতেক্ হাঈনা বৌথি। মহাক্কী মুপী-অঙাং পুন্নমক হৌদুনা ঙা হোল্লম্মী হাঈবগী ঙাহোনখুল্ হাঈনা কৌববু ৱাইৎগী নাতৈ চাবা থিবশিংনা হেম্বা খোংঙাখুল্ হাঈনা কৌনখি। অথোইবা লম খোংঙাখুল্‌দা অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লান্‌খৌ শাহুনা লান্দাবদি খোংঙাখুল্‌গী খুন্‌গী

কদৌনোংগীনো ॥ লুহান্নোং হয়িবৈদা য়াওরো সানিংথৌ থৌহু মুংপাক্ কোইরুবা চিরেন্ তোম্পোক্পবু মপারী লুরাং ল্যোইনাই য়াওসা তান্বগা ২ মনা য়াওরো তুংইন তান্নরৈদা রাংনা চাওনা তান্নরক্এ ॥ অহুনোংগীবু লোইবী অরাংখুল্–ও তৌনা কৌএ ॥ ল্যাইরেল্ মৈতেংঙ্না লোইবী অরাংখুল্বু য়োরবদা ল্যাইরেল্ ঐগী ইসানৌ মচেঙ্ হক্মারোই পঙ্গৌ মপাচা র্.কুলেন্ তোংয়াইগী শ্রীনরসিংহ লিক্লাই যুবারাজ চীঙ্খোং য়াইমবা লাংচেং নথোক্লক্পা নংদি লোইমোম্ ফোওইবী খোইনৌ মতা ৬ মক্তা থোংনাং কারোক্লে, ময়াং কাফারৈবু য়িল্তাল্গে হায়রৈদা ফায়েং নোংফাইরম্বু পোইরৈ লান্মী খরগা হুয়েন্ লানতাখি–ও কমেং চীঙ্ফৈ লান্না থামরন্ লান্ খোম্থবক্-ও য়িদাইরেম্ লুরাংবা অঙোম্চা

লৈঙাক্শঙ, থুগাঈরে, থোংতেক্কী মীশিংবু মাঈথীবা পীরে। লানকম্হুগী লানফা ওইনা হাংখিবদি আরাগী লাং মরক্তা লেপ্তুনা য়েক্লবগী লান্মী য়েংবা, লান্জাবা উনলিরা কৌবা অথৌবহুনি।..অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌ অসিনা চুঙ্ পাঈহুনা চুঙনা হকচাং শেন্নহুনা শোক্লখিবা লানফমদি মসিনসু লোঙ্ঈদ্রি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা হাঈরকই—"নিংথৌ ঐগী ইনাও ইবুংঙো য়াঈমা, মৈতৈ লৈপাক্কী সেনাপতি লাঞ্জিংলেন্ ওইরিবা নহাক্তি নিংথৌ ঐনা অতৈ উচেক্-শিংগী মতু খোমজিন্দুনা লাংমৈদোং কৌবা উচেক্ ওনবগুম অরাবা তারবদসু রামিন্নরক্লবা, অপোম–অতং নংবদসু নংমিন্নরক্লবা, মতোল রাংলবা চীঙ্–দোল্দা লৈচিল্লা কুম্লগুম অরাবগী লৈচিন্ থাংবদসু থাংমিন্নরক্লবা, ঐখোঈ ইচিল–ইনাওগী মুংশিনবগী মতৌ–মওং অসিদি ময়াংগী মরোং মরোং পানবা ক্বা কৌবা হৈগুম মগুং ফক্পদসু ফক্তোক্লবা ওম্দবা, চাওরবা লফোই ওমপোৎপু চাওমনবনা অমমম শেক্তোকসি হাঈরবসু শেক্তোক্লবা ওম্নদবগী মওং-মতৌ ওইরিবা, অহুনসু লোঙ্ঈবা নত্রি। লাইশিংনা লৈবা মাঈকৈ, অরাংলোমগী অথোইবা লমদম ঈচাই কৌবগী মখাদা লৈবা, লিংবি কৌবা চাক্লু খোক্পা লম, রাইচী কৌবা লম্লালম, রাইকোক্

লাইফম্ লৌসিহন্বা নঙ্দি তুপুন্ ল্মাইজা য়িরম্ য়িল্ য়িয়ু মৈতেংঙ্ সেনবী থাকেম্বগী চংবী মকৈরেন্ কৈনৌ অচনবরম্ অব্রা শিংলম্ খোম্লক্-ও ॥ লমলেন মদাইমা খোংঙাখুল্ থোংথোক্ ঙাপুবম্-ও কৌবদি কন্দৌনাংগীনো ॥ মৈতেংঙ্ লোইনাই থরাল্থাবনা লম্লেন্ লালোই যিযবীগী লেমলৈ ঙাচেন্নঙৈ ৱানচেং পুঙম্দা লেম্লৈ হোনঙ দবগী পোৎপু লেংনমথোংবু তেক্লন থোংতেক্–ও তৌনা কৌএ ॥ তাল্লোই তুচা হৌনা লেমলৈ ঙাহানলমএ ॥ ঙাহোনথল–ও কৌববু পোইলৈ তাবা শিবনা হেম্বা খোংঙাখুল্-ও কৌএ ॥ লমলেন খোংঙাখুল্দা লাইরেন মৈতেংঙ্না খৌসাথনদি খোংঙাপল যাকা চাইবে থোংতেক্ ৱাইহুন্নবে ॥ হুয়েল লান্নিকিদি ইৱা লাংল্লেপ্পা থামবন্ মীতাক সান্‌ফোংবা ৱুনলিৱা অথৌবৱ

কৌবা অথোইবা লম শগোলমাং কৌবা লম মরিমক্তা লৈবম্বা আরাগী লম কল্লম্বা মরিমক্পু হাংপা হাইবা মিথোনবা অসিনম্ভ লোঈদ্রি। লোইশিংনা খুন্দাবা লমগী মচেৎ অমদা লৈবা থাংতেক্ য়াইপুবম্ কৌবা যাই পুবী অমাইবানা অথোইবা য়াই মনঙ্গন্দা পোত্নুনা ঈশিং ঈরানখিবা মফমগা লোন্ননা লৈবা মেঃ হাউবা কৌবগী কবোক্ খোং কৌনবা লৈম-খোংগী খোংলম থেকচিনবা মফম, নমথি খোংগী মমৈ ওইবা লম, লাইরেন্না শিবা অৈৌবা পাংকৌ লমথৈ মনুদগী আবাগী শেন'ধাতু'বেল-মেটেল খোম্বা, শন লৌননবা শিবা, আবাগী সোইয় কৌবা অথোইবন-চিংবা লানফা ১৷ ফাবা কৌবা অতুনম্ভ লোঈদ্রিবনি। নীংথীত্রনা মমৈ হাইতুনা চৎপা শল, কাউরেল মহারাবা কৌববু কংখিবা অথোইবা লমগী মচেৎ অমবু ইশাগা লোঈনবা, ইশাগী ইতাংদা লৈবা তাংলৈ হাঙ্গনা থঙ্নবা লিননা পোক্‌খিবা মফম তাংলৈহাদা কৌবা মফম্বু লাম্থোক্লগা লৈবা, অচম্বা মীশিংগী মনীং শুম্বা, মথা ফাকপা লৌফম ওইরিবা, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো থোংনা ময়াম্বা গরিব-নিৱাজগী চঙ্বী লফু থারম্বা লফুগী বন লৈবা কৈনৌগী লমদমদগী আৱাগী লম্ য়েংবা মীচিংউন অথোইবনচিংবা লানফা ৩· ফাবা হাঙ্গনা কৌবা

কাইনহুনৃলে। লাইরেন, সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্হনদি অহুস্নুং মতোম্দে॥ লাইরেন্ মৈতেংঙুনা রাহমৃলক্এ লাইরেল্ য়িসানৌ চীঙখোং য়াইমবা পোইরৈ সনাপতি হুযেন, লানচিংলেন্ অথৌবা নঙ্দি লাইরেল্ ঐনা অখোম্ লাংমৈওনবদা ওন্মন্না য়েন্বী সারোই হুন্বদা হুন্মন্নবা মতোল্ য়ারাচীঙ্ চিন্চোল্ চোন্লৈনা থাংকুম্ববু থাংমন্নরক্পা সানৌ য়িচিল্ য়িনাওগী চান্না মতৌ রোন্থোক্পা থোংনাং ক্না তাওচীং লোংচুম্ হৈকুম্ববু ফক্লঙমদবা সিঙ্লেন্ রোম্পোৎ চাওরা হৈওন্থোক্কুম্ সেৎসি সেৎঙমৃদবা অহুস্নুং মতোম্দে॥ অরাং লাইনা পাংবরম্ লমলেন্ য়িসাই-খা লিংবি চাক্থোক্লম্ রাইচি লম্লান্লম রাইকোক্ লম্মহন্ লাংগোই সাগোল্মাংগী ঔরা লম্কন্বা ৪ মাপু কাইনা হুন্বা-ও তৌনা কৌএ॥ অহুস্নুং মতোম্দে॥ লোইয়া মদাইমা থা‹তেক্ য়াইপুবম্ খারি

অহুনস্নু লোঈড্রি। অঙোমগী মীশিংননা লৌ ওইননবা লৌফম থিখিবা লম মতাই অমা, ঈশিং লাম্থোক্লগা লৈবা লোই থানবা মফম, পাসি কৌবা ফমগীদমক্তা তম্বা / পিবা লৌফম, হাওতং কৌবা ফুরুপ্না লৈপুং মথক্তা য়ুম শারম্বদগী লৌফম ওইখ্রবা মফম, মৈতৈগী মবুংঙো অতাং-জাম্বগী ময়ুম লৈরম্বা মফম, খোঈরীথোংগী খোংলম মপান নক্না লৈবা চিংবা ফুবা কৌবা কৈথেল্ লৈবা মফমগী আরা মুবাস্উল লাম্থোবনচিংবা লানফা ৫ ফাবা হাঈনা কৌবা অসিনস্নু লোঈড্রি। ককচীং চোংচাঙ্ হাঈনা কৌবা অথোইবা লম সান্না রাইরৌ / তুঙ্গোল পাম্বা কৌবনা থাঙ্শাং শৎখিবা মফম্, খুমন্শিংনা শংখুপাৎ কৌবা, রাগী মরু তাউবা থৌবাল তুরেলগী, মুঙ্না পরেং পরেং তাবা মফম, হুইগী পুং / লৈপুংনা লৈবা লম্, আরাগী পাইথু কৌবা কাংলুপকী নিংথৌ চপাবা কৌবা লাম্জিলেন্নচিংবা আরা লানফা ৩০ কাবা হাঈনা কৌখি। লৌ য়াম্না লৈবা পাৎকী লমদম ওইবা লম মচেৎ সিথোং কৌবা, পাসি লমগী তোম্বা কৌবনা ওক্ হুরগা য়ানবা, খুমন্গী তোম্বনা মপা ওইবা ঙা য়ানখিবা ঈচেলশিং হৌরক্ফম ওইবা কোঙ্গোল্ কৌবা অথোইবা মফম্, তোক্পাই

য়াইপুবীনা য়াইবেল্ নমাদা পোনা লাইজা যিবানরাইবু ভম্‌লোম্লনা মেম্‌ তাওবা কবোকখোং লৈমখোং শোবৈথেক্ নম্থি যিমৈশম্ লাইবেল্ সিবী পাৎলেন্‌কোন, ঔরা ৭ সেল্‌তম্বা কাওবেল্ সন্‌থিবা ঔরা সোইয়ু অথৌব নচিংনা হুয়েল্ লানপুম্ ৫ ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ অচুম্বু মতোম্‌দে॥ লম্‌লেন, মদাইমা সনা হাইনুসল্ কাওবেল্ মহাবাবা সনকৎলম্ যিবোই য়িতাংলৈ তাংলৈ হাথরৌবু নাইনেনা পোংচা, লৌদি লৌনিংসুম্ লৌখা-ফাক্ লাইবেল্ মৈতেংঙু খোংনাং মযাং ভম্বা চংবী মবেপেন, কৈবেন, মখুৎফা কৈনৌ অচন্‌বদগী ঔরা লমযেংব, মাচিংবল্ল অথৌবনচিংবা ঔরা ৫০ ফাবা-ও তৌনা কৌএ। অচুম্ব মতোম্‌দে॥ লমতোন মদাইমা অঙৌবা লৌথিখোং যিবান্‌লোইথাবৌ পাসিফম্‌তমলৌ হাওত পুংকাইবৌ

কৌবা অথোইবা লমদম, মৈতৈগী মবুঙো নোংচুপ রাইবং পামহৈবা / চৌরজিংনা কৈ ফাখিবা লোক্‌পু লাম্বোক্রগা কাপ্রং কৌবা লমদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবু ঙোনা চুঙ্‌না মথা ঙাইহাক্ লৈতনা কুপ্পুনা তাজীন্ মাঙদা চিংহুনা তানীং তুংলোন্দা ওম্বোকুনা শনগী মযাঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংহুনা, ফিংমনবনা খংন কৌবা তনা লৈঙ্গাঙ্গ ফাওনা লেংহুনা লাম্বেংনবদি কাপ্রংগী খুনগী লৈতোব্‌মচগী খুদিংমযম থগাইবে, আরাগী লাম্নী ময়ান্ হাৎলে। লান্‌ফমহুদা অরাগী মোইরাংউন পৌবা লমজিং-লম্‌তাক্লকুপনচিংবা আরা ১০ খক্ হাংখি। অচু গী র কবাবোইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কাপ্রং লাম্বাবা নরামে নবাংউন হাৎপা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মঙীক কৈববা নাংবা মাংগী চুঙ পাঙ্গহুনা চুঙ্‌না মশা কন্দুনা লাম্বেংনবদি অচুনম্বু দব নংদু নোং-পোক্ মাঙ্গকৈ পাংবোমদা লৈবা খুজাইবোক্ বৌবা চংদুনা। হুংদুনা আরাগী মোবে কৌবা য়োৎ শুংবা মফম, ক্যাং লমগী মেন্দুন পোংবা মাও, শাবা মফম্, কবোগী খমিৎ কৌবা ঙারেন যাননিবা মফম দোদাখগা লৈবা আরাগী নোংকাবা কৌবা তুবেলগী মঙ্গ, যাঙ্গানোংগী পম্বাওগা লৈবা মুরোং কৌবা থুম শংবা মফম, আরাগীনা নকোন্দা কৌবা

মৈতেংঙু অতাংচাম্বা মকাইফম্ খোইরিখোং য়িয়াহেপ্ হিংবা কুবা কৈখেনঃ লেনগী ঐরা মুবন্সিরল্ লাম্থোয়াংনচিংনা থাম্লন, ৫ ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ অহুমুং মতোমদে॥ লম্লেন ককচিং চোংচিংলম্ সাম্না মাইরৌ পাম্বা থাংলেন, কোম্সং লম্, খুমল্ সংখুপাং থৌবাল্ মারু তাও থৌম্ভ মুংকারেং হুইপুং লম্মুংসিদা ঐরা পাইখু মনিংথৌ সেনবী চপাবা লানচিংবনচিংবনা ঐরা ৩০ ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লম্লেন, মদাইমা সিকোং লোইয়াম্পাং পাৎসি তোল্বা ওক্‌হুয়ান্ খুমন্ তোনবা ঙাপায়ান, লম্লেন্ কাংকোল্ য়িমরু লম্লেন্ তোকপাই, মৈতেংঙু নোংচুপ্ মাইরুং পাম্হৈবা পানবা কৈফারোকপু নাতৈননা কাপ্রং মপুংয়াইদা লাইরেল্ মৈতেংঙুনা চুঙলেন্ থাকুপ্ হৌ, খেরে মাংয়িন্না খোরাং ভুংসোন্না

মৈতৈনা কোন্দোং শাঙ্গেল্লম্ কৌবা, তুমুগী অথোইবা ময়োল্লমদা শাবা আরাগী অচৌবা তেঙ্গাদা অরাগী চেঙ পুবা লাম্না, পাইখুগী ঙা পুবা লাম্না, থাব্রন,মোন-খামেরগী মানা তাম্নরকপদগী মমাঙ্গ থরুবশিংনা পোখাবা মফম, আরাগী লাঞ্জেনবশিংনা অরা পোখোক- পোওানবা মফম, পাইখুশিং তাপ্ কৌবা অচৌবা তেঙ্গালদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈলৈপাক্কী খুন্ পুম্নমক্কী মা পুম্নমক হোত্নুনা, মীনাই খুন্গী মীনাই পুন্নমক তিন্দুনা রাইফল নোংমৈগী মনীংনা থরক্তা তক্তুনা, খুৎনা পাঙ্গবা নোংমৈ পুম্নমক খুৎকাপ কুনা কাপ্তুনা অচৌবা মৈজাওগী মৈবুল অপাইবা, থাবা কৌবা থরাম্মীচাক্ ফাওবনা লাঞ্জেন্নবা মৈকাপ্পী শঙ্গাইশেন্না য়াঙনা পাইবা অতুণ্ডম পাইহন্দুনা কাপশিল্লবদা মমিং চৎলুবা আরাগী লাম্মীশিংহু অহিং নোংয়াঙ্গী মতমদা খোই মহুম থুগাঙ্গবদা খোইশিংনা মথোঙ মরম খঙদনা চাঙ্গথাঙ্গখিবগুম চাঙ্গথাঙ্গরক্তুনা আরা লাম্মীশিংবু চাঙগী পাম্দা তান্নবগুম তাননরগা খোঙনা নেৎ নেক্তুনা য়াম্থুরে। লানফম্সিদা সমজোক্ নিংথৌ মাওসোই, শীথীলাক্পা ককাং, কবোগী খম্পাংউল্ কলেগী নিংথৌ সোইয়োং অথোবগা ৪ মক্পু মাঙ্গথীবা পীখি। অহুগী তুমিত্তগী আরাগী লাকোনতোংগী আরা লানফা ৪০,

কাওরেন্ লম্খাঙ্ ১০ লান্ খনং লাইতং লেংনা শঙ্গেংথবদি কাপ্রং শাকা লাইরে, ঙৈরা লান্ কম্ থারে॥ হুয়েন লান্ নিকিদি ঙৈরা মোইবাংরল লমচিংবনা চিংনা ঙৈরা ১০ মপু কাইনহল্লে॥ লাইবেল্ মৈতেংঙ্ কাপ্রং লম্বাবা ঙৈরা মোইরাংরল্ অথৌববু কাইনহনবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেন্ সনা মচুঙ্‌সেল্ চুঙ্‌সেল্ মরাল্‌শুনদি অহুম্মুং মতে'মদে॥ হাওরে নোংপোক্‌লা পাংবরম্ লোইবী খুজাইরোক্‌পু কাম্না চোং সেন্‌বী মোবে য়োংসুংলম্ ক্যাং মোনতুম্ থাংসারাই সেন্‌বী খমিং ঙাবেল্ য়ান্‌বু নাতৈনা সেন্‌বী নোংকাপা য়িমক কাপ্পাকোই লম্মাপাক্ সেন্‌বী মুবোং থুমসুংরাই কবো সেন্‌বী লাকোন্তো' কোন্তোং সাচেল্লম্ তুম্ মপুংয়াই ঙৈরা তেংকোল্‌লেন্ খামরন্ চেংপুবোঈ পাইথ্ লেম্লৈ ঙাপুবোই খামরন্

মংসাদগী লানকা ৩০ ফাবা, থাংগ্রা উয়ামপোত্তগী শগোল ৬০, নম্মিয়া ভুরেল মরুদগী শামু ০ লোক্‌পা, সমজোক্ কোম্নুংদগী সমজোকী লৈমন চিংবা লানবা ৬৩০ ফাবা, অজো চীঙ্‌জাও শম্নগা কবোগী নমসীগী মীশিংবু নেত্তুনা য়াম্বা, মোনফু কৌবা অথোইবা কোম্নুংদগী কবোগী লাম্মী ময়াম-ফাবা, শনরাম খোম্বা হাঈনা মিঙ্গৌখি। অহুগী হুমিত্তুগী খোৎনৌহুনগী অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নীংথৗ, শেলগী লোইশিংমা শুন্দাবা লমদা থৌশাবা, মোনফুগী কোম্নুংদা লানওম ফিরাম থেৎপা, আরাগী মাঈকৈবোমদা লম লৌশিনবা, লোই চনশিনবদা থৌনা কবা, তুম্মুদা লান্দাবা, 'আরাগী তম্পাক লোগী লৌকম থাংগ্রা উয়ামপোক্ কৌবা মফমদা আরাশিংবু চেন্না চেন্না ফাবা খামবন লানফা ময়াম-ফাবা হাঈনা মিংথোনখি। অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা মৈতৈগী অবুংঙো, ঈশিংগী লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা চীঙ্‌লেন্ নোংক্রেন্ খোম্বনা চুঙ্ পাঈহুনা চুজোই শেন্নহুনা লান শোরুখিবদি অসিনসু লোঈদ্রি। খা-জোংচুল-পাম্বা মাঈকৈরোমদা লৈবা অথোইবা লমবু লোল্লোই লৈমতাক্ অতোং পুজাইটাঙ্ কৌবদি কন্নি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? হেইভোম/ ... লম তু লাংতৈথোইবী কৌবী, শেম্বা ফনবগী মতীক মনা কাংবী,

তক্‌চেঙনবনা পোংথাফম্ ঐরা লাল্‌চেন্‌বনা গোংথোকলম্ পাইখু তাপ্ তেংকোল্‌লেন্দা লাইরল্ মৈতেংঙুদি পোইরৈ থুনচা হৌ তয়ম্ নাইচা তিননা খামরন নোংমৈ থাফেংনা খুদোং থিনকাপ্ কুংনা থা মৈবী নকর অপাইবা থাবা লানচেল্ মৈকাপ্পীবু সঙাইসেল্ সাফু তমনা স্থুরবদা খামরন্ মনিন্ নাইবদি য়িন্নুং সোইয়াইমাদা খোইফু মহুম্ চাইকুম্‌লবগী ঐরা পামতানবা থামরন্ নেংচং যাল্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি সেনবী সোংস্থুক্ মানিংথৌ মাঙসোই লান চিংবগা সেনবী য়িংথিবাপা ককাং-লান চিংবগা কণো খমপাংরল্ লাম্ভৌয়াংগা সেনবী কল্লে মনিংথৌ সোইয়োং অথৌবগা হুয়েল্ লানপুম্ মাপু কাইনা হুনলে॥ অহুস্থুং মতোম্‌দে॥ অহুনোংগীবু সেনবী লাকোন তোংগী ঐরা ৪০ কাবা মংসা

শাবা কনবগী মতীক য়েংনীদবা পোকহনবী (মিং উইশিনহনবী) না, "ইবুং / ইপা অথম্বা চৈঙনা লম্বু ওইহন্নবা নিংঙোলগী মগুগী মচা (নিংঙোম্বম মচা) খোঙরীখোম্বা, ইবুং / ইপা হুইদ্রোম সেনবা নহা কৌবনা শিখিবা চীঙ্ অহুব কবম্বনে।" হাঙনা হংবদা লম্বু ওইরবা খোংবীখোম্বা নিংঙোল-স্থুচানা খুমখি, "হে ইচে / ইচন চাপং খুনগী মবেম্মা ওইবা-ও, নবুং / নপা হুইদ্রোমগী সেনবা নহানা শিখিবা চীঙদি চাপং চীঙগী মনাকমক্তদা লৈরিবা, চীঙমীশিংনা লোই লৌরিবা চীঙ, য়োংগী তেঙ্গোল মপুং ফানা লৈরিবা চীঙশাং, লোইবী শিংকোচাঙ্ কৌবা চীঙমীশিং ময়ুম শারিবা থেলশিং লৈরিবা অসিনি" হাঙনা মথুংনা থিন্দুনা তাক্লম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লম লোল্লোই লৈমতাক্ হাঙনা কৌখি। লমদম মচেং অমবু ময়ুরোল চীঙ্ হাঙনা কৌখিবদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো? থাঙনা, থাঙনা মমাঙ্‌ঙৈদা অদোন লাইস্থুচা কৌবা, খুমন্ মুপা, উ য়াল্লুবগা চিংলকপদা চিংলিবশিংবু রাদনবা লাউহুনা মপুক্লীং পৌগংলিবা উরাওবনা উগী মতোন / মখোক্তা হুত্তুনা থৌরী লোম্নবা শেম্বা অহুংপহুগী মমুংদগী ওইখিবা শা, ফত্তবা থাদা মরু হুনখিবা, কুমথী—কুমগাংবা শাথীবা চহিদা পোক্লকপা চি-চি লাউনা খোংবা মমৈ শাংবা, ফক্লাংদা থেংহুনা

পাংলেন্কোনগী ঔরা ৩০ ফাবা থাংলা রুয়াম্পোক্কী লাংগোই সাগোল্ ৩০ লোক্পা নমমিয়া তুরেল্ লুগী সাম্ ১০ ফাবা সেন্বী সোংস্নুক্ য়োইকোম্নুংগী সোংস্নুক্ মরৈমাবীনচিংনা ৩৩০ খোম্বা সেন্বী অঙ্গোচীঙ্ জাও সম্ কবো নমমিয়া নেংচং য়ান মোন্ফু কোম্নুংলেন্গী সেনবী মীয়াম্ খোম্ কাওরেল্ সনয়াম্ খোম্বা-ও তৌনা কৌএ॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু য়িংথি সেললোইদা তা খৌসাবা মোন্ফু য়োইকোম্নুংদা চবৈ ফিরাল থেংপা সেনবী থোংলেন্ লমচন্ থৌবা তুম্ লান্থাবা সেনবী তম্লৌ-রেল্ থাংলা উয়াম্পোক্তা ঔরা চেন্‌রাইনবা খামবন্ লানফম থাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বগী লাইরেন্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল মবান্ওনদি অসিস্নুং মতোম্দে॥ হাওরৈ

কোঙ্গনা চংপা, মমা রা-লৌবশিংগী মবেম্মা, উগী মমিং ওইবশিংগী নিংথৌগী মচা নিংঙোম্না পোকপা উচী হুই ৭ শাংবনা লোংলম্মী হাঙ্গ-বদগী উচীরোন্ কৌবু চীঙ্দা মুংঙাইনা পানবশিংনা পাইয়ুরোন/ময়ুরোন্ হাঙ্গনা কৌথি। অথোইবা লম্ ময়ুরোন্বু লাংস্তাক্লগা লৈবা অথোইবা লম্ কোংয়াংফাই; ফাই, তম্পাক্, ফাইগী মনাক্তা লাম্লগা ঙারাবা কৌবনা মখোঙ থীনখিবা লোক্, খাবাবা কৌবনা ঙাইহাক্ লৈতনা লৈরম্বা লোক্তা হেক থংননা লৈবা লমদম্বু লুরাংলোং / লুরাংলোন্ হাঙ্গনা কৌথিবদি করি তৌবা মুমিত্তগীনো? থাঙ্গনা মমাঙ্ঙৈদা মোইরাংগী খাইতোন লৌথিবা কৌবগী মচানুগী লৈমা কুজরেম্বীগী মচানুপা থোংকন তেলহৈবনা অঙাং ওইরিঙৈদা অপোকপা মপা য়াংহন্ কৌবা কুদা তাউ-থরক্পবু মমা পোকপা মধৌগী চংবী লফু য়োক্পা লফুগী ইংখোন্দা পয়া পরল মরক্তা লোতুনা লৈববু পয়া ককপদা থাঙ্না য়ান্দুনা শিরবদা মমানা থোংকন্ তেল্হৈববু লোংলু হাঙ্গনা তাক্পীবদগী লোংলম্মী। অহুগী মুমিতুদগী লুরাংলোং হাঙ্গনা কৌথি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চহি ৭ খুম্তাক্পদা মৈতৈশিংনা লাঞ্জেল্লকুনা থৈরবা মতমদা মৈতৈশিংবু মীনাই ওইনা কাথিবা, মখোঙ্গী মরল মথুম,

নোংচুপ খানা পাংববম্ লমলেন, লোন্লোই লৈমতাক্ অমসুংতা মুংকাই চীঙ্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ হোইতোম চম্নু লাংহৈথোইবী অসেম্ কম্না নাপা কাংবী অসা কম্না চেংলৌ ঋিথোং লোন্বীনা হে ঋিচুলিথৌ চৈগু অথন্ লম্বু থারবা খোইরিথোম্বা নিংঙোলমুচা-ও ঋিচু হোইতোম্ সেল্বা নাহা নোংমল্ চীঙ্বু কদাইনো হায়না পাওকংববু লম্বু থারবা খোইবিথোম্বা নিংঙোল্ সুচানা পাওখু। থিএ হে ঋিমোম্ চাপং মরৈম্বাবী-ও নচু হোইতোম্ সেনবা নাহানা নোংমনবা চীঙ্দি লোইবী চাপং নাক-থিন্থং হেন্বা লোইকৌচীঙ্ খ্বা লাল্লোই মপুংফাবা মচীঙ্সাং লোইবী সিকৌচীঙ হেন্বা কাইবমথেল্ অসিনে হায়না সমু খুৎপু থিন্না পাও-জাক্লম্এ॥ অচুনোংগীবু লমলেন্ লোন্লোই লৈমতাক্-ও তৌনা কৌএ॥

মশন-মওক্ মুনথিবশিংচু অমুক্ হন্না শিংলো হাঈবদা পীদবগীদমক্তা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈ নিংথৌনা মপুক্রীং খোঈশাওনা ঈশিংগী মপী লাইবেল্লা-মমৈনা হাই-চুম্নগুম লেং-ওতুবা তিংথংগী পজাও য়াম্বতুনা, ফুবাউনা পন তাইশিন্নবা য়ুংবা উয়ুং ফুক্তোক্তুনা, চুঙ্গী মরেপ ৬০ চোংথতুনা, শনগী ময়াঙ লেমগী অশাংবা ১০ লান্না চোংচুনা, থুমন-বনা থংনং কৌবা তানা লৈতঙ্গাই লেংবগা লোঈনা লানথেংনবদি ময়ুরোল খুন্গী লৈঙাকশঙ্ খুগাঈবে, চীঙ্মীশিংবু চীঙ গী পাম্ কাওবা তান্নবে। লানফমচুদা লুরাংলোৎ খুন্গী নিংথৌ খুনবু লেংযানগা মাপী মুপী, ঈশিং শোক্কনবী হাওনু লায়েপন্নু কৌবীগা অনিমকপু হাংখি। অচুগী মুমিত্তগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙ্মী খুঙ্গং লুরাংলোৎঙম্বা হাঈনা মিঙ্গৌথি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লুরাংলোৎঙম্বগী চুঙ্ শেন্নবগী লান্ফমদি অচুনমু-লোইদ্রি। নোংপোক্ মাঈকৈ পাংবোমদা নবুধৌ লাইগী ঙমথং ওইরবা পোন্নইরে তোন,. অচৌবা খুনগী খ্বাইদগী অহল্ ওইরবা মী ওইবা, অরিবনা রোকপা অরিবা শাগৈগী মী অচুনা শিবা নাবা লৈরোঈবনা খুন্ থিঙ্গিনা চীঙ্গ্যাবগী মরিং মুক্রাকী অথোইবা খুঙ্গং, কাহোই খোবা চীঙ্লাও, ক্রয়োংকেন্

লম্লেন্ মদাইদা লোইবী ময়ুবোল, কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লাহান্ নোং হয়িঙৈদা লোইরম্ অতোন্ লাইস্নচা তল্লা পামেল্ রুব্রাওনবনা খোংচি মারেম্ন গী শুইখি সা লোইদাম্ থানামুংদা নারোইবা লাংহৈকুম্-সাথিদা নাওনৌবা চিবা মৈসাংবা ফক্লাং থেংকোইবা পলেম্ মমা রায়ারৈমা রুমিং নিংথৌ চমু মপাবী চিপা রাই ৭ শুবনা লোৎলম্ত্র হায়রবগী রুচিবোন্-ও কৌথবু হেম্বা মনিন, নাইবনা পাইয়ুরোন্ ও কৌএ ॥ লম্লেন্ পাইয়ুবোনবু নাতৈননা লম্লেন্ কোংয়াংফাই ফাই-তম্পাক্ ফাইয়ারাল্ ডারাবা থেংগিল্লোক্ থারাবা য়াকালোক্পু ভম্লোম্নমা হেম্বা লুব্রাংলোৎ-ও কৌবদি কদৌনেংগীনো ॥ লহান্নোং হয়িঙৈদা কেকে থাইতোন্ লৌথিবা মযোম্লোন্ লৈমা কুম্চারেম্বী

কৌবা মমিং চৎলবা খুঙ্গং নখোঙ্গদি আরাদনা রা অমা হাঙ্গ, অতুগা মৈতৈ নিংথৌ ঐঙোন্দা রা অমা হেক্তা তম্মী, অতুগা নিংথৌ ঐগী ইনাই নখোঙ্গ লম্গী থবক্ ইনথাং পুবা লম্বুবু তুম্না নখোঙ্গগী নখুন্দা মাংহন-থিবতুগী রাকমস্ন কাউদ্রি, মতুগী লমন্ থুম্গনি হাঙ্গনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মবিংগী চীঙ্শাংতুদা চুঙ্তু থপ্ থপ্ চোংহন্দুনা, তাজিন্না মাঙদা শীংতুনা, তাখোক্লা নাপী-শীংবী নমতুনা, তাগী ময়াম্না মাঙ্লোমদা ইন্দুনা তা খোশাতুনা লান্দাবদি চীঙ্শাংতুগী নাপাক্ অমা নীকখি। মরিংগী লাংপার্ম ময়াম কুংনা হৌবগুম লেপ্লম্বা লাম্নাশিং লোঙ্গনা তুরে। লানফমতুদা চীঙ্মাশিংগী লমগী লমখৈ তাক্পা লৈপুং, অরিবা লমঙ্গৌ কৌবা খুন্গী নিংথৌ তেনাই কৌবা লান্দা য়াঙ্না থৌনা ফবনু হাংখি। অতুনস্ন লোঙ্গদ্রি, চীঙ্গী খুঙ্গং তাপংপুং, চীঙ্মী খুঙ্গং মাত্রংশাংগী লৈঙাক্পা মরিং আকো কৌবা অথৌবনচিংতুনা লানফা ৬ পুস্ন হাংখি, অতুনস্ন লোঙ্গদ্রি, অরিবা খুঙ্গং থাবোগী নিংথৌ ককেপ্ কৌবা চীঙ্শাংদা লানহৌবগা, অরিবা খুঙ্গং চরৈগী নিংথৌ আমে থাঙ্-শাবা কৌবা লান্দা য়াঙ্না থৌনা ফবগা অনিসিনচিংনা মরিং লানফা ৪ বুস্ন, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোসিনা ওঙ্গদা

মপারী থোংকল্ তেল্হৈবানা নরা মখুঙৈ পলেম্ থৌতিক্থোল্গী পম্বৌ মপা পোক্মাবা য়াংহল কুতাওববু ময়ু চংবী মকৈমুংদা পয়া পামোংলকী নোংমল্রাইবু সোংকিরাগী সান্থুপলম্মএ॥ অদুনোংগীবু লুরাংলোং-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্না য়িপোইরৈ হাথৈনোংগী তয়িম্নাই ফাবা কাওরেল্ সল্মুন্নোংগীবু পি-ও হায়ববু পীদরাগী লাইরেল্ থিংকু মথি নাই তুবি মৈনা রোং সাইবা পম্লেন্ য়ান্ কুরাও পন্তাই সং চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সল্ থাং ১০ লান্ খংনং লইতং লেংনা পম্বেংথবদি ময়ুরোল্ য়াকা চাইরে, হেম্বা পাম্তাম্লরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিতি লোইবী লুরাংলোং মনিংথৌ খুন্বু লেংয়ান্ অথৌবগা মরুম্বী হাওন্থু লায়েপ্নু লাইজা য়িপাল লাংবীগা ২ মাবু কাইহুন্লে॥ অদুনোংগীবু লাইরেন্ মৈতেংঙ্ হেম্বা লুরাংলোংঙম্বা-ও তৌনা কৌএ॥

লৈদুনা মশম্ খোমদুনা পাঙ্গী, য়েত্তা লৈরগা থাঙ্ হাইগতুনা শরু মরক্তা কাংখতুনা শম্নদবা মফম থিরগা খৌনাউগী লোন্ ঙাংথোক্লকফম থোঙ, লেম্বতুনা তৌগী থোপ্/থুম্মোক্তা হাল্লগা উপল্ উগী মশা অমা কতুনা মকোক্তু য়াল্লগা থাংদুনা পুবল্লগা হল্লক্‌খি। অদুগী মুমিত্তগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো তুয়াং তুরেলগী মরু চাখা লমমৈপুং কৌবা অথোইবা মফমদা থবক পাংথোক্হনবা, নোংপোকলোমগী কোই (মী ফুরুপ ১, কোইরেং?) গী চীঙ্শাং, তরেৎ তুরেলগী হো...ফম খারাওপুং কৌবা অথোইবা মফমদা তা খৌশাখিবা, নোংপোক চীঙ্শাং লান্থাবা হাঙ্গীনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংপোক চীঙ্শাং লান্থাবগী চুঙ্ শেন্নবগী রারোন্দি অদুনসু লোঙ্গীদ্রি। নোংচুপ মাঙ্গীকৈ পাংবরোমদা লৈবা অথোইবা লম অমবু লোল্লোই ঈয়ৈবী রাফোং খুন্নৌরৈ কৌবদি করি তৌখিবা মুমিৎতগীনো? থাঙ্গীনা মমাঙ্ঙৈদা চাননবা মরমশিংবু হোঙ্না ফংহনবিরিবা অথোইবী লোইপোৎ ওইরিবীগী মবেম্মা ফৌওইনীগী মতা ৬ মক্তা লোঙ্গীননা ময়াংগী কাখৎলগা লোক্ লৈবা লৈবাক্, কাখৎলগা ফাই/তম্পাক্

লাইরেল্ মৈতেংঙু লুরাংলোং ঙম্বগী লাইরেল, সনা মচুঙ্‌সেল্‌দি অতুম্সুং মতোম্‌দে॥ হাওবৈ নোংপোক্‌লা পাংবরম্, ময়ুরা চীঙ্‌খোং পোইরৈতোন্ খুনবী পোংমহল্ খুম্নুং য়োইচাখা অরিবনা লোইবী সিদববু খুল্‌থিবা মচীঙ্‌সাংকী মরিং খুনবী কাংরোই মচীঙ্ করোংথেল্ মনিন্ নাইবা নঙ্‌খোয়দি খামরন্ মনিন্ নাইবদা রাম৷ হায়য়ে, লাইরেল্ ঐঙোন্দা পাওমা তমএ॥ লাইবেল্ ঐগী য়িদাইরেম্ লোইবী নরম্বুবু হেম্বা নসাইকোন্দা ঙম্না মাংহন্‌নো গীবু রাকাওদরিএ হায়না লাইরেল মৈতেংঙুনা লোইবা মচিংসাংদা চুঙ্‌লেন্ থাকুপ্ হৌ খেরে মাঙয়িন্না সৌদি নাক্‌কা নম্ সৌথেৎ মাংয়িল্‌ননা খৌসা৷বদি চীঙ্‌সাং নাপক্ নিক্‌লে। মরিং খোক্‌লোই তুবে, হুয়েন্ লান্নিকিদি হেম্বা লম্‌লেপুং

লৈবা লৈপাক্তা ওংলুগে হাঈহুনা লাকপা মতমদা নুঙ্ য়াম্না তাবা অমচীগী কাংগ্রু ওইবা য়াবা লৈখোম/লৈপাক পোক্‌পা তুরেলনা ঈশিংগী ঈমাঈ চোন্না ঈথক্-ঈপোম্ হৌনা ঈহৌরম্ববু রাগী চৈশুনা য়ৈরম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী লোম্লোই ঈযেবী হাঙনা কৌথি। লোম্লোই ঈয়েবীবু থৈদোক্লগা লৈবা লমদম্বু লোইবা রাফোং খুন্নৌবে কৌবদি করি তৌবা নুমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা খোইদোম অহনবা, মান্দোম অতোনবা কৌবা মাচন-মনাও আননা মচী নামতা পানবা নুঙলক্কদা লৈগনবা শা শঙাইবু মতু ইন্দুনা তান্নরকপদা মাগী মতীং-ময়াঙ্ ইশাং শাংনা, মশাহু চাওখোক চাওনা, মচী নামতা পানবহুগা লোঈনা ইফোং ফোংনা চেল্লম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী রাফোং খুন্নৌরৈ হাঈনা কৌখি। রাফোং খুন্নৌরেবু লাম্থোক্লগা লৈবা লমদমবু লোইবী ওক্‌তাল্লম, হেম্বা ঙাকাচেং কৌবদি করি তৌখবা নুমিত্তগীনো? শাশিংগী নিংথৌনা মমাঈ তেক্‌পা শা, ওকপু ওইনা তান্নরে হাঈবদগী ওকতান্ হাঙনা কৌখি। তেকপী ওক অসিনা তুং হন্না চৎপা অপকপা শা ওইনা নাপী-শীংবী মরক্তা পিশক পিক্‌শিন্না, ইচেং চেংশিন্না কাখি হাঈহুনা নাকাচেং হাঈনা কৌববু মমিং বুচৎলবা কইশিংনা ঙাকা হাঈনাচেং কৌখি। ঙাকাচেংগী মমিং লৈবাশংনা

চাখা লমদ্রৌ মনিংথৌ তেনাই লাম্হৌয়াংবু কাইনা হুনলে॥ অতুম্সুং মতোমদে॥ লোইবী তাপংপুং হেম্বা মাক্রৎসাং মবৈমাবা মবিং আকো অথৌবনচিংনা হুয়েন্ লানপুম্ ৬ মাপু কাইনা হুনলে॥ অতুম্সুং মতোম্দে চাখা থাবৌ মনিংথৌ ককেপ্ চীঙ্সাং লানহৌবগা চাখা চবৈ মনিংথৌ আমে থাংসাবা লাম্হৌযাংগা হুয়েন্-লানপুম ২ মরুচিংনা মরিং ৪ মক্পু লাইবেন্ মৈতেংঙ্না রোইত্রৈ থাংগা হাই লুবক্ কাংদৈ থি খৌনাও লোন্থোং লেন তৌথোপ্ খলুথংনা রুপল্ সামা কক্না হুকচেং সামা লৌনা কাইনাহুল্লে॥ অতুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙ্ লম্লেন্ তুয়াং য়িমরু চাখা লমমৈপুদা খৌতাংবা নোংপোক্ কোই চীঙ্সাং লম্লেন্

মৈতৈনা চহি পুন্তাক্তুনা অরাবা তাংদৈগী মওমদা লানচেল্লকপা মৈতৌশংগী মফি-মরোল্ মুনখিবা, মঙা-মথুম মুনখিবতুবু কাউদনা লমন খুম্নবগীদমক্তা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈ রাখিবতুবু কাউথোক্তনা ঙাকাচেং হাওখুন্দা নোংখাকপগুম্ লাও-খোংগা লোঈনববা মৈ হৌববা তেঞ্জেনা চাকশিল্লকপগুম লাম্দাতুনা লাম্হেংনতুনা ঙাকাচেংগী খুনঙাক লোইশঙ্ থুগাইবে, চীঙ্মাশিংতুবু চীঙ্গী পাম্ য়ৌনা তান্নরে, খুনগী যুম পুন্নমক তুম্না মৈ থাবে। লানফমতুদা ঙাকাচেং খুনগী নিংথৌ মহুই ফুরুপকী অতিযাগী যাই (নুমিৎকী মঙাল/নুংশা) য়ৌনবা কৌতগা মখোঈগী খুনগী মবেম্মা চিনফি/চকফি শেংঈগা মতৈ-মনাও নচিংবা লানফা ৬ খক হাংখি। অতুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীনবিরিবা লাইহন্না চীঙ্লেন্ নোংদ্রেন, খোম্বা যিব তুবেল লাম্হোক্তুনা ঙাকাচেং চঙ্না খোম্বা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌসিগী চুঙ্ শেন্নবগী রারোলুদি অতুনস্তু লোঈদ্রি। অরাং পাংবা মাঈকৈবোমদা রাকচীঙ্ হুঈনা কৌবা লা খাঈদোক্লগা ফাল্ ওইনা তোংনবা চীঙ্, ঈশিং পীবিবা লাই, মচী অনি লোঙবনা হাইবা লাই, তুবী চীবোঙ্ হাইনাইবা কৌবগী ময়ুম্ফম খৌবাল তুরেলগী খোংলম্ থেক্চন্বা মফম লাম্হোক্লগা

৭ য়িমরু খারাওপুংদা খৌসাবা নোংপোক্ চীঙ্সাং লান্থাব-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নোংপোক্ চীঙ্সাং লান্থাবগী লাইরেন্ সনা মচুঙ্সেন্দি অতুম্বুং মতোম্দে॥ হাওরে নোংপোক্লা পাংবরম্ লম্লেম লোইলোই য়িয়েবী রানৌরোক্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাননোং হয়িঙৈদা থাংয়ি অহোংবী লোইমোম্ অচৌবী খোইনৌ মতা ৬ মকা থোংনাং কারোকনৈ ময়াং কাফাইরৈবু তাংথগে হায়না য়িল্তাম্লকৃঙৈ অমচী মুংলাইকোন, লংকু লৈহৌপোক্না লাইজা মথি নাই য়িমু মরাং হৌঙম্বু কোংয়াং চৈথুনা য়ৈরমএ॥ অতুনোংগীবু ল্যোন্লোই য়িয়েবা-ও তৌনা কৌএ॥ ল্যোন্লোই য়িয়েবীবু নাতৈননা লোইবী রাফোং খূনৌবৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহান্নোং হয়িঙৈ

লৈবা লৌতে চাঙ্নুংশি থাংরাই লৈয়াংকা পাক-চাওরবা লমদম্বু লানথোক্লগা লৈবা লমদম তাংখৈগী কা সৌ ফুরুপকা নিংথৌনা নুংশাং কৌবা কবুই ফুরুপ্পগী লোই থৌবা, ময়াংশিংনা লোই হারবা লমদমগা হেক থংননা লৈবা লমদম্বু লোইবা লৈহুংতুং হোংতুং সায়াম খুল হাঙ্গৈনা কৌখিবদি কয়ি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? মমাঙ্ঙৈদা বাংগ্রে ওইবা য়াবা শুঙ্না শাবা যুম মন্নুংদা লৈবা মশম ফানা য়েৎপা (জটা পুবা) পা-পী অনিমক ওইবা ওম্বা লাইশিংগী নিংথৌনা ঙাঙোই য়োঙ্গৈমোংবদা শা মশীং ১০০ সুনা পীনবিরম্বা মতমদা শাশিং অদুগী অরেম্বা লুখাক্পু লৌজহাই হা বা নুমিত্তুদগী লোইবা লৌহুংতুং হোংতুং সায়ামলৈ হাঙ্গৈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা হোংতুং সায়ামলৈদা মখাঙ্গৈ মশেন মচেৎ মচৎ তানগন্নু, তোখাঙ্গৈ তোখাঙ্গৈনগন্নু হাঙ্গৈবনু য়াদবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লান্দাতুনা হোংতুং / হুন্দুংগী লৈঙাক পানঙাকশঙ্ থুগাঙ্গৈরে। সায়ামগী চঙ্মীশিংব মথক্তা নেতুনা চৎলগা য়াম্বরে। লানফমসিদা সায়াম হাঙখলগী নিংথৌ রাকললেং অথৌবনচিংবা লানফা ৩০ খক হাংখি। অদুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী হুংতুং ওম্বা

খোইতোম্ অহল্‌বগা মালতোম্ অতোল্‌বগা সানৌ মচিল্ মনাওনা য়াওরৌ চিরেল্ তোমপোক্‌পা থৌহু লুংপাক্ কোইরুরাবু সারেল্ তুংয়িন্ তাল্লকৃতৈ যাওবৌ তিংন। কুই সারেল্ চাওহুম্ চাও চীরেল্ তোম্‌পোক লৈনা থোংনা থোংন চেল্লম্‌এ॥ অতুনোংগীবু রাক্ষোং খুনৌবৈ-ও তৌনা কৌএ॥ রাক্ষোং খুনৌবৈবু নাইন্নন। লোইবা রোক্‌তাল্লম হেম্বা ঙাকাচেং-ও কৌবদি কদৌনোংগী.না॥ য়াওবৌ সানিংথৌনা তেকপী রোম্‌পু রোইনা তান্নবে, ওক্‌তান-ও কৌএ॥ তেক্‌পী রেক্‌না থিংলৌ অপিসা রোইনা খোইমা নাবোনন্নুংগী পিক্লা চেংনা কাখিএ নাকচেং-ও কৌববু কপুই মনিন্ নাইবনা ঙাকাচেং ও কৌএ। লোইবী ঙাকাচেং মনিন, নাইবনা পোইবৈ চেপ্‌না হৈরবগা রাংঙম হাচেল্‌বশিংবু চরৈ ফিমুলনোং, নোইনু

হেম্বা সায়াম লাম্বাবা হাঈনা কৌখি। অতুনস্থ লোঈদ্রি। চীঙগী ক্ষু/ চক্ষু শাবা খুলবু ওকফ্রন খুল্লেন্নে হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা লুমিত্তগীনো? নোংবান / নুবান কাংবা নহা নুঙশন্ পানবা কৌবা নুবাংগী নুপ। অতুনা মাগী শাঙ্গোন্দা লৈযু য়াদবা, মঙকশমদা থৌরী থুবিবা শন্না মমাঈ তেকপা। ওক্‌পু ওনখিবা মতমদা শা অতুগী মতুং ইন্দুনা তান্নরকপদা মশামর্কী ওক্ অতুনা অম্লক খুজিন্না অম্লক লাওথোক্লা কাখিরম্মা, অতুদগী ওবযন হাঈনা কৌখি। ওক্‌ফ্রন, হাঈনা থোন্-খিবগী অতোল্লা পৌদোক অমদি, অথোইবা লাইগী মঙণ চেল্লবা ঙাংঙোই য়োঈমোংবগী শা চাখিবগী অবেম্বা শা নুখাক শরূ তুন্দাকপগী মপৈ অতুবু হেঙনা হবাওনা চাখি হাঈবগী অহোঙ্‌খুল হাঈনা কৌববু লুংঙাই-যাইফনা মমিং চংনা পাল্লবা চীঙমীশিংনা ওক্‌ফ্রন্ হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মঙ্গা চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা সাযাম থুনঙ্গী নাথৈহুনা লৈরিবা চীঙমী লাঞ্জেনবশিংবু পীযু হাঈবদা পীদবদগী মৈতৈ লৈপাক্কী খুঞ্জা-নাইজাগী মী পুন্নমক হৌহুনা অতিয়াদা খংকপা-লাউবগা পোঈনবা মখালগী মঙাই-মশেন ওইনা লৌনবা, যোৎকী উতোংদা হং পাল্লগা থোকহল্লকপা মৈ, নোংমৈ থিন্দতুনা কাপথাঈরগা মান্নহনবহু কুংনা

থুম্মুল্‌নোংগী ৱাকাওদনা লাইরেল্ মৈতেংঙ্‌না ৱাংঙম্ ৱাকাওদা পোইবৈ ৱানিল্‌দনা লোইবী ঙাকাচেং মপুংয়াইদা খাক্‌পা তেল্‌মৈচাক্‌কুম্‌না পল্‌থেংথবদি লোইবী ঙাকাচেং য়াকা চাইরে ॥ হেম্বা পামতান্নরে, মরাল্ থুম্বী মৈমাং চল্‌লে ॥ হুয়েন্ লান্নিকিদি লোইবী ঙাকাচেং মনিংথৌ হেম্বা মহুইরেংচা য়াইনোং য়েৌনবগা হেম্বা মরৈমাবী চিন্‌ফী খানিক্‌নবীগা হেম্বা মতৈ-মনাওনচিংনা হুয়েন্ লান্‌পুম্ ৬ মাবু কাইনা হনল্লে ॥ অদুনোংগীবু লাইরেন্, মৈতেংঙ্ তুবি চীঙলেন্ নোংড্রেন্, খোম্বা য়িরং কান্না চোংনা ঙাকাচেং চংনা খোম্বা-ও তৌনা কৌএ। লাইরেল্ সনা মচুঙ্‌সেন্দি অদুমুং মতোম্‌দে॥ হাঙরৈ লাইনা পাংবরম্ হেম্বা ৱাপাচীঙ লাখাই ফালতাংচীঙ্ তুবি চিরোং হাইনাইবা মকাইফম্ থৌবাল্ তোবৈথেক্‌পু

কাপ্পুনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোন। শামুগী কোক্‌তান্দা তোংলগা মগুৎ চারবা অথোইবা থাঙ্, য়েল্লে মৈরাববু পাঙ্‌গী লাইবেম্বী নোংথাঙ লৈমন। কুপ্পগুন্না থাঙ হাইদুনা লান্দাবদি ওক্‌ফন্ খুনঙাক-লৈঙাকশঙ্ থুগাঈবে, খুন্‌গী তাংদুনা লৈবশিংবু নেখত্তুনা যান্থ্‌রে। লানফমহুদা মরেংতা অথৌবগা, পৌযাংগী খুল্লাক্‌পগা, লৈতাবা কৌবগা মখোঈ ও নচিংবা হাও লানফা ৫০০ ফাখি। অদুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবংঙো ওক্‌ত্রন্‌গী লৈঙাক্‌শঙ্ থুগাঈবা, সায়াম খুন্‌গী য়ুমথোঙ খুদিং চঙ্‌দুনা য়াম্থবা, লানফা মরেংতা ফাবা হাঈনা মিঙ্গৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মরেংতা ফাবগী চুঙ শেন্নদুনা লাম্হেংনখিবদি মহুনস্থ লোঈদ্রি। অথোইবা লাই- বেম্বী য়াইরীনা শন্নাং ওইনা পানববু ফজবী, নাইতোম হৌবা তেরং পাম্বীনা লৈবা মফম্ লৈশি-লৈথোন্দুনা শৈশরুবী, মহাকী মপুরোইবা অথোইবা লাইয়িংথৌ লীরেননা থুপচিল্লগা লোনশিনবা, য়াইরীনা লোকমাঈ থন্না হৌবা লমদা লৈবা লাইহিংথৌগী খোঙ্গুল লীরকপবু হুইনীং ফুমচং লৈরি লৈতৌরম হাঈনা কৌবদি করি তৌবা মুমিত্তগীনো? থাঈনঙৈদা অরাংবা চীঙ্‌দোন্দা পানবা মশম ফাদোকহল্লগা রেৎশিনবনা

কাল্লনা চোং লমলেন, লৌতে চীঙ্ মুংসি থাংরাই লম্মপাকপু নাতৈননা তাংখুল্ কাওসৌ মনিংথৌনা মুংসাং লোইথৌ লম, থোংনাং লোইচারমবু ঙমলোন্ নাতৈননা লোইবী লৈহুংতুং হোংতুং সায়াম্ খুল্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাননোং ঙাংঙোই য়োইমোংবদা খোইমোম লাই-য়িংথৌ কাংক্রু য়ুমলেনমুংগী সমলাং ফাংয়েনবনা, য়াংবৌ সাসিং ১০০ মুনা পিরমঙৈ সারেমখাকপু লৌজরৌএ॥ অদুনোংগীবু লোইবা লৌহোংতুং হোংতু সায়াম্‌লৈ ও তৌনা কৌএ॥ হোংতুং সায়াম্‌লৈদা লাইবেল্ মৈতেংঙ্‌না লোইবী খুনচেৎ নাইগনো, হেন্বা খাংচেনমাপু কাইগনো হায়ববু হোয়াদবা ব্রাগী লাইবেন্ মৈতেংঙ্‌না পন্থেংথবদি হুংতুং য়াকা চাইরে, সায়াম্ নেৎচৎ য়াম্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবা সায়াম্ মনিংথৌ

ফিজেৎ ওইনা শেৎনবা, কাংগ্রু ওইনবা মুঙ্গী কাংথোল মথক্তা হিপ্পা উলচীক্-রাইচীং কৌবা তুরেলগী ঈশিংবু চাক্ ওইনা চানবা, ব্রমচীঙ্ কৌবা নাইতোম তাবা চীঙ্দা রায়েল থৌদা তৌবা লাইয়িংথৌ শম্ভুম মহারাবগা অতিয়াদগী নোং ওইনা ঈশিং পীনবিরিবা থিবগী লোঈবা লৈত্রবা মালেমসিগী ময়াঈদগী ঈশিং থোকহল্লিবা, লিনরাই / ঈরাল তুবেলগী হৌরকফম মরূদা থবক ওইবা কয়া তৌখিবা খোইমুম লাংবুম অরিবগা অনিনা য়েৎলোমদা লৈশিন্দুনা শিংলিবা মুংশিং অমস্তুং ওঈ-রোমদা লৈথোক্তুনা শিংলিবা মুংশিং অানবা হুমজিন্নবগুম তুবি লাইরেলগী মশক ওইরবা লাইয়িংথৌ অনিনা কান্নশিন্নহুনা অকনবা লৈপাক তৌ-থাঈহুনা অচৌবা চীঙ্ ফৈনা মতুপ কক্তুনা লম য়েন্নবা মুমিত্তা অরাংবা চীঙ্দোল্দা পানবা লাইয়িংথৌনা অথোইবা চীঙ্গী ফুমজিল্লিবা অকনব-শিংহু তৌথোক্তুনা, লৈপাক্কী ময়াঙ্ ওইবা অকনবশিংহুবু লৌখৎ-চিন্নখত্তুনা য়োৎচৈনা হুইমুক শাংনা থাহুনা লেংলবগা কাপ এন্দুনা মখা ফংনা কাজিল্লগা লম য়েন্নরম্মী। অদুগী মুমিতুদগী খুনফম লৈরি হুইনিং চীঙ্থক চীঙ্খা হাঈনা কৌখি। হুইনিং খুন্দা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো পাংঙল্ ওইবা মৈতৈগী প্রজাশিং হাৎখিবগী

হেম্বা রাকল্লুসং অথৌবনচিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ৩০ মাবু কাইনা হুন্লে ॥ লাইরেল্ মৈতেংগু লোইবী হুংতুং ওম্বা হেম্বা সায়াম্ লান্থাবরো তৌনা কৌএ ॥ অদুস্তুং মতোম্দে ॥ লোইবী ফুসাথুল্ রোক্ফ্রন্ খুল্লেন্লৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ নোংবান্ কাংবা নহা নুংসন্ তান্বনা মসন্ মান্বী লিহেপ্পা কাওরেল্ কোনৈবনা তেক্পী রোকপু রোল্ডৈ সারেল্ তুংয়িল্ তান্নরকৃডৈ তেক্পী মরোক্চানা খুনা লাক্তনা কাঙম্এ রোকফ্রন-ও কৌএ ॥ ওক্ফ্রন্ থোনমারক্তি লাইরেন্ ঙাংঙোই য়োইমোংবগী মরেম্ সারেম্থাক্ মল্ল মপৈথাক্পু হোংনা চা না চারে অহোংখুল্-ও কৌববু লোইবী মনিন্ নাইবনা রোব্ফ্রন্-" তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংগুনা লোইবী সায়াম্ হাথৈববু পি-ও হায়ববু পীদরাগী পোইরৈ

লুবেল পীয়ু হাঙ্গবদা পীদবগীদমক লান্বনগী মতাইদা তাইশিন্নবা য়ুংবা উয়ুং ফুক্তোক্তুনা, তীংখংশিংনা খাবা অচৌবা লানবনগী পন্ য়ানখাঙ্গহুনা চুঙ্গী অরাংবা ৬০ চোঙ্খতুনা, শনগী ময়াঙ্লেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংহুনা খংনং তানা লৈতঙ্গাই লেংহুনা অকনবা ওইনা লান্দাবদি খুনগী য়ুম পুম্বা মৈনা পুমথুম থুমহন্দুনা লানফমহুদা হুইনিং খুনগী নিংথৌ সাম্মিয়া অথৌবগা থোংকম লৈরি খুনগী নিংথৌগা লৈরি খুঞ্জাশিংগী মমিং লৌহুনা মিংলোনবা থোংকম তাওবা লান্দা হৈ-শিবগা অহুম-সিনচিংবা লানফা ৫ খক হাংখি। অদুগী নুমিত্তুদগী ঈশিং পীনবিরিবা লাইগা মান্নরবা চীঙলেন্ নোংড্রেন্ খোম্বা হুইনিংগী য়ুমথোং খুদিং চঙ্হুনা য়াম্বা, থোংকমগী লানফা ময়াম ফাবা, চীঙ্মী খুন লৈরি খোম্বা হাঙ্গনা কৌথি। লৈরি খোম্বা কৌবা নিংথৌসিগী চুঙ্ শেন্নহুনা লান থেংনবগী রারোলদি অসিনস্তু লোঙ্গদ্রি। লুরাংগী মান্দোম অতোনবগী মগুশিং লেরা ফুরুপ্কী ঈশিংগী লমদমশিংদা পানবা, খোংনাং ফুরুপুকা লম চাওনা লৈবগী ময়ুম-মনাক, তাংখুলগী হুইচা নিংথৌবা কৌবনা ঈতম্ কৌবা লমদা শোঙ্গ / ঙা ফাফম শেম্লম্বা মফম্সু লাম্থোক্লগা লৈবা লমদম্সু হাইচুম চোইথর নুংসোং খুনকোই হাঙ্গনা কৌখিবদি কার তৌখিবা

খুল্‌চা হো তয়িম্ নাইচা তিল্‌না কোরৌ লাওথমৈ খাক্‌পা মমাল্ লৌশমৈ তেংনৌ ৱুতোং হংচৈ মৈবু খুতোন্ থিনক্রাপ্ কুংনা থা, লাইরেল্ মৈতেংঙুদি লাংগোই তাংজ লুরেল্‌তান্দা থাংলেন মখুৎস্থু য়েল্লৈ মৈরাববু কাচেং নোংথাং লৈমা থাংহাইননা পশংংবদি ৱোক্ফল্ য়াকা চাইবে সায়াম খুন্‌তাংবা নেংচৎ য়াল্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী মবেংতা অথৌবগা পৌয়াং মরৈমাবগা হেস্বা লৈতাবগা হুয়েল্ লানপুম ৩ মানা চিংনা ৩৩০ ফাএ॥ অতুনোংগীবু লাইরেল মৈতেংঙু ৱোক্ফ্রল্ য়াকা চাঈবা সায়াম্ য়ুম্‌চং য়ান্‌বা হুয়েন্ মরেংতা ফাবা-শু তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু হুয়েল্ মরেংতা ফাবগী লাইবেল্ সনা মচুঙ্গেল্‌দি অতুস্থং মতোম্‌দে॥ লম্‌লেন্ মদাইমা খোইমোম্ লাইরেম্মা য়াইরি সম্ পাল্‌থোংবু চুন্‌বী তেরা ৱুতোম্‌গোক্‌পু তেংথানবী মথংলেন্ খোইমোম্

নুমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ্ঙৈদা লাইগী ঙমথং ওইবা নবুধৌ, অহাননা লিচ্ছৎপা পুনগী খ্বাইদগী অহল ওইবা নী ওইবা পোইবৈতোনগা মতৈমা থাঈনগী ঙানবা য়েক্কী মপু ওইবা নিংথৌগী মচানুপী লৈনাউ শাবগা অনিনা আৱাদা অশিবা লৈরোইদবা, কবোদা অনাবা চঙলোইদবা হৈনা হৌবা লমদম্ম খুন্দানবা থিরকপদগী মকোক্তা ফি ময়োম থোনগতুনা মযুমলোমদা হল্লকপদা অশিবনা চঙদবা চীঙ, অনাবনা যৌদবা চঁঙমী খুনবু লৈরিব্রা হাঈনা কোঈচৎ চতুনা নুঙমাঈদা নান-নান্দুনা শে লম্মী। অতুগী নুমিত্তুদগী চীঙখোং পোইবৈতোন খুনকোই নুঙশোল হাঈনা কৌখি। হাইচুম্ চোইংর কৌখিবদি কৈদৌবা নুমিত্তগীনো? মমাঙ্-ঙৈদা সেল্লোই-লংমাই (নোংমাইজিং চীঙগী এলকাগী লৈয়াক্তা লৈবা মীশিং) ফুরুপ্-কাংলুপ্‌কী নিংথৌ কাইনৌ (শমজী/থৱানমিচাক) চীঙখৈরাকপা কৌবা অচৌবা চীঙমীশিংবু শেম্ববা নিংথৌগী মচানুপা পুৱাবগা মচানুপী পুরিবীগা অনিবু মপা কাইনৌ চীঙখৈরাক্‌পা, চীঙ্-জাওশিং শেম্বীবা নিংথৌনা, "ইপাগী ইবেম্মা পুরিবী-ও, নঙনা ঐগী অশেংবা ইচানুপীনি হাঈরবদি অমোনবা, মহুপকুপ্পা তাতুনা লৈরিবা

লাইয়িংথৌ লিরেল্ পথুপ্ লোনবা য়াইরি লোক্মাই হেনবা মার মখোং-গুনবু থিবলম্ হুইনিং ফুম্চং লৈরি লৈতৌরম্-ও কৌবদি কদৌনোং-গীনো॥ হয়িঙৈদা খোইমোম সম্পুম্ মহারাবা চীঙ্রাং নোংমাবা তাংচা মসম্ ফায়েৎনবনা চরৈ ফিজেংনবা কাংক্রু লিফম্ কাংতোল্থক্তা য়াতাবা র‍্ল্চিক্ রাইচিক্ যিবু চাক্চানবা ক্রুম চীঙ্তোম্পোক্তা থৌথাবা লাই-য়িংথৌগা খোইমোম লাংপুম অরিবা কোরৌ নো মাই য়িহুলবা থিরেল্ চপুক্নুংগী য়িহুলবা লিল্রাই য়িগরুদা থৌনাবা লাইয়িংথৌগা মালং য়েংত্রে লৈবনা থমকোল্ রোইত্রৈহুম্বনা তুবি মতোম্ ফুচিল্না লাইরেন্ মতোম কাম্চিন্নমা মালেম্ লৈকন্ য়ান চীঙ্লেন্ ফৈতুপ কক্না লম্-য়েল্নোং, রাংপল্ নোংমাবনা চীঙলেন্ ফুমকন্ তৌ লৈরি যাংয়ি সোল্

নুঙ্পাক্ অসিবু নঙ্গী নুংশা শ্বোবনা কামথাইয়ু। ইপা ইবুংঙো পুরিবা নঙবু ঐগী অশেংবা ইচানুপানি হাঙ্গৈরবদি শীঙ্জঙ্গী মখোক ওইনবদা কল্লগদবা উয়ুং উপান্ অসিবু নঙ্গী নুংশা শ্বোরনা কামখাইয়ু”, হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈবদগী মচানুপী পুরিবীনা তাহুনা লৈরিবা মতু নাল্লবা নুঙ্ অহুবু মাগী নুংশা শ্বোবনা কাম্ববু নুঙ্পাক্ অহুগী মমাঙ্গৈদা ময়ি চৎলে। মহুদা ‘ইচাদনি’ হাঙ্গৈহুনা মচানুপীবু চানবীবা নুংশিবগা লোঙ্গৈননা শীঙ্থাবিখি। লংমাই ফুরুপকী পুরাবনদি লাংবন থাগী কংলবা উযুংগী শুক্কী মখোক্তুবু মাগী নুংশা শ্বোরনা কামথোকপা ঙমদবগী মপানা মচানুপা নত্তে হাঙ্গৈনা লৎনহুনা শোক্ত-শম্ননীংদবগুম ইন্থোকপীরে। মচানুপী লংমাই পুরিবীনা, “ইপা লংমাই পুরাবা, পুক্নীংগী মখৈ ফংবমখৈ চরা হেনবগী অৱাবগী লৈখৈ তারগনু” হাঙ্গৈরগা চেঙ্ মচঙ্ ফজববু মফি মতোন্দা কিশিন্দুনা য়োম্বীখি। লম্বী অস্নুম লাকপদগী লমখাং মচী অমদা রা-লুক্রাক নেৎলুবদগী নাম্থ্হুনা মচেম্না য়োম্নকপা হুইগী হুইয়া মাল্লবা ফজরবা চেঙ্ মচঙ্হু হাইনা চুম্না চোইনা তাহৌখি। অহুগী নুমিত্তুদগী হাইচুম্ চোইনা-তা হাঙ্গৈনা কৌখি। হাইচুম্ চোইনা-তা কৌবা চীঙ্গী খুলসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুঙোনা লাম্দাহুনা লান

য়োংপী হুপা থা কাপ্তু লৈখৈ লেংনা লৈয়েন্নবমএ ॥ অহুনোংগীবু খুন্‌ফম্ লৈরি হুইনিং চীংথক্ চীংখা-ও তৌনা কৌএ ॥ হুইনিং মপুংয়াইদা লাইবেল্ মৈতেংঙ্‌না পাংঙল্ থারুক্ মেল্‌তংচাগী তাংজা মরুতোন্‌বু পী-ও হায়ববু পিদরাগী কুবাও-পন্‌তাই সৎ সাইবা পল্লেন্ য়ান্ চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওরেন্ সনখাং ১০ লান্ খংনং লইতং লেংনা পঙ্খংথবদি মরাল্ খম্বী মৈমাংচল্ হুয়েল্ লান্নিকিদ্রি লোইবী হুইনিং মনিংথৌ সাম্মিযা অথৌবা থোংকম্ লৈরি মনিংথৌ লৈবি লৈমিংনবা থোংকন্ তাওবা লাম্থৌয়াংগা হুয়েল্ লান্‌পুম্ ৩ মনচিংনা লান্‌পুম্ ৫ মপু কাইনা হুল্লে ॥ অহুনোংগীবু তুবি চীঙ্‌লেন্ নোংজ্রেন্ খোম্বা হুইনিং যুম্‌চং যান্‌বা থোংকম্ লান্‌য়াম্ থাবা হেম্বা লৈবিখোম্বা-ও তৌনা বৌএ ॥ হেম্বা

থোংনবদা খুনগী যুম পুম্বা তুম্না মৈ থাহুনা অচাকপা মৈতান্না যুমগী শাইজিন পকহন্দুনা খুনগী লৈঙাকশঙ্ ফাওবা মৈনা পুমথুম থুমহন্দুনা মৈথুনা অতিয়াদা মপৈ মপৈ কাহল্লে। হাইচুম্ খুন্দগী লানফা ময়াম ফাবে, চোইথব খুনগী লাম্মী ময়াম মথ্বাই মাংলে। লানফমহুদা হাইচুম্ খুনগী নিংথৌ লীগী লুহুপ্ উপ্পা, মবাঙ্গবক্তা শেল তোপ্পা, রাগী উতোংনা ফিজেৎ ওইনা শেৎপা চাইল্লেং অথৌবগা চোইথবগী নিংথৌ রাগী রাচেৎকী পজেং ময়াম মকোক্তা থেৎপা, মোইবুংনা লীক্ ওইনা ঙকশমদা শিবা, লাইশম (শা মতু অশংবা) না মখোবীদা য়েৎপা মহুইবে অথৌবগা অনি অসিনচিংবা লাম্মী ৪০ খকপু হাংখি। অহুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুন চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং শীবিবা লাই-গুম্বা চীঙ্‌লেন্ নোংজ্রেন্ খোম্বা, মনাই নিংঙেল্‌গী থুমগুংবা, কাইবম্ পাম্বী থাবশিংগী লমন্‌বু চদোন ওইরবা চেঙ্‌গুম্বা ফাওবদসু রাত্তনা লমন খুম্বীবা, হাইচুমগী যুমথোঙ্ খুদিং চঙ্‌হুনা লান্দাবা, চোইথবগী লানফা ময়াম ফাবা হাঙ্গনা কৌখি, হাঙ্গবিবসিনি। নিংথৌ অসিগী চুঙ্ শেন্নবগী লানফম, চুঙ্ শেন্নহুনা লান্দাবগী থৌবমদি অসিনসু লোঙ্গদ্রি। লোইরং কৌবা লমগী খোংনাং ফুরুপকী নিংথৌগী মচাম্বুপা লেম্না নহা

লৈরিখোম্বগী লাইরেন্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্হৌদি অসিস্তুং মতোম্দে ॥ লুৱাং মাল্তোম্ অতোল্বা মনোংয়াই লেরা তুমাবা খোংনাং লম্চাওবা মসাইকোল্ তাংখুল্ হুইচা নিংথৌবনা য়িতম্ সোইসেল্লম্বু নাতৈননা হাইচুম্ চোইথর হুংসোং খুল্কোই-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লহান্নোং হয়িঙৈদো নয়ুৱা চীঙ্খোং পোইরৈতোন্ খুন্বী পোংমহল্গা মতৈরৈমা লৈনাউ তাবী থুম্নুং ঙাল্বা মপু নিংথৌ চন্থকা ২ মনা সেন্বী সিদবা কবো নাতহৈবু খুল্থিবদা ফিপুন্ লুদা থোংনা মরাল্ ওম্থেরক্পদা লোইবী সিদ্বা হেম্বা নাত্তবৰু লৈরিকরবা হায়না কোইনা চৎনা থৌহু নুংমাই সিংনা সোল্লম্এ ॥ অদুনোংগীবু চীঙ্খোং পোইরৈতোন্ খুন্কোই নু সোল্-ও তৌনা কৌএ ॥ হাইচুম্ চোইথর-ও কৌববু কদৌনোংগীনো ॥

শাফবনা চীঙ্মী ফুরুপ চমফুংগী নিংথৌগী মচানুপী হাওনু লাশংনু শাফবী কৌবাদা মপাদা তাকথোক্তা, মবুংদা খঙ্হন্দনা মপাগী লৌঙাকশঙদা য়াওং ইনবা মফম, মকু চম্ফুং নিংথৌনা মমাক্পু মশক খঙ্দবদগী কোম্না থাঙ্ শত্তুনা, তাগী তাথুম হাংতুনা খুৎলাঈ শীজিন্নরকপা নুমিত্তা শিরববু মাগী নুপী হাওনু লাশংনু শাফবীনা মপুরোইববু ফি থুপচিন্দুনা কিরগা নাহোং শাত্তুনা নঙ্গন্দা পোরগা মকু, লেরাগী তু-খোংগী মবুংঙো, খোংনা গী চাওরবা লমজাওদা লৈবগী ময়ুম য়োনবা অশিবা মপুরোইববু থিল্লকপা লম্বী লমশাং, থৌনা ফরবা চীঙ্মী থাঙ্গাল ফুরুপ্না লাম্দাখিবা মফম, মখোঙ, য়াম্না হৈশিংবা মরাম ফুরুপ্না মীগী অককপা মকোক্ চেপ্না কোৎলম্লগা হনখিবা মফম, লাইসন চীঙ্গী চীঙ্শাং, চমফুংশিংগী ময়ুম লৈবা চীঙ্শাংবু লাম্থোক্লগা লৈবা চীঙ শোংতন / শোমদনবু শোংতোন লম্মহন ফদাং লমওম্থোক্ হাঈনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? থাঈনা মমাঙ্ঙৈদা মোইরাং থোকচোমগী পুকোক কৌবা অঙাওঙানা কংফানগী লৌ য়েংবা, খুনগী অকোঈবদা লৈবা লম্হাংদা থোক্লকপদা ওইনম (চক্পা ফুরুপ্কী ফু অহানবা শাখিবা শাগৈ) গী শকহেনবী অমনা কম্বীগী চফু ময়াম পৈরগা, লোল্লাং (নিংথৌজাগী লাং/লী

লহাননোং সেল্লোই লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙখৈরাক্পা চীঙলেন্ খোম্বা নিংথৌ মপাল্লী লংমাই পুরাবা মমোম্ পুরিবীগা ২ মাবু পস্থৌ মপা কাইনৌ চীঙ্খৈবাক্পা চীঙলেন্ খোম্বা নিংথৌনা হে য়িমোম্ পুবিবী-ও য়িমোমদআনি হায়রবদি থৌহু হুপমিবা চেংচা তুনানবা অসিবু পাইমা ননিংসানা কামখাই-ও॥ পারি পুবিবা নঙ্সুং পামেল্ ৱ্যুং সিঙ্চঙ্খোক্পু পাইমা ননিংসানা কাম্থোক-ও হায়না পাওমেল্খোল্গী মমোম্ পুরিবীনা থৌহু হুপমিবা চেংচা তুনানববু পাইমা মনিংসানা কাম্ববু থৌহু মরাই চৎলে॥ মপল্না য়িমোম্দআনে হায়না য়োইচাল্লে। লংমাই পুরাবনা লাংপন্ ৱ্যুং সিঙচঙ্খোক্পু পাইমা মনিংসানা কাম্ববু কামথোক্ ঙম্দববগী মপল্না পাবি নত্তে হায়না রাবৎনববগী থেংনা

লোল্লগা শাবা শাগৈ) গী শক্হেনবা অমনা লেমলৈ লৈহাংগী ঙা ময়াম পৈবগা লম্নক্তা মুংশি-মুংওন্নরিঙৈগী মতমদাঈশিং পীবিবা লাইনা যোক্পা নোংথক্তকী তাবকপা, নোংদোম্দগী কুম্লকপা অথোইবা লাই শক্হেনবা অতুবু লৈনুংদা লোনশিন্দুনা লীশিন্দুনা থম্নবগী লৈনুং লোঞ্জা অবিবা হাঙ্গৈনা কৌই। "হে কৌবা অঙাঙঙা, তমথীনা ইংলবা উন্না তাবিবা, কল্লবা নুংশিৎনা য়ৈবদগী অযুংবা মুঙ্ ফাওবা য়াংনা চেপ্তুনা লৈবিব। অসিবু উদ্রিবা কবিগীনো? করিগীদমক লম্নক্তা মুংশি-মুংওন্নবা থোবক-লিবনো? হাঙ্গৈনা ঈশিং পীবিবিবা লাই অতুগী মমৈনা কোল্লম্মী। ফাল্লো লাই মকোলদগী মযুমলোমদা হল্লকপদা রাহৈ কাতু-কাবন ঙাংনহুনা রা য়াম্নববু (খৎনববু) "সোং" হাঙ্গৈনা কৌই, সোং, রাবু তাহুনা পল্লম্মী। অতুগী মুমিত্তগী "শোংতল্" হাঙ্গৈনা কৌই। লম্নক্তা মুংশি-মুংওন্নবগী মশাদা ইল্লিবা ফিবু চোল্লে, 'মাইচোল্' হাঙ্গৈনা কৌথি। কৌবা অঙাঙঙাগা লৈনুং লোঞ্জা অরিবগা তুনবে / য়ানবে / চান্নরে হাঙ্গৈবগীদমক মফমহুবু তুবাল কৌখি। রা-লান পুম্নমক চুমথোক্লবে হাঙ্গৈবগী মফমহুবু চম্ফুং হাঙ্গৈনা কৌখি। লম মতাইদা লৈবা চম্ফুংবু লাম্থোক্লগা লৈবা লমবু ফদাং লমনুংশি হাঙ্গৈনা কৌখিবদি কবি তৌখিবা মুমিত্তগীনো?

কোইনা য়িন্থোক্লে॥ মমোম্ লংমাই পুরিবীনা য়িম্নিংথৌ লংমাই পুরাব-ও পাইমা খোমনিং তেং তিল্লাং চাফা নিরুগনো হায়না ১০ চেঙ্ মচঙ বু চরৈ ফিজি হংলাতোন্দা ফিয়োম্বিখিএ॥ য়াংলৌ লম্খাংমতা র্কাক্ খুনাল্নরবগী মমোম্না চরৈ ফিজি হোংলাতোন্দা ফিয়োম্লক্পা ১০ চেঙ্, মচঙ্, য়াংলৈ তাওবা হুইয়া মান্ববু হাইনা চুম্না চোইনা তারৌএ॥ অতুনোংগীবু হাইচুম্ চোইনাতা-ও তৌনা কৌএ। লোইবী হাইচুম্ চোইনা তাবা মপুংয়াইদা লাইরেল্ মৈতেংঙ্না পল্থেংথবদি মবাল থুম্বী মৈমাং চন্না সাইবু মৈতাল পক্ চৎলম্ ফাল্সাং থুম্ মৈখু নোংলোন কাবে॥ হাইচুম লান্য়াম্ থারে, চোইথার লান্য়াম্ মাংলে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি হাইচুম মনিংথৌ লিরেল্ লুহুপ্নবা লাইপক্ খেল্লাই

মমাঙ্ বৈদা লাইয়িংথৌ মাগী থৌজান্দগী খুবোময়াই অমত্তনা ফিজেৎ ওইনবা, রুরাঙ্গ ল্যোম্দা লীগী তংখাঙ্গ অমনা লৈতেং ওইনা শিবা লুহুপ্প হাঙ্গনা কৌবা মমিং চৎলবা ফুরুপ্পা—"হে ইবুধৌ কৌবা অঙাঙ্ঙাও, চীঙ্মী ঐগোঙ্গ ইরম্ অসিদা নোক্-খেত্নুনা নুংশি-নুংওন্নবত্নু তৌবিরম্ম্ হাঙ্গজবদগী অঙাঙ্ঙানা নুমিৎ চুপ্পা অমা তাংত্নুনা / তন্দুনা লৈরম্মী। অতুগী নুমিত্তুদগী ফতাং / ফদাং হাঙ্গনা কৌখি। মমিং লৈরবা খদাং কৌবা চীঙ্শাং নাপোম্ ৫ শুবা, মথুম-মরাং হৌনা পাল্লিবা শোংতল / সোমতল কৌবা চীঙ্শা নাপোম ৭ শুনা পাল্লিবা লুমদমসিবু পুবা মৈতৈগী লম্বুনা লোই থৌরুবদগী শিখিবত্নু অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবী মৈতৈগী মবুংঙোসিনা কাউথোকপা লৈতনা সোমদল-ফদাং খুল অনিসিদা ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বসিনা মপুক্লীংগী অশাওবা থিংঙম্দনা, লাইরেন্না মমৈনা হাই-হুম্বগুম লেং-ওত্নুনা চুঙ গী মরেপ ৬০ চোংখত্নুনা, শনগী ময়াংলেন্গী অশাংবা ১০ লান্না চোংত্নুনা, খংনং কৌবা তানা ফিংমনবদগী লৈতঙ্গাঙ্গ ফাওবা লেংত্নুনা ল্যান থেংনত্নুনা সোমদল-ফদাংগী খুন্দিন্নকম থুগাঙ্গরে. চীঙ্মী লানফা ময়াম হাৎলে। খুন্গী য়ুম পুম্বা তুম্না মৈ থাত্নুনা অচাকপা মৈতান্না য়ুমগী শাইজিন্দা ফাওবা পকহন্দুনা লৈঙাক্শঙ্গী ফানশাংশিং

থোংদা ৭ সেন্‌কোই তোপ্‌পা রাক্তং ফিসেৎনবা চাইল্লেং অথৌবগা হাইচুম্‌ মনিংথৌ কাবাক্‌ সম্‌চিন্‌না মোইবুং ঙক্‌লিনবা লাইসম্‌ খৌথাংবা মহুইরেং অথৌবগা ২ মনা চিংনা হুয়েল্‌ লান্‌পুম্‌ ৪০ মপু কাইনহুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্‌ মৈতেংঙ্‌ তুবি চীঙ লেন্‌ নোংত্রেন্‌ খোম্বা মদাইরেম্‌ নিংঙেল্‌ থুমস্লুংবা কাইরম্‌ য়িনারোইগী চেংপুম্‌ মনাওতোন্‌গুম্ববু লান্‌সিং-তান্‌বা হাইচুম্‌ য়ুমচংয়ান্‌বা চোইথব লান্‌ফম্‌ থাবা-ও তৌনা কৌএ হায়দবরা॥ লাইরেল্‌ সনা মচুঙ্‌সেল্‌ চুঙ্‌সেল্‌ মরাল্‌হৌদি অসিস্থুং মতোম্‌দে॥ লম্‌লেন্‌ মদাইমা লোইরং খোংনাং নিংথৌ মপারী লেবা নাহা সাফবা লোইবী চাপং নিংথৌবা মমোম্‌লোন হাওনু লাসংনু সাফবি মপল্‌ খাল্লে লৌসংথক্তা মপন্‌ সান্‌তাক্তা মহু সান্‌খংহন্দনা

ফাওবা মৈনা থুমহল্লে। লানফমহুদা সোমদলগী নিংথৌ, মোইবুং মচাগী লীক শিবা, মকোক্তা লী তম্খাঈনা লুহুপ্‌ শারগা উপ্পা য়ৌত্রেং অথৌবগা ফদাংগী নিংথৌ শা মতু অশাংবা (লাইশম্‌) মথৌরীদা য়েৎপা, মবাঈবক্তা সেন মচেৎ তোপ্পা চমফিরেং অথৌবগা অনিসিনা চিংহুনা হাও লানফা ৫৬ খক হাৎখি। অহুগী হুমিতুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীনবিরি লাইগুম্বা চীঙ্‌লেন্‌ নোংদ্রেন্‌ খোম্বা ফদাং য়ুমথোঙ্‌ খুদিং চঙ্‌হুনা য়াম্বা, সোমদনগী লানফা ময়াম হাৎপা, মনাই, চীঙ্‌হুগী লম্বু ফম্নাইবগীদমক্তা ঈ খকপা ফাওবা থক্ত্রিঙৈ, অশোকপহু কংবা ফাওবা কংদ্রিঙৈদা লাংবনগী অতাং-থাগী ওন্নবা লুক্লুম্বদা চেঙ্‌গী চদোন ফাওবা রাৎহন্দনা ময়াং মাঈতেক্‌পগা কবো তাইপোং লৌখিবগা শিমিন্নখিবা থুম্মোক কুম্বদা ওনবগুম চাং অমত্তা রাৎহন্দনা লমন্‌ থুম্‌খিবা হাঈনা মিঙ্গৌনখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ফদাং য়ুমথোঙ্‌ খুদিংমক চঙ্‌হুনা য়েক্লবা য়াম্থুবা সোমদনগী লান্‌ফা ময়াম ফাবসিগী চুঙ্‌-তা পাঈহুনা থেংনখিবা লানফমগী রারোলদি অসিনম্থু লোঈদ্রি। নোংপোক হাঈকৈ পাংবগী, মৈতৈগী মবুংঙো থোংনাং ময়াম্বা (ময়াং ঙম্বা, গরিবনিরাজ) না লান্দারম্বা লম্‌ অহুবু থোন্নম্বরোক্‌

তালোই নুয়িনবরম্‌, মমাল্‌ চুম্‌ফুং মনিংথৌনা মমাক্‌ চেংলৌ সক্‌খংদবগী থাংলেন্‌ কোম্‌সংনোং তিমেল্‌ তাখুম্‌ হাংনা নোংমল্লববু ॥ তাল্লোই মরুম্বী হাওন্থ লাসংন্থ সাফাবীনা চবৈ নাহোং সানা মাল্লৌ থুপকিনা সমু নমদা পোনা মমাল্‌ লেবা তুমাবা খোংনাং লম্‌চাওবগী মরাল্‌য়াইবু তান্‌না অমন সিথিল্লক্‌পা মম্‌সাং থংকাল্‌ অথৌবা লান্তারাই মবাম্‌ খোংকন্‌বনা লাল্লু চেপ্‌কোৎননা হল্‌রাইরম্‌ লাইসন মচিংসাং চম্‌ফুং তয়মাসাইকোনবু নাতৈননা লোইবী হাওসোংতন্‌ সোংতন্‌ লম্মহল্‌ ফদাং লম্‌রোন থোক্‌-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো লহান্‌নোং হুয়িঙৈদা কৌবা অঙাঙ্‌ঙনা কোংলৌ লম্‌খাংবা সাপল্‌ লম্‌থোক্‌পদা রোইনম্‌ নুরাবীনা কম্বি ফুকা পৈ লোল্লাং পাখংবনা লেমলৈ ঙাগা পৈনা পনম্‌ হেক্‌মাই

লোইবী চাঙৌবুঙ, নোংফৌ চীঙ্‌লুখুম্‌ হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা নুংবান্‌ / লুরাং য়েক্কী মতা শান্নবী লৈশাবী ৬ না অরাংলোমদা লৈবা ল্যাইরৈবাক্কী লমদমদা কারকপদা মখোঈ চায়োমদা যোম্বা চাক্লা ঙৌবোক্‌ ঙৌনা তাহৌরম্মী। অত্থগী নুমিত্তুদগী চাঙৌবুঙ হাঈনা কৌখি। নোংফৌ চীঙ্‌লুখুম্‌ কৌবদি কবি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? লৈশাবী মতা ৬ অত্থগী মশাদা ইল্লিবা ফিশেৎলিবা ফনেক্‌পু অরাংবা চীঙ্‌দা চুবা নোংনা চোৎপদগী নুমিংকী নুংশাগী মৈশাদা ফৌবম্মী। অত্থগী নুমিত্তগী নোংফৌ চীঙ্‌লুখুম্‌ হাঈনা কৌখি। ফিশিং অত্থ মতু মরাং / মমান পোল্লে / কোল্লে হাঈবগী তুপোন হাঈনা কৌখি। থোম্না থোন্না তুম্নম্মী / চোৎলম্মী হাঈবগী থোল্লাং হাঈনা কৌখি। চীঙ্‌গী খুন্‌ থোল্লাংদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লৈমা-নিংথৌকোনুগী লোই কারকউ হাঈববু য়াদত্থনা চীঙ্‌মী ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তসু রাঙ্গোল লোই কারক্তে হাঈত্থনা চীঙ্‌মীশিংত্থনা মুঙ্‌বু পোন্দা হাপ্লগা পীরক্লম্মী। অত্থগী নুমিত্তুগী মরমত্থদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈগী মপুঙ্‌ ফারবা লাম্মী তেঙ্গোলগা লোঈননা লান্দাত্থনা থোল্লাংগী খুন্দিন্নকম থুগাঈবৈ,

কাণ্ডেদা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেল্ পাখংববুদি লৈম্নুং লোন্চা অরিবা কৌএ॥ হে কৌবা অঙাঙঙা-ও করিগীদমক্পু খাবা রুলেল্ হৌ য়াংবা মুংয়ুং চেপ্লোইনববু রুদবরা করিগী পনম্ হেক্মাই কানিংবনো হায়না তুবি মৈনা কোল্লমএ॥ ফালৌ লাইমকোলগী মরাল্ রোম্নেং-রক্পদা চিন্কোই পাওরলননা রায়াম্ পাওয়াম্ববুদি সোং-ও কৌএ সোং রাবু তানা তন্লমএ॥ অদুনোংগীবু সোংতন্-ও কৌএ॥ পনম্ হেক্মাই কারবগী চরৈ ময়িনফিবু চোল্লে মাইচোল্-ও কৌএ॥ কৌবা অঙাঙঙাগা লৈম্নুং লোন্চা অরিবগা তুন্রে হায়বগী তুরাল্ ও কৌএ॥ রাবু লানবু চম্নরে হায়বগী চম্ফুং-ও কৌএ॥ চমফুং লম্তাইথেৎপু নাতৈননা ফতাং লম্নুংসি-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাননোং চীঙঙুরা মরলকুগী খুরেল য়াইখুমনা চরৈ ফিসেৎনবা তাংজ লুরেলতোন্দা

তুবোলগী মীশিংবু লাক্লাক্তুনা লংবিরে। অদুগা লানফমদুদা থোল্লাংগী খুল্লাক্পা লেংবুরেংগা, তুবোলগী খুল্লাক্পা লেংপুগা অনিমকপু হাৎখি। অদুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মত্তাক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো থোল্লাং লান ঙম্বা, তুবোলগী য়ুমথোঙ্ চঙ্তুনা য়াম্থবা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো থোল্লাং লানঙম্বা, ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বসিগী চুঙ্ পাঙ্গত্থনা লান্ শোক্লখিবগী লানফমদি অদুনসু লোঈদ্রি। খা-নোংপোক্ পাংবরোমগী অনাল্ নানফৌ, মরৈপুঙ্, খুন্দোল্, হৈকা, লমগাং, তুবি, লাইরেল্, চুকুম্ অমসুং খুৎলাই কৌব। চাঙগী খুঙ্গং ১০ মক্পু অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লৈমা নিংথৌকোনগী লোইপোৎ কারকউ হাঙ্গনা হাঙ্গরুববু মমিং চৎনা পাল্লবা চীঙমীশিং অদুনা, "মপাঙ্গল কল্লবা আরাশিংনসু মখোঈদা লোই হাও হাঙ্গবা, মৈতৈ নখোঈনসু নখোঈদা লোইপোৎ পীয়ু হাঙ্গবা অসিদি ঐখোঈদি লোই হাবা ঙম্মরোই" হাঙ্গনা চীঙশাং অদোমগী লম্বুশিং— (১) লুরাং য়েক্কী রাহেংবম নিংঙোল রাহেংসুনা পোকপা, ময়াং লৈপাক্কী লম্বুসু ওইবা বিসম্ভর, (২) য়েল্লাংবম পামচৌ অমসুং (৩) ফাজৌবম

লিয়েল্‌ ভংখাই সিনা লোইবী লুহুপ্‌পা মনিন্‌ নাইবনা হে য়িয়ুন্না কৌবা অঙাঙ্‌ঙা-ও হেম্বা য়িসাইকোন্‌ পনম্ব হেক্‌মাই কাববু কাবিয়ম্‌-ও হায়বগী কোয়ৌ নো'বুমমাবু তাংলম্‌এ ॥ অদুনোংগীবু ফাতাং-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী ফাতাং মনিন্‌ নাইবা হেম্বা খা'চেন্‌ ৫ সুবা হেম্বা সোংতাল মরাং হৌবা লোইবী খাংচেন ৭ সুনা য়াকাবসিংনা লোইবী মরম্বু হেম্বা লোইথৌববু নোংমল্‌নোংগীবু ন্নাকাওদনা লাইরেল্‌ মৈতেংঙ্‌না সোংতল্‌ ফাতাং মপুংয়াইদা তুবি খিংকু মখিনাই লাইরেল্‌ মৈবু রোংনা চুঙ্‌লেপ্‌ ৬০ চোং কাওরেল্‌ সল্‌খাং ১০ লান্‌ খংনং লইতং লেংনা পন্‌থেংথবদি সোংতল্‌ ফাতাং য়াকা চাইরে, হেম্বা লানয়াম থারে ॥ মরাল্‌ থুম্বী মৈমাংচন সাইবু মৈতাল্‌ পক্‌ চংলম্‌ ফান সাং থুম্‌লে ॥ হুয়েল্‌ লান্নিকিদি লোইবী সোংতল্‌

চবা অহুম্মকপু হাংখিবগী অথোইবা লাইগী মণ্ডল চেল্লবা মৈতৈগী মবুং-ঙোনা, ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বহুনা শাওবদগী ফৈগন-ফৈরু থক্‌ থক্‌ নীবপদগী মৈতৈ নৈপাক্কী খুঙ্গা—নাইজাগী মী পুম্নমক হুপ্তুনা লান্দারকপদা চীঙ্‌মীশিংগী চীঙ্‌শাংদা হৌবা পাম্বী-শীঙ্‌বী ফাওবা হৌদুনা থোরক্লগা লান্থেংনবদা চীঙ্‌মীশিংগী অপুন্‌বা লানফমদুগী তিন্নফমদু থুগাঈরে, চীঙ্‌গী উপান-রাপান্‌ ফাওবা তুবগুম, য়াঙ্গেন পাম্বীশিংগী মনানা ক্ষাজিন্নবা ফাওবা নীক্‌পা লোঈননা খুনগী য়ুম পুম্বা মৈ থাদুনা য়ুমগী শাইজিন্দা ফাওবা অচাক্‌পা মৈতাল পক্‌হন্দুনা খুনঙাক্‌—লৈঙাক্কী লোঈ-শঙ্‌শিংদা থারিবা ফানশাংশিং ফাওবা মৈনা চাকহল্লে। অদুগা লানফমদুদা অনান্‌, নান্‌ফৌ অমসুং মরৈপুঙগী খুল্লাক্‌পগা, হৈগা অমসুং লমগাংগী নিংথৌ য়ুম্বীরেংগা, তুবী অমসুং লাইরেনগী লুচিংবগা অমদি চুগুম অমসুং খুংলাঈগী খুনবুগা, অথৌবা ৪ অসিনচিংবা লানফা ৩৫ থক হাংখি। অদুগী হুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মতীক-মণ্ডল চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীনবিরিবা লাইগুম্নবা চীঙ্‌লেন্‌ নোংদ্রেন্‌ খোম্বা, নান্‌ফৌ খুঙ্গাওদা জা খৌশাখিবা, অনাল্‌ চীঙ্‌শাং ঙম্বা হাঈনা কৌখি। ঈশিং পীবিন্নিবা লাই-গুম্বসিগী চুঙ্‌ শেন্নদুনা লান শোক্লখিবগী ন্নারোলদি অদুনসুং লোঈদ্রি।

মনিংথৌ মোইরিক্ ঙংসিনবা লিরেল্ তংখাই কোক্থেৎনবা য়োক্রেং অথোবগা ফাতাং মনিংথৌ লাইসম্ খোথাংনবা লাইবক্ খেল্লাই থোংদা ৭ সেন্‌তোপ্পা চম্ফিরেং অথোবগা হুয়েন লানপুম্ ২ মনা চিংনা হেম্বা লান্‌পুম্ ৫৬ মাপু কাইনহুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেন্ মৈতেংঙু তুবি চীঙ্‌লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা-ফাতাং য়ুম্‌চংয়ান্‌বা সোংতল্ লানয়াম্ থাবা মদাইরেম্ লোইবী মরম্বুগীবু য়িমু মমৈ খরুম্ খক্তা য়িঙৌ মমৈ কংলম্ কংদা লাংবন অওললুক্ চেংপুম্ মনাওত্তোনকুম্বা থোংনাং মাইতেক্পা য়ৈনরুক্ কবো তাইপোং লৌথিবা মলুনরুকুম্ববু লনসিং তান্‌বা মদাই-রেম্গী লন্‌সিং তানব-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু ফাতাং য়ুমচং য়ান্‌বা সোংতল্ লান্‌য়াম্ থাবগী লাইরেল্ সনা মচুঙ্‌চেল্ চুঙ্‌সেল্

নোংপোক মাঈকৈ পাংবরোমগী কবোগী তুমু খুন্‌গী নোংদম্বীনা চীঙ্-কাবা লম্বী, চীঙ্‌গী লৌফম হুন্দুং কৌবনা কোনবা হুন্দুং খুন্নৌবু লাম্থোক্লগা লৈবা তুয়োং কৌবা, লমলক্তা সনা শাফম ওইনবা মফম্বু অমুক থৈদোক্লগা লৈবা লমবু লোইবী লৌতাংখুল্ তাংখুল্ মচীরম, সাকোক মুঙ্‌খৈল্ চীঙসৌলাং হাঈনা কৌবদি করি তৌথিবা মুমিত্তগীনো? থাঈনা, মমাঙ্‌ঙৈদা, অহানবা খুল্লি লকপগী অহানবা মী ওইবা, অরিবনা য়োন্নকপা অরিবগী মচাগা, থাঈনঙৈগী ঙানবা য়েক্কী মপুগী মচান্নুপীগা আরাদা অশিবা চঙ্‌দবা, কবোদা অনাবা নংদবা মহৈ মরোংবু খিননবা চীঙ্‌মী ওইনা থোক্লক্পদা, ময়া পানবা মুঙ্ নেত্তুনা, য়োবদা ঙম্লবা চীঙ্‌শিংবু কাহুনা চীঙ্‌গী সিদ-নাদবা মফম্বু থিরক্পদা খাবা শল্লাইনা ওনখিবা মচী কৌবা ফুরুপ্কী মী পুম্নমক হুপ্তুনা অথোইবা শাগী মকোক্ কত্তুনা মখোঈবু সেবা তৌরম্মী। মহুদা লাইগী ঙমৎং ওইরবা পোইরৈতোম্বা মখোঈ মচী ফুরুপ্কী শাহুগী শা মকোক অমনা মখাদা থারগা খাবা য়েক শল্লাইদা শিবা নাবা চঙ্‌দববু ওইরসনু হাঈনা লাং পাম্বীগী মনা-মপান্‌শিং ফান্দোক্তুনা মুঙ্ য়ুংলম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী মফম অহুবু সাকোক্ মুঙ্‌খিল্ চীঙ্‌সৌলাং হাঈনা কৌখি। সাকোক্ মুঙ্‌খিল্

ময়াল্ওন্দি অসিস্নুং মতোমদে॥ হাওরৈ নোংচুপ্লা পাংবরম্ মৈতেংঙু থোংনাং ময়াম্বা ছয়েন্ লাস্তারম্ থোন্নখারোক্ লোইবী চাঙৌপুং নোংফৌ চীঙলুখুম্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহান্নোং হয়িঙৈ খোইনৌ মুংপাল চম্ন মতা ৬ মানা অরাং কোরৌ নোংকাঙৈদা ১০ মচাক্য়োম্না ঙৌহুম্ ঙৌনা তারমএ॥ অদুনোংগীবু চাঙৌপুং-ও কৌএ। নোংফৌ চীঙ্লুখুম্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ খোইনৌ মতা ৬ মকী চরৈ ময়িন্ফি মাললৌ মকানক্পু কোরৌ চীঙ রাং য়িনা চোংলবগী কোরৌ নোংসামৈদা ফৌরম্এ॥ অদুনোংগীবু নোংফৌ চীঙ্লুখুম-ও তৌনা কৌএ॥ মতু মবাং পোল্লে হায়বগীবু তুপোন-ও কৌএ॥ থোল্না থোল্না তুম্লমএ হায়বগীবু থোল্লাং-ও কৌএ॥ লোইবী থোল্লাং মপুংয়াইদা লাইরেল্ মৈতেংঙ্না রাংকোন্ লোই কারক্-ও হায়ববু হোইয়াদনা লোইবী

চীঙ সৌলাং কৌবা চীঙ্গী খুল্ অসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোসিনা তাম্হোং কৌবা মৈতৈগী কোন্নুংগী লম্দা খোঙ্ খুম্বদা শীজিন্নবা ফি মতোমতা মবাক পাক্লা শাবা ফি, ফিগী মতু দা থৌরনা কা কা চন্দুনা ময়েক থোকহনবা ফিগী লোইপোৎ লৈমা-নিংথৌকোলগী ওইবা লোইপোৎ পোংনা পীবকউ হাঈববু পীয়ু য়াদবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা থাঙ্ মখে লাংনা হাইদুনা, চুঙ্গী মপান কোপশিনবা মখৈ য়েনদুনা, রানা মথোক পানবা তাগী তাজান ফাওবা কাঈনা লাম্থোনদুনা নুঙ্থিলগী খুন্দিনফম থুগাইরে, চীঙ্সৌগী খুন্গী য়ারেক্শঙ্শিং মাংহল্লে, খুনগী য়ুম পুন্নমক তুম্না মৈ থাদোকলে। লানফমদুদা তাংখুল্গী হুন্দুং খুল্লেনগী মচিগী লাম্বা চৈত্রবা অথোবগা তাংখুল্গী ঙাগ্রুম ফুরুপকী মপা তাংলবা মসাম্নুং অথোবগা তাংখুল খুম্বক লম্মসি / নম্বসিগী নিংথৌ কোংপুরাংবগা মখোঈ অহুম চিংবা লাম্মী ১৪০ খক হাংখি। অদুগী মুমিতুগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙ্লেন্ নোংড্রেন্ খোম্বা তাংখুল্গী খারম চীঙশাংদা তা খোশাখিবা, খাবা লৌতাংখুল্গী

য়িপাবোল্ হেম্বা য়িপুরোন্দসুং ৱাংকোল্ লোইকাবক্তে হায়না থৌড়ু মুঙ্পোল্ সানা পিখৎলক্এ॥ অড়ুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙুনা পোইরৈ লাল্লোই মপুংফাববু ঙাইরোননা পম্বেংথবদি থেল্লাং য়াকা চাইর তুপোন ৱাইহুল্নরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী থোল্লাং মনিংথৌ লেংবুরং অথৌবগা তুপোন্ মনিংথৌ হুয়েল্ লেংপু অথৌবগা ২ মাপু কাইনা হুল্লে॥ অড়ুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙু থোল্লাং লানথাবা তুপান্ য়ুম্চং য়ান্বা–ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু থোল্লাং লাম্থাবগী তুবি সনা মচুঙ্সেন দি অড়ুসুং মতোম্দে॥ হাওরৈ নো পোক্ খানা পাংবরন্ লোইবা অনাল্ মবৈপু খুল্তোল্ হৈকা লম্কাং তুবি লাইরেল চুকুম্ খুংলাই লোইবা খুল্খং ১০ মপু লাইরেল্ মৈতেংঙুনা ৱাংকোল্ লোইকাবক্–ও হায়না পাওমেল্লুববু লোইবী মনিন্ নাইবনা খামরন্ মনিন্ নাইবনা লোইমা পি ও পোইবৈ মৈতৈ নঙ্স্থ লোইমা হা৹

তাংখুল্ লানফা ময়াম হাংপা হাঙ্গনা কৌনবি। ইশিং পীবিবিবা ইই গুম্বসিগী লান তৌবগী মহৌদি অড়ুনম্ভ লোইদ্রি। নোংচুপলোমগী নোংনা ফৈনা ফৈনা চুববু হুমদোকপা লম, নোংচুপলোমগী ৱা ঙাক্তা হৌবা তম্পাক, তম্পাক্কী লম্দমড়ুগী অসুম ময়াদা তাববা লম, ঙাগী মরুগুম্বা অকনবা ঙাববনা মখোঙ্ থীন্দুনা লান্দাখিবা লোক্, লীংজেল খারবা খারাবনা কংফানগী শরুকপু কোনবা লোক্, খা পাংবদা নোংচুপ লেংফাইরোক্লা লৈবা, লেংনা কৌবা উমংগী ওমখৈ ওইবা লম্, উমৈ লেংফাই চীঙ্না লৈবা লমদম্, লাইনা লৈবা মাঙ্গকৈ (অৱাং) রোমদদ নোংচুপ তুৱাংলা তুৱাংলাইনা লৈবা, ৱাগী মতাং হান্না থিনগৎলকপগুম্বা ময়াম্বা অহলবু পোকমিন্নবা মনাওনুপা অতোম্বনা হীদাক্ থাড়ুনা অৱাবা তাহনখিবা লোক্, হাওনু তোম্সোন্ লাংমৈনু কৌবী অশংবা / অনৌবগা ঙাই ওইবীনা লান হোরকউ হাঙ্গনা লান্দাহনখিবা চীঙ্, খুমন খোঙ্গবা মখোঙ্ য়াঙ্বগা নোংচুপ য়ীয়ৈবীগী লানফা তান্নবদা থৌনা ফবগা, খুমনগী হাওকোক্থোং কৌবা শাহুইগুম্না য়াঙ্বগা তারোন তাগী তাজীন

হায়ববু হাঙমলরোই হায়না লোইবী মরম্‌পু নোংপাল্লোন ৱাহেংসু লিন-কোইগী বিসন্তৱা ময়াং লম্বুৱা, পাম্‌চৌ য়েলাংবা, চুৱা ফালচৌবা ৩মাপু নোংমলৱাকী লাইরেল্‌ মৈতেংঙ্‌না তুবি কল্‌হৌ নিক্লবগী পোইরৈ খুল্‌চা হৌ তয়িম্ নাইচা হুপ্পা হেম্বা চীঙ্‌সাং খোক্‌লোই হৌনা পল্‌থেংথবদি হেম্বা য়াকা চাইরে, চীঙ্‌সাং খোক্‌লোই তু য়াংকেল্‌ নাফা নিক্, মরাল্‌ থুম্বী মৈমাংচন্‌ সাইবু মৈতাল্ পক চৎলম্ ফান্‌সাং থুম্‌লে॥ হুয়েল্‌ লাম্লিকিদি অনাল্ মথৈপুংগী খুল্লাক্‌পাগা হৈকা লম্‌কাং মনিংথৌ য়ুম্বীরেং অথৌবগা তুপি লাইরেন্‌ লমচিংবগা চুকুম্ খুৎলাই খুলবু লাল্‌থৌয়াংগা হুয়েল্‌ লান্‌পুম্ ৫ মনচিনা ৩৫ মাপু কাইনহুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্‌ মৈতেংঙু তুবি চাঙ্‌লেন্‌ নোংরেন্‌ খোম্বা নান্‌ফৌ খুলেন, লৈদা খৌসাবা

মাঙ্‌লোমদা থিন্দুনা লম্ লৌশিন্দুনা লান্দা—লান্‌চাইখিবা লোক্, চীঙ্‌গী খুল্ ঈহারোক্ কৌবা মচী লোন্‌শিন্নবগুম লোনশিন্নবা চীঙ বু লাম্হোক্লগা লৈবা অথোইবা লম মতাই অমবু ৩াকুৎ তাকাইয়াং থৌপুম্‌চীঙ্ হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা নবুধৌ, ঈশিং পীবিবা লাইনা য়োকপা নোংথক্তগী তারকপা অতিয়াগী অথোইবা লাই, ম৩ম পুম্নমক্তা পাখংদা ওইহুনা লৈরবা পাখংবনা য়াম্নহুনা নেমথরগা চানবীখিবা চাঙ, য়াম্নহুনা ৱাংখৎখিবা অমাইবীনা মশাগী হুপী ওইবীবু কথোকখিবা ম৩মদা চীঙ্ শেমখিবা লোক্তু কৌবনা মমৈ ককথতুনা শেমখিবা চীঙ্‌, চীঙ্ শাবা খোমহু কৌবনা হুঙগী মকুপ্ খুল্লগা শাবা চীঙ্‌দা লনলোই লৈয়াৎপু চৎনদনা তাকুৎ তাকাঈয়াঙ্‌ কৌবগা লোঈননা লম্লক্তা হুংশি-হুঙ্‌ওন্নবগী শান্ন-খোৎনরিঙৈদা মখোঈগী অখাকপা চাক্তুবু চায়াইনৌ কৌবা চীঙ্‌গী খুন্ য়োনবা কৌবী, চিনফি, চাকফি শেৎপীশিংনা পুথি। চায়াইনৌদা লৈবশিংনা হাঈনবদা, চিন্‌ফি শেৎপশিংহুনা কৌনবদা চাকপু 'পুম্' হ ঈনা কৌই, চারববু "খৌ" হাঈনা হাঈ। অদুগা পরেং শানা লৈখিবা অৱাংবা অথোইবা চীঙ্‌শিংবুসু 'পুম্' হাঈনসু কৌই। অহুগী হুমিত্তুদগী খৌপুম / খৌবুম খুল্লেন হাঈনা কৌখি। চীঙ্‌গী ঈশিংখোংসু

অনাল চীঙ্সাং ঙম্বা-ও তৌনা কৌএ॥ তুবি সনা মচুঙ্সেন্দি অহুম্নুং মতোম্দে॥ হাওরৈ নোংপোক্লা পাংবরম সেন্বী তুমু খুলকম্লেন, নোংদম্বী চীঙ্কারম্ লৌইবী লৌহুংতুং হুংতুং খুনৌলৈবু কাম্না চোং তুয়োং পানম্ থম্সানাইবু ফৈনা সম্না লোইবী লৌতাংখুল্ তাংখুল, মচিরম্ সাকোক্ মুংথিল্ চীঙ্সৌলাং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহান্নোং হয়িঙৈদা খুন্বী পোংমাহল্ খুম্নুং য়োইচাখাগা খুমু ঙালবা মপু নিংথৌ চম্নুগা সেন্বী সিদহৈ কবো নাতা হৈবু খুল্থিরুবগী চীঙ্বু-রোই লাংওন্লক্পদা মুংবী য়াসৌ নেৎ চীঙ্লেন্ য়োঙম কানা লোইবী সিদহৈবু খুন থিরক্ঙৈ থাবা পুম্না হুপ্ ম চ পুম্না তিল্না সারেন্ সাকোক্ কংনা য়োইচান্নঙম্এ॥ চীঙ্খোং পোইবৈতোন্না মচি সাকোক্

---

৯ গুবা, চীঙ্শাং নাপোমসু ১২ পানবা মতীক চাওরবা চীঙ্গী মথক্তা তাবা খৌবুম খুল্লেনগী চীঙ্মীশিংবু অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈ লৈপাক্কী লমগা, ময়াংলৈপাক্কী লমগা শম্নবা লম্বী ওইবসিদা অশোক-অপন্ থোক্হল্লগনু, লম্বী চৎপশিংবু অওৎ-অনৈবা তৌরগনু হাঙ্গৈববু য়াদবগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা নোংমৈ রাইফল্ থবাক্তা থমদুনা পাঙ্গৈরগা, থাঙ্গী ময়াগী মথৌ হেন্হন্দুনা, চুঙ্ অনি য়ৈশিন্নবগী মপান কুমনা, রানা মখোক্ ওইবা তাগী তাজিন কাইবা ফাওবা লাম্হেংনদুনা লাম্পাবদি তাকুৎ তাকাঙ্গৈয়াংগী খুন্দিন্নফম থুগাইরে, খৌবুম লাম্বী ময়াম মথরাই মাংলে। খুন্গী য়ুম পুম্নমক তুম্না মৈ থাদুনা য়ুমগী শাইজিন্দা ফাওবা অচাকপা মৈতান পক্হন্দুনা লৈঙাক্শঙ্গী থারিবা ফানশাং ফাওবা মৈনা থুম্হল্লে। লান-কমসিদা খৌবুম্ খুনগী নিংথৌ ঙমখুই চায়াই নোংয়োনবা অমসুং মাগী মুপী মোইবুং মচাগী লীক্শিবী, লিকোন্গী লীক্লা মখৌরাঁদা শিবী, চিনফিনা ফনেক্ ওইনা শেংপী অনিসিনা চিংবগী মকোক্তা লোঙ্গননা খৌবুম্গী চীঙ্মীশিং মকোক্ মখীং থিবা ঙমদবমখৈ মাঙ্ থানা পুরক্লগা য়োঙ্গরেল্ (অমাইবশিং মকোক্) কম ওইবা খুমন্ মচা লৌথাম্ববু

মবু থাগা থা খাবা সিদহৈবু লৈঙম্‌সনো হায়না লাংনা তেম্‌না থৌঙ্‌ মুংবু মুংলম্‌এ ॥ অহুনোংগীবু সাকোক্‌ মুংথিল চীঙ্‌সৌলাং-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী সাকোক্‌ মুংথিল্‌ চীঙ্‌সৌলাংবু লাইরেল্‌ মৈতেংঙু না তানথোং ঐগী খোংখুম্‌ফি ফিরাক্‌ তোম্‌সারোই ফিতুং থৌরি কাচল্‌লোইবু রাংকোল লোইকারক্‌-ও হায়ববু কাতরাগী লাইরেল্‌ মৈতেংঙুনা থাংলেন খেয়াং থাং চুঙ লোং মপান কুম্‌ খেয়ে তাচিল্‌ কাইনা পম্বেং-থব দ মুংথিল, য়াকা চাইরে চীঙ্‌সৌ য়াকা মাংলে, মরাল থুম্বী মৈমাং-চন্‌লে, হুয়েল, ল্যান্নিকিদি তাংখুল হুংতুং খুল্লেন্‌ লৈগী মচি লুম্‌হাই অথৌবগা তাংখুল ঙাপ্রুম্‌ লম্‌কেৎপা লোইবী মসাম্বুং অথৌবগা তাংখুল খুন্থক্‌ লম্‌মসি মনিংথৌ কোংপুবাংবগা হুয়েল লান্‌পুম ৫ মনা চিংনা

লাল্লোই লৈয়াংকী শরাং / সরারেন্দা য়ু কৎপগী লাল্লাও খোনগুম লাও-হুনা কবাং চীঙ্‌দগী য়ানবা লানফা হো বদা শীজিন্নবা চৈবু পাঙ্গহুনা মবেঙ্কো মুঙ্‌গোইবী লাইরেম্মদা লাললু চন্দুনা / কতুনা কংলা লানবাউ তমখি। অহুগী মুমিতুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্বা চীঙ্‌লেন নো ন্রেন্‌ খোম্বা খৌবুম্‌গী অথোইবা চীঙ দা তা খৌশাবা, চীঙ্‌গী ঈশিংখোং ৯ চোংবা, খৌবুম্‌গী চীঙ্‌শাং নাপোম ১২ গী মমুংদগী খৌবুম্‌ কাইরংথেন্‌ মথক্তা থৌনা হাপকৎপীবা, তায়াং ল্যানগুম্বা, খৌবুম্‌গী য়ুম খুদিংমক চঙ্‌হুনা য়াম্থুবা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো খৌবুম্‌ য়ুমচঙ্‌ য়ানবগী চুঙ্‌-তা পাঙ্গহুনা লানহৌহুনা থেংনখিবদি মসিনম্বু লোঙ্গন্ত্রি। খা পাংবা মাঙ্গকৈদা লৈবা তুরেলগী খোংলম য়িন্দুনা খুন্দাবা চক্‌পা হেমজেংগী তুরেল (সেক্‌মাঙ্গ তুরেল) বু তুবৎ লাল্লগা লৈবা থরাং কৌবা চীঙ্‌মীনা লান্‌ লুম্রম্বা চীঙ্‌, তুয়াং তুরেলগী হিনা থারম্বা হিদেনগী অথোইবা লম, কনা হুংবকোল্‌ কৌনবা, মোম্বী খুল্লেন্‌বু সোংপুম্‌, লম-তাইথেৎ হাইনা কৌবদি করি তৌ।খবা মুমিত্তগীনো ? মারেম্‌ হাঙ্গনা খঙ্‌নবা চীঙ্‌মী ফুরুপ্পা লৈঙ্গোইগী ওইবা মুঙ্‌ অশাংবা অমসুং মহুগী

১৪০ মাবু কাইনহল্লে॥ অদুনোংগীবু লাইরেল, মৈতেংঙ, তুবি চীঙ্লেন, নোংত্রেন, খোম্বা তাংখুল, খারম, মচীঙ,সাংদা খোসাবা খাবা লোতাংখুল্, তাংখুল্ লানুয়াম্ খাবা-ও তৌনা কৌএ॥ তুবি মরাল্হৌদি অদুসুং মতোম্দে॥ লম্লেন্ মদাইমা নোংচুপ্ ফেল্চী নোংহুম্লম, নোংচুপ্ কোংয়াংফাই ফাই তম্পাক্ কাইয়ারাং ঙারুবা খেংথিল্লোক্ খারাবা য়াকোল্লোক্ খানা পাংবদি নোংচুপ্ লেংকাইরোক্ লেংনা কৌবা রূমৈরম্ রূমৈ লেংকাইচীঙ, লাইনা পাংবারম্দি নোংচুপ্ তুরাংলা তুরাংলাই কোংয়াং মসাবী খাইচেং অহল্বব্ কোংয়াং মসানৌ খাইচেং অতোল্বনা য়াইনারোক্ হাওম্ন তোম্সোন্ লাংমৈম্ন সাংতে ঙাইনুবীনা লানকৌচ্ঙ নোংয়াই খোইবা কোয়াংবগা নোংচুপ্ য়িয়ৈ লান্তান্ থৌবগা হাওকো থোং

মপাং ওইবা নুঙ্ঙৌ নুঙ্পা ময়া শৌ শাবগুম পানবশিংবু চেপ্পা লোন-খতুনা ঙানহল্লগা, ময়ুম লৈফম শানবশিংনা অমুবা অকনবা নুঙ্শিংবু "পুম্" হায়না কৌই। অদুগা অঙৌনা নুঙ্ঙৌশিংবুদি, "সোং" হায়না কৌই। অদুগী নুমিতুদগী সোংপুম্ লমতাইথেৎ হায়না কৌখি। মোলবা/মোম্বী খুল্লেন্লৈ হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? মমাঙ্দৈদা মবুধৌ লাইগী ঙমথং ওইরবা পোইরৈতোন্না চীঙ্মী শাদুনা লাকপদা মতৈমা ওইবী লাইনাও তাবিগী মখোঙ্ থুয়াগী ময়াঙ্গী মিহুনফম্বু মোল্লম্মী/তুমশিল্লম্মী। অদুগী নুমিতুদগী মোল্বী/মোম্বী হায়না কৌখি। মোম্বী থোনবগী থোদোক অমদি চীঙ্ অদুগী অকোঙ্গবদা লৈরিবা চীঙ্শাং নাপোমশিং অদু চীঙ্মী/হাওশিংনা থুন্দাই হাঙ্গবদগী মোন্বী হায়না কৌখি। কনা হংবকোন কৌবা ঙারা কৌবা ঙানা মকোন্দা লৈতবা হিদেন,, ঈশিংগী ঈরৈ ঈহন্ লৈবা, পীক্লবসু অথোইবা ঈশিংগী লৈফম ওইবা, অশেংবা ঈশিংনা লৈবা অথোইবা মফমসিবু লাম্থোক্লগা লৈবা মোম্বী-সোংপুম্ কৌবা চীঙ্গী খুনসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোম্না মাগী অচানবা মনাই য়িরেংবনা কংলা মেন্ তোংনবগী মেন্/ফম্বাক শানবা উ য়ানবা চংখিবব্ ফাখিবগী

খুমন্‌ তাওহুইয়াংনা সৌপোন্‌ মাংরোইখিন্‌না লমখম্‌ লান্‌চাইরোক লোইবী য়িহারোক্‌ হেম্বা চৌরোন্‌চীঙ্‌বু নাতৈননা তাকুৎ তাকাইয়াং খোঁপুম্‌ চীঙ্‌-মণ্ডন-ও কৌবদি কদোনোংগীনো ॥ লহান্‌নো হয়িঙৈদা নয়ু তুবি য়োই নোংতা নোংদা লাইরেন্‌ পাখংবনা সেন্‌নেম্‌চীঙ্‌ সেন্নাং খাবী হৈরাং রাইচংহৌঙৈ লোক্তু চীঙ্‌সেম্বনা চীঙ্‌লেন্‌ মমৈ কক্‌না সেম্বা চীঙ্‌ খো তু চীঙ্‌সাবনা থৌহু মুংকুপ্‌ খুল্‌না সাবা চীঙ্‌ লাল্লোই চংনদনা তাকুৎ তাকাইয়াংবু ঙাইরোইননা পনম্‌ হেক্‌মাই কাঙৈদা ১০ মচাক্‌খাক্‌পু লোইবী চায়াইনৌ য়ৌনবা চিনফি খানিক্‌নবিসিংনা চায়াই মিকৌনা চিনফি তেংথাননা ০ চাক্‌পুদি পুন্‌-ও কৌএ ॥ চারববুদি খৌ-ও কৌএ ॥ চীঙ্‌লেন্‌ পল্‌লংলা অরাংবুমুং পুম-ও কৌএ ॥ অহুনোংগীবু খোঁপুম্‌

অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা অচৌবা চীঙ্‌জাও মথক্তা নোংনা থাক-লাওলা অহুগুম্বা খোঙ্কেলগা লোঈননা লান্দাহুনা লাম্থেংনবদি মোম্বীগী থুন্দিনফম থুগাঈরে, সোংপুম্‌বু রাই হুনবগুম্‌ চাঈখাঈরে। থুনগী য়ুম পুম্নমক তুম্না মৈ থাহুনা মাংহল্লে। লানফমসিদা মেম্বা সোংপুমগী নিংথৌ সোংঙৈলগা মুংতা থুনগী মেন্দে ফুরুপকী লান্‌ পাংলবা গাইতুংগা অনিসিনা চিংবা লানফা ৬ থক্‌ হাংখি। অহুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মণ্ডক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চমোন্‌ কাপোন্‌ ঙম্বা, সাইপুম্‌ খোংয়াং চাঈবা, মোম্বীগী য়ুমথোঙ্‌ চঙ্‌হুনা য়াম্বা, সোংপুম্বু রাই হুনবগুম হুনবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো সোংপুম রাইহুন্নবগী চুঙ্‌ শেন্নহুনা লাম্থেংনবদি অহুনমু লোঈদ্রি। খা-নোংচুপ পাংবা মাঈকৈরোমদা মোইরাং তোরকাই/ তোর্বুঙ্‌ কৌবা মুপা ওইবা মীশিং পোক্লকপদগী য়োক্লকপা মফমগা হেক থংননা লৈবা মোংকুং কৌবা ফৈনা লৈরিবা চীঙ্‌বু তুবৎ শমহুনা লাক্লগা ঈখোই-ঈহাংলোক্‌ কৌবা ঈশিং পীবিবা লাঈনী মফমু হেন্দোকুনা লাক্লগা লৈবা তোমোল্‌ চীঙ্‌শাংবু ফৈনা তুবৎ শমজিল্লগা তাখিবা চীঙ্‌মীশিংগী চোম্থ-হেম্বনা লৈবা লোকমগা তাইবা খোংচোল লুরোই কৌবা চীঙ্‌শাং

খুল্লেন্‌লৈ-ও তৌনা কৌএ॥ খৌপুম্ খুল্লেন চীঙ্‌মঙন হেম্বা য়িসিং খোংসুং ৯ সুবা লোইবী খাংচেনসুং ১২ সুববু লাইবেল্ মৈতেংঙুনা থোংনাং লম্‌তাংসাং পোইবৈ য়িবমসাংবু ঙমপললক্‌না হাযববু ঙমপল্‌রাগী লাইরেল্ মৈতেংঙুনা কামবন নোংমৈ থাফেনা থাংলেন্ মথৌ হেন্-চুঙ্‌লোঙ মপাল্ কুম্ খেরে তাচিল্ কাইনা পম্লেংথবদি তুকুং তাকাইয়াং য়াকা চাইবে, খৌপুম্ লান্‌কা মাংলে॥ মবন থুম্বী মৈমাচন্ সাইবু মৈতান পক্ চৎলম ফান্‌সাং থুমলে॥ হুয়েন্ লান্নিকিদি লোইবী খৌপুম মনিংথৌ ঙমখুই চাযাই নোংযৌনবা মকম্বী মোইবিক্ ঙংকোইনবী লিক্‌কোল্ খৌথাংনা চিনফি খানিক্লবীগা ২ মনা চিংনা খৌপুম্ লাল্লু মসিং থিঙমদবা পুম্নমাপু মাংথাননা য়োইবেল্ অতোল লৌথামববু নাল্লোই

কারগা লৈবা চীঙ্‌মী কাইবমশিংগী চীঙশাংবু সেল্‌তিং তুইথুপ্ খুনু সৈ হাঙ্গনা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? থাঙ্গনা মমাঙ চৈদা নবুধৌ লাইগী ঙম্‌থং ওইবা পোইবৈতানগা অবিবা ঙানবা য়েক্কী নিংথৌগী মচানুপীগা অশিবা চঙ্‌দবা চীঙ্‌গী খুন, অনাবনা খৌদবা চীঙ্‌ম শিংগী লমদমদা পানবা হৈবু লৈরমগদ্রা হাঙ্গনা মথৌমক ওইনা থিবা লা পদা মমিং চৎলবা, নুংঙাই-য়াইফনা পাল্লবা চীঙ্‌মীশিংনা মখোঙ্গী খুননী লৈতেম মান্নরবা থেন মপক্কা পরেং শানা লেপ্লুনা ঙাইবম্মী। অতুগী নুমিত্তুদগী হেম্বা কাইরম মচীঙ্‌শাং হাঙ্গনা কৌখি। সেলতিং খুনুসৈ কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? খুমলগী মোইবু লোকপা থোংবু কোইঙম্বা কৌববু য়াইফ, মরাং কাঙ্গনা পানবা চীঙ্‌মীশিংনা পা-পী অনিমক ওইবা ঙম্বা লাইশিংগী মবুংঙো অতুগী মচা-মশু ওইবা ইবুধৌগুম্বনি হাঙ্গতুনা চীঙ্‌গী অথোইবা শন, মরাইবক্ / মচী অনি লোঙ্‌বা, মখাদা লীক্লাইগুম্না লংলবা মতীন তাবা শন্তংগী শা ময়াম পৈতুনা অমদি চাক্লা চীঙ্‌গুম পৈববু 'তিং' হাঙ্গনা কৌই। অসুম্না অথো বা-অহাঙবা 'তিং' বু চীঙগুম পৈতুনা ওক্লম্মী। অতুগী নুমিত্তগী সেল্‌তিং হাঙ্গনা কৌই। তুথুপ খুনুসৈ হাঙ্গনা কৌখিবদি মারেম কৌবা চীঙ্‌মা ফুরুপ্পা ঈশিংবু

সান্নাং য়ুরু ববু লাল্লাওনা করাং লানহোইচৈবু খুত্তা মুনা ময়ু চেংচা ন্নুংকোইবীনা হুয়েল্ লানহোইচিল্লে॥ অদুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা খৌপুম্ চীঙমঙন্দা খৌসাবা হেম্বা য়িসিংখোং ৯ চোংবা লোইবী থাংচেন ২ গী খৌপুম্ কাইরং থেন্পুঙথক্তা খৌতোংবা তয়াং লানথাপা খৌপুম্ য়ুমচং য়ানবা ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ খৌপুম্ য়ুংচংয়ান্বগী লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেন্ চুঙ্সেন্ মরাল্হৌদি অসিম্নুং মত্তোম্দে॥ হাংরৈ খানা পাংবরম্ মোংবা খুল্লম য়িল্ হেমচং চক্পা য়িবু ফৈনা সম্ হেম্বা থারাং লাল্লুম্চীঙ্ রাবৈয়ৈ তুংং হিংরম লম্লেন্ কনা হংবকোল্ মোল্বী খুলেন্লৈ

তুই হাইনা কৌই। অরুবা অপাক্পবুদি 'থুপ' হাঙ্নীনা কৌই। লুমসিগী অরুবা অপাক্পা ঈশিংদা ঈরুজবগা লোঈননা থুবাক্ খুত্নুনা তান থারগা, মখোঙ্গী মমাঙ্ঙৈগী ফুরুপকী ঈশৈ শক্নুনা ওল্লম্মী। অদুগী মুমিতুদগী তুইথুপ হুনুংসে হাইনা কৌথি। তমোল্ চীঙ্শাং মোলকং লিনপু হাঙ্গনা কৌখিবদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো? থাঙ্গনঙে, কৌবা অরিবা মতম্না য়োকপা অদিবগী মাঁ (পোইরৈতোন) বু তমোল খুনগী খুল্লাক্পনা উনা শানা উপুদা থং থং য়ৈবগা, মখোঙ্গ তোংবা সেম্বুংগী মখোম্না নিন্-হন্দুনা ওক্লম্মী। অদুদগী অকোঙ্গবদা লৈরিবা চীঙ্গী নাপোমশিংদুবুম্ন 'মোল' হাঙ্গনা কৌখি। তমোল্ চীঙশাংগী কাইরম থেলদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা, "অচানবা ইনাই লাইথম শঙ্লেন্ লাক্পা নোংশাগুম্না লান্দাবা, নঙ্না মত্তৌরংবী চীঙগী য়োংমু শারমদগী মাপং চাংকোল্, কখামুংগী, হেংলপ্, থায়াং মেঙপুঙ্, খুলপুঙ্ অমম্নুং থুমকোং হাঙ্গবা খুঙ্গং ৭ মক্পু খুনগী য়ুম তুম্না মৈ থাদুনা লান্দা-রুচো। অচানবা ইনাই অহল্লুপ শঙ্লেন লাকপা মৈরিগুম্না য়েক্নবা চাকথেক্পা নঙ্না চীঙ্শাংগী খুঙ্গং অহুম—চাংবী, কোলমোই অমম্নুং মোলসাংদগী হৌরগা লাইশিংগী মবুংঙো ইকাই খুম্মনীংঙাই ওইরবা রাম চন্দ্র অথোইবগী সনাখোঙ্ চীঙ্ ফাওবা মরোন-মরান তারু। লান্দারুচো।

সোংপুম্ লমতাই থেং-ও কৌবদি কদোনোংগীনো॥ ময়ুম্ লোইবী মারেম্না থৌহু মুং অসাংবা চেংচা মুংঙৌ নাপাকৃপা মুংবী য়াসৌ সাবা থৌহু চেপলোন্ নমঙাননা হেস্বা য়ুমওইনবনা থৌহু মুংমু সিদববুদি পুম্-ও কৌএ, চেংচা মুংঙৌবুদি সোং-ও কৌএ॥ অহুনোংগীবু সোংপুম্ লম্তাই-থেং-ও তৌনা কৌএ॥ মোল্বী খুগলেন্‌লৈ-ও কৌবদি কদোনোংগীনো॥ লহান্‌নোং নয়ুবা চীঙ্‌খোং পোইরৈতোন্‌না চীঙ্‌বুরোই লাংওল্লকৃপদা মতৈরৈমা লৈনাওতাবীনা খুয়া লাইকোইথোংবু মোল্লে মোন্‌বী-ও কৌএ॥ মোন্‌বী থোনময়ক্তি চীঙ্‌সাং নাপোম্ অকোইবদি লোইবী হাওয়াম্‌তাই হায়বগী মোন্‌বী-ও তৌনা কৌএ॥ লম্লেন্ কনা হংবকোঙ্গ ঙাব্‌ কোল্তৈবা মহিথেল্ কোল্খু য়িহল্লোন কোল্লেন্ লাইঙ্গা য়িনামুংব

অচানবা ইনাই খাবম শঙ্‌লেন্ লাকৃপা নোংদোন্দগী বগ্র তাবগুম্না লান্দাবা নঙ্‌না খোংচোঙ্ চীঙ্‌শাংগী খোংতুম, কোল্লেপ, অহিংসি অমমুং য়াম্বী কৌবা চীঙ্‌গী খুঙ্গং ৪ দগী হৌরগা লাইশিংগী মবুংঙা ইকাই খুম্ননীংঙাই ওইরবা রামচন্দ্র মচীন-মনাওনা ঈরুজরম্বা মফম য়োন লম পুন্নমক মৈ থাহুনা চীঙ্‌মাশিংগী মখুন পুন্নমক তুমহন-তাকৃহন্দুন থুগাঈরুচো। অচানবা ইনাই নহারুপ শঙ্‌লেন্ লাকৃপা, চাঙ্‌লাইনা পাইবগুম লান্দাগনবা নঙ্‌না চাঙ্‌গী খুল্ মঙাইতাং, মোলহোং, চনমমাং, খারম অমমুং লোম্নুং কৌবা খারম চীঙ্‌মী ফুরুপকী খুঙ্গং ৫ দগী হৌনা বরাক্ তুরেলগী থেকৃচিনবা ভোরৈ য়োব ফাওবদা লৈবা খারমগী তম্পাক্কী লৌকোন পুম্বা মৈ থাহুনা লান্দারুচো। অথোইবা ইনাই ফুঙ্গানাই শঙ্‌লেন লাকৃপা তাংলৈগুম্না পাইহুনা লান্দাবা নঙ্‌না তমোল্ চীঙ্‌শাংগী তমোল্, মালকং লিনপুঙ, চাপান, চীফাক্, খল্লেন, মেনচুং, লৈপোন, তোলমাং অমমুং মুংমাং কৌবা চীঙ্‌গী খুঙ্গং ১০ দগী হৌনা হাম্বেং লাবনা মখে লাংবা চীঙ্ মেম্নাং তনবা খেরাংচীঙ্ ফাওবা চীঙ্‌মীগী চীঙ্‌গী মরোল হুবা ফাওবা মৈ থাহুনা লান্দারুচো। লীক্লাইঙ্গম্না নীংথিজরবা ইনাওনিপা, নিংথৌ ঐগী লৈপাকী রাজেল-বিচার তৌরবসু

নাতৈননা মোম্‌বী সোংপুম্‌ মপু'য়াঙ্গীদা লাইরেন্‌ মৈতেংগু্না মদাইরেম য়িরেম্বা মৈনা উ য়ান্‌ববু ঙমপলগ্নাগী লাইরেল্‌ মৈতেংগু্না চীঙলেন্‌ নোংখাক্‌ চৈবোইননা পঙ্খেংথবদি মোন্‌পী য়াকা চাইরে, সোংপুম্‌ রাইহুন্নরে, মরালথুম্বী মৈমাং চনলে হুয়েন্‌ লান্নিকিদি মোন্‌বী সোংপুম্‌ মনিংথৌ সোংউস্‌ লাম্থোয়াংগা হেম্‌বা মুংতাংচা মেস্তে লান্‌পাংনবা গাতুহীথং ২ মনা চিংনা হুয়েল্‌ লান্‌পুন ১৬ মপু কাইনা হুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্‌ মৈতেংগু চমোল্‌ কপোল্‌ ঙম্বা সাইপুম্‌ খেংযাং চাইবা মোনবী য়ুমচং যান্‌বা সো পুম্‌ রাইহুন্নবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্‌ মৈতেংগু সোংপুম্‌ রাইহুন্‌বগী লাইরেল্‌ সনা মচুঙ্‌সেনদি অহুস্নুঙ্‌ মতোম্‌দে॥ হাওবৈ নোংচুপা খ না পাংপবম কেকে মোইবাংপুঙ্‌ মোইবাং তোবাফাই মীপা

তৌমিন্নবিবা, শাথোঙ্‌-লাম্থোঙ, শীল্লবস্থু শীনমিন্নরিবা, শজিক কৌবা থগ্নাম্মীচাক্না লানগী নোংদম তম্বগুমস্থু তমিন্নবা, থাবা কৌবা থগ্নাম্মীচাক্না লানগী লাইখাই তাবগুমস্থু তামিন্নবিবা অকন-অথৌশিংগী থৌশিন-থৌরাং তৌবগী হকচাং ওইবিবনি হাঙ্গনা শীঙ্‌থানরিবা, ইকাই খুম্ননীংঙাই ওইরবা নরসিংহ লীক্লাইগুম ফজববা, নোংশাগী শাবানগুম ফিরেপ্পবা, অরাংবা যুবাবাজগী ফম্‌থোন ওইরিবা, হকচাংগী পাঙ্গল ইনখৎলক্লিব নহাক্না নি থৌ ঐগী মপু যোক্লবা লাম্মী, মপু কন্নবা অকন-অথৌশিং অসিগা লোঙ্গননা কাইরম চীঙ্‌শাংগী কাইরম, সেলতিং, লৌকাওবা, তুথুপ, খুন্নু সৈ, যওবা অমস্থুং লময়াং কৌবা খুঙ্গং তরেৎসিদগী হৌনা মমিং চৎলবা তুহথং কৌবা চীঙ্‌গী নাপোম ১৫ শুনা পানবা চীঙ্‌দা থারম চীঙ্‌মী ফুরুপকী খুঙ্গং ১৮ না লৈঙাক্‌-খুন্‌লিংবা ফাওবা লৈপাক মরোল হুনবা, চীঙ্‌গী উপান-রাপান ফাওবা মথোক লোঙ্গনবা নোংনা থোংবগুম লাল্লাও লাউহুনা থেংনরুচো হাঙ্গনা সনা য়াথং পীরবগী খাবম ফুরুপকী চীঙ্‌শাং ৬ তা থা অহুম চুপ্পা য়ুম্‌ পুন্নমক্‌ মৈ থাহুনা লৈঙাক্‌-শঙ্‌গী কানশাং য়ানখাঙ্গহুনা যুম্‌গী শাইজিন্দা ফাওবা অচাক্‌পা মৈতান পক্‌হন্দুনা লান্দাবদা চীঙ্‌শাং ৬ মকী চীঙ্‌মীশিংবু চীঙ্‌গী পাম্‌ ফাও

হাথা লাংকোলপুঙ্পু ঙম্লোন্নবা মোংতুং চীঙ্কৈ সম্ তুবি য়িথোই য়িহাংলোক্পু কান্না চোংনা তোমোল্ চীঙ্সাং ফৈনা সম্ হেম্বা লৌখোংচোল্ খোংচোন্ লুবোই চীঙ্সাং কা হেম্বা কাইরং মচীঙ্সাং সেল্তিং তুইথুপ্ খুনুংসৈ কৌবদি কদোনোংগীনো॥ লহাননোং হয়িঙৈদা নায়ুরা চীঙখোং পোঙ্গৈরেতোনগা খুনুং ঙাংবা মপু নিংথৌ চনুগা লোইবী সিদহৈ হেম্বা নাদহৈবু লৈরিকাবরা হায়না মরাল্ থৌচংলক্ঙৈ ময়ুম লোইবা মনিন্ নাইবা হেম্বা তা নাদবনা হেম্বা থেল্পুঙ্থক্তা লেংনা ফাইনা ঙাইখম্ঙমএ॥ অতুনোংগীবু হেম্বা কাইরম্ মচঙসাং-ও কৌএ॥ সেল্তি খুনুংসৈ-ও কৌবদি কদোনোংগীনো॥ অতোল্ মোইপুঙলোক্পা থোংবু কোইঙম্বা লোইবী মনিন্ নাইবনা খোইমোম্ চীঙঙ্ য়িথুরা

তান্নতুনা মথক্তা নেৎলগা য়াম্বরে। লানফমতুদা খারমগী তমোল্ চীঙ্-শাংগী কেলাং হামেং নিংথৌগা চেঙ্থুমাঙ চীঙশাংগী খুল্লাক্পগা খারম মঙাইচীঙ্শাংগী চনমাং লোননুং নিংথৌ, পাসৈ চীঙ্শাংগী লালহৌবগা লমলেন চীঙ্শাং চাংবা কোল্লোই নিংথৌ পামা চীঙ্শাংগী নিংথৌগা খোংচাই খোংজোল চীঙ্শাংগী খারম মোন্শাংগী নিংথৌ য়ামপৌরেল অথোইবগা মহৌ চীঙ্লেন, য়োংমু শারম চীঙ্গী থায়া মোনপুং নিংথৌ নিথৌ মাংউৎ অথৌবগা মঙা অসিনা চিবা চাঙমীশি হংখি। নিংথৌ ঐগী ইনাওনিপা, খাঙ্গাদা য়েনকোই থুবগুম লাইননা নারবমু নাম্নিনক্লবা অথোইবা য়াইনা ময়াই কম্বগুমসু কম্নিনরক্লবা লীল্লাইগুম নীথীজরবা যুবারাজ নঙ্দি খোংজাইগী কাইরম চীঙ্শাগী তুইথং থুনগী নিংথৌ, শগোল চাম্বা ফাবা ঙম্বা, খাৎমগী চীঙ্শাং ৬ মক্তা হায়েনবা থুজিনকাই অথৌববু ফাবা হাংনা মিংথোল্লসি হাঙ্গনা মিংথোনখি। অতুগী নুমিৎ-তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা খারম চীঙ্শাং ৬ ঙম্বা তুয়াই তুরেলগী হৌরক্ফম, তুইবং থুজ্জদা লানখৌ খৌশাবা, কাইরম চীঙ্শাংদা লাম্নীশিংগী থৌনা হাম্নীখিবা, বরাক্ তুরেলগী তোরৈথেক্তা লৈবা মেন্নাং তনবা খেরাং চীঙ্দা লানঙম্ ফিরাল, থেক্তুনা খারম ফুরুপশিংবু লোই

তাও-ও হায়না লোইবী লৌসন্তং কাওরেল্ সন্তং লাইরোংবা মথা লিক্লাই তাবা সল্পু কাওরেল্ সল্য়াম্ পৈ ১০ চিপুং পৈববুদি তিং-ও কৌএ॥ তিং চিপুং সানা লমরোকঙমএ। অদুনোংগীবু সেলতিং-ও তৌনা কৌএ॥ তুথুপ্ থুন্নুংসৈ-ও কৌবদি ময়ুম লোইবী মাবেম্না য়িসিংবুদি তুই-ও কৌএ॥ অরুবা অপাক্পতি থুপ্-ও কৌএ॥ তুইথুপ্ য়িরেল্পুঙ্তা হেম্বা সানক্বা তেংনা খুংপাক্ তাপুং-ফু লোইপী থুন্নুংসেপু সৈসকননা ওক্ঙমএ॥ অদুনোংগীবু তুইথুপ্ থুন্নুংসই ও তৌনা কৌএ॥ তমোল্ চীঙসাং মোল্কং লিনপু ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ থুন্নুং য়োইচাখা অবিবন্ লোইবী তমোল্ মচৈমোবনা ভাব। কাংথং য়ৈনা ৭ খোইতোংববু নি তুম্ নিন্না রোক্ঙম্এ। চীঙ্সাং নাপোম্ অকোইববুস্থ মোল্-ও

চন্দুনা কোল্লগী পুকৈ থন্হন্খিনা হাইনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মণীক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংগে চীঙলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বগী চুঙ্ শেন্নহুনা লাংন্তেনবগী রাবোলদি অহুনস্থ লোঈড্রি। খা-নোংচুপ মাঈকৈ পাংবা লম বাঙ্গালী কাবুগী সিংহাসনদা ফমহুনা লেঙাকপা মোগলশিনা পানবা লৈপাক্তা প পিগী মহাক লৈবা খ্বাইগা মান্নদবা মৈরি হৌবা লাই (লাইয়িংথৌ সনামহী) না ময়োন চোংখৎলকপা উগী উফে মথক্তা তোংহনা অরাবা পোথাখিবা মফম, শান্তিদাস মহন্ত বৈষ্ণব বৈরাগী অথোববু কৌববা মফম; মৈতৈগী মবুঙো সেনবী থাগেম্বগী সনা খাওবু-নাইনা ঘাটি হিদেন্দগী ফাখ্রগা থুংলুবা সমদম, খুমনগী মোংবিজম য়ারানা শংগোল শজি.ক্ল.ই ওইনা শজিক ফাল্লবা মতমদা অহম্বা নোংশিংকী মওং-মতৌ ওইবা লাইয়িংথৌনা অরাংবা তৌগী মথক্তা তোংহনা লাইয়িংথৌ মহাক্কী মপা ওইবা মৈতৈগী মবুংঙোবু শৈথাহনা কপখিবা মফমবু মোগল সিলোটলৈ হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ ঙৈদা মৈতৈনা নোংথাঙ্লৈবা কৌবী কালিকা লাইরেম্বীগী মখুৎ থুবাং তাখিরম্মী। অদুগী হুমিত্তগী থুংফাংতা / থুবাংতা হাঈনা কৌববু নোংচুপলোমগী ময়াং মোগলশিংনা শ্রীহট্ট/শ্রীহর্ষ/সিল্যোট/সিলেট

কৌএ। তমোল্ মচীসাং হেন্না কাইরম্ থেল্দা লাইরেল্ মৈতেংঙুন্না য়িদাইরেম্ লাইফম্ নোংসা লান্তানবা নংদি মহৌরাংবীচীঙ্ য়োংমু সারমদগী মপং চাংকোল্ কখামুংগী হেংলেপ্ থায়াং মেঙ্পুং খুলপুং থুম্-কোং খুল্কং ৭ মকুপু মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্লা পল্থেং-ও॥ য়িদাইরেম অহললুপ্ মৈরি লান্তানবা নঙ্দি লম্লেন্ মচীংসাং চাংবী কোলনোই মোল্সাং খুল্কং ও মক্তগী হৌনা চীঙ্ঙ্ শ্রীরামচন্দ্র থোইগোইবা সনাখোঙ্ চীঙ্বু য়ৌনা লোইবী মরাল্ তাক্না পল্লেং-ও॥ য়িদাইরেম্ খাফম্ কোয়ৌ নোংসিঙ্চঙবু লান্তানবা নঙ্দি লোইবী খোংচোল্ মচীংসাং হেন্না খোংতুম কোল্লেপ্ অহি সিল্য়াম্বী, হেন্না খুল্কং ও মক্তগী হৌনা চীঙ্ঙ্ শ্রীরামচন্দ্র সানৌ মচিম্-মনাওনা হিক্ক সানতেং-ফম্বু য়ৌনা চক্মোম্ খাম্বী মৈগা থানা হেন্না মপুঙ তাক্না পল্থেং-ও॥

হাঙ্গৈনা কৌথি। সিলেট সহরদা লৈবা মরুপ ইস্কা / স্কোট কৌবা সাহেবনা, "হে মণিপুর কৌবা পোইশিংগী লৈপাক্কী মৈতৈশিংগী নিংথৌ, গুরুং অকোইবগী মথক্তা শাবা ফম্বাক্তা ফম্বাল্ তোংহনা লৈপাক ভাক্লিবা খরাই পানবশিংবু য়োক্ থাক্লনবা অহাংবদা তাউহনা, পন্দুনা লৈরিবা কুমিংকী য়াই ওইবা মভান্না কোইশিনবা ।তোংবা অহুদা ময়ুম / মহুম ওইহনা লৈবহুগী মমুংদগী কুমথরক্লনা থুন পাল্লবা লাইয়িংথৌনা য়োকপী কনবিরিবা, লীক্লাইগুম ফজরবা নোংথক্তগী তারকপ:শংনা মরোং-মরোং চুম্না পাল্লিবা সনাগী সেক্পীন্ থন্দুনা লৈতেংলিবা, থাঙ্গৈনা, মমাঙ্তৈদা নোংথাঙ্লৈমা কালিকাগী মপান্বোম তাখিবনা ওইখিবা চীঙ দা পাল্লিবা/ রায়েল্লিবা মমিং চৎলবা খাহি / খাম্নি / খাসীশিংনা তেখাও / দিখৌ / অহোমরাজ্য তানবা লম্বী শেম্লিবা ফ্রিঙ্গী / ঈংগ্রেজশিংবু য়াম্না হাংখ্রে। অহুনা খাহিশিংগী ময়ুম-মকৈ তাক্পা ফাওবা লান্দাবিরম্মু" হাঙ্গৈবা থবক নেক্রুবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা খাহি-শিংগী খুঙ্গংদা লমবু-ওচা (রাজদূত) থাহনা ঈংগ্রেজশিংবু য়েংখীবা, ওৎপা তৌগদু হাঙ্গৈনা খাম্বুবু খাহিগী নিংথৌ, হৈগী মমিং কৌবা, কমলা

য়িদাইরেম্ নহাক্লপ চাওঙ্লাই লান্‌তাম্লবা নংদি লোইবী মঙাইতাং হেন্বা মোল্‌হোং চংমামাঙ্ খারম লোম্নুং খারম্ খুলকং ৫ মক্তগী হৌনা বোবাক্ লাইঙ্গা তোবৈখেক্‌পু য়ৌনা খারম্ হেন্বা তমলৌকোল্ মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্‌না পন্থেং-ও॥ তায়িম্ ফুঙ্গানাই অচানবা তাংলৈ লাম্‌তানবা নঙ্দি লোইবা তমোল্ মচীংসাং, মালকং, লিনপুং, চাপান, চীফাং, খল্লেন্, মেনচুং, লৈপোন্, তোল্‌মাং, সুংমাং লোইবী খুনকং ১০ মক্তগী হৌনা মেল্লাংতনবা খেরাংচাওপু য়ৌনা হেমপা মরোল্ হু চক্‌মোম্ খাম্বী-মৈগা চেল্‌না পনথেং-ও॥ লিব্‌লাই ংসানৌ লাইরেল্ ঐগা লাইরা পবিং তম্ববু তম্‌মিন্না সাপন লানথোং সিনববু সিন্‌মিন্না সচিক্ লান্‌নোং তম থাপা লান্‌নোং খাইগুম্ববু খাইমিন্নরক্লবা, অথৌ ংৌসিনসাংবু

অমসুং অথৌবা জববসিংহনা, "অৱা দা লৈবা পোইগী লৈপাক্তা পানবা মৈতৈগী নিংথৌ খ্বাইদগী ফববা চেঙ্গী মচঙ্ অফবগুম্বা-ও, খাহিগী থুঙ্গং ১৯ সিদি অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নঙ্গী নপা-নচা ঙাক্তনি, ঙশিং পীবিবা লাইগুম্বা নঙ্গী নহীগী লেমহৌবা মখাক্তা পোক্লকপনি। পা-পী অনিমক্কী মতীক লৈবা ইবুধৌ তৌন্‌গী মরী ওইবা লিন্দাওরেল্ অমসুং মহাক্কী লাংওন্ অথোইবা লাই ওইবা তাওরোইনাই কৌবা, ঙশিং পীবিবা লাইবেলগী ওইবা মখয়াং, লাইগী খয়াং য়াং। অহ্নগী চাদা-নাওদা ওইবা নখোঙ্গদগী খাঙ্গথবক্‌পা ঙনি। ফত্তবা শক্‌ফম ওইবব-শিংবু য়েক্লবা ওইবসিদা অমুক খাম্বীরক্কনু। পোইগী লৈপাক্কী মৈতৈশিংগী নিংথৌ নহাকসু মোগল্‌না মীচঙ্ ওইরিবা খাহি ঐথোঙ্গী চাওঙ্লৈপাক অসিদা কন্নিসু তৌবা ঙম্মোই" হাঙ্গনা মশা কন্নবা রা হাঙ্গরকপদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা খোইদৌ শাওগৎপগা লোঙ্গনা অকন-অন্নিং শীংনা পাম্বোম তিংহুনা পাক্লরা মুক্‌সাময়ি কৌবা তুরেল তুবৎ লান্দুনা, থাঙ্গনা মমাঙ্‌ৈদা থাংয়ি খোংজ্রোম্বা (ফৌ পুক্লগা পুরকপা) গী মচানিপা চাওঙ্গী মমিংনা মিংথোনবদা পকচবা চাওচেং মারল পাক্লনবা, রাই/ছুই/কাপ তরেৎ শাংবা য়োৎপু থাক্লৎপা

তেংখানবা শ্রীনরসিংহ লিক্লাই নোংসা খ্বাংদানবা লিক্লাই জবারাজ লাংচেং নথোক্ লক্পা নঙ দি লাইরেল্ নসাবি ঐগী চীঙখোং পুয়োক্লোই লাইরেল্ পুকললোইবু ঙাইরোইননা হেমপা কাইরম চাঙ্সাং সেল্তিং লৌকাওরা তুথুপ খুনুংসৈ য়া'বা লময়াং খুলকং ৭ মক্তগী হৌনা লোইবী তুইথং মনিল নাইবা হেম্বা থাংচেল্ ১৫ সুবা থারম্ খুল্চেৎ ১৮ সুনা য়াকাবা হেম্বা তুইথং মনিল্ নাইবা তা'না কাইরম নাপক্ মরোল্ হু হেম্বা চীঙ্সাং খেক্লোই হৌ কোরৌ নোংলাও খোল্ঙুম পম্বেং-ও হায়না পাওমেল্খোলগী থারম্ চীঙ্সাং ৬ মক্পু লোইদাম্ থাপুম ৩ সুনা মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্না চৎলম্ ফালসাং থুম্ সাইবু মৈতাল্ পক্না পম্বেংথবদি লোইবী চীঙ্সাং ৬ মাপু হেম্বা পামতাল্না থারম্ নেৎচৎয়াল্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি থারম্ ত.মাল মচীঙ্সাংগী কেলাং হামেং

ঙম্বনা লাইশিংগী মবু'ঙো ওইরবা, ঙক্শমদা লিন্না কোইনা য়েৎপা, হকচাংদা বিভুৎ তৈবা নোংপোক্ মহাদেবগী লৈফম্দা লৈবা শঙ্গোমগী অঙোবা লোক্তগী ঈশিং থকে হাঈহুনা খাহি / খাসীগী চাঙ্ কারক্পদা মমিং চৎলবা খাসীশিংনা অ'ক অথংবগা লোঈশনা থোংনাংগী মাঙোন্দা ফত্তনবা তৌবা হিংচাবা, কছারী মী শেমজিনগনবা, ময়াংগী মা মানু (লাইনা মথল অমা) চঙ্হনবা, মীশা হিংনা চাবনি হাঈহুনা খাসী খুন্নৌগী খুনয়াঈদা নুঙ্না নন্দুনা থম্ববু চীঙ্গুম্বা নুঙ্ অহুবু হুক্তোকুনা চীঙগী নাপোম অমদা চোংথোক্লগা শঙ্গোমগী লোক্ অহুগী ঈশিংদা ঈরুজরগা শঙ্গোমগুম্বা ঈশিংহু থক্লগা, "হে মোগল খাসীগী খুন্নৌদা লৈবশিং, ঐ অসি পোইশিংগী লৈপাক মৈতৈগী থাংয়িখোঙ্জ্রোম্বগী মচানিপা চীঙ্জেং নারল পাঙ্গনবা কৌবহু ঐনি" হাঈনা হাঈরবদা খাসী খুন্নৌগী মী শংহুনা পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্নহুনা ঙাইহুনা লৈনখি। "ঐখোঈনা মীঙোন্দা ফত্তবা পীবা লাই-ফত্তবনি হাঈনা য়েংথীনরুবদি খাসী ঐখোঈগী ইপা-ইচা ওইবা য়েনবী অমতনা কোক্মিন্নবা মৈতৈ লৈপাকী লু'তোং অমতা ওইবা ইরী-ইতানি হাঈনা শোন্নখি। অহুগী

মনিংথৌ চেংখুমাং মচীঙ্‌সাং থৌথাবগা খারম্ মঙাই চীঙ্‌সাংলেন্‌গী চন্‌মাং লোন্‌নুং মনিংথৌ পাসৈ চীঙ্‌সাং ল্যান্‌হৌবগা হেন্বা লম্‌লেন্ মচীঙ্‌সাংগী চংবী কোল্লোই মনিংথৌ পামাং চীঙ সাং নিংথৌবগা খোংচাই খোংচেল মচীঙ্‌সাংগী খারম মোনসাং মনিংথৌ য়াম্‌পৌরেল্ অথৌবগা মহৌ চীঙ্‌লেন্ য়োংমু খারম্ চীঙ্‌গী থয়াং মোল্‌পুং মনিংথৌ মাংরুং লানথৌবগা হুয়েল, লানপুম্ ৫ মনচিংনা কাইনা হুল্লে॥ লাইরেল্ য়িসানৌ খাংলা য়েন্‌কোইখোংববু থোংমিল্‌না য়াইরেল, মখোক্ লেইই-ববু লোইমন্নিরক্লবা লিকলাই জুবরাজ নংদি খোংচাই কাইরম্ মচীঙ্ সাংগী লোইবী তুইথং মনিংথৌ লাঙ্গোই সাগোল, চামখোম্বা খারম চীঙ্‌সাং ৬ মপু থৌথাবা খুজীন্‌কাই অথৌবাবু ফাবা-ও মিংথোংবিখিএ॥

নুমিত্তুদগী সরাপুল্ চীঙ্/চেরাপুঞ্জি হাঙ্গনা কৌখি। খুৎ তুংদা লৈথোক্লুনা লানফা পুনবগুম পুল্লগা নুঙ্ মযাম্না নন্দুনা থম্ববু অহিং অথেংবা অমতদা চীঙ্ ফাওবা হুন্থোক্লগা চোংথোক্‌খি। হাঙ্গরিবা নুমিৎ অতুদগী মোইরাং পুল্‌চীঙ্ হাঙ্গনা কৌনখি। নুঙ্‌বু মৈ ঈত্তুনা শুন্নু শুংলগা অরুম্বা ওন্দুনা য়োন্‌বা শুন্নু থোবফম, ময়াংগী য়োংনা শাবা ঙা ফানবা লুং কাউ অচৌবা সোরারুদা য়োংকী মথরাই মমি কৌহুনা খুৎশা লোঙ থোক্লবা খুত্তা পাঙ্গনবা থাঙ্ শাবগী মফমদা রাই / হুই / কপ্ তরেৎ শাংবা য়োংপু থাঙ্গৎপা ঙন্বনা মখাদা নুঙ্ থারগা থাঙ শাখিবা লম্‌বু কান-থোক্লুনা চোংথোক্‌পগুম লাম্থোক্লগা মোগল্‌শি গা য়াম্নবা মেকোম্/মিক্রি-শিংগী চীঙ্‌শাং, সারাপুল্ চীঙ্ / চেরাপুঞ্জী চীঙ্‌লেন্দা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা "অচানবা ইনাই অচোমচা লুরাংবা, লাম্নগী লুচিংবা মেঞ্জর, লাইফম শঙ্‌লেন্ লাক্‌পা নঙ গা উদয়নগর (নুমিংনা খোক্লকপা সহর, ত্রিপুরা) চীঙ্‌দগী মৈতৈ লৈপাক্তা খুম্থোক্লকপা ব্রাহ্মণগী অথোইবা শাগৈগী বামোনচা শ্রী কৌবা নঙ্‌গা নপাঙ্গল ফগৎ-লক্লবা শামুলাইলাৎপমচা গুণমনি নঙ্‌গা, ব্রাহ্মণ নখোংদা বেভার কাঙ্গবে হাঙ্গনা ন্নারৌবিগনু, নখোঞ্জ অনি অসি নিংথৌ ঐনা লাংমৈদেংগুন্না

অহুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খারম্ চীঙ্সাং ৬ ঙম্বা তুম্নাই য়িমরু তুইথং মপুংয়াইদা খোসাবা হেম্বা কাইরম্ মচীঙ্সাংদা থৌতোংবা রোরাক্ তোরৈথেক্ মেলনাং তল্বা খেরাংচীঙ্দা চরৈ ফিরান্ থেৎনা খারম্ লোইচন্না রাংবোল্ পুকৈরেম্বা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু চীঙ্লেন নোংত্রেন খোম্বগী লাইরেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্রোম্দি অহুম্সুং মতোমদে॥ হাঙবৈ নো চুপ্ খানা পাংবারম্ পাঙল থারুক মেল্তোংলই মগল মপুংয়াই খোইমোম্ মৈরি তোম্সাৎপনা পামেল্ থেমচা উফে

উচেক্ মতু থুন্দুনা উচেক্ ৼন্দুনা পাইগে তৌবগুম্বগী অরাবদম্ব রামিন্নরব্রবা, য়েনবীনিংনা অনাবা ওইহন্বদা থিঙ্গি উচেক্লা য়েনবীনীং শৌবগুম্বা অরাবদম্ব শরুক য়ামিন্নবব্রবা, লাক্লা লাক্লা লাউবকপা লাল্লাওখোল্ হুঁঙা লাউনা পোক্রকৃপগী কপ্পা মীকপ্থে নুঙম্বা নাহেবগী খোঞ্জেল, মফম মবাং খঙ্দ্রবা য়ুঙাওবনা থুগাঈবগুম্নবা লান্দারবপদগী চাঈখাঈবগী মখোল্ তাবদা পুক্লাংদা থুক্কৎপা-পাখৎপা পোক্রবা নখোঈ অনিদি খাসী চীঙ্-শাংগী নোংচুপ থংবা মাঈকৈবোমগী, পাম্ব-পীম্ব ওইবা ঙম্বা লাইশিংগী নিংথৌ, শন্দনবা কৌবা শল্লাবদা তোংবা, তাজীল অহুম লোঙ্বা তা (ত্রিশুল্) পাঈবগী লৈফম যৌনা মৈতৈগী তেঙ্গোল, খুৎশু-খুৎলাই মতীক চানা য়াওরবগা লোঈনহুনা খাসীশিং চীঙ্শাংসিগী পাম্বী-শীংবা ফাওবা থাক্তনা, তিংখংগী পল্ যৈথত্তুনা, লম্নক্কা পানবা খোংক্রম্ চৈন। য়ৈখাঈবগুম লান্দাকচো। খুনগী য়ুম পুম্নমক তুম্না মৈ থারমদ্রিবা ফাওবা নখোঈগী লৈফমসিদা হল্লকম্ব। অহুগা মৈতৈ নিংথৌ ঐম্ব মমিং চৎলবা খাসী, মুংঙাই-য়াইফনা পাল্লবশিংসিবু কমলাগী মপাম্বী ফুক্তৎপগুম মাংহন্দুনা নাপী-শীংবী ওইবা পুংফাই হৌবা মফম পুংফাইবৌগুম মাং-তাকহনবা ফাওবা য়ৌনা লান্দাদ্রিবা মথৈ ঐনা লৈরিবা চীঙ্সিদা লাক্লরোই, নিংথৌ ঐগী ইয়ুমসিদা হল্লক্রোই" হাঈনা ঈশিং পীবিবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা নিংথৌহুগী তোইবীরাং কৌবা খুন্থৌবগী মচাম্বুপী তলকাংজম নিংঙোলহুনা ওইখিবা শা ক্যাং চাইখাঈবা ঙম্বীগী

থক্তা তোংনা খোইমোম্‌ অরা পোখারম, সানতিদাস মহলত বৈষ্ণব বৈরাগ্য, খোইখোইববু পাওকাফম্‌ মৈতেংঙু সেন্‌বী খাগেম্বা মদাইরেম্‌ সনা খাওচাংরোই কাথী হিতেল্‌লেনকী রাইথুংলম্‌ অতোন্‌ যারা মোংবিচাম্বা লাংকোই সচিক্‌লোই হুপনা তোলকা খা বগা মালং নোংসিং হুমরোইবা লাইয়িংথৌনা তৌবেল্‌ খাংতোংনা লাইবেল্‌ মপা মৈতেংঙুবু তেংথানা মকপুরাই মোগন সিলোংলৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাননোং হয়িভৈদা কালিকা নোংথাং লৈমগী সামু মথুংফাংবু তারমএ॥ অহনোংগীবু থুংফাংতা-ও কৌববু ময়ুম্‌ থোংনাং মোগোল্‌না সিলোং-ও কৌএ॥ সিলোং মপুংয়াইগী মকপ্‌ ইস্ব সাহেপ্‌ কৌবনা, হে মণিপুব পোইরই মৈতৈ নিংথৌ সুকং লৈকোই ফম্বা য়োইময়াই লাইবেল্‌ তাওদনবা

লাইবেম্বীগী মচানিপানা ওইবা শামু তোংহনা আরুরা কৌবা অথোইবা চোং খান্নুনা লৈতেংলগা শাগী মকোক্তা তোংহনা নোংমৈ রাইফলবু থবাক্তা চেংনা শৌহনা পাঙ্গরগা খাসীগী চীঙ্‌শাংহুদা লানগী লাল্লাও খোলনা নীনহন্দুনা, চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখতুনা, শনগী মযাঙ্‌লেন্‌ অশাংবা ০ লান্না চোংহুনা, ফিংমন-থুমনবনা খংনং কৌবা তানা লৈংঙ্গাই ফাওবা লেংহুনা লান্দা বিদি মোগলশিংগী খুন্দিনফম থুগাঙ্গবে, খাসীশিংব মথক্তা নেতুনা চংলগা য়াম্থুবে। খুন্নৌবু র ইহুনবগুম গুন্দনা মাংহল্লে খুনগী যুম পুন্নমক তুম্না মৈ থাহুনা অচাকপা মৈতান্না যুমগী শাইজীন ফাওবা পকুনা মখোঙ্গীগী লৈঙাকশঙ্‌দা থাবা ফানশংলিং ফাওবা মৈনা থুমহংলে। লানফমসিদা খাসীগী নিংথৌ চিন্দ্রগ, চবরসিং হৈনিংথৌ অমম্মুং মরিয়া নিংথৌ কাল্লারাজগা অহুম অসিনচিহুনা চাঙগী নাক পাক্তু মরোল হুবা মখৈ, পাসালোংগী মবেম্মা অমম্মুং রাইকুং অবিগী মবেম্মসু য়াওনা লানফা ১০০ থক হাংখি। “অচানবা ইনাই অচোমচা লুরাংবা মেঞ্জর লাইফম লাকপা নঙ্‌না নিংথৌ ঐগী ইতুং ইন্দুনা ঐগী তাগী তানীঙু পাঙ্গবগুম লানশাংবা অসিগী নোংঅক্তুম নিংথৌ কাল্লারাজ ফাবা হাঙ্গনা মিংথোল্লবনি। ঠাকুর গুণমনি নপাঙ্গল ইনখংলক্লিবা

নুমিৎ পুংকোই মন্থমন্থ'গী থুল্কুম্ নিংথৌ য়োইরেলবা লিক্লাই থরাক্ নোংত্রেন, অহেন্বা সনা সেক্পিল্ খালনা হেন্মোইবা–ও লহাননোং হয়িডৈদা নোংথাং লৈমা কালিকা সয়াং মতাল্পোম্না ওইখিচীঙ্দা রাঙ্লবা মোগোন্ খাহি তানাতাবনা ফিরংগী–সেনবী তেথাও য়াংলৌ লম্তাং সেম্বৰু য়াম্না নোংমলহল্লে॥ মেগোন খাহি য়ুম্পুঙ্তাক্না পনথেং- বীরম ও হায়না থৌনেবরাগী লাইরেল্ মৈতেংঙু না খাহি মপুংয়াইদা লমবু ওচা চংনা ফিরংগী য়েক্না য়িরৈ চন্কনৌ হায়না থৌখাম্লুববু মোগোল খাহি মনিংথৌ কমলা হৈমিংনবা জবরসিংহ অথৌবনা অরাং পোইবৈ মৈতৈ নিংথৌ সনা চেংতোল্লেন্গুম্বা–ও খাহি থুল্কং ১৯ মা অসিদি ল্যাইরেল্ নংগী পাচমা তুপী নংগী নাহিখাক্না॥ য়িয়ু খোইমোম্

নঙনা নিংথৌ এনা থাঙ্শাং শংপদা তেংবাংবগী খাসী পন্দাল নিংথৌ হৈগী মমিং থোনবা চবরসিং ফাবা হাঈনা মিংথোল্লবনি” হাঈনা মিংথোনবিখ হাঈয়ে। অতুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশি পীবিবা লাইগুম পীনহৈবা চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ থোম্বা থাম্যপুব চীঙ্শাং লান্দাবা খাসী / খাহী / খায়ী / মগোন নেংচং য়ানবা পুংকাই লৌমল্লাংদা খোশাবা কমলা হৈমাং তানবা, মুঙভোগী মৈফুগুম লুম্বা, য়োংকী মৈফুবু ঙম্বা, য়োংকী লুকাওশিং লোক্পা, মুঙ্গী চীঙ্গী চীঙ্থক্তা লান্মীশিংদা থৌনা হাপ্পা, শঙ্গোমগুম ভৌরবা ঈশিংনা থল্লা লৈবা লোক্তা ঈরুজবা, খাসীগী য়োং শুংবা চীঙ্থক্তা লানগুম্ ফিরাল থেত্তুনা খাসীগী লম লোই চনশিনবদা থৌনা ফবা হাঈনা কৌখি। নিংথৌ অসিগী চুঙ্ শেম্নবগী মওং–মতৌ অমসুং চুঙ্ পাঈত্তুনা- লান্দাবদি অসিনসু লোঈদ্রি। নোংচুপ মাঈকৈ প্যাংবরোমদা চীঙ্মীশিংনা কাই / কু পুবা লম, লুরাংগী অতে নারংসুচা কৌবা হুইনা হেল্লা রাংবা, মনানা পাক্পদি নামনা তৌ–লাংনা শাবা লৈপাক্তা পানবা ফক্ ওইনবা, অতোপ্পা নামত্তুনা মশাগী ফি লৈতবগী ফি পুইনা মশানা খাজবা মানা য়োক্চবা খংখা / খামেনবু কৈরাক্ থাত্তুনা থরাশিংগী

লাইয়িংথৌ তিল্লি লিনতাওরেন্স লাইরেল্ তাওরোইনাইগী তুবি লাই-খয়াং নঙ্গী থাইথযি॥ সোরুপ্ থেক্করাবু থৌথাম্কনা॥ পোইরৈ মৈকৈ নিংপৌ নঙস্তুং মোগোল মপুংয়াই থাহি মসাইকোনবু কাঙ্গম-লোই হায়না রাকল্লমগবগী লাইরেল্ মৈতেংঙ্দি তুবি খোইবু ওং লাইরেল্লু সযেং পাল পাএ তিংনা পারুবা মুকসাম য়ি কৈনা সমনা॥ লহান্নোং হয়িঙৈ থাংয়ি খোংচারোংপা মপারি চীঙ্মিংথোংবু চুনবা চীঙচো নারল্ পাঙলবা থাংচী রাই ওম্বনা চীঙ্ঙ্ নোংপোক মহাদেব তা চালিল্লনা ঙংকোইনা কাংক্রে সিংলন্ লৈরোইনবা মকাইফমগী সল্থোম্ লাইজা য়িঙৌরোকপু য়িথককে হায়না মোগোল্ থাহি মচাঙ্সাংবু কাওকুঙৈ মোগোল্ মনিল নাইবনা॥ অকি লাইথংননা খোংনাং হিংচা য়াইতম্বা

অরোঙ্বা রা / চৈনা লামথবগী লৈফম, মৈতৈগী মবুংঙো থরান্থাবনা চুঙ্ পাঙ্গইহুনা লান্দারম্বা মফম, মৈতৈনা লমচাবা / পাংবা অথোইবা মফম্, সেন্মৈনা চীঙ্কাবা রাইশোনা ঙাফাবা লম, ময়াংশিংগী লমগী মচীনুগী মথাদা লৈবা, ময়াংশিংনা রানাদা অঙৌবা প পগুম মতুপ্ মতুপ্ লৈবা লমশাং, পোইগী লৈপাক্তা পানবা মৈতেশিংনা লান্দাবা মফম, থোঙ্গী ময়াদা তাবা ময়াংশিনা লানহৌফম ওইবা লম, শাশিংগী নিংথৌনি হাঙনবা মুঙ্পাক-মুঙ্জাও মরক্তা চৈ গনবা, মচী নামতা পানবা শা, শঙাইনা থাই/বরাক্ তুরেল লানখিবা লম, চীঙ্জেং নারল পাঙ্গনবনা মুঙ্ চাঙ্গথাঙ্গরম্বা মফম, পোক্কপগী খোঙ্গরী লীন্শাং খাওম্বা, মঙক্তা খোঙ্গন্নানা য়েংপা, অঙাংগী নাউফম্না মকোক্তা ফি ওইনা কোক্শেৎনবা (চঙ্জেং নারল পাঙ্গনবা) না থোইমু অহোঙ্বী (লাইশ্রা / লাই-নাউহাবী / নোংমোইমু / নোংমাইমু / থোইমু) না ঙা ফাবা চৎপদা শীজিন্নখিবা মচী য়াম্না খোইনা হেন্না পাক্পা থান্না কৌবা অন্নাংবা শনগী মথক্তা তোংহনা বরাক্ তুরেল লানখিবা মফমু লান্থোক্লগা লৈবা ময়াংগী লম মচেৎ/মতাই অমবু বাস্কাস্তা হাঙ্গনা কৌখিবদি করি তৌখিবা মুম্নিত্তগীনো ? মম্নাংগী কা থাবা বাস্কর / ভাস্করগী মনাই শীং য়ানবনা

কসারি য়াইকাপ্পা ময়াং মন্নু মীহিংচানে হায়না মোগোল্ খুনৌ মপুং য়াইদা থৌহ্ মুণ্ড য়াম নলনা থমলববু থৌহু চীঙ বু হুৎনা চীঙ লেন্ নাপোম অমদা চোংথোক্লকুবগা সন্‌খোম্ লাঈজা যিবে'কৃষ্ণ'দ' হিরু-নানতে'না লাইজা 'য়থক্লবগা হে মোগোল্ খুন্নৌ তোংবা-ও ঐদি পোইবে মৈতৈ থাংয়ি খোংচারোম্‌পা মপারী চীঙ্‌চেং নারল্ পাঙ্গনবা কৌবদি ঐনে হায়না পা'মেলববু মোগোল খুল্‌নৌ তোংবনা পুন্না ২ মপৈ ১ না ঙাইনখিযে॥ মন্নু লাইহিংচাবু খাচিক্‌এ। খাহি মপাচা পোইবৈ য়িয়েল্‌লুনে হায়না সোঙরে অহুনোংগীবু সবা পুলসিং'ঙ তৌনা কৌএ॥ সমু তুংদা লৈবা পরৈ লান্‌কা সানা থৌহ্ মুণ্ড য়াম নলনা থমলম্ববু যিন্নুং সোইয়াইমাদা চীঙ বু হুৎনা চোংথো৹খিয়ে অহুনোংগীবু

শয়ি তংখাঈ ঙংখাঈ থাঈবগা শীংবুল পুল্লম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী কোয়াং ব্লাককলম্ হাঈনা কৌববু ময়াং লৈপাকী মীশিংনা পাখান্তি / বাস্কাণ্ডী হাঈনা কৌখি। বাস্কাণ্ডী ব্লাককলম্বু লাম্থোক্লগা লৈবা ভাগ্রিগী অপাকপা লম, টিল্লান কৈথেল্‌লেনবু অথোইবা লমদম জাত্রাপুর হাঈনা কৌ খবদি করি তৌখিবা নু মত্তগী না? মমাঙ্‌ঙৈদা নন্দরাজ অমসুং ক্লাহিনী মচা-নিপা অহল বলরাম্না তীর্থ কোঈনা চত্নুনা লাইশিংগী লাইফমদা, লাই-শঙ্‌দা কোঈরক্‌পদা মমিং লৈরবা থোংনাং ময়াংশিংনা লম্নক্কা য়ারেক্‌শঙ্ শাহুনা সেবা তৌজবদা, ময়াংশিংনা লাইফম কোঈবা তীর্থ চৎপবু যাত্রা কৌই, অহুগী মুমিত্তুদগী যাত্রাপুর লৈমঙল হাঈনা কৌখি। অথোইবা লমদম যাত্রাপুরবু লাম্থোক্লগা লৈবা লমবু মুঙ্‌না তঙৈহুনা য়াম্না লৈবা অথোইবা লম সিধিপুর / সিদ্ধিপুর হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা মু'মত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা হন্নুবনা উন্ থুঈজিল্লবী ময়াংগী পাসোল্ কৌবীদা মথোঈগী পুল্ নাকন্দা য়েপ্লগা ঈশিগী মপান্দা লেপ্লবা মতমদা ঙক্‌শমদা জিন য়েংপা লাইশিংগী মবুংঙো নোংপোক্-মহাদেবনা মুঙ্‌পাক্ মথক্তা তোংন্নুনা বরাক্ তুরেলগী তুখুল ইন্না ঈশিংগা ঈরোইনন। তাউথরকপদা. হে ঈশিংগী মপান্দা লেপ্লিবী হন্নুবী, লাইশিংগী মবুংঙো

মোইরাং পুল্‌চিং কৌএ॥ থৌদু মুঙ্‌বু য়িক্ মুম্ খল্‌গা ৱোলনা ১০ চাংচিংফম্ থোংনাং য়োংলু কাওচো সৱারুদা তেংনৌ য়োংমি কৌনা মেল্‌লোং থাংসাৱাই থংচী ৱাই ৭ ঙম্বা থৌদু মুঙ্‌বু থানা থাংসাৱাইবু কালনা চোংনা মেকোম্ মচীঙ্‌সাং সৱাপুলচীঙ্ মচীঙ্‌লেন্দা লাইৱেল্ মৈতেংঙ্‌না য়িদাইরেম্ লুৱাংবা অচোম্‌চা মেঙ্গর হাওসি ঙম্‌চিংবা লাই-ফম সংলেন্ তেংমাই থিন্‌বা নঙ্‌গা ব্রামহোল্ সাকৈলেন্দগী উদয়নগর চীঙ্‌তোমপোক্তগী লম্‌হৌরক্‌পা বামোন্ শ্রী কৌবা নঙ্‌গা গুণমনি সামুলাইলাৎপম্‌চা সুবিদাব লাংচেং নথোক্‌লকপা নঙ গা ব্রাহ্মোন্ নতিক্ নংতে হায়না ৱারোবীগনো॥ নপীংঙাদি লাইরেল্ ঐগা অখোম

ঐগী ইখোঙ্ মনাক্তা নুঙ্‌পাক্ মথকসিদা লৈরিবা ৱাংঙুগী নিংঙোল মশম্ ফবী (না ওইখিবা ঙা) শৱেং অহুমসি লৌজহৌরো", হাঙ্গিদুনা কৌরকপদগী, ঈশিং শোকপা লাক্লিবী হনুবী অদুনা ঙা অহুম অদু খুল্লুবা মতমদা লাইশিংগী মবুংঙো, পা-পী অনিমক্কী মতৌক লৈরবা মাগী মরল পীনবিরবগী লৈশাবী মথোক্ কারক্লিবাগুম্না মশা ইনখৎলক্লিবী ওইরক্লে। লাইশিংগী মবুংঙোগী মথৌজালবু ময়াংশিংনা সিধি,সিদ্ধি হাঙ্গন কৌই। সিদ্ধিপুর চীঙ্‌শাংগা হেক থংননা লৈবা লমবু হরিদিগর কোম্নুং হাঙ্গনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? ঈশিং শোক্‌পী হনুবী অদুগী মপুরোইবা ময়াংগী মরু কোক্‌পা হনুবদুনা মাগী নুপীনা লৈশাবী ইনখৎ-লকপী ওইরকপদুদা ওম্হোকপা লাইগী থৌজালনি হাঙ্গনা মখুৎনা মকোক খুমদুনা 'হরি হরি' হাঙ্গনা শোল্লম্মী। অদুগী নুমিত্তুদগী হরিদিগর (থাসপুবী) হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লম হরিদিগরগী ময়াংগী কছারীশিংগী কোম্নুং মাইবোংদা ৱায়েলবা কছারী নিংথৌবু অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিবা লাইগুম্লবা চীঙ্‌লেন্ নোংড্রেন্ খোম্বনা মমাঙ্‌ঙৈগী ৱাফম, ময়াংশিংনা তৌখিবসু লৈরি হাঙ্গনা হাঙ্গখি। "অথোইবা লাইগী মণ্ডণ চেল্লবা ইপা ইবুংঙো, মৈতৈগী মবুংঙো মী পুম্নমক্কা চান্নবা কৌক্রুগী চীঙ্‌থংখোম্বগী সনা হাক্তক্তা ইপানা চংবী লফুথাবা

লাংমৈ ওন্নববু ওনমিন্না য়েন্নবী সারোই হুন্নববু হুনমিন্না থিক্ক্রি লান্-পাওখোল্, হুঙা মীকপ্খোল্, য়ুমিৎ লানচাইখোল্বু নাচুংত্রবা নপিংঙাদি হাওরৈ নোংচুপ্লা পাংবরম্গী খাহি মচীঙশাং খোইমোম্ লাইয়িংথৌ কাওরেল্ শল্তনপা তোংবা তিমেল্ হুম্পাল্ লোংববু খুংস্নুনপা মকাই-ফম্বু য়ৌনা পোইরই লাল্লোই মপুংফাববু ঙাইরোইননা খাহি মচীঙ্সাং খোকলোই হৌ সাইবা পল্‌য়ৈ থা পনম খোম্ য়ৈথাইবগুম্ পন্থেং-ও মরাল্ খুম্বী মৈমাং চনত্রিবা মখৈ নরান্, ওন্তেরক্কনো॥ লাইরেল্ ঐদি খাহি মনিল্ নাইবা মগোল্ তান্দবু কমলা মপান্ ফুক্ খোইমা পুংফাইরৌবু য়ৌনা পন্থে দরবদি তুবি য়িচিং হল্‌ব্রাইরোই লাইরেল্ য়িরাল রোনতেরক্-লোই তুবি লাঙ্গোই মখোংনেৎ তোইবীরাং খুল্‌থৌবচম্ তল্‌কাংচম্

কৈনৌ কৌবা লফুগী বন / ঈংখোলবু মখোঙ্গনা লোই চনবা লমনি পীয়ু হাঙ্গববু পীদবদগী মমিং চৎলবা ময়াংশিংনা মৈতৈগী তমদা তারক্লুনা হাওয়েন য়াঙ্গোইবুঙ্, লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদা হকৃথেংননা থাঙ্ হাইনহুনা লান শোক্লব্দা, ইবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙো, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা সনা হিহোনহল, পোইরৈ নিংথৌহনবা (খাগেম্বা) কৌবনা য়াঙ্গোই তুরেলগী ঈশিংদা তাখিবা অহুগী লমন খুন্নীংবগী র,খলহু কাউদনা, ইয়াম্বা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নোপোক্ রাইবং পাম্হৈবা (মারজিৎ) না ময়াংনা মৈতৈগী কোন্নুংদা খোংবান / কোম তৌরম্বহুবু লমন খুম্বা ওইনা ময়াংগী কোন্নুং মনাক্তা কোম্ তৌরুবহুবু কাউদনা ঈশিংগী লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী নিংথৌবু মপু ওইনা য়োক্চ-কঞ্জবা লাল্লোই অকন্-অথৌশিং, থবক শীন্নখিবদা থুনমক পাংথোক্পা পুন্নমক্তা লোঙ্গননা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লাশিংগী মথাই মমি কৌবদা শীজিন্নবা, লান্দ, হাংথ্রবশিংগী মথাই-মমি কৌবদা শীজিন্নবা চুঙ্বু হকচাং তুনা লৈবা ওঈথংবদা, ওঙ্গী ওইনা ঙাক শেল্লগা থৌরবা থাঙ্না মখে লাংনা হাইহুনা, তাগী তাজীন্দা মৈরি হৌবা মখৈ অহিং নোংয়াঙ্গ অমতদা পৌরোন অচৌবনা লোল্লিবা থোঙ্বু

নিংঙোল্বীনা ওইখিসা লাইরেল্ লৈমা ক্যাংচাইবী মপারিবু লাংগোই সারু তোং অরুৱা চোংলেন্ খাল্ কামার নোংমৈ থাংফেংনা খাহি চীঙ্সাং লাল্লাও সন্ চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সন্খা ১০ ল্যান্ খংনং লইতং লেংনা পম্থেংথবদি মগোন য়াকা চাইরে, খাহি নেংচং য়াল্লে॥ খুনৌ রাইহুম্নরে। মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্ সাইবু মৈতাল্ পক্ চংলম্ ফাল্সাং থুম্লে, হুয়েল্ লান্নিকিদি খাহি চিন্ত্র মনিংথৌগা চবরসিং হৈনিংথৌগা মরিয়া মনিংথৌ কাল্লারাজ অথৌবগা ও মনচিংনা চীঙ্লেন নাক্পক্ সারোল্ হু পাসালোং মরৈমাবী রাইকুং অরি মরৈমাবীস্থং য়াওনা হুয়েল্ লান্পুম্ ১০০ মপু কাইনহুল্লে॥ য়িদাইরেম্ মেঞ্জর অচোম্চা লুৱাংবা লাইফম্ সংলেন্ তেংমাই থিন্বা নঙ্দি লাইরেল্ ঐগী তানিঙ্ পাঙ্গ-চমল্কী নোং অস্তুম্ নিংথৌ কাল্লারাজ অথৌববু ফাব-ও তৌনা কৌএ॥

পৌরোন শত্তোকুনা শো লোনবগুম লোনশিল্লিবহু কাঙ্গইহন্দুনা, চুঙ্গী মরেপ ৬০ চোংখং, শনগী ময়াঙ্লেনগী অশাংবা ১০ লাননা চোংহুনা থুমনবনা খংনং কৌবা তারোনতানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংহুনা হরিদিগব কোম্মুং মন্নুংদা লান গেংনবদি ময়াংগী কোম্মুংগী অচৌ-অশাংশিংগী তিন্নফম থুগাঙ্গইরে, হরিদিগরগী লান্মী ময়ামগী মথাই মাংলে কাটিঘর (অচুম-অরান বিচার তৌফম শঙ্) রাই হুন্বগুম উফুল তাহল্লে। মৈ থাহুনা সনা কোম্মুংগী অহানবা থোঙ্, লাকখোং অমসুং নিংথৌগী শুমাঙ্দা লৈবা অনিশুবা থোঙ্ লাকতোন মরোন হুবগুম তুমহল্লে। ল্যানফমসিদা ময়াং কছারীশিংগী নিংথৌ সনানা লৈ ওইনা থেৎপা গোবিনচন্দ্রগা ময়াংগী রাণী লুপানা মথাঙ্দা লৈতেংবী সনানা কোক্তা থেৎপী রাণী অতোনবী সংনসীনা কৌবীগা লুপানা মরী শেমহুনা শাবা কাংথোলগী সনাগী কাংখল মন্নুংদগী মথুক্তা য়োৎকী থাঙ্শাং পাঙ্গবা সনাগী খাও য়ানবা অহিংগী নিংথৌ শাবগা, হেরামোৎ মনিচৈতরান হঞ্জবগা মখোঙ্গ মরিমকপু হাংখি। "অচানবা ইনাই, ওইনাম্ নিংঙোলনা পোকপা নিংথৌখোংজমচা পুন্নসিং / পুর্ণসিং নঙাক্তি নিংথৌ ঐগী তাগী

থাকুর গুণমনি লাংচেৎ নথোক্লক্পা নঙ্দি লাইবেল্ ঐগী থাংলেন, কোম্সৎমনগী খাহি পন্তাল্ মনিংথৌ চবরসিং হৈমিংনবা ফাব-ও মি'থোংবিখিয়ে হাইদবরা॥ অতুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙ্না তুবি চীঙ্লেন্ নো'ত্রেন্, খোম্বা থাম্যপুব চীঙ্সাং লাম্বাবা খাহি মগোল্ নেৎচৎ য়ান্বা, পুংফাই লৌমল্ লাংদা খৌসাবা, কমলা হৈমাং তান্বা থৌহু নুঙ্ঙৌ মৈফু হক্পা তেৎনৌ মৈফু চাইবা, তেৎনৌ য়োৎলু কাও· চৌরোক্পা নুংঙৌ চীঙ্লাইবক্তা থৌতোংবা সন্‌খোম্ লাইজা য়িঙৌরোক্তা সান্তেংবা খাহি তেৎনৌ য়োৎসু বু দা চবৈ ফিবাল থেৎনা খাহি লম্চল্ থৌব-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেল্, চুঙ্সেল্, মবাল্হৌদ

তামৈ পাঙ্গৈহুনা লান থেংনজবগী ময়াং নিংথৌ থাঙগী থাঙ চপলোই, নিংথৌদা থিল্লক্পা তাবু ঙা'থোক্পা কৃপারাম অথৌববু ফাবা হাইনা মিঙ্গৌরসি" হাঙ্গনা মিংথোনবিখি। "অচানবা ইনাই, নিংথৌগী য়েক্‌নী নিংথৌজম চন্নুনা পোক্পা মোইরেংজম নুংগাংসু নঙ্দি লানফমসিদা নিংথৌ ঐনা থাঙ্ শৎপদা মতেং পাংজবগী অহিংদা নিংথৌগী শঙ্গাই ঙাক্পা, কাংখল মনু দা লোতুনা মঙাই-মশেংগী ওইবা লৈপাক কন্নবগীদমক্তা রাশক্তুনা ঙাক্লিবা, খিন-থিন্দুনা লানফা থোংাক্পদা হৈ-শিংলবা গোবিন্দ সিংহ ফাবা হাঙ্গনা মিঙ্গৌরসি", হাঙ্গনা মি'থোনবিখি। অতুগী নুমিতুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো হবিদিগব / খাসপুবগী য়ুমদা চঙ্হুনা য়াম্বা, ময়াংগী মাইবোং (কছারী) নিংথৌগা লাই-চীঙ্গী রানী / মবেম্মগা অনিমকপু ওঙ্গদা লৈহুনা মশম পাঙ্গরগা য়েত্তা লৈহুনা থাঙ্ হাইরগা হাংখিবগী ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা কৌবসিদি কৈদৌনরুগবনোনে, কান্নদ্রে ; নুপী-নহাশিংনসু য়ারে, শেল-থুমসু ওইজরে, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো খোংনাং ময়াং ওম্বা, মাইবোং লাম্বাবা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্বা চীঙ্-লেন্ নোংত্রেন্, খোম্ব, মাইবোং লাম্বাবগী চুঙ্ শেন্নবগী লানফমদি

অসিস্তুং মতোম্‌দে ॥ হাওরৈ নোংচুপ্‌লা পাংবরম্ হেম্বা কাইবুরম্ নোংপাল্ অতে নারংস্নুচা, মরেপ্ য়াংলৈ তাওপা হুইনা থোক্টবা মানা নারেল্, পাংমানা তোৱাং ফক্‌কা লৈতববু ফক্‌কা রোইবা মনা নারেল্ পাংমনা চরৈ ফিরৈতববু ফিরোইনা থাংখা মখুৎথা খামেল, মনাও য়োক্‌পপু থাৱা কৌরোং স্নুনা লাম্‌চবা মরমখৈ মৈতেংগু লোইনাই থৱাল্‌থাবা মরোং লান্‌তারম্ পোইরৈচারম্‌লেন সেল্‌মৈ চীঙ্‌কারম্ রাইসোং ঙাইথিরম্ থোংনাংচিল্‌লম্ খাথা রোইবা মায়াং ৱানা ঙৌতোং ওইবা মরম্‌সাং পোইরৈ মৈতৈ হুয়েল্ লানতারম থোংনাং ময়াং হুমেল্ লালহৌরম্ য়াওরও সানিংথৌ থৌহু ন্নুংপাক্ কোইরুপা চীল্লেন্ তোমপোক্‌পনা থাই লাইজা য়িরাল্‌লম্ চিংচেং নারল্ পাংকল্‌বা থৌহু ন্নুংচাইরম্ য়িমু

অসিনস্তু লো·দ্রি। অৱাং মাঈকৈ পাংবরোমদা ঈৱিল তুরেলনা থেক্‌চিনবা লমদম, ঈথোইরোক্, ঈহাংলা, ঈকৌ, ঈচাই কৌবা তুরেল্-শিংবু তুবৎ লাল্লগা লৌবুক পরেং লৈখিবা থাংৱাই কৌবা অপাক্‌পা লমবু হেন্দোরক্তুনা, তা হৈনদবা থংকানশিংগী তামৈনা লৈপাক হন্‌বা চীঙ্, খোঙ্গাউ কনবা মারেম ফুরুপশিংনা লান্দাবা চীঙ্‌বু হুন্দোক্লমহুনা চম্‌ফুং চাঙ্‌গী চীঙ্‌মৈ শম্লগা অমুক তারা মাইচোন লাম্থোক্লগা লৈবা লমদস্তু চীঙ্‌গী চীঙ্‌মীশিংনা চাঈথোক্তুনা লৈবা কাচাই খুল্লেল্লেবু হুইমি থোইয়া হাঈনা কৌবদি কৱি তৌখিবা ন্নুমিত্তগীনো ? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা উগী মি না মিংথোন্নবী লৈমা তেরানা মপুরোইবা পাম্তু-পীম্তু ওইবা ঙম্বা লাই ঙানবা নহা, নিংথৌ য়াইৱী থাংবগী খোঙ্গুল লীহুনা থিরক্‌পদা মখোঙ খুক্‌উগী কাঙ্গোইদা শৌহুনা অৱাবগী ন্নুংশা শ্বোর হোন্দোক্লম্মী। অহুগী ন্নুমিত্তগী হুইমি থোইয়া হাঈনা কৌখি, হাঈনৈ। হুইমি থোইয়াবু লাম্থোক্লগা খুন্দারিবা লমদস্তু কাচাই খুল্লেল্লে হাঈনা কৌবদি কৱি তৌখিবা ন্নুমিত্তগীনো ? কৌবা অঙাঙ্‌ঙানা লিনৱাই / ঈৱিল্ তুরেলগী হৌরক্‌ফম মরূদগী ময়ূম লোমদা হল্লক্‌পদা মাগী চায়োম্‌গী চাক্ চাঈ-খাঈরম্মী। অহুগী ন্নুমিত্তুদগী কাচাই হাঈনা কৌখি। কাচাই, হুইমি

খাওল্নবা নাওবা খোইরি ঙঙ্সিনা নাওফম্ চরৈ কোক্সেৎনবনা থোইমু অহৌংবী ঙাতাসল্ মান্বী থোইকাপাক্ কাওরেল্ থারা অরাংবগী কাওরেল্ সনয়াংথক্তা তোংনা বোরাক্ লাইজা য়িরাল,লম্বু নাতৈননা থোংনাং মদাইমা পাস্কান্তি-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ থোংনাং পাস্কর থাকল্বা মদাইরেম্ পামেল্ সিংকম্বা সয়ি তল্খাই লৌনা পরৈ সিংবুল্ তানরম্এ। অদুনোংগীবু কোংয়াং রাকক্লম্-ও কৌববু ময়ুম্ থোংনাং ময়াংনা পাস্কান্তি-ও তৌনা কৌএ॥ পাস্কান্তি রাকক্লম্বু নাতৈননা ভাগ্রি লম্পাক্ ত্রিল্লান্ কৈথেন্লেন জাত্রাপুর লৈমঙন্ ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্নোং নন্দ-রুহিনী মপারী বল্লরাম্ অহল্লবনা চীঙঙ্ লাইফম্ থিনা খোইফম লাইয়ুম্ চ লক্ঙৈ ময়িম থোংনাং মনিল্

থোইয়া খুঙ্গাওদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা লৈমকোন্ নিংথৌকোল্গী লোইপোৎ কারক্উ হাঈববু কারক্তবগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈ লৈপাক্কী খুঙ্—নাইজাগী মী পুন্নমক্কা লোঈননা চীঙ্গী খুল্ কাচাই খুঙ্গাওদা ঈশিংদা লৈবা লাইরেন্না মমৈনা হাই-হুম্বগুম লেং-ওত্তুনা লান্থেংনবদি খুন্গী য়ুম পুন্নমক তুম্না মৈ থাদুনা কাচাই, হুইমী-থোইয়াগী খুন্দিন্নফম থুগাঈরে। কাচাইগী মীশিংবু লৈরন্-লৈরম্বা মফমদা য়াম্বরে, থোইয়াগী খুন্ঙাক্-শঙসু থুগাঈরে। লানফমসিদা কাচাইগী নিংথৌ লান্দা থৌনা ফনা য়াঙবা য়েলকৌগা, হুইমি নিংথৌ, চীঙশাংদা লানহৌহনবা য়েন্নাওবগা, থোইয়া নিংথৌ অথৌবা মাল্লংগা লান্ফা অহুম সিনা চিংবা কাচাই-হুইমিগী লাম্মী ৩০ হাংখি। অদুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীবিবা লাইগুম্নবা চীঙলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা কাচাইগী খুঙ্গং অহুম মাংহন্দুনা হুইমিবু উৎ ওনহনবা, থোইয়াগী য়ুমথোঙ, চঙ্হুনা য়াম্ববা হাঈনা মিঙ্গৌখি। নিংথৌ অসিগী চুঙশেন্নদুনা লান্থেংনবদি মহুনম্মু লোঈদ্রি। সোমদন্ কৌবা হাওগী খুনগা লোন্নবদা লৈবা থৌবাল্ তুরেলগী হৌরক্ফম মক্ক, নোংপোক্লোমগী অপাকৃপা লমদম

নাইবনা লম্সং লৈনা থল্না য়োইচাল্নঙৈ ময়ুম্ থোংনাং ময়াংনা চীঙ্ঙু লাইফম্ খি, খোইমোম্ লাইফম্ চংববুদি জাত্রা-ও কৌএ॥ অহুনো'গীবু জাত্রাপুর লৈমঙল্-ও তৌনা কৌএ॥ জাত্রাপুর লৈমঙলবু নাতৈননা থৌহু চে'চাতা-ও, লম্লেন্ সিখিপুর-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্নোং হয়িডৈ ময়াং হলন্নু মাগ্লে কারবী পাসোল্ পুললাং নাক্তা য়েপপীনা লাঈজা য়িপাল, ল্যাংডৈদা বোরাক লাইজা য়িরম্ য়িলনা চীঙ্ঙু নোংপোক্ মহাদেব তাংজা ঙঙ্কোইনবনা থৌহু ন্নংপাক্থক্তা তোংনা লাইজা য়িরোইননা তাউথডৈ হে হলন্নু লইজা য়িপাল্ লাংবী-ও চীঙ্ঙু য়িখোঙ্খা থৌহু ন্নঙপাবথককী রাংন্নবোল সমফাবী লেমলৈ ঙাপুম্ ৎমা অসিপু লৌজাখি-ও হানা পাঙকৌরাগী হলন্ন

হুইয়াইগী লোক্কী মরম ইন্দুনা চৎলগা লোল্লোই লৈয়াৎকী চীঙশাং কারগা পা-পী অনিমক ওইবা ঙম্বা লাইগী হেক ঙম্থং ওইবা পুখিবগী ন্নপী লাইসন চন্নবু লুহোংবা থিল্লকখিবা চীঙ্শাংগী ঙাইমু খুল্লেনবু তুলাই চীঙ্শাং হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা ন্নমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ্ডৈদা কল্লক্-থম্বন্ চাওরবী পা-পী অনিগী মতীক্ ঙম্বা লাইরেম্বা সান্নবীনা শেংলিবা মফিজেংনা নোক্লবগী ইকাই-ইকিবু ঙ ক্লবা ঙমনদা শেংপী, হকচাং থুংনা কোনশিন কোঈশিনবা ঙমদবীগা মপুরোইবা পাম্নু-পীম্নু ওইবা ঙম্বা লাইগা, চীঙ্শাবা লাই খোমতুগী চীঙ্শাংদা লোক্ শেম্বা লাই লোক্তুনা চীঙ লৈপাক্ তৌহুনা শেম্বা লোক্পু নাপোম্ লোক্মাঈ অমত্তা থাক্তনা অথোইবা লীনা শেম্বা ফমুংদা লোই তান্নহুনা লৈবনা ফিজেং শেংনবগা মখোঈ অনিনা চৎনা চৎনা ঙাইনহুনা হক্তিন্নরম্মী। অহুগী ন্নমিত্তুদগী ঙাইন্ন হাঈনা কৌখি। তুকথ-হুইথহুনা (চোক্থনা) লৈরম্মী, অহুগী খুনিঙ্গুদগী তুক্হুইচাঙ্ হাঈনা কৌববু মমিং চৎলবা চীঙমাগী ফুরুপ্শিংনা তুলাই হাঈনা কৌখি। তুলাই খুল্লেন্ কৌবা ঙাইমু ওংকাইচাঙ্দা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চুঙগী অরাংবা ৬০ চো থত্তুনা, শনগী ময়াঙ্লেন্নগী অশাংবা ১০ লান্না চোংহুনা, থাঙগী মখে লংহন্দুনা,

লাইজা য়িসোক্পীনা লেম্লৈ ঙা খুল্লুঙৈদা চীঙ্‌ঙু খোইমোম্ মরল্কুগী নুরা মুহৌ তোংকুমপাপু তান্ফংলে। চীঙঙু মরলকুগীবু থোংনাং ময়াংনা সিহি–ও কৌএ॥ সিথিপুর মচীঙ্‌সাংপু ঙম্লোননা হরিদিগর য়োই-কোন্নুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ হলমু মাল্লৈ য়িসোক্পী মথংলেন্ থোংনাং সিংখেৎ হন্নুবা তান্‌লোই মরুম্বী হলমু মাল্লে কাবীনা নুরা মুহৌতোং রোইরক্পপু খোইয়ম্ মরল্কু ওস্তোক্পনে হাইনা সমু খুংনা ফংনা তাংজা মকোক্ খুমনা হরি হরি সোল্লমএ॥ ।তুনোংগীবু হরিদিগর কৌএ॥ হরিদিগর লৈমঙল্ ময়াং মাইপং য়োইকোলনুংদা রাঙল্‌বা ময়াং মনিংথৌবু লাইরেল্ মৈতেংঙুনা রাতাথিখিএ॥ লাইরেল মৈতেংঙু তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন খোম্বনা লহাল্‌নোংগীবু লৈবনে॥ লাইরেন্ য়িপা মৈতেংঙু লোইনাই কৌবা চীঙ্‌থেঙ্‌খোম্বা সনা মহাক্থক্তা চংবী

তাগী তাজীন্দা মৈরী থোক্হন্দুনা লান্দাবদা ঙাইমুগী খুন্ঙাক্শঙ্ থুগাঈরে, তুলাইগী মীশিং মথক্তা নেৎলগা য়াম্বরে, খুন্গী য়ুম পুন্নমক মৈ তুন্না থারে। লান্ফমসিদা ঙাইমুগী নিংথৌ ঙাইকাপরাং অথৌবগা তুলাইগী খুন্ঙাকপা লুত্রেংবগা অনিসিনা চিংবা লানফা ৭ হাৎখি। অতুগী মুমিত্তুদগী ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা, ঙাইমু লান্থাবা, তুলাইখুন্ য়ুমচঙ্ য়ানবা, মুঙ্‌মু–মুঙ্‌না পীক থম্না লৈবা চীঙ্‌গী লুখুম ওইবা, অঙৌবা মুঙ্ য়াম্না থোকপা অমসুং অনান্‌বা মুঙ্‌না য়াম্না লৈবা, মুঙ্, খেলনা ফিবোংগুম্না মতু পোংনা তাবা, মৈতৈ লৈপাক্কী মাঈকৈ পুরিবা য়ুম্বী ওইরিবা চীঙ্, মাঈকৈ মরি চুথেক্ মরিমক্তা কোল্লিবা চীঙ্, মশা শোল্লবা ইরাঈ লাঈবা মীচম অমতনা য়োবা ঙম্দবা চীঙ্, লৈপাক্ চাবা শবিনা ফাওবা ময়া কুম্বা চীঙ্, মরেপ রাংবা খৈরোইনা লাম্তোকখিত্নুনা লৈতবা চীঙ্, চীঙ্‌গী চীঙ্‌মাঈ নাপোম অমদা মুঙ্‌মাঈ ঙৌবনা লাংবনা তাবা, নাপোম অমদনা ঈশং হাইগত্তুনা কুপশিল্লবা মুঙ্‌না লৈবা চীঙ্, হুইয়াই চীঙ্‌লুখুমদা ফিগী ফিরান য়ুংতুনা নোংনা নেমথন্না পাইবা (অরাং) মাঈকৈগী লম লোই চন্শিনবদা থৌনা

মকৈরেল্ কৈরেল্ মথুৎফা থোংনাং লমচন্‌কৈবু পি-ও হাইববু পীদরাগীগা থোংনাং মনিল্ নাইবনা পোইরই তমদা তা হাওয়েল্ য়াংকোইপুঙ্‌দা থাংলেন্ খুৎনা ফংনা সোরুঙৈগী য়িয়ু মৈতেংঙ্ লাইরেল্ সনা হিহোলহল্ মৈতেংঙ্ পোইরৈ নিংথৌহলবা য়াংকোই য়িতানোংগীবু রাকাওদনা, লাইরেল য়িসাবী নোংপোক্ রাইরং পামহৈবনা খাল্লে লান্‌সিং তানববু রাকাওদনা তুবি চিংখোং পুয়োক্‌লোই লাইরেল্ পুকললোই অথৌ থৌসি য়াংবা পুম্‌নামপু ঙাইরোইননা লাইরেল্ মৈতেংঙ্‌না রাইরা সামি কৌন্‌চুঙ্ হুয়েন্ লানমি ফানাচুঙ্‌বু সারা তুরৈ রোইরোই সেল্, থাংলেন্ খেরাং থাং তিমেল্ তাচিল্ মৈরি থোক্‌না য়িন্নুং সোইয়াইমদা থোঙ্‌লেন্ নাপৌ সৎ, সরা চুমথোং হাংনা চুঙলেপ, ৬০ চোং কাওরেন্ সনখাং

ফবা হাঙ্গনা মিংথোলখি। নিংগৌ অসিগী চুঙ্-তা পাঙ্গবগী মওং-মতৌ অমসুং চুঙ্ পাঙ্গহুনা লান শোক্লখিবগী রারোলদি অসিনস্থু লোঙ্গড্রি। লিনরাই / ঈরিল তুরেলগী রাংমদা লৈরিবা লুমশিংগী, লৈন্নুং লোঙ্গা অবিবা কৌবা পাখংবনা চৎলম্বা লম্বী, লাংবন থাদা থোক্‌পা খোইনীং / খোইরু পীনবিবা লাইরেম্বীবু হরাওনা খুরুমজবা চীঙ, তাক্লা/লৈহী পীনবীবা লাইরেম্বীনা খৌরাংবা পোক্‌খিবা লম, খোইরু পীনবীবা লাইরেম্বীনা চীঙ্‌শাং থুংনা পাউচেল্লম্বা লমদম, কক্‌পাবু শোন্দুনা হাও কমসোন্না শা কৎপা লম সরপুনা হরাওনা পানবা লম, তিংসোং ফুরুপ্পা লোৎলম্বা লম, কমসোল শাকমলম, সরপু হরাও লম, তিংসোং শান্‌থুপ্লম্ চীঙ্‌ঙমচৌ খুল্লেন্ হাঙ্গনা কৌখিবদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো ? থাঙ্গনা মমাঙ্‌ঙৈদা খাবশিংনা তৌনা ওৎখাঙ্গহুনা হাংকে হাঙ্গবস্থু ওৎপা ঙমখিদবা, মপুকচেল্ য়াংবা, মরমচৎ কাম্বনি হাঙ্গগে হাঙ্গরবস্থু হাঙ্গবা ঙমখিদবা ; মতমহুদা লোল্লাং পাখংবা কৌবা খাবশিংনা চেপ্পবস্থু (অরাবা তারবস্থু), চেপমিন্নবা পাখংবহুনা উখিগনি, মপুকচেল চেত্তবা মরোলু খোইবশিংনা খঙ্ খগনি হাঙ্গহুনা অরাং মাঙ্গকৈগী অরাংবা লমদম্ নোংনা চীঙ্‌মাঙ্গ কুপশিনবা চীঙ্‌দোন্দা পানবা মপু অহুনা ঈশিংদা লৈবা লাইরেলগুম্না লোম্না লোত্তুনা

১০ লান্ খংনং লইতং লেংনা হরিদিগর য়োইকোল্লুংদা পম্থেংথবদি থোংন্নাং কোন্নুং য়্যাকা চাইরে হরিদিগর লান্কা মাংলে, কাত্তি খরা ব্লাইহুম্লরে॥ চক্মোম খাম্বী মৈগা থা লাক্খোং লাক্তোন্ মরোল্ হুরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি থোংনাং মাইপং মনিংথৌ গোবিন্চন্দ্র সনা লৈওইনবগা ময়াং মরৈমাবী লুপা খাংনপন্বী লৈমানহা সংনসীনা সনা কোক্সেং-নবীগা লুপা লিফম্ কাংথোলথক্ সনা কাংখলন্নুংগী কাচেং থাংসাং শুবা সনা খাওথাংনবা য়িন্নুং নিংথৌ সাবগা হেরমং মনিচৈতরাল্ হুঞ্জবপা হুয়েল্ লান্পুম্ ৪ মপু কাঈনা হুল্লে॥ য়িদাইরেম্ পলেম্ নমা ব্রোই-নাম্সু লিনকোইকী পুন্যাসিং নিংথৌখোংচমচা নংদি লাইরেল্ তিমেল তামৈ পাইজমলগী থোংনাং থাংচপলোই তিমেন্ তাচিন্ খন্বা কৃপা-রাম্ অথৌববু ফাবা-ও কৌএ হায়না কোলোই মিংথো বিখিএ॥

লৈরিভৈদা মমিং চংলবা চীঙ্মীশিংনা অথোইবা শা কমলগা কত্তুনা কম্বগী মওংহু শোন শোন্দুনা ওক্লম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী লোইবী হাও-কমসোল কমসোল শাকংলম হাঈনা কৌখি। চীঙ্ অহুগী হরাও কৌবা ফুরুপ মচেং অমনা ময়ুমদা লোইবা য়েনবু সরপাই কৌই, মখোঈনা চেঙ্ মচঙ্বু লৈপুঙ শুম পৈহুনা সরপাই, য়েনশাবু য়াম্না মচাঈ মচাঈ চাঈহুনা পৈরগা ওকচরম্মী। অহুগী নুমিত্তু মমিং লৈরবা চীঙ্মী হরাওশিংনা সরপুঙ্ হাঈনা কৌখি। চীঙ্মী ফুরুপ মচেং অমনা ঈশিং শীবিরিবা লাই, নোংদোনগী লৈঙাকপা মহাকপু মশা তিংথোক্লুনা শাংনা শোননা লুক্থহুনা খুরুমজরম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী তিংশোং হাঈনা কৌখি। অহুগা ঙামচৌ খুল্লেন হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিং-ভগীনো? হরাও চীঙ্মী ফুরুপকী মচেং অমনা লৈন্নুং লোঙ্গা অরিবগী লাংওন ওইবা লোল্লাং পাখংববু খুয়া/খুনীঙ্ কাংখত্তুনা মশা ঙমথহনবগা লোঈননা চেন্না চেন্না নোম্বরগা ওক্চরম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী লোইবী ঙমজৌ খুলেন হাঈনা কৌখি। ঙমজৌ খুল্লেন হাঈনসু কৌবা কমসোল খুল্লেন্না মৈতৈগী লৈমা-নিংথৌকোনগী পুকৈলোই হাদবা/কাদবগী মৈতৈ

য়িদাইরেম পলেম্‌ নমা ব্লাংঙমলোন্‌ নিংথৌচয়্‌চম্মু লিন্‌কোইগী মোই-রেংঙম্বা মুংকাংস্মু নংদি থা'লেন্‌ কোম্‌সংমলগী য়িন্নুং নিংথৌ সাবা সনা কাংখল্‌ মুংগী সেল্‌লৈ যিয়াথৌ থোংনাং রাসক্‌পা অথিল লান্‌কাই থৌবা গোবিচন্দ্র সিংহ ফাবা-ও কোলোয় মিংথোংখিয়ে॥ অছুনোংগীবু লাইরেল্‌ মৈতেঙু হব্রিদিগর য়িমচঙ্‌ য়ান্‌বা ময়াং মাইপং চীঙ্‌মাবগা লাইচীঙ্‌ মরৈমাবা ২ মপু ওইদরৈ সম্মকা খোম্‌ য়েৎতারৈ থা'গা হাই তুবি চীঙ্‌লেন্‌ নোংক্রেন্‌ খোম্বা কৌবদি কদৌনকো নুরা কারে সেন্‌কোই তোংলে লাইরেল্‌ মৈতেংঙ থোংনাং ময়াং ঙম্বা মাইপং লাম্বাব-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্‌ মৈতেংঙু তুবি চীঙ্‌লেন্‌ নোংক্রেন্‌ খোম্বা মাইপং লাম্বাবগী লাইরেল্‌ সনা মচুঙ্‌সেন্দি অসিস্নুং মতোম্‌দে।

লৈপাক্কী থুঞ্জা-নাইজাগী মী পুম্নমক হৌদুনা শনগী ময়াঙ্‌লেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংদুনা, থংনং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংদুনা চুঙ্‌গী মরেপ ৬০ চোংখতুনা লাম্হেংনরবদা কমসোল সরপুঙ্‌গী খুনঙাব্‌শঙ্‌ থুগাঈরে। তিংসোং ঙামচৌ নেং নেত্তুনা য়াম্বরে। খুনগী য়ুম পুম্বা তুম্না মৈ থারে। লানফমসিদা কমসোল সরপুঙ্‌গী নিংথৌ ইঙেল্লৈনা চুঙ্‌মাঈদা লৈতেংবা, মোইবুং মচানা নায়ান ওইনা য়ানবা, থৌনা ফরবা শিংকুপলেংগা সরপুঙ্‌ চাং (ওন্নবা থুম্মোক্‌) লোঈদুনা চেঙ্‌ খাঈবগা, তিংশোং খুনগী খুনবু লিয়ানবগা, ঙমচৌগী খুন্দিল্লাংগা মখোং ৪ নচিংববু হাৎলম্মী। অছুগী নুমিতুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙ্‌লেন্‌ নোংক্রেন্‌ খোম্বা কমসোল চীঙ্‌শাং লাম্বাবা, তিংশোং ঙমচৌ রাঙ্গোল লোইথৌ তানবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো রাঙ্গোল পুকৈ লোই কাহনবগী চুঙ্‌ শেন্নবগী লানফম, চুঙ্‌-তা পাঈদুনা লান্দাবদি অছুনস্নু লোঈদ্রি। লিন্নরাই / ঈরিল তুরেলগী তুখুল ইন্দুনা হামেং লাবনা থুয়া কাংখতুনা চোংবঙম চোংদুনা চংলগা লিন্নরাই লৈয়াংকী থুম্মুথ্রং উচেক পোক্‌পা মকম, কাকলেন্‌ উচেক্কা শিবা, উনা-রানানা ঈশং-শংবা লম, মরী মরী পরেং শানা

হাওরে লাইনা পাংবরম্ লম্লেম্ মদাইমা লিন্রাই লাইজা তোরেথেক্ য়িথোইরোক্ য়িহাংলা য়িকৌ য়িচাই খোংলেন, ৪ মপু ফৈনা তুপ লোইবী লৌথৌরাই থৌরাঙ্গ লম্মপাকপু কাল্না চোংনা থংকান তায়স্বা মৈহনচীঙ্ মরেম খোংকন্বা লান্তাচীঙ্বু নম্তা হুল্না চম্ফুং চীঙ মৈসম তারা মাইচোন, কাল্না চোংনা লোইবী হাওয়ামচাই কচাই খুল্লেনলৈ হুইমীথোইয়া-ও কৌবদি কাদৌনোংগীনো ॥ লহাল্নোং হয়িঙৈদা লৈমা তেরা রুম্মিংথোংবু মিন বনা মথলেন্ খোইমোম্ অঙন্বা নহা নিংথৌ য়াইরি থাংবগী মার মখোংখুলবু লিরকপদা শুকুলু কাংকোই সৌনা অরা হোয়রাং সোল্লম্এ ॥ অতুনোংগীবু হুইমীথোইয়া-ও তৌনা কৌএ হায়দবরা॥ হুইমীথোইয়া মপু যাইবু নাতৈন্না কচাই খুল্লেনলৈ-ও

শম্নখিবা লমদম, মী ইচম চম্বশিংনা থোক্লকপা মফম, উর্চানা তেক্তেক্ পান্নচিংবা মনা-মশীংশিংনা লোইহাপোৎকী মবম্মা ওইবী থুম্বু নোক্নবা চীঙ্, অফবা লীনা করক্ করক্ ইন্ননা হৌবা মরক্তা ঈরাই লৈমা কৌবী ঈশিংগী লাইরেম্বানা মুঙ্পাক্তা খোঙনা নেৎলগা মশা নান্বা মুঙ্না মখা থারগা মুঙ, অয়ুংবদা নঙ্গন্না ঙাথরগা ঙাশীং পুম্নমক লাক্লবা কৌরগা মপুরোইবা শিখিবগী মীকপ্নখিবা মফম, হণ্ডোই কোন্দ নুরাবীগী অথোইবা পাৎ, হণ্ডোই কোন্দে নুরাবীবু মপুরোইবা তাংজা লিল্লা পাখংবনা নাওথী শানা ওইনখি "ঐগী নুপী ওইরিবা, নঙদি ঐখোঈনা কংফালদা থোক্নুনা লম্লাই খুকুম্ববু অমুবনা ফাইরগা শাবা মরা ওইবা ফি, নুপা ওইবা ঐগী শম মথক্তা নমতুনা য়েৎপা অশুংবা লংগী কোক্য়েৎপু পীদবনিকো" হাঙ্গনা রারৌনা ওইনখি। তাংজা লিল্লা পাখংবনা মাগী নুপী হণ্ডোই কোন্দেবু মতম্পাক মথক্তা চিংখতুনা পমজরম্বা লম, তাংজা লিল্লা পাখংবনা কোন্দেবু হক্তিন্নবা লমদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো সেন্বী তেখাও/অহোম লৈপাক চৎননবা মৈতৈগী অশাংবা লম্বী ওইবা, মমাঙ্ঙৈদা মবুধৌ ক্যাম্বা (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) গী লাক্খোংশা কৌবা শামুবু মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নাওরেম

কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ কৌবা অঙাংঙানা লিন্‌ব্রাইমকপী মব্রাল্ ওম্বে- বক্‌ঙৈদা ১০ মচাক্ য়োম্বু চাইথোক্‌লম্‌এ॥ অদুনোংগীবু কাচাই-ও কৌএ। কাচাই হুইমী গোইযা মপুংযাইদা লাইবেল মৈতেংঙ্‌না ব্রাংকোন্ লোই- কাবক্-ও হাযববু কাদরাগীবু লাইবেন্ মৈতেংঙ্‌না পোইবৈ খুঞ্জা হুপ তাইযম নাইচা তিলনা লোইবী কাচাই মপু যাইদা তুবি মৈনা রোৎনা, পনথেংথবদি মবাল্ থুম্বী মৈমাংচল্ কাচাই হুইমী যাকা চাইবে॥ থোইযা ফম্‌যান্নবে, থোইযা যাকা চাইবে॥ হুযেল্ লাম্নিকিদি লোইবী কাচাই মনিংথৌ যেল্‌ফৌ লান্‌থৌযাংগা হুইমী ম'নংথৌ যেলনাওবা চীঙসাং লান্‌হৌবা থোইযা মরৈমাবা মানলং অথৌবগা লানপুম্ ৩ মনচিংনা কাচাই হুইমী ৩০ মপু কাইনা হুল্লে॥ অদুনোংগীবু লাইবেল্

পাম্বা / তাবনা শা তীক্লবম্বা / লৈবম্বা লমদম মৈতৈ নিংথৌগী মজাইবেম্মা অহল কংলাতোংবী কৌবীনা লুহোংখিবা মতমদা নিখিবা লম্বী, মী- বৈবাক্কী তেথাংলু পুবরপা নাম্বল্‌, পুখালবী কৌবা ফৌ মখন্ন' গোবকপা লম্বীবু কৌব্রুগী কৌবা লৈযাংকী অশাংবা লম্বী থি জিনখিবা / মাংখিবা ফত্তে, লম্নক্কা লোঈনহুনা লৈবিবা লম্বেল মাংহনখিবা যাদে হাঈববু চাঁঙ্‌মী- শিংনা যাবমদ। লোইবী খোংচৈ সাবৌপুং হেম্বা অফৌমৈ হাঈনা কৌবদি কবি তৌখিবা নুমিত্তদগীনো? থাঈনা মমাঙ্‌ঙৈদা কৌবা অঙাঙ্‌ঙাগী মচানিপা ৫ গা কৌব্রু মাঈকৈগী মা পুন্নমক গুপ্তুনা মোংবীদা তাবা ম যাম লোঈনা তিন্নহুনা মল্লক্কা হবাও-কুম্মৈ তৌবপা মতমদা লীনব্রাই লৈয়াংকী চাঁঙ শিংদা পানবা, মমিং চৎলবা চাঙ্‌মী পুন্নমক অমতা চিখদনা হৌহুনা চাক চযোম, শা ময়োম পুবক্কুনা যুনা লো খোংগুম চেম্বহন্দুনা যাম্না চাওনা হোও্‌না তোপ্পা ঙাইহুনা লৈবম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী খোংচৈ হাঈনা কৌখি। সাবৌ অফৌ ইল্লেনমৈ হাঈনা কৌবদি কবি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? অরৌবা শা ঙাবু ঈন্ তিংথোক্কুনা খান্দোক্লগা, উচেক্-ব্রাযা চঙ্‌দনবা চোং খাল্লগা / ম্বুংলগা পুক্‌পু-লিনবু (পাম্বী লিন্‌বুমদগী লৌবা হীদাক্) চৈবগা কৌরম্মী। অহুগী নুমিত্তগী

মৈতেংঙ্, তুবি চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা কাচাই থুন কং ৩ মপু হুইমী মৈউৎ তান্বা, থোইয়া য়িমচংয়ানবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইচেল্ চঙ্ সেল মরাল্রোন্দি অতুম্সুং মতোম্দে॥ লোইবী হাওসোংতলব্ ঙমলাননা থৌবাল্ ল্যাইজা য়িরুরম্ রাইরং লম্মবক্ হুইয়াই লোক্রম য়িন লেপ্লোই চীঙ্সাংক খোইমোম্ চীঙ্খোং পুথিবা তাললোই মরুম্বী লাইসল্চন্নুবু মরান্ মুহোং খোংথোংবা মচীঙ্সাং ঙাইমু থুল্লেন লৈ তুলাই মচীঙ্-সাং ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্নোং হয়িভৈ খোইমোম্ লাই-রেম্মা কনচাও মৈপোক্থোক্পী সাল্মুবী চরৈ ফিংনা হুইয়াই ঙাইনাক্ তুংরোইনা য়াংফং কোনলোই ঙম্দবীগা খোইমোম মসাবা খেম্তু

শারৌ অফৌ-ইলেন্মৈ হাঙ্গৈনা কৌখি। খোংতৈ চীঙ্গী শারৌ অফৌ ইলেনমৈগী খুন্দা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা ময়াম্বুং ইবুংঙোনা পোক্পা লীক্লাইগুম লুরবা মচানিপা মথোক কারক্লিবা যুবারাজ জয়বীরসিংনা লিনরাই লৈয়াত্তা মাঙ্থানা চংহনখ্রগা মৈদিংঙুনা মৈতৈগী খুঙ্গা-নাইজা, অরোং-অপাও (অহল্লপ-নহারুপ, খাবম-লাইফম) গী মী পুম্নমক তিন্নহুনা পরেং শানা চংলগা নিংথৌগী নিংথৌ শেনবা, নিংথৌ কনবশিংনা নাক ওঙ্গ-য়েং ঙাক-শেল্লগা লান্দাহুনা লান শোক্রবদা খোংতৈ শারৌগী খুনঙাক-খুন্দিনশঙ্ থুগাঙ্গৈরে, অফৌ ইলেনমৈগী মীশিং মাগী মাগী ফমুংদা য়াম্ব্রে, খুনগী য়ুম পুম্নমক তুম্না মৈ থারে। লান-ফমসিদা খোংতৈ-শারৌগী নিংথৌ লৌ শুরিবা কাতেগা অফৌ ইলেনমৈগী লৈঙাকপা লিনরাই লৈয়াংকী চীঙশাংদা খ্বাইদগী হেন্না লান্দা থৌনা ফবগা অনিসিনা চিংবা লানফা ৫ হাংখি। অতুগী মুমিত্তুদগী ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙ্লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা খোংতৈ ময়ুম চঙ হুনা য়াম্বুবা অফৌ ইলেনমৈবু লানঙম্বা হাঙ্গৈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, লিনরাই লৈয়াং খ্বাইদগী ইরোইলোইবা চীঙ্দা ফিগী ফিরান্ য়ুংহুনা থৌনা ফনা লিনরাইগী লম লোই চল্লবা নিংথৌ অসিগী চুঙ্ শেন্নবদি অহুনসু লোঙ্গত্রি। লিনরাই লৈয়াংকী অতোপ্পা

চীঙ্সাবা মচীঙ্সাং লোক্তু চীঙ্সেম্বা মাল্তৌরোক্পু নাপোম্ লোক্‌ মাইমবু খাক্তনা লিরেল্, য়াইরি ফম্লোই তান্না চরৈ ফীসেৎনবগা চৎনা ঙাইনা ওংকাইনরম্এ॥ অত্নোংগীবু ঙাইমু-ও কৌএ॥ তুক্লা হুইনা লৈরম্এ, অত্নোংগী তুক্হুইচীঙ্-ও কৌববু ময়িম্ লোইবী মনিঙ্ নাইবনা তুলাই-ও কৌএ॥ লোইবী তুলাই মপুঙ্য়াই হেম্বা ঙাইমু ওংকাইচীঙ্দা লাইরেল্, মৈতেংঙুনা চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল সল্খাং লান্ থাংলেন্ খেরাংথাং তিমেল্ তাজল মৈরি থোক্লা পস্থেংথবদি ঙাইমু য়াকা চাইরে. তুলাই চৎনেৎ য়ান্ মরাল্ থুম্বী মৈমাং চল্লে। হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী ঙাইমু মনিংথৌ হুয়েল্ ঙাইকাপরাং অথৌবগা তুলাই মরৈমাবা লুত্রেংবগা ২ মনচিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ৭ মপু কাইনা

লম অমগী লমলোই চীঙ্শাং, শারোনগী অপাকপা লমদম মকা মরোং মরোংবা পাম্বীগী মমৌ ওইবা (ফৌ পাম্বী, ফৌওইবী) গী মতান্নোই মমা লৈজ্জবী, মপাস্থ লৈজবী অরিবা চক্পা ফুরুপকী লমজানিংঙোল ওইবী কোম্থাং / কোরিয়ান্না মনাদা শিবী লৈনুং লমদা লেকপী লৈনুং ফাইবী তেরা কৌবীগী ময়ুমগী-মনাক্, মপা চকপা খুন্নুংবগী ময়ুম-য়িংখোল্দা থাবা লৈন্নুংগী চেন্না চেন্না ফুকপা য়াবা ফৌ, তোংনু কৌবা ফৌগী ফৌদাদগী থোকপা লিকশিবদৌনা মশাদা লাংবা ফৌ, য়াইসল্ য়াইফৌগী চেঙ্, য়াংলৌ হাপ্লগা য়ু স্থুম্নরিবা, অমুবা হামুক্তা লোঙ্গননা কৈদা হাপ্লিবী, মঙ্ চঙ্বদা শীজিন্নবদস্থ মঙ্ মঙ্হনবী চেঙ্ থোকহল্লিবী ফৌশিংগী মবেম্মা অমস্থং মবুংঙো ওইবা ফৌবু ফাইবী তেরাগী লৌরেল্গী মমাঙ্দা শামান-লেংমান্নবী তেন্না তম্বদা পানগনবী, মখোঙ্ শুহ্না চৎপী অতিয়া নিন্হন্দুনা লৈবা উচেক (খম্রাংচাক্) না ফৌগী মহৈ-ফৌ ঙাকপা লম্, মহাক্কী লোঙ্গনবা মপাং লৈরাঙ্গদা কাংহিনগুম খিন্দুনা পানবা মনা-মশীং, অঙাং পোক্পদা খোঙ্গরেন্থাঙ্ ওইনবা, তাক্লা কৌবা লমদা ফি ফৌনবা শা ওইনবনা রাগী খাবৈনা ওতুনা পোক্পা কবোক্ ওইবা ফৌ ঙাক্লবা মফম্, অতিয়ামুক রাংই হাঙ্গন্নবা অরাং মাঙ্গকৈগী শল্. লৌরাই

হুল্লে। অহূনোংগীবু তুবি চীঙ্‌লেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা লোইবী ঙাইমু লান্থাবা তুলাই য়িমচং য়ান্‌বা হুইয়াই চীঙ্‌লুখুম থৌহু মুংমু মুংনাংচীঙ্, চেংচা অঙৌবা হাকোক্‌রাই থৌহু তুনানবা হাথারাই মুংখেন্ চামিপুং পোইরৈ চুপচিচীঙ্, লাইচি চুপচিকোল্ মরাই মাসোক্ সোকপনা যৌফদবা চীঙ সাবী লইতৎবা য়াকুম্‌চীঙ্ খয়োই লুরাংবা হোরৎচীঙ্, থৌহুনা পোম্মদি চেংচা ঙৌযেক্কবা চীঙ্‌সা নাপোম্‌মাদি থৌহু য়িসং হায়কুপ্‌চীঙ্‌দা চবৈ ফিবান্ থেৎনা নোংনেম্ লম্‌চন্ থৌবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইবেল সনা মচুঙ্‌সেন্ মরালওন্দি অসিম্মুং মতোম্‌দে॥ লম্‌লেন্ লিন্‌রাই য়িরাংমগী লৈনুং লোঙ্গা অবিবা মচৎলম্ লাংবন্, খোইনিং মান্‌বীনা চাঁঙ্‌সাং পাওচেল্‌সম্ লোইবী হাও কমলোন কমসোল্ সাকম্‌লম্ সবপু হরাওলম্, তিংসোং সান্‌থুপ্‌লম্ চীঙ ঙম্ চৌ খুসেন্‌লৈ-ও কৌবদি ক'দৌনোংগীনো॥ লহালনোং হয়িঙৈদা খাবা তৌওৎনকে ঙৎঙমদ

মানশবিক্ (নাউশেক্ / হারি / হরিনোংনাং / তাম্না) না কং অমম্মুং মু (ঙা ফানবা লাং) থিহুনা, লৈমাঙ্গ অমম্মুং অতিযাবু খঞ্জিন্দুনা চঙ গন্ হাঙ্গহুনা ঈশিংদা চৌবা ফৌগী মখোঙ্ কোন্না ঙাকপা লম্, অরিবা খুনগী অহল ওইরবা মী, খাবোমগী অথাপ্পা পোইশিংগী লমগী পোইনাউতানা কৈগা অবোইবী থেংননবা মরোন্ য়াম্বা উরিৎ, ঙানবা শিরাইকংচা কৌবনা ফৌগং হুন্দুনা পামফেলদা ঈশিং থাজিনবা লৌ(চাইচি)ফম্ অবিবনা য়োক্‌পা অবিবগী মচাগী লৌগী সৌমাঙ্, শনশিংনা শঙ্গু শঙ্গু ওইনা পোক্‌পা মফম্, মঙক্‌শমদা লিন্না লিক্ ওইনা শিবা লাইগী শাদোং শন্দনবগী পোক্কফম, লাইগী ঙমথং ওইবা পুথিবনা শনশেনবা মফম্, মশা পান্দবা ফৌনা পাইশিল্লকপা, ফৌথোক ফৌ পুন্নমক লীশিনবা মফম্, চক্‌পগী ওইনম শাগৈগী লৈশাবীগী ফু য়ৈবা লম্, থাঙ্গনগী মোল্লাং শাগৈগী পাখংগী ঙাগী মশীঙ্ শুনা ঙা পৈরম্বা লৈপুঙ্, রাকচীং হাওকোনবম শাগৈগী নিংঙোল্লা থুম শৌহনবা লৈপুঙ্, ঈশিং মপী ওইবা লাইরেল্লা মমৈনা কোনশিন্দুনা থুমলেমবু খাম্বা চীঙ্, নুঙ্ ঙাক্তা লৈবা কোমপুং,

য়াংবা কাম্বা হায়গে হায়মদঙৈ লোম্লাং পাথংবা খাবা চেপ্‌লোইনবনা উগনি য়াংবা লোইখোইবনা খংগনি হায়না অরাং কোরৌ নোংমববু তুবি লোন্‌চৎননা সালথুপঙৈ ময়ুম্ লোইবীহাও মনিল্ নাইবনা মারেল মাবু কৎনা সোন্না সোন্না লম্‌রোকলম্‌এ॥ অদুনোংগীবু লোইবী হাওকম্‌সোল্ কম্‌সোল সাকৎলম্—ও তৌনা কৌএ॥ হেম্বা হরাও মচেৎ মানা ১০ চেং মচাংবু চিপুং মানা কাইরে ময়েংচাবুদি সরপাই ও কৌএ॥ সরপাই ফামনা পৈনা চেন্না তান্না লম্‌রোক্‌ঙম্‌এ॥ অদুনোংগীবু ময়ুম্ লোইবী হেন্নাও মনিল্ নাইবনা সরপুং-ও কৌএ॥ হেম্বা মচেৎ মানা তুবী কোরৌ নোংমবু তিংনা সাংনা সোন্না স্নুক্কা প্রুমঙম্‌এ॥ অদুনোংগীবু তিংসোং-ও

ঈশিং চাওবসু হেনগত্তবা, ময়েংসু তাদবা, লাইশিংগী মবুংঙোগী লাই ওইরিবা মুঙ্‌গী অখোইবা পাৎ ওইবা মফম, মুঙ্ কাংখৎহন্‌বা থরো পো‌ংপা / শাৎপা লমদম, খোঞ্জেনবু মকোন্দা হঞ্জিনহনবা, ঈশিংগী ঈমাঈবু মনানা লেংবদা পীক্ থলহনবা মতম কুইনা পুন্সিরবা মনা লেং লেং চৎপা স্নাগী উনা ঈশিংগী ঈয়াঈদা শাৎলিবা / হৌরিবা, ঙান্নু খেরে য়াম্না কোক্‌পা মফম, তিংয়ি কৌবা ঙান্নুনা মচা চেনবা, য়িরেম কৌবা মকোক্ চাওবা উচেক্কা সেন্দাংগা মচী মচী লোনশিন্নবগুম চঙ্‌ংননা লৈরিবা মফম, লাইবেলশিংনা ঈশিংদা লুপ্তুনা-তাউখত্তুনা শান্নবা মফম, লাইরেল্‌শিংনা, লাইরেলগী চীরেল—লাংয়েন্না লৌবুক্তা তাবা অতিয়াদগী তারকপা ঈশিংগী লাইনা তগুপ তরেংনা ঙানবা মফমগা থংননা লৈবা মফমদা অখোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈ লৈপাক্কী খুঞ্জা—নাইজাগী মী পু...ঙা ...োঈননা নোংমৈ তোপ থাঙ ফেংবগুম তক্তুনা কাপ্পগা মখোম্না নেং খোংবগুম থোকহন্দুনা লান্দাবদা কুরাউগী তাইনরিবা পন তেক্তুনা, তিংখংগী অচৌবা পন কাঈত্তুনা কৈথেল জুরাই লাউনা কাঈবগুম থুগাঈরে। মরোং পবুমৈগী খুনগী খুন্‌ঙাকশঙ্ থুগাঈরে, অরোং উখিমৈ রাই হুনবগুম হুন্দোকপীরে, ওইনমগী ঈফেমৈ-শিংবু ময়ুম চঙ্ চঙ্‌তুনা য়াম্থরে। খুনগী য়ুম পুন্নমক তুম্না মৈ থারগা

কৌএ॥ মবাম্ ঙামচৌ খুল্লেনলৈ-ও কৌবদি হেম্বা হবাও মচেৎমন লৈনুং লোন্চা অবিবা লোল্লাং পাখংববু লোইবী থুয়ৌ ঙম্চৌ হুলনা চেল্না চেল্না রোক্ঙম্এ॥ অদুনোংগীবু লোইবী ঙম্চৌ খুল্লেনলৈ-ও তৌনা কৌএ॥ লোইবা ঙম্চৌ খুল্লেন্লৈ কম্সোল্ খুল্লেন মপুংয়াইদা। রাংকোন্ লোইকা তাম্লবগী পোইবৈ খুল্চাহৌ তযুম্ নাইচা তিল্না। কাওরেল্ সল্খাং ১০ লান্, খ নং লইঙং লেং চুঙ্লেপ্ ৬০ চোংনা পম্হেংথবদি কম্সোল্ সরপুং য়াকা চাইবে॥ তিংসোং ঙম্চৌ নেৎচৎ য়াল্লে॥ মবাল্ থুম্বী মৈমাংচল্লে॥ হুয়েল্ লাম্নিকিদি কম্সোল্ সরপুং মনিংথৌ য়িংঙেল চুঙ্মাই হেনবা মোইবিব্ নাসিনবা সিংকৃপ্লেং অথৌবগা সবপুং

অচাকপা মৈতাল ফাওবা যুমগী শাইদা পকহন্দুনা মখোঙগী লৈঙাকপশিংগী ফম্নবা থারিবা ফানশাংশি ফাওবা চাকহন্দুনা মৈ যাওবা তাঙ্গোঈনা কোঈপাই পাইবগা লোঈননা অতিয়া মৈথু মণী মবী কাহন্দুনা লাম্হেংনহুনা মাঈথিবা পীখি। লানফমহুদা ম'বাং পিবুগী নিথৌ তাদা চাযাই রাংনা তোপ্পা, যাইশিংনা ময়োম ময়োম গুইনা যেংম্বাগা মবোং ঈযেমগী লৈঙাকপী চিন্‌ফিনা ফনেক গুইনা শেৎপীগা লা মবক্তা লেপ্পুনা লাঙাবা উখিমৈগী থুন্বুগা অহুমসিনচিংনা লাম্মা ১৫০ হাংখি। অদুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা ঈশিং পীবিবা লাইহন্নবা চাঙলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা, কৌত্রগী লম অশেংবা মশক্ খঙহনবা, লম্ লোইবা (লম-তু শোম্বা) শিংবু মযুম মযুম চঙ্হুনা য়াম্বা, শা মযং মথ ফাবদা থোনা ফবা হাঈনা কৌখ অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিবা লাইহন্নবা চাঙলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বগী চুঙ্-তা পাঈবগী মওং অমসুং মখোঙ্‌তুগা লোঈননা লান থেংনবগী রারোল্দি অদুনসু লোঈদ্রি। হঈরিবা চাঙ্ অসিগা হেক থংনবদা লৈবা কৌত্র লমগীদি মথক্ শারোনগী অপাকপা লমদম অমু লোইতাম্বা কৌবগী মফম্ নাকল্লোমদা লোইপোং হেন্না পীব লোই, থিন্দনা য়াঙ্না লোইপোংনা পুবশিংনা তোংঙান্না লেংদা পুবা শুক হেঙবা লোই, লযুব অমসুং

চাংলোই চেংখাইবগা তিংখো খুনবু লিযনবগা ঙম্মচৌ খুল্তিল্লাংগা হুযেল্ লান্নপুম ৫ মনচিংনা কাইনা হুল্লে॥ অদুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙু তুম্বি চাঙলেন নোংদ্রেন্ খোম্বা কমসোল্ চীঙসাং লাম্থাবা তিংসোং ঙামচৌ রাংকোন লেইথৌ নব- তৌনা কৌএ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু রাকোন্ লোইবা তাংবগী লইবেল সনা মচুঙসেল্ চুঙসেল্ মবাল্হৌদি, অদুগুম মতোংদে। লিনবাই লাইজা যিবম যিল্ মেনাং তনবা খুযো ভংচৌহুল লিংরাই খাংপাক্ কাব্লেন্নসি নামসংকোল্ ঔবি মমৈবম্ ম শাংপোংহোকা ল্ স ৈন ন তক তেবপ ল্না নে ঈমু থুম্ব ওাইনোক চ ঙ গি ন ক সি কুঙযংদ লংজা যিবাই নৌমনা থৌহু খুনেংনা গুগাং খাংনা চে চা নমঙান লেন ঙামি বৌনা মি কপবাই হংজোই

ওম্বা নিংথৌগী মিংলেনগা মবুধো অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লব। মৈতৈগী মবুংঙো প্রজাগী মপী-মপা ওইবীবা কৌবা চীঙথংখোম্বা, সোকপাও কৌবা চীঙগী থুনবু ঙম্বগী মিংলেনগা, অথোইবা লাইগী ময়াই চেল্লবা মপাবুং মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীনবিৱিবা লাইগুম্নবা চাঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা থাক-লাউদুনা নোংমদোন্দগী তারকপা ব্রজ শীংজঙগুম্বগী লাই-গুম্নবা মি থোনগা অহুম্মকপু (মমৈগা মনৈগা শম্নদুনা) মমৈ পাংদুনা, মতুং ইন্দুনা লৌরগা মিংথোম্বদা অফ-নুংঙাই ফংবা অথোইবা লাইগী মহা-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজাঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, লীক্লাইগী মশক ওইরবা মণিগী কোনফু মম্লংদগী মঙালনা তময়াদা খজিক খজিক হুন্দাক্ল-কপা মঙালনা ঙানবা হৌবকপদা নুংশিংনা মখেলাংনা শিৎপগুম্‌ মৈতৈ লৈপাক্তা চেন্দুনা কাৱক্লগা থুনা মৈতৈ নিংথৌ ওইবগী কংলা ফম্বাল হান্না তোংলবদা অফবা ফংখিবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙনা খন খন্দুনা লৈবিবা মফমশিংগী নোংথক্তা পাইবকপগুম্বা অথোইবা নিংথৌ অসিগী চুঙ শেন্নবগী মওং মতৌ, চুঙ পাংদুনা লান্দা-থিবদি লীৱাইরোক কৌবা ৱাইরং লৈয়াংগী থুনশিংগী ময়াই খাঈদোক্লিবা থুন্নৌবু লম্বোক্লগা লৈবা ময়াংশিংনা মখোল থোকহন্নবা মপান্দা য়ৈহুনা

মৈতেংঙু ওকুলেন্ লাংসম্ থৌকুম্বদি কৌবা য়ারেক্কা চীঙ্নুং নোংফাইদনা পোল্লাং নমথল্মৈ মপুংয়াইদা খৌসাবনে॥ পোল্লেং নম্থলমৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লোইবী মাচৈস্থ কোংয়াং নামিবা হেম্বা খুল্লা-চৈবু লাংলেন্ চীঙয়াখল্ কোংয়াং নোংবুকম্না পাল্বা চীঙ্দা খুল্ত্তাববু পোল্লোং-ও কৌএ॥ লোইবা মচেং খাইনা হেম্বা খুন্নৌ তোংববু লম্থন্মৈ-ও কৌএ॥ অত্তুনোংগীবু পোল্লোং লম্থন্মৈ-ও তৌনা কৌএ॥ লমথন্মৈ মপুংয়াইদা চুঙলেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্, সল্খাং ০ লান্, সাইবু মৈতাল্ পক্ হুয়েল্, থাইসিং মুংনা পম্বেংথবদি পান্লোং য়াকা চাইরে, লম্থন্মৈ ৱাইহুন্নরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি মাইচম্বা লান্থৌয়াং-নচিংনা হুয়েন্ লান্পুম ১০ মপু পুবক্এ॥ অতুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু

হোনবা 'হ শানবা উ য়ানবা লম, চীঙগী মিংথোন থোনবদা পকচবা চীঙজেং নারল পাঙ্গনবা কৌবগী মমিং থোনখিবা চীঙ, ৱাকয়ৈ হিপু-চীঙগা থংননা লাম্থোক্লগা লৈবা ফাল্লোক কৌবা খুন্দা লানগী লানখৌ শাখিবনি। ফাললোক্ হাঈনা কৌবদি করি তৌবা মুমিত্তগীনো? চীঙ-মীশিংগী মরোন্দা মখোঙ্গনা হাঙ্গনবা ৱাহৈদা ৱাং উনা শাবা মখোঙ নাইবা উগী উরুক-খুদেং, নোংমগী চারা তমহুনা, য়েনশাংগী মথেল্, হগুনা চাক হাপ্তুনা শীজিন্নবা পাত্রত্তবু লোক হাঈনা কৌই। চীঙ্দা পানবশিংনা মথুম-মরাং হৌতুনা, চীঙগী খুন্দা লৈবা পাখ' ফাল, লৈশা ফালনচিবা পুন্নমক পুন্নাং লাংনহুনা শা থোংবা য়ান্না থৌরাংহুনা মীয়াম যু থক্মিন্নহুনা খুন্দাববু ফাল হাংনা কৌই। অতুগী মুমিতুদগী ফাললোক্/ভাললোক্ হাঈনা কৌখ। চীঙদা মুংঙাই-য়াইফনা পাল্লিবা ফাল্লোক কৌবা খুলশিনা মৈতৈ নিংথৌরোলদা থোইদিং শম শম থাঈহুনা, অথোঙ্গবা লোইপোৎ খোইরু, লশিং কোৎ কোৎ পুবক্নুনা অমম্মুং ফিবোং চামি কৌবা ফি কত্তুনা লোই হাববু হাদ্রবদা লানফমদা নোংশাগুম্বা থৌরবা, অথোইবা লাইগী মতিক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা, অতিয়াদা নোং খাকপদা থোক্লকপা মৈগুম্বা, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা ঐবু পোকপীবম্বা মৈতৈগী মবুংঙো,

লোইবী ফাল্লে'ক্ ঙম্বা পোন্‌লাং লম্‌ঙ্গ মৈদা খেঁসাবা ছুয়েল, লেংপাও ফাবা-ও তৌনা মি খৈখিএ॥ হাইদববা॥ লাইবেল্ মৈতেংগু লোইবী ফাল্লোক ঙম্বা ছুয়েল্ লেংপাও ফাবগী লাইবেল্ স্না মচুঙ্‌সেল্ চুঙ্‌সেল্ মবাল্‌হৌদি অসিস্নুং মতোম্‌দে॥ হাওবে নোংচুপ্ খানা পাংবরম্ ভমোল্ চীঙ্‌সাং ফৈনা তুপ্ হেম্বা কাইরম্ মচীংসাং, সেন্‌তিং তুইথুপ্‌ খুনুংমৈবু ঙম্‌লোননা লোইবী খোংচোল্ মচীংসাং হেম্বা থেংতুম পাইসিনয়াম্বী মনাইকোনবু ঙম্‌লোন্ নাতেমনা কোনলোক্ মপুংযাইদা খৌসাবনে॥ কোন্‌লোক্-ও কৌবদি কাদোনোংগীনে॥ লোইবী মীবৌনা হেম্বা তেংথানবা চীঙ্‌লেন্ রাংথোইবা, নুংকাই খুফমখিনবু কোন্-ও কৌএ॥ হেম্বা চীঙ তোনথক্তা লোইবী মনিল্ নাইনা খুনতাববু লোক্-ও কৌএ॥

ঈশিং পীনবীবা লাইমক্তা মান্নববা চিঙলেন নোংদ্রেন খোম্বগী খুংগু তানা ইশলম্বা লম, মখুংগু থাঙলেম্না হাইত্নুনা ককথৎলত্নুনা লোই চল্লম্বা নিংথৌগী পুকৈগীদমক্তা লোই হাবা লোইন। চীঙমী নখোঙ্গী লোইক বকউ হাঙ্গববু কাবক্রুবগী ঈশিংগী মপী ওইরবা লাইগুম্বা মানা খোঙ্গদো য়াফম শাওগৎ, অথোইবা লাইগুম্ব্ত্নুগী পুক্রীঙ অশাওবনা থুমহত্নুনা মেতৈগী খুঙ্গাগী মী পুন্নমক হৌত্নুনা নাইজাগী মীয়ামগা লোঈননা ফাল্লেক চী মী-শিংগী মখুন্দা চুঙগী অন্না বা ৬০ চোংখৎ, শনগী অশাংব ১০ লান্ন চোংত্নুনা ফিংমনবনা খংনং কৌবা তানা লৈতঙ্গাই ফাওনা লেংখাদত্নুনা লান্দারা বদা ফাল্লোকশিংগী মখুন্দুনা চীঙম শিংত্নুবু মখোঙ্গগী পামগৌ যাওবা ও মত্নুনা মথক্তা নেং নেংত্নুনা থাডনা য়াম্নুরে। লানফমসিদা ফল্লোর্কা নুচিংবা লান্দা য়াঙনা থৌনা ফববা লেংপাওগা, লান্দা মমিং লৈবধা খেথিলনা কৌবগা অনিসিনচিংবা লানফ ও খকপু শক মবক্তা কাংদ্রেন্না খোম্লগা রা ঙাংবগী খোঙ্গেল থোবক্লিবা খৌনাড থোঙ লেনথত্নুনা তৌগা থুম্মোক্তা হাপ্লগা উপালগী মশা অমা বত্নুনা যাল্লগা লানফা ওইনা পুববখি। অত্নুগী ন্তমিত্নুদগী অথোইবা লাইগী মহি ময়াই চেল্লনা মৈতৈ, মবুংঙো লাং পান্থী মরক্তা শমত্নুনা চৎনদা খৌনা ফরবা নাইথোম চৎপা ওক্লুম্বদি

হেম্বা কোন্লোই মমিংথোংবু লম্‌থোন্নবা লোইবী কোন্লোক্ মপুংয়াইদা লাইরেল্ মৈতেংঙ্না যিরোই চীঙ সাং কাইথোই হেম্বা য়াংলৌ মরম্লেন্ রাংকোল্ লোইকারম্মুং ফুন্ফরোই হাইনা পাওমেল্লবু হোইয়াদবা রাগী, লাইরেল্ মৈতেংঙ্ লাইরেল্ নোংসিং কাওগুম্বনা লহাল্নোং লাইরেল্ য়িপা খা্পা নোংসিংচংকুম্বনা চুঙ লোং মপাল্ কুম্ খেরে তাচিন্ কাইনা লোইবী মপুংতাক হেম্বা মরৈ কাইনা পম্মৈংলম্ববু লোইবী মাখৈ ফংদরিএ হায়না পোইরৈ খুনচা হুপ্ তায়িম্ নাইচা তিল্না তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেল্ মৈবু রোংনা কোন্লোক্ মপুংয়াইদা মাইবা পল্লেল্ য়ান্ কুরাও পম্থাই সংথংনং লাইতং লেংনা লোইবী মারেললোন্কা থুম্ মরান্ লান্কা তাক্ সোইবু মৈতাল্পক্, চংলম্ ফানসাং থুম্ হুয়েল্

কৌক্রুগী লমতুদা অ'হং লেক্তনা, চীঙনুংদা ফাইতুনা-পন্দুনা লৈবগুম লৈথোক্তনা পোল্লাং নমথলমৈ কৌবা চীঙগী খুল্তুদা লান্দাতুনা লানখৌ শাখি। পোল্লাং নমথলমৈ হাঙ্গনা কৌখিবদি কবি ভৌখিবা নুমিত্তগীনো; চীঙমীশিংগী চৈশু ওইনবা মতু নানবা রা চীঙদা পানবশিংনা চীঙদা খুল্লানবদা শীজিন্নবা চৈ ওইনবা রানা চীঙ্য়া থন্না, রাপল কুংনা নুমিৎকী মঙাল চঙহন্দনা হৌবা চীঙথক্তা খুন্দা খুন্দাববু পাল্লোং হাঙনা কৌই। মখোঙ্গ চীঙমী খুন্দু মচেৎ খাইদোক্তুনা অনৌবা খুন্নৌ শেমতুনা খুন্দাববু লমথনমৈ হাঙ্গনা কৌই। অতুগী নুমিত্তুদগী পোল্লাং লমথনমৈ হাঙ্গনা কৌখি। লমথনমৈ খুনগী খুনয়াঙ্গদা চুঙগী মরেপ ৬০ চোংথত্তুনা, শনগী য়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না লান্না চোংতুনা যুমগী শাইদা অচাকপা মৈতাল পকহনবা মখৈ মৈ থাতুনা য়েক্লবা লান্মীগী মশীঙ য়াম্না মথরাই মাংহন্দুনা লান শোক্লবদা পাল্লোংগী খুনগী খুন্দননফম লৌশিল্লে লমথনমৈ রাই হুনবগুম চাঙ্গখাঙ্গিবরে। লানফমতুদা লান্দা য়াঙনা থৌনা ফরবা মাইচাম্বনচিংবা লানফা ১০ খক ফারগা পুরকখি। অতুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী ফাল্লোক ওম্বা, পোল্লোং লমথনমৈদা খোশাবা হুয়েল লেংপাও ফাবা

য়াইসিং মুংনা পম্বেংথবদি কোল্লোক্ থাকা চাইরে, লোইবী মরৈ কাইনা পম্বেংলে॥ লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্হৌগী লোইবী কোল্লোক্ ঙম্বা হেম্বা লান্চাই থৌবা রাংকোন্ লোইবা তানবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেন্ মৈতেংঙু কোল্লোক্ ঙম্বা হেম্বা লান্চাই থৌবা রাংকোন্ লোইবা তানবগী লাইরেল্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্হৌ লাল্লোই ময়াইরম্ মমু নোংপোক্ লৈরিখোম্বা মন্ত্রদি রাপী হায়বা খোংলেন্ মথুৎফা লিক্লাই মন্ত্রদিখোং খাকি লৌরাংচান্ য়ুপুং অচলবা তাংজা লিম্না খোংবু নাতৈননা ময়ু লাইরেল্ মৈতেংঙু সেন্বা মুংয়াম্বা কৈরেন্ মথুৎফা মংসা শুৎঙম্ কৈবু ঙয়্লোন্, নাতৈননা পান্বা কৈয়াম্ ফান্পুংবু কৈরেল্ কৈফাপুংতোই তাল্ফংবা নোংনেম্ লাইনা পাংবরম্ য়িঙৌ য়িমেসম্ লিং লিং লম্নুংসি, য়োইবু খোইমোম্ লাইরেম্মা চিংতাই হোংবান নি থৌ চনু লাইচা য়িরৈম্মা মকাইফম খংবাইবী

হাঙ্গনা মিংথোনখি হাঙ্গয়ে। অথোইবা লাই গীমতিক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবা ফাল্লোক ঙম্বা ছুয়েল লেংপাও ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মওং-মতৌ, চুঙগা লোঙ্গতুনা লান্দাবগী থৌদোদি অসিনসু লোঙ্গদ্রি। নোংচুপ খারোম পাংবা মাঙ্গকৈদা তমোল চাঁঙশাং কৈনা লাল্লগা কাইরম কৌবা চাঁঙশাং, মেন্দিং তুইথুপ খুন্নুং শৈ কৌবা চাঁঙবু লোন্ননা লৈরিবা চাঁঙমী খোংচোন কৌবশিংগী চাঁঙশাং থোংতুম পাইশিনয়াম্বা কৌবীগী ময়ুমগী খুনগা হেক লোননা লান্থোক্লগা লৈরবা কোনলোক কৌবা খুনগী ময়াইদা লানগী থৌশারোন শারখি। কোনলোক হাঙ্গনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? চাঁঙমীশিংনা কৌনবা, হাওবশিংনা হাঙ্গনবদা চাঁঙ্ য়াম্না রাংবা, খুভম থীরবা নুঙ্গাই য়াম্না লৈববু কোন হাঙ্গনা কৌই। অতুগুম্বা চাঁঙ অতুগী চাঁঙদোন মথক্তা চাঁঙমীশিংনা মমিং চৎনা খুন্দাববু লোক হাঙ্গনা কৌই। চাঁঙমীশিংতুগী মমিং লৌতুনা লমগী মমিং থোনবা কোনলোক কৌবা চাঁঙগী খুনগী খুনয়াইদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈ ঐখোঙ্গগী লোইলম ওইবা কাইরোই

লম্মহল্‌দা কোরৌ নো যিল্ পোপ্ পোপ্‌পু লিরু য়াফক্লৌ সোংচি নাতৈ লোন্না লাংকোই সায়ম্ ফাবা লাইবেল্ মৈতেংঙু হেম্বা লোইতাল্ থৌবা ব্রাংকোন্ লোইকা য়াংবগী লাইবেল্ স্না মচুঙ্‌সেল্ চুঙ্‌সেল্, মন্নাল্‌ওন্দি অতুম্নুং মতোম্‌দে॥ হাওবে নোংচুপ্ খানা পাংববম্ কেগে তবপুং মোইবাং তরফাই চীপা হাথা লাং কানপুংবু ঙম্লোন্নবা মোইতুং চীঙ্‌ফৈ তুপ্ তুবি যিথোই য়িহাংলোবপু কান্না চোং তমোল্ চীঙ সাং ফৈনা তুপ্ হেম্বা লোখোংচোল্ খোংচোল্ নুরোই মচীংসাংমগী লোইবী লৌখোংচাই খোংচাই মনিল্ নাইবনা হেম্বা চীঙ্‌সাং থোক্লোই হৌ খোংচাই লান্‌পু ফানা কৈরুক্ মপুংতাক্ লৈরিক্ সৈপুম্ মবৈ কাইনা পস্থংনোংগীবু ব্রাকাওদনা লাইবেল্ মৈতেংঙু চীঙ্‌লেন নোংত্রেন খোম্বদি তুবি খোইবু-ওৎ লাইরেল্ চিল্‌বু সাওনা পোইবৈ খুল্‌চা হুপ্, তাংমি নাইচা তিল্‌না লোইবী মরৈপুংদা চুংলেপ্ ৬০ চোং কাওবেল্ সন্‌খাং ১০ লান্ খংনং লাইতং লেংনা খৌসাথবদি খোংচাই য়াকা চাইবে॥ মন্নাল থুম্বী মৈমাংচল্ সাইবু মৈতাল্‌পক্ চৎলম্ ফাল্‌সাংথুম্ হুযেল্ লান্‌সিং মুৎনা

চীঙশাংগী চৎননবা অয়োইবা লম্বী মখোঈনা মৈতৈ কোন্নুংদা লোই কাবকপগী লম্বেলস্থু ওইরিবা লম্বী-লমশাংসি যিংজিন-খাজিনবা য়াবোই হাঈনা হাঈববু য়াদবগী ব্রাফমদগী অথোইবা লাইগা পাংখক ওইবা মৈতৈগী মবুংঙো অতিয়াগী অথোইবা লাইশিংগী শাদোং ওইনবা কল্লবা কাওগুম্বনা, "মমাঙগী নুমিৎ অমদা অথোইবা লাইগুম্লবা ইপা ইবুংঙো নোংদোন্দগী থাক-লাওতুনা তারকপা ব্রজগুম্বনা অবোংবা চুঙগী মপাল দাক্ লৈবা, রাগী তাগী য়োংকী তাজীন কাঈবা ফাওবা লান্দাতুনা চীঙ্‌মীশিং মথুন মুৎপা, মখোঈগী মবৈবাক কাঈবা ফাওবা লান শোক্ল-বমববু চীঙ্‌মীশিংসি অন্নাবগী মথৈ ফংদ্রি হাঈতুনা মৈতৈগী খুঙ্গা-নাইজা হুপ্না মীনাই-মীশল পুতুনা ঈশিংগী লাইগুম্লবা মহাকী পুক্রিঙগী নু ঙাইতবা কাংলক্তুনা লাইরেলনা মমৈ হাই হুম্বগুম লেং-ওতুনা কানলোক খুনগী চীঙথক্তা তিংখংগী পনজাও য়ানথাইতুনা, পনগী ·াইনবদা

পন্থেংলে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী খোংচাই মনিংথৌ সম্খোং লান্‌থৌয়াংকা মেহাং লানমিং নাইগা ২ মানা চিংনা হুয়েল্ লান্‌পুম্ ১০ মপু কাইনাহুল্লে॥ অহুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওচীঙ্লেন, নোংদ্রেন, খোম্বা মদাইবেম লৈরিক্ সৈপুম মনিল্ নাইবগী লাংবন, অঙ্লুক্ চেংপুম্ মনাওতোল্‌কুএববু য়িমু মমৈ থক্লম্ খক্তনা লনসিং তান্‌বা, হেম্বা লৌখোং-চোল্ খোংচোল্ মুরোই মচীঙ্সাং লোইবী খোংচাই ওম্বা হুয়েল্ থমসোং ফাবা-ও ভৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ওম্বা হুয়েল্ থমসোং ফাবগী সনা মচুঙ্সেল্, চুঙ্সেল্, মন্নাল্, হৌদি নোংনেম্ লাইনা পাংবরম্ চরৈ লোন্‌কং লাতোংবী পাওনম্ লৈমা হেমখু ওম্বী লম্‌থোল্ রাই, লম্‌লেন, মন্দ্রিপাল্, লাইরেল্ মৈতেংঙু নোংচুপ্ রাইরং পাম্‌হৈবগী মখুৎফা সোংলেন্ অচৌবদা লিরু য়াফাকুলৌ সোংচি নাতৈ লোম্না লাংকোই হিরৌথোইবা, লাইবেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই

য়ুংলিবা তিংখং পানবা কুরাউগী উয়ুঙ ফুক্তুনা থুমনবনা খংনং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংখাঈতুনা চীঙ মীশিংতুগী লৈফম-লেনফম থুংনা মখোঈগী লান্মী পুন্নমক পুমতাক তাক্লা, য়ুমগী শাই ফাওবা অচাকপা মৈতাল পকপা ফাওবা মৈ থাতুনা, মখোঈগী রায়েল-বিচার ভৌফমগী থারিবা ফানশাংশিং পুন্নমক য়ানখাঈতুনা লান্মীশিংগী মথরাই মাংহন্দুনা লান থেংনরবদা কোন লোক্কী খুনগী মীতিন্নফম লৌশিংল্ল, চীঙমীশিং মথন পুমকাঈ কাঈনা থুগাঈরে। অথোইবা লাইগুন্নবা মহাক্কী চুঙ য়ান্দুনা চুঙ শেন্নতুনা লান্থেংনবা অমস্তুং চুঙ লোঈননা লান্দাবতুগী কোন-লোক চীঙশাংঙম্বা, চীঙমীশিংবু থৌনা ফনা লান্দাতুনা চাঈখাঈবা, মৈতৈ কোন্নুংগী লোইপোৎ কারুদ্রবস্তু কাহনবা লাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগুন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী কোনলোক ওম্বা, হেম্বা লানচাই থৌবা, রাঙ্গোন লোইকা তানবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না অমস্তুং চুঙগা লোইন্না লান্দাখিবদি—লোল্লোই লৈয়াৎকী ময়াঈ ওইনা লৈবা নবুধৌ নোংপোক লৈরী খোম্বা মরু ওইবা রাদা হাঈবা ফমথোন মন্ত্রীফম পাঈরম্বনা

ঙম্বা হুয়েল. থম্সোং ফাবগী লাইরেল, সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল, মরান্ হৌদি অসিস্তুং মতোম্দে॥ নোংচুপ্ ফেনচি নোংহুমলম্ ফেনত্রা লম্মইল্গী য়িবোক্ লাইচম্ কান্নাচোং চীঙ্সাং নাপোম্ ফৈনা তুপলম্ হেম্বা কাইরম্ চীঙ্সাং সেন্তিং তুইথুপ্ থুম্নুংসে য়াওবা লময়াং পাওয়া মনিল্ নাইববু ঙম্লোন্ নাতৈননা সংনাও মপুংয়াইদা খৌসাবনে॥ সংনাও-ও কৌবদি কদৌনোংগীনে।॥ লোইবী কোল্লোক্ মপুংযাইগী হেম্বা মচেৎ খাইনা খুন্দাববু সং-ও কৌএ॥ লোইবা মপাচা হেম্বা ময়েললুবু নাও-ও কৌএ॥ অতুনোংগীবু সংনাও-ও কৌএ॥ সংনাও মনিল্ নাইববু লাইরেল্ মৈতেংঙ্না য়িরোই চীঙ্সাং কাফরোই হেম্বা য়াংলৌ মরমলেন, রাংকোন লোইকারমস্তুং ফুন্ফবোই হায়ববু হোইয়াদবা রাগী লাইবেল্ মৈতেংঙ নাওজীংলেন, নোংড্রেন্ খোম্বনা লোইবী মপুংয়াইদা খোইঙাল্ লাবা যিম্চংথৌবগুম্ পম্বংথবদি লোইবী য়াকা চাইবে খোংচাই নেৎচৎ যাম্লে॥ হুযেল্ লান্নিকিদি মাংচুং লানথৌয়াংনা চিংনা হুয়েল্ লানপুম ৬ মপু

মথুংমক্তা তৌরম্বা খোং, মন্ত্রীখোং কৌবা খাগী / কাচিন্নীশিংগী ফজবব। লোফম য়ুপুঙ কৌবা অথোইবা মফমদা লৈবা ভাংজা লিলহাখোংবু কোঈথোক্লগা, অথোইবা লাইগুম্নবা মবুধৌ মৈতৈগী মবুংঙৌ কবোগী লম্মুং য়াংঙম্বা, মুংয়াম্বনা শারম্বা কৈ / কোৎ ময়াম লৈবা মংসা খুন ঙমখিবগী শাবা কৈ লৈবা মংসা কৈগা থংনবদা লৈরিবা কৈ ময়াম্ ফাবগী থোনবা কৈফাপুঙ কৈ অচৌবা কৈয়াম ফাবগী পুং য়েঁহুনা হোঙববু ঙমখিবা, নোংনা নেমথনা লাইনা লৈবা মাঈকৈ অরাং পাংব-বোনদা য়িঙৌ / লিনরাই / ঈরিল তুরেলগী মমৈ ওইবা ঈচেল লাম্হোক্লগা লৈবা লিৎ লিৎ কৌবা নুংশিরবা লমদম্ অথোঈবী পা-পী ওইঙম্বী লাইরেম্বী চীঙদাইগী হোংকন নিংথৌগী মচানুপী ঈশিংগী মবেম্মা ওইবী ঈরৈমাগী খুবম লৈফম, থংরাইবী কৌবা লমলেন্দুদা নুমিৎ নুংথিল পোপোপমক্তা লীরুং নমথডুনা ময়া ফতুনা লৌবগুম কোম্হল্লগা মতাই অনিগী খোংজংদা লীরী লোন্দুনা চল্লগা শামু ময়াম ফাখিবা অথোইবা

কাইনাহুনলে ॥ লাইরেল স্না মচুঙসেনগী মিংখৈখিয়ে ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা সংনাও মপুংয়াইদা খৌসাবা হুয়েল্ মাংচুংফবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা হুয়েল্ মাংচুংফাবগী লাইরেল্ স্না মচুঙসেল্ চুঙসেল্ মরাল্ওন্দি অসিস্মুং মতোম্দে ॥ পিনতি লৈময়োন্গী লম্হৌরক্পা মরুপ্ কাপতেন ক্রাতুল্ সাহেব ঔরা চিন্নমখাদা ওই খাত্রল্ রানা ভৌতোং ওইবগী নোংপোক্ থোংলেন্ ফম্বনা হে মণিপুর পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ সুরুং লৈকোই ফম্বা য়োইময়াই লাইরেল্ তাওদন্বা মুমিৎ পুংকোই মন্থমনুংগী থুল্কুম্ নিংথৌ য়োইরেন্বা লিক্লাই থারাক্ নোংত্রেন্ অহেন্বা স্না সেক্শিন্ খান্না হেন্মোইবা-ও মরুপ্ য়িংনিংথৌ ইংগ্রাজ নিংথৌরেল্ মদাইরেম পাঙল থারুক্ মেল্তংচা তুরেংচাপু তাববু হেম্বা মসাইকোনদা রাঙল্বা লোইবী লেক্উপাও মনিল্ নাইবনা য়াম্না নোংমল্হল্লে ॥ লোইবী মপুংতাক্ হেম্বা মরৈ কাইনা পম্হেংবি-ও হাইনা থৌনেক্ রাগী লাইরেল্ মৈতেংঙুনা

লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, চীঙশাংশিংদগী থৌনা ফনা লোই ঙৌহুনা/ তান্দুনা নিংথৌ কোলগী লোইপোং পুম্বা ফংবা, অথোইবা লাইগী মতিক চেল্লবা মহাক্নী চুঙ পাঈবগী খুৎপাঈ, চুঙ য়ান্দুনা লান থেংনবগী থৌদোক-থৌরমদি অহুনস্থ লোঙ্ঈদ্রি। নোংচুপ-খা পাংবা মাঈকৈরোমদা লৈবা মোইরাংগী তোরবুঙ কৌবা ভেংরাফাইস্থ মিংথোন্নবা, উচী পোক্র-কপশিংব্র য়োকখিবা মফম্থ লোন্ননা লৈরিবা মোইতুং চীঙব্র ফৈনা লাল্লগা, অচৌবা ভুরেল, ঈথোই ঈহোংলোকপু ঈরাল্লগা, তমোল চীঙশাংস্থ ফৈনা লাল্লগা খোজোন নুংবাই চীঙশাং হাঈবা চীঙগী পামলৌ শাংথনা লৈবা চীঙশাংহুগী লৌখোংচোন্দা পানবা খোংজাই মমিং চৎপ-শিংনা মথোঈ খুনগী মীয়াম ঙৌহুনা শেম্বা মপুঙ ফারবা খোংজাই ভেঙ্গোলনা কৈরুক খুন তাকপা মখৈ থুগাঈহুনা, লৈরিক সৈপুমগী খুন পুমতোঈ তোঈনা থুগাইখিবহু কাউবা লৈতনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজীংলেন নোংদ্রেন ... নিংথৌ পুক্লিং

লোইবী মপুংয়াইদা লম্বওচা চৎনা পাঙল্ য়েক্না চনকনো হায়না পাও-মেন্ববু লোইবী মনিংথৌ তাওচিং হৈমিংন্ববা সেকৃউপাও চীঙ্সাং থৌথাবনা পোইবৈ মৈতৈ নিংথৌ স্না চেংতোল্ লেন্‌গুম্বা-ও ফ্রিংগী য়েক্নাবু থৌখাম্‌গনো পোইবৈ মৈতৈ নিংথৌ নংস্থং লোইবী য়িচীঙ্‌লেন্ন কাওমলোই হেম্বা যিপুংয়াইবু তাঙ্গলোই হায়না ৱাঙল্লমলবগী লাইরেল্ মৈংেংঙু নাঙজিঙ্‌লেম্ নোংদ্রেন্ খোম্বদি তুবি খোইবু ওৎ লাইরেল সযে পাম্বোম্ তিংনা পোইবৈ খুলচা হুপ্ তাযুম্ নাইচা তিল্ মদাইমে খুভোং থিনকাপ্‌লোইবু ঙাইথোইনবা হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংববম বোবাক্ লাইজা তোৱৈথেকপু কাল্‌না চোং তুবেল্‌খোং ঙম্লোননা ভুলোল লম্মপাক্ পাওতু পাৎলেন, কোনবু কালনা চোংনা, নাইতোনখোং যিয়া হেপ্ ভবোল্ চীঙ্সাং সম্না লোইবী সেকৃউপাও মপুংযাইদা খোসাথবনে॥ সেকৃউপাও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ মায়িম লোইবা মনিল নাইসনা হৈবাংবু সেক্-ও কৌএ॥ তাঙজিং মপানকা হৈবাং ৱাংনা পাল্লম্ববুদি পাম ও কৌএ॥ অতুনোংগীবু সেকৃউপাও ও তৌনা বৌএ॥ তান্দচোং

অশাওবগা লোঈননা খোঈশাও-দিনশাওনা মৈতৈগী খুভা-নাইজা পুন্না হৌহুনা মখোঈগী চাঙগী গুন্দুদা চুঙগী অরাংবা ৬০ চোংখৎ শনগী দবাঙংন অশাংবা ১০ লান্না চেংদুনা থুমনবনা থুঙগী খংনং তানা নৈ ভঈঙ ফাঙবা লেংহুনা লানখৌ যাহুনা লানবদা খোজাই খুনগী দুন্দিংযম খুগাঈবে। মখুল তুন্না নৈ থাহুদা যমগী শাইদা মৈতাল অচানপা পক্লুনা ৱায়েল-থৌদযংগী যানশা থান্দশি মাহান্নে, মখোঈগী লানা শিং তুন্নবা লান্দাহুযা তকহম্লে। লানযমাসিদা লান্দা যাঙনা মঙোন, নৈববা খোংজাই নিংথৌ থমসোংগা, লানযম মমিং চংলবা মেহাংগা অন নচিংবা লানযা ১০ খক হংখি। অতগী মুনিং দগী অখোইব ন ইংহনা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজীংলেন নোংদ্রেন খোম্বা মাগী মনাই ওই, নৈবা সৈবুম খুনগী লাংবন্দা ওন্নবা থুম্মোক্না চেঙ মতোনগুম্ব লান্দা শোকপগী ই ফাওবা থকপোই থক্তবেই তৌরিঙৈদা নমন খুঙ্গীবা, চীঙ্গী পামলোনা

হৈচাংপোক্ সেক্উপাও মপুংয়াইদা লাইবেল্ মৈতেংঙ্না চীঙ্মাই মায়োল্ হু খোপোম্ খোক্লোই তু যাংকোল্ নাফানিক চুঙ লেপ্ ৬০ চোং কাওবেল্ সল্থাং ১০ লান খংনং লাইতং লেংনা সাইবা পল্লেন, যাম্না কুবাংও পন্তাই সং লোইবী মরোল্ লোন কা থুম সাইবু মৈতাল্ পক হুয়েল যাইগিং মুৎনা পম্লেংথবদি খনানৌ য়াকা চাইরে, চীঙ্সাং নাফানিক্লে॥ হুয়েল ল ম্রিকিদি থোইবা সোল্মাং লানচিংবগা মরোই সোংযেল অথোবগা ২ খানাচিংনা হুয়েল্ লানপুম্ ৪০ মপু কাইনাহুল্লে॥ অতুনেংগীব লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজ়াংলেন নোংদ্রেন্ খোম্বা চাঁঙ্নুং থরাক্ লৈগুম্বগী হুয়েল্ লাল্হৌ অকম্বা রাংপল্লেন্ হৈথাকুম্বব্ সোংকিবগী লোইবী সেবউপাও হেম্বা খলেন মনিল্ নাইবনা লাইরেল্ সনা মখোং খাদা য়োইনা শদোল্ কংনা তুবি কোরৌ য়িনোংথো চরৈ ফিখিল্ খালগুম্বা-ও লোইবী মাপুং তাক্ হেম্বা য়িবৈ কাইনা পম্লেংবীগনো॥

শাংথ-নেমথনা লৈদিবা খোংচোন হুরোই চীঙশাংগী চীঙ্মী খোংজাই ঙম্বা, লানফা ওমসো ফংবা হান্নীনা কৌথি। অথোইবা লাইগী ময়াই পুববা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা হুয়েল থমসোং ফাবগী চুঙ পাঙ্গীবগী খুৎপাই, চুঙ তা শেন্নহুনা লান্দা-লানহৌবদি—নোংনা নেমথবা লাইনা লৈবা মাঙ্গীকৈ অরাং পাংবরোমদা লুরাং নিংঙোন কংলা তোংবী কৌবী পাউনম শাগৈগী লৈমা/মৌ ওইবদগী হেমখু ঙম্বী মিংথোনখিবীনা লমগী মনিং থোল্লম্বা মফম, মন্ত্রিগান কৌবা অথোইবা লমদম, অথোইবা লাইগুনবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংচুপ র ইনং পামহৈবা, চৌরজিৎনা শারম্বা অচৌবা সোং (শাম্ ফানবা লাংগী কোম, কেদা) দা লীক ময়া ফাক্তোহল্লগা লীরি খোঙজী লোন্দুনা চল্লগা হি ওইরবা শাম্ য়াম্না ফাবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা হুয়েল থমসোং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না, চুঙ শুহুনা লান্দাবগী রারোলদি অসিনসু লোঈদ্রি। নোংচুপলোমদগী ফৈনা শিৎলকপা নুংশিংনা নোং ফৈনা হুমদোকখিবা লম, ফৈনা লংথবগুম তারকপা অথোইবা লমদা

ফিপোং চামিরে ই খোইরু পোংলেন, লোইবু রাংগোল্ লোইকারগে হায়না প্রেমজরবগী লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন, নোংদ্রেন্ খোম্বনা লোইবী মপাওমেন্‌বু তারবগা তিমেল্ তানিংহল্ চুঙ্‌লোঙ মমাইওন, থাংলেন, মখেরাংববু চৈরংখিএ॥ তুবি থয়াং মথৌমল্ চীঙ্‌লেন্ লৈকিস্থগুম্ পন্থেংববু সোংকিবগী লোইবী সেনপুং মনিল্ নাইবা চোংবী সাং মকং হৌবা তায়োন, তানা তাবগা লোইবী খুল্‌কং ও মক্লা লাইরেল স্না মখোং খাদা থোইনা খুদোল্ কংনা লোইহারৈএ হায়দবরা॥ তুবি থরা মথৌমল চুঙসেল্ মরান্‌হৌগী লাইরেল্ মৈতেংঙু পাওতু থিয়া হেপ্পা ভুবোল্ লময়েং হৌবা সেকৃউপাও খুল্‌লেন্‌লৈদা থোতোংবা খুন্নৌ মপুংয়াই হেম্বা খেল্‌পু থক্তা খোসাবা, নোংচুপ্ ফেনচিরোক্‌পা হুযেল্ সেন্তিং লাম্থোয়াংগা থংতিন্‌থুপ্ চীঙ্‌সাং লান্‌পাও চেন্‌বগা ২ মক্লা চিংনা হুয়েল্ লান্‌পুম্ ৭ মপু ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নোংচুপ্

লৈবা লোক তাই পুন্নমক চোংবগুম লাম্থোক্লগা, চীঙ্‌শাংগী নাপোমশিং ফৈনা শমজিল্লগা কাইরম চীঙশাং, সেননা তিংনা তাবগুম্বদা ঈশিংনা থেক চন্দুনা তুপ্রপ লৈবা খুন্নসৈ থোনবা অতৌবা লময়াং-পাওয়াং কৌবা মমিং চৎপশিংগা থ নবতু লাম্থাব্লগা লৈবা সংনাও কৌবা চীঙগী খুনগী ময়াঈদা লানগী লানখৌ শাখি। সংনাও হাঈনা কৌখিবনি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? চীঙগী শন কোন লোক্তগী খুঙ্গা মচেৎ খাঈরতুনা খুন্দাববু সং হাঈনা কৌই। চাঙমী মপা মচা ওইনবা যেনবী অমগী হেরুগুম্বা মশেনবু নাও হাঈনা কৌই। অতুগী নুমিত্তগী সংনাও হাঈনা কৌখি। মমিং চংলবা সংনাওগী মশীং অথোইবা লাইগুল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মৈতৈগী লোই ওইবা চীঙগী খুনশিংদা কাতুনা লান্দাগম্মু, অতুগা মখোঈনা লোইকারকপগী লম্বীসু থিংগনু হাঈববু য়াদবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজীওলেন নোংদ্রেন খোম্বনা খোইঙাল হাঈবা খোইতুগী মহুম্ চঙবদা থৌনা ফরবা খোইঙাল লাবগুম্না লান্দাতুনা লান্থেংনবদা মখোঈগী খুনগী খুন্দিনফম লৌশিল্লে,

ফেন্‌চিবোক্‌পা হুয়েল্‌ সেন্তিংফাবগী লাইরেল্‌ স্না মচুঙ্‌সেল্‌ চুঙ সেল্‌ মবাল্‌হৌদি অসিন্সুং মতোম্‌দে॥ হাওবৈ পোংপোক্‌ লাইনা পাংবরম অঙৌবা পুইরোম্বা নোংপোক্‌ মানলং হুমওইবনা থৌত্থু নুংলেন্‌ লৈসেম্‌চীঙ খোইমোম্‌ চীঙখোং পুথিবনা তাল্লোই মকম্বী তোল্‌সেন্‌ নুংবান্‌ চন্থু তোয়া লাইসন্‌ চন্থু নুংনাং খোংনাং চন্থু অমদা তাল্লোই নুযিন্‌ববম॥ হেম্‌পা রাবচীং থৌবাল্‌ লাইজ য়িকরম্‌ থুম্‌খোং অলৈববু ঙম্‌লান নাতৈনবা লম্‌পুই মলুংয়াইদা খৌসাবনে॥ লম্‌পুই-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ হেম্বা মনিল্‌ নাইবনা লোইবী চীঙচুম্‌ য়িথোক্‌ফম্বু লম্‌পুই-ও তৌনা কৌএ॥ কাওরেল্‌ সলয়াম্‌ লোই মুকম্‌ সল্‌কুপৈনা খুন্দাববু পুই-ও কৌএ॥ অহুনোংগীবু লম্‌পুই-ও তৌনা কৌএ॥ লম্‌পুই

খেংজাইশিংহুব খোঙনা নেৎলগ য়ানথৎপীবে। লানফমহুদা লানফম মথুৎ য়াঙনা তৌনা ফববা মাংচুংনচিংবা লানফা ৬ খক হাংখি। অথোইবা লাইগুম্লবহুগী লান্দাবগী মবমহুগী মিংথোন্নখি। অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা সংনাও খুনযাঈদা লানখৌ শাবা লানফাং মাংচুং ফাবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মযাই পুববা মৈতৈগী মবুঙো লোইবী খোজাই ঙম্বা, হুযেল মাংচুং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মশেননা, চুঙ পাঈহুনা লান তৌবগী রাফমদি অসিনস্থ লোঈদ্রি। লমগী ময়োন ওইববা পীন্দিদগী খোংশাল্লকপা মরুপ কেপ্তেন ক্রাতুল কৌবা সাহেবনা ঔরাশিংনা মচীন ঙাংবা লেপ্পগী মখা তাবকপা ওইনা খম্ভন /ঔরা (মোন-খামেব?)শিংনা রানাদা অঙৌবা পকপহুগুম উহন্দুনা লৈবিবা নোংপোক মাঈকৈগী থোঙ ঙাকপহুনা হাঈবকই—হে মনিপুব কৌবা পোইশিং লৈপাক্কী নিংথৌ, সৈপাক লৈখুনগী মথক অকোঈবদা ফমহুনা ফম্বাল তোংনবা যোকখৎ-চাওখৎহবনগী য়াই ওইবিবা অতিয়াদা তাওহুনা তন্দূনা লৈবা অথোইবা লাই নুমিৎ কৌবগী মঙালগী অকোঈবা মহুমগুম্বগী মনুংদগী কুমথবকপা নিংথৌ শাগৈগী য়োকপী-চানবী হৈববা, নোংদোন্দগী তাবক্‌পা অথোইবা লীক্লাইনা ময়োম ময়োম পানবগুম

মপুংয়াইদা মদাইবেম লোইবী হাপথোবা পতোং যিনকাপলোই কম্প লল্লোই মপুংফাবকু য়াম্না নোংমল্ ৱাগী লাইবল মৈতেংঙদি তুবি খোইন ওং লাইরেল নুংঙ্ব সাগনা য়ারেল খোংলৈ চীক সাযেং পাম্বাম্ তিং তুবি থাংসা মতমপালকুম পোইবৈ হৌচাহৌ তাযিম লাইচা তেল্ মদাইবেম চীঙ্খোং পুয়োক্লোই লাইবেল পুবললোইবু ঙাই.বাইনবা সেক্পাও খু য়াই থাই লম্পুই মপুংযাইদা চুঙ্মেপ ঙং চোং কাওবেল লমথাং ১০ লান্, খংনং লাইংং লেংনা লোইবী মবোন, লোনুকা খুম মবল লানকা তাক্সাইবু মৈতাল পাক চৎলম্ ফানগাং থুম হুয়েল যাইসি খংনা পন্থেংখবদি লম্পুই যাকা চাইবে, সেকপাও যিম্চংয়াল্লে হুয়েল লান্নিবিদি লমপুই মনিংথৌ যৌএং লান.থৌবাংগা মুল্ন লান-চিবগা ২ মানাচিংনা হুয়েল্ লালনাম ৫ ন ফংলৈএ॥ অঙনোংগীন

ফজবা সনাগী সেকমীন খান্দুনা তোংংলবা নিংথৌ ও, অদোমগী মকপ ঐখোয়গী নিংথৌ ঈংগ্রেজ নিংথৌদেন মনাই বঙ্গদেশতগী লাকপা নারান্দনা মথালকবা তপাইবা কবাকম্বা কাংলুপকী তুবেং চাবু তবাবু, চীঙগী মবমদা হাইনা পন্না পাহিন, মনিংচৎলবা সেকউপাও কৌবনা যাম্না হাওবপীবে। চীঙগী—মবৈপাক বাইচুন চঙমী-কিংতুগী মরমত্তু শক্তাক্রিবা ফাওবা লান্থে নবিযু হাইনা লান লেল্লকপদগী অথোইবা লাইগী মঙিক চেল্লবা মৈতৈগী মনুংঙানা চাঙমাশিংতুগী মখুন্দা লম্ব থাহুনা বঙ্গদেশ সচাশিংবু য়েক্শীওদা থাগত্ত (মখোসবু ওং নৈগত্ত) হাঙ্গীনা হাঙ্গীহল্লুববু চীঙতুগী নিংথৌ হৈগীমখিংনা মগিং থোনবা সেকউপাও চীঙশাংগী ৱায়েল-থৌদাবহুনা—মৈতৈগী নিংথৌ সনাগী হুইচগী হেন্না ফজবা চোঙগুম্বা ও, ঈঙ্গ্রেজশিংগা তাথীনা-য়েংথীনবাসদা খাম্বিরক্নু। পোইশিংগী লৈপাক্তা পানবা মৈতৈগী নিংথৌ নওস্থু চাঙমী ঐখোঈগী চীঙনী কাবা ঙল্লোঈ. ঐখোঙ্গী ইথুল চীঙথক্তা খুন্দারিবসি যৌবা ঙম্লোই—হাঙ্গীনা চাওথোক্না রা হাঙ্গীরক্লবদা অথোইবা লাইগী মহী-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীঙলেন নোংড্রেন খোম্বদি শাওনীংবনা খোঙ্গীশাওনা নিংথৌগী পাম্বোম তিংত্তুনা মৈতৈগী পুঙ্গা পুম্নক

লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা মদাইবেম্ খুদোং-থিন্কাপ্লোই কংপু লাল্লোই মপুং ফাববু লোইবী মপুংয়াইদা নোংমল শ্বাগীব য়িমু মমৈথক্ লমথক্তা যিঙৌ মমৈ বংলম্ কংদনা হুয়েল্ লন্সিং তানবা লম্পুই য়িমচং যানবা সোক্পাও মচীঙসাংদা খৌসাবা হুয়েল্ যৌত্রেং ফাবা ও ভৌনা বৌএ॥ লাইবেল মৈতেংঙু লমপুই যিমাং যানবা হুয়েল য়ৌত্রেং ফাবগী লাইবেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙসেল্ মরান-হৌদি অত্তসুং মতোমদে॥ নোংনেম্ লাইনা পাবরম্ লাংতং খুলযাই খাই সাংদাই কালনা চোংনা পাওযিমুচি থুম্থোক্ লম্বু ঙম্লোন্ নাইতেনন। হু ক্রি হুংহং মবেপুংদা খৌসাবনে॥ হুংক্রি-ও ফৌবদি কদৌনোগীনো লোইবা মীকৌনা হেম্বা তেংথাননা হুংপী সিদবা হুংনাং নাদববু হুংকাও ও

থৌ নাইজা পুম্নক তিন্দনা শেম শাবগা মনাই খুদোং/ বাইফল কপ্পা লাম্মীশিগা লোইননা। নোংচুপ খাবোমগী মাঙ্গৈকেদা বরাক ংবগী তোবৈ থেকচিনববু নাম্বোক্তুনা হুবেল খোংগা লোননা লৈবিবা শবোন লম্পাক অপাকপগী পাওতু পালেন চোংবহুম লাম্বোব্রগা নাইতেন খোগী ঈশিং মপান নক্লা চহুনা ংবোন চীঙশাং শন্নগা সেকউপাও চংগী হনা নান্দানা শনমাঈদা লান খৌশখি। সেকউপাও হাঙ্গনা কৌথংদি কনি তৌখিবা হুনিস্তুগীনো নমিং চৎলবা চীঙমীশি হুনা হৈনক হাঙ্গনা ক্লৌই। শেগী মউ শতুনা রাংহুনা হৈহু রাংনা পাম্লবদি পাও হ চনা কৌই। অতুগী হুমিদগী সেকউপাও হাঙ্গনা বেখি। হৈজ। পোবা হৈক পেব্রকপা পাল্লবপা সেবউপাও বৌবা চীঙমী খুলদুদে। অথেইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংগোনা চীঙমাঙ্গী মবোল হুবহুম পৌরেম পাঙ্গীনা মখোক লাইহুনা (মেতন শোঙ্গবতুনা) তুবগুম, য়াংচল বৌবা পাংগীনা মনানা ফাচিনবহু নীক্তুনা মনা মহৈ কেনহনবগু-কেনহন্নব। চঙগী নবেপ ৬০ চোখওুন। শনগী মযাঙলেনগী অশাংবা ১০লান্ন। চেহুন থুমন্দনা লৈতঙ্গাই যাংনা খন তনা লেংবগা লোঈনন। তিংখংগী পজাও য়াম্বওুনা পন তাঈননবা যুংনিবা কুবাউগী উচুক ফুক্তোক

কৌএ। তেক্পী সাপৈ য়েংকাইরৈ য়েল্হিং থানা খুম্থিডৈ লোইবী মনিংথৌনা মুংকাও লাইমরুবু হেম্বা কোনেক্মৈদা করিনো হায়না পাও-হংঙম্এ॥ অতুনোংগীবু মুংক্রি-ও তৌনা কৌএ॥ মুংহৎ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লোইবী মনিল্ নাইবনা কাইরৈ ময়েন্চাবু হৎ-ও কৌএ।। হৎ ময়েনচাবু লোইবী মমাইবা হেম্বা কোনোক্ মাইন। মুংকাও লাইমরুগী খোইমোম্ ম্না মখোঙ্ খাদা কাইরৈ হুয়েল্ মিংথানা খুল্তাইএ হায়বগী ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা মুংহৎ-ও কৌববু পোইরৈ তাক্-থিবনা মুংহারা-ও তৌনা কৌএ।। মুংক্রি মুংহারা মনিল্ নাইববু লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংলেন্ নোংন্রেন্ খোম্বনা মদাইরেম্ লোইবী মরম্বু হেম্বা মথোংবুদা লাইরেল্ ঐগী তানথোং থোংখুম্বী চরৈ ফিপাল্লোইবু রাং-কোল্ লোই কারক্-ও হায়না থৌসিখিববু, লোইবী চুপ্পু থোই হেম্বা লাইপু রাংনা লোইথাদবা রাগী মৈতেংঙ্ মদাইবেম্ লোইবী য়িথম্বু-ও হেম্বা য়িচীঙলেন্বু কারক্পদি ১০ চাপ্পক্ লাম্লিঙৈনে চফু ংল্লাংসৌদবি য়িন্নল্খোই তৌওৎতরি. পান্পী স্নুংতাইমাবু ফুৎচখি-ও রাংলৈ যুখৌলাং-লিঙৈনে॥ লুথুপ্ পান্কোইদা খানৌ য়োইহন্দবিএ।। কৌবা .ল ক্যি থক্চখি-ও য়াংলৈ তাওবা হুইচা পোক্তরিএ, সবি কংগা থাংখ-ও।।

শক্কোক্তুনা চীঙমীশিংগী ময়ুম পুম্বা থুংনা শাই খুদীংদা অচাকপা মৈতান পকহনত্নুা মৈ থারগা লাম্মী মশাঙ খঙদনা শিহন্দুনা লান থেংনরবদা খুনৌ খুন্দিনফমশঙ লৌশিল্লে। চীঙশাংত্নুদগী মৈ নাই ফাত্নুনা ওৎ নৈরে। লানফমত্নুদা মখোঈগী লুচিংবা সোলমাংগা মাগা লোঈনবা থৌনা ফরবা সোংফেনগা অনিমরুচিংবা লানফা ৪০ মকপু হাংখি। অত্নুগী মুমিত্নুদগী অথোইবা লাইগুম্রবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীংলেন নোংন্রেন খোম্বা, চীঙনুংদা শাংপা শয়োম শয়োম পান্দু শাংপা লৈগুম্বগী শাখিরবা লান্দাবগী লানওং, অতিয়াদগী লেন হৈথরকপগুম্বসিবু কীজরবগী মমিং লৈরবা সেকউপাও খুল্লেনগী চীঙমীশিং অথোইবা লাইগুম্বত্নুগী মখোঙদা অথোইবা খুদোল নীঙথীনা কৎচত্নুনা—ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্বা ঐখোঈগী

তান্থোং খোংখুম্ফি চক্ফি লাইফিরোইব লোইথোগে লাক্পরা সংতিং ফিখোই লেন্দ্রিএ, পামেল্ রকু খোক্খি-ও ।। কাইবৈ য়েন্পান্ লোইবু থোগে লাক্পরা, কাইবৈ য়েল্চা কোত্রিংঘ, রাবা পোন্দাইরক্খি ও ।। লোইবী য়িপাবোল্ হেন্বা যিপারোন্দসুং রা কোল্ লোইকারক্কে॥ মৈতেংঙু মদাইরেম্ লোইবী যিবমবু-দ লাইরেল্ লৈতেংঙু নাওজিংলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বদি তেক্পী ওক্তান্ য়াংগুম্বনে লোইবা য়িচীঙ্লেন্বু কাঙম্লোই, কাইবৈ যেন্তাল্ য়াংগুম্বনে হেন্বা য়িপংমবু ওনঙম্লোইএ হায়না থৌত্ নুংপোল্ সানা পীখৎ ক্লবগী তুবি থিংকু মখি নই লাইরেল্ মৈবু ওৎনা খনং লাইতং লেনা পন্থে থবদি ম্ভ বিযাকা চাইবে নুংহারা রাইহুন্নরে, লোইবা পাম্তাঙ্গবে ॥ হুযেল লনুনিকিদ নুংবি লম্কেৎপা লৈতা লাম্থোয়াংগা নুংহাবা লান্চিংবা চৈফে লান্মিংনাইগা ২ মানাচিংনা হুয়েল্

লাইবক লোদম তম্বোরিবা নোংমদোলগী নিথৌগুম্বা, যিলগী যিখান-বগুম নোংগ নোংশা ডাকপীবিবা ও চাউনা এখোঙ্গী ইবৈবাক ইয়ুম তুম্না লান্দাবীবগন্থ যিবা চাম। অংসুং খোইকগী অচৌবা কোক-থোংগী লোই মৈতৈ নিংথৌকেল ওইনা হাজবগে হাঙ্গনা থুকমজরবদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মখুংঙো নাওজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বনা চাংমীশিংতুনা হাঙ্গজবত্থ তাবগা তাগী তানঙ হন্দুনা চুঙগী মমাঙ্গ ওন্থোক, থাঙনা মখেলানা য়ান্থবম্বত্থ লেপপীখিযে। ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা অয়াংবা থাবাক্কী অমসুং মপান্থোম পাঙ্গলনা চাঙজাওগী লৈপাক্লা কীম্বগুম লান্দাবগী মতৌব কাজবদগী মনিং চৎলবা চাঁওগী খুল সেনবুং, মরাই লোংনা পাল্লম্বা চোংবীমাঙ খুন অমসুং মাশিং য়াম্লবা তফেন খুনগা থুঙ্গং ওমক ওখোইবা লাইগুম্বা নিংথৌসিগী মখোঙ খুয়াদা চেকাশিন্না মমল য়াম্লবা খুদোল কত্নুনা লোই হাবৈ হাঙ্গয়ে। ঈশিংগী লাই ওইববা মহাক্কী অয়াঙবা থানা মথৌ পাংথোকপত্থগী মমল ওইনা, চুঙ শেন্নতুনা লানহৌরকপা অত্থগী অথোইবা লাইগী মতৌক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো পাওতু ঈশিং মপন্দা চৎপা,

লান্‌পুম্ ১৫ মারু কাইনাহুল্লে ॥ লাইবেল্ থয়াং মথৌমল্ চংসেন মরাল্ হৌগী মিংথোংখিএ ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু লোইবী নুংহৎ ঙম্বা হুয়েল্ চিফৈ ফাবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী নুংহৎ ঙম্বা হুয়েল্ চিফৈ ফাবগী লাইবেল্ সনা মচুঙ সেল্ চুঙ্‌সেল্ মবাল্‌ওন্দি অহুম্ভুং মতোম্‌দে ॥ হাওরে লাইশা পাংবরম্ হেম্বা রাপচীঙ্ লাখাই থাম্ভোংচীঙ তুবি চীবোং হাইনাইবা মবাইফম পৌবাল্ তৌবৈথেক্‌পু কাম্না চোং লম্‌লেন্ লৌতৈ চীঙ্‌নুংসি থারাই লম্পাক্‌পু নাতৈননা ভাংখল্ কাওসো মনিংথৌনা নুংসাং লোইথোবম্ খোংনাং ক্লোইহারম্বু নাতৈননা লোইবা লৌহুংতুং হুংতুং সাফম্ খুল্ ম কোবদি কদোনোংগীনে ॥ লাহাল্‌নোং লাইরেল্ ভাংভোই যোইনম পদা খোইমেনা লাইখিথৌ কাংকু রিম্‌লেন্ নুংগী সমলাং ফায়েংনবনা ম ঙবে সাদি ১০০ খুনা পীরমঙে, লারেল্

ভুবোলগী লম য়োনা লম শংলাকপা. মকউপাও খুংলেনদা লানগী থৌনা হাপকৎপীবা. খাহৌ হুনগী থেন পুংথক্তা লানগী লানখৌ শাবা, নোংচুপলোমগী ফেনচি লৌশিং বা থোনা কববা চেঙ্গিগী চ ঙশং থুংনা লানগী পাও চেনবা খংতিনখুপক ২ নচিংবা লানফা ৭ খক ফাবা হাঙ্গনা কৌনখি। অথোইবা লাইগী মঙণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংভো নোংচুপ-লোমগী ফেনচি লোকপা লানফা সেঙ্গিং ফাবগী চুঙ শেনবগী মশেন্না চুঙ লোঙ্গনচুনা শোরুখিবা লান্দি লৈনিনম্ব লোনজ্রি। নোংপোক-অরাং মাঙ্গকৈ পাংবরোমদা অতোমগী পুবৈবোম্বা নোংপোক্লোমগী নুংশিংনা মগুন ওইনবা (কাইনো চিঙশোম্বা) না নৈতোই হুঙশিংনা লৈশেম্লম্বা চাও, পা-পী ওইবা ঙম্বা লাইগী হেক ঙমখং ওইবা পুখিবনা তোনসেনগী হুচফাগী মচা নিংভোল, তোরা (অতোম) লাইশনগী মচা নিংভোল অমসুং হুঙনাংগী থোংনাগী মচা নিংভোল ওইবী তাল্লোই অহুম্মক্তা য়াওং ইনবা মফম পৌবাল তুবেনগী অরুবা ঙশিংনা চেনবা রাবচীঙ্ কৌবাদা লৈবা অথোইব থুমখোংগী হেক লোম্নবচ লাম্ভোৱগা লৈবা লম্বুই কৌবা খুনগী খুনয়াঙ্গদা লানখৌ শাহুনা লান্দাখিবনি। লমবুই হাঙ্গনা

সারেম্ খাক্‌পু লৌজবৌএ অহুনোংগীদ লৌহুংতুং হুংতুং সায়াম্ থুল্‌-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজংলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বনা য়িদাইরেম্ লোইবী চীঙসাংথনবা ও লাংকোই কোন্‌লোইফম্ সমুপন্‌চন্ সাংবু তোক্‌ম্ লৈতম্‌ম্‌মল্ কাচৈ যেংহক্ চন্না সোংতৌরম্‌-ও হায়না কাওংল্ সন্ লিখিঙৈ ংক্‌সল্ মবৈপুংদা কাওরেল্ অহুনোংগীবু মদাইরেম্ লোইনৌ লৌহুংতুং হুংতুং মনিল্ নাইবনা পাওমেল্‌খিএ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু চৈরে ফিয়িল্ খানগুম্বগী লাইরেন স্না হাক্‌থং লোইনে মচী সাকোক্ মাবু পীবিবদ্‌-ও হায়বব পিদবা রাগী লোইবী য়িপারোন্ হেম্বা যিপুবোন্দমুং লাংকোই সোং তৌরক্তে লাইবেল্ স্না নাখো খাদা হেম্বা লোইক্না পোংপু রাংবে লালোই কাঙ্‌লবোই নলোই লোইবীলেন্ তুবি

কৌখিবদি কবি তৌখিবা নুমিত্তগীনো। মমিং চংলবা চীঙমীশিংনা চাঙগী চীঙজম ওইবা হশিংনা থোক্লকপা মফমবু লম্বুই হাঈনা কৌই। শল ময়াম লোইডুনা, শনগী শনকু, শনযাম পৈতুনা খুন্দাববু পুই হাঈনা কৌই, অতুগী লমবুই হাঈনা কৌখি। লমবুই কৌবা খুনসিদা লৈপাক নিংগৈগীদমক হাওগী মদা লৈহনবা নোংমে খুদোং/রাইফল পাঈবা নিফাই কম্পনী মপুও ফবগী নিফাই লান্না য়াম্না শিখিবা (হাংখিবা) গী অথোইবা লাইগী মহৎ চেল্লবা মৈতৈগী মবুঙোনা খোইদৌ খোঈওং-নবনা খোইজী ওংযা শাওংহন্দুনা, যা ক্রক ক্রক চিক্তুনা, পাম্বোম গ্রি গ্রি তিংতুনা থাঙনা মশা পানবা অতুগুম মৈতৈ লৈপাক্কী খুঙ্গা-নাইজা পুন্না তিমতুনা হৌবগা, লাইগী ঙম্‌থং ওইরবা নিংথৌগী মপু কনব, মপু য়োকপা অথৌব নিংথৌগী ঙাক শেনবশিংগা লোঈনতুনা সোকপাওগী খুনয়াঈ ফাওতুনা চংলগা লম্বুই খুনগী খুনয়াঈদা চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখং, শনগী ময়াঙলেনগী অশাবা ১০ লান্না চোংতুনা থুমনবনা খংনত্তা ফাওবা লৈমাক লৈতংগাইদা লেংবগা লোঈননা চৈংমীশিংতুনা মথুন শারিবা মফমদু ফাওবা চঙতুনা মযুম-মকৈ তাক-হন্দুনা যুমগী শাইজিন্দা ফাওবা অচাকপা মৈতান পকহন্দুনা মৈ থারগা

মাইয়ে'ক্ থৌচাল্লোই ওন্ফ্রুল্ মনিল্ নাইববু লাংকোই সোংতৌহল্লো হায়না রাকল্লবগী লাইরেল্ মৈতেংঙু চীঙ্খল নোংলোন্ পাইগুম্বনা লাইরেল্ য়িপা মৈতেংঙু থমকোল্ নোংলৈ কাওগুম্বগী তিমেল্ ময়িল্লম্ থাংলেন্ ময়ান্থাক্ তুবি ময়োইরেন্নে রাংকোল্ লোইকারক্-ও হায়ববু কাদরাগী লাইরেল্ মৈতেংঙুনা মালং মথিনাইগুম্ পন্থেংথবদি হুংতুং য়াকা চাইরে, সায়াম্ নেৎচৎ য়াল্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী হুংতুং মনিংথৌ লেংতা লান্থোয়াংগা হুইরেং চীঙ্সাং লান্হৌবগা মকল্লেং অথৌবগা ও মানা চিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ৩০০ মাবু কাওরেল সন্কু হোইগুম থোম্লক্এ॥ অদুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী হুংতুং ঙম্বা, হুংতুং সায়াম্ মরৈপুংদা খোসাবা হুয়েল লেংতাফাবা-ও তৌনা

মখোইগী খুনগী রায়েল থৌদাফমদা থাবিবা ফানশাংশিং য়ানথাইদুনা মখোইগী লাম্মী পুন্নমক মথরাই লৌদুনা লান থে নরবদা লম্বইগী খুনঙাকশঙ্ লৌশিল্লে, সেকপাওগী যুমথোঙ খুদিং চঙ-চঙদুনা য়ানথুবে। লানকমসিদা লান্দা য়াঙনা থৌনা যববা লম্বুই খুনগী নিংথৌ য়োত্রেংগা খুনবু লানজীংলিবদুগা ২ নচিংবা লানফা ৫ খক ফাখি। অদুগী নুমিৎতুদগী অথোইবা লাইগুন্নবা মৈতৈগী মবংঙো নওজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা মনাই নোংমৈ খুদোং পাঈবা কম্পানী অমা ফাবা লান্মী তেঙ্গোল মপুঙ ফাববু চীঙমাশিংগী নরমদা হাংখিবগী লান্দা হাংখিবগী থোকলকপা ঈ খক্রিদৈ, তারকপা ঈ কবা ফাওবা কংদ্রিদৈদা লান্দাদুনা লমন খুম্বা, লমবুই য়ুমথোঙ খুদং চঙ-চঙদুন য়াম্নবা, সোকপাও চীঙশাংদা লানথৌ শাবা য়োত্রেং লানফা ৎইনবা হাঈনা কৌনখি। অথোইবা লাইগুন্নবা মৈতৈগী মবংঙো লম্বুই যুমচঙ য়ানবা হুয়েল য়োত্রেং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না চুঙ, পাঈদুনা লান শোক্নবগী মশোক্নদি মদুনদু লোইবা নত্রি। মোংনা নেযববা লাইনা লৈবা মাঈকৈ অরাং লোমদা লাংতং খুনগী খুনয়াঈ থাঈদুনা শরোইখুন লাংথোক-কাম্থোক্লনা চৎলগা পাওয়িমচী হাঈবা থুম থোকপা লমগা হেক লোন্না-তাইনদুনা লৈরিবা

কৌএ॥ লাইরেল মৈতংঙ, পোইবী হুতুং ঙম্বা হুয়েল লেংতাফাবগী লাইবেল্ স্না মচুঙ সেল্ চুঙ্‌সেল্ মবালহৌদি অসিস্তুং মতোম্‌দে॥ নোংনেম্ লাইনা পাংবম অবাং বৌবা চীঙলুকোন্ চীঙন্‌েন যাইমক ময়াই স্থমেক চিঙদা লানচু হাংবানবম চন্নু নিন্না মন্নুংনা হৈখি উল্‌না বাচি উল্লি উল্লা চাঙ্‌গোনপোক, অমম নৈসাবোক্ মালে লৈসেম্ নানখাম্ খব উল্লন চঙ্ খোংমোম ঙা কুমচেনবন কুম্‌চেন্‌রাই সোংনক্ অসেংদি লিংলৈচীঙ, চীঙ্‌লাই তুমানা তুবি চিনাই যানাই চীঙ্‌লাই উবিকি সনাইনা তুবি মাক্ যবানা মালং অযাংবা খংকোন্ অহুম্বু থৌখি যম চেংচা লুংঙৌ লুকক্‌চীঙ্ চামল্লাক্‌পা নিমনাক তুবি কাবৌ নোংমাবা লোল্লা পাখ বনা যাংকোইব। চৌমৈ মৈংপুংদি হাইরেল্

— — — — — — — — — — —

গুঙ এ হুঙহং বৌবা পানগী খুনযাইদা যান খী খোশাখি গুঙক্রি হাযনা কৌখিবদি কবি লৌখিবা ন্নিঙগীনা চাঙমী ফি গী নবেন্দা হাংবশিংনা হাইনবদ শিব নান লেবে মাচাব অং। গুঙ ঙা গুঙকাদে হাইনা বৌই। ওকী মনৈ বেহুন যোন যেনহি থাহুনা খন্দব যবা মযম বকপদা চী গী নহৌম খকবা লইওইববা ন্নুঙজ বু চঙ্‌মীগী কে নকমৈ কপ। মীশিনা কাবানা হইহুনা হংম্মী। অহুগী নমিকুদগী ন্নুঙচিং হানা খী। গুঙহং হইনা একবদি কবি লৌখিনা ন্নুনিঙগীনে নমিং চংবা চঙম শিংজন মখোনগী লোইবিবা যেনবু হং হাইনা এই চীঙনা নখাংগী ইনা হাঙবা বোংকমাইনা হং কৌজবা মখাইগী যেন্দু অকন হাই হইববা ন্নুংজাওহুগী লাইগী ওইবা মখোঙখ হুদা যেন্দু লা না বংগো থদোক্লুনা খুন তাবা হৌখি হাইবগী নমি থলবা চীঙ শিজনা ন্নুংশং হইনা বৌবন্নু লৈংলোনগী নাচৈ চাব থিবশি না গুঙন হইনা হৌখি নশিং ফাওবা গুঙক্রি গুঙহ বন খোইনা লাইংগা লৈচৈগী নবুচো ন ওজীংলেন নোংজ্রেন খোম্বনা লম অদোমগী থক পুবা নামবু মইকৈ অদোম্ন যেংবশিংদা নিংথৌম গী তাম্ত্রাং খোঙজুম ফ কৌবা ফিবু লোইপোং ওইনা পীম্ম্বা

যিপা মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্লেন্ নোংড্রেন খোম্বনা চুঙ্লোং মপান্কুম্ খিবে তাচিন্ কাইনা লোইবী মপুং থাক্না হেম্বা মাখৈ ফনা লাইবেল্ খোংকাত মনিল্ খোঙ্গী হেম্বা লোইকাবম্বু কবিগী রাংবোল্ লোইকা তম্লক্লো হাথনা লাইবেল্ মৈতেংঙ্ মবাং চাকুরই থৌগম্বনা কবো চীঙ চৈকাপ্কুম পম্হেং বদি ঙাকৈ থাকা চাইবে, লোইবী মপু তাক্ মবোন্ লোনুক। থুম্ হুংযল্ থাইসিং মুৎপা পনথেংল কাওবেল্ সন্যাম্ খোম্লে অচৌনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙ্ চেকইবা। ঙামৈ ঙম্বা কাওবেল্ সন্যাম্ খোম্ব ও চেৌন কৌএ॥ লাইবেল মৈতেংঙ লোইবী ঙামৈ ঙম্বা কাওবেল্ সন্যাম্ খোম্বগী লাইবেল সনা মচুঙসেন চুঙ্সেল্ মবাল্ ওন্দি অচুম্নুং মতোম্দে। শাওবৈ নোংচুপ্ লাইনা পাংবম্ লাংবা মচীঙ্সাং মাংই লাল্নোইবম, যিবাং ক মাচোং লোইগী মচঙ্ বানা তাপোন মপুংযাইদা খৌসাবান॥ তাপোন ও বৌব দ কংদোংনা নীংনা।

ফিবু নিংথৌকোনগী লোই কাবকলো হ না যাং, পীচুনা থাবকপবু চীঙমীশিংচুন নাপন কাখৎনা মবাই চে খৎনা যাবক্তবা বাংদই মৈতৈগী মবুংঙাগী অংথাইবা মনাই চীঙগী মসম পুবাও, চেচম। ঐখোংগী অবাং চিঙগি কাবকানি চাক লাম্নমগি অচুবু চাক চাযু চৌদ্রি, ইরালগী য়েনশ, ওদ্রি পন মশং অমা যুৎকংচে ওয়া খৌবাং-লম্নগনি অচা যুচুগী মাক্ত কুপ্পুনা শুনব পানগী পানখাকা চেক্রি থাক্লা হপ্পবা খানৌ পাম্বী হন্দুনা ফুর্লাদ্র চাঙ লোদী শিংসি থকচৌ ওয়া য়াম্না নৈবা পা, হৎগী মচা পেত্তি শ থিক থাচুনা পুজখো ও মৈতৈনা তাংম্বে খোচংমফি কৌবা চবফি ন খিগী লোই থৌবা লাক্লিব্রা যিযোংদা শাংনা শিংলিবা থি কনি, উগী উক্ খে এগ পুজখো। যুমগী শগাই, কাইদা লৌবা য়েনগী লোই চৌগ লাক্লিবা, য়েন মকম কোক্রিযে, বাবা হাঙবা লমযেন্দু পোনা শতাইবদা হাপ্পুনা পুজখো। চীঙমী ইপা হক্তক্লম্ব, হাওবা ইপু হান্ক্রুম্ব মৈতৈ নিংথৌকোনগী লোই কাবক্তে। মৈতৈগী মবুংঙাগী মনাই ঐখোংগী চীঙসিগী লম পুবাও

খোইনৌ লুংবান্ চন্থু ম[illegible]ঙমানা অরাং কোবৌ নোঙ্গাউদা কোরৌ চীঙ্বাং-[illegible], রংপল্ লো[illegible]াং-য়িনা চোংলবগী মতু [illegible]রাং পে[illegible]ল্লে॥ অচুনোংগীবু তুনোন্ ও কৌনবু মগ্নিম লোইবা মনিল্ ন[illegible]ইবনা [illegible]পোন্ -ও [illegible]ৌনা কৌএ। তা[illegible]পান্ মপুংয়াই[illegible] লাইবেন্ মৈ[illegible]ংঙ[illegible]না য়িস্লোই চীঙ[illegible]খো যা[illegible]োই থুল্লেন্ যেক্ক চন্[illegible]না কপুই [illegible]ৌ ক[illegible]ইফরোই হায়না পা[illegible]মেন্না [illegible]যাদবা রাগীবু [illegible]ইবেল্ [illegible]ঙুদি তুবি তকনৌ সিঙং সোল্ লাইবেন্ [illegible] পা[illegible] [illegible]ং [illegible] খোংথৈ চিক্না পোইবৈ খুঞ্জা হুপ [illegible]যিম্ নাইচা [illegible]ন্না চু[illegible]প্ ৬০ চোং ব[illegible]বল্ [illegible]খাং [illegible] লান্ খংনং লাইংং লেংনা পন্থেং[illegible]দি [illegible]পোন্ য়াক[illegible] [illegible]ইবে বপুই নেংচং [illegible]ল্লে লোইবা র[illegible]ন্নবে॥ ভয়েল [illegible]ম্নিবিদি তাপো[illegible]ন্ মাঈমাবী চিন্কি খ[illegible]রু[illegible] [illegible]ইদি [illegible]ইং[illegible]ব গ [illegible] য়ং [illegible] লান্পু[illegible] ৪ মাবু কাইনা

অ[illegible]থ[illegible]ইব[illegible] [illegible]াইহল্লবা [illegible]গী মবু ঙো [illegible]ঙৌঙলেন নোংদ্রেন খোম্বদি শঙ্গল্তগী [illegible]নাংথ[illegible]কপীরবা অশোনবা/অযাবা ঙকুম্বনি চাঙমা ঐখোঙ্গগী চীঙ্[illegible]কাবা ঙনুজা[illegible] [illegible]থোকপীররবা অশোনবা [illegible]ঙুম্বনি হাওবা এখোয়গা পুডঙুম [illegible]নগংপা মথকসিদা য়োজবা ঙস্লোই হাইদুনা নুঙপোন্দা হান্দুনা হ[illegible]পুনা [illegible]রল্লবদা ঈ[illegible] ম[illegible] লাইগুম্বদুগী পুরিক্ত খোঙ্গ-শা[illegible]বা মকা [illegible] [illegible] [illegible]ইর[illegible] [illegible] হাইবগুম লেং[illegible]ঙুনা থুমনবনা খংনং তানা লৈ[illegible] [illegible] [illegible]হুনা ল[illegible]নম্ববদা নুঙ[illegible]গী [illegible]ডাক-[illegible]নঙাক [illegible] থুগাঙ্গবে, [illegible]ঙং[illegible]ব পাঙ্গহুনা [illegible]খ[illegible]ইবগুম চাঙ্গখাঙ্গবে, চিঙমী[illegible] মখোন্দগী পামনৌ [illegible]বা [illegible]নবে। [illegible]নযসিদা নুঙবীগী হেন্দোক [illegible]ইদোল্লবা, [illegible]নকমদা য়াঙনা [illegible]নাযবা [illegible]গা নুঙ[illegible]বগী [illegible]মদা মমিং চংলক্লবা নুচিংবা চীকৈগা অনি[illegible]নি[illegible] লানফা ৫ [illegible] [illegible]ংশি। অথোইবা লাইগুম্বসিগী [illegible]পাঙ্গল ম[illegible]না [illegible]মথুং চুপ্ত পাঙ্গহনা [illegible] [illegible]-[illegible]না [illegible]বসিগী [illegible]নথি। [illegible]টবা লাইগী মঙা-ময়াই পুবা মৈতৈগী মবুংঙো চাঙমাপুন [illegible]ঙং ওবা [illegible]নকা টিবৈ [illegible] হাংনা কৌথি। অথোইবা [illegible]ইফল্লা। নৈতৈগী মবুংঙো নুঙহং চিঙমা[illegible] [illegible] [illegible]কে [illegible]নফা

হুল্লে ॥ অহনোংগীব লাইবেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংলেন্ নোংড্রেন্ খোম্বা ও কৌবদি কদৌনোংগীনা ॥ মুবা কাবে মেল্কোই তোলে ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙ্ লোইবী পোন চম্বা সাবোল. লান্দাই থৌবা ৱাংকোল্ লোইবায়াংবা-ও তৌনা কেএ ॥ লাইবেল মৈতেংঙ্ লোইবী ও পোন ঙম্বা ৱাংকোন লোইকা য়াংবগী লাইবেল্ মন মচুঙ মেল্ চুংমেল মবাল্ভন্দি অহম্ম মতৌমদে। হান্দৈ নোংচপ খানা পাবেব. খো চোল্ চীঙ্সাং ফৈনাতুনা, হেম্ব খোগোল্ নম্মা চেং ৎমোল্ মচীঙ সাংগী মোল্কৈ হেন্পুং চাপাল্ চিখাক্ থল্লেনৈব নাতৈনন মেল্তুং পোন মুংমোং মসাইকোনবু ঙমলো। নথৈনা লোইবী চাংমেল তো মাং মপুং য়াইদা খোসাবনে ॥ চাংসন ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। লোইবী ৱাহায়না হেম্ব। মীকোনবা লোইবা তোংমা মনিংথৌগী থা যি ফৌবাইরে লোইমোম্ ফৌবাংমৈবু থাংদ্রি চিংপুংসা হাপ্চা বৈবেল্ থনবব চাংও কৌএ ॥ হেম্ব কৈখো থা লেইবী গৌন্দাং ক ৎবল্ মন্দা লাই বাংবা

ওইনা ফাবগী চঙ পাঙবগী খুৎপাই, চচঙলেন্নদনা পোন ওইন থাবকপসিদি অহনমু লোইদ্রি। লাইনা লেবা মাংকৈ অর পাংব বামদা ৱাবচীঙ লাখাঈ কান্দোংচীঙ্ কৌবা ঈঙ্গিংগী অথোইবা লাই ওইবা চীবাঙ হাইনাইবগী মকোন মৈবা মকম, থৌবান তুবেননা থেকচিনবা তোবৈবু কান্থোতুনা চোংবঙম লাম্থোক্লগা, লৌচৈ চীঙথুংশি পৌবা থাঙয়াই মৈয়াৎকী পীরবা লম্পাকপু কৌচিথোক্লগা চঠনা তা খুন কাওমৌশিগী নিংথৌনা মুঙশাং গোই থৌবম্বা মকম, ময়া শিনা লোই হাবম্বা নমেব লাম্থোক্লগা মৈনা চীঙমী নাং লোইনা লৌঙতুং লৃতুং সাযামখুল হাঙনা কৌথিবাদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো। মথাঈ থাঙনা মমাঙঙেদা অথোই লাই ওইববা ঙাঙোই মৈযাৎকী য়োইমোংবদা পাম্পীগী ময়াই চেনবা, সাইগী নিংথৌ ওবা, কাংলগী মুঙনা শাবা যুমজাওদা মৈবা মশম ভগা তাহনা হেক্তমক পংহেঙা মশম য়েৎশিনবা লাইনা শা মশীঙ ১০০ শুনা পীরবা মতমদা শাহু চাবগী অবেম্বা খাকপ কৌজহোই হাঙহনা

মখা নিংথৌবা সনৱু সনুবী মনসানু লোইন কাওবেল, সনয়াম পৈববুদি লেপ্-ও কৌএ ॥ অহু নংগী। চংলে-এ হোন্নেএ ॥ ঙেল্লেতে-ও কৌবদি কদৌনো গীনো ॥ মেলুতেলিমিংখা মেনতোং হুংকাইচীঙগী মরাল্ থুন্ হোনক্এ ॥ অহুনংগীব মথিম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা ঙেল্লে ও লৌনা কৌএ ॥ ঙেল্লে মনিংথৌ তোমাং চাংসেল্ বাঙলবা লাইবেল, মৈ···ঙনা লোইবী মপু কাই, যিরোই য়েক্না চলনা।

লৌহুংতুং হুংতুং শাযান থুনা হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মতীক চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজোঙকেন্ নোংদ্রেন খোম্বনা ঐগী ইনাই ওইবা, চর্গা চাওশাং ন্না লৌবিশিং-ও, শামু মকোনগুম্বদা লেংহন্দনা পান থাজিন্দুনা থানথা লেং (মেদাই বু তোক্না মথৌ ওইবা য়োৎপ ক্না লৈপাক লোমতুনা মাঙনা য়োৎপ তুনা হক হতুনা শোং তৌরম্মু হাঙ্গনা শা চাঙ্গনা শন পাখিবা মতমদা ওনফল্ উগ্রলদা শন হাতুনা শা চান্নবা। হুমিত্তা অহোং লোই ওই ক্লিবা মমিং লৈববা লৌহুংতুং হুংতুংনা হাঙ্গ-খিব। অথোইবা লাইগী মশক ওইবা মৈতৈগী মবুংঙো ফিমিল থান্দুনা ঙাকথোক্ চেংদা লাইগী খুইদগী তেন্না নক্কবা অথোইবা লোইনি, ময়াম্বা ওইবা, শাক থুকম লোবা। শাগী মবোক অমা পীংকউ— হাঙ্গববু পীরবা রাজৌদগী চাংমা ইপ হাক্তক্তু, হাওবা ইপু মহ ক্তক্তু শামুগী শোং তৌবক্তে। চঙমা ঐরাঙ্গীগী লোইপোৎ পোৎনা নিংথৌ-কোলগী লেহপেং নিংথৌ নওঙ্গী নফমদা পীবরোই। নখাঙ্গনা নখোঙ্গগী অথোইবা লোইগী মকে চ ওইবা লোইনি হাঙ্গনা খল্লিবা নিংথৌগী। উন্নবদা ঙইহাক লৈতনা খোজানবিরিবা লোই, কন থৌবা ওকক্রুন/উখ্রুন্বু শামুগী শোং তৌগ্লু— হাঙ্গনা মশা কনখতুনা রা হাঙ্গববদা অথোইবা লাইগী মগুন চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙনা খল্লিবা নোংদোনগী মথোন মবোন্দা পইবিবগুম্বনা — অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংগো ঐ পোকপীবগা অতিয়াগী নোংলৈ-হুংশিংকুম্বা কনবা শনগুম্বা হপাগী তানা হাথাইরম্মনা থাঙনা য়ানথেক্নবা নিংথৌ মাগী

হেম্বা য়াংলৌ লমতাং ফুন্‌কনো : লাইরেল্ য়িপা মৈতেংঙু সারেল্ নোংসা লান্‌তান্‌বা তুবি খোংকাওখোল্‌গী লাইরেল্ খুয়ারোইনে হেম্বা লোইকারক্-ও হায়না পাওমেল্‌ববু হোয়ফদরা রাগী লাইরেল্ মৈতেংঙু পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ সনা চোঙ্‌তোল্লনগুম্বা-ও নংদি লোইবী য়িচীঙ্ লেন্‌বু কাওম্‌লোই হেম্বা য়িপুংমাবু তানুঙম্‌লোইনা হায়না হুয়েল্ লান্‌ক্রেম্বা রাগী তুবি খোইবু রোং, লাইবেল্ নুংবা সাওনা য়ারোল্ খোঙথৈ

মরোইনি, লৈমা-নিংথৌকোন লোই কাবকউ-হাঙ্গকববু কারক্তবা রাদগী অথোইবা লাইগী মতীক ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা নুংশিৎ মরা হৌদুনা হুম্বগুম লান্দাদুনা পনথৈ থেংবমথৈ লান শোক্লরবদা হুংতুংগী খুন্দিন্নফম থুগাঙ্গৈরে, শায়ামগী মীশিং মথক্তা নেতুনা য়ান্থরে। লানফমসিদা হুংতুং চীঙগী নিংঙৌ লান্দা যাংনা থোনা ফববা লেংতাগা হুইরেং চীঙশাংগী লান হৌবগা অথোবা মকল্লে গা ৩ মরুচিংদুনা লানফা ৩০০ থকপু শনগী শল্লুপ হোঙ্গৈবগুম হোঙ্গৈদুনা ফারক্কখি। অদুগী মুমিতুদগী অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো হুংতুং চীঙ ওম্বা, শায়াম চীঙমীখুলদা লানথৌ খৌশাবা হুয়েল লেংতা ফাবা হাঙ্গৈনা কৌখি। অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈগী মবুংঙো হুংতুং চীঙ ওম্বা লানফা লেংতা ফাবগী চুঙ শেম্লবগী মশেম্না চুঙ পাইদুনা লান থেংনখিবদি অসিনসু লোইদ্রি। নোংনা নেমথবা লাইনা লৈবা মাইকৈ অরাং পাংববোমদা কৌবা লায়াৎকী মরু কোক্রবা কৌক্রু চীঙ, চীঙ পুন্নমক্কী যাই মরুগী ময়াঙ্গ, চীঙ পুন্নমক্কী হৌবকফম ওইরবা অথোইবা চীঙজাও, লানচু হাও কোনবম শাগৈগী নিংঙোলদুগী মথরাই তাজরবা লীক পরেংনা ওনখিবা উল্‌না ময়ুম ওইনা লৈরিবা চীঙ, উল লীবা, উলনা লানা লৈয়িবা চীঙ্, পা পী মতিক-ময়াই লৈরবা ইংঙা থাগী নোংজুগী পংউজেল পীরিবা লাইনা কুমগী পাউজেল চেল্লিবা মফম্, সোংক্রুক অশিংবা শিংহৌবা (লৌশিং ফংহৌবা) চীঙ, তু-খোংগী মপু ওইবা চীঙলাই (ড্রেগোন) না মচী ময়া পান্দুনা, চীঙলাইদুনা উরাংগী কিসি কিবগুম্না মথেক মকোন ফৈজা শাবগুম কোল্লগা অয়াঙবা নুংশিংনা

চিক্সায়েং পালবু তিংথাংসা মতম্গুম্ পোলী পোইবৈ খুল্চা হুপ্, তায়িম নাইচা তিলনা ঙেল্তে মচীঙ্লেন্ য়ৌতে মসাইকোল্ য়াংসেল্ মবৈপুংদা চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং, কাওবেল্ সল্থাং ১০ লান্, থংনং লাইতং লেংনা পম্বেংথবদি ঙেল্তে য়াকা চাইবে, চাংসেল্ নেৎচৎ য়াল্লে, য়ৌতে পাম্তান্নরে ॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি ঙেল্তে মনিংথৌ তোংমাং লাম্থৌয়াংগা যৌতৈ মনিংথৌ পংসেং লান্চিংবগা ২ মানা চিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ১০

হুন্নকপা শাফবু খিংফম ওইরিবা মফম, চেঙ মচঙগুম্না ঙৌরবা মুঙ্ঙৌ অঙৌবনা মরু লুক্থবা চীঙ্, চামল লাকপগী মযুমগী মনাক, ঈশিং পীবিবা, অতিয়াবু ন্নায়েল্লিবা লাই লোল্লাং পাখংবনা কোল্লিবা মফম, ঙামৈ শিংগী মবৈপাক মখুন্দি ইপা ইবুংঙো অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো ঈশিং পীবিবা লাইগুম্নবা চীঙলেন নোংন্রেন খোম্বনা অরোংবা চুঙগী মপান দাক লৈবা ফাওবা রাগী তাগী যোৎকী তাজীন কাঙবা ফাওবা চীঙমীশিংহুগী মখুন থুগাঈহুনা হাওবা মখৈ ফংনা অথোইবা লাইগুম্বহুগী খোঙপাক্না কাউবগী শউম ফংহন্দুনা লান্দাৱম্বদগী লোই হাবা চুঙমী খুন ওইবম্ববু কবি লোই কাবা লেপখিহুনা অসুক কুইবা কাবক্তবিবনো হাঈনা অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো ফাবা থৌগল্লবা লাংগুম্বনা অশিয়াদগী লেন তৈথবগুম লান্দাহুনা শোক্লবদি ঙমৈপী খুন্দিন্নফম থুগাঈবে। চীঙহু খুন্মাক লানশিন্দুনা মরোন মরাং তাক্লে, লাম্মী মশীঙ খঙদনা শিববা ফাওবা লাম্থেংনহুনা শাশন ময়াম খোমলে। অহুগী হুমিতুদগী অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী ঙামৈ ঙম্বা কাউবেন শনয়াম খোম্বা হাঈনা কৌথি। অথোইবা লাইগী মতীক-মগুন চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী ঙামৈ ঙম্বা কাউবেল শনয়াম খোম্বগী লানগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না চুঙ গুহুনা লাম্থেংনবগী লানফমদি, অহুনসু লোঈদ্রি। নোংচুপ-অন্নাং পাংবা মাঈকৈদা লাংকা চীঙশাংগী মখুই কৌবা লান লোইহনবা লমদমদা য়িন্নাৎ/ মোইরাং লান্না চৎলগা চীঙ্মীশিং চীঙ্ কাখৎলগা তবোন কৌবা খুনগী

মাপু ফারকএ॥ তুবি চুঙ্সেল, মরাল্ওল, থয়াং মথৌমল্গী মিংওল খিএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নোংচুপ্ ফেলচি নোংছুমর্লম্ ডেল্তে মচীঙ লেন্ চাংসেল্ মরৈপুংদা খোসাবা লোইবী ডেল্তে ঙম্গা হুয়েল্ ঙোংমাং ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংদেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা খোংনাং মতম্পাক্ ময়াং মরৈপুং বোবাক্ চাইজা ঙোবৈথেং হিংমারা মপুংয়াই ময়াংলৈকোইরেন্দা নোংচুপ্ লময়েং খৌব। প্রভখাং

খুনয়াঈদা লানখৌ খোশাখি। তবোন / তাপোন হাইনা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনা? নুরাং নিংঙোল মতা ও মক্কা অরং লোমদা লৈবা লাইবৈপাক্কী লমদা কাবকপা মতমদা চাঙ ভরাংবা চুবা নোংগী ঈশিং নোমদোন অরাবগী ঈশিং-নোংনা চোৎনবা মত মমান ঈপোন পোল্লে। অদুগী নুমিত্তংগী তুপোল হাইনা কৌবনু মমিং চৎনা পাল্লবা চীঙমীশিংন তাপোন তবোন হাইনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোন। তবোন পুন্দা মৈতৈ ঐথোয় লোই ওইবশিংনা হিংবন্থ, খুম্লনগী মশিংন্ যেন্নবা ওইনা য়েংথিরুগন্থ, কবুইশিংগী খুন কাঙবা বধেই হাইনা হাইবনু য়াদবদগী অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈগী মবুংঙো দি থেকনানা মখোনদি খোকহন্দুনা রাশল্লগা নিংথৌগী পাম্বাম লিংদুনা ময়া ক্রক ক্রক চিক্লগা মৈতৈগী খুঙ্গা পুম্ব। হুপ্পা নাইডগ মা চুংনম্ব লোঙ্গনা পুদুনা চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখতুনা পনগী ময়াঙোনগী অশাংবা ১০ থান্না চোংলগা থুমনবনা থংনং তা ফাওবা লৈখম্লাটি চেংবগা লোঙ্গনবা লম্থেংনবদি তবোনগী খুনদিনফম থুগাইদুনা, কবুইশিং নেৎলগা চত্তুনা য়াম্বরে, চীঙমীশিংদু পঙ্গৈরগা হুন্দোকপগুম চাঈথাঙ্গবে। লানফমদুদা কাবা লানফাশিংদি লাইথিনা খাদেম খোঙচৌ। থোম-জিন্দুনা শেৎপী, চিনথিনা থাদা য়েত্নুনা ফিজংনবা তবোনগী খুম্লাকপীগা লানফা ৪ থকা হাংখি। অদুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাই-গুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীঙপেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবসিদি কদৌনরু-

লাইকম্লেন্ তেরা উতোমাপাক্কী চীঙঙ্, কালিকা খোইমোম্ স্নামথোং খাদা লাংকোই সামু কৎনা লাইরেল, কাঙনী চিগারুক্ খুৎফাং চাংজো চে্না লোম্না পুকম্ ঙম্এ হায়দবরা॥ লাইরেল, মৈতেংঙু নাওজিংলেন নোংদেন্ খোম্বা লোইবী ঙেলতে ঙম্বা হুয়েল্ পোংমাং ফাবগী লাইরেল সনা মচুঙসেল্, চুঙসেল, মরাল, ওন্দি অসিসুং মতোম্ লাইচাহুলখিগে॥

গবনো. কান্নদে। ন্নুগী নাহানা য়ারে, শেন থুমসু শেঙ্গাও চোল্লে। অথোইবা লাইগুন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো তবোন ঙম্বা শারোন লাম্বা খৌনা ফনা চাঈখাঈবা লৈমা-নিংথৌকোনগী লোইপোৎ য়াঙনা কাহনবা হাঈন কৌখি। অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী তবোন ঙম্বা রাঙ্গোন লোইকা যাঙবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্নবা লানগী মওংদা ওস্নাকুনা লান থেংনবদি অতুনসু লোঈদ্রি। নোংচুপ খা পাংবরোমদা লৈবা খোঙজোল চীঙশাং ফৈনা লান্নগা খোঙজোল খোং চোংহুনা কনথোকপগুম লাম্হোনগা লৈবা তবোন চিঙ শাংগী মোলকৈগী থেন মথক্তো লৈবা চা পানবা মচী ফাকপা খুনহুবু কোঈথোক্নগা সেম্নং লৈপোনগী স্ন্যাঙগী মমব থংননা লৈবত্ত কোঈনা লাম্হোনগা লৈবা চাংসেন হোনমং কৌবা চীঙগী খুনগী পুনগাদা লানথো খোথাখি। চাংসেল হাঈনা কোঈখিবদি কবি তৌখিবা ন্নুমিত্তগীনে। ৮ চীঙমীশিংহুগী মবোন্দা হাঙ্গা মখোঈগী রাহৈনা তোমাং খুনগী খুল্লাকপগী ফৌ মবাই লোংখতুনা ফৌফৌববু চীঙগুম লৈপুঙ শানা পৈববু অমসুং অগৌবা কৈ/কোং পিক থনবহুবু সা হাঈনা কৌই। হাঈরিবা কৈহুগী মখাঙ-মখাদা চীঙগী/পামলোগী শন্দং মবাই লোংখৎপা মথা মাকপা লৈবা মৈতৈব শন্দংবু শল্লুগ ফানা ময়াম লোইবগী শন্দং ময়ামহুনা পৈহুনা লৈবহুবু সেল হাঈনা কৌই অহুগী ন্নুমিত্তুদগী চাংসেন হাঈনা কৌখি। ঙেলতে হাঈনা কৌখিবদি কবি তৌখিবা ন্নুমিত্তগীনো ৮ মেন্দেগী নিংশিংখা মেন্দোং ন্নুম্বাই চীঙগী ময়ুম মগুন হোংনকই। অহুগী ন্নুমিত্তুদগী মদিং চৎনা পাল্লবা চীঙমীশিংনা ঙেলতে

নয়োল্ মৈতৈরেমা য়িন্নাংলোন্ লোইয়ম্ চম্মু হোংবম চম্মু চাফারোল্, য়েল্ মোইরাংবী, মপাম্ লম্লেন্ মদাইমা ককুলু লুমাই লান্না লমলেন্ তোন্লোই চীঙ্নুংসি মোইরং লৈখুন্ফাও কেকে খোংমৈতাক্, লৈমা হাওরৈমনা লংস্থুং গোংফা তিংনা মারম্ থারম্ লোইচল্লম্, লম্লেন্ খুৎতেকপী লম্নুংসি সনা পুলথোংপাল লৈময়াই কাওবেল্ চীঙ্লোইবা

হাঙ্গনা কৌখি। ভেন্দেগী নিংথৌ তোংমাং চাংসেলগী ব্রায়েলবদা অথোইবা লাইগী মতীক লৈবব। মৈতৈগী মবুংঙোনা—মৈতৈগী লোইলমশিংবু মখুন খুঙ্গং কাঙ্গইহন্দুনা মখোঙ্গী য়েক্রুবা ওইগন্নু, চীঙমীশিংত্থুগী লম্বী-লম্বেল থিংগন্নু, অথোইবা লাইগুম্বা মৈতৈগী মবংঙো, শোগী নিংথৌ নোংশাগুম্না লান্দানবা ইপা ইবুংঙোগী খোঙনা কাউবগী শাফু খোঙ্জেন নংলবা অথোইবা লাইগুম্বত্থুনা লোইচল্লম্বা লোইনি, অত্থুনা নখোঙ্গী কাফম থোকপা লোই কাবকউ হায়ত্থুনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোত্থুনা হায়রুবদা য়ায়ক্রুবদি অথোইবা লাইগী মহৗ ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো পোইশিংগী লৈপাক্তা পানবা মৈতৈগী নিংথৌ সনা শাবা চোঙগী খ্বাইদগী হেন্না ব্রাংলব মত্তানগুম্বা-ও নঙ দ চীঙমী ঐখোঙ্গী চীঙজাওসি কাজবা ঙমলোই, ঐখোঙ্গী পুঙ অমত্সু কাত্থুনা যংবা ঙমজবোই— হাঙ্গনা লনগ্রেম্নবকপগী ব্রাফমদগী ঈশিংগী মপী ওইবা লাইগুম্বত্থুগী পুক্লিং মুংঙাইতবগা খোঙ্গদৌ শাওগৎপগা পাত্থুনা য়াগী যাখোঙ ফাওবা চিক্তুনা, শয়েং পাম্বোম তিংত্থুনা থাঙনা মশা পানবগুম পানহন্দুনা মৈতৈ লৈপাক্কী খুঙ্গা পুম্বা হৌত্থুনা নাইজা পুম্বা তিন্নত্থুনা ঙেল্তেগী মখুন লৈবা চীঙ, য়ৌতে কৌবা মবৈপাক্তুদা, চাংসেল কৌবা মখুন্দুদা চুঙগী অরাংবা ৬০ চোংখত্তুনা, শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংত্থুনা থুমনবনা থংনং কৌনা শানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংবগা লোঙ্গননা লান থেংনবদি ঙেলতেগী খুনগী য়াকোশঙ থুগাইবে, চাংসেল মথক্তা নেৎলগা য়াম্থরে য়ৌতেশিংবু পামফাওবা তান্নরে। লানফমসিদা লনফা ওইনা ঙেলতে নিংথৌ লান্দা য়াঙনা থৌনা ফরবা তোংমাংগা য়ৌতেগী নিংথৌ

থোম্লকএ ॥ অহনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙু লোইবী য়াম্বী ওম্না, হয়েল্ সাযাৱেং ফাবা-ও তৌনা কৌএ, হায়দবরা ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী য়াম্বী ওম্না হয়েল সাযাম্লে ফাবগী লাইরেল্ সনা মচুঙ সেল্ চুঙসেল্ মরালহৌদি অসিম্লুং মাতামদে ॥ লোইবী লৌখোংচোম্ খোংচোন হুরোইচীঙ সাংহুপ খোংচাই লানপু ফানা কেকে তমদা কুম মোইরাং তমদা তাম্লনঙৈ লাইবেল্ মৈতেংঙু সেম্লেং মনিক্ খোম্বা লান্‌কম্ য়াইবী কাউগুম্বদি মদাইরেম খুতোং খিনকাপলোইব ঙাইবোইনবা হাওরৈ নোং-পোক্ থানা পাংবরম্ লম্লেন মদাইমা সেল্‌খোই রাংঙাবোক্ কেকে খোইরেল্‌তাক্ মোইরাং কোংয়াংবোক্ হুমুং পাম্‌সংয়ান্ তেবা উতোম-পোক্‌পু ঙম্লোনবা কেকে ঙাংখা মরম্লেন্ ককনা সম্‌চি লম্‌তাইথেং

মচাক-মবল থৌনীখিবা মফম ; লাইশিংগী নি থৌতুগী মখোঙ খা অথোইবা লাইগী অরা পোথাবা ওইনা পল্লম্বা মফমহুদা ফৈদোম তোংলপ শেমহনা মপানবীগী মনা লেকথা লেকথা পান্দুনা শীং পানবী অমা য়েন্নীং লুন্দুনা, য়েন্নম পানবীশিংনা মপাম্বী মরেপ ফানা, চানম মপোম চাওনা, মবোই পুম্নমক্তগী খ্বাইনা পাম্লববা তিলহৌনচিংবা য়েনশাং ওইনবা মনা মশিং পুম্নমক শুনা হৌহনা তাবুংচীঙবু লুম্না পাল্লিবা চীঙ , লৈঙোই-হুঙপাক মথক্তা হামেং লাবা, অহাংবা নোংমদোনবু তাইহনা লাইয়ামশিংবু ফাননবা অশেংবা শা, মতু লংনা মবেং মবেং চংপগুম্লবা অঙৌবা হামেংগা মথিক মথা তোংবা থুম্ন (ময়াঙকংবু পু পাম্বী অনৌবগী মমিং লৌবা) পুচেং লৈনৌবীগী মচা মথা লাংহনা লীক শিবগুম তৌরিবীগা কাম্বা হাঈবা লমহৌদাংহুগী, অথোইবা শাশিংদগী শক্লদা অহল ওইবা অমম্লুং শাশিংগী ময়াম্বা ওইরবা শবিগা উচিশংগী মবক্তগী শা লাকপদা কনৌবা উতোংগী পোন খ্বাঙদা যানবা (তুঙ্গোল) গী মনুংদগী ঙা হুবানবদা থৌনা ফববা শনম্বগা মখোঈ অহুম্বপু উচেক মযাম্ পৈহনা, অচৌ-অচৌবা শা মযাম তিন্দুনা নোংদোনগুম্বা অরাংবা মফমদা হুংশিংনা থৌগল তৌহনা, কাইনৌ চীঙথৈবাকপা চীঙলেন শোম্বা নিংথৌ নোংপোক্কী

কাক্লেন্ নোংতম্ মুচা শংগৌবা হুয়েল্ লান্তারম নোংপাল্ লাল্লোই লুচিংবা চাওবা লুওংমুচানা লাংখোং থাদা সাল্থুপল্লাই, ঙান্বা থুমুচাম্বা কাক্লেন্ নোংতম্মুচানা মোম্নু তান্লোই মকম্বী হাওম্নু কৈসিতোন্বীগী তাংজা লুবেল্তোন্ সিনৌলাক্না মোইমাইতোন্বু পাইথু লেংহান্না লাল্লু চেপ্কোংননা হুল্লাইরম্ মোইবাং পুপাল্লা খুযোন্ তেবী তেসরা তাওথোং লৌবেল্পান্দা লাইরেন্ মৈতেংঙ্ নোংসা খেবাংথাং তুবি থিংকু মথি নাইনা পম্থোংথবদি খোংচাই যাকা চাইরে॥ হু'যল্ লাম্নি'কদি লোইবী খোংচাই লু'চিংবা লান্ফম্ নি'দা থম্বা সোংফেন্ লাম্থৌযাংনচিংনা হুযেন্ লান্পুম্ ৫ ফারক্এ॥ কেকে লৌখৈতোল্ মোইবাং পল্

ল্যংশিংতা মযুম ওইনবগী নৈফমহুদা, শাশিংগী নিংথৌ লৈঙোইন্নুঙশিংগী মবক্তা মযুম কোইহুনা লৈবা মচী অমতমক পানবা শাহুনা ন্নুঙ শন্দুনা অরাবা পোত্থাবম্বা চীঙ. অঙোমগী পুবৈবোম্বনা মযুম শাবম্বা মফমগী চীঙ্শাংশিংদা রায়েল–থৌদাহুনা পাল্লিবা, মমিং চৎলবা য়াম্বী কাংলুপকা, মবাং কাঙ্গৈনা পাল্লিবা সায়া কাংলুপক্কী চীঙগী থুঙ্গং অনিমকপু মৈতৈ ঐখোঈগী লোই ওইবা চীঙশাংশিংদা লান্দাবা কাবা য়ারোই অতুগা নখোঈগী লমখৈ মন্নুংদা লৈবা ফৈনা লৈবিবা লমশিংগী লোই কাবকপগী লম্বীস্নু থিংগন্নু—হাঈববু যাদবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো সেন্দ্রেং মনিক খোম্বদি নিংথৌগী মশা নীক্পা মখৈ শাওহুনা থেঙ্গুগুম মকা ফোংনা অশাউবা উত্তুনা মৈতৈগী মবুংঙোগী খোঈশাও–লীনশাওনা মথা ক্রক ক্রক চীক্কুনা মৈতৈ লৈপাক্কী থুঙ্গা পুম্নমক হৌহুনা নাইজা পুম্নমক হুপ্তুনা চীঙমীশিংহুগী থুনশিংহুদা চুঙগী মবেপকী অরাংবা ৬০ চোংখৎ. শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লাম্না চোংহুনা খংনং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংখাঈহুনা লানগী পন্নীঙ থেংবমখৈ শোক্লবগা য়াম্বীগী খুন্দিন-য়াকাশঙ থুগাঈরে, সায়া মথক্তা নেত্তুনা চৎলগা য়াম্থরে। লানকমসিদা লানফা ইনাও চীঙহুগী নিংথৌ অথৌবা সায়ারেংগা লান্দা থৌনা ফনা য়াঙলবা, লানফি খাওম্নবা, চুঙগী

মরুগী নোংমৈ ৪ লোক্লক্এ হাযবগী লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা হুযেল্ সোংফেন্ ফাবা–ও তৌনা কৌএ॥ লাইবেল মৈতেংঙু লাইবেল নোংলেন সেম্ত্রং মনিক্ খোম্বগী লোইবী খোংচাই ঙম্বগী লাইবেল সনা মচুঙ্সেল চুঙ্সেল্ মবাল্হৌদি নোংপোক খানা পাংবরম থৌবাল কৈমাইপাক্ কৈমাইমালখাবী লেংনাও মোম্বী যেন্পোং চিনাওযি, মসাবী নোংপোক্ মালং হুম্মোইবা তাপা কোবৌ খোংচাম্বা কাইনৌ অরুবা পাম্বা কৈসাম্বি থৌত্ন নুংকাবোং লাইজা মখিথেল পান্বা কৈন্নানচীঙ্ খোংচিন লম্মহন্গী পান্বা কৈবেন্ ফাবা লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা হুযেল্ সোংফেন্ ফাবগী লাইবেল্ সনা মচুঙ্সেল্ চুঙ্-সেল্ওন্দি অত্নসুং মতোমদে॥ নোংচুপ্ ফেনচি নোংহুমলম্ থংচিং

মচীদা শাগী মত্ন থেত্নুনা চুঙ্হ্ন লৈতেংজবা হাওমাগা অনিসিনচিংবা লান্ফা ২৫০ খকপু হাংখি। থাঙশাংশিং চোয়াংগী মপুনগুম পুন্দুনা ফি ময়াম যোমহ্ননা অমস্নং তা ময়াম মপুন পুন্দুনা খোনজিল্লগা পুরকখি। অহ্নগী নুমিত্নুদগী অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো য়াম্বী ঙম্বা হুয়েল সায়ারেং ফাবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো য়াম্বী ঙম্বা হুয়েল সায়ারেং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না চুঙ পাঈহ্ননা লাম্হেংনবদি অসিনস্নু লোঈদ্রি। চীঙগী খোংনা চোম্হ্ননা লৈবা খোংচোন মুবোই চীঙগী শাংহুপ খোংজাই তেজোল অচৌবা অমা কানা মোইরাংগী তম্পাক্তা কুম্মত্নুনা লান তারক্লবা মতমদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো সেন্দ্রেং মনিক খোম্বা, লানফমদা থরাই কাউথোকখিবগুম্বদি মনাই খুদোং/রাইফন নোংমৈ থিনকাপ কাপ্পশিংগা লোঈননা নোংপোক-খা পাংবা মাঈকৈ-রোমদা লৈবা সেলখোঈ রাঙাংলোক কৌনবা কেগেগী খোইরেম্তাক, মোইরাংগী কোঙয়াঙলোক কৌবা, উথুম্না পোম্না-শংনা য়াল্লিবা তেরা উতোমপোক্না থংননা কেগেগী ঙাংখাগী লম কক্না শমজী লমদাইথেং, অথৌবা কাক্লেন নোংদম সুচা কৌবনা লান তারম্বা মফম, লুরাংগী

লিরাইঁমে খোংচোল্ মচীংসাংগী লোইবী হাওখোংচাই খোংচাই থুললেন্ লৈদা লাইরেল্ মৈতেংঙনা মদাইরেম্ লোইবী কৈরাপ তানাতা মৈরিক্ মৈপুম্ মনিল্ নাইবগী লা'বন্ অওল্লুক চেংকুম্ মনাওতোনকুম্বাবু তুবি মৈবু ওৎ, লাইরেল্ থিংকু মথিনাই চুঙলেপ্ ৮০ চোং কাওরেল্ সল্থাং ১০ লান্ খংনং লৈতং লেংনা পান্থংথবদি খোংচাই য়াকা চাইরে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী খোংচাই মনিংথৌ মাংথুথং লাম্থোয়াংবু সমু তুংদা লৈ, পরৈ লানকা সাববগী মদাইরেম লোইবী মনিল্ নাইবনা তায়িম্ নাই পুম্বগা ৭ সেনজাম্নুং লাইবেল্ ম্না মথোং থাদা কংনা

লাল্লোই লুচিংবা চাওবা লুরাংস্নুচানা লাংথোং মন্নুংদা লোৎলম্বা মফম, ঙানবা য়েক্কী থুমুজাম্বা, কাকলেন নোংদম স্নুচানা মাগী হুপী হাওন্নু শৈশীতোম্বীগী অককপা মকোক, লু-তোংগী মোইবুংগী মমাঈগুম ফজরবা কোকপু মাহোং শাত্নুনা কোক্তু চেপ্পা কোৎলগা হল্লকখিবা লম, মোইরা পুপালরা ফুবালা, খুয়োল তেবী-তেশারানা হৌরিবা তাওথোং লৌবেম্বমদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা নোংশাগুম মথে লাংত্নুনা ঈশিংগী লাইরেনগুম হম্না হন্না শাওরত্নুনা য়েরুবগী লানবন য়োম্না লান শোরুবত্নুনা খোংজাইশিংনা হৌবকপত্নু থুগাঈরে। লানফমসিদা লানফা ওইনা চীঙমী খোংজাইশিংগী নিংথৌ লানগী পন্নীঙদা থম্বা লান্দা থৌনা ফনা য়াঙলবা সোংফেন্নচিংবা লানফা ৫ থক কাখি। কেগেগী লৌফমগী অরোম্বা মতোন্দা মোইরাংগীনা পন শিংগী হৌরকফম ওইরিবত্নুদগী নোংমৈ ৪ থক লোক্লকই হাম্বদগী অথোইবা লাইগী মহী ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা হুযেন সোংফেন কাবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো লৈরেন মোংলেন সেন্দ্রেং মনিক খোম্বা, লোইবী খোংজাই-ঙম্বগী চুঙ, শেন্নবগী মশেন্না, চুঙ, পাঈত্নুনা লান থেংনখিবদি—নোংপোক-থা পাংবা মাঈকৈ বোমদা থৌবালগী কৈমাঈপাক, কৈ মমাঈ মানবা কৌবা লম, মাইবী লেংলাও মোম্বী : পাম্থোইবী না অন্নাবা পোথানবা হিনাওগুম

পুরুম্লৈএ হায়দবরা॥ অদুনোংগীবু লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা হুয়েল্ মাংখুৎং ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী খোংচাই ঙম্বা হুয়েল্ মাংখুথং ফাবগী লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরালুগৌদি অসিস্সুং মতোমদে॥ হাওরে নোংচুপ লাইনা পাংবরম, মৈতেংঙু খোংনাং ময়াম্বা হুয়েল্ লান্তারম্ ল.লেন্ থোন্নম্বারোক্ লোইবী চাঙৌপুং নোংকৌ চীঙ্লুখুম্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লাহাল্নোং হয়িঙৈদা খোইনৌ নোংপাল্ চম্নু মতা ৬ মনা অরাং কোরৌ

তাউথদুনা ঈরোইদুনা শান্নখিবা ইচেল, পান্থোইবীগী মশাবী নোংপোক্কী মুংশিত্তা ময়ুম ওইবা অঙোমগী অরাংবদা পানবা খোংজোম্বা, শম্জী মান্না পুনবা পাম্বনা কৈ শাদুনা পান্থোইবীবু লক্লখিবা তুরেল, লৈঙোই নুঙ্গী মুঙ্গ্রেং / মুঙ ড্রেং লৈবা ঈশিংগী হিদেন্ তাফমদা লৈবা পানবা কৈরান চীঙ্, খোংচীন কৌবা কুইরবা/অহানবা লমগী কৈরেন অচৌবা ফাবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা, হুয়েল সোংফেন ফাবগী চুঙ্ শেন্নবগী মশেন্না, চুঙ্ শেন্নবদুনা লান ওস্থোক্লকপদি মদুনম্নু লোঈদ্রি। নোংচুপলোমগী নোং যৈনা হুমদোকখিবা লম, থংচীঙ্গী লী শোকপা মফমগী মমৈদা লৈবা খোংচোল চীঙ্শাংগী চীঙ্মী খোংজাইশিং হাও খোংজাইশিংসিগী মখুন্দা অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মনাই ওইবা চীঙ্মী মী কুংনা খুন্দাবা কৈরাপ/কোম-কৈরাক, মমিং চৎনা পাল্লিবা লৈরিক, সেপুমগী মীশিংগী লাংবনগী খ্বাইগী ওইনা ঙননবা লুক/থুম্মোক মশীঙ রাত্তনা চেঙ মপুমদগী তারকপা চদোন ফাওবা চিংদনা লমন খুমগে হাঈনা ঈশিংগী লাইরেন্না মমৈনা ওৎপগুম লেং-ওত্তুনা নিংথৌগী পুক্লীঙ মথৈ ফংনা শাওদুনা চুঙগী মরেপকী অরাংবা ৬০ চোংখত্তুনা শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংদুনা থংনং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংদুনা লানথেংনদুনা খোংজাইগী থুন্দিন-য়াকাশঙ, থুগাঈরে। লান-ফমদুদা লানফা ওইনা খোংজাই থুনগী নিংথৌ লান্দা থৌনা ফনা য়াঙবা

নোংকাওঁ ১০ চায়োমবু ঙৌহুম্ ঙৌনা তারম্মে॥ অহুনোংগীবু চাঙৌপুং -ও থোন্নেএ। নোংফৌ চীঙ্লুখুম্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ খোইনৌ মতা ৬ মাগী চরৈ ময়িন্ফি মাল্লৌ মকানকৃপু ৱাংপল্ নোংৱায়িনা চোং-লবগী কোরৌ নোংসাম্নৈদা ফৌরমএ॥ অহুনোংগীবু নোংফৌ চীঙ্লুখুম্ -ও তৌনা কৌএ॥ মতু মরাং পোল্লে হায়বগী তুপোন্-ও থোন্নেএ॥ কোরৌ নোংসামৈবু লাংনা থোন্না থোন্না তম্লম্এ॥ অহুনোংগীবু থোল্লাং-ও কৌএ॥ থোল্লাং মনিল্ নাইবনা ৱাংকোল্ লোইকা হাংলবগী

মাংখুথংপু খুৎ তুংবুন্ননা লানফা পুনবগুম পুল্লবদা মখোঈগী খুন্দুগী মুংঙাই-য়াইফনা পাল্লবা মনাইশিংহুনা মীনাই ময়াম্নগা খোম্থাং ৭ থোকপা সেন, সেনবুংগা মৈতৈগী মবুংঙোগী মখোঙথাদা কতুনা খুকমজবৈ হাঈরে। অহুগী নুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা হুয়েন মাংখুথং ফাবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী খোংজাই ঙম্বা হুয়েল মাংখুথং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী খুৎশেন্না, চুঙ শেন্নহুনা লানথেং-নখিবদি অসিনম্তু লোঈদ্রি। নোংচুপ লাইনা লৈবা মাঈকৈ অৱাং পাংব-রোমদা মৈতৈগী মবুংঙো খোংনা ময়াম্বা (ময়াংঙম্বা : গরিবনিৱাজ) না লান তারম্বা লম লমলেন থোন্নম্বরোক্, লোইবী চাঙৌপুঙ নোংফৌ চীঙলুখুম হাঈনা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? থাঈনা মমাঙ ঙৈদা মতা-শান্নবা লুৱাং নিংঙোন মতা ৬ মক্না অৱাংলোমদা লৈবা নোংময়দোন (লাই-ৱৈবাক, কৌক্রুচাঙ) কাঙৈদা চাক চয়োমবু ঙৌরোক্ ঙৌনা তাহুনা লৈরম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী চাঙৌবুং হাঈনা থোন্নে। নোংফৌ চীঙলুখুম হাঈনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? মখোঈ মতা ৬ তুগী মনমদা ইনবা ইন্নফি, মখাঙদা শেৎপা ফনেক/কানকপু অতিয়া অৱাংবগী ঈশিং/নোংনা চোংলবদা নুমিৎকী নুংশা মৈশাদা ফৌরম্মী। অহুগী নুমিত্তুদগী নোংফৌ চীঙ্লুখুম হাঈনা কৌখি। মতু মমান পোল্লি হাঈহুনা তুবোন হাঈনা থোন্নে। নুমিৎকী নুংশাগী মৈশানা য়ৈরবম্তু থোম্না থোন্না পাল্লম্মী;

লাইবেল মৈতেংগু লাইরেল্ নোংলেন্ সেঙ্গেং মনিক্ খোম্বা লাইজা হুংখল্ য়িচোংথোগুম্বনা লাইরেল্ য়িসাবী তুবি চীঙ্লেন্ নোংজ্রেন্ খোম্বা কোয়ৌ নোংমিং চঙ্গুম্বনা লোইবী মপুংতাক্ থোল্লাং মরেকাইনা পন্থেংলম্ববু হেম্বা মথৈ ফংলম্‌দবিএ, তুবি চীঙ্খোং পুয়েংক্ লোই লাইরেল্ পুক্নলোইব্ ঙাইরোইননা থাংলেন্ খেরাংথাং চুঙ্লোং মপান্কুম্ খেরে তাচিন্ কাইনা পন্থেংথবদি থোল্লাং য়াকা চাইরে, মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্ সাইবু মৈতাল্পক্ হুয়েল্ য়াইসিং মুংনা পন্থেংলে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি

অহুগী হুমিত্তুদগী থোল্লাং হাঙ্গনা কৌথি। হুংঙাই-য়াইফা মমিং চংনা পাল্লিবা থোল্লাং হাওবশিংনা মৈতৈগী লৈমা নিংথৌকোলগী লোইপোৎ কুইনা কাত্রবগী অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লৈরেন নোংলেন সেজ্রেং মনিক খোম্বা হুঙ্না খন খন্দুনা লৈরবা ঈশিংবু চোংবদা থোব-গুম্বনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা ইয়াম্বুং ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙলেন নোংন্দ্রেন খোম্বা নোংমদোনগী বজ্রগুম্বনা লোইবী মথুন তাক-হন্দুনা থোল্লাং খুন কাঙ্গহন্দুনা লান্দারম্ববু হাওবশিংসি মথৈ ফংনা খঙ-লমদ্রি হাঙ্গনা নিংথৌগী মপু কনবা, মপু যাকপা ঙাক-শেনবা পুম্নমক্কা লোঙ্গননা থাঙ্শাং মথে লাংনা হাঙ্গদুনা চুঙ্গী লোংথোক্লিবা মপান দাক্ লৈহন্দুনা রাগী তাগী যোৎকী তাজীন কাঙ্গনা লান্থেংনরবদা থোল্লাং ময়াম হৌবম্বহু চাঙ্গখাঙ্গরে। মযুম পুম্বা মৈগী মথুৎ চলহন্দুনা যুমজীন শাইদা অচাকপা মৈতান পকহল্লে। মী মশীঙ খঙ্দনা হাত্তুনা খুন্দু মুৎপা ফাওবা লান তৌরে। লানফমদুদা লানফা ওইনা চীঙ্মী মরক্তা মীগোই মীহেনবা, থোল্লাংগী খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না কল্লবা লানফি খাও ওন্নবা, চুঙ্গী মঙক্তা হুকচিন্দুনা তা পাঙ্গদুনা মৈতৈবু উশিন্নবা অথোবা মকনলেংবু হাংলে। ঈশিং মপী ওইবা লাইগুম্বদুগী চুঙ্ শেন্নদুনা লান্দ-বদুগী অথোইবা লাইগী মতীক মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো থোল্লাং লানচাঙ্গ থৌবা, হেৎবা নোঙ্গকা যাওবা হুয়েণ মকনলেং ফাবা হাঙ্গনা কৌথি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী

লোইবী লম্‌কেৎপা থোল্লাং লম্‌থোইবা লান্‌ফি খাওন্নবা চুঙ্‌লোং ঙক্কা হুক্ তিমেল্ খুৎসুনবা, য়াংঙম্ তাংসক্তাক্ হুয়েল্ মকনলেং অথৌববু কইনা হুল্লে ॥ তুবি স্না মচুঙ্‌সেন্‌গী লাইরেল্ মৈতেংঙ্ থোল্লাং লান্‌চাই থৌবা হেন্না লোইকা য়াংবা হুয়েল্ মকন্‌লেং ফাব-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ লোইবী থোল্লাংঙম্বা হুয়েল্ মকন্‌লেং ফাবগী লাইরেল্ স্না মচুঙ্‌সেন্ চুঙ্‌সেল্ মরাল্‌ওন্দি অসিস্থং মতোম্‌দে ॥ নোংনেম্ লাইনা পাংবরম্ কৌবা চীঙ্‌লুকোক্ চীঙ্‌লেন্ থাইমরু অমম্ লেসারোক্ মালেম্ লৈসেম্ খুৎলাম্‌খাম্ থৌহু মুংখেল্ পুর্‌মচীঙ্ কোরৌ নোংপুম্‌লেন্

থোল্লোং ঙম্বা হুয়েল মকনলেং ফাবগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না চুঙ শেন্নহুনা লান ওন্থোক্লপদি অসিনস্থ লোঈদ্রি। নোংনা নেমথবা লাইনা লৈবা মাঈকৈ অরাং পাংবরোমদা লৈবা মরু কোকপা কৌরুচীঙ, য়াই পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইরবা অথোইবা চীঙজাওগী অমম্বদা লৈনা শারকপা, মালেম পৃথিবী শেম্নকপদা খ্বাইদগী ইহান হান্না শেমখিবা মফম, নুঙ-খেল-শিংনা খুরুম্বা চীঙ, অতিয়া নোংপুমলেন অপানব কৌবা লাইয়িংথৌ ময়ুম শারম্বা মফমবু থংননা তুংওইনবয়্নগা লৈবিবা মফমবু মেরে মেচমৈ হাঈনা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? থাঈনা মমাঙঙৈগী হুমিৎ অমদা হাওকু ফুরুপকী তাংহুইরেং চাহুই কাংবা লৈপাক্কগী ওক লৈরুবা ৬ মক্না মখোঙ থুনা থাংহুনা চেল্লকশা মতমদা মখোঈগী ওক্‌শিংহুনা মেম্মা লাউনা খোংলম্মী। অহুগী হুমিত্তুদগী মেচমৈ হাঈনা থোন্নখি। ওক্‌পু লেংবান্দা হাপকত্তুনা পুববু চীঙমীশিংনা কোঈলাং লাংহুনা য়েংনরম্মী হাঈবগী খেপুমৈ হাঈনা কৌখি। পাংহুনা কোন্দুনা য়েংহৌই। অহুগী হুমিত্তুদগী কোলমৈ হাঈনা কৌববু মমিং চৎনা পানবা চীঙমীশিংনা কোমৈ থোন্নখি। ওক পুবগী লম্বী মেরে মেচমৈগা হেক থংননা লৈখিবা লমবু ঙারুফেংমৈ কৌবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? থাঈনা মমাঙঙৈদা খাবশিংনা তৌনা ওত্তুনা হাংক য়াংবা (পুকচেল) শিংনা চোঈজাইননা হাইদংকে হাঈঙৈদা অরাংগী

অপান্বা মকাইক্নবু ঙম্লোন্ নাতৈনবা মেরে মেচমৈ-ও কৌবদি কদৌনোংঙীনো ॥ লহান্নোং হাওকু তাওহুইরেং চাহুইকাংবরৈগী তেক্পী রোব্রাল্লুবা ও মানা মার খোংখুলবু থুনা চেলঙাল্লকঙৈ তেকপী মওক-চানা মৈ-মা লাওনা খোংলমএ ॥ অহুনোংগীবু চেচমৈ-ও থোন্নৈএ ॥ তেক্পী সাসম পুববু লোইবী মখেরাংনা য়েংঙম্এ হায়বগী খেবুমৈ-ও তৌনা কৌএ ॥ পাইনা কৌলনা য়েংহৌএ, অহুনোংগীবু কোল্মৈ-ও কৌবা পোইরৈ ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা কোমৈ-ও থোন্নৈএ ॥ তেক্পী ওকপুরম মেরে মেচমৈবু ঙম্লোন নাতৈনবা ঙারুফেংমৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লহাল্নোং হয়িঙৈদা খাবা তৌওৎনা য়াংবা ফমনা হায়গে হায়ঙমদাঙৈ অরাং কোরৌ নোংমাববু তুবি লোনচৎননা শল্থুপ্ঙৈ

অরাংবা মথক্তা পানবশিং রায়েল্-থোদা রববু ঈশিংগী লাইরেনগুম্না লোম্না লোন্না চতুনা লোৎলিঙৈদা নুংঙাই য়াইফরিবা চীঙমীশিংনা চাক্না চীঙগুম্ পুঙনা পৈহুনা, য়ুনা পাক্তক্ননা হৈহুনা অচৌবা শাগী ময়োন ওইবা মতোংগা ঙাগী মরুগা পুরহুনা লম্বী লমখাং অমদা নুঙগী নুঙমাঈ শিতুনা থুনিং খুয়া তক-ফেংহুনা ঙাইরম্মী। অহুগী নুমিতুদগী ঙাইফেং কৌববু চীঙমী মচেৎ অমনা লোল্লাং পাখংববু খিক্না চোইনা চোইনা খুরুমজরম্মী হাঙ্গবগী খিকমৈ থোন্নে। চীঙমী মচেৎ অমনা মরী মরী শোন্না শুক্না য়েংহৌই হাঙ্গবগী লিসমমৈ কৌখি। চীঙ হাও মচেৎ অমনা লাইরেনগী মশক ওইরবা নোংমদোনগী লৈঙাকপবু তাইনা-মেম্না, লেনা-খমনা ওক্লম্মী। অহুগী নুমিতুদগী লোইবী মেরেমৈ হেন্বা রেখমৈ হাঙ্গনা কৌখি। অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো সেন্দ্রেং মনিক খোম্বনা ঙারুফেং খুন্দা মখোঙ্গ মশেল মচেৎ মচেৎ তানগনু, নিংথৌ ঐগী তাম্হোং খোঙখুমফি কৌবা ফি চাক ফি, লাইফি, ফিতুং থৌরি কাচন্নচিংবা লোইহা পোৎশিংবু লোই কাৱকউ হাঙ্গখিববু কারক্তবগী অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো সেন্দ্রেং মনিক খোম্বা, লৈচিন মরক্তা লৈবা উচেক লৈচিনগী উচেক অতৈবু

মযিম লোইবী মনিল্ নাইবনা ১০ চিপুংপৈ রাংলৈ পাক্তক্লা সারেল্ সাময়োন লেমলৈ ঙা মরুবু পুনা য়াংলৌ লমথাংমদা থৌতু মুংমাইসিং খুনিঙ্ খুযা কেংনা ভাইখমুলম্এ॥ অতুনোংগীবু ভাইফেং-ও কৌববু ময়িম লোইবী মচেৎমানা লোল্লাং পাখংববু খিক্লা চোইনা পুরুমঙমএ হাই-বগী থিক্মৈ-ও থোন্নেএ॥ হেম্বা মচেৎ অমনা মবি মরি সোম্না স্নুক্লা য়েংহৌএ হায়বগী লিসমৈ-ও কৌএ॥ লোইবী মচেৎমনা তুবি কোরো নোং-মাববু তাইনা মেলনা লেনা খমনা ওকঙমএ॥ অতু'নাংগীবু লোইবী মেরেমৈ হেম্বা রেখমৈ-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল মৈতেংঙ্ সেন্দ্রেং মনিক খোম্বনা লোইবী ঙাক্লফেং মপুংয়াইনা হেম্বা খুলচেৎ নাইগনো লাইবেল ঐগী তানথোং খোংথুমফি চকফি লাইফি লোইফিতুং থৌরি কাচনলোইবু রাংকোন লোইকাবক্-ও হায়ববু কাদরাগী লাইবেল মৈতেংঙ্ সেন্দ্রেং মনিক্ খোম্বা পোম্বী লৈচিন্ চেক্ লৈচিন চেক্রাইনবগুম্বদি

লাকথুবা ঙম্বাগুম্বদি নিংথৌ খোইদৌ শাঙগৎনা লাইবেলনা মমৈনা হাই হুম্বগুম লেং ওতুনা মৈতৈ লৈপাক্কী থুঞ্জাশিং হৌতুনা নাইজাশিং তিন্নতুনা মনাই খুদোং নোংমৈ (বাইফল) কাপ্পা কম্পানী অমা মশীঙ শুববু লোঈননা লাইনা লৈবা মাঈকৈ অরাং পাংববোমদা চীঙ্গী চীঙখোঙ শমতুনা চীঙমী্ মরেমশি'গী ত দা উবা লোগী লৌফম লান্দুনা ঈশিং পোকশিং লান্থোক্তুনা যৌবদা ঙম্রবা চীঙজাওশিং কাতুনা নিংথৌগী ফিজেং/কোকয়েৎ মীযামদা উহন্দুনা মমিৎ চৎনা পাল্লবা ঙাকফেং চীঙগী হাওবা থুঙ্গং ১৬ মকপু চীঙমাঈ মবোল হুবগুম মাংহন্দ্না চীঙশাং মনাদা ফাবগা নীতুনা থৌবোম পাম্বীনা মখোক লোঈতুনা তুবগুম তুহন্দুনা, যাঙ্গেন মনাদা ফাবগা/পাঈবগা নীকথতুনা, যুম পুম্বা মৈ থাতুনা মৈনা মফম থুংবগী মরক্তা চুঙগী মরেপকী অরাংবা ৬০ চোংখতুনা শনগী মযাঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংতুনা খ নং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংতুনা চীঙমীশিং মবোন-মবান তাক্-মুৎহন্দুনা লাম্মী মশীঙ খঙনা মথরাই মুৎথতুনা লানগী পন্নীঙ ফাওবা থেংনা লান

তুবিথীংকু মথিনাই লাইরেল মৈবু ওৎ পোইবৈ খুঞ্জা হৌ তায়িম নাইচা তিল্ মদাইন্নেম খুন্দোংথিনকাপলোই কম্পু ল্যাল্লোই মাবু ফাববু ঙাইরোইননা হাওরৈ লাইনা পাংববম্, লোইবী চীঙখাং তুপ, মরেম্ হেম্বা তম্লৌ কেল, য়িরোক লাইচম্ লান্ চীংলেন খৌঙম্ কা তুবি লোম্বাং মঙাল্ নাইনা লোইবী ঙাক্নফে, মনিল নাইবা হেম্বা খুনকং ৬ মাবু চীঙমাই মরোল্ হু চীঙসাং নাফানিক্ থৌ:পাম্ খোক্লোই তু, যাংকেল্ নাফানিক খাম্বী মৈকা চেন্না চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওবেল্ সনখাং ১০ লান্ খংনং লৈতেং লেংনা লোইবী মবোল্ শোন্কা থুম্ মবাল্ লানকা ভাক হুয়েল্ যাইসিং মুৎনা পম্বেংথবদি ঙাক্নফেং যাকা চাইরে চীঙসাং নাফা নিক্সে। হু:বেল্ লান্নি কেদি ঙাক্নফং মনিংগৌ ঙাকথৌ চীঙসাং রাগী হাযবা ঙাকবাং চীঙনাং লান্শাও চেন্বগা, নারাখেক্ লাম্হৌয়াংগা ৩ মানাচিংনা হুযেল্ লান্পুম্ ২০০৫ মাপু কাইনা হুল্লে॥ লাইবেল্ থযাং মথৌমল্ চুংসেল মরান্গী মিংখৈখিএ॥ ল্যাইবেল্ মৈতংঙু ঙাক্নফেং

শোক্নববদা ঙাক্নফেংগী হৌবকলিবা মীযামহু চাঈখাঈবে, চীঙ শাংহু মনা পাঈতুনা নীকথবে। লানফমদি ঙাকফেংগী নিংথৌ চীঙশাংহুদা অকবা রাদমক্কী রাযেনবা ঙাকথৌগা চীঙশাংতুদা লান তৌনবা লানবাউ চেনবা ঙাকবাংগা, লান্দা থৌনা ফনা যাঙলবা নারাখেক্কা ৩ অসিনচিংবা লান্মী লানফা ২০০৫ খকপু হাৎখি। অথোইবা লাইগুম্নবসিগী মথা যাঙনা থৌদা তৌহুনা থৌনা ফবগী মমল ওইনা অমসুং চুঙ শেন্নহুনা লাম্হেংনবগী দমক অরোঈবা থাক্কী মিং ওইনা মিংথোনখি। অথোইবা লাইগী মতীক মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ঙাক্নফেং খুন্দা খৌশাবা, হেম্বা খেন্মৈদা ভেনখীঙবা নোংনা নেমখবদা লম চনবদা থৌবা, লোইবী ঙাকফেং ঙম্বা হুয়েন ঙাক্নথে ফাবা হাঈনা কৌখি। অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙোসিগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না চুঙ পাঈহুনা লান তৌখিবদি অথোইবা লম নোংফৌ চীঙলুথুম, মৈতৈগী মবুংঙো ময়াংঙম্বা (গবিবনিরাজ) না লান তারম্বা লম, লমলেন থোম্নম্বাবোক্কী চেল্লিবা তুবেল লাম্হোল্লগা

মরৈপুংদা খোঁসাবা হেস্বা খৈবুমৈদা তেন্‌সিংবা নোংনেম্ব চনম্‌চন্ থোবা লোইবী ঙাক্লফেং ঙস্বা হুয়েল্ ঙাক্লথৌ ফাবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্‌ স্না মচুঙ সেল্ চুঙ্‌সেল্ মরান্‌হৌদি লম্‌লেন্ মদাইমা নোংফৌ চীঙলুথুম্‌ মৈতেংঙু থোংনাং ময়াংঙস্বা হুয়েল্ লান্তারম, লম্‌লেন্ থেনুনস্বারোক্ তুরেল্‌ মোংবায়িবু ঙম্‌লোন্ নাতৈননা কোইরেং মতম্‌পাকৃতা লিরুয়াফক লৌদা সেংচি নাতৈলোন্দনা কোবৌ নোংথিল্ পোপোপ্‌পু তল্‌বা ময়েং লিয়েৎনা মৈর পল্‌ওইননা মালেম্ লৈবেম্ কাও মোকুঙ-বল্‌হোপ লুরাংববু লাংকোইলিরৌ থোইমা লাইবেল্ মৈতেঙু লিক্লাই থামং লাম্বাবা পানবা কৈসিং নেনবা, হুয়েল্ লান্‌সি' চাইবা, লাংকোই সায়াম্ ফাবা লাইরেল মৈতেংঙু লাইবেন্ নোংলেম্ সেম্রেং মনিক্ খোম্বা হুয়েল্ মহাসিং ফাবদি সনা মিংহুন্‌কব্ চুন্‌বনে ॥ * ॥

পোইরৈ স্না পুংমীয়োন্‌গী লাইরেল্ মপাতোল্ লাইরেল্ নোংলেন্ সেম্রেং মনিক্ খোম্বা পোন্‌বী লৈচিন্ চেক্লুস্বদি নমু তাইবং মালংপাল্

থংননা লৈরিবা কোইবেংশিংগী তংপাক্তা তাহুনা লিরুং ময়া ফাক্কোক-হন্দুনা খোঙজীদা লারি চনগদবহু চন্দনা/লোন্দনা হুংথিল পোপোপ্পা হুপা ওইবগী শযেংগী পাঙ্গনা য়েৎশিন্দুনা, মমৈগী মরীনা পল্ ওইহল্লগা মালেম লৈপাক্কী অরেম্বা শরুক্কা শারকপা শা, শামু মুকুণ্ডবলহ্ব কৌবা মকোক রাংবা শা শামুবু থৌরা হুক্কুনা পুনবা ঙমথিবা, অথোইবা লাইগী মতীক মগুণ চেনবা মৈতৈগী মবুংঙো লীক্লাই মহীগুম লুরবা ঈশিংবু লান্দানবা কৈ মশীঙ, খঙদবা মথৈ ফাবা, লানফা অমস্থং য়েক্লবা মশীঙ, থীঙমদনা হাৎপা, শামু ময়াম ফাবা অথোইবা লাইগী মহী-ময়াই চেনবা মৈতৈগী মবুংঙো লৈবেন নোংলেন সেম্রেং মনিক খোম্বা লানফা মহাসিং ফাবদি সনা মিংলেন মংহুনসিগা চানবনি ॥ * ॥

মৈতৈ সনা লৈপাক্কী ময়োল ওইরবা পুঙময়োন কংলাদা পাল্লস্বা মপাতোনশীঙদা চল্লবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা, লৈরেন নোংলেন সেম্রেং মনিক খোম্বা লৈচিন মরক্তা লৈবা উচেক্লুস্বদি মীওইবা তাই পোংনা

মালং নোংসাপাল্ অসিব্ অঙাল্ চংলৈ খুনৌ তোংনা পান্বা পুংনিকিনা খম্নুং য়াইথোং সিংসুবনা অমল্ সিংদা থাখিরবসী ; তুবি মনোং নোংসিং সুনা লাইরেল থমু মনুংসং মুংনাং মনারেক্ সেতৌ তৌঙামোই হোই লিরাই সল্লম য়িল্কুম্ খাংলা য়েন্কোই থোং য়াইবেল্ মখোক্ লোইনা তুবি স্না হক্চাংলেন্বু লাইবেল্ থরাই লাইকন্ফিনা কন্থোলক্লবদা মিৎকোই লাইজা য়িফম তাও, লাইরেল্ লাইজা যিতিংপোনকুম্ মুংসি হিক্ হায়না য়াথং লাইজা য়িচিক্ হুনগুম্না পাওমেন্থোল্লক্এ॥ লাইরেল্ য়িসাবী তুবি চীঙ্লেন্ নোংন্দ্রেন্ খোম্বা অরা' নোংসুনাহা লিখে তেন্গুম্বনা, লাইরেল্ মসানৌ ঐগী ফৈবা ওচিন্থক্তা স্না কোলুতুমকুম সমু খুৎসিন্নবম্বা লাইবেন য়িপার্রা পাওচিংলেন্ নোংন্দ্রেন খোম্বা চীঙ্নুং পানবা তাইবংপান মু শিং মালংনা পানবা মালংপান, মালংনা নোংশা পানবা, নোংশাপান অসিবু অঙানবা লৈঙোই চংলৈগী অনৌবা খুন্দা ঙাইহাক্ত লৈবম্বগুম্না হিংবা তাইবং পুন্সিনিনা অশিবগী লৈপাক্কী অশিবগী মশীঙ পাবিবা লাইনা অশিবগী মশীঙদা থাবিরবনিনা, ঈশিং পীবিবা লাইগী মগুন চেল্লবতু মাগী হিংগদবা নুমিৎ মশীঙ্ শুরবনা অথোইবা লাইগুম্বা নিংথৌসি হাযো হাঈনা মতোমতা নুংদা শজবতুনা হকচাং মনুংগী মুংঙাইতবনা ইন্দ্রিগী ময়োন মনা লেকথবতুনা অচম্বা তৌগী তৌনা শাবা পোং হোন্তবগুম ঈবিল তুরেলগী শনশিংনা চৎখিবগী মরম ইনবগুম, খাঙ্গদা য়েনকোই লাইনা পকুনা নারবদগী অথোইবা য়াই ওইববা য়াইবী থরাইনা মখোক লোইবতুনা হিংবগী ময়াক চাম্লক্লবগী নিংথৌগী সনা হকচাং অতু মশাগী ওইবা পলেম শয়োম্নুংগী লাইকন ফিনা কনবা ঙল্লক্রবদা মীৎকী— অথোইবা মনু দা ঈশিং ঈফম লৈবিবতু মফম কাইরক্লতুনা ঈশিংদা হিংবা পোল্লাংগুম পুক্লিং মুংশিনা হাঈদোক্লকপা খোঞ্জেনগী সুর খোম্বাং হাইনা (তনীক শনীক্লা) খোঞ্জেল পীশক পীক্লা পাওমেল্লকখি। ঈশিং পিনবিবিবা লাইগুম্বা যাম্নুং ইবুংঙো চীঙলেন নোংন্দ্রেন খোম্বা অরাংদা লৈবা নোংশিংবু রায়েল্লিবা

থরাক্ লৈকুম্বদা পোইরৈ পুম্নমক্ হিয়ু চীহেল্ লাংহেনংক্ চোইনৌ স্না ফম্বাল্লাংবু তুবি মাংদা থানা লাইরেল্ সমু মংৎপাক্তা পিরম্লবদি লাইয়িসাবী থাবপা তেন্মৈ সংবুংগী তুবি স্না মখোংখাদা উন্নী পুক্নীং পুংনা পাওতমলুডেনে হায়না সোল্লম্ববু রানিল্দনা লাইরেল্ মৈতেংবু দি চীঙঙু নোংদম্খোল্ খোইয়ুম্ মথৌথাগী সচিক্ মতুংয়িল্ থাবা মমৈ রাইনা কোরৌ নোংকাখিরবদা, পোইবৈ লাংতক্না রাঙম্ লাংফেন্নরবগী ব্রাহ্মন বৈষ্ণপ হন্বা হন্নু পোইরৈ খুল্চা লুরাক্না, মাল্বী রাংঙম্নাই চন্নু তেংনা মানবী, তেংনা ফবী পুম্নামানা লাইরেল্ কোরৌ য়িনোংথৌ নোংপুন্লেন্গী অপাল্বু লাইরৈ খুল্চানা পাম্বা, রাংঙম্ নাইনা নিংবা নংবু করিগী নোংচুপ্ নমায়োংখিবনে, তুবি নচিংহনরাইরক্ লাইরেল্ লাইগী লিকংগী লবি নিংবগী তেনহৎনা য়াম্নুংনা মনাও ওইবা ঐগী ঈতম্পাক্তা কোনখাক্ত পুম্নমক্কী মরক্তা ওইরবা সনাগুম ঈখুং পাঙ্গিহুনা শিন্নরম্বা নিংথৌ ঐগী ইমা ইবুংঙো নাওজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা, চীঙনুংদা শাৎপা রেক লৈগুম্বা মৈতৈ নোপাগী পুও পুন্নাকসিগী মযোল ওইরিবা ইবুধৌগী অথোইবা মচানিংগী তাইনফমগী মথক্তা শেম্বীরম্লবা চোঙ্গরিবা মথৈ নৌখারকপা সনানা ফম্বাল অসিবু নিংথৌ ঐগী ঈমাঙদা লেপহল্লগা মথুবাক্তা শিন্নবরবদি অথোইবা লাইগুম্বা য়াম্নুং ইবু ঙো নোংখাক্-নোংলাউ তেনগী বহ্রগী মখা শমখবকপা মৈগুম্বগী সনা মপোঙখাদা ঐগী পুক্নিঙসি থুংনা অশিবগী লৈপাকনা পাউদমলুগাবর্নদকো হায়না শেল্লম্ববু অমুক হন্না নীঙথিদনা অথোইবা লাইগী মঙুন শেল্লবা মৈতৈগী মপুংঙোদি লাইশিংগী মপুংঙোগী নোংদম রায়েনগী মতু ইন্দুন, শাঙ্গিগী মতুং ইন্দুনা থাবাগী মমৈ পাঙ্গিদুনা, নেংথ্রনদা লৈতৈ লৈপাক্কী পুম্নমক্ নাংংক্লবগী মরাং মরাং তৌনবদা লৈপাকসিগী ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব, অহল সম্মন্নচিবা মৈত্রবাক্কী খুঞ্জাশিং পুম্না মরু লুকথহুনা পুকচেল তপ্লবী মৈতৈগী নাই-নিংঙোল, লৈমাশিং তেংনা মনাগুম্বী, তেংনা মনাদগীসু হেনবাশিং পুম্নমক্না ঐখোঙ্গী লাইবক্কী নোংদম তম্বীগদবা অথোইবা নোংদোনগী লাই পুম্নমক্কী হেম্না

নরাল্ ওন্তেবক্-ও হায়না সোল্মোইববু লাইবেল্ মপাবী লিক্লাই স্না ৱাপীহল্ থোংলেন্ ৱাংখৈবাক্পা মস্নৌ সেথরসিংহ লাংচেং মথোক্ লক্পগা ২ মানা নাতাববগী লাইবেল্ মপা মৈতেংঙু সেনত্রেং মনিক্ খোম্বগী কোলোই মপাওমেল্ মুংওনবা কোংকোই মরাবেপ্ মুংসিববু লিক্লাই পুক্লি, লৈনিসিনা মথাইদা পোইবৈ অথম্ মীপোক্পা অথৌ লাংকোনবা চকুলৈ কাও কেইতুয়েল্ কাম্বা কাও নোংতম্ যেলকুম্বাসিংবু ঙাইবোইননা থোননাং মতম্পাক্ ময়াং মবৈপুং হিংসাবা য়োইকোনুংগী লাইবেল্না মথেংথদা ৱাইথুংলুবগা, ৱাঙম লৈকোই-বেল্দা তুবি কোবৌ নোংবরা লাইবল্ মপাওমেনবু তুবী মাংদা থানা লাইরেল্ সনা মথোখাদা পাওংল্লবগা ৱাঙম পুন্না তিল্না

ফজববা, মৈতৈ লৈবাক্ক খুঙ্গাগী মীপুম শাদিং ক্লা পান্বা নিংথৌ মৈতৈগী নাইশিংনমু নীঙজবা নঙ্গাবপ্ কব নোংচুপগী নমদমদা লমযেংবা চংখি-বগুম লৈথ্রিবনো, অথোইবা শিংগী মপুংফা নঙ্গা পুন্নবৈপাক্তা হল্লক্লো নবমদমদা লাক্লো হায়না শোক্লগা অথোইবা লাইগুম্লবা নিংথৌগী মচানিপা অহল্ ৱাংখৈবাকপগা নাওগি প মশা মথোং কাবিরিবা শেখরসিংহ অনিনা তাবত্না মপা ইংথ রংথৈগী থোংলেন ঙাকপা অথোইবা লাইনা মনাক মপুগা চেল্লব মৈতৈগী মবাঙা সেন্দ্রেং মনিক খোম্বগী পুক্লিও থুশিবনা মরতৈ লম্প্রম্বা অচেৎপা কোঙ্গোইগুম্বা ৱাবেপসিবু নিংথৌগী মজইবংঙো অনিনা নিঙখংহুনা মৈতৈ লৈবাক্কী মনাই ওইবা মীবু কনবী পোক্নবগী নবে বাথাক্তা লৈপ্লিবা, অথৌবা মীবু কন্দুনা লাংগোন্দুনা লৌনা কেনা লৈপাক্কী বাও কোঙ্গনা তুনবা চৎপাহেন কাম্বা শাগুম লোশিংবা কও, লাইবক নোংদম যেংনবা কাওনবেনগুম্ব। অফন অথোইগগা নোঙ্গংলা কছার তম্পাক্তা মথাংশিংগী মবৈপাক্তা হিংচবনী কেন্নুং মনু অহোইগা লাইগী মগুণ চেল্লবতুগী সনা নাক্তা পুথুনা মৈতৈ লৈবাক্তা নবীবা লাইগুম্বা নিংথৌনা নোঙ্গাখিবগী ৱাফম, মথাইবুঙোন্দা তাক্পীরম্বা ৱারোল্ পুন্নমক্ তম্লে।

লাইরেল্ কোয়ৌ য়িংনিংথৌ মুক্তা লিকোই থিন্‌গুম্বা-ও ॥ নয়ু লাইরেল্ নাওফংবা লম্‌থক্ সারোল্‌পুবু চীয়েল্ লাংয়েন্‌থক্ চোইনৌ স্না ফম্বাঙ্গলাংবু নরাল্ কংলা থৌকায়সে হায়না য়াহৌববু লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংলেন্ নোংত্রেন খোম্বা নোংচুপ্ লময়েংথৌববু লাইরেল্ মপাতোল্ লাইরেল্ নোংলেন্ সেন্ত্রেং মনিক্ খোম্বগী রাংঙম্ পুংময়োন্দা চীঙঙ্ পন্‌তল্‌নোং কোয়ৌ নোংকারাবু নাতারবগী পোইরৈ ময়াই স্থুম্‌খোংপাল্ কংলৈ পুংম্‌খোল্ রাংলেন্ পুং ১৬ মাবু লাওখাই তিল্‌চিল্‌পুংবু য়িন্‌তাল্লগে হায়না য়োইবু খোইমোম্ লাইরেম্মা রাইরা সারৈমা সাকুপিবু য়োইবু থৌজাল্ ঙাইরোইননা ; ময়ু তুপি য়োইনোংবা নোংতা লাইরেল্ পাখংবা চীঙঙ্ মথৌজাল্ তুবি মরাল্‌কুবু তাংজা লুদা থোং

মচু তারগা কছারদা লৈরম্বা মৈতৈ পুন্নমক তিন্নতুনা—অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা নোংদোনগুম রাংলবা ইনিংথৌ, মুক্তানা লীক্তা কোইনা থিনগুম্বা-ও, নবুধৌ অথোইবা লাই ওইরবা নাওফংবনা লম/লৈপাক্কী মথক্তা শা-লোন্দুনা থোল্লম্বা পুঙগী মথক্তা পাখংবগী অথোইবা মচীগী তাইনফমদা শেম্লম্বা সনাগী মেন ফম্বাল তোংফম লৈরিবা নয়ুম্নমগী কোন্থুং কংলাদা চৎলসি হাঙ্গৈনা হৌরবদা অথোইবা লাইগী মতীক মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, নোংচুপলোম লমশিং থৌনা ফনা য়েংলুবনা অথোইবা লাইগুম্বা মপাত্তোন লৈরেন নোংলেন সেন্দ্রেং মনিক খোম্বনা মৈতৈ লৈপাক্কী অথোইবা মফম কংলাদা লাইশিংগী নবুংঙোগী মফমদা তিন্নবা চৎখিবা নোংদোন নোঙ্গাববু তারবদা মৈতৈ লৈপাক্কী ময়াঈদা গুম্বলগুম মখোঙ্ পন্দুনা লৈরিবা সহরগী পুঙশিংগী ময়োন, অচৌবা রাংলবা পুঙ ১৬ মক্কী লাউনা খাঈদোকপবু তিনশিল্লিবা পুঙবু য়িন্দুনা ফংনবা চৎলগে হাঈনা অথোইবী লৈমা ওইবী, পাস্থু পীস্থু ওইবা গুম্বী, লাই পুন্নমকী মবেম্মা শা ফাবশিংদা শা পীনরিবী শাশিংগী লাইরেম্বীগী থৌজালগা লোঈননা মবুধৌ ঈশিংগী অথোইবা লাইরেন্না ঙাকপী য়োকপীবা নোংদোন্দগী

থাংলেন্ মখুৎস্তু য়েংলৈ মেয়াবাবু তুবি সারেল্ য়েত্তা পাইগন্তা চুংগোই য়াইওইবা স্না সচুম্ পাংথৈবদা তম্ফা য়াইদা য়াংনা হেন্মোইবা চুঙ্বু সয়া তুরে ওই ওই সেন্না মদাইরেম্ পোইরৈ অথম্ মীপোক্পা, অথৌ লাংকোন্বা, চীঙ খোং পুয়োক্লোই লাইরেল্ পুক্নলোইবু ঙাইরোই-নানা লোইবী চীঙ্খাং তুপ, য়িরোক্ লাইচম্ কান্নচোং তুবি লোম্থাং মঙাল্নাই লাইরেল্ নোংসা মখেয়াংনা সঙাইসেল্ সাফু তমকুম্ পোইরৈ নিংনা ভেনা য়াংঙম্ হল্লাইম্নক্পাবু য়াংলৌ লম্সাংথিং থোইপু মচিল্ তুম্ সাইবা ময়া সাঙম্বা খৈবিক্পু য়েক্না তিন্খং মচিন্থেক্ খোইতুমপৌ চংহন্দা তুপি চুপ্পু থোই, লাইরেল্ লাইপু লাংনা লাল্লোই থোংচু লিয়াচখা লম্লেন্ খোইচুমান্ থোংলেন্তাইবী লংথয়ান্ কঙ্গিপুর সনা

তারকপা, নোংথক্তগী কুম্নকপা অথোইবা লাই ওইরবা মতম চুপ্পদা নৌহুনা পাখংদা ওইহুনা লৈবা পাখংবগী থৌজাল্-নুংশি চানবীবু মকোকথক্তা হাপচহুনা নিংথৌ মাগী মখুৎ চারবা থাঙশাং য়েংলৈ মৈরাবা কৌববু য়েৎ থংবা খুৎতা পাঙ্গীরগা, সনাগী সচুম্ মরি পাং তিংহুনা য়ৈরিবহুদা তম্ফানা ময়াঙ্গীদা হত্তুনা লৈতেংলবা য়াইওইরবা চুঙবু ওঙ্গী থংবা খুৎনা হকচাং শেন্নহুনা পাঙ্গীরগা. মনাই মীবু মথরাই কন্দুনা অমুক্ হান্ন পোল্লকপগুম হিংহল্লবা অথোইবশিং, থৌনা ফরবা খুদোং থীবা তারবশিং কোনখৎপীহুনা লৌখৎপীরবশিং ওইবা নিংথৌবু মপু ওইনা য়োকচরবা অমসুং অথোইবা লাইগী মতীক লৈরবা (নিংথৌ) হুবু কন্নবগীদমক্তা লৈরবা মনাই অকন-অথৌশিংগা লোইননা চীঙগী চীঙখাং শমহুনা চীঙ্গী লোক্শিং লান্দুনা নিংথৌগী নীংথীরবা ফিজেৎ-লৈতেংহুনা ফজহনবগা লোইননা নোংশাগুম মখে লাংনা শংঙাইশেণ পাইবগুম য়াঙনা মৈতৈ লৈপাকলোমদা মৈতৈ লান্মীগা লোইননা হল্লকপদা লম্বাগী পরিং চৎলিবহু থিংলম্বী শাইতিংখংগী ওইরম্বা খোইবু মরীংশিংবু য়েক্নবগী তাগী মচিন থুদেক্তুনা খোঙদা য়ুগে তৌবা তিংখংশিংবু য়ুহন্দনা মায়কিবা পীরম্নগা নিংথৌগী লেম্লবা শকফমহু লেন্নহুনা লাক্পনা লাল্লোই কৈয়াংকী

য়োইকোইম্ন্ং কোন্নুং অমনবা লাইরেল্ মপা মৈতেংঙু তুবি চীঙলেন্ নোংড্রেন্ খোম্বা সারেল্ নোংসা লান্তাম্নবগী লাইরেল্ কোন্লোই মসঙ্গাই সঙ্গাই হুংনাংপাল্ তুপি মফমলেন্ অচিক্পাবু লাইরেল্ কাওবী চিগা লুক্ খুংফাং চাংচৌ চেংগা নোন্না হন্না হন্না পুরুম্নবগা ব্লাংঙম্ মরাংহৌ, পোইবৈ মনিল্ নাইনা ব্লাইথুংনবগী লাইরেল্ মপাতোন্ মনিক্ হুংনাংখোম্বনা লাইরেল্ য়িপারি নাওচিংলেন্ নোংড্রেন খোম্বা পান্বা কৈচেংলাংকুম্বা লান্ফম্ ময়িল্লক্পা অসিবু তুবি থমং লৈমচা থমং নিংথৌ লিক্লাই ব্লাংকোল্ লৈমাচা ব্লাংখোন্ নিংথৌ থমং লোক্য়াই খাই সেম্লে মীরুতোং পোইবৈ মাবাই ঙাক্লাপ নফবাবা স্না য়িমাওনে॥ পোইবৈ ঙম খে কাইথিনব্রাবু কোংয়াং উগোংযু কংলা লাইরা পরিতম সাপল্ লাম্হো সিল্

থোংজ্ঞমগীদি মথা থোইজুমন কৌবা লমগুম পম্থোঙ অনিনা তাইনবা লম লাংথবান কাঞ্চিপুব কৌবা থায়না কোন্নুং ওইববা মফম, অথোইবা লাইগী মতীক চেলবা মৈতৈগী মবুংঙো ওইরবা মপাইবুংঙো ঈশিং পীবিনা লাইগুম্নবা চীংনা নোংদেন খোম্বা কৌবা নোংশাগুম থৌনা ফনা শালান তান্নবগুম তান্নবগী শঙ্গায মযুম হুঙাইবা শারম্বা অচিক॥ মফমদুব অথোইবা লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা নিংথৌহুনা মথুং তোন্নবগা মন্না নুকথবনা হন্না হন্না পুরুম্নগ মৈতৈ—মচাশিংগা লোয়নন। নোক-খেংনা হুংঙাই মবাং কাযনা খুংলখি। মহুনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মপোন ইবুংঙো মনি হাযবা নালনা ফজববা হুঙবু খোমজিল্লবা মনিক হুঙনাংখোম্বনা অথাইবা নাউজিংলেন নোংড্রেন খোম্বা কৌবা কৈচেংলাংগুম লানফমদা মথৌনা ফংখলব্রিবা ইচানুপা অসিদি ঈশিংগী লাইগী লাইরেম্বীগী মচা ওইরবা ঈশিংগীম্নু নিংথৌ ওইববা অব্লাংবা মফমদা ওংবী হুপীনা পোক্লবা লাব্লাইগুম লুনা ফজরবা অরাংব মফমগীম্নু নিংথৌ হব্রবা ঈশিং নৈবা লোকশিং ফাওবা ময়ায় থাযদোকপা ঙম্লবা মশন-মবাই ওইনবদসু অথোইবা ওইরবশিংনা মৈতৈ লৈপাক্কী মায় ওইহনা পাম্লিবা ঈ অশেংবনি। মৈতৈ

সাচিক্ লানুনোংতম্ থাবা লান্নোংখাং লাইরেল্ হিপারিনা খাইবোৎ-রসনো ॥ য়িয়ু লাইরেল্ নাওফংবা লম্থক সারোনপুংদি তুবি ২ খাচিক্না লাইবেন্ অনি খাফাংনফরোইএ হায়না হাওবে নোংচুপা পাংবরম থোংনাং মভম্পাক্ ময়াং মপু য়াইবু য়িনত্তা-খিরে হায়দবনা ॥ * ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওচিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা সেনবী কনাংগী য়োৎকুম্বদি লাইবেল্ ময়াই খাই, থো লেন্ মনিল্ নাই চপথাং য়াইবোংফান্ তুবি চুপ্পথোই লাইবেল্ লাইপুবাংনা মযু লাইবেল্ নাওফ বা লম্থক্ সাবোনপুং তিংঙি রাফোংলাক্ পাবা নোংলৈফম্ কংলা থোন্ ৭ থোল্লাংমৈদা রাইথুংনবগী নযু তুবি যোইনাংতা নোংতা লাইবল্ পাখংবগা শ্রীজি খোইমোম লাইমকগা চীঙঙু অনিমদা খোইমোম মা মখোংখাবু থুপাং লৈপাক্কী ঙমখৈ কাযননবা মীনা হুজিল্লকপা কযাবু উগী-রাগী উখোঙু অবোঙবা যুংদ্ধনা ঙাক্লগা রায়েল গৌদাদা অচুম্বা অৱানবগী ৱায়েল তৌহুনা, লম্লক্তা লান্দ একপী লাম্থোঙ পীংপিনা শিন্দুনা শজিক্লা অযুক্কী নোংদম্বগুম থাবানা লুংদাংগী নোংখাম্বগুম নাযনবব্ ইচাসিন অথোইবা লাইগুম্না য়েলহৌরসনু। অথোইবা লাইওইরবা ইবুধৌ নাওফংবনা লৈথোনবদা শা হাপ্পুনা থোনখিবা মৈতৈ নিংথৌশিংগী পানফম ওইবিবা কংলা অসিদদি নিংথৌ অনি থম্ব্রাংননা পানমিন্নবা য়াদে হায়দুনা নোংচুপ মায়কৈবোমদা ময়াং কছাবীশিং কছাব তম্পাক্তা চৎখি, হায়রে অথোইবা লাইগী মহী-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজংলেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবা কবোগী পৌবদা কল্লবা য়েংকুয়া মহাক্না কংলাগী লোইবেন কৌবা ময়ায় ফাওহুনা ময়া নাকল অনি পানবা থাঙনা নাকন চপ্পুনা ঙাক-শেল্লগা থোঙ্ মথং মথং লানশিন্দুনা চীঙ্ লেম্না চঙশিল্লক্তুনা অথোইবা লাই ওইববা মবুধৌ নাউফংবনা লৈবোন মবক্তা শা লোন-শিন্দুনা হাপ্লগা থোল্লম্বা লৈপুঙ্ মথোন ৭ থোনগা নিংথৌশিং লৈফম কোম্নুং ওইববা তিংয়ি কৌবা উচেক্লা খোংলাউহুনা শান্নবা মফমগী মনাক্তা লৈবা থোনগৎলগা মথক্তা মৈ লৈবিবা ফম্বাল পোংফমহুদা

চাংচৌ চে ্না লোননা লাইরেল্ কাওবি চিকা লুক্না প্রুম্‌্বগা লাইরেল্ কোলোই মসংগাই সংগাই নুংলাংপাল্ অতেং সঙ্খুৎসা হেক্ঙাই সঙ্ নুংওন্ পেংকী লান্চাইসঙ্ মোইত্রি সিংলি পাফল্ থাদা তুবি মনিং তম্‌দবরা ॥ * ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওচিংলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা মচি চন্নাইবা থিমচংলাং কোরৌ কাপ্‌থরাং মালেম্ তম্‌পাক্ লেকেন্ফাওবা তেন্‌কুম্বা তুপি ফম্‌মিল্না লাইরেল্ ফম্‌থুম্‌হল্না কৎলৈপুংময়োল্ নিংথোং মাওবীরোক্ মাল্থক্ থয়াইরোল্গী নয়ু চীরেল্ লাংযেনথক্ চোইনৌ স্না ফম্বাল্লাংবু সুমতিন্ লইকোই ফম্না কোইবেং ফম্বাল্ হম্ভোংফবা পোনবী গরুর লান্তান্বগী তুবি থয়াং মথৌমল চুঙসেল্ মরাল্হৌদি হাওরৈ লাইনা পা'বরম্ খোইমোম লাইরেম্মা য়াইরি সম্বালথো'বু তেংথানবী

থুংলরবদা ঈশিং পীবিবা অথোইবা লাই ওইরবা মবুংৌ নোংদা লাইরেল পাখংবগা অথোইবা লাই শ্রীগোবিন্দজীগা লাই অনিগী খুৎয়াদা অথোইবা নিংথৌহুনা মথুং লোম্নরগা শন শানা কুন্থহুনা খুরুমজরগা নিংথৌ মহাক্কী নুংঙাইরবা, খ্বাইদগী অথোইবা য়ুমশাদা শাহুনা হেক য়েংবদা অপাম্বা পোক্লরবা, বেঙ্গী ঙম্বা মতমদা শাবা মোইবুংগুম্বা ফজরবা পোৎশিংনা পাক্লা শন্দোক্তুনা মথক কুপ্লিবা শঙহুগী মন্নুংদা মনীং তম্না লেনখি ॥ * ॥ অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবা ময়াম্বা থৌশাদবশিংগী ময়ুম চঙবা লাংগুম্বা অতিয়াদগী কাপরকপা লৈপাক্কী লৈরোন পুন্নমক ফাওবা তেনগুম্বা নিংথৌসিনা অমুক হন্না নিংথৌ ওইহুনা নিংথৌ মফম লিল্লরবদা ইম্ফাল সহরগী ময়োল ওইরিবা কংলাগী মন্নুংদা লৈরিবা নবুথৌগী মচা অনিগী অমসুং মহুবু য়ো'ম্লবা ময়োনশিংগী লৈফম ওইরিবা মনীংদা শুকপা মৌবীবোক্, ময়ায়দা লোনশিন্দুনা লৈরিবা চীঙথক কৌবা মফমদা চিরেল লাংয়েনহুগী মথক্তা তোংহুনা সনা শাবা ফম্বাল, লৈপাক পুন্নমক্কী তিন্নফম ময়ায় ওইরিবহুদা ফমহুনা পুন্নমক্কী মকোক্লা কোয়শিল্লবা ফম্বালদা হাম্না নীংথিনা ফম্বাল তোংগ্রবা, গরুর উচেক্লা লান্দাহুনা লানফা তান্নবগুম

মথংলেন খোইমোম্ লাইয়িংথৌ চীংরাং নোংমাবা সম্লাং ফায়েংনবা চরৈ ফিসেংনবা, কাংক্রু সিংলেন লৈরোইনবা উনচিক্ রাক্তচিক্ য়িবু ১০ চারোইনরা লাইয়িংথৌগা, তুবি কোবৌ নোংমাবা থিরেল চবুক্সুংগী য়িস্তুন্বা লিনরাই য়িমরুদা থৌন্দা লাইয়িংথৌগা তুবি মতোম ফুচিন্না, লাইরেল মতোম কামমিন্না চীঙলেন ফৈতুপ্ কক মালেম লৈকন্ য়ান্না লম্য়েনরাই খোইমোম সম্পুম্ মহারাবা চীঙ্রংনোংমাবাগা তুবি কোরৌ নোংমাবা লোল্লাং পাখংবগা অনিমক্না চীঙলেন্ ফুম্নকন্ তৌ মালেম্ লৈকন্ য়ান্না লম্য়েন্নঙমএ॥ অতুনোংগীবু ফুমনোং-ও কৌববু মিয়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা প্রুম্-ও তৌনা কৌএ॥ রোইনম্-ও কৌবদি কদোনোংগীনো॥ লহাল্নোং হয়িঙৈদা চাক্পা রোইনম্ মচেৎমানা লোইবী মচীং কানা ওইখিএ হায়বগী ওইনম্-ও থোম্নৈএ॥ ওইনম্ প্রুম্ মপুংয়াইদা মদাইরেম্

তাম্নবা ঈশিং পীনবীবা লাইগুম্বা মহাক্না মথা য়াঙনা শীজিন্নবগী মমল্, চুঙ শেন্নতুনা লান্দাখিবগী মতৌ-মওংদি অরাং হায়বা লাইনা লৈবা মায়কৈবোমদা য়াইরীনা মশম ওইনা পানবন্ শৈশরুনতু তেংথনবী লাইরেম্বীগী মপুবোইবা ওইরিবা, নোংগা শম্নবিবা অরাংবা চীঙদা পানবা মশম ফানা হেক্তা য়েংপশিন্দুনা পুনবদা ফিজেৎ ওইনা শেংনবা চীঙলৈপাক্না লৈগী উফুল ওইনা মশাদা তৈশিনবা পুমচীক চিক্রবা কুম্বী-কালেন কংবা কংবা লৈতনা চেল্লবা ঈশিংবু চাক ওইনরবা লাইয়িংথৌগা অতিয়া মথক্তা নিংথৌ ওইতুনা পাল্লিবা ঈশিংগী লাই ওইরবা উরু উক লৈশিল্লিবা লংজিন থিবগী অথোইবা ওইনা পুল্লিবতুগী ময়ায় মন্নুংদগী হৌরক্পা লীনরাই লৈয়াংকী তুবেলশিংগী হৌরকফমদা থৌ ওইনা মথৌ তৌরিবা লাইয়িংথৌগা লিন অনীনা লাইরেল মশাবু মশানা কামশিনবা অমসুং ফুজিন্নবা অতুগুম্না চীঙজাও ফৈনা ককথত্তুনা অকনবা লৈপাক শন্দোক্তুনা লম য়েন্নখিবা মফম, পাপী অনীমকী মগুণ চেল্লবা সম্বুম মহারাবা কৌবা, চীঙথক অরাংবদা অতিয়াগা শম্নবা মফমদা পানবা লাঈগা ঈশিংগী লাই ওইরিবা, অতিয়াগীসু নিংথৌ ওইরিবা লোল্লাং

খুদোং থিন্‌কাপ্‌লোই হেন্বা লোইথৌববু নোংমল্ নোংগীবু ৱাকাওদনা লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা তুবি কাপ্‌ৱাইরাংগুম্বদি পোইরৈ থুন্‌চা হৌ তায়িম্ নাইচা হুপনা ওইনম্ মচীঙসাং প্রুম্ মপুং-য়াইদা চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সনথাং ১০ লান্ থংনং নৈতং লেংনা লোইবী মরোল্ লোন্‌কা থুম্ মরাল্ লান্‌কা তাক্ মৈবী তাংকোই পাই মৈথু নোংল্যোন্‌কা সাইবু মৈতাল্ পক্ চৎলম্ ফান্‌সাং থুম্ হুয়েল্ লাম্নি-কিদি প্রুম্ লম্‌কেৎপা ক্রফেং লান্‌থৌয়াংবু কাইনা হুল্লে॥ তুবি সনা মচুঙ্‌সেন্ হুয়েল্ মরান্‌হৌদি লাঙ্গোই কাংজে হুম্‌তংবা সাম্নপুং নাইন্নু পান্‌চন্ তান্নফম্ মালং নোংমিৎসংগী তুবি মৱাল্ য়াচংলকপবু; মচন্ লৈমা তিক্‌হৈৎভবী তিক্তামপুং মনিংলৈমা সিল্‌হৈতপী সিস্তমপুং ঙাপা সেৎচা পুং ঙারা খাইচা পুং পোইরৈ খাংঙা কেথেল্‌লেন্দা পোন্‌বী চীঙ্

পাখংবগা অনিমক্সা চীঙগী অকনবা চীঙলৈপাক তৌহুনা অকনবা ভমগী লৈপাক য়ান্দুনা লম য়েন্নরম্মী। অহুগী হুমিতুগী মরমগীদমক ফুমনোং হায়না কৌববু মমিং চৎনা পাল্লবা চীঙমীশিংনা প্রুম হায়না কৌথি। ওইনম হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? থায়না মমাঙঙৈদা চকপাশিংগী ওইনম শাগৈগী মী খরনা চীঙদা কাহুনা ওইখি হায়বগীদমক ওইনম হায়না খোনখি। ওইনমগী প্রুমগী খুঙ্গংদা লাম্মী নোংমৈ থিনগাই হোগায়হুনা পান্নবা কাপ্পা মনাইশিং চীঙগী লোই থৌবশিংবু হাৎখিববু কাওবীদনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজীংলেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবা ঈশিংগী লাইনা কাপথরকপা লাংগুম্বা নিংথৌনা মৈতৈগী খুঞ্জা-নাইজা পুম্নমক হুপ্না হৌহুনা ওইনমশিংগী চীঙ প্রুম খুঙ্গংগা চুঙগী অৱাংবা ৬০ চোংখৎনা, শনগী ময়াংলেন অশাংবা ১০ লান্‌না চোংহুনা ফিংমংবনা খংনং কৌবা তানা লৈপাক্তা লেংবগী লোয়ননা চীঙমীশিংহুগী মীরোন পুম্নমক্তু শুনা হাতুনা ময়ুম পুম্নমক্তু পুমতাক তাকহন্দুনা মৈজাও থাবগী তাঙ্গোই পাই, মৈথুনা অতিয়াগী মরোন মরোন কাহন্দুনা য়ুমগী শাইদা অচাকপা মৈতান

কাক্লেন্, কাক্লেন্ সাগা মুনা কোরৌ নোংলোন্ পাইববু লাঙ্গোই সয়াংথক্তা নিগান্ পাল্গা তম্ খুদোং খিন্কাপ্পনা কাক্লেন্ পান্ছম্ থোবা লাইরল্ মৈতেংঙু ময়াং চেল্রাইনবগী লাইরেন্ মা মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মংাল্হৌদি অহুম্মুং মতোম্দে॥ হাওৈর লাইনা পাংববম্ হেম্বা রাপাচৌঙ লাথাইফাল্তোংচৌঙ্ তুবি চিরোং হায়নাইবা মকাইফমবু ঙম্লোন্ নাতৈনবা ওক্ফ্রুল্ খুনয়াই থাই যিরোক্ লাইচম কান্নাচোং লোইবী মচৌং কানা মুংবী মুংহারা মনিল্ ·াইববু ওক্ফ্রুল্ থেক্লাচন্গনো হেম্বা রাবোংনফরোই হায়ববু হোযয়াদবা রাগী লাইবেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন্ নোংক্রেন খোম্বদি তুবি যিকু মথিনাই লাইবেল্ মৈবু ওংনা পোইরৈ খুঙ্গা হুপ্ তায়িম্ নাইচা তিল্না থাগেন্ মখে লাংনা মুংবি মপুংয়াইদা

পকপা কাওবা লান্দুনা খুনগী লৈঙাক-থোদাফমগী থারিবা ফানশিং ফাওবা মৈন। পুমচাক্ চাকহল্লে। লাফম'না গ্রুমগী লান্দা অথোই-অহেন ওইরবা ক্রুংফং কৌবা য়াঙনা থোনা ফববহুব্রু হাংখি। ঈশিং পীবিবা লাইগী মতিক চেল্লবসিগী চুঙ শেন্নবগী মশেন্না অমম্মুং লান হৌহনা লান্দাবদি শগোল মথক্তা কাংজৈ কাংহুম পায়হনা শান্নবা মফম, পাঞ্জন মশীং খিনহুনা শান্নবা মফমদা লৈবা মুংশিংশঙ কৌবা শঙলেন্দগী নিংথৌসিনা মশাগী শঙ্গাইদা চঙলকপদা মচন ওইবশিং তিকপা হৈতববদগী তিকপা লৈবা তম্বা মফম, মনম্মা ওইবীশিংনা থবকশুবা হৈতবদা থবক শুবা তম্বা মফম, ঙাপা শেক্তুনা চাবা ঙরা থাবনহুনা চামিন্নবা মফম, মৈতৈগী লৈকায়গী ওইবা কৈথেলগী মংক্তা মশা মুবা চৌঙগী কাকলৈন (অমু সোবা) পাইববু শগোল্ মাক্তগী পান্দম্লগা বাইফল নোংমৈনা হৌনা কপুনা কাকলেন হাংপা ঙম্বা অগোইবা লাইগী মতীক ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙা চেন্না-চেন্না মশাগী খুংগায লোবা ঙম্বা নিংথৌসিগী চুঙ শেন্নহনা লান্দাখিবদি অহুনম্ম লোঈদ্রি। অরাং-নোংপোক পাংবা মাঈকৈ সামদা চিঙুমশিংনা কাবদা রাবা চৌঙ লাম্মী তংথায় তাপা পাম্বীশিংনা ফান তোংবগুম হৌরিবা চৌঙ, ঈশিংগী মপী লাইবেল

চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সন্‌খাং ১০ লান্ থংনং লৈতং লেংনা থমতৌ লৈপ্‌ত্রম্ চোংগুম্ পম্মেংথবদি মুংবী য়াকা চাইরে মুংথারা নেৎচৎ য়াল্লে, হুয়েল্ লাম্নিকিদি মুংবী লানচিংবা থম্‌লেং লানথৌয়াংগা মুংছাবা খুন্‌বু লান্‌চিংবগা ২ মানচিংনা হুয়েল্ লান্‌পুম্ ১০ মক্‌পু কাইনা হুল্লে ॥ লাইরেল্ ম্না মচুঙ্‌সেল্ তুবি খোংকাও মথৌ তাংমল্‌দি অসিম্‌মুং মতোম্‌দে ॥ নোংনেম্ লাইনা পাংবরম্ খোইমোম্ লাইয়িংথৌ লিরোন্ পথুপ্ লোন্‌বা য়াইরিরোক্ সাইতান্‌বা মার মখোংথুল্‌বু থিবাবম্, ফুমকম্ লৈরি লেতৌলম্-ও কৌরদি কদোনোংগীনো ॥ লহাল্‌নোং হয়িগৈদা তুবি য়োই নোংতা নোংতা লাইরেল্ পাথংবা কোরৌ নোংমাই তু মালেম্ লৈমাই

ওইরবা মচী অনি লোঙনা হাইদুনা চৎপা চীরোঙ হাইনবগী ময়ুম লৈফমগা হেক লোম্নিনা লৈরিবছুবু লাম্থোল্লগা ওকক্রুল্ (উখ্রুল) খুনগী ময়ায়দা চৎলগা লৈরম্বা চীঙগী লোক তাই করা লাল্লগা মুঙগী মুঙহার কৌবা চীঙথক্তা লৈবা খুঙ্গংবু মখুন চীঙৎক্কুদা কাথত্তুনা ওকগ্রুলগী মীশিংগা য়েক্ক-য়েংথিনগম্মু, রা য়াম্নছুনা থৎনগম্মু হায়ববু য়াদবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজিংলেন নোংড্রেন খোম্বানা পুক্লিংদা শাওনীংবগী মথৈ ফংদুনা লিম্না মমৈনা লেং ওত্তুনা চৎপগুম চত্তুনা মৈতৈগী খুঞ্জা-নাইজা পুম্নমক হুপ্পা তিন্দুনা থাঙশিংগী মখোল থোক্লা মুঙবী খুঙ্গংদা চুঙ ৬০ গী অরাংবা চোংখত্তুনা শন ১০ গী ময়াঙলেনগী অশাংবা লান্না চোংছুনা, খংনং কৌবা তা ফাওবা লৈতঙ্গায় লেংবগা লোয়নন্না সনা তৌবদা ফন ফন চোংবগুম চোংছুনা লাম্থেংনববদা মুঙবী খুঙ্গংগী মীতিম্নফম শঙ থুগাইরে, মুঙহারগী মীশিং মথক্তা নেৎ-নেত্তুনা য়াম্থরে। লানফমসিদা মুঙবীগী লাঞ্জিংবা লান্দা য়াংনা থৌনা ফবা থমলেংগা মুঙহারগী লাঞ্জিংবা খুনমফবু ওইবগা অসিনচিংবা লানফা ১০ থক হাৎথি। অথোইবা লাইগী মহী-ময়াই চেল্লবসিগী চুঙ শেন্নছুনা লাম্থেংবগী অমদি পুক্লিং থোগৎপীবদা মখোঙ থিনবগী খোঙ্গাওদি মসিনম্মু লোয়ড্রি। নোংনা নেমযবা লাইবা লৈবা অরাং মায়কৈরোমদা

তুবগা তিল্লি লৈন্দাওরেন লাইক্লেন্ তাওরোইনাই চীঙ্য়া ফৈথিংবা মালং য়েংগ্রাই লৈমম্না থম্কোল্ ওইত্রাই হুম্মন্না মালেম্ লৈকন্য়ান্ চীঙ্লেন্ ফৈক্তুপ. কক্না লম্য়েন্নোং চীঙ্ঙ্ মরম্খৈবু ৱাংপন্ নোংমাবনা চীঙ্লেন্ ফৈকন্ তৌ, লৈরি য়াংলি সোল্ য়োৎপী কাপতু লৈথৈ লেংনা লম্য়েন্নরম্এ ॥ অতুনোংগীবু থুল্ফম্-ও কৌববু পোইরৈ তাবা থিবনা পুংকম্-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী পুংকম্ মনিল্ নাইবনা হেম্না লোইকা হাংলবগী লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা থিংলোকাও ওকলেন্ লাবা লম্থোগুম্বনা লাইরেল্ য়িপা মৈতেংঙ্ তুবি চীঙলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা, লাইনেৎনা মালেম্ লৈথিংকাই খিংঙেন্ লাইজা য়িনম্ থাকুম্বগী তুবি মরোইরেল্নে ৱাংকোল্ লোইকারক্-ও হায়ববু কাদৱাগী লাইরেল্

পা-পীগী মতীক ২ মক চেনবা লিনা থুপচিল্লগা লোনশিন্দুনা শিবা, য়াইরিরোক্কা শাই তানা ময়ুম শাহুনা লৈবা লাইয়িংথৌগী খোঙ্গুল থিনবা লম. কুইরবা ফুমগী লৈপাক তৌবা লম ফুমকম লৈরি লৈতৌরম হায়না কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? থায়না মমাঙ্ঙৈদা লাইরেলশিংনা য়োকপা অতিয়াদগী কুম্নকপা নোংদা লাইরেল পাখংবমা অতিয়াগী মমায়গা মালেম পৃথিবীগী মমায়গা অনিমকপু ফাওনা লেংলিবগা তিলশিংদগী অরিবা ওইরবা অথোইবা তাউহুনা লৈবা লিন ওইরবা লাইরেল তাউরোইনাই কৌবা চীয়াদা ফৈনা থতুনা লৈরিবগা মুংশিং য়েত্তা লৈরে লৈমিন্নবা ওয়দা হুমলে হুম্মিন্দুনা অকনবা লৈপাক য়ানখায়হুনা অরাংবা চীঙজাও ফৈনা ককথতুনা লম য়েন্নবা মুমিত্তা অতিয়াগী নিংথৌ ওইরিবা লাইনা মাগী লমখৈবু চীঙলৈপাক অকনবা শৌখায়হুনা লৈপাকী ময়াঙ্ মনুং ফা না শেমখি। য়োৎপীনা লৈপাক্কা মখা অরোয়বা ফাওবা লেংহুনা লম য়েন্নরম্মী। অতুগী মুমিত্তুদগী থুলফম হায়না কৌবব্ মৈতৈ অশম্বা থিবনা ফুংকম হায়না কৌখি। চীঙদা মরাং কাইনা পাল্লিবা ফুংকমশিং মখোয় কাফম থোকপা লোই কারক্কবগী অথোইবা লাইগী মবুংঙো নাউজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা, তুংহন্দুনা চৎপা শা থৌনা

মৈতেংঙ্, মদাইবেম্ খুদোংথিন্‌কাপ্‌লোই কম্‌পু লাল্লোই মপুংফাববু পু তুবি চীঙ্‌খোং পুয়োক্‌লোই লাইরেল্ পুক্‌লোইবু ভাইথোইনবা, কল্‌হাং পাওয়ি মরাংহৌ, মারেম্ তোল্‌লোই মনিল্ নাইপুংকম্, হুইমৈ মপুংয়াইদা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেল্ মৈবু ওং চুঙ্‌লেপ, ৬০ চোং কাওরেল্ সল্‌থাং ১০ লান্ থংনং লাইতং লেংনা লোইবী চীঙ্‌মাই মরোল্ হু থৌপোম্ খোকলোই তু য়াংকেল নাফানি। খাম্বীমৈকা চেল্ হুয়েল্ য়াইসিং মুৎনা পস্থেংথবদি পুংকম্ য়াকা চাইরে, চীঙ্‌সাং লানয়াম্ থারে হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবা পুংকম্ লান্‌চিংবা মোংতু লাম্থোয়াংগা কম্‌লেং চীঙ্‌সাং লাম্থোয়াংগা ২ মক্কা চিংনা হুয়েল্ লানপুন্ ১৫০ মকৃপু কাইনা হল্লে॥ কাংরেল্ সলয়াম্ খোম্‌লে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ পুংকম্‌লান্

করবা শন, ওকলাবা নাইতোম চংপগুম্ব-া অথোইবা লাইপুল্লবা মৈতৈগী মবুংভো ঐবু পোকপীরম্বা ইপা ইবুংভো ঈশিং পীবিবা চীঙলেন নোংজ্রেন খোম্বা কৌবা লৈপাক নেৎথবদা লৈপাক থিনগাইহুনা মতোমতা কাংজহুনা থিংতেল ঈশিং মতোমতা কাম্বা চেম্থবগুম চেম্হনবা ইপা-নিংথৌনা চল্লম্বা অথোইবা লোইনি নিংথৌগী পুকৈলোই কারকউ হায়ববু কাদবদগী অথোইবা লাইগী মতিক লৈরবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মনাইশিং নোংমৈ রাইফল পংয়বা লান্মী কম্পেনী অমা মপুং ফারববু পুদুনা নিংথৌগী মপু য়োক্লবা মপু কন্নবা ঙাক শেল্লবা অথৌবশিংগা লোয়ননা কলহাংগী পাওয়িগী মাশিংসু মথুম-মবাং হৌনা, চীঙমী তোল্লোই কৌবশিংসু পুংকন পাঙ্গনবা উৎতুনা ফুংকমগী হুইমৈ কাংবু-শিংগী খুঙ্গংদা পুক্লিংদা অশাওবগা লোয়নবা মৈতৈ নিংথৌনা লাইরেম্না মমৈনা হাই হুমহুনা চংপগুম লেং-ওতুনা চুঙ ৬০ গী অরাংবা চোংথতুনা শন ১০ গী ময়াঙলেনগী অশাংবা লান্না চোংহুনা থংনং তা ফাওবা লৈতঙ্গাই লেংবগা লোয়ননা চীঙগী চীঙমায় ময়োল হুহনবা মথৈ থৌবোম পাম্বীশিং মখোক লোয়না তুহন্দুনা য়াওগেন্ পাম্বীগী মনাদা ফাবগা নীকথহুনা খুন তুম্না মৈ থাহুনা য়েক্লবা লান্মী ময়াম

চাই থৌবা হুয়েল্ মোংতু ফাবগী লাইবেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙ সেল্ মরাল্ হৌদি অতুস্নুং মতোম্দে॥ হাওরৈ খানা পাংববম চীঙ্লেন্ কৈ তুপ্সম্ তুম্বী লোক্লেন কান্না চোংনা লোইবী হাঙকম্মোন্ বম্মোন্ খুন্যাই খাই তম্ফা রাংঙম্লোন্ পান্থোইবীনা মপল্ লাইবু থুংকোরম্, হাওবী মচীঙলেন যোইবু খোইমোম্ লাইবেম্মা হৌবী চীঙমাবী মকাইফমবু ঙমলোন্ নাতৈনবা চসাৎ মবৈপুংদি তিংথিঙ্গুম্ লৌঙনযাম্ মন্নুং খোইবা লিম্নৌরাগী লাইবেল্ মৈতেংঙু তুবি চীঙ্লাই লান্তান্থৌগুম্বনা মদাইবেম্ চীঙ্খোং পুংযাক্লোই লাইরেল্ পুক্লনোইবু ঙাইবোইনবা নোংনেম্ খানা পাংববম্ লাইরেল্ নোংসা মথিনাই চুঙ্লোং মমাই হেন্থাংলেন্ মথে লাংনা চসাৎ মপুংযাইদা লোইব মরৈ কাই তাপুংচীঙ্বু তাক্না লেপ্না খৌসাথবদি চসাৎ রাইহুন্না হেম্বা মবৈ কাইনা পম্থেংলে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি চসাৎ মনিংথৌ নেংলম্ লান্থোযাং হাওবী চীঙ্সাং থৌথাবগা চন্লেন্ লান্থিংনাই নোংথৈ নাসিনবগা ২ মনাচিংবা হুয়েল্ লান্পুম্

হাতুনা লান শোক্করবদা ফুংকম খুন হুগাযহুনা চীঙমী লান্মী যাম্না মথরাই মাংহল্লে। লানফমসিদা ফুংকম খুনগী লাঞ্জিংলেন লান্দা য়াঙনা হৈ-শিংলবা মোংতুগা চীঙশাংহুদা লান্দা যাঙনা থৌনা ফববা কমলেংগা অনিসিনচিংবা লানফা ১৫০ থক হাৎখি। অহুগা খুনগী শা-শন মযাম খোমখি। অথোইবা লাইগী মতীক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ফুংকম্বু লান্দাহুনা থৌনা ফনা চাখাযবগা লানফা মোংতু ফাবগী চুঙ শেন্নহুনা লান্দাখিবদি মহুনস্নু লোযহ্রি। খা মায়কৈ পাংবদা অচৌবা চীঙজাওশিং তুবৎ শমহুনা চাওববা ভুম্বী কৌবা লোক লান্না চোংথোক্লগা চীঙ্মী কমশোনশিং মখুন কমসোনগী ময়ায ফাওহুনা মৈতৈ নিংথৌগী অথোইবী মচাইবেম্মা ওইবী পান্থোইবীনা মপাবুং লাই ওইরববু চাক্কৌ-যুংকৌখিবা মফম, পা-পী অনিমক্কী মতীক ময়াই লৈবী লাইবৈমা হাওবীনা ঙাক্লিবা চীঙবু যংননা লান্থোক্লগা চশৎ কৌবা খুঙ্গংদা লৈবশিংনা তিংয়িং কৌবা লমঙানুনা মীবু লৌ তৌহুনা মপুক্লিং

৬ মক্পু কাইনা হুল্লে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু হাওবী মচীঙ্লেন্ চসাং মবৈপুংদা থৌতোংবা হুযেল্ চন্লেন, ফাবগী লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্ হুয়েল্ মবাল্ওন্দি অহুম্সুং মতোম্দে॥ হাওরৈ নোংপোক্না পাংবরম্ রাইরং তাপংয়ি লেংখু লম্মপাক্ লেংলেন্ লম্মচুম মযু লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইনাই কৌবা চীঙ্থংখোম্বা খোংলেন্ মথুংফা নোংপোক্ রাইরং খোংবু কান্না চোংনা লোইবী হাও খাবান খুন্যাই খাই য়িরোক্ লাইচম্ লান্ চীঙ্সাং নাপোম্ তুপ্না অরান্ মবৈপুং হাইমী মচীঙ্সাংদা খৌ-সাবনো॥ অরান্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্নাং হযিঙৈদা খুন্বী পোংমাহল্ খুন্নু যোইচাখাগা মতৈ লৈমা লৈনাওতার্বীগা সেন্বী সিদবা করে। নাতাহৈবু খুন্ থিরক্পগী চাঙ্বুবোই লাংওল্লক্পদা হুংবী য়াসৌ নেৎ চীঙ্লেন্ যৌওম্ কানা লোইবী সিদাহৈবু খুন্থিরক্পদা খাবা পুন্না হুপ্, মচি পুন্না তিল্না সাবেল সাকোক্ কৎনা যোইচানওম্এ॥

ওন্হন্বগুম মস্নুংদা ফজ্রবা মপান্দ। অযবা শাহুনা মীনম্বগীদমক অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবংঙো, চীঙলাই কৌবা শাগুম্না শা-লানফানবা তান্নবগুম থৌনা ফববা নিংথৌসিনা নিংথৌ শেন্নবা মনাইশিং ঙাক-শেনবগী অথন্নবর্শিংগা লোইনন। নোংনা নেমথবা খা পাংববোমদা নোংশাগুম্না মবাং হোহুন। চুঙগী চুঙমা। উত্তুনা থাঙশাং মখোল থোক্লা চশং খুঙ্গংদা চীঙ্ম শিংগী মখুন কাযনবা তব্চিঙদা লেপ্তুনা লান্দাহুনা লাম্থেংনবদা চশং চীঙমীশিংবু রাইহুনবগুম হুন্দোক্তুনা চীঙমী খুন্দু থুগায়বা ফাওবা লান শোক্লরে। লানফমত্তু চশং খুনগী নিংথৌ লানফমদা যাঙনা থৌনা ফববা নেৎনল্লগা হাওবী চীঙশাংবু রাযেল্লিবা লান্দা মমিং চৎলবা, নোংথৈ মনাদা শিবা চনলেন কৌবগা অসিনচিংবা লানফা ৬ খক হাৎখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো হাওবী চীঙজাও, চশং খুঙ্গংগী লানফমদা থৌনা হাপকৎপীবা লানফা চনলেন ফাবা কৌহুনা মিংথোল্লবা নিংথৌসিগী চুঙ শেন্নহুনা লান্দাখিবদি মহুনস্থু লোয়াদ্র। নোংপোক মাইকৈ পাংবরোমদা লৈবা

চীঙ্খোং পোইরৈতোন্না সারেল্ মচী সাকোক্ ১বু খাগাথানা খাবা-সিদহৈবু মচি নাদাহৈবু লৈঙমলেনো হায়না লাংনা তমনা থৌত্থ মুংবু মুংলম্এ ॥ অহুনোংগীবু সাকোক্ মুঙ্খিল্ চীঙ্সোলাং-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী মচেৎমানা থাম্বী মৈবু লিংনা ওকৃপ্তমএ হায়বগী থাম্বী মৈরিং-ও থোন্নৈএ ॥ হেম্বা মচেৎ অমদা মতৈ লৈমা লৈনাওতাবীনা মানৌ চীঙ্খোং পোইরৈতোন্-ও লোইবী সিদাহৈ হেম্বা নাতাহৈবু থুম্বিবগী লোইচীং কারকৃপবু ব্লারে হায়না সোম্লম্এ ॥ অহুনোংগীবু অরা-ও কৌববু মথিম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা অরান্-ও তৌনা কৌএ ॥ সাকোক্লাং থাম্বী মেরিং অরান্ হায়মী লোইবী খুনগং ৬ মকৃপু লাইরেল্ মৈতেংঙ্না চুঙ্লোঙ্ মমাই হেন্না থাংলেন্ থুক্তাম্ থেরে মাংয়িন্না খোক্লাং তুংসোন্নবা লোইবী মরোল হু চীঙ্সাং খোক্লোইতু থাম্বী

লেংখু লেংলেন কৌবা তম্পাক্তী লমদা লৈবা ঈচেল তাপংয়ি কৌবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো মবুধৌ চীঙথংখোম্বা মী পুন্নমক্কা ঙাইশেন ওইনবনা মথুংনা শেন্নবা চন্দ্রখোং খোংবু লাম্থোক্তুনা চীঙগী খুন হাওখাবানগী ময়ায়দা চৎলগা চীঙগী লোকচাও কয়া লাম্থোক্লগা অমুক চীঙগী চীঙনাপোম লাল্লগা লৈবা হাইমীশিংগী চীঙশাংগী অরান কৌবা খুঙ্গংদা লান্দাখি। অরান হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা মুনিত্তগীনো? থায়না মমাঙ্ঙৈদা অহানবা খুনগী মী ওইবা অবিবা মতম্না য়োকপা চাখাগা মৌশিং চল্লবী মতৈমা লৈনাউ তাবীগা অরাদা শিবা লৈতবা কবোদা নাবা চঙদবা হৈবু হৌবা খুনবু থিবকপনে চীঙগী ওইনা লাকপদা ময়া অথোবনা শৌ শাববা নুঙজাও নেত্তুনা য়োবদা ওন্নবা চীঙ্জাও কাহুনা চীঙ্গী শিবা চঙলোইদবা হৈ হৌবা খুনবু থিরকপদা খাবশিং লোইনমক হুপ্না মচী (তাংথুল) পুন্নমক তিম্নহুনা অচৌবা শাগী মকোক কত্তুনা মুংশিনা ওক্লমী। মহুনা লাইগী ঙমথংগী মতীক-ময়াইরবা পোইরৈতোন্না মচীশিংগী শা মকোক অমনা মখা থারগা খাবশিং লম, মচীশিংগী মফমসিদা শিদ নাদবা

মেকাচেন্, হুয়েন, য়াইসিং মুংনা পন্থুংণবদি লোইবা লম্কেৎপা মরেম্ য়ুম্কনচাবা হেন্বা য়োমলোই হৌববু কৈথোই চারাই লাংকুম্ থুগাইরে, হায়দবরা॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ অরান্ লম্চন্থোবা রাংকোন্ লোইকাতোন্বগী লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙসেল্ তুবি অরা থোক্তোংমন্দি, লম্লেন্ চিমি লোক্লাংবুং চাখা সল্লুংথেল্ কাংকোই নোংতম্য়ি রাংচিং লোক্লুথুম্ চৈরোক্ অচন্বাদা ঙিরুং রাকক্ লৌদা, সোংচি নাতৈ লোম্দা, সামু কোল্লোন্দা লাক্লোই পনচন্দনা সারেল্ সানিংথৌ সামু তোম্চৎপা গন্থা চীরেন, তোম্পোক্পবু কাইনা হুল্লে। লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙসেল্ মরাল্হৌদি অসিস্নুং মত্তোমদে॥ হাঙ্রৈ নোংপোক্লা পাংবরম্ সেন্বী কম্বেং খুন্কম্লেন্ রাইরং তোম্চীং চীঙ্ফৈতুপ্ তুবি চীরাং হায়নাইবা মবাইমং হৌংলূ লাইজা তোবে থেক্পু কান্না চোংনা লোইবা ওাওচা তোংচা তোং খুলয়াই খাই লম্লেন্

হৈবু লৈরসন্থু হায়না লাংনা পাদম তম্লগা মুঙ য়ুঙলন্মী। অতুগী নুমিত্তুদগী শাকোক মুঙথিল চীঙসোলাং হায়না কৌখ। চীঙ্মী শরুক খরনা মৈ লিংতুনা ওরুন্মী হায়তুনা খান্বী মৈরিং হায়না থোনখি। চীঙগী লম অমদা মতৈমা লৈনাও তাবীনা শীবা-নাবা চঙদনা হৈ হৌবা চীঙগী খুন থিরকপগী, চীঙ কারকপসিদি রারেদা হায়না শোল্লন্মী। অতুগী নুমিত্তুগী অরা হায়না কৌববু মমিং চৎনা পাল্লবা চীঙমীশিংনা অরান হায়না কৌনখি। শাকোকলাং; খান্বী, মৈরিং, অরান, হায়মীনচিংবা চীঙগী থুঙ্গং ৬ মক্পু অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চুঙ নীংথিনা উৎলগা খুত্তা থাংশাং পায়তুনা তা পায়বশিংদা মাঙ্লোমদা তাজিন চীংলগা তুংলোমদা তামৈ ওস্থোতুনা, চীঙগী লৈমায় মবোল হুবা মখৈ চীঙদা হৌবা উখোক রাখোক মখোক লোয়না তুহন্দুনা মৈ থারগা য়েক্লবা লান্মীশিংগী মথরাই মাঙহন্দুনা লান থেংনবদা চীঙগী মীথোই-মীহেল্লবা মখোয়গী মখুন কঞ্জরিবা অথৌবশিংনা পুল্লপ হৌরকপন্থুবু কৈথেল রা লাউনা কায়হনবগুম থুগায়খি,

মপিথেল, থেল্লেন্ মথুৎক্তাবু ওন্থলোন, নাইনবা, খাবা লৌতাংখুল্ তাংখুল্ খুনৌরে-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ নম্বুরা চীঙ খোং পোইরৈতোন্ খোংফাং অংতোন্বগা মসাবী মতৈবৈমা লৈমা লৈনাওতাবী খুন্নুং ঙান্বা মপুনিংথৌ চন্থগা লোইবী সিদাহৈ হেন্বা নাদহৈবু খুল্লিবগী চীঙবুরোই লাংওনলক্পদা লোইবা ময়িমনা হেন্বা মসাইকোন্দা তাংলম্এ ॥ তাংলম কৌএ, তাংখুল্ ও থোন্নেএ। মখোই মরিনম্থু, করম্ খাবনো হায়না সোল্লন্এ, অহনোংগীবু খাবা লৌতাংখুল্-ও তৌনা খাবা লৌতাংখুল্ তাংখুল্ হুংতুং খুনৌ মনিল্ নাইননা হেন্বা লোইকা তাম্বগী লাইরেল্ মৈক্লেংঙু তুবি চীঙ্লাই লাংগানবন খোইঙাল্ য়িমচং থৌকুম্বগী তিংমেল্ মযিন্লম্ থাংলেন্ মহাইখাক্নে, চবৈ ফিপাল্লোই কাইরেল্ লসিং লোইবু রংকোন্স লোইকাবক্ ও হাযববু কাদরাগী লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন্ নোংত্রেন খোম্বা। ওম্যা মুংসিং মঙাওহৌ থেন্থৌ হায়যে। অখোইবা লাইগী মঙণ চেল্লবা অরান খুনবু লোই চনবদা থৌনা কববা, লৈম-নিংথৌগী লনপৈ-পুকৈগী লন-থুম হেনগৎহন্নবা লোই কাহন্নবা শিল্লিবা থৌনা কববা নিংথৌসি চুঙ পাযহ্নুনা শোক্লখিবা লানফমদগী অন্নাবগা থৌনা হাম্নীবসিনা চিবী লোক্লাওবুং চাখা শল্লুংথেল কৌবা কাংগোল যান্না থোকহনবা ইচেল্লনা চেল্লিবা য়াংজীংগী মমাঙলোলদা লৈবা হৈবোক্তা লীনা মযা ফাকপা শোং শান্নবা লৌদনা, শোংগী মচীদা লোন্দুনা ফাজিন্দনা শামু ফানবা পনগোয় খাজিন্দুনা শেমদনা শাশিংগী অখোইবা নিংথৌ ময়া অমতা হৌবা শানুগঙা নাইতোম চৎপা শাবু ফাখি। নিংথৌসিগী চুঙ পায়হুনা চুঙ শেন্নহুনা লান্দাখিব দ মসিনস্থ লোযত্রি। নোংপোক মাযকৈ পাংনবোমদা মীবৈবাক মচাশিংনা কমেং খুনগী নোংপাকলোমগী নাইতোম ওইববা চীঙবু কৈনা লাল্লগা ইশিং পীবিবা, মচী অনী লোংবনু হংইহুনা চৎলিবা লাইগী লাইকমদা চেনবা থৌবাল তুরেলগী থেকচিনবা তেবৈবু চোংথোক্পওম লাল্লগা চীঙগী হাওচা তোংচানা মথন্তা খুন্দানিবা য়াইথাই কৌবা লমগী

মখে লাংকুম্ তুবি থিংহু মাখিনাই লাইরেল্ মৈবু ওৎ পোম্বইরে থুঙ্গা হুপ্ তারিম্ নাইচা ভিজ্ লোইবী মচীং কানা চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সল্থাং ১০ লান্ থনং লৈত্তং লেংবা পম্বেংথবদি তাংখুল্ য়াকা চাইরে, মরাল্ থুম্বী মৈমাংচল্ মেৰী তাংকোই পাই মৈথু নোংলোন্ কা সাইবু মৈতাল্ পক্ চৎলম্ কান্‌সাং থুম হুয়েল্ য়াইসিং মুৎনা লোইবী মরোল্ লোন্‌কা থুম্ মরাল্ লান্‌কা তাক্‌লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী লম্-কেৎপা তুয়া লান্‌চিংবগা, অসেন্নং লাম্বোয়াংগা ২ মক্লাচিংনা হুয়েল্ লান্‌পুম্ ২০ মক্পু কাইনা হল্লে॥ লাইরেল্ মা মচুঙ্‌সেল্ চুঙ্‌সেল্ মরাল্‌ওন্দি অহুম্বুং মতোম্‌দে॥ নোংনেম্ লাইনা পাংথরম্ কাইলম্মথক্ লম্‌লোইলম্মক সায়োল্ লম্মথে ময়াই থেংক্রুচীঙ্ মংলোম্ য়িরুথোংবু কান্না চোংনা মদাইরেম্ তাকুপ্ মাবৈমাবী হাওহু সাইতোং মখিম্‌নু লৌসিংবীনা লাইরেল্ কোরৌ য়িনোংথৌ তুবি চীঙ্‌লেম্‌নাও নোংক্রেন্ খোম্বা চোইনৌ মা চোঙ্‌তোম্লেন্‌শুম্বা-ও॥ লহাল্‌নোং নয় তুবি য়োই-নোংতা নোংতা লাইরেল্ পাথংবনা কোরৌ নোংমতোল্‌গী খুল্‌কুমপুং

মীশিংনা শেম্বা চীঙগী থেলগা হেক থ'নরিবা লমবু লাম্বোক্লগা লৈবা লম্বু খাবা লৌতাংখুল তাংখুল খুনৌবৈ হায়না কৌথিবদি কবি তৌথিবা মুমিত্তগীনো? নবুধৌ লাইশিং ঙমথং ওইরবা মচীন-মনাও পোক্‌মিন্নবগী অতোনবা ওইরবা পোইবৈতোন্না থায়নঙৈগী ঙানবা য়েক্নী নিংথৌ মচানুপী মতৈমা লাইনাউ তাবীগা শীবা চঙদবা নাবা থুংবা ঙমদবা হৈবু পানবা চীঙগী খুন থিহুনা চীঙমী ওইনা লাকপদা চীঙ্গ্‌মীশিং ময়ুম মনাক, চীঙগী খুন্দা তাংলম্মী। অহুদগী তাংলম হায়না কৌথি, অহুবু তাংখুল হায়না থোন্নখি। খোয়জেন-লিংজেন অমুক শাথীনা করিগী থাবনো হায়না শোল্লম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী থাবা লৌতাংখুল হায়না কৌথি। থাবা লৌতাংখুন্দা লৈবা হুন্দুংগী তাংখুল খুন্নৌদা মুংঙাই ময়াং কায়না পাল্লিবশিংনা চহীগী লোই কাবক্রবগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কৈজেংলাং কৌবা

চায়খিদি হৌনা মৈয়েল্ তোম্‌সৎলম্‌দি অসিনে হায়না সমু খুৎপু থিন্না পাওতাক্‌য়াইবু ঙম্‌লোনা নাতৈনবা মোল্‌চু মপুংয়াইদা খোঁসাবনে॥ মোন্‌চু-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্‌নোং হখিঙৈদা খুম্নং লোঞ্জা অরিবা লোম্লাং পাখংবা তুবি কোবৌ নোংমাবরু নোংচু-ও কৌববু ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইথনা মোন্‌চু-ও থোন্নৈএ॥ মোন্‌চু মনিল্ নাইবনা লল্লোং মপুংতাক্ লোইবী মবৈ কাইনা পল্থোংরাগীগা ঙামৈ মপুংয়াইদা খোইবু মটিন্ তুম্ সাইবা মথা সাবারাগীগা লোইবী থুন্‌কং ২ মক্লা লাইরেল্ কোবৌ য়িনোংথৌ থোইময়াই লাইরেল্ তাওতল্‌বা মুমিং খোইরেল্ থাংকুম্বা-ও লোইবী কোংয়াং সৌসাবা মোল্‌চু মনিল্ নাইবাবু হেম্বা মপুংতাক্ লোইবী মথৈ ফংনা পল্থোংবী-ও, তুবি থয়াং নথৌমল্

কৈ মরক্তগী শা লাকপদা থৌনা ফবদা শীংথাববা কৈছুগুম্বা নিংথৌসিনা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঐবু পোকপীরম্বা ইপা ইবুংঙো, চীঙলাই লাল্লাবগুম লামফা কাবা খোইঙাল খোইশিংনা থৌনা ফনা য়েরুবগী মবুমদা চঙবগুম থৌনা ফববা ইপাইবু ঙোগী তানা ইনথাররম্বা লম, থাঙনা হাইরম্বগী লেমহৌববা লোই চল্লবা নখোঙৈনি ফি অমম্নং লশিংগী কাইবেল লোইপোৎ কাবককম থোকপহু কারকউ হায়রুববু কারক্রুবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজিংলেন নোংজ্রেন খোধানা তময়াদা শিংপা ঙাওববা মুংশিংনা হুমকপদা মুঙলক্তা হৌবা তৌশিংনা মথোল থোক্লা লাংলকপগুম নিংথৌহুনা খোরশাঙ-লিনশাওনা লাইবেল মমৈনা ওত্তুনা লেং-ওৎপগুম চত্তুনা মৈতৈ লৈপাকী খুঞ্জা নাইজগী মী পুম্নমক হুপ্পা হৌহুনা চীঙমীশিংহুনা পাল্লিবা চীঙ্‌তুদা কাখত্তুনা চুঙগী অরাংবা ৬০ চোং-খত্তুনা শনগী ময়াঙ্‌লেনগী অশাংবা ১০ লাম্না চোংহুনা, ফিংমনবনা থংনং তা ফাওবা লৈতঙ্গায় পেংবগা লোয়ননা লাম্থোংনবদা তাংখুলগী যাকাশঙ থুগাইবে। য়ুম পুম্নমক তুম্না মৈ থাহুনা অচাকপা তাজোই কোইপাই পাইবগা লোয়নমা নোংদোল্দা মৈথুনা প'বংশানা কাহুনা

লাইরেল্ নরলকুবু কোইর্বা য়িরৈপুংদা থাম্লে লৌকোই য়িল্‌গুম্ থাম্লগে হায়না পুক্নমচন্নবগী লাইরেল্ মৈতেংঙুদি লোইবী মপাওমেলবু নাতারবগা পোইরৈ খুন্‌চা হৌ তায়িম্ নাইচা হুপ্না মোল্‌চু মপুংয়াইদা মাইবা পল্লেন্ য়ান্ কুরাও পন্‌তাই সং থাংলেন্ মখেরাং চুঙ্‌কোং মপান্‌কুম্ খৈরে মচিন কাইনা পঙ্গেংথবদ মোলচু য়ংকা চাইরে, লোইবী হরিও লাইখন্ থুম্ খরা থেন্‌চংবিন্ সাইবু মৈতানপক্ চংলম্ ফান্‌সাং থুম্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি লোইবী মো'লচু লম্‌কেংপা কোংথোই লাম্থোয়াংগা হুয়েল্ লান্‌পুন ২ মক্লা চিংনা নোংমৈ ৩ লোক্ তিমেল্ তাপুন সা. ক্রাংচি চবৈ ফিয়াম্‌থোম্ লুপ চিংপুংপৈ চোইনৌ ম্না কোল্লাং চান্‌গা লাংকোই সায়া হেনস্নং খোম্লকও॥ অদুনোংগীবু লাইরেল মৈতেংঙু য়ুমগী শাইজিন্দা ফাওবা অচাকপা মৈতালপকপদু তাক্লে। খুনগী লৈঙাকশঙগী ফানশাং মযাম য়ানথারক্না হেক্কবা লাম্মী য়াম্না মথরাই মাঙহল্লে। চীঙগী লৈমায ফাওবা মরোল হুদুনা মযুম মকৈ পুমতাক তাক্লা মাঙহল্লে। লানফমসিদা তুয়াগী লাজিঙলেনগী লান্দা থৌবা অসেননংপা অনিসিনচিংবা লাম্মী ২০ থকপু হাংখি। অথোইবা লাইগী মগু। চেল্লবা নিংথৌসিগী চুং পায়হুনা শোক্নখিবা লানফমদি অহুনম্নু লোইদ্রি। লাইনা লৈবা নোংনা নেম্নথবা মারকৈ অন্নাং পাংবরোমদা লৈবা খ্বাইগী লমগী মথন্দা লৈবা লানলোই লৈয়াংকী মরু ওইবা লম, সারোল লমগী অবোয়বা লনথৈদা লৈবা ময়ায় থেঙ্গ্রচীঙদগী হৌরকপা মাংলেন কৌবা তুরেলবু লান্দুনা, তাকুপচীংগী খুল্লাকপী, লৌশিং শিংলবী হাওম্ন সাইতোং মথিমম্নুনা ননাইগী লাইবক নোংদম ওই রবা অথোইবা লাইগী মতৌক-ময়াই চেল্লবা, ঈশিং পীবিরিবা অথোইবা লাই ওইবিবা নাওজিংলেন নোংভ্রেন খোম্না কৌবা সনাগী চোঙগী খ্বাইদগী হেন্না রাংলবা মতোনগুম্না ও। থাইন, মমাঙভৈদা নোংমদোলদগী কুমথ-রকপা. ঈশিং পীবিবা লাইশিংনা নাউয়োক নাউকোন্নবা মতম চুম্নদা পাথংদা ওইদুনা লৈবা মবুধৌ পাখংবনা নোংমদোলগী কুমথরকুনা

নাওজীংলেন্ নোংত্রেন, খোম্বা কৌবদি কদৌনকে।। মুম্বা কারে, সেল্‌কোই তোংলে, লাইরেল্ মৈতেংগু লোইবী মোল্‌চু ঙম্বা হুয়েল্ কেংঙোই ফাবা-ও তৌনা কৌএ। লাইরেল্ মৈতেংগু লোইবী মোল্‌চু ঙম্বা হুয়েল্ কেংঙোই ফাবগী তুবি সম্বা মচুঙ্‌সেল্ চুঙ্‌সেল্ মরাল্‌হৌদি অসিসুং মতোম্‌দে।। অরাং কৌবা লম্মথক্ য়িচোই য়িমরু য়িথোই চীঙ্‌মৈসম লম্‌লোই য়িথিংকোন্‌বু ঙম্লেন্ নাতৈনবা মখান, মখেল্ মপুংয়াই খোসাবনে।। মখান্ ও কৌবদি কদৌনোংগীনো।। লহাল্‌নোং খোইনৌ নোংবালচমু মতা ৬ মক্ষা অরাং কোয়ৌ নোংকাঙৈদা খোইয়ুম্ লাইনা কাবগুন্ কাখিএ।। অচুনোংগীবু মখান্-ও থোন্নৈএ।। পুংতোং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো।। লোইবী তেংথানা হেম্বা মীকৌনা চীঙ্‌লেন্

ই-লাংনা মৈ হৌগৎলগা অথোইবা মৈফম লিংথুনা খুন্দাফম থিরকপা মফমদি অসিদনি-হায়না খুৎথিন্দুনা তাক্লম্বা মফমচুগী মনাক্তা চতুনা লাম্থোক্লগা লৈবা মোনচু কৌবা লমচুদা লান্দাখি। মোনচু হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো? থায়না ২ মমাঙ ঙৈদা অহিবশিং লোন মতম ওইরবা লোল্লাং পাখংবা কৌবা অতিয়াদা পাল্লিবা লাইবু নোংচু হায়না কৌনববু মমিং চৎনা পাল্লিবা চীঙ্‌মীশিংনা মোনচু হায়না থোল্লি। মমিং চৎলবা মোনচুশিংসিনা লান্দাচুনা ল্যাল্লোং কৌবা খুন খুগাঙখিবগী অমসুং ঙামৈ (অঙ্গামী) শিংগী খুন্দা খোইবী নিংথৌগুম মচীন তুম্না শাইতিংখংগী অথৌবা অতুম্বা মচানগুম য়েক্লবা ওইখিবচুগী হায়রিবা খুঙ্গং অনিসিনা—হে অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মালেম তাইবংপানবু য়োকপী-থাকপীরিবা মুমিৎ কৌবা লাইগী খোয়রেন থাঙ-গুম্বা চীঙ্‌মী ঐখোঙ্গী নোংমদোলগুম রাংলবা নিংথৌরেল-ও, রাগী মচীন তুম্নবা শৌ ওঙ্গরিবা মমিং চৎলবা মোনচুশং অসিবু মখুন মাং-তাকহন্দুনা মখোঙ্গী মরীল তকপা ফাওবা লান্দাবিয়ু, নিংথৌ নঙ্গী নপাঙ্গল মরীংজেনগী মমল অমসুং নিংথৌ নঙ্না চানবী—মুংশিবীবগী মশক্তুবু ঐখোঙ্গ ঐখোঙ্গী ইখুলদা লৌবুক্তা ঙল থানবগুম উতুনা

নাপোম্ থন্ লোইবী মনিল্ নাইনা হেন্বা খুনৌ তোংরবু পুং-ও কৌএ॥ থোইবু নোইন্থু থুমসৌবী থুম্‌লৈমা থুমথোক্‌খোংবু তোং-ও কৌএ॥ অন্থুনোংগীবু পুংতোং-ও তৌনা কৌএ॥ মথান্ মথেন্ মরৈপুংদা হেন্বা য়াংলৌ পোংথিল্লোই ১০, চাপুয়োইবু নোংমল্ নোংগী রাকাওদনা লাইরেল্ মৈতেংঙুদি পোইরৈ অথম্ মীপোক্‌পা অথৌ লাংকোন্‌বা তুবি চীঙ্‌খোং পুয়োক্‌লোই লাইবেল্ পুক্‌লোইবু ঙাইরোইনবা লোইবী খেন্‌চিচীঙ্ মথাল্ মচীঙ্‌সাংদা তুবি থিংকু মথি নাই লাইরেল্ মৈবু চৎনা চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওরেল্ সন্‌থাং ১০ লান্ থংনং লৈতং লেংনা তাচিন, মৈরি থোক্‌না খেন্ তৌ মথি নাইগুম্ পন্থেংলে, মথান য়াকা চাইরে, চারাই নেৎচৎ য়াল্লে॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি মথান্ মনিংথৌ

লেল্লজগে—হায়না থুরুমজরবদা অথোইবা লাইগী মতীক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা রাফমসি তাববদগী মৈতৈ লৈপাক্কী পুন্না হোৎ রুবা খুঞ্জা নাইজাগী মী পুন্নমক্কা লোয়ননা মেনচু থুন্দা লান্দাহুন। শাগী তিংখংনা শারিবা পন য়ানথায়হুনা, তিংখং পাল্লবা কুবাউনা পনগী তায়নফমদা য়ুংলিবশিংহু ফুক্তোক্তুনা, থাঙগী মখোল থোক্লা চুঙ্না য়ৈশিন্নবগী মপান মচেৎ মচেৎ কেল্লহুনা রাগী তাখোক্কী মচীন কায়বা ফাওবা লান থেংনরবদা মোনচুগী খুনঙাকশঙ্ থুগাঈবে, চীঙ্গী শাগী লীক ময়াম যান্দুনা য়ুমগী লাইখন তাবিবহু লানগী মৈন্নিনা থুমহন্দুনা, উফৈ-রাফৈ পুন্নমক কীন্থহন্দুনা অমস্তুং য়ুমগী শাইজিন ফাওবা অচাকপা মৈতান পকহন্দুনা লৈঙাক খুনঙাক্কী ফানশাং পুন্নমক তুন্না য়ানথাঈরে। ... নফম অসিদা মোনচু চীঙ্নীশিংদগী থোইদোক-হেন্দোক্লা লান্দা য়াঙ্না থৌনা ফরবা কোংয়োই কৌবনচিংবা লানফা অনি ফাখি, নোংমৈ অহুম লোকখি, তা-মপুন মপুন ময়ামগা ক্রাংজী ফি ময়াম অমগা মনা—লুপাস্থু চীঙ্গুম পৈবগী মওংদা অমস্তুং শামু ময়া ময়াম অমস্থু লোঈননা পুন্নমকসি খোম্নকখি। অহুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীঙ্লেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবা অসি কবিবু কান্নবনো, মুগী-অঙাংনস্থু চাল্লে, শেল-থুমস্থু

খাইরেং মনিংথৌ লাম্থৌথাংগা মখেন্ চীঙ্সাং পাওচেনবগা ৪ মঙ্গচিংনা হুয়েন লান্পুম্ ৩১ মক্পু কাইনাহুল্লে॥ লাইরেল্ মৈতেংভু লোইবী মচীঙ্লেন, হেম্বা থেল্পুংথক্তা খৌসাবা থোল্লাং থাংয়েনবগী লাইরেল্ স্না মচুঙ সেল্ চুঙ্সেল্ মরাল্ওন্দি অতুস্নুং মতোম্দে॥ হাওরে লাইনা পাংবরম্ তাওচীঙ হৈনৌবোক্ চেংচা রাপাচীঙ্ তুৰি চিরোং হাইনাইবা মকাইফম্ থৌবাল্ তোবৈথেক্পু কান্না চোং তাংখুল্ কাওসৌ মনিংথৌনা নুংসাং লোইথৌলম্ থোংনাং লোইহারম্বু ঙম্লোন নাতৈনবা লোইবী ফুসাখুল্ ওক্ফ্রল, খুল্লেন, লৈ ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ নোংবাল্ কাংবা নাহা মুংসন্ তান্বগী মসল্ মা'বী লিহেপ্পা কাওরেন্ কোন্তৈবো তেক্পী ওক্পু ওন্ঙৈ মায়েল, তুল্য়িন্নবক্এ। অতুনোংগীবু ওক্তাল্-ও

যাম্না ফংলে, অতুনা য়াইফরিঙৈসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী মোনচু ঙম্বা লানফা কোংয়োই ফাবা হায়না কৌনখি। অথোইবা লাইগী মতিক চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো লোইবী মোনচু ঙম্বা হুয়েল কোয়োই ফাবগী চুঙশেন্নবগী মৎং-মতৌ অমস্নুং চুঙ্ পায়তুনা লান্দাখিবদি অসিনসু লোঈদ্রি। অন্নাংলোমদা কৌক্রচীঙনা কোনবা লমগী মথক্তা লৈবা ঈথোই তুরেলগী হৌরবফম মন্নতুদা তুরেলতুবু লাল্লাগা লৈবা ঈথোইগী চীঙমৈতু শন্নগা লমলোই ঈখিং কোনগা থংননা লৈবিবা মখান-মখেন হায়না কৌবা খুঙ্গংদা লান্দাখি' মখান হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? মমাঙঙৈগী নুমিৎ অমদা লুরাং য়েক্কী নিঙোল চান্নবা মতা শান্নজবী ও মক্কা অন্নাংদা নৌরিবা লাইরৈপাক কারকপদা নোংদোন্দা মযুম ওইবা লাইনা কাবগুম কাথিরম্মী। অতুগী নুমিতুদগী মখান হায়না থোন্নখি। পুংতোং হায়না কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? চীঙমীশিংগী মরোন্দা চীঙদা তোংবশিংনা হায়নবদা চীঙমীশিংনা খুন্নৌ চোংথোক্তুনা চীঙ্গী নাপোম থন্না মমিং চংনা পাল্লকপবু পুং হায়না কৌই। লৈমা-নিংথৌ কোনগী ফমথোন কাবী, লোইপোংশিংগী

থোক্লেএ॥ তেক্পী মওকচানা খুনা লাওনা কামভমএ, অচুমোংশীবু ওকথু-ও কৌববু ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা ৎকৃক্র-ল্-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈডেংঙ্-না ওকৃক্র-ল্ মপুংয়াইদা হুংতুং ৱারোংনা সায়াম্ য়েরুচনগনো হায়না পাওমেন্ববু হোয়্ফদবা রাগী, লাইরেল্ য়িপ্পা মৈতেংঙ্ তুবি চীঙ্-লেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা মালংয়াইবী কাওশম্বগী তিমেল্ মনিল্লম্ থাংলেন্ মহাইখাক রাংকোল্ পুকৈ খোইনে॥ কৱিগী হুংতুং য়েরুচন্ববো॥ তুবি থিংকু মথি নাই লাইরেল্ মৈবু ওং পোইরৈ থুলচা হুপ্ তায়িম্ নাইচা িন্ মদাইবেম্ চীঙ্-খোং পুয়োক্লোই লাইরেল্ পুক্লোইবু ঙাইবোইনবা ওবৃক্র-ল মপুংয়াইদা খাম্বী মেনোং-খোংশুম্ চুঙ্-লেপ্, ৬০ চোং কাওংেল্ সন্থাং ১০ লান্ থংনং লৈওং

মবক্তা পীবত্তবা শীংথাংব থুমনা শৌবপা হুমগী মবেন্থগী থুম থোকহনবা খোং অহুবু 'পোং' কৌই। অচুগী মনমগী পুতোং হায়না কৌথি। অথোইবা লাইগী মতীক ময ই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা মথান-মখেনগী থুল অসিন, পোথাং পুবা, থকপু হাংখিব কাউথোক্তনা মৈতৈ লৈপাক্কী খুদোংথীবা তাববা মীশিংবু কন্দুনা অমুক পোকপীবশুম লাংগোনবীবা অকন-অথৌশিং অচুগা নিংথৌগা লেমচুনতা লৈরবা মপু য়োকথংপা অমম্বুং বনথংপগী "বক্ত" [illegible] মন ই [illegible]থৌ [illegible] [illegible]ইননা খেগী মচি থেল্লব মখানগী চ[illegible] অ[illegible] ওবগ [illegible]ইনববা মৈতৈ নিংথৌ[illegible] ল ই [illegible] [illegible] [illegible] যঙন চু গী মবেপ ৬ চোং[illegible]তুনা [illegible] য[illegible] [illegible]গী [illegible] বা [illegible] [illegible]ং[illegible]না, থুমন-খিব[illegible] [illegible] য [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ক ক প[illegible] ম তে ভিন্দা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথ[illegible] থুন থুগ ঈচুন [illegible]ই খুক শি[illegible]বু [illegible] [illegible]নচুন থাম্ব[illegible] [illegible]নফমাঙ্গদা মখাল নি[illegible] ম ন [illegible] [illegible] নিং[illegible] [illegible]খেন চীঙশাংদা লানপাউ চে[illegible]বগা ৪ অনি[illegible]চিংব [illegible]ফা থক[illegible]খি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো চাঙ-চুগী চাঙথক্কী খেন্দা

লেংমা পম্লেংখবদি ওকৃফ্রুল্ য়াকা চাইরে, লোইবী রাইহন্নরে ।। লাইরেল্ মৈতেংঙু ওকৃফ্রুল্ য়ু চং য়ানৃবা নোংনেম্ লম্চন্ থৌবগী তুবি খোংকাও খৌ তোংমল্ চুঙ্সেল্ মরালৃওন্দি অহুম্ুং মতোম্দে ।। হাওরৈ থানা প্যাংবরম্ লাইরেল্ ঙাংঙোই য়োইমোংবা য়েইচীঙ্লেন্ তম্হৈবগা, খোইহৈতোন্ তাওহিংসাং সানৌ মচিন্ মনাওনা মোংবা তুতেং লম্ চকৃপা অঙ্গোযি কান্না হংবাকোল্বু ঙংলেন নাতৈনবা থৌহু মুংপাকৃথক্তা লাইজা য়িথোকৃরাই তিল্লি লিল্তাওরেন্ লাইবেল্ তাওরোইনাই লাইজা যিখিংলোক তুইচুম্ যিবোক্ কান্নচোং হেন্না চীঙসাং ফৈতুপ্ সম্ লেনতাও চীঙ্লেন্ থৌহু মু ঙৌ লুককৃরাই খোইমোম্ সম্পুম্ মাহারাবা চীঙঙ্ লাংপুম অরিবা মকাইফম আপুং মচন্ থেম্বী মযেন্খং মুরোক্

লান্দাহুনা লানখৌ শাখিবা নিংথৌগী চুঙ শেন্নহুনা লান থেংনখিবদি অহুনমু লোঈদ্রি লাইনা লৈবা মাযকৈ অরাং পাংবদা লৈবিবা হৈনৌ হৈ মরাং কাযনা পানবা লমমেন রাবা কৌবনা লৈবা চঙ ঈশিং পীনরিবা লাই চীরোঙ হাইনাইবা কৌবগী খুবম ওইনা লৈববা থৌবালগী তোবৈ থেকচিল্লিবহুবু লাম্বোল্লগা তাংপুন কাউসাগী নিংথৌনা নুংসাং খুন্দগী লোই খৌখিবা লম, নোংচুপ হাবমচাশিংনা লোই হাখিবা মফমগা হেক থংননা লৈবিবা লমহুবু হেন্দোল্লগা লৈবা মফমবু লোইবী ফুশাখুল ওকফ্রুল খুল্লেলৈ হাযনা কৌখিবদি কবি তৌখিবা মুমিত্তগীনো ? লুরাংগী কাংবা নহা মুঙসন তানবা কৌবগী থৌবী থুরগা মকোন্দগী নাম্বোক্তুনা চৎখিবা সন্না ওক ওনখিবা মতমহ্দা কাংবনা শাহুগী মতুং ইন্নবক্লম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী ওকশাল হায়না থোন্নখি। ওক অহুনা থুনা লাউনা কম্লম্মী, অদুদগী থেবখু হায়না কৌবব মুংঙাই মরাং কায়না পাল্লিবা চীঙমীশিংনা থেবফ্রুল হায়না কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুঙেনা ওকফ্রুল খুন্দা হুংতুংগা থৎনহুনা য়েংখিনবা তৌগনু হায়না হায়খিববু য়াদবা মরমদগী—অথোইবা লাইগুন্নবা ঐবু পোকৃপীরম্বা ইপা। মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা চীঙলেন্

সিসাম্বিয়েন মঙন লাইহুমস্থু মতোন, কোয়ৌ নোংপুরম্ মহৌ সরিক্ চোম্চাওয়াল্ তল্লা নোংপুকম্না পান্বাচীঙ্বু ঙম্লোন্ নাতৈনবা চীঙ্চুম্ য়িথোক্‌ফম্ লাইজা য়িফুৎকোম্ লোক্‌লেন্ অচন্‌বা তময়া লোক্‌মাই অহেন্‌বা চীঙয়া খুফম্ ফবদা য়াংঙম্ মীয়াম্ তিন্, পোইবৈ তেংকোল্ শিং চীঙসাং মনিল্ নাইনা তুবি খোংকাও লানতাখোল্ য়াংপল্ লেল্ হৈথাকুম্ববু সোংবগী মদাইবেম্ কমলু মনিল্ নাইবনা লাইরেল স্না মখেং খাদা চোইনৌ স্না খুতোল্ কৎনা তুবি কোয়ৌ য়িনোংথৌ ও লাইরেল নপা মৈতেংঙ তুবি চীঙলেন্ নোংদ্রেম খোম্বা খোইমোম লাইপোক্ সঙমংবা লোইবী ঙাঁমৈঙম্বা সারোল্ লানফম্ খাবা কোয়ৌ নোংখাক্-মৈগুম্বগী মপারী সারেল নোংসালানতান্‌বা খোইঙাল্ লাবা য়িমচংগৈ-গুম্বা-ও নদাইবেম্ লোইবী কম্লু মনিল্ নাই তায়িম্ চীঙসাংথনবদি

নোংদ্রেন খোম্বা, নোংলৈ-ন্নুংশিৎকুম্না কল্লবা কাওগুম্বগী তানা ইন্দুনা থাঙলেন্না হাইহুনা লোই চল্লম্বদগী লেমহৌরবা মথাক ওইরবা হুংতুংবু করিগী য়েক্লবা ওইবিবনো হায়হুনা অশাওবনা ময়াই কাহন্দুনা লাইরেলগী মমৈগুম য়াঙনা হাই হুংহুনা মৈতৈগী ২৪-ন ইঙা পুন্না হৌরবপ ন্মী শিংগা লোয়নননা নিংথৌগী অক-ফত্ত শেন্নবিবা মপু কনবা, মপু য়োকপা মনাইশিংনা থৌগল-তৌহুনা ওকফ্রলগী খুঙ্গংদাম্মগী নোংখোংবগুম খাক লাওহুনা চুঙগী মরেপ ৬০/৮০ চে থতুনা, শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০/১০ লান্না চোংহুনা, থুমনখিবনা খংনং তানা লৈতঙ্গায় লেংবগা লোয়নননা লান শোক্লবদা ওকফ্রলগী খুন্দম্নফম থুগায়হুনা চীঙমীশিংহু য়াই হুনবগুম মাংহল্লে। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ওকফ্রলগী য়ুমথোঙ খুদিং চঙ-চঙহুনা হাৎলগা অয়াং মায়কৈরোমগী লমশিং লোই চনশিনবদা হল্লেংদ্রবা নিংথৌসিগী লানফমদা খোঙথিন্দুনা পুক্লিঙ থৌগৎ-পীরগা চুঙ পায়হুনা ল্যান থেংনখিবদি অহুনস্থু লোঈদ্রি। খা মায়কৈ পাংবরোমদা লাইরেনগী মতীক্-ময়াই চেল্লবা ঙাংঙোই য়োইমোংবগ মনাউনিপা তাউথিংমা গা নিংথৌমচা মচীন-মনাউনা ভুরেল ভেংলম্ব

লাইরেল্ নোংসা ননিল্খোল চীঙ্লোন্ লৈকিস্তকুম্বাবু খোইরেল্ মসা থপকুম্ সোংকিনরে ॥ লোইবী য়িচীঙ্মাবু কাবিগনো হেম্বা য়িপুংমাবু থৌবিগনো । রাংকোল্ লোইকাবগে হায়না পুকংজবগী লাইরেল্ মৈতেংঙ্ মাওজিংলেন্ নোংদ্রেন্ খোম্বা চীঙ্নুং থরাক্ লৈগুম্বদি লোইবী মপাও মেন্বু নাতাববগী তিংমেল্ তানিংহম্ চুম্লোং মমাইলৈ থাংলেন্ মখে লাংববু চৈবংখিএ ॥ অহুনোংগীবু লাইবেল্ মৈতেংঙ্ নাওজিংলেন্ নোংদ্রেন খোম্বা লেনতৌ মচীঙ্লেন লোইবী মচীঙসাং গৌহু মুংঙৌ

অঙ্গা ঈনা চেল্লিবা লমা লাম্হৌক্লগা, হংবকোনবু হেক লোম্নবদা চত্তুনা হেন্দোক্লগা মুঙপাক মথক্তা ঈশিং থোকপগুম লৈবিবা তিল পুন্নমক্কী মকোক ওইববা লিন্দ'ওবল লাইবেলগী অথোইবা তাউবোই-নাইনা ঈশিং থিংগত্তুনা থম্লিবা লোক তুইচুম কৌবা ঈবোকপু লাম্হৌক্লগা চীঙগী চীঙশাং ফৈনা শমহুনা লেনঃউগী মুঙঙৌনা মরু লুকথহুনা লৈরিবা মফমগী চীঙ্গী পা পীগী মতীক ওইবা ঙম্বা শমজিন্নহুনা মপুম ওইখিবা মহাবাবা কৌবা অথোইবা লাই লাংবুম অবিবগী খুফম লৈবিবা মফম, অবুংগী মচন থেম্বীনা খঙলকপা সি-সা সি সা শাবা মোরোক্লা হৌবিবা মতীক্লা লাইশিবু কৌবা ঙন্নবগী মগু ওইববা মতোন্দা নোং পুননবগী লম্বী ওইববা শবিক অচৌবা য়ান্দুনা লৈবিবা মহৌ কৌবা মফম, উশিংনা লুমশিন্দুনা উরুম লাংনা পাল্লিবা চীঙবু হেক থংননা লৈরিবা চীঙ জুম্গী ঈফুৎ ফাওবিবা মফমগী অচৌবা লোককী লোক-মাযগা তময়া তাযনরিবা চীঙয়াগী খুভম ফববা মফমহুদা মৈতৈগী মীযাম তিন্দুনা তেঙ্গোল শাবগা লৈবিবহু চীঙশাংশিংদা পাউ মথং মথ তানরবহুদা অতিযাদগী লেল হৈথবগুম খোংকাও কন্না লান্দারগদবা অহুবু কিজকবদগী কমল্ হায়না মমিং চৎচববা চীঙমী ফুরুপ অহুনা মৈতৈ নিথৌগী খুযাদা খুদোল কত্তুনা—লাঃবক নোংদম তম্বীরিবা পীবিরিবা ঈশিং লাইগু বা ইনিংথৌও অথোইবা লাইগী মতীক লৈববা মৈতৈগী মবুংঙো চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা কৌবা পা-পী গী ইবুংঙো ময়াই অনীমক পুববা লাইমক্কী হেক লাংঙন ওইরবা

মুরুক্‌চীঙ দা খৌসাবা মুংঙৌ চীঙ্‌লাইবক্তা তেল্‌সিংবা নোংনেম, লম্‌-যেংথৌবা রাংকোন্ লোইক যাংবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন, নোংত্রেন্ খোম্বা সিংলন্, মোংনিংলেন, নোংনিং লৈবিক্ চিনকুম্বদি নেংচপ লাইনা পাংববম্ লোনুথি যিমকসেনবী কামেং লুফমলন হ লৌ লম্মহন্ ওমলোন্ নাতৈনবা লম্‌লেন খোইবেল্ শুল্ লোইশাং লম্মহন্দা পান্‌বা কৈগ্ ফাবা লাইরেল্ মৈতেংঙু রংলন লোইকাংবগী লাই বল মা মচুঙ সেল্ চুঙ সেল্ মবাল্‌হৌদি অসিম্মুং মতোম্‌দ ॥ নো নম থান পাংববম্ মুরুক্ য়িরাইতা সেম্নৌ থংবকোন্ খোইযুম লাই নংথৌ, লোক্‌পা নিংথৌ পাঙ্গুম্বা মকাইফম্ মচি থুম্-খোংলন যাং বল মশমপাকৃপ্ ওম্‌লোম্মনা লংলেন্‌দারং লম্‌পাক খোইযুম্

চীঙগৈ ওাইশিং। লোই চল্লম্বা সাবোল থুনগী লানফা মশী থিঙমদনা ফাখিবা নোংমদানদ নো খাকপদগী চোংথোক্লকপা মৈগুম্বা নিংথৌহুগী মচা ইব ঙা, নোংমহেন লান্দাবদা থৌবা খোইঙাল খোইগুম্মা মীগী মযনদা লান্দবা থৌপা ও ননাইশিং বমলু হাযনা থঙনবা চাংনা সি থন্না তোজবিব। ঐ.খ যদি নিংথৌ নঙগী লানগী লাল্লাও-খোংগী মশিন্না চীঙগী নাপোম কীম্বগুম তৌববদগী খোইশিংনা মশা থপুনা প ই খনবা লৌবাংবগুম চেন্ননবা থৌবাং তৌহুনা কিনা লৈবে। ঐ থাবগী চীঙসিগী কাবিহুনা চীঙথক যো বিরগন্থু। লৈমা-নিংথৌগী কাফম থোকপা লোই কাজবগে হাযনা হাযজববগী মৈতৈগী মবুংঙো নাউজিংলেন নেংদন খেম্বনা শাগী-মনীং হন্দুনা, চুঙগী মমায় ওস্তোকুনা অমসুং থাঙ হাইবগী লাংনম্বা মখালবু লেপহনখি। অহুগী মুমিতুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লব মৈতৈগী মবুংঙো নাউজিংলেন নোংত্রেন খোম্বা, লেন শাগী মুঙচৌনা মরু লুমথনা তারিবা চীঙদা লানথৌ শাবা, মুঙঙৌগী চীঙলাইবক্তা তেন শীংবা নোংনা নেমথবা মাঙ্গৈকৈ থুংনা চৎপনা থৌনা চন্দনা, লৈমা-নিংথৌকোন লোইপোৎ কাহনবদা যাম্না থুনা কাহনবা হযনা কৌখ। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী

লাইনিংথৌ রাংব্রেন্ খানা চাওবনা থৌহু হুঙ্বু ওন্না লম কন্‌রাই ফুতপপী লম্‌হুংসি তুম্বী যিবেল্‌কোন্ থুম্‌যান্ লম্মইনব্র কান্না চো না লোইবী কপোক্ খুন্দা থৌসাবনে॥ কবোক্ খুল্ ও কৌবদি কনৌ-নোংগীনো॥ নযুরা চীঙ্‌খোং পোইবৈতোন্ খোংফাং অপোনবগা মৈতৈ লৈমা লৈনাওতাবাঁ থুম্মুং ঙান্‌বা মপু নিংথৌ চম্মুগা চীঙপুরোই লাংওন লক্‌পদা লৈমা লৈনাওতাবীনা সানৌ চীঙ খোং পোইবৈতোন্‌ও লোইবী সিদৈহে হেম্বা নাতাহৈ খুন্‌থীবগী লোইবী মচীঙ্ কাপ্‌কপদি সমু যিখোং পোক্‌লে হাযনা থৌহুমুঙবু কোল্‌না পাইনা সোল্লমএ॥ অনোংগীবু কপোক্ ও থোন্নেএ। কপোক্ থোনমাবক্তি, লোইবা মচীঙলেন্ চীঙ্‌লেন্ নাপোম্‌মদা লাংলেন্ খোইগিং চেন্দ মতোল্ বৌচেং চংদা

— —

মবুংঙো নাউজিংলেন নোংব্রেন থোম্বা অথাইবা লাইনী খোইগী লৈতেংগী নীক নীক লাউবা লৈবিক চিনবহম নিংশিজবা নিংথৌনিনা কৌক্রুলাইজী পাংববোমদা লোনযি বৌবা ভুগেগী মবদা লৈবিবা মীবৈবাক নোংপোকচা কমেংশিংগী খুন্দাবা মনম থুম্‌গী কৌবা অ. ইবা লমবু লাম্ফোল্লগা লৈবা খোযখুলগী লোইদাং লম্মইনা কৈমু যাবা মৈতৈগী মবুংঙো লৈমা নিংথৌকোলগী লোইপোৎ যান্না কাহংবসিগী চুঙ পাযহুনা লান্দাবগা লান থেংনথিবদি অনিনসু লোঙৈদ্রি। নোংনা নেমথবা খা মাযকৈ পাংববোমদা লৈবা ওগ্ন্, সেবৌনচিংবা নোকনিংথৌ কৌবা লাইযিংথৌগী মশাইগোনলোমদা লৈবা মচ থুমখোং চেবিবা য়াঙ্গেল তম্পাক্‌পু থংননা লাল্লগা লৈবিবা, অপাকপা সাবং লমজাওগী লাই মুপা-মুপী অনিমক্কী মতীক লৈববা রাব্রেন খানা চাওবনা হুঙ ওন্দুনা লম কল্লিবা মফমগী ফুতপ্পী তুম্বী, অমসুং থুমযাননচিংবা লমশিনু, কাম্ফোল্লগা লৈখিবা কপোক কৌবা চীঙগী খুন্দা লান্দাখি। কবোক খুল হায়না কৌখিবদি করি তৌথিবা মুমিত্তগীনো? লাইগী ঙমথং ওইববা নবুঙ্গৌ পোইবৈতোন্না মতৈমা থো পী মৌগী শীদা চল্লবী, লাইনগী ঙানবা য়েকী নিংথৌগী মচানুপী লৈনাওতাবীগা লোঙৈননা চীংমী এইনা

কোংয়াং নোংবু লুম্না পান্‌ববু ৱাগী ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা কু-ও কৌএ, লাংলেন্ নফানিক্ কোংয়াং পোক্‌মা তেকনববু পোক্-ও কৌএ॥ অতুনোংগীবু কুপোক্-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংভু নাওজীংলেন্ নোংজ্রেন্ খোম্বনা লহাল্‌নোং লেইবী কপোক্ মনিল্ নাইবা অসিবু খোইপুং মরৈচাও য়েক্লা তিংখং ওইনা তা তম্ মনিল্ নাইনা ৱামা হায় লাইরেল্ ঐঙোন্দম্নুং পাওমা তম্‌এ হায়না তুবি খোইবু ৬৫ লাইরেল্ মুংবু সাওনা পোইরৈ খুনচা হুপ, তায়িম্ নাইচা খিন্না লোইবী মচীংলেন্ হেম্বা কপোক্ খুন্দা চুঙ্‌লেপ্ ২০ চোং, কাওবেন্ সন্দখাং ০ লান্ খ নং লৈতং লেংনা পস্থেংখবদি কপোক্ য়াকা চাইরে, লোইবী নেৎচৎ য়াল্লে॥ হুয়েল্ লাম্লিকিদি লোইবী মনিংথৌ মুংকম্ লাম্থোংগা, কপোক্ খুন্‌পু

ওম্থোক্লুনা লাকপদা লৈমা লৈনাওতাবীনা. ইবুংঙো চীঙ্‌খোঙ পোইরৈতোন-ও চীঙদা পানবা শিব নাবা লৈরোয়দবা মফম খিবদা চীঙ কা-কাহ্নুনা লাকপসিদা খোঙগী খোঙয়া পোকপোক্লে—হায়হুনা মুঙ-কোন পায়হুনা শোল্লম্মী। অতুগী মুমিতুদগী কবোক থোন্নখি। কবোক হায়হুনা থোনখিবগী মওং অমনা, হায়রিবা চীঙদিগী চীঙশাং নাপোম অমদা খোইনা চিকখায়বা নত্রগা কৌজেং চংবা তৌদনা নোংদোনবু লুমসিন্দুনা ৱাংনা হৌরিবা ৱা পাম্বীবু মমিং লৈরবা চীঙমী-শিংহুনা "কু" হায়না কৌই, ৱা অহুনা মনা কংশিন্দুনা কেল্লরুগা ৱাগী মপোপ-মউ তেল্লকপবু 'পোক' হায়না কৌই, অতুগী মুমিতুদগী কপোক হায়না কৌখি। —অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজীংলেন নোংজ্রেন খোম্বনা মমাঙগী মুমিৎশিংদা মমিং চৎলবা চীঙমী কবোক হায়বশিংসিনা মপুক্লিং মরৌ তৌহুনা মমিং লৈরবা টিভিম ফুরুপশিংদনা ৱা অমা হায়জিন, মৈতৈ নিংথৌ ঐঙোন্দনা ৱা অমা তমশিন তৌহুনা মৈতৈবু য়েক্লবা ওইখিবগীদমক ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বা নিংথৌসিনা খোঈদৌ-য়াফম শাওগতুনা মৈতৈগী খুঞ্জা-নাইজাগী মী পুম্নমক হুপ্তনা হৌরগা কবোক খুনগী চীঙদা কাখতুনা চুঙগী মরেপ

লানুচিংবগা ২মরুচিংনা হুয়েল্ লানপুম্ ৬০ মকপু কাইনহল্লে. তুবি থয়াং মথৌমল্‌গী মিংওনখিএ—লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী কপোক্ ঙম্বা হুয়েল্ লুংকুম্ ফাবা-ও তৌনা কৌএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী কপোক্ ঙম্বা হুয়েল্ লুংকম্ ফাবগী তুবি থাইরা সাতাখোল্ অরুম্বা খেন্তৌ মথৈ লাংগুম্বু ল্যোংকিবগী মদাইরেম্ কাতলমলোক্ মশিল্ নাইবা সরা মরাং হৌবা ল্যোইবী খুনুকং ২ মরুচিংনা, হেম্বা খুনুকং ২০০ মকপু চীঙমাই মরোল্ থু চীঙসাং খুনুচেং হাংদনা থাংকোন্ লোইকাপোংপু লাইরেল্সা মখোঙ খাদা কংনা লোইহাররে, হায়দবরা॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু লোইবী কপোক্ ঙম্বা চীঙসাং ল্যোইকা য়াংবা হুয়েল্ লুংকম্‌ফাবগী লাইরেল্ থয়াং মথৌরেল্ চুঙচেল্ মরাল্‌ওন্দি অতুমুং মতোম্‌দে॥ হাওরে লাইনা পাংবরুম অরাং কৌবা চীঙমরু চীঙলেন্ পল্‌লংলা ময়াই কোইরেল চীঙ মালেম্ লৈসেম্ খুংলাম্‌থাম্ লানুচু হাওকোন্‌বমচনু লিক্লাংমনুংচংনা

---

৬০ চোংথতুনা শনগী ময়াঙ্গলেনগী, অশাংবা ১০০ লান্না চোংতুনা থুমলখিরনা থংনাং তা-ফাওবা লৈতঙ্গাঈ লেংবগা লোঈননা লান থেংনরবদা কবোক খুনগী মীয়ামগী তিম্নশঙ থুগাঈরে, চীঙমীশি বু মথক্তা কা-কাতুনা নেংলগা য়াম্লুরে। লানকমসিদা খুনগী নিংথৌ লান্দা য়াঙনা থৌনা ফরবা লুংকুমগা কবোক খুনগী খুনবু লানজিংবগা অনিসিনচিংবা লানফা ৬০ থক হাংখি। ঈশিং মপী, লাইগুম্লবা নিংথৌসিগী থুনা য়াঙনা মথৌ পাংথোকপতুগী মমল ওইনা লোইবী কবোক ঙম্বা হুয়েল লাংকম ফাবা হায়মা মিংসিদা মিং হোংখি। অথোইবা লাইগী মতীক ময়াই চেম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কবোক ঙম্বা লাংকম ফাবগী লীকং পাইতুনা শা ফাবগী মুঙগী মপৈ কীম্বগুম মখোল লুম্না লাংবা অসিমুক কিক্তবদগী মমিং চংনা পাম্লবা চীঙগী খুঙ্গং কতম্লোক অমরা অনিনচিংবা চীঙমী খুঙং ২০০ চীঙগী চীঙমাঈগী মরোল হুবগুম খুনগী খুনবুম অমতা থাক্তনা ল্যোইপোং পুরক্তুনা অথোইবা লাইগুম্লবা নিংথৌসিগী মখোঙ খাদা কংচতুনা লোই হারখি হায়য়ে। অথোইবা লাইগী মগুণ-

ওইখি উল্লনা ওংবা চীঙ, উল্লি উল্লা চীঙ তোম্পোক্ চীঙ ঙ খম্চিংকোল্ চীঙয়া কৈথিংবা মৈরেন্ মাবু চিক্লা কোন্খারাই, মালেম্ কোন্খাপুংবু ঙম্লোন্ নাতৈনবা তাকুপ মচীঙ্লেন্ তাঙাল্ মরৈপুং-ও কৌবদি কদৌনোংঙ্গীনো॥ লহাল্নোং নম্মু তুবি য়োইনোংতা নোংতা লাইরেল্ পাখংবনা অরাং কোরৌ নোংতোল্গী থুল্কুম্ডৈ তকুপ, তয়াংনা ঙাল্লা তারকএ॥ অহনোংগীবু তকুপ, তাঙাল্-ও তৌনা কৌএ॥ তাঙাল্ মনিল্ নাইববু লাইরেল্ মৈতেংঙনা ঙামৈ ৱারোংনা হেস্বা য়েক্লা চনগনো হায়না পাওমেনববু হোইয়াদবা ৱাগী লাইরেল্ মৈতেংঙ নাওজীংলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা সেন্নবী লিরু য়েংকুম্বদি লাইরেল্ য়াইবী কল্হৌনিক্ থিংকু মথিনাই তুবি মৈবু ওৎনা পোইবৈ খুনচাহৌ তায়িম্ নাইচা তিল্ লাইরেল্ চীঙখোং পুয়োক্লোইবু ঙাইরোইনবা তাঙাল্ মপুংয়াইদা সাইবা পল্লেন্ য়ান্, কুরাও পন্তাই সৎনা লোইবী মরোল্ লোন্কা থুম্ মলান্ লান্কা তাক্ মাইপু মৈতাল্ ঃপক্ চৎলম্ ক্ষান্সাং থুম হুয়েল্ য়াইসিং মুৎনা

চেল্লবা কবোক চীঙশাং ঙম্বা, নিংথৌগী পুকৈলোই থুনা য়াঙনা কাহল্লবা, লানফা লাংকম ফাবা মিংথোনবা নিংথৌসি অম্মাঙবা থা শীজিন্নহুনা চুঙ শেন্নহুনা লান্দাবদি অহুনস্থু লোইক্রি। অরাং মাইকৈরোমদা লৈবা চীঙ পুন্নমক্কী হৌরকফম মরূ ওইরিবা লৎনা শম্নবগুম চীঙজাওশিংনা মথং মথং লেংথ্রিবশিংগী ময়ায় ওইনা কোয়শিল্লিবা, পৃথিবীসিদা খ্বাই পুন্নমক্কী ইহান-হাননা শেমখিব। চঙ, হাও কান্বম নিংোল লানচুগী খোয়দাজরবা লীক্লা ওনখিবা উল্লা ৈারিবা চীঙ উনগী মবীশিংনা ময়েক লানা তাবিবা নাইতোম ওইবগ চীঙশাইশিং লাই ওইববা, চীঙয়াদা ফৈনা থি হুনা লৈবিবা খমজিংকোম্না মমৈবু ময়ানা চিক্কুনা অকোঈবদা পন খাবগুম খারিবা মফমগী মালেম কোনখাপুঙগা থংননা লৈরিবহু লাম্বোক্লগা তারিবহুবু তগুপ মচীঙলেন তঙাল মরেপুঙ হায়না কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনা? থায়না মমাঙভৈদা ঈশিং শীবিবা ল্লাইনা ঙাক শেন্দুনা অতিয়াদগী কুম্নকপা নবুখৌ নোংদা লাইরেল্

পম্বেংথবদি তাঙাল্ল য়াকা চাইয়ে, হুয়েল্ লাল্লিকিদি পুসারেং লাম্হৌয়াংবু কাইনা হুল্লে ।। লাইয়েল্ মৈতেংগু তকুপ, মচীঙসাং তাঙ্গাল্ মরৈপুংদা থৌতোংবা হুয়েল্ পুসারেং লাম্হৌয়াংবু কাইনহন্‌বগী লাইয়েল্ ম্না মচুঙ- সেল্ চুঙসেল্ মবাল্‌হৌদি অসিম্নুং মতোম্‌দে ।। নোংনেম্ লাইনা পাংবরম্ থৌপাল্ য়িমরু রাইরং লম্মথক্, হুইখাই লোল্লম্ য়িল লোল্লোই চীঙ সাং কা খোইমোম্ চীঙখোং পুথিবা তান্‌লোই মরুম্বী তাম্না লাইসন চম্নবু মবাল্ মুংহোংখোংতোংলম্ হুইয়াই চীঙলুখুম্ থৌহ্ মুংকাং মুংমুচীঙ চেংচা অঙৌবা হাকোক্‌রাই থৌহ্ তুনান্‌বা হাথাবম্ মুংথেল্ চামিপুং পোইরৈ চুপ্‌চি চীঙ লাইচী হুপ্‌চিকোল্ মীরাইমা সোক্‌ফদা পোং- লাইমনা য়ৌফদবা চীঙ, সাখী লাইতাংবা য়াকুম্‌লম্ খারোই লুরাওবা হোরংচীঙ থৌহ্ নাপোম্মদি চেংচা ঙৌয়েক্লবা, চেংচা পাংমাদি থৌহ্ সেংখাংনবা, থৌহ্ নাপোম্মদি চেংচা ঙাংচুনবা, থৌহ্ য়িসং হাইকুপ্‌চীঙবু

পাখংবনা অরাং মায়কৈরোমগী নোংদোন্দগী থুন্দানবা কুম্নকপা মতমদা কুকেং কাকেং তৌনা ইঙান ঙাম্না কুম্থরকখি। অহুগী মুমিত্তুনগী তগুপ তঙাল হায়না কৌখি। মুংঙাই য়াইফনা পাল্লবা তঙালগী চীঙমীশিংবু অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা ঙামৈ (অঙ্গামী) শিংগা খংনহনা য়েংখিনগহ্ হায়ববু য়াদবগী অথোইবা লাইগুল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাউজিংলেন নোংগ্রেন খোম্বা কৌবা কবোগী লীগী মক্কনা য়েংপগুম্নবসিদি খোইশাওবনা পুক্লিং থক থক নীকহনন্দুনা অশাওবা মপান থোক্না লাইবন্ন মৈ হাইবগুম থুনা য়াঙনা পেং-ওতুনা, মৈতৈগী থুঙ্গা-নাইজাগী মীয়াম পুম্নমকা নিংথৌগী ঙাক-শেনবা মপু য়োকপা মনাইশিংগা লোঙ্গননা তঙাল্ল খুঙংগী খারিবা শাম্নী তিংখংগী পন য়ানখাইহুনা কুরাউনা পন তাইনকমদা য়ুংলিবহ্ শক্তোকুনা খুঙংহুগী মরোন-মরোন ঙাক্না য়ুমগী শাই জীন্দা ফাওবা অচাকপা মৈতান পাহন্দুনা খুঙংগী লৈঙাকশঙগী খারিবা ফানখাংশিং য়ানখাইহুনা লাম্নী য়াম্না হাতুনা লান থেনরবদা তঙাল থুন থুগাম্নরে। লানকমহুদা লাম্দা থৌনা ফনা য়াঙলবা পুসারেং কৌববু হাংখি।

ঙমথোন্ নাইতেনবা লোইবী তুকৃছইচীঙ, ছইমী মচীঙ সাং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লহালনোং হয়িঙেদা খোইমোম লাইয়েম্মা কন্চাও-থেকুপী সাম্বুবী চরৈ ফিসেংনা ছইয়াই ঙাইনোক্ তুংওইকোল্ থাংকম, কোলোই ঙম দবীনা খোইমোম, মসাবী খোম তু চীঙ সাবা মচীঙসাং লোকু চীঙ সেম্বা ম্যান্তোংোকপু নাপোম্ লোক্মাই বু থাক্তনা লীরেল্ মাইবী, ফামলোইতান্না চরৈ ফিসেংনবীগী মার মখোংকুলবু লিরকপদা খুবলু কাংকোই সৌনা অবা ছইকংসোললমএ। অচ্ছনোংগীবু খোইমোম্ লাইয়িংথৌ কাংক্রুসিংলেন্ তোমখিন্না কুকম, চীঙ থোম পোক্তা থোদাবা উন্নুচিক্ য়িপু য়িথক্না রাওচীক্ থিবু ১০ চায়োইনবা লাইয়িংথৌগা, খোইয়োম্ লাংপুম, অরিবা কোরৌ নোংমাই য়িহনবা খুনুং লোন চা অরিবা লিন্মাই য়িমক্কদা থৌনবা লাইয়িংথৌগা চীঙ ঙ অনিমক্ খাচিক্না

অখোইবা লাইগী মণ্ডপ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো ভগুপ চীঙগী ঙঙাল থুঙংদা [illegible] থৌনা হাংকংগ থিবা পুসায়েং অথৌববু হাংথিবা [illegible] চুঙ লৈমহনা চুঙ তা পায়হনা লাহেনথিবা [illegible] অসিনসু লোঙ্গৈত্রি। লাইনা নৈবগী নোংনা কেথবা মায়কে অমাংপাংবন্নোমদা নৈবা থৌবাল তুরেলগীদি মরু, নোংপোক [illegible] অমশিলোদি মথক্ত। নৈবা ছইরাইগী লোকী মরম [illegible] চংচকা লোলোইগী চীঙশাং কারগা লেবা; পাংগী ওইবা লাই অমিবকী মতীক নৈবা লাইগী ঙমথং ওইবা পৃথিবীগী মচা পোক্লবী কুপী তরা [illegible] অহুবু খুহোংতুনা পৌখিনা অকম ছইয়াই কৌবচীঙগী হেক [illegible] নৈবা মুঙগাং মুঙমুচীঙ কৌবা মুঙতো য়াম্না তাবা, অনানবা [illegible] থনা লৈরিবা মুঙথেল্ চামিপুঙ কৌবা মৈতৈ লৈপাকী মতাই [illegible] চীঙথে লংবা খুধী মুকম ছইরিবা : তম্নাই ঙম্নাইবা [illegible] য়াবিবা অরাম্লবা পোংশিংনসু রৌবা য়াদকচীঙ, [illegible] [illegible] [illegible] ময় খুম্বা শুম্ মকোক ঙৌথোক্লবা থৈরোইশিংনা [illegible] চীঙ [illegible] অরদা অচু [illegible] মুঙথিরিবা তাবা

মালং থৌবৈএ লৈমম্না থম্কোন, ওইবৈএ হুমমিল্লা চীঙ্লেন, লৈখনুং লুঙ্বী থৌতুমুং থৌতু লুঙ্ঙৌ য়িচিক্নুংগী পোইরৈ খুনথোক্লক্তৈ মালেম্ লৈকন্থান্ চীঙ্লেন, কৈতুপ কক্লা লম্খেন্নঙম্এ ॥ অহুনোংগীবু খুলকুম্–ও কৌববু ময়ুম্, লোইবী মনিল্ নাইবনা থোংকম্-ও কৌএ ॥ লাইরেল্ মৈতেংগুনা থোংকম, পারোই মরাংহৌ, ঙাগ্রুম তুইসোল্ মনিল্ নাইবা, তোলকং পারোই খুলকং ৬ মকপু রাংকোল্ লোইকায়ক্-ও হাইববু কাদরাগী তুবি থিংকু মর্নিাই লাইরেল, মৈবু ওৎ পুংফম, মচীঙ্লেন, হুইমী মপুংয়াইদা চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওবেল্ সন্থাং ১০ লান্ থংনং লৈতং লেংনা, চীঙ্মাই মরোল, হু থৌপোম্ খোক্লোই তু, য়াংকেল লাফানিক্ খাম্বী মৈবা চেন্না পন্থেং-থবদি থোংকম য়াকা চাইরে চীঙ্সাং নাফা নিক্লে ॥ হুয়েল্

মুঙশিংহুগী নাকল নামরোমদা অকনবা মুঙগী শরুকশিং লোয়নরিবা, অহুগা চীঙ নাপোম অমদনা ঙাংলৈনবা মুঙশিংনা ঈশং কাহুনা তারিবা চীঙ অহু থংননা লাম্হোক্লগা লৈবা চীঙবু লোইবী তুকহুইচীঙ হুইমী মচীঙ শাং হায়না কৌবদি করি তৌখিবা মুমিত্তগীনো? মথায় থায়না মমাঙ্-তৈদা কমক-থম্বন চাওরবী লাইরেম্বীনা মৈগী ফিজেৎ শেতুনা ঈকাইবা কংখিবগী নোক্লখিবা চীঙবু হুন্দোক্লম্বা মফম য়াংকেমদা ময়ুম-মকৈ লিংবা ওমন্ত্রবা লাইরেম্বীনা মপুৰোইবা অথোইবা লাই, খোমতু কৌহুনা চীঙশাবা, লোক্তু কৌহুনা চীঙ শেম্বগী চীঙগী চীমায়-লোকমায় খুদিংমকপু মাপোম অমতা হাংহন্দনা লীনা চোয়না চোয়না লোনশিন্নরগা ফিজেৎ ওইনা শেংলিবীগী খোঙ্গুল লীরিকপদা খুকউ কাঙ্গোয়দা শোহুনা অরা: মুংশা-হোল্দোক্লম্মী। অহুগী হুমিতুদগী কাংগ্রুগী উফুলনা হকচাংদা মচু ওইনা তৈবা পা-পাগী মতীক পুন্ন লৈবা অথোইবা লাই কুরুম চীঙদোমপোক্তা রারেল-থৌদা তৌরিবা, উমহীগী ঈশিং থকুমা কলেনগী অশিংমা চাক ওইনা চাহুনা লৈম্রিবা লাইয়িংথৌগা তাইবং মপু ওইবা লাইগা অপুম অমতা ওইনা তাইশিন্নরিবা অরিবা লাই অতিয়া মথকী

লায়িক্কিদি থোংকম্ মহিংথৌ কম্লেং লাম্থোয়াংগা পাওই চীঙ্সাং লান্থোবগা, হুইমি চীঙ্সাং লান্চীংবগা ৩ মরুচিংনা হুয়েল্ লানুপুম্ ২৫০ মকুপু কাইনাহল্লে॥ কাওরেল্ সনুয়াম্ খোম্ লাল্লু কোক্লেন্ পৈ লোইবী হাওয়াম্ খোম্ তুইসেল্ লান্যাম্ থারে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ থোংকম্ য়িমচংয়ানবা হুইমি কমতাক-তানবগী, লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ ময়ালওন্দি অহুম্সুং মতোম্দে॥ হাওরৈ লাইনা পাংববম্ অরাং কৌবা লম্মখৈ য়িচাই য়িমরু য়িথোই চীঙ্মৈসম্ সারোল্ লম্পাক্ মংলোন্ য়িতুখোং লোইবী খেন্মৈ চীঙ্কারম্ হেম্বা কতেপুংবু ঙম্লোন্না লহাল্নোং খোইনৌ নোংপাল্চম্ মতা ৬ মক্সা কোবৌ নোংকারম্ লোইবী মখেন্লৈ হামেং মখেন্চীঙ্ মথান্ মখেন্পুং মোল্লোং লম্পাক্পু ঙম্লোন্ নাতৈননা কাতুং সারাংমৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ লহাল্নোং হয়িঙৈদা খাবা তৌ ওৎনা, য়াংবা কাম্লোই তান্গে

নোংগী ঈশিং শোকহল্লিবা, মথায় থায়নতৈগী অরিবশিংগা লাই য়ংথৌগা লোনশিন্নহুনা লৈরিবা ঈবিল তুরেলগী মরূদা থবক পায়খৎখিবা লাই য়ংথৌগা লাই অথোইবা অনিসিনা খম্রাংননা য়েৎশিন্নবগা চীঙজাওশিংগী মরক্তা তারিবা মুঙঙৌশিংনা পুমচীক চীক্লা লৈরিবা মফমশিংদগী য়েত্তা লৈরবম্ লৈমিন্না, ওয়দা ওল্লবম্ ওনমিন্নহুনা খুন্দা-লৈতানবা থোক্লপা মতমদা অকনবা লৈপাক তৌহুনা চীঙবু ফৈনা মতুপ মতুপ কতুনা লম য়েন্নরম্মী। অহুগী মুমিত্তুদগী খুনকুম হায়না কৌববু মমিং চৎনা পাল্লিবা চীঙমীশিংনা থোংকম হায়না কৌখি। অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা থোংকমগী মরাং হৌরবা পাওই চীঙমীশিং ঙাক্লমগী মমিং চৎলবা তুইশোল্ ফুরুপকী থোংগমগী পাওইশিংগী খুঙ্গং ৬ মকপু মৈতৈ নিংথৌকোলগী লোই কারকউ হায়রবু কাদবদগী ঈশিং পীবিবা লাইগুম্বসিগী অশাউবা মপান থোক্লা লাইবেলনা মমৈনা হাই-হুমবগুম চোং-কন্দুনা থোংকমগী চীঙজাওদা হুইমীশিংগী খুঙ্গংদা চুগী মরেপ ৬০ চোংখতুবা, মনগী ময়াঙলেনগী

তান্‌ঙম্‌দগী লোল্লাং পাখংবনা খাবা চেং লোইনবনা উগনে য়াংবা লোইখোইবনা খংগনে হায়না লৈনুংলোঞ্জা অরিবা কোয়ৌ নোংমাবর্বু লোইবী মপুংয়াইদা তুবি লোনচংনা লেপ্পুং লোল্‌বা অরিবা সান্‌থুংঙম্‌এ অতুনোংগী লোংপা খুন্‌-ও কৌববু ময়িম্‌ লোইবী মনিল্‌ নাইংনা কাতুং কারাংমৈ-ও গোল্লেএ। লোইবী মচেংমাদা তুংনা চোইনা লৈঙম্‌এ হায়বগী তুংচোই-ও কৌএ॥ হেম্বা মচেংমাদা তুবি কোয়ৌ নোংখাবা লোল্লাং পাখংবনা করম্‌ তুমসিবনো হায়না সোল্লম্‌এ॥ অতুনোংগীবু তুংকম্‌-ও কৌএ। তুংকম্‌ তুংচোই মপুংয়াই কাতুং করাংমৈদা লাইরেল্‌ মৈতেংঙনা মদাইবেম্‌ লোইবী মরম্বু হেম্বা মথোংবু নোংমল্‌নোংগীবু য়াকাওদনা পোইবৈ খুঞ্জা হুপ্‌, তায়িম্‌ নাইচা তিল্‌না লোইবী খুল্‌খং ৬ মকুপু চীঙ্‌সাং নাফানিক্‌ লাইরেল্‌ থিংকু মথিনাই তুবি মৈবু ওংনা পন্‌থেংথবদি হেম্বা য়াকা চাইরে তুংকম্‌ নেংচং য়াল্লে॥ মরাল্‌ থুম্বী

অশাংবা '২০ লাম্না চোংহুনা, থুমনবনা খংনং তানা লৈতঙ্গাই ফাওবা লেংহুনা চীঙগী চীঙমায় মবোল হুবগুম থোবোম পাম্বীনা মথোক লোয়হুনা তুবা য়াঙ্গেন পাম্বীগী মনা কেনহম্নবা নীকপগুম মৈ থাহুনা লান্দাহুনা লাম্হেংনববদা থোংকম খুন থুগাঈবে। চীঙশাংহু পুমচায় চায়থাঈরে। লানফমসিদা থোংকমগী নিংথৌ লান্দা থৌনা ফনা য়াঙলবা কমলেংগা পাওই চীঙশাংগী লালহৌবগা, হুইমী চীঙশাংগী লুচিংবগা অহুম অসিনচিংবা লানফা ২৫০ খক ফাখি। শন ময়াম লানফা-লন ওইনা খোমহুনা, অককপা মী মকোকশিং মযাম পৈহুনা অমসুং অহিংবা হাও লানফা মযাম খোমহুনা তুইশেলগী লাম্মী ময়াম মাঙহল্লে। অথোইবা লাইগী লগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো থোংকমগী য়ুমথোঙ চঙহুনা য়েক্লবা হাংপা, হুইমীগী লম তাক-মাঙহনবা নিংথৌসিনা মশাগী চুও শেম্নহুনা, চুও-তা পায়হুনা লান থেংনখিবদি অহুনসু লোঈগ্রি। লাইনা লৈবা মাঈকৈ অন্নাং পাংবরোম্নদা লৈবা কৌব্রুগী লমথৈ য়ৌনা ঈচোয তুরেলগী মন্নদা লৈরিবা ঈথোই তুরেলনা কোল্লিবা চীঙ্‌মৈ

মৈয়াং চল্ থাইবু মৈস্বাল্-পক্ চংলম্ ফানুসাং থুমলে ॥ হয়েল্ লান্-নিরিকিদি ফাতুংলি মনিংথো লেংপুলেং অথোরেগ, তুংকম্ তুংচোই লাল-চিংবগা লাম্নাই চ ঙ্‌সাং লান্‌হৌবগা ৪ মক্সাচিংনা হয়েল্ লানুপুম্ ১১০ মকুপু কাইনা হল্লে ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নাওচীংলেন্ নোংত্রেন্ খোম্বা, তুংকম্ য়িম্চঙ্‌য়ানবা তুংচোই লানয়াম্ থারা মদাইরেম্ লোইবী মঙ্গুবু য়াকাওদনা য়িমু মমৈ থক্রম্ থক্তা য়িঙ্খৌ মমৈ কংলম্ কংদবা, লাংবল্ অঙাক্ চেংপুম্ মনাও তোন্‌গুম্বা, থোংনাং থাইত্রেকপা য়ৈনারুক্ য়ারো, তাইপোং লৌথিবা মথোন্‌কক্লুম্বু লন্‌সিং তানুয়া. লাইরেল্ মৈতেংঙ্ তুংকম্ য়িম্চংয়ানবা তুংচোই লানয়াম্‌থাবগী লাইরেল্ সনা মচুঙ্ সেল, চুঙ্ সেল, মরাল্‌হৌদি অসিসুং মতোম্‌দে ॥ হাওরৈ নোংচুপ্‌লা পাংবরম্ পাংঙল্ থারুক্ মেল্‌তংলৈ মংকল্ মপুংয়াই খোইমোম্ মৈরি তোম্‌সংপা পামেল্ থেমচা উকংথক্তা তোংনা খোইমোম্ অরা পোথারম্, সান্তিদাস মহন্ত বৈষ্ণব বৈরাগ্যা থোইখোইবা পাও কৌরম, মৈতেংঙ্ সেন্‌বী খাকেম্বা মদাইরেম স্নাখাওবোই খান্তিহৈতেনলেনগী — য়াইথুংকম্, অতোন্ময়াক

শমজিল্লগা সারোন, তম্পাক্কী মংলোন তুরেল লাল্লগা খেনমৈগী চীঙ কাথংক্লমদা লৈরিবা চীঙমী খুল্ কাতৈপুঙগা হেক থংন্‌না লৈখ্রিবা — মমাঙ্ ঙৈদা চাম্নজরবী লুরাংনিঙোল্ মমাম্নবী ৬ মক্কা লাইরৈবাক কাখিবা লম্বীগী মখেনগী হামেংনা চোংখিবা চীঙ মথানগী মোল্লোং লম্পাক্কা থংননা লৈরিবা লমবু কাতুং সারাংমৈ হায়না কৌথিবদি করি তৌথিবা হুম্নিঙ্গীনো ? থাঙ্গনা মমাঙ ঙৈদা নোংমা, খাবশিংনা তৌনা ওৎথায়রগা মথোঙ্গী ফম্বাল ফংনবা হোংনরকপবু ঙমদ্রিঙৈদা লোল্লাং পাখংবনা মবুক ফজবা মরোন থোয়রবা খাবশিংনা উখি-খঙখিগনি হায়হন্না. নোংময়োন্না পাক্সম্বা লৈনুং লোঙ্গা অরিববু লাইরেনগী ওইরা অরোনবা লোনচম্বুন্‌না লোঙলম্বী। হায়বিবা মতমহুদগী 'লোংপা খুন' হায়না কৌববু ময়াঙ্গা-য়াইকনা পাল্লবা চীঙ মীশিংনা কাতুং কারাংমৈ থোক্লে। অদুগা চীঙমী মচেং অমনা মতুং ওইনা চোইথোক্না লৈ হায়হন্না তুংলোই : হায়না

মোংবীচাম্বা য়াংকোই সচিকলোই হুপ্পা তোনকা থাওবা মালং মুংমিং হুম্মোইবা লাইনিংথৌনা তৌরেল খাংদা থোংনা লাইরেল মপা মৈতেংগুবু তেংথাননা মীকপুরাই মংকল সিলেং মপুংয়াইগী লমহৌ-রকপা মরূপ্ ফ্রিংগী বেপ্রেণ সাহেব কৌবনা হে মনিপুর পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ কুমৎপদি নোংপোক সিল্লু ফম্বা, যোইময়াই লাইরেন্দু তাওদলবা মুমিং পুংকোই মহুমম্নুং অরাং কোরৌ নোংলাংপান্দগী মৈপুল হাইচৌ থাল, চাকথাং য়াইবো ফাননা স্না চোংলেন য়িনচম্ থালনা খুল কুম নিংথৌ য়োইরেনবা চোইনৌ স্না সেকপীন খাননা হেনমোইব-ও মরূপ রিনিংথৌ কলকাতা ৈ কোই ফম্বা ইংবাজি নিংথৌরেলগী মদাইরেম ফ্রিংগী মরূপ্ গিরানা অরাং কৌবা সবোন লম য়েংথিববু লোইবী কোংয়াং সৌসাবা থোইপু মচিন তুম সাইবা, ময়া সাবগী লোইবী মথুবাক্তা য়াম্না নোংমল্লে -মরূপ যিপাচ' ফ্রিংগী য়িয়েল্লু মরন্দ সাহেপ

কৌথি। ঈশিং পীনবিরিবা অতিয়াদা পাল্লিবা লোল্লা' পাথংবনা চীঙ-মীগী লমদম অমদা করম্না তুংশিগে হাযনা শোল্লম্মী। অতুগী মুমিত্তুদগী তুংকম কৌথি। অসুম্না তুংকম তুংচোইশিংনা পাল্লিবা কাতুং-করাংমৈদা অথোইবা লাইগী মতীক ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা ম্যাঈকৈ অ.দ মবু পুবা মনাই লম্বু হাংথিবগী মল্লোমগা লোঈননা মৈতৈ লৈপাকী থুঙ্গা নাইজাগী মী পুন্নমক হুপ্তুনা পুবগা হায়রিবা থুঙ্গং ৬ মকসিবু ২ক থক নীকহন্দুনা নিংথৌগী অশাউবতু মপান থোক্লা ল্যাইরেম্না মমৈ হাঈ-হুম্বাগুম য়াঙনা লেং-ওতুনা লান থেংনরবদা চীঙমী খুলতু থুগায়রে, চীঙমী তুংকমশিংবু চনেৎননা য়াস্থতুনা হাংলে। খুল তুম্না মৈনা থুমহৎহন্দুনা য়ুমগী শাইজিন্দা অচাকপা মৈতান পকহন্দুনা মথোয়গী লৈঙাকশঙগী থারিবা ফানশাংশিং ফাওবা চাকলে। লানফমসিদা কাতুংলিগী নিংথৌ লেংপুলেংগা তুংকম-তুংচোইগী লানগী লুচিংবা ২ গা লায়াইগী চীঙশাং লান-হৌহল্লিবগা ৪ মক অসিনচিংবা লানফা ১১০ থক হাংথি। অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী ১বুংঙো

কৌবগী লাংপন অওন্নুক চেংপুম্ মনাওতোলকুম্ববু ঐনা লন সিং ওন্নরোইএ। লাইরেল পান্দল মতিক উৎনা লোইবী মথি ফং হেম্বা মপুংতাব্বা পম্লেংবীরো॥ তুবী থয়াং নথোমল লাইরেল স্না নচুঙ্‌সেল্‌মু বিলাট মিরৈপাক্তা চরৈ ফিরান্ খানুগুম্ হেন্নজগে হায়না পাওমেন্ বাগী, লাইরেল্ মৈতেংঙ্‌দি মমু তুবি থোইনোংতা নোংতা লাইরেল্ পাখংবা কোরৌ নোংমাবা কৌবগা; তিন্নি লিন্‌তাওরেল্ লাইরেল্ তাওরোইনাই চীঙমাং নোংমাবা কৌবগা, নমু তাংজা মীরুতোন্ কোব্রাই লৈরাং অতিংঙাবু তাংজা লিল্লাথি মুংকোল্ সেরল্‌মৈবু লিক্লাং লংমুং ওই, তাংজা খুগকিন্না লিক্লাং খাওব্রবা—লাইয়িংথৌগা খোইমোম্ মখোই ও মম্না মিরোক্ লাইচনমুং চেঙ্‌চা মুঙ্‌ঙৌ মিচি মুং মুঙ্‌বী থোঙ্গুংগী পোইরৈ খুম্নোক্-ৱাই, তেক্‌পী সাপৈয়েং কাইরৈ থেন্‌পুম্ মাবু মম্নুং, মনাক্, মথিক্ লেম্না লোইবী সারেন্‌সা য়েন্‌পুং থাংয়ি কৌথোই মুঙ্ লোইমোম্ কৌহেল্

লাউক্কিংলেন নোংরেন খোম্বা, তুংকম যুমথোঙ্ চঙহুনা মাম্ববা তুংচোইগী লানফা ময়াম ফবা, মনাই চীঙ লম্বুগী রাফম কাউথোক্তনা শোক্লকপগী ঈ থক্তি-কংদ্রিতৈমেক্তদা খাইদগী চৎনবা চাংদা তমহুনা খক্তিজুং ফাওবা রাংহন্দনা ময়াং মাযতেকপা হাংনথিবা মরৈ-মবা চাওবা তাইপোংবু লোয়শিন খবা লুক অতুগী চাৎ-তমংনা কমন খুংখিবা নিংথৌসি মখুংগু চুঙ শেন্নহুনা, চুঙ-তা পায়রগা লান্দাখিবদি অসিনমু লোয়দ্রি। নোংচুপ মায়কৈ পাংবোমদা লৈবা পাংঙন বোঙ্গোল। ফুরুপ কুরাকী মশা পানবশিংগী লমদম মোগোংগী মখা পোনবাশংগী খুল, মৈরিগী মরক্তগী চোংথোক্লকপা পাস্থু-পীস্থ ওইবা ভম্বা লাইয়িংথৌনা উগী উফৈদা চাঙগী থেনমচাগুম ভোংহুনা অরাবা পোংরম্বা লম, যুম্বান্দনা লাইনীং লগী তানবা অথোইবা লাইনীংবা শাস্তীদাসপু কৌথিবা লম্, মৈতৈগী মযুংঙো কবোরোমগী খাগী ঙম্বগী সনা খাউজাও পুনবা মনাইনা খাইগী ঘাতি-হিদেন্দগী থুংখবা মফম্, খুমনগী মোংবিজম মাবাগী নিংথৌকোলগী শগোল শজীক হুন্ননবা হুপ মকোল ফাল্লিডৈদা মুংশিংতা মহুম ওইনা

হুণ্ডবু ভম্‌লোম্লনা হেন্না মেমৈ মনিল্ ন্যাই কিন্‌লেং লামৈ মপুংয়াইদা খোঁসাবনে॥ মেমৈ কৌবদি কদোনোংগীনো॥ খোইমোম্ লাইয়িংথৌ চীঙ্‌খোং পুথিবা কাওয়েল্ সল্‌সেল্‌পুং, কাওবী সলথোক্‌কোল্‌বু ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা মেমৈ-ও থোন্নেএ॥ খোইমোম্ কাওরেল্ মসননা মুকমু সলয়াম্ শৈবাবু মানবী সল্‌য়াম্ কিনা কাওরেন্ কোন্‌চন্‌লমএ হায়বগী কিন্‌লেং নামৈ-ও তৌনা কৌএ॥ কিন্‌লেং নামৈ মনিল্ নাই, মাওমেমৈ মন্নাংহৌবা লোইবী থুন্‌কং ১২ মক্‌পু লাইরেল্ মৈতেংঙ্‌না মরুপ নোংমল্‌রাগী তুবি খিংকু মথি নাই লাইরেন্ মৈবু ওং থাঙ্‌সা মতম পান্‌গুম পোইরৈ থুন্‌চা হৌ তায়িম্ নাইচা হুপ্, অথম্ শীপোক্‌পা অথৌ লাংকোন্‌ববু তুবি চীঙখোং পুয়োক লোই, মদাইরেম্ থুদোং থিন্‌কাপ্‌লোই কম্‌পু লাম্লোই মপুং কাববু লাইরেল্ পুক্‌মনা নোংনেম্ লাইমা পাংথরম্ সেন্‌বী তেথাও মরম্‌লেন. পোইবৈ লম্‌তাংসাং লহাল্‌নোং ময়িম

লাইরিংথৌ সনামহীনা তৌগী মউ মকাদা তোহুনা অথোইবা লাইগী মতীক-মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো মপা নিংথৌবু তেংথাহুনা কপথিবা মকম মোগোল্‌গী লমখৈ সিলেটতগী খোঙশাল্লক্‌পা মরুপ ওইনবা ঈংগ্রেজগী বোপ্রেন সাহেবনা।—"হে মৈতৈগী লৈপাক মনিপুরগী মৈতৈ নিংথৌ থেঙ্গুগুম্বা কংলাগী মবুংঙো, লোংপোক মাযকৈগী কোক্লেন ফম্লিবা, য়োকখং-শোগং শীবগী য়াই ওইরিবা মুম্মিং কৌবা অতিয়াদা তাউহুনা পন্দুনা লৈবিব। অথোইবা লাইগী মৈনা ইকোয় কোয়শিল্লিবা ময়ায়গী মশক ওইবিবা নোংনা পাইহুনা লৈরিবা অরাংবা অতিয়াদগী অচৌবা মৈবুগগী মৈরা থান্দুনা ময়া লোঙব চকথাঙনা থম্‌রাংননা থৌগল তৌহুনা নীংথিরবা চোঙগী ফিনা থকখন ওইনা থন্দুনা কুমথবকখিবা নিংথৌগুম খ্বাংনা মুংশিনা নোল্লুক্রিবা সনাগী সেকপীন থন্দুনা লৈতেং লৈথেংনরিবা-ও নহাকী মরুপ, ঐথোয়গী নিংথৌ কলকাতাদা পাল্লিবা ভারতবর্ষগী ইংগ্রেজীগী নিংথৌবেলগী মনাই মরুপ ওইবা ইংগ্রেজী গিরান (গ্রাণ্ট) না অরাংলোমদা কৌক্রগী লমখৈগা লোম্নবা লম য়েংবা চংখিববু চীঙগী সৌ

সেনদী ক্যাম্বা লাইথোং সাবু থম্লাং মাওরেম পাম্বনা লাংকোই সাতিক্-লম্‌গী কৌবা মৈমসাং মনিল্ নাই লম্কোই য়াংলৌ লম্নুসাং য়িল্ য়িরোক্ লাইচম্ লান্ চীঙ্সাং নাংোম মৈতুপ্ সম্ সায়েল্ মঙাল্ নাই, মখান্ মবৌরেন্ স্থ্রমলৌ লৌরাংচান্দা য়াংঙম্ মীয়াম্ তিল্ পোইরে তেংকোল্ লিংলরগী মদাইরেম্ পুংত্তোং মনিল্ নাই খুল্লেন্ মরাং ঙৌবা মথেন্ তান্দবা লোইবী খুল্কং ৩ মক্লা তুবি মথোংখাদা ১০ চেংয়াম্ কংনা লাইরেল্ কোরৌ য়িনোংথৌ চীঙ্ঙু নোংনিংথৌকুম্বা-ও নদাইরেম্ ঐথোয়বু লোইবী য়িচীঙ্মাবু কাবীগনো হেম্বা য়িপুং তাক্লা পম্হেংবিগনো লাইরেল্ নংগী-নরোই লোইবীরেন্নে, হায়না পুরুম্জরবগী, লাইবেল্ মৈতেংঙ্বা মদাইরেম্ লোইবী খুল্কং ৩ মকুপু তুবি থৌজাল্ মাইয়োক্না থোইচানবাবু হেম্বা মনিল্ ন্যাইবনা নাতাববগী লোইবী চীঙ্সাংথন্বা হেম্বা খুল্কং ৯ মকুপুদি চীঙ মাই মবোল্ হু চীঙ্য়া থেনকা থেং, কুয়াও

শাবা য়াঙম, খোইফুদগী খোই ময়াম পাইথোরকপগুম শাই-তিংখংগুম য়ম্বা থৌনা চীঙ্নীশিংনা লান্দারকপদগী ঐখোয়গী মী য়াম্না শিখ্রে। ঐখোয়গী ঈংগ্রেজী মচা মরন্দ সাহেপ কৌবগী মপা চপ চাবা, অথোইবা অরাংপা লৈহন্দনা লমন থুম্বহ্ ঐনদি ঙম্নবোই। অথোইবা লাইগী মতীক চেন্নবা নঙ্না নপাঙ্গল-নতীক উত্তুনা চীঙ্মীশীংহুগী মখৈ কংনা মখুন থুগায়হুনা লান থেংনবিয়ু। নিংথৌগী মপাঙ্গল-নথৌনাগী মমল অহুবু ইরৈপাক বিশাটতা ফিরান থেংপগুম উত্তুনা লেম্নজরুগে হায়না হায়জরকপদগী অথোইবা লাইগী মযাই চেন্নবা মৈহৈগী মবুংঙোদি নোংমদোলগী ঈশিং পীদ্বিবা লাইন ঙাক শেনহিরগা অতিয়াদগী কুমক কখিবা মবুথৌ নোংদা লাইরেল্ পাখবা কৌবা অতিযাগী মপুগা তীন পুম্নমক্তগী লীরবা, লিন্দাওরেল হায়বা অতিয়াদা তাউহুনা লোয়নহুনা কৈবিবশিংগা থানজবা অরাংবা চীঙ্শিংগী মপু কৌবহুগা মী মকোক অকাঈবা কায়রেবহুবু হেক চীকখিন্দা হকচাং মমুং থুংনা হুগী মৈচাক শন্দোক-খিবা তমথীরবা লিনবু লীক্লু লংঙং ওইনা লেংলগা থুপচিন্দুনা কাঁশি

ঈল্‌কা যুং সেক্‌চুপ্‌ পল্‌তাই য়েনা লাইয়েল্‌ মৈতেংঙু পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌদি লোইবী য়িচীঙ লেনবু কাঙম্‌লোই, মাওসারোল্‌ য়িসাইকোল্‌বু য়ৌঙম্‌লোই তুবি নবাল্‌ ওন্তেথে। লাইথেল নচীঙ, হল্‌য়াইখো ॥ লাইয়েল্‌ মৈতেংঙুনা তায়িম্‌শা বিলাতি লৈম্‌যোম্‌গী লম্‌হৌরক্‌পা মরুপ ক্লিংকী থেব্রেল সাহেপ্‌ কৌবনা পোইবৈ লান্‌সাক্‌ কুম্মৈ য়েসনো তায়িম্‌ ল্যাইফম নোংসা লান্‌তান্‌বা নংগা অহল্লপ, সংলেন্‌ মরাংহৌববু মৈরি লান্‌তান্‌বা, নাহাকপ্‌ সংলেন্‌ মনিল্‌ নাইবা চীঙলাই লান্‌তান্‌বা ফুঙ্গা নাই তাংলৈ লান্‌তাম্নবসিংগা সংলেন ৫ মক্কী কম্‌পু লাল্লোই মাবু ফাবসিং-ও থোইমা নমাই ওন্না য়াম্‌চেং ননম্‌ মুক্‌ফবোই হায়না পাও-মেল্লবগা লাইবেল্‌ মৈতেংঙুদি সংতিং ল্যাল্লেথেম্‌ পুন্নুং লান্‌পোৎ মঙাল্‌ নাইনা থাংলেন্‌ মখুৎসু চেংলৈ মৈয়াবগা সমু খুত্তাসু গন্তা চুংগোই য়াইরোইবা স্না চাচুম্‌ পাংয়েবদা তম্‌পা য়াইদা লাংনা হেন্‌গোইবা,

---

কীবগা থাঙওন্ননবা শিবিবা লাযিংথোগা মথোয আহুম্মক্কা চীঙগী লোক্লংগী ঈশিং মন্নুংদা তাবিবা হুঙঙৌশি গী চীক্লবা মফমশিং অচৌবা হুংজাওশিংগী মবক্তগী মৈতৈ লৈপাক্তা খুন্দোক্লকখিবা মফম, ওক্কী শাপৈ য়েংতুনা, য়েন অমবু মশা মফৈ অমস্তুং মথীক লেল্লগা চীঙমীশিংনা শা যেন্নখিবা পুঙ, ফৌ হেম্না থোইনা-থোক্লনবা ঈবাংন্নবা হুঙনা থীল্লিবা মফমগা লোম্নবিবা মমিং চংলবা মেমৈগী চাওমী কিনলেং ল্যামৈশিংগী খুন্দা লান্দাখি। মেমৈ হাযনা কৌথিবদি কবি তৌথিবা হুমিত্তগীনো ? অথোইবা লাইগী শল্‌না মুকগুক মুবা শল্‌ মযাম্না পৈতুনা লৈববু মচী পানবা শল্‌ মযামতু কিনা কিনা শগশিংহুবু মকোন্দা চওহল্লম্মী হায়বদগী কিনলেং লামৈ হাযনা কৌথি। মমিং লৈববা কিনলেং লামৈ অমস্তুং মাশ্বমেমৈশিংনা লানগী পুন্নাং লাংনববা চাওমী খুঙ্গং ১২ মক্‌পু অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা ঈংগ্রেজী মরুপ্‌পু শিখিবতুগী অশাওবা মপান থোক্লা লাইবেম্না মমৈনা ওতুনা চৎপগুম লেং-তুনা থাঙনা মশা পানবগুম উহন্দুনা মৈতৈ লৈপাক্কী খুঞ্জা-নাইজা মী পুম্নমক

লোইদাম্ব থানিল্কুম্ মকোই ফাবা চুঙ্ব্‌বু সাম্বা তুরৈ য়োই য়োই সেল্ তুবি তিংমল্ মথুংস্থু চায়াই খোংনাও নানৌবীনা তাওখংবা তাবু তাচিল্ মৈরি থোক্লা কোরৌ থম্নোং খোংগুম্ থুদোংথিন্কাংনা সত্তাইসেল্ সাকু তম্গুম্ মেমৈ মচীঙ্সাং কিন্লেং লামৈ মপুংয়াইদা চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওরেঙ্গ্ সন্থাং ১০ লান্ থংনাং নৈতং লেংনা হেম্বা খোক্লোই হু ময়োল্ নাক্পাক্ মবোল্ হুনা পম্হেংথবদি লাংপুং লামৈ য়াকা চাইরে, মেমৈ য়াইহুময়ে, ফিন্লেং লামৈ লান্য়াম্ থারে॥ ময়াল্ ধুম্বী মৈময়াংচল্ সাইবু মৈতাল্ পক চংলম্ ফান্সাং থুম্ সংলোন্ নাক্পক্ ময়োল্ হু মেমৈ থুল্কং ৯ মক্পু লোইবী ময়োল্ লোন্কা থুম ময়ান্ লান্কা তাক্লে॥ হুযেল্ লাম্লিকিদি মেমৈ চীঙ্সাং লাম্থৌয়াংগা আকাক লান্সিং মাইবগা ২ মক্লা চিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ১৭০ মক্পু কাইনা হুম্লে অসিবা লাল্লু কোক্লেন্ পৈ, অচঙ্বা লান্য়াম থোম্লে॥ লোইবী

হুপ্তুনা মৈতৈ লৈপাক্কী মীংপোক মীকন ঙম্লবা অথোইবা অকন-অথৌশিং লোয়নন অমম্লুং নিংথৌগী মপু কম্লবা ঙাকশেনবা মনাইশিং, মোংমৈ রাইফল পায়বা লাম্লোই কম্পানী অমা ফাবশিং নিংথৌবু ঙাক-শেন্দুনা লাইনা নৈবা মোংনা নেমথবা অয়াং পাংবা মাষ্টকৈ, থায়নদগী মৈতৈ-শিংনা চংনরক্লবা তেখাও ঙাবা লম্বী, মমাঙ্ংৈদা মবুধৌ শেনবী ক্যাম্বাগী লাংখোংশা কৌবা শামুবু নাওরেম পাম্বা থম্লাংবনা তীক্লগা পুক্লকখিবা লম্বীদা কৌক্রুগী লম্বী অশাংবত্থু পুমনীন নীনহলহুনা, লম চংপশিংগী লম্বী পরিং ইন্দুনা সোক-তাইশং লান্দুনা, চীঙ্শংশিং কৈনা কাহুন। শমজিল্লগা সাবেন থুঙ্গাশিংগী লমদা লেম্না চংলগা মথানগী লৌবুক ফজরবা শুমংলো কৌবদা মৈতৈ মীয়াম পুম্নমক থুংহুনা তেঙ্গোল শায়বদা মফমহুগী পুংদোং, থুল্লেন অমম্লুং মথেন থুন অহুমগী চাউমীশিংনা মৈতৈ নিংথৌগী মফম চেঙ কতুনা লাইবক নোংদম্বা অথোইবা লাই সয়ারেলবু ওইবিবিবা-ও ঐংখোয় চীঙশিংদা কাহুনা ইথুলশিংবু থুগায়বিগনু লান্দবাগনু ঐখোয়দি হান্নদগী ইনিংথৌগী অথোইবা লোই ওইরক্লবনি

চীঙ,আমগী হেন্না ময়াংখাং লোইবী মনিল্ লাইখবু হেন্না থাংগৈনা লোইবী রাইগুররক্এ ॥ লাইরেল্ মৈতেংগু নাওচিংলেন্ নোংদ্রেন খোম্না থংকোল্ লান্চাই খৌবদি লোইবী লাল্লু মসিং খিঙদববু মাংখান্বা কাওরেল্ সল্ফাং হৌই খোইরেল্ আতে লৌখাম্বু ছয়েল্ লাল্হোইনা রাংঙম্ য়িরুংববু লান্থাওনা ক্যাং লাল্হাইচৈবু সমু খুত্তা স্থ লাংগোই সয়াংথক্তা ভুবি চুপ্পু খোই লাইবেল্ লাইবু লাংনা ময়ু চেংচা মুংকোইবীদা ছয়েল্ লান্হোইচিল্লে ॥ লাইরেল্ মৈতেংগু খেবুমৈ চীঙসাং লাম্থাবা লাংপুং য়িম্চং য়ান্বা সারোল্ লমচন্থৌবা কিন্লেং লামৈ লান্য়াম্ থাবগী লাইরেল্ স্না মচুগু্সেন্ চুগু্সেন্ মরাল্হৌদি অসিসুং মতোম্দে ॥ হাওরৈ নোংপোক্লা পাংবরম্ অঙৌবা পুরৈরোম্বা থৌহু মুঙলেন্ লৈসেম্চীঙ খোইমোম্ চীঙখোং পুথিবা মকাইফম্বু হেন্না চীঙসাং ফৈতুপ, সম্ লোইবী হাওপুসিং পুসিং খুন্য়াই থাই তুয়োংবা স্না নম্থম্লোক্পু

হায়না খুরুমজরবগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চীঙমী খুঙ্গং ৩ মকপু মৈতৈ নিংথৌনা গৌজালগা লোয়ননা চানবগী রাকমসি হায়না ছুম্না পাল্লিবা অতৈ চাঙমী খুঙ্গংশংনা তাবদগী চীঙশাং থুংনা পাল্লিবা চাঙমী খুঙ্গং ৯ থক্তি চাঙমায় তেমহুনা থেন শেম্নগা কুরাউগী য়ুম্বী য়ুংহুনা লান্বম শাবগা চেৎনা পনগী তান্নফমশিংদা মুঙগুম্বা য়ুম্বী য়ুংহুনা লানগী থৌরাং শেম-শাখি—"অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লি হায়নরিবা মৈতৈগী মবুংঙো মৈতৈ নিংথৌদি চীঙম ঐখোয়গী চীঙসি কাবা ঙমলোই, মাও সাবোল ঐখোয়গী খুনসিদা য়োবা ঙম্লোই, মৈতৈ নিংথৌগী নবমলোমদা চৎখ্রো, নয়ুমলোমদা হনখ্রো" হায়না লংনরকখি। মতুদা মৈতৈগী মবুংঙোনা, ইনাইশা বিলাট লৈপাক্তগী লাকপা মরুপ ইঙ্গ্রেজগী রেব্রেল সাহেব কৌবসি মৈতৈ ঐখোয়না শোক্লবা লানগী কুমৈ য়েংসনু; লাইফম লাকপা, নোংশানা লান্দাবগুম লান্দাবা নঙগা অহল্লুপ লাকপা মৈনা মবাং হৌবগুম লান্দাবা চীঙলাইগুম্না লান্দাবা নহারুপ লাকপা, ফুঙ্গানাই শঙলাকপা তাংলৈগুম্না লান্দা থৌবা, নখোই শঙলেন ৫ মক্তী লাম্মী কম্পানী মপুং

লোক্লেন্ কান্না চোংনা খোইমোম লাইনিংথৌ চীঙ্গু পুরেন্নাবা অতৌবা কোরৌ নোংনিংথৌ নোংপোক্ মালং হুম্ওইবা পিবুৎনিংঙ্কল নৈরোইমা আফিং ১০ চাওইননা কাংক্রু লিক্ফম্ কাংথোন্থক্তা মাতাবা চীঙ্গু মকাইফম, মসানৌ খোইমোম্ লাইরেম্মা য়োইবু লিংচা কোনলু খিল্রাই খুমুং য়োইগাখা লাইমরু তমপা মুক্মৈ নারিল্ সোল্ য়োইবু তাংজা লৈতোন তোং তুবি চীঙ্লাই খুনেৎনা খুমু চীঙ্সোং লম্লৈমাম্নু সাতোংনবী তম্পা হিরৈমা হিকুবী রাংগুম্ য়াইরৈমা য়াইপোকপীনা মরাল্ য়াংকোইফম, চাহোং ম নল্ নাইবা ভাপ্রম্ ময়াং হৌববু ভম্লোম্নমা চারিৎ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ॥ লঙ্গাল্নোং হায়ভৈদা নয়ুরা চীঙ্খোং পোইরৈতোন্ খোংফাং অতোন্বগা মতৈরৈমা লৈমা লৈনাওতাবীগা লোইবী সিদাহৈ হেম্ব নাদহৈবু খুন্থিরক্পদা ১০ চাপুক্ লম্ পাইমা খোম্নিং তিং তিল্লাং চাপা নিক্লবা হেম্বা কাইমুং চঙ্না ১০ চা নরুববু

ফারবশিং ও-অকিবনা ননমমুত্তুনা নাপী-শাঙর্ব রক্তা নমায় ওন্দুনা চেন্দনা লাম্থেংনৌ"হায়না য়াথং পীরগা অথোইবা নাইগী মণ্ডুপ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা শা-লানগী ফিজেৎ শেত্তুনা লানগী খুৎশু-খুৎলায় মতীক চানা থেত্তুনা চেংলৈ মৈরাবা চৌবা মশাগী থাংশাং খুত্তা পায়হুনা, চুঙ্গোয় ময়ায়দা সনানা চুম য়ৈহুনা লৈতেংলবা, পুর্নিমাগী থাজগুম মকোয় ফারবা চুঙবু ওইদা পায়হুনা হকচাং ভাক্লবা শেন্নবগা, নিংথৌ মশাগী তা ময়ায় ওইনা মফম চানা মতাং মতাংদা লোন্দুনা মশক তাক্লবা তাবু মচিন্দা মৈবি থোকহনবগা লোয়নহুনা, অতিয়াদা নোং খোংবগুম নোংমৈ লেপ্তুনা কাপ্তুনা শঙ্গাইসেন পাইবগুম শাফু কন্না লান্দাহুনা মেমৈশিংগী চীঙ, কিনলেং নামৈশিংগী খুনয়ায়দা চুঙগী মরেপ ৬০ চোংথ-হুনা, শনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোংহুনা, ফিংমনবনা থংনং তানা লৈতংগাই ফাওবা লেংবগা লোয়ননা চীঙমীশিং মখোক লোইরবা উনা তুবগুম তুহন্দুনা সারোন চীঙগী নাকপক অমা মরোল হুহন্দুনা লাম্দাবদা লানপুং লাংমৈগী খুন্দিন্নফম থুগায়রে। মেমৈশিংবু মায়থীবা

পীঙমদে ॥ চীঙ্খোং পোইরৈতোম্না লোইবী মনিল্ নাইবা অসিদি করম্ লিক্পনো হায়না সোল্লম্এ ॥ অতুনোংগী চাক্লিক্-ও কৌববু ময়িম্ লোইবী মনিল্ নাইবনা চারিং-ও তৌনা কৌএ ॥ হেম্বা মদাইমদা
১০ চানিরুববু হোংনা চাওনা পীঙম্এ ॥ চাহোং ও থোম্নেএ ॥ চাহোং মরাং হৌববু ঙম্লোন্ নাতৈনবা চারিং—মনিল্ নাইবদা লাইরেল্ মৈতেংঙ্না চক্পা ঙুঙ্ঙোই য়িরোক্ ঈরেন্কোন্ কবো সাম্বা লাইরক্ মদাইরেম্ লোইবী চীঙ কাক্লেন্ সেন্বী পাংকা মনিংথৌগী মোল্লাং মঙইখাংবু লাইজা য়রোল্নু দা থাদখি— মদাইরেম্ য়াওরৌ সা সনম্বা খোংপাল্ য়াংসানসনা লাইজা য়িরোল্নুংগী থিখঙ ৱাই কোন্চং লৈম্না হাকোক্য় য়িংখি য়িম্রু থৌদ্ ঙুঙঙৌ হাকোক্লম্ চেংচা ঙুঙ্সং হাথা ৱাই য়েইন খোইমোম লাইরেম্মা চোইনৌ সনা, রুপা, কৌন্ঙৌ, মীসি

পীতুনা কিনলেং লামৈগী লান্মী ময়াম হাংলে। য়ুম পুন্নমক তুম্না মৈ খাতুনা য়ুমগী শাইজিন্দ ফাওবা অচাকপা মৈতাল পকহন্দুনা খুনগী ৱাযেনশঙ্ থুগায়রে খুন শঙ পুন্নমক মরোল হুনা মেমৈগী খুঙ্গং
৯ মকপু চীঙগী চীঙমায় মরোল হুবগুম হুহন্দুনা ময়ুম মকৈ পুন্নমক তুম্লে। লানফমসিদা মেমৈগী চীঙশাংদা মমিং চৎলবা লান্দা থৌনা ফনা য়াঙলবগা লান্দা মমং লৈরবা অককপা অনিসিনচিংবা লানফা
১৫০ খক হাংলে। অশিবশিংগী মাকোক পৈতুনা অচঙ্বা লানফা ময়াম ফাবে। অতুগা চীঙতুগী চীঙশা অমত্তা ওইবা ময়াংখাংশিংবুসু লান শোক্লতুনা মাযথীবা পীরম্লগা হল্লকখি। অশোইবা লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা মৈতৈ মবুংঙো নাওজীঙলেন নোংম্নেন খোম্বা, থাঙ্গাল-শিংবু লান্দা চায়থায়বদা থৌনা ফাবদি চীঙম মকে ক মশীং থিঙমদববু মাঙ থানা পুরক্লগা খোম্লকপা শন ময়াম হোইতুনা মৈতৈগী য়োয়ৱল লৌখাম্বমচা অতৈ কৌবনা লানফা হোইবদা শীজিন্নখিবা চৈ মৈতৈগী ঈরুংবমচানা লানফাশিংবু লাউ খোংতুনা ক্যাং লমগী লানফা ময়াম হোইনখিবা চৈবু খুত্তা পায়বগুম লানফা ময়াম ফারক্তুনা

মনিক্ তম্ফা পোক্পি মকাইক্ম্ তিল্লি লিল্তাওরেল্ লাইরেল্ তাও-রোইনাইনা তুবি মৈরেন্ ১বু চিক্লা কোনখারম্বু তাক্-ও হায়ববু তাক্ত ব্লাগী লাইরেল্ মৈতেংঙুদি তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেল্ য়াইবী কল্হৌনিক্ তুবি মৈবু ওংনা পোইরৈ খুন্চা হৌ তায়িম, নাইচা হুপ মদাইরেম, চীঙ্খোং পুয়োক্লোই লাইরেল্ পুক্ল'লাইবু ঙাইরোইনবা চারিং মরৈপুংদা চুঙ লেপ, ৬০ চোং কাওরেল্ সন্খাং ১০ লান্ খংনং লৈতেং লেংনা পন্থে থবদি চারিং য়াকা চাইবে, হুযেল্ লান্নিকিদি চাফো-লাম্থৌয়া নচিংনা হুয়েল্ লানপুম্, ১০০ মকপু কাইনাহুল্লে॥ তুবি থয়াং মথৌমল্, লাইরেল্ খোঙ্কাও লাম্তাখোন বু সোংকিবগী মদাইবেম চাহোং মনিল্নাই ঙাপুম্, মবাং গৌবা লোইবী খুলকং ২ মক্লা লাইবেল, স্না মখোঙ খাদা থোইনা খুদোল্, কংনা লোইহাবৈএ হায়দববা॥ লোইবী চাবিং মনিংথৌ য়াংখিবেং অথৌবদি লাইবেল্ স্না মখোঙ্খাদা পুবম-জববগী ১০ চাবিচা চবৈ ফিপিননা থোইচা নপিরে॥ লাইবেল্ মৈতেংঙু

শামুগী শয়াঙথক্তা তোংহুনা মায়খোঙ মকা লামনা চীঙ-লেম্বা মবেঙ্কৌ চেঙজা মুঙ্গোইবীদা লাল্লু চন্দুনা কংলে। অথোইবা লাইগী মণ্ডপ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো খেবুমৈগী চীঙশাং লানঙম্বা, লাংবুংগী য়ুমথোঙ যুমথোঙ চঙনা য়াম্বেকপা, শারোনগী লম ল্লোই চনবদা থৌনা ফরবা, কিনলেং লামৈগী লানফা ময়াম ফাবগী চুঙ পায়হুনা, চুঙ, শেনহুনা লান থেংনখিবদি অসিনসু লোযবা নত্তে। নোংপোক মায়কৈ পাংবরোমদা অঙোমগী পুবৈরোম্বনা নুঙজাওশিংনা লৈশেমখিবা চীঙ পাসু পীসু ওইবা ঙম্বা লাইগী ঙমথং ওইরবা পুখিবা কৌবা লাইগী ময়ুম লৈফমবু ফৈনা লাম্থোক্লগা চীঙমী হাওপুসিংগী পুসিং খুনগী ময়'য়দা চংলগা লৈবা তুয়েংবা (ঈশিং থকপা। স্না নম্খমলোক কৌবা লোক-চাওহু লাম্থোক্লগা লৈবা প-পী অনিমক্কী মতীক-ময়াই লৈবা লাই পুরৈরোম্বা কৌবা অঙোম য়েক্কী সরারেল ওইবা নোংপোক্কী নুশিংনা মহুম/ময়ুম ওইনবা বিভুং মশাদা তৈহুনা লৈতেংনবা, অখিংনা চিঞ্জাক

চারিৎ লম্চন্থোবা ঙাপুম্ লোইকায়াংবা হুয়েল্ চাকো ফাবগী ল্যাইরেল্ স্না মচুঙ সেল্ চুঙ সেল্ মরাল্হৌদি অসিস্থং মতোম্দে ॥ হাওরৈ লাইনা পাংবন্নম্ লমলেন্ মদাইমা য়িথোইরোক্ রিহাংলা য়িকৌয়িচাই খোংলেন্ ৪ মক্পু কৈতুপ্ সম্ য়িরোক্ লাইচম্ লান্ চীঙ লেন্ নাপোম্ কৈতুপ্সম্ লম্লেন্ লোইবী মচীঙ লেন্ থংকান্ অয়ম্বা মৈহন্চীঙ, মারেম্ খোংকন্বা লাম্তাচীঙ বু নমদা হুন্না চম্ফুং চীঙ মৈ সম্ ত্তরা খাইচোন্ কাম্নচোং লোইবী থাওয়াম্চাই কাচাই খুল্লেন্লৈ হুইমী থোইন্না মচীঙ সাং লোইবী লৌখোংতৈ মচীঙ লেন্বু ঙম্লোন্নবা লিন্‌রাই য়িমরুমেন্নাং তন্বা খুয়ৌ ঙামচৌহুন্ লিন্‌রাই খারংপোক্ কাক্লেন্সিমা মসংকোন্ ঔরী সামৈরম্ মীরা পোংথোক্কোল্ সংলৌ উচিনা তেক্ তেক্ পাল্না নোইনু থুম্বু ঙাইনোক্চীঙ লীরেন্ কংসি কুয়োম্তা লাইচা য়িরাই

ওইনা চাবনা চীঙগী কাংগ্রুগী কাংথোনথক্তা হিপ্লিবা লাইয়িংথৌহুগী ময়ুম ওইরিবা মফম মশানৌ ইবেম্মা পা-পীগী ময়াই চেনবী লাই-রেম্মগী শীঙ্গে শৈরিবা মফম, থায়নঙৈ য়োল্লবা চাখাশিংগী অথোইবী লাইরেম্বী লাইরিক-লাইশু ইবশিংগী মবেম্মা মাইবীশিংগী লৈতোন্দা তোংলিবী, ঈশিংদা হৈনরবা চীঙলাইদা তোংলিবী অমদি অশোংবা চীঙলক্কী লমগী মবেম্মা ওইরিবী লমথুন্নু/লংথুন্নু শাদোংনবী, হীগী মবেম্মা ওইনা হী পীনবী, য়াইগী মবেম্মা ওইনা য়াই পোল্লবী পাম্থোই-বীনা কোল্লিবা লমদম মমিং চৎলবা চাহোং, খুৎকন-পাঙ্গল্লবা ঙাপ্রুম কৌবা লমগা লোন্ননা লৈরিবা লমকু চারিৎ হায়না কৌথিবদি করি তৌথিবা ন্নমিত্তগীনো? হায়না মমাঙ ঙৈদা নবুঙ্কো থোকপা লাইগী ঙমথং ওইবা পোইরৈতোন খোংফাং অতোনবগা মতৈমা মৌগী শীংদা চল্লবী লৈনাওতাবীগনা চীঙদা পানবা শিবা নাইদনা নাবা লৈতব হৈ পানবা খুনবু থিরকপদা চাক লাম্বনা পুক থবৎ তৎনা তিন য়োৎপা ফাওবদা হান্নবগী চীঙমীশিংগী ময়ুমদা চঙহুনা চাক নীক্লবু পীরক-খিদে। মহুদা চীংখোঙ পোইরৈতোন্না মমিং চৎলবা চীঙমীশিংসি

লৈমনা থৌহু খুশেৎনা মুংনাং খাথানা চেংচা নমঙানা লেম্বৈ ঙান্নি কৌনা মীকপরাই ; হংঙোই কোনতিং ম্নুরাবীবু রাইচৎলম্ খোইমোম্ লাইরেন্মা মৈরেল্ তোম্সংপী সান্নুবী চরৈ ফিসেৎনা হুইয়াই ঙাইনোক্ খোরাংথাং য়াংফম্ ফোন্‌লোন, ঙম্‌দবীগা মসাবী খোইমোম্ অঙানবা নাহা খোম্তু চীঙ্‌সা লোক্তু চীঙ্‌সেম্বগা লাইজা য়িথিংরাই পম্বিংহিমরু ককুয়ি য়িরান্‌থোক্ য়িরাং লম্মাচুম্ লিন্‌রাই মচীঙ্‌খম্বু ঙমলোন, নাতৈননা ঙাবি, মেল্লোং খুনৌ, খুল্লেন,, লোইবী খুন্‌কং ৪ মকপু লাইরেল্ মৈতেংঙুনা রাংকোন, লোইকাবক্-ও হায়ববু কাদরাগী তুবি চীঙ্‌খোং পুযোক্‌লোই লাইরেল্ পুক্‌ল্লোই অথৌ-থৌসিংসাং পোইবৈ থয়াং কোন্তাই লোন্‌বা ওক্লেন্ তোম্‌চেৎ কাওঙ্গম্বা পুন্নমক্‌পু ঙাইরোইনবা লাইরেল্ মৈতেংঙুদি রাইরা সামি কোনাচুঙ্, হুয়েন্ লান্‌মি ফানচুঙ্ সন্নাতুরৈ রোই রোই সেন্ তাচিল্ মৈবিথোক্ থাংলেন, খেরাংথাংনা

কয়াদা লীকপ্রবনো হায়না শোল্লম্মি। অতুগী ম্নুমিত্তুদগী চাকলিক হায়না কৌববু মমিং চৎলবা চীঙমীশিংতুনা চাবিৎ হায়না কৌ খি। চীঙতুগী মতায় অমদা চাক নীকনবু মনাং কায়না হোংনা পীবক্লম্মী, অতুদগী চাহোং হায়না যোন্নখি। চাহোং খুনগা থংননা লৈরিবা চাবিৎ হায়বা মমিং চৎলবা খুনসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চকপা ম্নুঙঙোইগী ঈশিংগী লোক্কী ঈশিং ওইরিবা কবো শাম্বা লাইবংগী মনাই চীঙকাকলেম্না অরাগী পাঙ্গা নিংথৌগী মকোক্না খাংনরিবা মোনবু থাদখিবা ইচেল মনাই ওইবা শা শনম্বা হায়বা খোং মপাগী ময়াংলেন মনঙ্গন ওইবা শানা ঈশিং মন্নুংদা থিকবদা ফংলকপা মফম, অশেংবা সনা পোকহনবা য়িংথী তুরেলগী মরূ ম্নুঙঙৌ ময়াম থোকপা মফম, অশংবা ম্নুঙস্নু য়াম্না লৈবা মফম পা পী ওইবা ঙম্বী সনা, লুপা, কোঙৌ মিসি মনি তম্ফ নচিংবা পোকপী লাইবেম্বীগী লৈফম, তীন পুন্নমক্কী মপী মপা ওইবিবা লিন্দাঙবেল কৌবা লাই পুন্নমক্তগী অথোইবা লাইগা ঙাইহাক লৈতনা লোয়নদুনা লৈরিবা

লোইবী মবৈপুঙ্‌দা লাইবেল্ হিংকু মথিনাই তুবি মৈবু ওৎনা চুঙ্‌লেপ্ ৬০ চোং কাওবেন্, সন খাং ১০ লান্,. খংনং লৈতং লেংনা পম্বেংখবদি ঙাবি যাকা চাইবে. খুনৌ থিম্‌চৎযাল্লে, মোল্লোম্ খোক্‌লোইতু খুনৌ নাফা নিক্ কতোম্ যাকা চাইবে খাম্বী মৈকাচেল্ হুযেল্ থাইসিং মুৎনা পম্বেংলে ॥ হুযেল্ লান্নিকিদি ঙাবি মনিংথৌ ঙাক্লবেং অথৌবগা মহুইবেং চীঙ্‌সাং লান্‌পাও চেন্‌বগা ২ মরুচিংনা হুযেল, লান্‌পুম ২৪০ মক্‌পু কাইনাহুল্লে ॥ লোইবী লাল্লু কোক্‌লেন্‌ পৈ অচংবা লান্‌যাম্ খোম্‌লে ॥ যোইপু থাংযৈনা লোইবী রাইহুন্নবে ॥ হুযেল্ লান্নিকিদি য়াইপুং মনিংথৌ হেম্বা চীঙ্‌সোং খুল্লাক্‌পনচিংনা হুয়েন্ লাম্‌পু ৩৫০ মক্‌পু কাওবল্ সন যাম্ হোইগুম খোম্লক্‌এ ॥ তিমেল্ তাবুল্ সা চুঙ্‌লোং

ত ওবোইনাইনা মমৈবু ময়ানা চিক্লুনা কোনশিন-খাজিন্দুনা লৈবিবা মফমদু "তাকউ" হাযববু তাক্তবগীদমক, অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী ১ শঙ্গনা শাওনীংবগী মথী নাইনা ফোংদোক্লুনা অশাওবনা হবচাং যাওবা থক থক নীতুনা লাইবেল্লা মমৈ হাই হুম্বগুম লেং ওক্লুনা মৈতৈ পাক্কী খুঙ্গা নাইজা পুন্নমক হৌতুনা নিংথৌগী চকথেংননা শাগান্নবা মনাইশিং নিংথৌ যোকপা নিংথৌ বনবা মনাইশিং পুম্বগা স্নোযননা চাবিৎ শুন্দা লান্দাতুনা চুংগী মবেপ ৬০ চোংখৎ শনগী মযাংলেনগী অশাংবা ১০ ল্যাননা চোংথোক-চোংশিন তৌনা ফিংমনবনা খংনং তা ফাওবনা লৈতঙ্গাই লেংবগা লোযননা লান্থেংনববদা চবিৎকী খুনগী লৈঙাকশঙ থুগাযবে। লানফমসিদা লান্দা থৌনা ফনা যাঙলবা চাকোনচিংবা লানফা ১০০ থকপু মাযথীবা পীবে। নিংথৌসিগী মথা যাঙনা লান্ শোরবসি মমল ওইনা অমস্থুং অথোইবা লাইগী অকনবা খেঙ্গাওগুম্না লান্দাবগী মখোলসিদা কিজববগী মমিং চৎনা পাল্লিবা চাহোং অমস্থুং মথে লাংলবা ঙাপ্রম খুন অনিমরা অথোইবা লাঈগী মগুণ চেল্লবা নিংথৌসিগী মফম খুদোন পোৎকা লোযননা লোইপোৎ হাবৈ হাযযে। চাবিৎ খুনগী চীঙমী নিংথৌ

থারৈলেপে চুরৈ ফি য়াম্লোক্ কাওরেল্ সন য়াম্ থোম্লে ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙুনা লিন্বাই য়িমরু মোল্লোয় মরৈপুঙ্দা লাইরেল্ থয়াংমথোমল্ তুবি কোল্লোয় য়িমিংলেন বু হয়েং লোইবী মনিল্ নাইবনা নিন্দন্বা হেম্বা মরাং হৌবনা কাওদসনো হায়না লাইরেল সমু মখেঙ, খুন্বু থৌহু মুঙ দা য়েক্লা চেংচা লেপ্নখিন, থৌহু লেপ্পা য়ুংনা লাইরেল্ কোল্লোয় মমিংলেন, মিংকেন্ সিদবু থম্লএ হায়দবরা ।। লাইরেল্ মৈতেংঙু ঙারি য়িমচং য়ান্বা থাইপুং লোইকা তান্বা লিন্বাই লম্চন্ থৌবগী লাইরেল্ মা মচুঙ্সেন, চুঙ্সেন, মরাল্ওন্দি অহুম্সুং মতোম্দে ।। লহাল্নোং হয়িঙৈদা থুম্নুং লোন্চা পাখংবনা লেম্লৈ মসিংসুনা ঙাপৈপুং ঙারি মপুংয়াই লিন্বাই মচীঙ্খম্বু চীঙ্লেন্ ফৈতুপ্ কান্নচোং লোইবী হাওফুবা ফুরা খুন্য়াই খাইনা হেম্বা মাইবা খুল্ কাতুং মরৈপুংবু নাতৈনবা য়াংমোম্ মহুইরোইনাই থোইনৌ মতা পলেম্ পম্হৌ পারৈতবা

থৌনা ফরবা য়াংখিরেংদি মৈতৈ নিংথৌদা খুকমজরবগী চাক পীজংগ মফি মরোন পীবিদুনা থৌজানর্বাখি। অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, চাংকী লম লৌশিনবদা থৌনা ফবা, ঙাপ্রমবু থুনা লোই কাহনবা চাকো কৌবা লানফা যাবসিগী চুঙ পায়দুনা শেন্নদুনা লান্দাবদি অসিনসু লোয়দ্রি। লাইশিংনা লৈবা মায়কৈ অরাং পাংবরোমদা ঈথোইরোক ঈহাংলা, ঈকৌ অমসুং ইচোয় কৌবা তুরেল মরিমকপু ফৈনা শমদুনা লোক-তায় কয়া লান্দুনা. চীঙগী নাপোম কয়া ফৈনা শমজিল্লগা লৈরিবা পাংদবা থাঙ্গালশিংনা তুংলোমদা হন্দোকপা থৌনা ফরবা মারেমশিংনা লান্দাবা চীঙ্বু তুং ওইনা থনম্লগা চমফুংগী চীঙমীদা শমজিন্দুনা চৎলগা তরা মাইচোনচীঙ লাম্হোক্লগা লৈরিবা হাও ময়াম চায়না তাবা কাচাই খুনগী হুইমী থোইয়া চীঙশাংগী খোংতৈ কৌবা চীঙ্গী চীঙ্জাওগা হেক লোন্নবদা লৈরিবা লিনবাই/ঈরিল তুরেলগী হৌরকফম মরূ হামেং লাবনা মখোঙ শেক্লা শেক্লা চৎপা মফম, ঈরিল তুরেলগী থুমুথ্রং

চক্‌পা খুন্নুং লম্‌জা চন্নু লেন্নুং ফাইবী তেন্না কোল্লাং নসিন্‌বীনা মপন্‌ চক্‌পা খুন্নুংবা মসাইকোন্‌গী লৈনং চেন্‌ন্নাই ফৌ ১০ তোংন্নু মথি লিক্‌সি খারোল্‌ ফৌ য়াইমেল্‌ য়াইফৌ চেল, থাংয়ি স্নুম্‌থিবী হামুক্‌ কেক্কাবী মন্না সিমাংতংবী ফৌরৈমা ফৌনিংথৌবু লন্‌কুবম্‌ লোইমোম্‌ ফৌথোক্‌ ফৌহোনন্নাই থাংয়ি ফৌথোক্‌ ফৌবিফম্‌বু ঙম্‌লোন্‌ নাতৈননা হেম্বা মনিল্‌ নাইববু কোন্‌বা-ও কৌববু কদৌনোংগীনো ॥ লহাল নোং হযিঙৈদা লৈন্নুং লোঙ্গা অরিবা শ্লিন্‌ন্নাই য়িম্‌রুদা থৌনাবা লাইযিংথৌনা কোংলৌ লম্‌খংগে সরেল লম্‌থোক্কে হায়ঙৈদা লিন্‌-তাওবেল, লাইবেল্‌ তাওবোইনাই চীঙ্‌ন্নাং নোংশাবনা খুন্নুং লোঙ্গা অবিবা-ও কবিগী পনম্‌ হেক্‌মাই কাগে হাযবনো ॥ থাবা য়েলোইনা য়াংবা লোইখেইনবন্‌ উদববা হাযনা তুবি মেনা কোম্না থৌখাম্ববু খোইযানবে ॥ অতনোংগীবু কোল যা-ও তৌনা কৌএ ॥ লোইবী

পেংকপা, ককলেন্না শিববা ফাওবদা শংতুনা লৈবা মফম মবী মরী পবেং তত্তনা শন্নখিবা লম, মী লাই পোংনচিংবনা থোক্লন্নকখিবা মফম, উচীনা, তেক তেক পালনচিংবা যেনশাং-নাপীশিংনা অথোইবা লোই-পোৎ ওইবিবী থুম্‌বু নোক্লবিবা চীঙ অচৌ-অচৌবা লী পাম্বীশিংনা কুংনা হোৌবিবা ঈশিং লাইবেম্বী য়ামতা ঈবাইনৈমনা নুঙনা ফমুং থান্নিবতুদা ঙাথতুনা হিপ্লগা নুঙদা খোঙ থম্লগা ঙামী কৌহনা কপ্লিবা মফম, হঙেঙাই কোম্নিং নুবাবী কৌবীবু হবথেং-চীথেংনখিবা লম, পা পী অনিমক্কী মযাই লৈবী লাইবেম্বী মৈগী মন্নুংদগী অমুক অথোইবা মৈ শতুনা শৌবী সান্নুবী কৌবী মৈনা ফিজেৎ ওইনা শেতুনা ঈকাইবগী নোক্ল খেংনগী মখে লাংবনা হকচাংগী শক্তম লোৎচবা ঙমদ্রবীগা মপুবোইবা মঙান পীবিবিবা অথোইবা লাই "খোমতু" কৌবা চীঙ শাবা লোক্তু কৌবা চীঙ শেম্বা লাইনা ঈশিং থিংলিবা মফম পন যিংবা ঈশিংগী হৌরকফম মক্ক ককয়ি চুবা ঈশিং লান্ননবা থোংগী চুমদ্রিং চুমলিবা ঈরাংকী অচুম্বা লম, লিনরাইগী খ্বাইদগী

মুংয়াম, খুল্ থংফেমা মনিল্ নাই, নিচামা মরাংহৌ, খুনেম্ মনিল্ নাইবা হেন্না লৌবুক্ তোংবগী লোইবী খুনকং অমবু লাইবেল্ মৈতেংঙ্না রাংকোন্ লোইকারক্ও হায়ববু কাদরাগী মদাইরেম, খুতোংথিন্ কাপ্লোই হেন্না লোইথৌববু খোইবু মচিন্‌ভুম, সাইবা মায়া সাবনা গুমপল রাগী লাইবেল্ মৈতেংঙ্দি চুঙ্লেপ্ ৬০ চোং কাওবেল, সন্খাং ১০ লান মরোন, লোন্‌কা থুম মবান, লান্‌কা তাক্, চংলম্ ফান্‌সাং থুম, মৈথু নোংলোন্‌কা সাইবু মৈতাল্ পক্ হুয়েল য়াইসিং মুংনা পম্বেংলে ।। হুয়েল্ ল'ন্নিকিদি কোবচাও লাম্ভৌযা'ব হক্‌চেং সাম্বা মাল্লোনা লুবক্ কাংতৈ থি খোনাও লৈন্‌থোং লোম্ল ।। অতুনো'গীবু লাইরেল্ মৈতেংঙ্ নোংনম্ লমচন্ থৌবা হেন্না চিঙ্সাং লাম্থাবা রাংকোল্ লোইকা যাংবগী তুবি খে'হৌ লান্তা'খ'ল্ মালেম লৈবু নিক্পা চীঙ্লেন্ নৈকিন্থংস্ববু সোংবিবগী মদাইবেম লোইবী চিঙসাং থন্‌বা চক্‌ক্রমৈ মনিল্ নাইবনা হেন্না লোইকা পোৎপু লাইবেল্ স্না মখোঙ্ খাদা কংনা লোইহাবএ ॥ লাইবেন্ মৈতেংঙ্ লিন্‌রাই লম্মথক্

অবোয়বা অখম্বা লমগা হেক থংননা লৈবিবা মফমবু লাম্থে'ল্লগা লৈবা ভারি, মোল্লোং খুন্নৌ, খুল্লেন হায়বিবা চীঙগী খুন মবিমকপু লৈমা-নিংথৌগী লোই কাবকউ হাযবু কাবক্রুবগী নিংথৌগী মপুযোবপা মপ্‌কনবা নিংথৌ শেনবশিং, অবন অথৌশিংগী মরক্তগী অখন্নববা মথবাক্তা চুঙ্গোয লোনশিন্দুনা হাপ্পা নাইতোম চংপা এক তোমচংকুম্বা ময়াম পুন্নমক্তা লোঙ্গিননা অথোইবা লাইগী মহৎ চেল্লবা মৈতৈগী মবুভোদি শামিলম্ম কৌনবদা শোয়দনা লাল্লব' চুঙনা ওয় থংবা নাকলগী শরুক্তা পাযবগা তাজিন মৈবি পোক্কা থাঙগী মখে লাংনা চীঙমীশিংতুগী খুনশি হুদা অশাওবা মপান থেক্ল লাইবেলনা মমৈ হাই-হুম্বগুম লেং-ওৎলগা চুঙগী মবেপ ৬০ চোংতুনা শনগী ময়াঙ-লেনগী অশাংবা ১০ চোংথোক-চোংশিন তৌতুনা, খংনং তা যাওব লৈতঙ্গায লেংবগা লোম্দননা লান থেংনরববা ভারিগী

লোইবী মচীঙ্সাং হেন্না থেন্পুংথক্তা থৌতোংবা রাংকোন্ লোইকা য়াংবদি মীরুরাপু কা মীসেলখোইবু তোংলে।। লাইরেল্ম্না মচুঙ্সেল্ চুঙ্সেল্ মরান্হৌদি অসিমুং মতোম্দে॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু নাওজিংলেন নোংজেব খোম্না তুবি মহিহিনা মেংবা লাইরেল ময়াই য়াইনা ফবা রাইরা সাসিংসু হুরেল্ লান্সিং মকম্ ফবা নোংপোক্ নোংচুপ, কোইবা খারৌ লাইরৌ লান্বা লাইরেন্ অরা থৌতোংমল্দি লম্চিমাবু হাঙ্দবা রাইচিমাবু শেন্দবা, লাংকোই মোইসায়াবু মপুমা পাঙমদা থিঙ্লৌ খায়োন্ববু য়াওরৌ সায়াম্ কাববু মসিঙ, ঙিঙমদবা কৈরেল্ উম্বীসাবু পান্বা কৈসিং নেন্বা হুয়েন্ লান্সিং চাইবা তুবি মখোংথিন্বু মালেম্ লৈবুনিক্পা লাইরেল্ মসারাম্না কোরৌ নোংবু ফংগুম্না পোন্বী গরুর চেক্নিংথৌ লিল্লা ১০০ রাই চেন্নবা তুবি হিথোক্পা লাইরেল্ ফি ফৌবা ১০০ মক্পু চাক্চেন্নবা চেক্কুম্না, লাইরেল্ কোন্লোই মিংচাওবা

খুনঙাকাশঙ থুগায়রে, খুল্লোগী য়ুমথোঙ খুদিং চঙহুনা য়াম্হুরে, মোল্লোং চীঙমীশিং মখোক লোয়না তুয়ে, খুল্লোগী মনানা ফারিবশিংহু নীকথহুনা তুহল্লে, কতোমগী খুনঙাকশঙসু থুগায়রে খুন ভুম্না মৈ থাহুনা লাম্মী ময়াম তুম্না শিরে। লানফমসিদা ঙারি খুনগী নিংথৌ থৌনা ফরবা ঙারুফেংগা, চীঙশাং থুংনা পাউ চেল্লবা মহুইরেংগা অনিসিনচিংবা লানফা ২৪০ মায়থীবা পীখি। চীঙমীশিং অককপা মকোক ময়াম পৈহুনা, অহিংবশিংনা লানফা ওইহুনা লোয়না ফারে। অহুগা অমুক য়াইপুঙগী মীশিংগা থাঙ হাইনহুনা মায়থীবা পীরগা রাই হুনবগুম হুল্লে। অহুগা লানফমহুদা য়াইপুঙ খুনগী নিংথৌ চীঙশাংহুগী খুল্লাকপনচিংবা লানফা ৩৫০ থক ফাহুনা শল হোইবগুম পুরকখি। তা মপুন মপুন পুন্দুনা, চুঙ্ মরোল মরোল লোনশিন্নহুনা ফি ময়াম খোমহুনা শল ময়ামগা লোয়ননা পুরকখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা ঈরিল তুরেলগী মরূদা লৈবা ?মাল্লোয় খুন্দা নিংথৌসিম্মী অয়াঙবা মথা শীজিন্নখিবগী মমল্ ওইনা

হেন্না মিংচৎপা মালং য়াইবী কাওগুম্বা য়াংলৌ মদাইম্না লেম্নলৈ সারাক পান, মখি লৌথোংপাক্ থোংপাক্ মুন্নাবী লাংলেন, কোংয়াং রাপুরম্ পাখং হুইয়াই চীঙ,কারম্ থোংনাং কাবারাইবা লাংকোই সাংচল্ লম্নু ওম্লোম্ননা নাসা য়িমৈরম্ মৈতেংঙ, লাইবেল্ নাওফংবা মদাইরেম্, অমাই থাংকোক্পনা পন্ম লাইফাকম্ থাংকোক্পা সল্লুয়ান্ পনম খাকোই-য়াল্বু ওম্লোন্, নাতৈননা খোইয়ম্, লাইরেম্মা মুমিং নিংথৌ চম্নু সনা লোল্লাং লৈমা য়াইকবীদা লোক্য়াই পাওফোরৈ সিনৌ লৈকাপোক্তা তিল্লাং হায়সিংননা হুল্লানফম্ খ্বাই চাহারাইবা তিমেল্ তাখোম্থোংবু খাকি চেক্পাক্য়ৈ চেক্লোন, নাতৈ সৌথোংলেন, পাম্বৈ সেম্ থিংক্রি লৈমাই সিং মুঙ,ঙৌ পুম্থাননা য়াংলৌ লম্তাং হেন, থোংলেন, মনিন্দ, নাইনা ময়ু নিংথৌজা মমাংগীনা সাদবা থোংবু সাবা, হোংদবা থোংবু পোইরৈ ময়াং হৌনা খ্বাই মনিন, নাইনা থোংহোং হৌবা পোইরৈ

লান ওমখিবগীদমক নিংথৌসিগী মমিংবু তুংদা লাকপা মপান ফনা পাল্লরুবা, মমিং চৎক্রলবা চীঙমীশিংনা কাউদনা নীংশিংসন্নু হায়না নিংথৌসিগী খোঙ্গুল মুওমায়দা হক্কুনা য়ুংলমহুনা অথোইবা নিংথৌ-সিগী মমিং মুৎতনবা থনম্মী, হায়। অথোইবা লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঙারিগী খুন্ চঙ-চঙহুনা য়ানথুবা খাইপুঙ লোয় কাহনবা লিনরাইগী লম লোয় চনবা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা অসিগী চুঙ পায়হুনা শোরুবা লান্দি অহুনসু লোয়দ্রি। থায়না মমাংঙৈদা অরিবা লোঙ্গা পাখঙবা কৌবনা ঙা মশিং শুনা পৈখিবা মফম ঙারি খুনগী ময়ায় লিনরাইগী চীঙবু ফৈনা শমহুনা চীঙবা ফুবা খুল ময়াম খায়হুনা মাইবা খুল কাতুংগী লমবু শমহুনা মমাংঙৈগী ফৌওইবীনা মতাশিংগা লোয়ননা লাকপদা মমা মপা লৈত্রবী ফৌওইবী তেরা মোল্লাং নাশিনবী কৌবীনা মপাগী খুন মন্নুংদগী লৌরুবা ফৌ তোংহু লিশি, থারোন য়ামশেলনচিংবশিং লৌবা চঙলিঙৈদা ফৌনা কৈদা পৈখিবা সমসং ফৌহু পীবীরম্বা মফমহু হেক্ক থংননা শাম্লগা লৈবা লম

লম্‌তাংসাং য়াংঙম্ লম্‌লেন্ পুন্নমকপু য়াংলৌ লম্‌লোই তাল্‌বংবা মদাইরেম্ পোইরৈ অথম্ মীপোক্‌পা অথৌ লাংকোন্‌বা পামংবা কৈনকপা কৈরেল তেংথাবা লাইরেল. মৈতেংঙুগা খাবৌ কুম্বব কুম ম্‌িন্না লাইরৌ কেল্‌বব কেল্‌সিন্না অথোম্ লাংমৈ ওন্‌বব ওন্‌মিন্না য়েন্নবী সাবোইহুল্‌গুম্বী মতোল্ যান্না চীঙ.চিন্ চোন্‌চোন্ লৈন্‌থাংগুম্বব থাংমান্নবসিংগা য়েক্না তিংখং মচিন্ থেক্ থোইনা তুম্‌পৌ চংহন্দনা পোইরৈ তান্‌থোং মযুংকুই সেম্‌-থোং মণ্ডাল নাইনা পান্‌ফবা শ্রীগোবিন্দ চীঙঙু লাইমরুবু উন্‌বী

অহুবু কোনবা হায়না কৌবদি কবি সৌখিবা মুমীত্তগীনো? থায়না মমাংঙৈদা লৈকুং লোঙ্গা অবিবা কৌবা লীনন্নাইগী মরুদা থবক পাঙথো-কখিবা লাইমিংথৌনা লম যেংবা গোবকপা মতমদা লিনদাওরেন লাইরেম তাওবোইনাইনা লৈকুং লোঙ্গা অরিবা-ও কয়িগী লমলকতা নোক খেতুনা লাংগে হায়বিবনো মপুকচেল ফংজবা খাবাশিংনা লৈবিবা অসি উত্রবরা হায়না খাম্বব যানবে, অহুগী মুমিত্তুদগী কোনয়া হায়না কৌথি। খুন্দুদা মুঙ য়াম্না পৈবগুম্না মীনা কুক কুক ইন্নাবামথৈ পানবা খুলেন হায়না খঙনবা লবুকতা লৈবা লোগী খুন অমবু মৈতৈগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা নিংথৌ অসিনা লোয কান্নকউ হায়ববু কাদবদগী নিংথৌগী মনায়শি না মোংমৈ কাণ্ডনা মফমত্বদা লোই থৌরুববু চীঙমীশিং অহুনা মরৌ চাওনা খিংবদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙোনা চুঙগী মবেপ ৬০ চোংথতুনা সনগী অশাংবা ময়াঙলেন অশাংবা ১০ চোংতুনা খুল অহুগী যুম য়ুম খুদিংমক মাংহন-তাকহন্নুনা মথোয়গী লৈঙাকশঙ থাবগী মৈথুনা নোংদোন্দা কাহন্নুনা খুন তুম্না মৈ থাখি। লানফমসিদা ফাখিবা লানফাদি কোকচাও হায়বা লান্দা থৌনা ফবা অহুবু মঙক ককতুনা হাংখি। অহুগী মুমিত্তুদগী অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা মৈতৈগী মবুংঙো অরাংলোমগী মল লোশিনবদা থৌনা ফবা হেম্বা চীঙশাং লানথাবা অহুগা লৈম্না নিংথৌকোনগী লোয় কাহনবদা থুববা নিংথৌ অসিগী লান তাবগী থৌওং থৌরম

লিরেন্নবা গীতা ভাগবত অথোইববু কোরৌ নোংদাম্দা থবি নোং লেপ্তনা পুইক্তা লনথোই তান্বা য়োইবু খোইমোম্ লাইয়েন্মা রাইমা সারৈমা হয়েন, লান্লৈমা লান্কুবী খোইমোম. মপাওখোংবু রাক্নৈ তেংমাইথক্তা সান্দ ভোইতাও হৌবা ঙুব্বি স্না হক্চাংলেনবু সেন্বী কাংকোন্ মচং সাইনৌ স্না পুমৃতারিবকুম্ য়োইয়োইফবা রাইমা সাতা নোংতা কোয়ৌ নোংখাক্ মৈগুম্মা য়োইময়াই তাওদন্বা হুমিং স্নাপৌ- লোনগুম্বা হয়েল্ লাক্তানোংদা সেন্বী কীরু য়েংকুম. মতোম্পু থৌনবা পোইরৈ চংম্না হায় রাংগুম, মুরা তেম্ববু কংলা য়িথোং কাংকুম্ থৌদবা,

---

অসিবু উরুবদা চাক-ক্র-মৈ কৌবা খুলগী মীশিংনা লোয়পোং পুরক্লুনা লিংথৌ অসিদা কংলম্মী। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো ইরিল তুরেলগী হৌরককম মরুদা লান্দাবদা থৌনা হাপ্পিখিবা মহাকী মনাই মশন য়ামলে। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা অসিগী চুঙ শেম্রহুনা লান তৌবদি অসিনসু লোইদ্রি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওজিংলেন নোংড্রেন খোম্বা মতীক মগুণ চেল্লবা মহাকতি শাশিং লানশিং শুনা নোংপোক-নোংচুপ থা- রাং থুংবা লানতাবা মতমদা লম মচেং অমা ফাওবা হাংদনা থৌনা শীবিবগী লমনদি শামু ময়া মশিং খিবা ঙমদনা খোম্বা অমসুং নাইতোম চংশা ওক ময়াম ফাবা কৈ মশিং খিঙমদনা ফাবা মানা মথোঙ শিনবদা লৈবাক নিকপগুম নিরুমরা মহাক অসিদি গরুর কৌবা উচেক্না লিন চাম্মা কাহুনা কোয়পু পুবগুম্বা নিংথৌনি। মহাকী মমিং অসিদি হিরানা হকপগুম হকলবনি। মহুদগী অমুক মসি লৌথোং পাং কৌবা মকমগা থংননা লৈবা নাগা তুরেলগী মমৈ ওইবা লমদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নাওকণ্ডবগী মনাই থাক্কোক পানা লম্লকী লাইফমগী ওইনা সনগী শরু য়ানবা মকমবু লামাথাক্লগা লৈবা মৈতৈগী লাইরেন্মা হুমিং নিংথৌ চম্মু সনালোক্লাং মৈরা য়ায়ফবীদা কৌ লশিংনচিংবা পুম্নমকপু তিন শিংতুনা থৌওদইনা

লাংকোই শায়াম, ফাববু লাংহৈ কুম্লেপ্তা পান্বা কৈসিং লেন্ববু লোইদাম, থারেপ্তবা নিংথৌরেল্ লিক্লাই তলতু লাম্বাবা লাইরেল, মৈতেংঙ্ নাওচিংলেন, নোংড্রেন, খোম্বা তুবি কাপ্লাই লাংগুম্বগী লাইরেল্ স্না মচুঙ্সেল্-চুঙ্সেল্ মরাল্ওন্দি অসিগুং মতোম্দে ॥ ** ॥

নরোল্ মৈতারৈমা নোংপাল্লোন মনিক্ লোইরেন্খোম্বী-ও তৌনা কৌএ। মৈতারৈমা তুরেল, রাংমা নিংথৌ কংলা কাল্তোল্তৈনা থাবা নোংবালোন, অঙৌবা চম্ব মপাম্ অঙৌবা পুরৈরোম্বা যুম্তাংসাংবু

হুনদোকলমম্বা মফম থ্বাইগী চকরাইবনা তা ময়াম ফঙথিবা মফম থাগীগী চেক ময়াম্বা চেকলোন নাইনা শেমহুনা থোং শাথিবা মফমবু হেনদোক্তুনা চেকী ফজবা থোঙ মমাংঙৈগী নিংথৌ কনা অমত্তনা শাথ্রিঙৈদা মানা হান্না শাথিবা নিংথৌনি। থোঙ অহু শাবদা মৈতৈ লৈবাকী মী পুম্নমক হয়াও তয়াম্নগা লোয়ননা নিংথৌ মাগা লোয়নহুনতা লৈরবা অকল-অথৌশিং অওম-অথৌশিং পুম্নমক্কা লোইননা য়েক্লবশিংবু মচীন থেকতুনা মৈতৈ লৈবাক্তা অরাবা থুদোংথিবা চঙহন্দনা শ্রী গোবিন্দগী লাইনিংবু থম্মোয়দা চেংনা কোন্দুনা গীতা ভাগবতনচিংববু লোংমতা কাংদনা তাহুনা অথোইবা প্যুনা তানথিবী অথোইবী লাইরেম্বী শারৈমা লারৈমা ওইবীবু ছি মথক্তা থাঙগৎতুনা কোয়পু পুরগা হয়াও মথোয় কাথিবা নিংথৌনি। নিংথৌ অসিগী মশাস্থু সনাতনা শাবগুম্না ফজরবা থোং মেঙলবা পুমদারিগুম্বা শা লানগী মতম্মদনা তাম্নাগী লিক্লং য়েংপগুম্না তৌবা মৈতৈগী রায়েন চৈরাকী মতম্মদা ঈশিংগী থোং ফাংতোকপগুম্না শিজিন্নবা হৈবা কুম কাংদসা শাম্নু ফাবা ঙাইহাকতা লেপতনা কৈ ফাংপা অথোইবা লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙে নাওজীঙলেন নোংড্রেন থোম্বা মহাকী চুঙ পায়হুনা শোক্লথিবা লানফমদি অসিনম্নু লোয়রবা নত্তে। * *

নবেন্দ্রো মৈতৈগী মখেম্মগী মমিংদি নো'বাল্লোন মনিক লোইরেন খোম্বী হায়রনা কৌই। কোন্থুংগী হেক তুবেল রাংমদা লৈবা ফম্বাল্

মৈগুন্‌বী, ময়ু অংঙৌবা লোইথোম্না স্নায়িবু চিরৌ ফবী ; মপ্পাম্ লম্বলেন্ মদাইমা থাবা সল্‌সেন্‌থোংবু ভমলোম্বনা চীঙ্‌ঙ্ নাওহল্ অহন্‌বা মকাইফস্বু নাতৈননা খুন্দাফবী নয়োল্ মৈতারৈমা মনিক্ লোইরেন্ খোম্বী-ও কৌবদি কদৌনোংগীনোং॥ নমু তাইবং মালংপান্ মান্‌লং নোংসাপাল্ অসিবু অঙাল্ চংলৈ খুনৌ তোংনা পান্‌বাপুংবু থম্নুং য়াইথোং সিংস্নুবনা অমল্‌সিংদা থাগ্রবগী রাবাক্র লাওথা ফম্মাংচীঙ্ খুন্নুং মিংমাতাম্বা লুবক্‌চীঙ্ থম্নুং সিদম্বুবী লৌওন্‌বীনা ডাওজিং হৈয়াং খুত্তা পাইনা খেমথ্রবগী য়োইবু খোইমোম্ লাইরেম্বা য়ুমজাও লৈম্বা. মস্নুমাংদা লময়াই কাইগা থারবদা লাইরেল্ মসাবীনা য়োইবু কংলৈ মৈতৈলৈমাগী কোলোই মমিংথোংবু মনিক্ লোইরেম্ খোম্বী-ও তৌনা মিংহুন্‌খিএ॥ নয়োন মৈতৈরৈমা নোংবাল্লোম্ মনিক্‌লোইরেন

তোপ্পা থাবা অঙোম কাঙবুগী চমু মথোয়গী মবুধৌ পুবৈরোম্বগী মফমবু ঈশৈ ওইনা শৈথাম্বা শরুবী মবুধৌশিংনা লোয় খোম্বগী মওংবু লৌবগুম থৌনা ফরী শনশেনথোঙগা হেক থংনবা লৈরিবা মপাম্নগী লমদমগা লোম্বনা লৈরিবা মৈতৈগী লাই নাহল অহনবগী মফমবু লানথোক্লগা খুন্দাবা কাঙবুগী মমোম ওইবী মবেম্বৌ মৈতৈগী মবেম্মা মনিক লোইরেন খোম্বী হায়না কৌবদি করি তৌখিব' মুমিত্তগীনো ? তাইবং নীওইবন অঙামবা তাইবঙপান অসিবু অশিবনা লাকহংতুনা অশিবশিংদা থারবা মতমদা রাবনা কে লাওবা চীঙ অশিবগী লাইরেম্বীনা মথুংতা হৈ পায়হুনা শেমগ্রবদা য়ুমজাও লাহরেম্বীগী শুমাংদা কূ মমুন্দা হাপতুনা লৈরবদা মৈতৈগী অথোইবা লাই ওইরবা মাগী মপুরোইবা মৈতৈ নিংথৌনা মৈতৈগী মবেম্মা অসিগী মমিংবু মনিক লোইরেন খোম্বী হায়না কৌবীখি। হায়রিবা মবেম্বৌ অসিগী পায়মা পীবুক মুংদগী ।—

নবুধৌগী মমিংদি মৈতৈগী মবুংঙো পোইরৈ নিংথৌ হনবা কৌই। মহাক্‌কী চুম্ব পায়হুনা শোরুবা লান্দি নিংথৌ মাগী মতেং'ন অমন্নুং মনাই অকন অথৌশিংগা লোয়নবা লোইবী চীঙগী চীঙখোং কয়া, লোক কয়া

খোম্বীগী প্পাইমা স্না লিন্‌কোইগী নমু মৈতেংগু পোইরৈ নিংথৌ হুনবগী তুবি স্না মচুঙ্‌সেল্‌ চুঙ্‌সেল্‌ মরাল্‌ওন্দি—তুবি মপাতোন, লাইরেল্‌ ময়েল্লুনা মদাইরেম্‌ অথম, মীপোক্‌পা অথৌ লাংকোন্‌বা চক্‌লৈ কাও কোইতুরেল্‌ কাম্বা কাও নোংদম্‌ য়েল্‌গুম্বসিংবু ভাইরোইননা [লোইবী চীঙ্‌খাং মাতুপ্‌ য়িরোক্‌ লাইচম, কাম্নাচোং লোইবী লোম্বাং মঙাল্‌ নাই লাইবেল্‌ নোংসা মখে লাংনা সঙাইসেল্‌ সাফু তমকুম,, পোইরৈনিংনা তেনা মাংগম, হনরাইরকপবু য়াংলৌ লমসাং থিং, তাক্‌য়েন্‌ মিংসেন্‌ পন,, লমলেন্‌ লাংচীঙ্‌ খেলাংচীঙ ফাইবী তেরা থাংতুপ্‌পোক্‌, থোঙ ঙাক্‌ অসিথেন্‌ মকোই মুংঙোল্‌চীঙ কাওবেল, সন্‌সেল্‌চীঙ্‌বু কারবদা লাইবেল্‌ মৈতেংগু পোইবৈ নিংথৌহন্‌বদি সরকার ভাইরোইননা মদাইরেম, অথাম্‌ মীপোক্রপা অথৌ লাংকোনবগা, পান্‌বা কৈসোক্‌পা কৈরেশ্‌ তেংথাবগা মদাইরেম্‌ সিফাই কম্‌পু নোংসিংজংগুম্বগা ভাইবোই ননা ; নোংমৈ কাপ্‌না, কামারা কাপ্‌না, বম্‌দিয়া কাপ্‌না, ৭ য়ৈনা,

---

চোংথোকপগুম লান্দুনা নোকখেনা হল্লকপবু লম্বী লমশাং থিংবগুম লৈবিবা তাকয়েন লান্দুনা লাঙচিঙ হেন্দোকতুনা থোঙাক অশিথেন মকোয় মুঙওন চীঙ কাওরেন ষনশেনচিংবু কারবদা (শিরবদ্ধ) অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুঙোনা সরকারগা লোয়ননা মনাই অকল—অথৌ অঙম অথৌশিংগসু লোয়ননা নোংমৈ কাপতুনা শেন য়ৈহনা লাকপগা লোয়ননা চুঙগী মরেপ ৬০ চোঙখৎতুনা ষনগী ময়াঙলেনগী অশাংবা ১০ লান্না চোঙহনা ফিংমনবনা খংনং তা ফাওবা লৈতংগাই লেঙরগা লোয়ননা লান তাবদি নিংথৌ অঙ্গিগী মতোম্না লানজিংবা ওইহনা য়েক্লবাকয়া হাংখি।

নিংথৌ শেনবশিংনা কৈফায়োল শককে হায়বসু শকহন্দনা কৈযাঙ থেকপগী থবকপু পাঙথোকখিবদগী মহাকী মমিংবু কৌবা চীঙলেন লানফাবা হায়না মমিং থোনখি। অথোইবা লাইগী মগুন চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কৌবা চীঙলেন লানম্বগী চুঙ পায়হনা শোক্লবা লানমফদি অসিনসু লোয়খি। অরাং পাঙবা মায়কৈয়োমদা মনাও মুপা য়ায়মবা মৈতৈ

সেন্ফাং য়ৈনা ; লোইবী কানা চীঙ্‌দা কানা, কুরাও সংনা পন্তাই সংনা ; চুঙ্‌লেপ্ চোংনা, ৬০ চোংনা, কাওরেল্ লান্না, শন্খাং লান্‌না ১০ লান্না, সন্খাং লান্‌না খংনং লেংনা লৈতং লেংনা পম্হেংথবদি লাইরেল্ মপাতোল্‌না হাওসি ওমৃগা চিংনা হুয়েন্ লান্পুম্ অমবু কাইনা হুল্লে॥ মদাইরেম্ চীঙ্‌খোং পুয়োক্লোই লাইরেল্ পুকল্লোইনা পান্‌বা লাচুপ্‌কে লাচুপ্‌হল্লে, কৈথেল্ খাংলেন্‌গে খাংলেন্‌হল্লে লাই-রেল্ কোলোয় মমিংথোংবু কৌবা চীঙ্‌লেন্ লাম্ভাবা-ও ভৌনা মিংথোং থিএ॥ লাইরেল্ মৈত্তেংঙ্ কৌবা চীঙ্‌লেন্ লাম্ভাবগী স্না মচুঙ্‌সেল্ হুয়েল্ মরাল্‌হৌদি অসিসুং মতোম্‌দে॥ হাওরৈ লাইনা পাংবরমৃদা

লৈবাক্কী সেনাপতি টিকেন্দ্রজিৎনা লুচিংতুনা অথোইবা লাইগী মণ্ডপ চেল্লবা মৈতৈগী মবুঙতো অসিগী অকল-অথৌ মনাইশিংগা লোয়ননা, অহল্লুপ শঙলেন নহারুপ শঙলেন, ফুঙগানাই শঙলেন, অসিনচিংবগী অঙমঃঅথৌশিংগা লোয়ননা অরাংলোমগী চীঙদা কাহুনা, হন্দুংগী চীঙদা কাহুনা উথ্রুলগী খুল ময়ায়দা শমতুনা ঙাংল লবুকন্দু লানথোক্লগা লৈবা শামলা কৌবা চীঙগী থূলদা লান্দাখি। শামলা হায়না কৌবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো হায়রবদি থায়না মমাঙওৈদা পুম্নমক্কী মবুথৌ ওইরবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না লৈমালৈনাও তাবীগা লোয়ননা শিবা নাবা লৈতবা থুন্দাবা য়াবা মকম থিরকপদা চাক লামনপ্রহুনা চীঙমী-শিংদা চাক-নিরুবা মতমদা শীরকলমদে। মহুদা পোইরৈতোন্না চীঙমীশিং অসিদি অমুক য়ান্না লীকপদি করিগীনো হায়না শোল্লম্মী অহুগী হুমিং-তুদগী মকম অহুবু শোমলা হায়না কৌখি। শোমলাগী খুল অসিদা সেন য়ৈহুনা, মোয়বুং খোঙহুনা, শিঙ্গা খোংহুনা, নোংমৈ কাওনা, চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখৎতুনা মনগী ময়াংলেন অশাংবা ১০ লান্না চোংখৎতুনা খংনং ফাওবা লৈতংগাই লেংহুনা লান্দাবদি শোমলাগী ৎলং মরি পুগাইরে মথোয়গী য়ুম-কৈ পুম্নমক থূদেকতুনা মৈ থাহুনা খুন থুগাইবগা

লাইরেন্ মসান্নৌ লিক্লাই চীঙ্খোং য়াইমবা টেকেন্দ্রসিংহ পোইরৈ সেনাপতি অথৌবনা হাওসিঙম্গা চীঙ্না লাইরেল্ মৈতেংঙুগী মদাইরেম্ তায়িম্ নোংসা লান্তান্বা, থাকম্ কোয়ৌ নোংসিংজংবু লান্তান্বা অহল্লুপ্ সংলেন্ মরাং হৌবা মৈরি লান্তান্বা নহাকপ্ সংলেন মনিল্ নাইবা চীঙ্লাই লান্তান্বা, ফুঙ্গানাই তাংলৈ লান্তান্বা সংলেন্ ৫ মকু সিফাই কম্পু নোংসিংজংগুম্বগা মদাইরেংগা পোইরৈ থৌবা খুলূফাংথৌগা তায়িম্ থৌকা অখম্বগা মীপোক্পগা অথৌবগা লাংকোনবগা পান্বা ফাবগ। কৈসক্পগা কৈবেন্গা তেংথাবগা হাওবৈ লাইনা পাংবন্নম্ লোইবী কানা চীঙ্দা কানা লাইজ লান্না হুংতুং চীঙ্সাং কা ওক্রফুল্ খুলুয়াই সম্ পোইবৈ চীঙ্জাও লান্ লেমলৈ ঙাচাল্ লৌপুক্ সম্মা লোইবী সম্লা মপুংয়াইদা হুয়েল্ লান্তাখিএ॥ সম্লাংও কৌবদি কদৌনোংগীনো হায়রবদি চহাল্নেং হয়িঙৈদা ময়ুরা চীঙ্খোং পোইবৈতোন্ খোংফাং অতোন্বগা মতৈরৈমা লৈমা লৈনাও-তাবীগা লোইবী সিদহৈ হেম্বা নাদহৈব্ খুম্ভিরক্পদা ১০ চাপুক্ লাম্

লোয়ননা লানমী ময়াম অমসু হাংখি। লানফম অসিদা চিপে খুল্লাকপা, ইরুবা খুল্লাকপা, শল্লুবা খুল্লাকপা অহুম অসিনচিংবা লাম্মী ৮ থকসু হাংখি।

নিংথৌ অসিগী মনাও মুপাগী মনাই অকন অথৌ অঙম অথৌ পুম্নমক্কা লোয়ননা হল্লকলদা লানফাশিং অতুগী মকোক মুঙঙোইবীদা লালু চল্লম্মী, হায়য়ে অতুদগী কঙলা কোম্নুংদা চঙচুনা ফমবাল তোংল-বদা নিংথৌ অসিগী মমিংবু কৌবা চিঙলেন লাম্ববা কৌবা লোয়বী শোমলা ঙম্বা হুয়ল ইরুবা ফাবা হায়না কৌখি। অথোয়বা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো অসিগা মিংথোল অসিগা মিংথোল অসিগা চপ চানবনি।

নবেন্দ্রৌগী মমিংদি মোইরাং য়েক্কী নিংঙোল তেলঙ্গা লোংপী হায়না মীংথোনবী মোইরাং নিংথৌ উরা খুন্দাবদগী তারকপা ঈ ওইবানি।

পাইমা খোম্ননিং তিং তিল্লাং চাফা নিকুলবদা হেম্বা কাইন্নুং চঙ্.না ১০ চানিরুববু পীওমদে ॥ চীঙ্.খোং পোইরৈতোন্.না লোইবী মনিল্ নাইবা অসিদি করম্. লিক্পনো হায়না সোল্লম্.এ ॥ অদুনোংগীবু সোম্.লা -ও তৌনা কৌএ ॥ সোম্.লা য়াইদা মপুংয়াইদা ৭ য়েনা সেল্ফাং য়েনা মোইবুং খোংনা, সিঙ্গাখোংনা, নোংমৈ কাপ্না, কামায় কাপ্.না বমদিয়া কাপ্.না চুঙ্.লেপ্. চোংনা ৬০ চোংনা কাওরেন্ লান্না সন্থাংলান্না খংনং লেংনা লৈতং লেংনা পম্হেংথবদি সম্লা থুন্কং ৪ মক্পু য়াকা চাইরে, থান্না কিল্লে, খেন্চং কিল্লে; সরিক্ থুমলে, লাইথন্. থুম্লে হুয়েল্ মুংলে য়াইসিং মুংলে ॥ হুয়েল্ লান্নিকিদি চিপে থুল্লা পা, য়িরুবা থুল্লাক্পা, সল্লবা থুল্লাক্পা ৩ মক্লা চিংনা হুয়েল্ লান্পুম্ ৮ মক্পু কাইনা হুল্লে ॥ লাইরেল্ মসানৌগা, মদাইরেম্ অথম্ মীপোক্পা অখৌ লাং-কোন্বা পুম্নমক্লা থিংলৌনিংনা তেনা হল্লাইরক্লবদা উপল্'সামা থেক্তুনা সমু মাংদা থা য়োইরেল্ অতোল্ লৌথাম্বু লান্হোইনা রাংঙম্ য়িরুংববু লান্লাওনা কায়াং লান্হোইচৈবু সমু খুত্তাম্নুনা চেংচা মুংকোইবীদা হুয়েল্

মাগী মপামদি থোঙজুগীনা মথক্তা লৈবা ককৃরা তিনপাল হায়না কৌবদি মকম অসিনি। ককৃরা তিনপাল হায়না কৌবদি করি তৌখিবা মুমিৎতগীনো? নিংথৌ লাইতোং ফুরাংসুগা খুমন পুয়াংবা পুরুমসুগা অনিনা চায়নবগী মতমদা লায়তোং পুরাংসুগী তানা লংবদদি লৈপাকতা য়ুঙহুনা তোকখি কুম মথকতা পানখি। অদুবু পুরাংবা পুরমসুগী তানা লংবা মতমদদি য়েরুবা মুপা অদুগী থমোয়দা থুম্না পাল্লে মহুদগী পুয়াংবা পুরমসুনা লাইতোং পুরমসুগী মকোক ককখি। অদুদগী ককৃরা হায়না কৌখি। ককৃরাদা খুন্দারিবা মপা মোইরাং নিংথৌ রমানন্দগী মচাসুপি মমবুন তুরেনগী মপান্দা তাবী ইরাংলোন য়ায়া ইনাক খুম্না হৌরকপী অসিগী পাইম পীবুকনুংদগী মশান পোকলকপদা মপোকী ওইনা য়াওরক্লবা মচা মুপা ইতোন তোনবা তাওখমলাং থমলাং অতোনবা চুরাচান্দ সিং কৌই!

লান্ হোইচিল্লে ॥ হায়দবরা ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু না ময়ু লাইরেল্ নাওফংবা লম্থক্ সারোল্পুং তিংয়ি রাফোংলাক্ লাবা নোংলৈফম্ কংলাথোনী থোল্লাংমৈবু ফম তোংলবগা লাইরেল্ কোলোই মমিংথোংবু কৌবা চীঙ লেন লাম্বাবা লোইবী সম্লা ওন্না হুয়েল্ য়িরুবা কাবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙুদি হোইনৌ মা মিংহুনকীবু চুন্বনে ॥ * ॥

নয়োল মৈতৈরেমা য়িরাংলোন বিলাটি মপুংয়াইগী অঙৌবা তেলংগা লোকপী ময়ু রুরা খুন্দাবা মাঝিবু চিরৌফবী মপাম্ লমলেন মদাইমা লিরা লিখলপুং থোংচু লম্থক ককরা তিলপান-ও কৌবদি কংদোনোংগীনো ॥ নিংথৌ লাইতোং পুয়াংসুগা থুমল পুয়াংবা পুরমংসুগা তম্বা ২ মক চাইনা খোফেন্নঙৈদা নিংথৌ লাইতোং পুয়াংসুগী তিমেন মথুংসুনা ফেলবদি ককলু লুমাই তুনা লোইরেল্ ফুম্বী তুরে ॥ থুমন পুয়াংবা পুরমসুগী তিমেল মথুংসুনা ফেল্লবদি লাবা থমুং থিংলে পুযাংবা পুরমসুনা নিংথৌ লাইতোং পুয়াংসুগী তাংজা লুরেল্তোনবু ককলে ককরা-ও তৌনা কৌএ। ককরাদি তিনপানথোংবু থুলতাকবী মপল কেকে রামান্দ য়িরাং পুরিক্লাই মমোমলোন লমপুন রাইনেকোল মকু য়িলম্ মচিন মনম মাপীথোংবু খুন্দা নিংথৌচমু য়িরাংলোন্ লিল্লাই নিবী সলকোন থনবমচমু পাইমা সনা লিনকোইগী ৭ থিফামু মোংসারোল লপয়ানক থাইচি মিতমকা পুমুং খোমমোল্লুক্ কোরি

নিংথৌ অসিনা মমাংগী মবুধৌশিংনা তৌথিদবা সমক্রুগী ঈশিং লানথোক্লগা দ্বারকা হরিদ্বারনচীংববু মথোঙনা য়াংনা চংখিবা অতুগা ফম্বাল্ তোংবা মতমদা কমবাল মিংদি তুবি থমলাং ঈশম থৌবা হায়না কৌথি। মবুধৌ নোংদা লায়রেন পাখঙবগী মমৈ শমথরকপা ওইনা মীংথোনগা লোয়ননা, অমুক নবুধৌ ইবেংবগী মুংনাং কৈতাল থোবা মীঙথোলগা লোয়ননা, অতুগা অমুক মবুধৌ চরাইরোংবগী মমিংগসু মমিং তিন্নবা অমসুং মবুধৌ চীঙলেন নোংখ্রেন খোম্বগী মমিংবু য়াওনা মীং মরিগী অপুনবা ওইনা শোরু থোল্লিবা মীং মৈতৈগী মবুংঙো তুবী

সায়াক্লক লিকোচান য়ৌ চিক্লা থারাওচি থোংলেন লানপাওম্বাকপু কসা পাওতাক্ করকপা সেনবী ক্যাং কোল্মচং ফমতৌ পল্মরুদা হাওমল পাখাই হুন, মোইকাই কেনমরুক্তা চপথাং ২ কারম্বা নাওমৌরুবপা লিক্লাই সনা খোঙ্মাতোল চবৈ ফিচি হোংলাতোন উনৌ কোন্দেকৌম্বা হুন্গুম্বা লাইরেল তাওখম্লাং চুরাচান্দসিংহ পোনবী রাইহুইরাং মেলডোং পাঙ্লোই খুলঙম লৈগুম্বা সচিক য়োইনোংতা থাপা রাইরৌ লীকুম্ তোংচেং কাইনৌ থরালপীচাকুম লিক্লাই স্না সঙ্গাইহুংদা তুবি চিক্লা ওঙ্হোইরিবা, নমুনিংথৌরোল খুদিংদা চারিথাম তিথং মসিং সুনা চংপবু লাংহে কুমলেপ্তুবা সমুদ্র লাইজায়িরেলপু:বুনাতৈনবা দ্বারিকা, হরিদ্বার সমু খোংনা ফংনা য়িনতানফবা তুবী কমমোইমিং লাইরেল ফল্লাং-মৈকমলবদা তায়িম নাইচামনা কোলোই মিংহুনবদি তুবি খম্লাং-য়িসমথৌবা-ও তৌনা কৌএ॥ ময়ু তুবি য়োইনোংতা নোংতা লাইরেন্ পাখংবা স্না য়িবু সমকবা কোলোয় মমিংখোংগা ময়ু তুবি চরাইয়োবা মচি চরৈবা য়িমচং লাংবু মিংতিন্নবা, ময়ু তুবি চীঙ্লেন নোংজ্রেন খোঙ্মা থাকপা নোংসিংগুম্বা তুবি কোলোয় মমিংথোংগা মিংলেন কোলোয় ও'মকপু মৈনা রাইনা মিংথোনফবা লাইরেল মৈতেংঙ্ তুবি খম্লাং

খম্লাং ইশম থোৌবা হায়বসি কন বৌবদা শাশিং লানশিং গুবদা কৈ কাওবা চঙনা কাথিবা গকয়গুম্মা লিন চান্মা কাবা উচেকুম্বা মুংশিংকী অয়াঙবা মৈগী অবাব, ঈশিংগী অকবা অহমকপু শাদোং ওইনা শিজিন্নবা থ্বাইদগী ইহান হান্না হন্না তোংবা নিংথৌনি। নিংথৌ অসিনা কলকাতাদগী য়োং পুরকতুনা সনসেনথোঙবু যোংকী থোঙ শাখি। ঙানবশিংনা থোঙ শাস্ত্রিভৈদগী হৌনা খাবাশিংনা থোঙ শাখিবা মফম্মী হান্নহুনা মফম অসিবু খাবা শনশেনথেঙ হায়না কৌখি।

হায়রিবা মফম অরাংদা লৈবা মফমদা খাবা নোংজেংবগা কেগে কেগে মেলৈবগা ঙাক্লী শোয় মুন্নবদা চাওবা মেলৈবনা হুগী তেল্লা কাগুন্দা খাবা নোংজেংববু হাংখি। খাবা নোংজেংবতা নংতনা

য়িশম থৌবা তুবি মহি হিনা মেংবা লাইরেল্ মন্নাই য়াইনা ৰুবা রাইরা সাসিং শুখা নোংপোক নোংচুপ কোইবা খায়ৌ লাইরৌ লান্বা য়াওরৌ সাসিং শুনা ফাববু মসিং খিণ্ডমদবা কৈরেন উমবীসাবু চংনা ফাবৰু মসিংখিণ্ডমদবা তুবি মখোংথিনবু মালেম লৈবু নিক্পা, লাই মসা লামনা কোয়ৌ নোংফংবা পোনবী গরুর চেকমিংথৌ তাংজা লিল্লা চাকচেন্নবা তুবি হিথোকপা লাইরেল ফিফৌবা ১০০ বু চাক-চেন্নবা চেককুম্বা কোলোয় মিংচাওবা হেরা মিংচৎপা মালংয়াইবী কাওগুম্বা, মালং মুংসিং অয়াংবা, থাম্বী মৈত্রেং অরাংবা, লাইজা মিসিং অরুবা ও মকপু সমু খোংওইনবা, মালং হৌরা তোংবা নিংথৌ-বেম্না নোংচুপ মরাইতা বিলাট মরৈপাক্ কলিকটা নপুংয়াইগী তেংনৌ য়োংকা পুনা লম্লেন মদাইনা থাক সল্সেলথোং ঙান্বা নহানা থোংসাদরিঙৈ থাবা নহা সন্সেন্বানা হান্না সিংনাং নেম্বীনা থোং-থোং-ওই থিক লোই উস্যাংনা থোং সাই, অতু নোংগীবু থাবা সন্সেন্-থোং-ও তৌনা কৌএ ॥ লেম্থোং লৌসনখুবা লৌসনলান্, চীঙগু লৈমা তকসোনপুং লংমাইনিংথৌচম্ম কাইবৈমা খুনথুংদবী লৎনমুং, পাল্লোই য়াচিক্ সিথোন্দরাই, মৈতেংগু তাপুংবা চীংসোং লাল্লু তুমলিরাই, তৌয়াং লমথারাই রাইথু খুৎলোংরাই, ঙরিল তোংচংরাই চীঙগু থোংপাল্ তেরা খোইমোম থোংপান সাংচা থোংপাল্ অপিসানা নয়ু মীয়োচা চাওবা

মচামুপা শঙ্গাই তেলহৈবা অমমুং মচামুপী কাংকম ইচুম্নীমু হাংথি অহুপা ফুঙ্গা লোংজুম শানা ফুমথি। অতুদগী মফম অসিবু থাবা কাম্নরম নোংজেং হুন্নরম কোই। হায়নরিবা মফম অসিদা অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো তুবী ইশম থৌবনা য়োংশীনা কাবা য়োংকী মপান্না পাম্বৈ ওইবা অমমুং থোঙপাক ওইবা থোঙ শাথি। মথক্কা শামুনা চৎঙবমু নিকপা লৈতবা অতুগুম্না থোঙ হোংথি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেল্লবা মৈতৈগী মবুংঙো অসিগী শা লানগী রাকমদি মণিপুরগী মায়কৈ মরিমক্তা লৈম্নিবা চীঙমী তম্মী

মরমথৈ, খাবা কাপ্পরম নোংচেং হুন্নরম কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ খাবা নোংচেংবাগা কেকে চাওবা মেলৈবগা রানচেং অকুমসোই লেমলৈ অকা-সোইবু সোইমুন্নৈঙদা চাওবা মেললৈবা মপাক্সি লোকপা লাইবনা কৌ লমহলদা লময়েংঙে মসানৌ চাওবা সাংবনা নোংচিং থাক্লে মরুন। হুতৈতেন সাইএ॥ চাওবা মেলৈপা সৌপোন সানৌ ঙম্বনা লিরি থম্মোই তিলকা তেনমৈ লাক্লা রাইবা তেনথাবদি মালেম লৈদা পাল্লবদি লৈকু লৈরাই কিন্থএ, রাইরা তেনথা অমরক্তি কোংয়াং রাদা পাল্লবদি কোংয়াং কংলং থাং রাংলেন্ মপালতুপলে, রাইরা তেনথা অমরক্তি পামেল উদা পাল্লে, তলা উবাই কং পামেল উচুং তংলে, রাইরা তেনথা অমরক্তি খাবা নোংচেংববু লুতুরে মপাবি সঙ্গাই তেলহৈবসু মমোম কাংকম য়িচুপপীসুং মখোই ৩ মক ফুঙ্গা লোঙজুম ওই, খমকোল খারোং ওইনা নোংল্লে, অহু নোংগীবু খাবা কাপ্পরম নোংচেং হুন্নরম্ কৌএ॥ খাবা কাপ্পরমদা লাইরেল মৈতেংঙু তুবি য়িসম্ যৌবনা নোংচুপ মরাইদগী তেংনৌ য়োংপী পনচলথোং তেংনৌ য়োংপাক পুম-য়োম্থোং থোংপী হুইগা থানা তেংনৌ পামবৈ ওইনা থোংসাখিএ॥

লাংকোই মোইসায়া অহেনবনা সামু থোংক্সানলবসুং তেংনৌ গোংপী নিক্রুবা গোংবু থোংহোংখিএ॥ লাইরেল মৈতেংঙুগী হুয়েল মরালহৌদি মালেম চিথেক ৪ মা মাইকৈ ৮ মকী লোইবী চীঙবু-রোইবা হেন্না তম্মু থনবা লোইবী লমকেংপা হেন্না সৌসাবসিং পুন্না হুয়েল্ লানহৌবক্লবদা লাইরেল মৈতেংঙুদি রাইবা সাকাওথাল্ হুয়েল

পুন্নমক্লা লানহৌরবদা মনাই অকল অথৌশিংগা লোয়ননা খা মাইকৈ রোমদা লান্দাখি। থোঙ কয়া চীঙ কয়া, লান্দুনা শুন্থোংগী মকমগা লোম্নবদা লোয়পোৎ পিদবগী লাম্বীদা লান্দাখি। লাম্বী হায়না কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো হায়রবদি থাদো কৌবা চীঙমীগী মচানুপা অহন তোলকাতোং কৌবা চীঙমীনা মপাবু হুন্দোক্লমহুনা অতৈ চীঙমী

লাল্লাওখোলবু তাফদবা নিকিনা মদাইরেম্ অথম্ মীপোক্পা অথোলাং কোনবা পুলিস সিফাই নোংমিং চংগুম্বগা ভাইরোইনা হৌরা তোংনা গারী তোংনা, হাওরৈ পাংবরমদ। থানা পাংবরমদা হুয়েল্ লানতাখিএ, কাওরেল লান্না সন্দংখোং লান্না লোইবী কানা চঁঙদাকানা চীঙঙু সম্থোং অবিবা খোয়ম মকাইফম্বু ঙমলোন্ননা লাম্বীয়াইদা মপুংথাইদা লোইবী মথাচিক হেম্বা মবৈ তমনা লোইপোৎ পিদবগী থাম্না পীদবগী হুয়েন লানতাখিয়ে ॥ লাম্বীও কৌবদি কদৌনোংগীনো হায়রবদি লোইবী থাতৌ মপারী তোল্কাতোং অহলবনা মপল পম্থৌ নিংথৌ থাতাও চীঙমাববু সমু নমদা হুন হেম্বা মচেৎমাবু ভারোইননা চীঙলেন নাপোম অমদা খুন্দাববু ময়িম লোইবী মনিল নাইবনা লাম্বী-৫ কৌএ ॥ লাম্বী মচীঙলেন লোইবী লৌথোং চাই খোংচাই মচীংকানা নোংমৈকাপনা চুঙলেপ ৬০ চোংনা কাওরেন লান্না ১০ লান্না খংনং লেংনা পম্থেংথবদি লাম্বী খুঙ্গং ২ মকপু য়াকা চাইবে থাবা কিল্লে খেনচংকিল্লে সারিক থুমলে, লাইখল থুমলে, হুয়েল্ মুৎলে য়াইসিং মুৎলে, মৈরি পাইবে তাংগোই পাইবে ॥ হুয়েল লম্নিকিদি লাংসৈ নিংথৌ অথৌববু কাইনা হুল্লে ॥ লাইরেল্ কোলোয় মমিংথোংবু লোইবী লাম্বী ঙম্বা, হুয়েল্ লাংসি ফাবা-ও তৌনা কৌএ ॥ লাইরেল্ মাগী স্নামচুঙসেল হুয়েল্ মরাল্হৌদি লমচি অমবু হাংদা রাইচি ১বু সেন্দবনিকিনা অসিস্নুং মতোমদে ॥ * ॥

থরগা লোয়ননা খুন্দাখিববু চীঙমীশিংনা লাম্বী হায়না কৌই। লাম্বীগী খোঙজাই খুন্দা নোংমৈ কাপুনা চুঙগী মরেপ ৬০ চোংখৎতুনা সনগী ময়াংলেন অশাংবা ০ লান্না চোংখৎতুনা লাশোরুবা মতমদা লাম্বী খুঙ্গং ২ থুগাইখি। মথোয়গী মখুন তুন্না মৈ থাখি। মতুদগী নিংথৌ অসিগী মমিংবু লাম্বী ঙম্বা লাংপৈ ফাবা হায়না কৌখি। অথোইবা লাইগী মগুণ চেন্নবা নিংথৌ অসিগী চুঙ পায়ছুনা শোরুখিবা লানফমগী মরমদি মনিপুরগী লম মচেৎ ১ ফাওবা হাংদনা শোরুখিবনিনা অসিনস্নু লোয়ন্রি।

ণয়োল মৈতারৈমা চিনফুরোল্ থাংয়ি চেংলৈস্থ থমলাংখৌ তান্থোং চীঙোখম্ চন্থ মপল্ মরানয়াইদা কোলোই ষিংছুনবদি স্যামাসখি-ও তৌনা কৌএ॥ লাইবেন্ মসাবীগী কোলোয় মিংছুন্ লৌছুনা মিংছুন্বদি থোইবু কংলৈ মৈতৈলৈমা ছুয়েল্ লাংসৈফাবী তৌনা কৌএ॥ মপাম্ লম্লেন্ মদাইমা মোইবাংখোম্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো॥ মৈতৈঙু নিংথৌখোম্বা হাকক্তা হাওরৈ থানা পাংবরম্ লাইজা য়িনা রাংবা মালেম্ লৈনা নেম্বা পুং কেকে মোইরাং ঙাংখচা খুন্ফম্ লেন্দা লান্দাছুনা খুয়োল্ সেক্লৌ (তুমানা, ফুবালা) ঙাংলৌ, ঙাংখা, ও'চিন্ লাখোং থোইনাই ওম্থ উরা লাইজীং য়াওস্থ খুন্দোন্ হিথা চংলম্ ফান্সাং মনিন্ নাইবাপুং থাঙ্গা লৈকাই ৭ মক্পু খোয়ুক্এ হায়বগী মোইবাংখোম ও তৌনা কৌএ। লম্লেন্ মোইরাংখোম্দা খুন্দাফবী মপল্ নোংখোল্বা মমোম্লোন্ চীন্ফুরোল্ স্থামাসখি ইশমথৌবী স্না ফি:বে।ইগী— নম্ব মৈতে'ঙু চীঙথং খোম্ল অঙল্দা ছুয়েল্ কৈয়েন লাম্থৌবা-ও তৌনা কৌএ॥ ছুয়েল্ কৈয়েল্ লানথৌবা কৌড্রিঙৈদি বোধচন্দ্র-ও তৌনা কৌএ॥ নিংথৌ মহাক্থক্তা পাম্বা কৈয়াম্ ফাবনা মসিংথিঙম্দবা, সরকার জাপান্না ছুয়েন্ লান্শোরুবদা মনিপুব মপুংয়াইদা তেংকোল্ মফম্ ওইছুনা পৃথিবীগী নমু

মবেথৌ চেংলৈ য়েক্কী চন্থগী মমা মপানা ময়ুমদা কৌবা মীংদি শ্যাম্মাশখি কৌই অদুবু মপুরোইবা মৈতে নিংথৌনা থোনবীবা মীংদি য়োয়বু কঙলৈ মৈতে লৈমা ছুয়েন লাংশৈ ফাবী হায়না কৌই। মহাকী মপামবু মোইরাংখোম হায়না কৌবদি করি তৌবা শুমিত্তগীনো? মৈতৈগী মবুংঙো নিংথৌ খোম্বগী হাকতকতা মোইরাংশিংনা লান হৌরকখি। মোইরাং লৈকাই ৭ মকপু খোমলকই হায়বদগী মোইরাং- খোম হায়না কৌই। মোইরাংখোমদা খুন্দাবী চীনফুরোন শ্যাম্মাশখি ইশমথৌবীগী প্যাইমা পীবুক মুংদগী। —

নবুথৌগী মমিংদি মৈতৈগী মবুংঙো ছুয়েল কৈয়েল লাম্থৌবা কৌই। ছুয়েল্ কৈয়েল লাম্থৌবা কৌড্রিঙৈদদি বোধচন্দ্র কৌরম্মী।

মীয়াম্ তিন্দুনা নোংদোন্দা প্লেন্ পাইহনা বোম্ তাবনা মসিং থিঙম্দবা নমু মীয়াম্ সিবদা লাইরেল্ মৈতেংঙুদি ব্লাইরা সরাওখোন্বু সোংকিদা হুয়েল্ লাল্লাওখোন্বু সোংকাংদনা কুম্সিং চহি ৩ থাংবদা হুয়েল্ লাল্-লোইখিএ॥ লৈপাক্ কাইখিদে, অহুনোংগী হুয়েন্ কৈয়েন্ লাম্থোবা তৌনা কোএ॥ লাইরেল্ মৈতেংঙু হুয়েল্ কৈয়েন্ লাম্থোবদি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী চীঙ্না কোইনা পন্সাবা হাওনা কোইনা পন্ডাক্পগী হাওখুল্ পুম্নমক্ সমু খোংনা সান্দুনা সুকং সুনা চংলম্বা সেলোই নিক্ত্রা নিক্তচীঙ্ লংমাই হাগববা হাদচীঙ্গী চীঙ্ঙু নোংপোক্ মহাদেবগী কোন্লোই তৈনাসা খল্লোং ফুরা খিন্ হিয়াংথাং লাইসং সেম্, বোরাক্কী নরান্দা ভুবোন্গী মহাদেব লাইফম্ মসিংস্থ তীর্থ ওম্খৈ নাইদবা লাই-নিংথৌ হুয়েল্ কৈয়েল্ লাম্থোবদি চীঙ্ঙু কোলোই মিংহন্গী চুন্বনে॥*

মহাক্কী মতম্দা কে মশিং থিবা ওমদনা ফাখি। সবকাবগা জপানগা লান শোক্লবদা মনিপুরদা লান শোক্লবগী লানফম ওইখি। মহুদা বোম তাবনা মশিং থিবা ওমখিদে। অদুবু মৈতৈশিংনা চহি অহুম কবিতমতা অকিবা লৈতনা খাওখি। লৈপাক কায়খিদে। মহুদগী হুয়েল লাম্থোবা হায়না কৌখি। নিংথৌ অসিনা মৈতৈ লৈপাক্কী চীঙ অমসুং তমগী হাওখুল পুম্নমক থুংনা চংখি। অদুগা নোংমাইজিংদা মহাদেবগী লাইশং কুবা নিংখিনা শাখি। হিয়াঙথাঙগী লাইশঙ শেমখি বরাক তুরেন মপানগী নরন্দা ভুবনগী লাইশঙ শেমখি। অসুম্না তির্থ মশিঙ শুনা চৎনবা শেমলবা নিংথৌ অসিগী মমিংশিং অসিদি সনা ফুদোংবগুম্বনি।

লোইরবা

